শ্রীমহাভারত

শুবা খণ্ড

পর্ব্ব



মণিপুরী মহাভারত

২৮ শুবা খণ্ড

অনুশাসন পর্ব্ব

—:(•):—

বেদব্যাসকী শ্লোকাবলী মহাভারতকী
পর্ব অধ্যায় শ্লোক মখং মনাও
কায়দনা মরক মরক্তা
মশাগী টীকা পী পীদুনা
মীতৈরোন্দা হন্দোকচবা

কালাচান্দ শাস্ত্রী

ইং কুমজা ১৯৮৯

মুলাচনব ৬০

অনুশাসন পর্ব

কোংবা—অইবা মশা, হাওবম লেরান লৈকাই

ইম্ফাল

ছাপা তৌবা—ভাগ্যবতী কার্য্যালয়, চূড়াচান্দ প্রিন্টিং ৱার্কস,

ইম্ফাল

মণিপুরী মহাভারত

দ্বাদশাধিকশততমোঽধ্যায়ঃ

(পাপশিং অসিদগী লাহোক্লনগী উপায় ওইবা অন্নদানগী মহিমা তাকপা)

চামতরানিথোইশুবা অধ্যায়

—:(*):—

যুধিষ্ঠির উবাচ

অধর্মস্য গতির্ব্রহ্মন্ কথিতা মেত্বয়ানঘ। ধর্মস্য তু গতিং শ্রোতুমিচ্ছামি বদতাংবর ॥১॥
কৃত্বা কর্মাণি পাপানিকথং যান্তিশুভাংগতিম। কর্মনা চ কৃতেনেহ কেনযান্তিশুভাংগতিম্ ॥২॥

বৃহস্পতিরুবাচ

কৃত্বা পাপানি কর্মাণি অধর্মবশমাগতঃ। মনসাবিপরীতেন নিরয়ং প্রতিপদ্যতে ॥৩॥
মোহাদধর্মং যঃ কৃত্বা পুনঃ সমনুতপ্যতে। মনঃ সমাধিসংযুক্তো ন স সেবেতদুষ্কৃতম্ ॥৪॥
যথা যথা মনস্তস্য দুষ্কৃতং কর্ম গর্হতে। তথা তথা শরীরং তু তেনাধর্মেণ মুচ্যতে ॥৫॥
যদি ব্যাহরতে রাজন্ বিপ্রাণাং ধর্মবাদিনম্। ততোঽধর্মকৃতাৎ ক্ষিপ্রমপবাদাৎ মুচ্যতে ॥৬॥

যুধিষ্ঠিরনা হংলি :— ব্রাহ্মণ অথোইবা ! অধর্মগী গতি (থুংকম-রোকম) গী মরমদি তাহনবিরে। হৌজিক তাজনীংলিবদি ধর্মগী গতিগী মরমদনি ॥১॥ পাপকী কর্মদি তৌকরগা, মাহুদগী কোক্‌না করম্না শুভগতিবু ফংগদগে ? করম করম্না কর্ম তৌরগা পাপশিং অহুদগী কোক্‌না শুভগতিবু ফংগদগে ? ॥২। বৃহস্পতিনা হায় :— নিংথৌ ! পাপকর্ম তৌদুনা, অধর্মগী মথাপোনাথদুনা তাইবং মীনা নরক তাই ॥৩॥ অদুবু, অান তাহৌদনা তৌখিবা পাপ অদুগী মরমদা মতুংদা ভাব তারক্‌না অনুতাপ তৌরক্‌না অদুগুবা পাপকর্মদু অদুক হন্না তৌদনবা, ইন্দ্রিয় খুদুম চনুনা পুক্লীংবু কাজিন্দুনা লৈগদবনি ॥৪॥ তাইবং মীনা, মাগী পুক্লীংনা মহাক মথানা তৌখিবা পাপ কর্মশিং অদুবু মথং মথং নিন্দা তৌজদুনা লৈরবদি মহাকী হকচাং কয়াংশিং অদুদু মথং মথং অধর্মগী বন্ধন (কাজিনবা) অদুনগী মাহোরকই ॥৫॥ নিংথৌ ! পাপকর্ম তৌকরিবা পাপী অদুনা, মহাত্মা তৌরুরিবা কনবা কর্মদুবু, ধর্মগী তত্ত্ব খঙবা ব্রাহ্মণ অমগী মথম লোইনা তেংনা তমথোক্লবদি, মীগী মকমদা, সমাজদা, ফংগদবা নিন্দা কৌবা পাপ অদুনগী লাহোকই ॥৬॥ অদুম তৌদুবা, পাপ কর্মশিং অদুবু অদুম অদুম হায়দোক তমথোকচনকপদুগা লোমন

যথা যথা নরঃ সম্যগধর্মমনুভাষতে। সমাহিতেন মনসা বিমুচ্যেত তথা তথা।
ভুজঙ্গ ইবনির্মোকাৎ পূর্বমুক্তাজ্জরান্বিতাৎ।৭॥

যথা বিপ্রস্তু দদানি বিবিধানিসমাহিতঃ। মনঃ সমাধিসংযুক্তঃ সুগতিংপ্রতিপদ্যতে॥৮॥

প্রদানানি তু বক্ষ্যামি যানি দত্বাযুধিষ্ঠির। নরঃ কৃত্বাপ্যকার্যাণি ততোধর্মেণযুজ্যতে॥৯॥

সর্বেষামেব দানানামন্নংশ্রেষ্ঠমুদাহৃতম্। পূর্বমন্নং প্রদাতব্যমৃজুনা ধর্মমি তা॥১০॥

প্রাণা হ্যন্নং মনুষ্যাণাং অস্মাজ্জন্তশ্চ জায়তে। অন্নে প্রতি তো লোকস্তস্মাদন্নাং প্রশস্যতে॥১১॥

অন্নমেব প্রশংসন্তি দেবর্ষিপিতৃমানবাঃ। অন্নস্য হি প্রদানেন রন্তিদেবো দিবং গতঃ॥১২॥

ন্যায়লব্ধং প্রদাতব্যং দ্বিজাতিভ্যোঽন্নমুত্তমম্। স্বাধ্যায়ং সমুপেতেভ্যঃ প্রহৃষ্টেনান্তরা ত্মনা॥১৩॥

যস্য হ্যন্নমুপাশ্নন্তি ব্রাহ্মণানাং শতংদশ। হৃষ্টেন মনসা দত্তং ন তির্য্যগ্গতির্ভবেৎ॥১৪॥

ব্রাহ্মণানাং সহস্রাণি দশ ভোজ্য নরর্ষভ। নরোঽধ ৎং প্রমুচ্যেত যোগেভিরতঃ সদা॥১৫॥

লোয়ননা পাপশিং অচুম্ন মথং মথং অনুম কোকলকই। লিলনা মাগী হায় হায়গী লিরবা মকু অচুবু অনুম হোংদোক-খোকখোকচরকপচৎগুম্না পাগী অচুনা মাগী পাপশিং অচুবু খোকখোকচরকই।৭॥ থরায় য়াওনা, পাপশিং অচু কোক্লনবগী য়াথন্দা, পাপকর্মগী তক্ত্ খণ্ডবা ব্রাহ্ম দা তোঙান তোঙানবা দান মথং মথং তৌরক্লগদু পাপশিং অচু মথং মথং অনুম কোকলকই।৮॥ তাইবং মীমা তৌবৈদবা, তৌবা হোনদবা কর্মচু ক্বাওবা তৌরবগী পাপশিং অচু কোক্লনবগী তৌগদবা অথোইবা দানশিং ঐ হায়রকে॥৯॥ দান-দান হায়চুনা লৈরিবা দান পুন্নমকসিদগী অন্নদান হায়বসিনা খ্বাইদগী অহেনবা দাননি হায়বৈ। মরম অচুনা মাওথবা ধর্মবু অমুক কংননবগীদমক্তা অন্নদান তৌগদবনি॥১০॥ অন্ন (চাক) হায়বসি তাইবং মীগীত নত্তসা জীব পানবা পুন্নমকনী থরায়মক্নি। জীবগী পোকপা হায়রিবসি আন্নদগীনি। অচুনা, জগৎ-সংসার পুন্নমক অসি অন্নগী মথক্ত লন্দুনা, অন্ননা যুক্তম ওইচুনা লৈরিবনি। অচুনা অন্নদানতবু পাপ পুন্নমক কোক্লনবা তৌনব দানশিংগী মচুংদা অথোইব দাননি হায়না লৌন-খানগ্রবনি॥১১॥ তাইবংমী, লাই, হিংচাবা, প্রেতলোকতা লৈবা পিতৃবর্গশিংনসু অন্ন দানতবু প্রাশংসা তৌনৈ। অন্নদানগী ফল (মহৈ) তনা রিংথৌ রন্তিদেবনা স্বর্গ কাথি।১২॥ মরম অচুনা, স্বাধ্যায় (তম্বা-তম্বিবা ওইরাইবা) দা পুক্নীং চঙবা বেদপাঠী, ব্রহ্মবাদী ব্রাহ্মণশিংদা অন্নদান তৌগদবনি॥১৩॥ থরায় য়াওনা, থম্মোয়-শোয়া ব্রাহ্মণ লিশিং অমদা অন্নদান (অন্নভোজন কংপা) তৌবা মী মহাক অচুদি-শা-উচেকী মগোক্ত পোকপয়াবা মীগী কন্নবা কর্ম তৌরবসু, মাচুগী পাপ পুন্নমকশী অচুম মকোক্লে॥১৪॥ রিংথৌ অথোইবা। মী অথোইবা। যোগসাধনাদা পুক্নীং চঙন-চঙনা, ব্রাহ্মণ লিশিং তরাদা অন্নদান তৌরবা মী মহাক অচুদি, মহাক্না তৌরবা পাপ পুন্নমকশী শুদকা কোকই॥১৫॥ বেদজ্ঞ ওইবা ব্রাহ্মণনা ভিকাদগী কংওকপা

ভৈক্ষ্যেনান্নং সমাহৃত্য বিপ্রোদেবপুরস্কৃতঃ। স্বাধ্যায়নিরতে বিপ্রে দত্ত্বেহ সুখমেধতে ॥১৬॥
(ভৈক্ষ্যেণাপি সমাহৃত্য দদ্যাদন্নং দ্বিজেষু বৈ। সবর্ণদানাৎ পাপানি নশ্যন্তিসুবহুন্যপি॥
দত্ত্বা বৃত্তিকরীং ভূমিং পাতকেনাপি মুচ্যতে। পারায়ণৈঃ পুরাণানাং মুচ্যতে পাতকৈর্দ্বিজঃ॥
গায়ত্র্যাশ্চৈব লক্ষেণ গোসহস্রেণ তর্পণাৎ। বেদার্থং জ্ঞাপয়িত্বা তু শুদ্ধান্ বিপ্রান্ যথার্থতঃ॥
সর্বত্যাগাদিভিশ্চাপি মুচ্যতে পাতকৈর্দ্বিজঃ। সর্বাতিথ্যং পরং হ্যেষাং তস্মাদন্নং পরংস্মৃতম্॥)
অহিংসন্ ব্রাহ্মণস্বানি ন্যায়েন পরিপাল্যচ। ক্ষত্রিয়স্তরসা প্রাপ্তমন্নং যো বৈ প্রযচ্ছতি॥১৭॥
দ্বিজেভ্যো বেদবৃদ্ধেভ্যঃ প্রযতঃ সুসমাহিতঃ। তেনাপোহতি ধর্মাত্মন্। দুষ্কৃতং কর্ম পাণ্ডব॥১৮॥
ষড়ভাগপরিশুদ্ধং চ কৃষের্ভাগমুপার্জিতম্। বৈশ্যোদদৎ দ্বিজাতিভ্যঃ পাপেভ্যঃ পরিমুচ্যতে॥১৯॥
অবাপ্য প্রাণসন্দেহং কাকর্শ্যেন সমার্জিতম্। অন্নংদত্ত্বা দ্বিজাতিভ্যঃ শূদ্রঃ পাপাৎ প্রমুচ্যতে॥২০॥
ঔরসেন বলেনান্নমর্জয়িত্বাবিহিংসকঃ।
যঃ প্রযচ্ছতিবিপ্রেভ্যোনসদুর্গানিপশ্যতি॥২১॥

অন্ন (চেঙ হৱায়) অদুবু স্বাধ্যায়দা পুক্নীং চঙবা ব্রাহ্মণ অমদা অমুক দান তৌখোক্লবদি। অরাব পুন্নমক লৈতনা মুঙাইবগী মশক ওইরবা পুনশি লেল্লি॥১৬॥ ভিক্ষাদগী কংলকপা অন্নবু ব্রাহ্মণদা সনাগা লোয়নবনা সু র্ণদান অমসু অমুক তৌরবদি পাপ মথল পুন্নমক্তগী কোকই। জীবিকা ওইবা য়াবা মচারু থল্লবা ভূমি (ইংখোল) দান তৌরবদি পাপ পুন্নমক্তগী কোকই। গায়ত্রী মন্ত্র লখা অম জপ তৌরবদি, শঙ্খা লিশিং অম পীজ-পীথক্তনা পেলহল্লবদি, অশেংবা ব্রাহ্মণ (মচা) শিংদা বেদগী (ব্রহ্মগী) তত্ত্ব দান তৌরবদি (তাকপিরবদি) অদুগা লৈজবা পুম্বা দান তৌখোক্লবদি ব্রাহ্মণ অদুম্ব পাপ পুন্নমক্তগী কোকই। য়ায়রিবা দানশিং অসিদগীনু অন্নদানতনা অতিথিশিংবু পেলহনবা য়াবমুনা খাইদগী অহেনবা দাননি। অদুনা, অন্নদাননা খাইদগী হেনবা দাননি॥ ধর্মাত্মা ওইরবা পাণ্ডুনন্দন। ব্রাহ্মণ মরল শোকউদনা, মপাম্বোমগী পাঙ্গল্ল তাল্লুবা সম্পত্তিনা প্রজাশিংবু পেলহন্নুনা মরৈবাকপু শাসন তৌরিবা অদুগা ব্রাহ্মণ প্রজাশিংদ অন্নদান তৌরিবা অদুগুম্বা ক্ষত্রিয় নিংথৌ অদুদি মহাক্না মমাঙৈদা অমদি পূর্বজন্ম করাদা তৌখিবা পাপ মরাম অদুদগী লোইনা কোকই॥১৭-১৮॥ লৌবুক্তা থোকপা চাথোক অদুগী শরুক তরুক থোকপগী শরুক অমদা নিংথৌদা শুল্ক ওইনা দান তৌগ্রগা মাদুদগী লেমহৌবদুনা ব্রাহ্মণশিংদা অন্নদান তৌরবা অদুগুম্বা বৈশ্য অদুদি মহাক্না হেক তৌখিবা পাপ পুন্নমক্তগী কোকই॥১৯॥ শূদ্রনসু মথায় থাব কাওবা পাম্মুদনা, মথরায় খুবাক্তা হাপ্তুনা তাঙ্গকবা লনশিং অদু মপুক্নীং শেংনা ব্রাহ্মণদা দান তৌরবদি পাপ পুন্নমক্তগী কোকই॥২০॥ কয়িগুম্ব জীব অমগী মকন্দা হিংসা তৌরন্দনা মপাম্বোম পাঙ্গল্লা তাল্লুবা কংলবা অন্ন অদুবু ব্রাহ্মণদা মপুক্নীং শেংনা দান তৌবা মী অদুদি মহাক্তী পুনশিদা অরাব খুদোংথীবা থক থোকলোই কংলোই॥২১॥ নিয়ম চুম্না, শাস্ত্রগী বিধিকায়দনা তানকম

ন্যায়েনৈবাপ্তমন্নং তু নরোহর্ষসমন্বিতঃ। দ্বিজেভ্যো বেদবৃদ্ধেভ্যো দত্ত্বা পাপাৎ প্রমুচ্যতে ॥২২॥
অন্নমূর্জস্করং লোকে দত্ত্বোর্জস্বী ভবেন্নরঃ। সতাং পন্থানমাবৃত্য সর্বপাপৈঃ প্রমুচ্যতে ॥২৩॥
দানবদ্ভিঃ কৃতঃ পন্থা যেন যান্তি মনীষিণঃ। তে হি প্রাণস্য দাতারস্তেভ্যো ধর্মঃ সনাতনঃ ॥২৪॥
সর্বাবস্থং মনুষ্যেণ ন্যায়েনান্নমুপার্জিতম্। কার্য্যং পাত্রাগতং নিত্যমন্নং হি পরমা গতিঃ ॥২৫॥
অন্নস্য হি প্রদানেন নরো রৌরবং ন সেবতে। তস্মাদন্নং প্রদাতব্যমন্যায়পরিবর্জিতম্ ॥২৬॥
যতেৎ ব্রাহ্মণ পূর্বং হি ভোক্তুমন্নং গৃহী সদা। অবন্ধ্যং দিবসং কুর্য্যাদন্নদানেন মানবঃ ॥২৭॥
ভোজয়িত্বা দশশতং নরো বেদবিদাং নৃপ। ন্যায়বিদ্ধর্মবিদুষামিতিহাসবিদাং তথা ॥২৮॥
ন যাতি নরকং ঘোরং সংসারাংশ্চ ন সেবতে। সর্বকামসমাযুক্তঃ প্রেত্য চাপ্যশ্নুতে সুখম্ ॥২৯॥
এবং খলু সমাযুক্তো রমতে বিগতজ্বরঃ। রূপবান্ কীর্তিমাংশ্চৈব ধনবাংশ্চোপপদ্যতে ॥৩০॥

কংবম থোকপ পোৎশক অহুবু দেবতাশিং অমদি ব্রাহ্মণশিংদা দান তৌরবদি পাপ পুন্নমক্তগী কোকই ॥২২॥ হকচাংগী শক্তি (শারীরিক শক্তি) বু চাওখৎ-হেনগৎহল্লিবা অসি সংসারসিদা অন্নতননি। অহুনা, অন্নদান তৌরিবা মী মহাক অহুমকত্ন শারীরিক শক্তিমান (হকচাংগী পাঙল লৈবা) অহুম ওই। শক্তি অহুনা অনা অংেক লৈতনা সৎপুরুষ ওইবশিংনা চৎনরিবা লম্বীশিং অহুদা চত্নুনা পাপ পুম্বদগী কোকই ॥২৩॥ দাতা ওইবশিংনা হৌদোকলম্বা লম্বী অহুতদা অশিংবশিংনা চৎনৈ। অন্নদান হায়বসে, থাদৈশেংবদি প্রানদাননি। থরায় দান তৌবনি। অসিগুম প্রাণদান তৌবশিং অসি লৈবনা সনাতন সত্যধর্মগী চাওখৎপা। অমদি লৌশাং শীংমা লৈবা হায়বহু ওইরিবনি ॥২৪॥ তাইবং মীনা লৈরু লৈরুরিবা অবস্থাদা অয়ানবা, তৌহৈদবগী শরুক অমত য়াওদনা তান্নু-কংওুরিবা অন্ন অহু সৎপাত্রদা দান তৌগদবনি। মরমদি অন্নতনা থরায় পানবা জীব থুদিংমক্তী ভুংনকয়ি ॥২৫॥ অন্নদানবু তৌরবদি, তৌব্রিবা পাপ কর্মপুম্বহু নীওশিংওক্তুনা নরক তারুনি হায়বগী কিবহু থক তৌকম থোকজে। অহুনা ন্যায় চুম তান্নবা অন্নহু দান তৌগদবমক্তি ॥২৬॥ অহুনা গৃহস্থী থুদিংমক্তা তৌগদবদি হুমিং থুদিংগী অহানবদা অতিথি ব্রাহ্মণগী শরুক তমথোকপ্রগা, লেমহৌবহু লনাইগী শরুক ওইনা চাগদবনি। অন্নয়া অন্নদান তৌবতনা হুমিং থুদিংগী পুনশিবু মহৈ য়াশহনগদবনি ॥২৭॥ নিংথৌ! অহুতবা মী মহাক অহুনা বেদ, ন্যায়, ধর্ম, ইতিহাসপুরাণগী তত্ত্ববু খঙবা ব্রাহ্মণশিংদা অন্ন ভোজন কৎলবদি, মহাক অহু ফনা য়ায় শাথিয়বা, অকিবগী মশক কংলব নরকমক্তদা তারুগদবা লৈরবহু তাজে। লৈ লৈহুনা তৌল-কাওগী শা-উচেকী মপোকী চক্রদা অমুক হন্ন তারুজে। হন্নকী মপোক্তা নীংব পুন্নক থুহুনা, হেরেংমুকী মপোক্তহু স্বর্গগী হুংওাইবহু অহুম মকংওুরে ॥২৮-২৯॥ অহুনা অন্নদান তৌরবা মী মহাক অহুদি করিগুম মথলগী চিন্তা ঈতৌ তৌরদনা, নীওঙমদনা ঈমুতে হুংওাইহুনা পুনশি লেমবহু কংতি। মশক-মতৌ কুহু-কুমেন থোক্তুনা ধনবান ওইহুন। অকবা মিংচেৎ কৎহুনা লৈবা মীশক ওই ॥৩০॥ তমত

এতত্তে সর্বমা খ্যাতমন্নদান কলং মহৎ। মূলমেতত্ত্ব ধর্মাণাং প্রদানানাং চ ভারত ॥৩১॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যামনুশাসনপর্বনি দানধর্মপর্বনি সংসারচক্রে দ্বাদশাধিকশততমোঽধ্যায়ঃ ॥ × ॥ × ॥

—:(* :)—

শাগৈদা পোকপা নিংথৌ। ধর্ম-কর্ম, দান যজ্ঞ পুন্নমক্কী য়ুম্ফম অন্নদানতনা ওইবনি। অদুনা, ঐনা ঙসি অন্নদানগী মহৎ ওইবা ফল (মহৈ) শী নমমদা হান্নবসিনি ॥৩১॥

মকন অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোক লিশিং চামদা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা অনুশাসন পর্বদা সংসারচক্র কৌবা চামতরানীথোইতবা অধ্যায় লোইরে ॥ × ॥ × ॥

—:(*):—

মণিপুরী মহাভারত

এয়োদশাধিকশততমোঽধ্যায়ঃ

(বৃহস্পতিনা যুধিষ্ঠিরদা অহিংসা ধর্মগী তত্ব তাক্লম্লগা স্বর্গ ক্যাখিবগী মতাং)

চামতরাহুমদোইশুবা অধ্যায়

—:(•):—

যুধিষ্ঠির উবাচ

অহিংসা বৈদিকর্ম ধ্যানমিন্দ্রিয়সংযমঃ। তপোঽথ গুরুশুশ্রূষা কিং শ্রেয়ঃ পুরুষং প্রতি ॥১॥

বৃহস্পতিরুবাচ

সর্বাণ্যেতানি ধর্ম্যাণি পৃথগ্ দ্বারাণি সর্বশঃ। শৃণু সংকীর্ত্যমানানি ষড়েব পুরুষোত্তম ॥২॥

হন্ত নিঃশ্রেয়সকরং জন্তোরহং বক্ষ্যাম্যনুত্তমম্। অহিংসা পাশ্রয়ং ধর্মং যঃ সাধয়তি বৈ নরঃ ।৩।

ত্রীন্ দোষান্ সর্বভূতেষু নিধায় পুরুষঃ সদা। কামক্রোধৌ চ সংযম্য ততঃ সিদ্ধিম বাপ্নুতে ॥৪।

যুধিষ্ঠিরনা হংজি ঃ—ভগবন্। অহিংসা, বৈদিককর্ম, ধ্যান, ইন্দ্রিয়সংযম, তপস্যা অহুগা গুরুশুশ্রূষা (গুরুসেবা) হায়রুনা লৈরিবশিং অসিগী মন্নুংদা তাইবং মী ঐখোয়দা খ্বাইদগী হেন্না মঙ্গল পীনবা কর্মসি করিনা ওইকম থোকপগে? ॥১॥ বৃহস্পতিনা হায় ঃ—ভরতশাগেগী অথোইবা। হায়রিবা তরুক অসে, ধর্মগী পোক্লকমমক্তনি। মথোর খুদিংমক কারণ (মরম) অমমমদগী থোকখিবমক্তনি। তরুক অসিগী অমমমত ওইনা হায়গে তাও ॥২॥ ঐ হৌজিক, তাইবং মাগী মঙ্গল ওইবনবগী খ্বাইদগী অথোইবা উপায় অহ হায়গে। হিংসাগী শরুক য়াওদবা ধর্মগী কর্মবু পাঙথোকক্লুনা লৈবা, অহংকারনা তমহৎখিবা, মরায় কাবা, মীগশীংনবা, (য়েংখিনবা) দোষ অহুম অসিবু অতোপ অতোপ্প জীবপানবশিংদা লৈহনগা (থাজিনগা) কাম-ক্রোধবু নমহন্তুনা থন্নবদি সিদ্ধি (পোকপগী মহৈয়োনবা) হায়বহ্ মওইরে ॥৩-৪॥ * মশাগী স্বার্থত য়েংহনা, মশাগী নুংঙাইবা তানবদগী হিংসাককা তৌজনবা জীবদা চৈনা চৈন্থুপনা

• টীকা ঃ—শা-কৈদা লৈরিবা আত্মাসিগা তাইবং মীগী হকচাংদা লৈরিবা আত্মা ঐগা মশা অমতনি হায়বসি মুদ্রা বিচার তৌরগা, কাম, ক্রোধ হিংসানচিংবা লাকদবা পোৎশক পুন্নমকসি শা-কৈগী হকচাং লৈরিবা আত্মাসিদা অহুম পুনশিন্দুনা থমজিনথবদি তাইবং মীগী হকচাংদা লৈরিবা আত্মা ঐতোন্দা লৈহৌরয়োই। মীগী হকচাংদা লৈবা তোরনি। (কালাচাঁদ)

অহিংসকানি ভূতানি দণ্ডেন বিনিহন্তি যঃ।
আত্মনঃ সুখমন্বিচ্ছন্ স প্রেত্য ন সুখী ভবেৎ ॥৫॥
আত্মোপমস্তু ভূতেষু যো বৈ ভবতি পুরুষঃ।
ন্যস্তদণ্ডো জিতক্রোধঃ স প্রেত্য সুখমেধতে ॥৬॥
সর্বভূতাত্মভূতস্য সর্বভূতানি পশ্যতঃ।
দেবাঽপি মার্গে মুহ্যন্তি অপদস্য পদৈষিণঃ ॥৭।
ন তৎ পরস্য সংদধ্যাৎ প্রতিকূলং যদাত্মনঃ।
এষ সংক্ষেপতো ধর্মঃ কামাদন্যঃ প্রবর্ত্ততে ॥৮॥
প্রত্যাখ্যানে দানে চ সুখদুঃখে প্রিয়াপ্রিয়ে।
আত্মৌপম্যেন পুরুষঃ প্রমাণমধিগচ্ছতি ॥৯॥
যথা পরঃ প্রক্রমতেঽপরেষু তথাপরে প্রক্রমন্তেঽপরস্মিন্।
তথৈব তেষূপমা জীবলোকে যথা ধর্মো নৈপুণেনোপদিষ্টঃ ॥১০॥

ফুরিবা মী মহাক অদু ইহলোকত পরলোক অনীমক্তা মুঙাইবা শূককং ফংলোই ॥৫॥ জীব পানবা খুদিংমকপু মশামক্কি হায়না খন্দুনা (খঙহনা) কম্নিগুম্বা কনাগুম্বা জীব অমগী মশাদা চৈ থাদবা, মখোয়দা শাউপদবমক লৈরবসু মাহুব্ কাজিন্দুনা থম্লিবা মী মহাক অদুগী অপাম্বদু শিম্নবদুংদা মুংঙাইবগী মশকত ওইরবা হকচাংদা চঙখি ॥৬॥ অচং-চত্তা, লেঙিঙ পাম্নিবা পোৎ খুদিংমক্তা লৈম্নিবা আত্মাশিং অসি তাইবং মীগী হকচাংদা লৈম্নিবা আত্মা ঐ সিমক্কিকো হায়না খঙলিবা মী অদুনা চংলিবা শাঙং, হঙং-হন্দা কোয়চং চংপা কাওবা তৌদনা লৈম্নিবা জানী তাইবংদুগী গতি (কীবম) বু উম্নগা দেবতাশিং কাওবা তুমহংলি ॥৭॥ মশানা পামদবা, নশাদা অৱাবা ফংগদবা পোৎশক অমদি থবক অদো অতোপ্পা অমদসু থক পীরুসু, তৌরুসু। মসিনি, ধর্মগী অশম্বা লক্ষণ হায়বদু অসি নত্তবা অতৈ থবক্তি মশাগী ওইজবা তানবগীদমক্ত ওইবনি। মশাগী ওইজবা তানবদগীনি, কামক্রোধনচিংবা ধর্মগী পরিপন্থি (রেরুবা) মরাম মথং মথং পোকসল্লিবসি ॥৮॥ মীতোন্দা নিরুবা মতমদা পীরকপা পীরক্তবা (য়ারক্তবা), নুংশিরুবা চায়রুবা, অমনা চৈরবা-থাগৎলবা মতমদা নশাদা কাওম্নিবা মুংঙাইবা অদু অতোপ্পা অমগী মশাদসু কাওম্নিবনি হায়বসি কাউরোইদোবনি ॥৯॥ অতোপ্প অমদা আক্রমণ তৌরুরবদি, তাজা লাকপদা মহাকসু নতোন্দা আক্রমণ তৌরকনি। জগত্তা জীবজন্তুনা তৌনম্নিবসে নতোন্দা খুদম ওইবা পুক্নীং লৌশিং ওইনবা পীম্নিবনি উৎলিবনি হায়না খঙঙ্। অদুনা মরম ঈচা চাদনা মীতোল অমদা আক্রমণ থক তৌরুচু। অদুম হায়না য়াম্না শিংবা ধর্মগী উপদেশ পীনৈ ॥১০॥ বৈশম্পায়নবা হায়ঃ—নিংথৌ।

বৈশম্পায়ন উবাচ

ইত্যুক্ত্বা তু সুরগুরুধর্মরাজং যুধিষ্ঠিরম্। দিবমাচক্রমে ধীমান্ পশ্যতামেব নস্তদা ॥১১॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যামনুশাসন পর্বণি সংসারচক্রসমাপ্তো
ত্রয়োদশাধিকশততমোঽধ্যায়ঃ ॥ X ॥ X ॥

—ঃ(●)ঃ—

জনমেজয়! লাইরৈবাকী লাইশিংগী গুরু বৃহস্পতি অসি যুধিষ্ঠিরদা ধর্মগী তত্ত্বশিং অসি তাক্লগা ঐখোয় খাইগী মাঙমক্তদা উনা উনা স্বর্গলোকতা নোংমদোক্তা চঙখি (কাখি) ॥১১॥

মকম অসিদা শ্রীমহাভারতদা, শ্লোক লিশিংচামনা শ্রীব্যাসনা লেবা সংহিতাদা অনুশাসন পর্বদা, দানধর্ম পর্বদা সংসারচক্রগী চামতরাহুমদোইড়বা অধ্যায় লোইরে॥ X ॥ X ॥

—ঃ(✱)ঃ—

মণিপুরী মহাভারত

চতুর্দশাধিকশততমোঽধ্যায়ঃ

(হিংসা অমসুং মাংসভক্ষণ (শা-ঙা চাব) গী নিন্দা)

চামতরামরিশুবা অধ্যায়

—ঃ(*)ঃ—

বৈশম্পায়ন উবাচ

ততো যুধিষ্ঠিরো শরতল্পেপিতামহম্ । পুনরেব মহাতেজাঃ প্রপচ্ছ বদতাং বরঃ ॥১॥

যুধিষ্ঠির উবাচ

ঋষয়ো ব্রাহ্মণা দেবাঃ প্রশংসন্তি মহামতে । অহিংসালক্ষণং ধর্মং বেদপ্রামাণ্যদর্শনা ॥২॥

কর্মনা মনুজঃ কুর্বন্ হিংসাং পার্থিবসত্তম । বাচা চ মনসা চৈব কথং দুঃখাৎপ্রমুচ্যতে ॥৩॥

ভীষ্ম উবাচ

চতুর্বিধেয়ং নির্দিষ্টা হ্যহিংসা ব্রহ্মবাদিভিঃ । একৈকতোঽপি বিভ্রষ্টান ভবত্যরিসূদন ॥৪॥

যথা সর্ব্বশ্চতুষ্পাৎ বৈস্ত্রিভিঃ পাদের্নতিষ্ঠতি । তথৈবেয়ং মহীপাল কারণৈঃ প্রোচ্যতেত্রিভিঃ ॥৫॥

বৈশম্পায়ননা হায়ঃ—নিংথৌ । জনমেজয় ! বৃহস্পতিনা চৎথরব তুংদা রাজাত্ হৈয়বা যুধিষ্ঠিরনা ভেলগী কমুংথক্তা হীগুনা লৈরিবা মবুথৌ ভীষ্মদা মথং হংবা হৌরকই ॥১॥ যুধিষ্ঠিরনা অসুম্না হংজকই ঃ— মহাজ্ঞানী ঈবুথৌ । দেবতা, ঋষি অমদি ব্রাহ্মণশিংনা বেদ প্রমাণ অতুগা বৈদিক নিয়মগী মতুংইন্না অহিংসা কৌবা ধর্ম অসিবু প্রশংসা তৌই। থাগৎনৈ । ঈবুথৌ ! ঐনা হংজরিবদি অসিনি, মাহুদি করিনো হায়বদা পূক্নীংনা, বাহৈনা, থবক্না তৌবা হিংসাশিংসিগী দোষ অহু কোক্নব করি করি উপায় লৈবগে ? ॥২-৩॥ ভীষ্মনা হায়ঃ—ব্রহ্মবাদী ওইবশিংনা হায় মাহুদিঃ—পূক্নীংনা, বাহৈনা, থবক্না মারিবমথৈ হিংসা তৌদবা, হায়বদি পূক্নীংনা তৌবা হিংসা, বাহৈ বাতাজনা তৌবা হিংসা, থবকথোক্না তৌবা হিংসা, শা ঙা চাবগী হিংসা, হিংসা মখল মরি অসি তৌদনবতা হোৎনগদবনি । হায়রিবা মরি অসিদগী মনুংদা অমতং হেক বাংপদা অহিংসা ধর্মবু মপুংফানা পালন তৌরে. তাক্লে হায়বা য়াদে ॥৪॥ নিংথৌ ! লৈপাকী মপু । মখোঙ মরি পানবা শল শগোয়রিবা শানা মখোঙ অহমদা চংপা, লেম্না য়াদবহুত্না শক্লক অমতং রাংপা অহিংসাদো অহিংসা ধর্মনি হায়বা য়াদে ॥৫॥

যথা নাগপদেহ্যানি পদানি পদগামিনাম্। সর্বাণ্যেবাপিধীয়ন্তে পদজাতানি কৌঞ্জরে ॥৬॥
এবং লোকেঘহিংসা তু নির্দিষ্টা ধর্মতঃ পুরা। কর্মনা লিপ্যতে জন্তুর্বাচা চ মনসাপি চ ॥৭॥
পূর্বং তু মনসা ত্যক্ত্বা তথা বাচাথ কর্মণা। ন ভক্ষয়তি যো মাংসং ত্রিবিধং স বিমুচ্যতে ॥৮॥
ত্রিকারণং তু নির্দিষ্টং শ্রূয়তে ব্রহ্মবাদিভিঃ। মনো বাচি তথাস্বাদে দোষা হ্যেষু প্রতিষ্ঠিতাঃ ॥৯॥
ন ভক্ষয়ন্ত্য তো মাংসং তপোযুক্তা মনীষিণঃ। দোষাংস্তু ভক্ষণে রাজন্ মাং সন্তেহ নিবোধমে ॥১০॥
পুত্রমাং সোপমং জানন্ খাদতে যোঽবিচক্ষণঃ। মাংসং মোহসমাযুক্তঃ পুরুষঃ সোঽধর্মঃ স্মৃতঃ ॥১১॥
পিতৃ মাতৃ সমাযোগে পুত্রত্বং জায়তে যথা। হিংসাং কৃত্বাবশঃ পাপো ভূয়িষ্ঠং জায়তে তথা ॥১২॥

রসং চ প্রতিজি হ্বয়া জ্ঞানং প্রজায়তে যথা।
তথা শাস্ত্রেষু নিয়তিং রাগোহ্যাস্বাদিতাৎ ভবেৎ ॥১৩॥

শামুগী মখোঙ খোজন্দা, অতৈ অতৈ জীবগী খোঙ্গল পুম্বা থুপখিবা-মাঙখিবহৃঙুমা, হায়রবদি হায়রিবসিগী প্রমাণদা ধর্ম অতৈ পুম্নমক অহিংসা কৌবা-ধর্মগী মহুংদা লোইবা চঙঙ্গে-থুপঙ্গে। অহুম হায়না লেপ্পপ্রবনি ॥৬॥ পুক্কীংনা ওইরবস্‌, বাহৈ-বাঙাঙনা ওইরবস্‌ নত্রগা থবক্তা ওইরবস্‌ জীব হায়বসিনা হিংসাগী থবক অমদি অহুম মতৌরবদি। অদুবু মথক্তী হায়রিবা দোষ অহুম অসে, মাংসভক্ষণ তৌদবা, শা-ঙা হাত্নুনা চাদবা হায়বা অহিংসাগী ধর্মসিমক্তগী আচরণনা অহুম মকোকপ্নে ॥৭-৮॥ ব্রহ্মবাদী ওইবা মহাত্মাশিংনা হিংসাগী মরুওইবা কারণ অহুম পী। পুক্কীংদা শা চাবগী অপাম্বা (বাখল) পোক্কপা, বাহৈনা মীঙোন্দা শা চাও (চাগদবনি) হায়না পাউতাক পীবা, অহুগা অমনা, মশামক্তা (থবক থোক্না) শা চাবগী মহাও লৌবা হায়রিবা অহুম অসি হিংসাগী দোষ লঙজবগী কারণনি ॥৯॥ মরম অসিনা, করিঙম্বা ব্রততপস্যা অমদা পুক্কীং চঙহৃনা লৈবা অশিংবনা মাংস শীজিন্নদে (শা চাদে)। নিংথৌ! মাংসভক্ষণদা লৈরিবা দোষশিং অদো, ঐ হায়গে তাও ॥১০॥ মশাগী হকচাংদা রাওরিবা ঊনাই লুতোংগী মপৈ (মাংসপিণ্ড) অহুগা অতৈ জীবশিংগী মশাদা রাওরিবা ঊনাই লুতোংহৃগা করিমতা খেন্নবা লৈতে হায়বসি খঙনা-খঙনা মাংসভক্ষণ তৌরিবা (শা চারিবা) মী মহাক অহু নরাধম (রাম হৃদপ্রবা মী) নি ॥১১॥ পিতাগা মাতাগা অনীগী সংসর্গ (তিন্ন-খোৎনবা) দগী মচাগী উৎপত্তি (পোকপা) হায়বহৃ ওইপ্রবহৃঙুমা হিংসা তৌরবদি, হিংসা তৌরিবা পাপী অহু হল্লা হল্লা পাপযোনিশিংদা চঙ-চঙহৃনা পোকপা তাই ॥১২॥ লৈতোন্দা রস (মহাও) গী জ্ঞান হেক পোকখিবদা মহাও অহুনা অহুম হৈনখিহৃনা থাদোকপা ঙমদবহৃঙুমা মাংসগী মহাও খিঙং হেক খঙখিবদা মাদোমদা আসক্তিহৃ অহুম লৈথি। সংসারগী বিষয়দা হৈনবা পোকপ্রবদি পাক থাদোকপা ঙমদে। মসিবু বিষয়দা আসক্তি লৈবা কৌই হায়না শাস্ত্রদা হায়রি ॥১৩॥

সংস্কৃতাসংস্কৃতাঃ পক্কা লবণা লবণা তথা। প্রজায়ন্তে যথা ভাবস্তথা চিত্তং নিরুধ্যতে ॥১৪॥
ভেরীমৃদঙ্গশব্দাংশ্চ তন্ত্রীশব্দাংশ্চ পুষ্কলান্। নিষেবিষ্যন্তি বৈ মন্দামাংসভক্ষাঃ কথং নরাঃ ॥১৫॥
পরেষাং ধনধান্যানাং হিংসকাস্তাবকাস্তথা। প্রশংসকাশ্চমাংসস্য নিত্যং স্বর্গে বহিষ্কৃতাঃ।
অচিন্তিতমনির্দিষ্টমসংকল্পিতমেব চ। রসগৃদ্ধ্যাভিভূতা যে প্রশংসন্তি ফলার্থিনঃ ॥১৬॥
ভস্ম বিষ্ঠা কৃমির্বাপি নিষ্ঠা যস্যেদৃশী ধ্রুবা। সকায়ঃ পরপীড়াভিঃ কথং ধার্য্যোবিপশ্চিতা।
প্রশংসা হ্যেব মাংসস্য দোষকর্মফলান্বিতা ॥১৭॥
জীবিতং হি পরিত্যজ্য বহবঃ সাধবো জনাঃ। স্বমাংসৈ পরমাংসানি পরিপাল্য দিবং গতাঃ। ১৮॥

হীং মেথী জিরানচিংবা মঙ্গ-মপ্পাং (মসলা) হাপ্তুনা থোংথিবা য়েঙ্গাং অহুগা ঊচম চম্না থুম-মোরোক থরদং থাদরগা থোংবা য়েঙ্গাং অহুগা করিগুম্বা অমত হাপ্তুনা থোংবা (চম্ফুৎ) য়েঙ্গাং অসিনচিংবা ভোজাল-ভোজানবা মওংদা হৈনথিবহু অহুম হৈনথি, পাক থাদোকপা ঙমদে। অসিনি মাংসাহারীশিংনা মাংসভক্ষণবু (শা চাববু) থাদোকপা ঙমত্রিবসি ॥১৩॥* নমথরিবা মাংস চাবা পাপীনা পুংশেল যন্ত্রগী মথোয়া থম্নবা স্বর্গগী হৈ-লৈগী ছুংশিন্নবা মনমনা থম্নবা মকমহুদা করম্না য়োক্লগদৌরিবনো? স্বর্গগী ওয়-তৈনবা নরকতা অহুম তারুম্নগদবনি ॥১৫॥ অতোপ্পা অমগী মরল-মথুম্বু মাঙহনবা অহুগা মাংস (শা) চাবগী পম্নদা য়াওলিবা মথোয়হু স্বর্গ কারুবস্নু ঈষ্ট্যোয়কনি। কন্নবা যোনিদা তারকনি, পোক্লগনি মাংস চাবগী মহাও থওপ্রবশিং অহুনা অতৈ অতৈবুম্নু চাহনগদবগী মাংসভক্ষণবু য়াম্না থাগৎলি, কাম্নবা উৎলি। অহুগুম্বা মিথ্যাপ্রচার তৌবশিং অহুনা ফংথিগদৌরিবা গতি (মকম-পোকফম) চীনমক্লা হায়বা ফোঙদোকপা ঙমদে। মথোয়হু করম করম্বা মপোক্তা পোক্লগদগে হায়বহু পূক্নীংনা কাওবা লাম্ন ফংদে ॥১৬॥ শিরবা তুংদা মথোয়গী মশা (হকচাং) অহু চিতাদা থাংগত্তুনা থরনা উৎ ওইহুনা মাঙথি, শরু-তারু থরনা লাওজা ফাক লমহুইগী চীক্লাক ওইথিহুনা হিংসা তৌবা শা-উচেকশিংহুগী অমাংবা (থী-হুৎ) ওইহুনা লৈথি। মৈ থাদহুনা লংথোকপ্রবম্নু তীল-কাও হুলনচিংবগী চীক্লাক ওইথি। হায়রিবা মহৈ অহুম অসি শোম্মদনা থোকদবা লৈরবা অহুগুম্বা হকচাংবু, অতোপ্পা অমগী মশাদা অন্নাবা পীহুনা করম্বা জ্ঞানীনা য়োকথত্তুনা থমগদগে? মাংসভক্ষণ (শা চাবা) মীবু প্রশংসা তৌবহুমক পূক্নীং থৌগৎপহুমক পাপকর্মগী মহুং চান্নি ॥১৭॥ উশীনর, শিবিনচিংবা মশাগী ওইজবা থাদোকপা রাজর্ষিশিংনা অতোপ্পা জীববু কম্নবগী মশাগী থরায়, হকচাংগী শদুম অহু কাওবা কক ককুনা পীথোক্লম্নগা স্বর্গ কাথি ॥১৮।

---

* টীকা—মূলা ভলকা (কানি) দা হৈনথিবস্নু মু-কাবিনচিংবহু ফংদবদগী ককওাওনহুনা শিবফাওবা য়াওনরি। আসক্তি হায়বগী শক্তিসি অসিকাওবা কন্নি। অহুম্না ভীষ্মনা তাকপিরি। (কালাচাঁদ)

একমেবা মহারাজ চতুর্ভিঃ কারণৈ র্বৃতা। অহিংসা তব নির্দিষ্টা সর্বধর্মানুসংহিতা ॥১৯॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যামনুশাসন পর্বনি দানধর্ম পর্বনি মাংসবর্জ্জনক-থনে চতুর্দশাধিকশততমোঽধ্যায়ঃ ॥ × ॥ × ॥

—:(*):—

মহারাজ। উপায় মরিনা তাকপা য়াবা অহিংসা কৌবা ধর্মগী মরমদা হায়রবনি। হায়রিবা অহিংসা কৌবা ধর্মসে ধর্ম খুদিংমক্তা লংবা ফিদা চঙ্চনা লৈবক্তম লৈব্রিবনি ॥১৯॥

অমম অদিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোক লিশিং লিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা অনুশাসন পর্বদা দানধর্ম পর্বগী মচুংদা মাংসভক্ষণনিন্দাগী চামতরামরিগুবা অধ্যায় লোইরে ॥ × ॥ × ॥

—:(*):—

মণিপুরী মহাভারত

পঞ্চদশাধিকশততমোঽধ্যায়

(শা চাবা মু থকপগী দোষ অমুগা থাদোকপগী কান্নবা তাকপা)

চামতরামঙাশুবা অধ্যায়

—:(*):—

যুধিষ্ঠির উবাচ

অহিংসা পরমো ধর্ম ইত্যুক্তং বহুশস্ত্বয়া। অতো নঃ সংশয়ো ধর্মে মাংসস্য পরিবর্জনে।

দোষো ভক্ষয়তঃ কঃ স্যাৎ কশ্চাভক্ষয়তোগুণঃ ॥১॥

হত্বা ভক্ষয়তো বাপি পরেণোপহৃতস্য বা। হন্যাৎ বা পরস্যার্থে ক্রীত্বা বা ভক্ষয়েন্নরঃ ॥২॥

এতদিচ্ছামি তত্ত্বেন কথ্যমানং ত্বয়ানঘ। নিশ্চয়েন চিকীর্ষামি ধর্মমেতং সনাতনম্ ॥৩॥

কথমায়ুরবাপ্নোতি কথং ভবতি সত্ত্ববান্। কথমব্যঙ্গতামেতি লক্ষণ্যো জায়তে কথম ॥৪॥

ভীষ্ম উবাচ

মাংসস্যাভক্ষণাৎ রাজন্ যো ধর্ম কুরুনন্দন। তন্মে শৃণু যথা তত্ত্বং যথাস্য বিধিরুত্তমঃ ॥৫॥

যুধিষ্ঠিরনা হায়:—ঈবুধৌ। ঈবুধৌনা য়াম্না তোয়না অহিংসা ধর্ম হায়বসিনা অখোইবা ধর্মনি হায়না তাকপিরে। মাংস চাববু থাদোকপা হায়বসিমকী মরমদা ঐগী চিংনবা অমা লৈরে। মাংস চাবগী অমাঙবা, চাদবগী কান্নবা তোংঙবা অসি করিনো ? ॥১॥ মশামক্না শা হাত্তুনা চাবা, অতোপ্পা অমগীদমক্তা চাবা (চাবিবা), অমুগা অতোপ্পা অমনা চাজনবগীদমক্তা হাৎপা অমুগা অমনা হাৎলবমু লৈহনা চাবা, মখোয়শিং অসিনা তোঙাল তোঙান্না কংগদবা দণ্ড (দণ্ডি) অমু করি করিনো ? ॥২॥ পাপকী শরুক কম্বিমত য়াওদ্রবা ঈবুধৌ! হৌজিক হংগচ্চরিবসে ঐনা য়াম্না মুন্না থঙজনীংলবা বিষয় অমনি। ঐ অহিংসা হায়বা সনাতন ধর্ম অসি য়াম্না তত্ত্ব থওনা ঙাকচনীঙিঙ ॥৩॥ তাইবং মীনা পুন্সি শানা, পাঙল কল্লা হকচাং কান্নাৎ পুংয়ান চানা অশোয়-অঙাম য়াওদনা অকবা লক্ষণ পুম্নমক্না ভিন্দুনা লৈবসি করি করম তৌরগা ওইবা য়াগদগে ? ॥৪॥ ভীষ্মনা হায়:—নিংথৌ! কুরুনন্দন! মাংস চাদবদা কবা ধর্ম অমদি মাহুগী মহৈদো অমুগা অহিংসা ধর্মসিবু ঙাক্লবগী বিধিদো অমুম্ থওঙ্ ॥৫॥

রূপমব্যক্ততামায়ুর্বুদ্ধিংসত্ত্ব- বলং স্মৃতিম্ । প্রাপ্তুকামৈর্নরৈ হিংসা বর্জিতা বৈ মহাত্মভিঃ ॥৬॥
ঋষীণামত্র সংবাদো বহুশঃ কুরুনন্দন । বভুব তেষাং তু মতংযৎ তচ্ছৃণু যুধিষ্ঠির ॥৭॥
যো যজেতাশ্বমেধেন মাসি মাসি যতব্রতঃ । বর্জয়েন্মধু মাংসং চ সমমেতৎ যুধিষ্ঠির ॥৮॥
সপ্তর্ষয়ো বালখিল্যাস্তু থৈব চমরীচিপাঃ । অমাংসভক্ষণং রাজন্ প্রশংসন্তি মনীষিনঃ ॥৯॥
ন ভক্ষয়তি যো মাংসং ন চহন্যান্ন ঘাতয়েৎ । তন্মিত্রং সর্বভূতানাং মনুঃ স্বায়ম্ভুবোঽব্রবীৎ ॥১০॥
অধৃষ্যঃ সর্বভূতানাং বিশ্বাস্যঃ সর্বজন্তুষু । সাধূনাংসম্মতো নিত্যং ভবেন্মাংসং বিবর্জয়ন্ ॥১১॥
স্বমাংসং পরমাংসেন যো বর্ধয়িতুমিচ্ছতি । নারদঃ প্রাহ ধর্মাত্মা নিযতং সোঽবসীদতি ॥১২॥
দদাতি যজতে চাপী তপস্বী চ ভবত্যপি । মধুমাংসনিবৃত্ত্যেতি প্রাহ চৈব বৃহস্পতিঃ ॥১৩॥
মাসি মাস্যশ্বমেধেন যো যজেত শতংসমাঃ । ন খাদতি যো মাংসং সমমেতন্মতং মম ॥১৪॥
সদা যজতি সত্রেণ সদা দানং প্রযচ্ছতি । সদা তপস্বী ভবতি মধুমাংসবিবর্জনাৎ ॥১৫॥

শক-চু কজনা, পুংয়ান চাবা. পুনশি ভোলোইবা, নীংখিবা রাখল (বুদ্ধি) শা লোয়ননা. হকচাংগী পাঙল, নীংশিংবগী শক্তিগা লোয়ননা হিংহনা লৈনিংবা মহাত্মাশিংনা হিংসাগী থবক অসে পুমথা থাদোকনৈ ।৬॥ কুরুনন্দন ! যুধিষ্ঠির ! বিষয় অসিদা মমাংভৈদগী মুনি ঋষিশিংনা কয়ারক হয়া হনা খুমহনা য়েৎনহনা লোইনপ্রবনি । য়ারেপপ্রবনি । মখোয় শাস্ত্রকারশিংনা লেপখিবা য়ানখিবা সিদ্ধান্ত অদো, হায়গে, তাও ॥৭॥ যুধিষ্ঠির ! নিয়ম নাইনা ব্রত পালন তৌহনা থা-থা খুদিংগী অশ্বমেধ যজ্ঞগী অনুষ্ঠান তৌবগা মু অমদি মাংসভক্ষণ (শা চাবা) থাদোকনা নিরামিষ ভোজন তৌবগা অনী অসিগী ভোঙাল তোঙানবা মহে লৈ ॥৮। নিংথৌ ! সপ্তর্ষি অমদি বাল্যখিলশিংনা অহুগা মমিংকী মঙালত থকপা মহর্ষিশিংবা মাংস থাদোকপগী গুণ অমদি মহিমা অদো ভত্তনা শীংথাহনা লৈথি ॥৯॥ স্বায়ম্ভুব মনুনা হায়রম্মী শা হাত্তুনা মাংস চাদবা, কয়িগুম্বা জীব অমদা হিংসা তৌদবা মী মহাক অদো, অচচ্ছত্ত জীব পুম্নমকী মিত্র (চায়প্রবা মরূপ) ॥১০॥ মাংসভক্ষণ (শা চাবা) বু থাদোকলিবা মহাক অহবু কনাগুম্বা কয়িগুম্বা প্রাণী (জীব) অমতনা নিন্দা তৌদে। অহোয়নহুম থাগৎলি । জীব খুদিংমকী বিশ্বাসপাত্রনি (থাজনীওয়ায়নি । মীথোই মীহেনবা জানীশিংনা মহাকপু সম্মান তৌই (ইকাইখুম্মে) ॥১১॥ অতোপ্পা জীবগী মাংসনা মহাক মশাগী মাংস (হকচাং শদুম) বু য়োকখৎকে-চাওখৎহনগে খল্লিবা হোৎনরিবা মহাক অহু খুদক্তা অরাব ত কংত্তি হায়না নারদনা হায়খিবা অমা লৈ ॥১২॥ বৃহস্পাতিনা অসুম্না হায়খিঃ—মাংস চাদবা মী মহাক অহুদি দান, তপস্যা, যজ্ঞ মথল মথল তৌবগী মহেশিং অদো মথন্তনা পুরূপ কংত্তি ॥১৩॥ চহী চাম চুপ্পা, থা খুদিংগী অশ্বমেধ যজ্ঞমু তৌরিবা মহাক অহুনা কংবা মহে অহু, চপচানা চপ মায়না মাংস চাদবা মহাক অহুনসু অহুম কংত্তি ॥১৪॥ মদ্যপান (যুখকপা), মাংসভক্ষণ (শা চাবা) বু থাদোকুনা যজ্ঞ তৌরিবা মী মহাক অহু, মুমিৎ খুদিং অহিং-মুমখিন্দা তপস্যা তৌহনা লৈরিবা মীশরি ॥১৫॥

সর্বে বেদা ন তৎ কুর্য়্যুঃ সর্বে যজ্ঞাশ্চ ভারত। যো ভক্ষয়িত্বা মাংসানি পশ্চাদপি নিবর্ত্ততে ॥১৬॥
দুষ্করং চ রসজ্ঞানে মাংসস্য পরিবর্জনম্। চর্তুং ব্রতমিদং শ্রেষ্ঠং সর্বপ্রাণ্যভয়প্রদম্ ॥১৭॥
সর্বভূতেষু যো বিদ্বান্ দদাত্যভয়দক্ষিণাম্। দাতা ভবতি লোকে চ স প্রাণানাং নাত্র সংশয়ঃ ॥১৮॥
এবং বৈ পরমং ধর্মং প্রশংসন্তি মনীষিনঃ। প্রাণা যথা স্মনোঽভীষ্টা ভূতামনামপি বৈ তথা ॥১৯॥
আত্মোপম্যেন মন্তব্যং বুদ্ধিমদ্ভিঃ কৃতাত্মভিঃ। মৃত্যু তো ভয়মস্তীতি বিদুষাংচ্ছিতাম ॥২০॥
কিং পুনর্হন্যমানানাং তরসা জীবিতার্থিনাম্। অরোগানামপাপানাং পাপৈর্মাংসোপজীবিভিঃ ॥২ ॥
তস্মাৎবিদ্ধি মহারাজ মাংসস্য পরিবর্জনম্। ধর্মস্যায়তনং শ্রেষ্ঠং স্বর্গস্য সুখস্য চ ॥২২॥
অহিংসা পরমো ধর্মস্তথাহিংসা পরং তপঃ। অহিংসা পরমংসত্যং সতোধর্মঃ প্রবর্ত্ততে ॥২৩॥
নহি মাংসং তৃণাৎকাষ্ঠাদ্ উপলাৎবাপি জায়তে। হত্বা জন্তুং ততো মাংসং তস্মাৎ দোষস্ত ভক্ষণে। ২৪॥

অহানবদদি শা-ঙা চায়রবস্যু তুংদা তাব তারক্‌না থাদোক্লিবা মহাক অদু মহাপুণ্য চেন্নবা কম কংতি। মহে অদুদি বেদবু খণ্ডবা নৈনবা, যজ্ঞ তৌবশিংনমকস্যু কংদে ॥১৬॥ মাংসগী মহাওবু লৌরবা তুংদা, মহাওদুদা লৈথিবা অপাম্বা (চানীংবা) পুম্নমক্‌ থাদোক্‌না, জীব খুদিংমক্তা অভয়দান (কিদবা-দুংশো থীহন্দবা পীবা) গী মশক ওইবা খ্বাইদগী অহেনবা ধর্ম অসিবু আচরণ তৌরকপা হায়বসি তরাই তরাইবা থবক নত্তে ॥১৭॥ জীব খুদিংমক্তা অভয়দান তৌরিবা মী অদু প্রাণদান তৌরিবা মীনি হায়না লৌনৈ ॥১৮॥ অসুম হায়না অশিংবা জ্ঞানীশিংনা "অহিংসা পরমো ধর্মঃ" হায়না ধর্মসিবু থাগৎনৈ। তাইবংমী ঐখোয়না থবায় (প্রাণ) বু খ্বাইদগী নুংশিজবা পাম্মুবা পোৎশক অম ওইনা থম্বদুগুম্না জীব অতৈ অতৈস্যু মাগী মাগী প্রাণ (থবায়) বু থমজয়িবনি ॥১৯॥ অদুনা বুদ্ধিমান পুণ্যাত্মা ওইবা মীনা তৌগদবা হায়ববু, জীব খুদিংমকপু মশামক্কি হায়না খনবা অসিনি। মসি তৌগদবমক্কি। মশাগী পুনশিদা কল্যাণ (মঙ্গল) ওইববু পামজবা, অকবা থবকত তৌদুনা লৈনিংবা মী কাঙবা মৃত্যু (শিবা) হায়বসিবু য়াম্না কি। অদুনদি মরাল লৈজদবা, হিংদুনা কুইনা লৈনিংবা জীবশিংনা জীবশিংগী মাংসবু পামদুনা জীববু হাৎলিবা, মাদুনা জীবিকা ওইরিবা মীশক অদুবুদি মখোয়না কৈদৌবা কিরোই ? ॥২০-২১॥ মরম অসিনা, নিংথৌ। মাংসবু থাদোকপা হায়বসিতনা ধর্ম, স্বর্গ অমদি নুংঙাইবা হায়বদুগী তুংনকম ওই হায়বসি খঙজিনগদবনি ॥ ২॥ অহিংসাতনা অখোইবা ধর্মনি, অহিংসাতনা অখোইবা ধর্মনি, অহিংসানা অখোইবা তপ (তপস্যা) নি, অহিংসাতনা অখোইবা তত্ত্বনি। মরমদি ধর্ম পুম্নমক্কী হৌকমসি অহিংসাতনা ওই ॥২৩॥ নাপীদা, উদা, নুংদা মাংস লৈতে। মখোয়সিদগী মাংস পোক্তে। মাসি জীববু হাৎলব মতমদুদা প্রত্যক্ষ ওইনা থজিঙ। মরম অদুবু মাস (শা) বু চাব হায়বসিদা চাউরবা দোষ অম লৈ ॥২৪॥

স্বাহাস্বধামৃতভুজো দেবাঃ সত্যার্জব প্রিয়াঃ। ক্রব্যাদান্ বিদ্ধি জিহ্মানৃতপরায়ণান্ ॥২৫॥
কান্তারেষথ ঘোরেষু দুর্গেষু গহনেষু চ। রাত্রাবহনি সংধ্যাসু চত্বরেষু সভাসু চ ॥২৬॥
উদ্যতেষু চ শস্ত্রেষু মৃগব্যাল ভয়েষু চ। অমাংসভক্ষণে রাজন্ ভয়মন্ত্যৈর্ন গচ্ছতি ॥২৭॥
শরণ্যঃ সর্বভূতানাং বিশ্বাস্যঃ সর্বজন্তুষু। অনুদ্বেগকরো লোকে ন চাপ্যুদ্বিজতে সদা ॥২৮॥
যদি চেৎ খাদকো ন স্যান্ন তদা ঘাতকো ভবেৎ। ঘাতকঃ খাদকার্থায় তং ঘাতয়তি বৈ নরঃ ॥২৯॥
অভক্ষ্য মেতদিতি বৈ ইতি হিংসা নবর্ত্ততে। খাদকার্থমতো হিংসা মৃগাদীনাং প্রবর্ত্ততে ॥৩০॥
যস্মাৎ গ্রসতি চৈবায়ুর্হিংসকানাং মহাদ্যুতে। তস্মাৎ বিবর্জয়েন্মাংসং য ইচ্ছেৎ ভূতিমাত্মনঃ ॥৩১॥
ত্রাতারং নাধিগচ্ছন্তি রৌদ্রাঃ প্রানিবিহিংসকাঃ। উদ্বেজনীয়া ভূতানাং যথা ব্যালমৃগস্তথা ॥৩২॥

স্বাহা (দেবযজ্ঞ) অমসুং স্বাধা (পিতৃযজ্ঞ-পিতৃতর্পণ) গী অনুষ্ঠান তৌদুনা যজ্ঞদগী লোয়রহোবা অমৃতশেষবু চাদুনা, অচুম্বতদা ঈচম চম্না লৈরিবা অমদি লৈবা পামজরিবা মী মহাক অদো দেবতা (লাঈ) মনি। অমসুং মপুন্নীং শেংদবা, মরিল চুমদবা, ওইদবত ঙাঙবা অমসুং মথক্তা মাংসভক্ষণ তৌরিবা (শা চারিবা) মহাক থাজলেংবা হিংচাবনি, রাক্ষসনি ॥২৫॥ নিংথৌ ! মাংস (শা) চাদবা মীদি খুদোং থীরা-থীরবা মফমদা, অকিবগী মফম কংলবা, পাক চওমদবা অশোঙবা মফমশিংদা, অয়ুক-নুংথিল-অমম্বা অহিংদা, লম্বী ইংথাংদা, সভাদা, কনাগুম্বা করিগুম্বা অমগী মফমদগী মহাকী অকিবা করিমত লৈতে। মাগী মথক্তা খুৎলায় থাংগৎলক্লবসু অমসুং হিংসা তৌবা শা-কৈ অমদি মহুপুরবা লিলনা আক্রমণ তৌরবসু মশাদা অকিবগী মরীক অমত কাওদে ॥২৬-২৭॥ অসিত নত্তে, মহাক্তি জীব পুম্নমক্তা চঙজকম পীরিবা, জীব খুদিংমকী চান্নবা মরূপনি। খ্বাই পুম্নমকী থাজনফম ওইবা মীশক্তি। সংসারদা করিগুম্বা কনাগুম্বা অমতনা মাবু মিপাইহনবা ঙমদে। অমসুং মহাক্নসু কনাগুম্বা অমত্তবু মিপাইহন্দে থুগৎহন্দে ॥২৮॥ মাংস চাদবা মী অমত লৈরমত্রবদি, হিংসা তৌবা শা ঙানসু অমত লৈরম্লোইদৌবনি। মরমদি মাংস চাবশিংগীদমক্তা, শাদানবা শা-উচেক হাৎপশিংনা শা-উচেক হাৎলিবনি ॥২৯॥ মাংস চাববু তৌহৈদবনি খন্দুনা-খঙদুনা, মী পুম্নমক্না মাহুবু থাদোক্লবদি শা-উচেক হাৎপা হায়বা কত্রবা থবক অসিমক সংসারদা লৈপ্ররোই। পশুহত্যা (শা হাৎপা) হায়বসি মশানা অমুম থকচপ্রগদৌবনি। মরমদি মাংস চাবশিংগীদমক্তা শা হাৎনরিবনি ॥৩০॥ তেজকল্লবা নিংথৌ ! হিংসা তৌবা মীগী পুনশিবু মহাক্না তৌরিবা হিংসাসুমকী পাপনা অমুম কৈথৎলি। অদুনা আয়ুষ্মান (পুনশিশাংনা লৈনিংবা), মশাগী মঙ্গল ওইবত পামজবশিংনা মাংস চাববু থাদোকদবনি ॥৩১॥ শা-উচেক হাৎপা হিংসকশিংনা সিকার চৎলিবা মফম অদুদা শা-উচেকশিং অদুনা মথোয়বু ঙাকপি-কনবিরবা অমত কংদবা অমসুম্না, শা-উচেকশিংগী মফমদা মিপাইনফম ওইবা অকিবগী মশক ওইবা মীশিংসু হুরেল্লুকী মগোক্তা. মথোয়গীসু অবাবা খুদোংথীনিংঙাই ওইবা মতমদা মথোয়বু কনবীনিংঙায় ওইবা মীশক অমত থিবা ফংতোই ॥৩২॥

লোভাদ্বা বুদ্ধিমোহাদ্বা বলবীর্য্যার্থমেব চ। সংসর্গাদথ পাপানামধর্মরুচিতা নৃণাম্ ॥৩৩॥
স্বমাংসং পরমাংসেন যো বর্দ্ধয়িতুমিচ্ছতি। উদ্বিগ্নবাসো বসতি যত্র যত্রাভিজায়তে ॥৩৪॥
ধন্যং যশস্যমায়ুষ্যং স্বর্গ্যং স্বস্ত্যয়নং মহৎ। মাংসস্যাভক্ষণং প্রাহুর্নিয়তাঃ পরমর্ষয়ঃ ॥৩৫॥
ইদন্তু খলু কৌন্তেয় শ্রুতমাসীৎ পুরা ময়া। মার্কণ্ডেয়স্য বদতো যে দোষা মাংসভক্ষণে ॥৩৬॥
যো হি খাদতি মাংসানি প্রাণিনাং জীবিতৈষিণাম্। হতানাং বা যথা হন্তা তথৈব সঃ ॥৩৭॥
ধনেন ক্রায়িকো হন্তি খাদকশ্চোপভোগতঃ। ঘাতকো বধবন্ধাভ্যামিত্যেষ ত্রিবিধো বধঃ ॥৩৮॥
অখাদন্নুমোদংশ্চ ভাবদোষেণ মানবঃ। যোঽনুমোদতি হন্যন্তং সোঽপিদোষেণ লিপ্যতে ॥৩৯॥
অধৃষ্যঃ সর্বভূতানামায়ুষ্মান্ নীরুজঃ সদা। ভবত্যভক্ষয়ন্ মাংসং দয়াবান প্রাণিনামিহ ॥৪০॥
হিরণ্যদানৈর্গোদানৈর্ভূমিদানৈশ্চসর্বশঃ। মাংসস্যাভক্ষণে ধর্মোবিশিষ্ট ইতিনঃ শ্রুতিঃ ॥৪১॥

অপায়-মিহৌবদগী ওইরবনু, মবুদ্ধি চোইবা-ভমহৎপদগী ওইরবনু, মশা-মঙ ফনবা, পাজল কন্ননবগীদমক্তনি হায়বগী বাখল্গী ওইরবনু, নত্রগা পাপীশিংগা তিন্নবদগীবু ওইরবনু তাইবং মীগী অধর্মগী থবক্তা পূন্নীং চঙবা অমদি হৈনবা পামজবসি হেক হেক পোকই ॥৩৩॥ অতোপ্পা জীবগী মাংস (শা-শদুম) না মশাগী মশা (হকচাং-শদুম) চাওখৎহনগে খল্লিবা মীশিংহু, মহাক্না পোকউ-পোকউবা মকমদা (জন্মজন্মান্তরদা) পোথাকম থঙোই। চনীংতানা লৈবা কংভোই।৩৪॥ নিয়মব্রত চেৎলবা মহর্ষিশিংনা হায়ঃ—মাংসভক্ষণ (শা চাবা) বু থাদোকপা হায়বসি, লম্থুম, মিংচৎ পুনশিতোলোইবা লৈবগী, অমা স্বর্গ কাননবগী থাইদনা হেনবা উপায়নি। মঙ্গলঙ ওইহনা লৈননবগী অথোইবা সাধনা অমনি ॥৩৫॥ কুন্তীনন্দন। মাংসভক্ষণদা লৈবা দোষাশিংগী মরমদা ঙাঙবা মতাংদা মার্কণ্ডেয় ঋষিনা হায়খিবা, তানহৌবা অমা লৈ ॥৩৬॥ ঐখোয়গুম্না হিংহনা কুইনা লৈবা পাম্বা জীবাশিংবু হাত্নুনা চাবশিংহু মত্রগা মশামক্না শিকথ্রবশিংহুগী মশা (হকচাং) বু চাবশিং অহুম্ অমীমক জীব হাৎপা হায়বহুগী মতুং অহুম চন্নি ॥৩৭॥ শেন্না লৈহনা চাবশিংনা শেলগী পাম্বৈনা, অচাবনা উপভোগকী পাম্বৈনা (চানীংবগী বাখন্না) অহুগা জীব হাৎপা শাদানবশিংগীনা ঈল-লাং থাকপনচিংবগী পাম্বৈনা, তৌনবনা জীব হিংসা অসি মখল-এঙং অহুম ওই ॥৩৮॥ মশামক্না চাত্রবনু, অতোপ্পশিংদা চাননবগী পাউতাক পীরিবা, পুন্নীং থৌগৎপীরিবা মহাক অহুম্ জীবহন্য তৌবগী মতুং অহু চন্নি। মতৌ অসুম্না, হাৎলিবশিংহনা তৌরিবা মখৌ অহুবু অনুমোদন তৌরিবা (যাম্বিবা) মখোয়হুদনু হিংসা তৌবগী দোষ অদো, অহুম মপক্রে।৩৯॥ মাংস চাদবশিংহু জীব পুন্নমক্তা থৌজাপহৈবা মীশক ওাক্তনি। জীবপুম্ববু থৌজানবিন্নবগা অম্মানি। করিগুম্বা জীব অমবু নিন্দা তৌদবা ফু চৈদবগা অম্মানি। মখোয়হু পুনশি তোল্লোইনা পাল্লি ॥৪০। স্বর্ণদান, গোদান, ভূমিদান অসিনচিংবা দান পুন্নমক অসি তৌরগা কংগদবা মহৈশিং অহুদগীসু জীবহত্যা তৌদহনা মাংস চাবা থাদোকপা কৌবা ধর্মগী মহৈনা হেল্লি। অসুম হায়না ঐখোয়না তাই ॥৪১॥

খাদকস্তু কৃতেৰস্তু্ন্ যো হন্যাৎ পুরুষাধমঃ। মহাদোষতরস্তত্র ঘাতকো নতু খাদকঃ ॥৪২॥
ইজ্যাযজ্ঞশ্রুতিকৃতৈর্যো মার্গৈরবুধোঽধমঃ। ইজ্যাজন্তূন্ মাংসগৃধ্নুঃ স বৈ নরকভাঙ্ নরঃ ॥৪৩॥
ভক্ষয়িত্বাপি যো মাংসং পশ্চাদপি নিবর্ত্ততে। তস্যাপি সুমহান্ ধর্মো যঃ পাপাদ্বিনিবর্ত্ততে ॥৪৪॥
আহর্ত্তা চানুমন্তা চ বিশস্তা ক্রয়বিক্রয়ী। সংস্কর্ত্তা চোপভোক্তা চ খাদকাঃ সর্বএবতে ॥৪৫॥
ইদমন্যত্তু বক্ষ্যামি প্রমাণং বিধিনির্মিতম্। পুরাণমৃষিভির্জুষ্টং বেদেষু পরিনিষ্ঠিতম্ ॥৪৬॥
প্রবৃত্তিলক্ষণো ধর্মঃ প্রজার্থিভিরুদাহৃতঃ। যথোক্তং রাজ শার্দূল ন তু তন্মোক্ষকাঙ্ক্ষিনাম্ ॥৪৭॥
য ইচ্ছেৎ পুরুষোঽত্যন্তমাত্মানং নিরুপদ্রবম্। স বর্জয়েত মাংসানি প্রাণিনামিহ সর্বশঃ ॥৪৮॥
শ্রূয়তে হি পুরাকল্পে নৃণাং ব্রীহিময়ঃ পশুঃ। যেনাযজন্ত যজ্বানঃ পুণ্যলোকপরায়ণাঃ ॥৪৯॥
ঋষিভিঃ সংশয়ং পৃষ্টো বসুশ্চেদিপতিঃপুরা। অভক্ষ্যমপি মাংসং যঃ প্রাহ ভক্ষ্যমিতি প্রভো ॥৫০॥

শা চাবশিংগীদমক (মখোয়দা য়োম্বা-পীজনবগীদমক) শা উচেকপু হাৎলিবা মী মহাক অহু য়ায় ভোনশ্ৰবা মী জাৎ অমনি। মখোয়ন্না কংবা দোষ পাপশিং অহুপ অচাবা মীশিংনমি কংবু কংদে ॥৪২॥ মাংস (শা) চাবা মীশিংবা করিগুম্বা ধর্ম, বাগযজ্ঞ অমগী নামদা শাবু হাৎলগা যজ্ঞ (খৌরাং) তৌরিবা তৌহল্লিবা মী অহু য়ায় তোল্লবা (অধম ওইরবা মীনি মহাক নরকগামী (নরক তাৱগদবা মী) নি ॥৪৩॥ অহানবদা তাব তাস্ত্রিদৌ মাংস চায়রবসু, মতুংদা তাব তারক্লনা খাদোরবা মী মহাক অহু ধর্মগী চাউশ্ৰবা পুণ্যফল ফংগি। মরমদি পাপ কর্মদগী হন্দোরক্লিবমক্তা অহানবদা তৌখিবা পাপ কর্মশিংহুগী দোষশিং লোইবা কোবহল্লি ॥৪৪। হাৎহল্লনবগী শাবু পুরক্লিবা, হাৎলু হায়না অয়াবা পীরিবা, মথুৎমক্তা হাৎলবা, শা অহুবু লৈরুরিবা, শা অহুবু য়োল্লিবা, শা অহুবু থোংলিবা, অথোংবহুবু চারিবা মীশকশিং অসি লোইনা শা চাবা (মাংস ভক্ষণ) গী মহুং চল্লি। অহুগা মখোয়সিগী মতুংদা অচাব চাদবা পুন্না লোইনা অচাব ভাক্তনি হায়না লৌগনি ॥৪৫॥ মাসিগী মরমদা, ঐ প্রমাণ অমা পীগে। হায়রিবা প্রমাণগী বাকয অহু ব্রহ্মা মশামক্তা হায়রম্মবা, মুনি ঋষিশিংনা হায়রিবা অহুগী মহুং ইন্না চৎনশ্ৰবনি। অহুগা বেদদা লেঙদনা ইহুনা থমশ্ৰবা নিয়মনি ॥৪৬॥ নিংথৌ অথোইবা! প্রজা (মচা-মশু) পাম গৃহস্থাশ্রমদা লৈহুনা প্রবৃত্তিমার্গগী ধর্ম চৎলি। অসিগুম্বা প্রবৃত্তিমার্গ অসি, মোক্ষ (মুক্তি) পাম্বা থিরক্ত (বৈরাগ্যদা লৈদা) পাম্বশিংনা পামদে ॥৪৭॥ করিমত্ত বেয়াসনা লৈত্রবা, পুরুষাংদা য়াইচিনবা লৈতনা পুন্সি লেপ্পীংবশিংনা মাংসভক্ষণবু পুংখং খাদোক্তদবনি ॥৪৮॥ ঐখোয়না তাববু মমাত্তৈগী যুগতা মতমগী অম চিংবগীদমক্তা শাগী মাংসগী মীচন্নম্মী হায়। শিরবা তুংদা পুণ্যলোক ফংননবগীদমক্তা, যাজ্ঞিকশিং অহুনা মাংস অমুবু পুরোডাশগী মওংদা যজ্ঞাগ্নিদা হোম তৌননবা অচা-অথক) ওইনা পীজিন্নরম্মি ॥৪৯॥ নিংথৌ! মমাত্তৈদা ঋষিশিংনা বসুনা চেদিরাজ চিংনরিবা অসি হংখি। মতম অদুদা চেদিরাজ বসুনা মাংসভক্ষণবু সমর্থন তৌখি ॥৫০॥

আকাশগামিনং প্রাপ্তস্তত্র স পৃথিবীপতিঃ।
এতদেব পুরশ্চোক্তা বিবেশ ধরণীতলম্ ॥৫১॥
ইদং শৃণু রাজেন্দ্র কীর্ত্যমানং ময়ানঘ।
অভক্ষণে সর্বসুখং মাংসস্য মনুজাধিপ ॥৫২॥
যস্তু বর্ষশতং পূর্ণং তপস্তপ্যেৎ সুদারুণম্।
যশ্চৈব বর্জয়েন্মাংসং সমমেতন্মতং মম ॥৫৩॥
কৌমুদে তু বিশেষেণ শুক্লপক্ষে নরাধিপ।
বর্জয়েন্মধুমাংসানি ধর্মো হ্যত্র বিধীয়তে ॥৫৪॥
চতুরো বার্ষিকান্ মাসান্ যো মাংসং পরিবর্জয়েৎ।
চত্বারি ভদ্রাণ্যবাপ্নোতি কীর্তিমায়ুর্যশো বলম্ ॥৫৫॥
অথবা মাসমেকং বৈ সর্বং মাংসান্য ভক্ষয়ন্।
অতীত্য সর্বদুঃখানি সুখং জীবেন্নিরাময়ঃ ॥৫৬॥
বর্জয়ন্তি হি মাংসানি মাসশঃ পক্ষশোঽপিবা। তেষাং হিংসানিবৃত্তানাং ব্রহ্মলোকো বিধীয়তে ॥৫৭॥

মতম অদুদা, আকাশচারী (আকাশতদা লৈবা) বসু, অসি মাংসভক্ষণবু সমর্থন তৌরবদগী আকাশ (স্বর্গ) দা লৈবা য়ারক্তনা লৈখা তাখি। তৌহৈনবা কর্মবু সমর্থন তৌরবদগী দোষ পাপনা পৃথিবী থক্তা লৈব য়ারক্তনা, লৈব মতীক চারক্তনা পাতাল য়ৌখি। মাংসভক্ষণ তৌবদা থোইদোকপা কারবা লৈতে হায়রবতদগী পাতালদা মাবু মমথখি ॥৫১॥ পাপকী শরুক য়াওদ্রবা নিংথৌ! ঐগী লয়াইগী য়াসিনু তাও মাংসভক্ষণ হেক তৌদবদা (শা চাবা হেক থাদোকপদা) সুখাইবা মথল মথল ফংবনি ॥৫২॥ চহী চামা চুপ্পা তপস্যা তৌবগা, মাংসভক্ষণ তৌদবগা অনী অসিগী মহৈ অসি ঐগী মত (খীওরি) গা চপ মান্নৈ ॥৫৩॥ নিংথৌ! বিশেষ ওইনা, শরৎ ঋতুগী শুক্ল পক্ষদা মধুপান (যু থকপা), মাংসভক্ষণ (শা চাবা) অনী অসি পুমথা থাদোকদবনি। মরমদি, মাসি চাউথবা পুণ্য কর্ম অমদি ধর্ম অমনি ॥৫৪॥ বর্ষা ঋতুগী থা মরি (চতুর্মাস) অসি, মাংসভক্ষণ শূকতো তৌদবা মী মহাক অহু মিংচৎ, পুনশি তোত্তোইবা, অচংগা শারীরিক শক্তি (হকচাংগী পাজল) ফংঙি ॥৫৫॥ থা মরিসিগী মনুংদা হায়বদি ঔত্তা, ঈত্তেল, থয়াল, লাংবল, (কনা কনাওদগী মততা ইত্তেলদগী য়েয়া কাওবা) মী মনুংদা থা অমততে ওইরবসু, করিগুম্বা মওংদা লৈবা নিরামিষ (শা-ঙা য়াওদবা তোজন) তৌরবদি অন্না-অনা পুরমক্তগী থাদোকনা পুনশি লোন্ন ॥৫৬॥ থা অমমম নত্রগা, পক অমমম মাংসভক্ষণ থাদোক্লবদি, অদুগা করিগুম্বা মওংগী হিংসাগী থবক থাদোক্লবদি মী মহাক অহু ব্রহ্মলোক ফংঙি। অদুগা পুনশি চুপ্পা অদুম মাংসভক্ষণ তৌরবশিদ্রবীদি করি অমুক হায়রগনি: মহাক অদুনা ফংগদবা মহৈশিংগী সীমা (অদৈথ) লৈতে ॥৫৭॥

মাংসং তু কৌমুদং পক্ষং বর্জিতং পার্থ রাজভিঃ। সর্বভূতাত্মভূতস্থৈর্বিদিতাত্মপরাবরৈঃ ॥৫৮॥
নাভাগেনাম্বরীষেণ গয়েন চ মহাত্মনা। আয়ুনাথানরণ্যেন দিলীপরঘু পূরুভিঃ ॥৫৯॥
কার্ত্তবীর্য্যানিরুদ্ধাভ্যাং নহুষেণ যযাতিনা। নৃগেণ বিষগশ্বেন তথৈব শশবিন্দুনা ॥৬০॥
যবনাশ্বেন চ তথা শিবিনৌ শীনরেণ চ। মুচুকুন্দেন মান্ধাত্রা হরিশ্চন্দ্রেণ বাবিভো ॥৬১॥
সত্যংবদত মাসত্যং সত্যং ধর্মঃসনাতনঃ। হরিশ্চন্দ্রশ্চরতি বৈ দিবি সত্যেন চন্দ্রবৎ ॥৬২॥

কুন্তীনন্দন। লাংবন থাগী পক্ষ অহীমক নত্রগা পক্ষ অমতং (কৃষ্ণ পক্ষবু ওইরবস্থ) মাংসভক্ষণ থাদোক্লবদি, মহাক অহু অচচ্চত্ত জীব পূম্নমক্কী আত্মাগী মশক ওই। মহাক অহু তু-মাওঙ্গি জ্ঞান পুম্বগী তম্ব থভিও। অসিগুম্বা মীশকশিং অহু কনা কনানা ওইখি হায়বদা :—নাভাগ, অম্বরীষ, মহাত্মা গয়, আয়ু, অনরণ্য, দিলীপ, রঘু, পূরু, কার্ত্তবীর্য্য, অনিরুদ্ধ, নহুষ, যযাতি, নৃগ, বিশ্বগশ্ব, শশবিন্দু, যুবনাশ্ব, উশীনরগী মচা শিবি, মুচুকুন্দ, মান্ধাধা অমুগা হরিশ্চন্দ্র মথোম অসিনি ॥৫৮-৬১॥ অচুম্বা অওইবতা হায়রু, ভাওও। "অচুম্বা অওইবতা ভাওবা" কৌবা ধর্ম অসি সনাতন ধর্ম (মতম পুম্বদা লেওদনা লৈরগদবা ধর্ম) নি। নিংথৌ হরিশ্চন্দ্রনা অচুম্ব ভাওবা (হায়খিবা হোংদবা রাশক চেংপা) গী পাম্বৈনা নোংমদোম্বক্তা চন্দ্রমাগী মতৌওম ভাম্বোইনা কোয়চং চংলি ॥৬২॥ *

---

* টীকা :—মুমিং, থা, থরানমিচাক, গ্রহ হায়চনা তেজ অময়ম পুম্বনা নোংমদোম্বক্তা লৈরিবশিং অসি অশিবরা অচংবরা, হায়বদি জীব (জীবাত্মা) লৈব্রা-লৈতব্রা হায়বসি থওমীওিও। হৌজিকী বৈজ্ঞানিক জগৎকী বৈজ্ঞানিকশিংনা থা কাওবা কাম্বনা, মাশিদা করি করি জীব লৈ, লৈরবদি মথোও মথুং কয়া পাম্নি, করি করি চায় করি কার লোন লোম্নি, হকচাং কয়াংশিংগী মওংনা করি করিনো হায়বসি রিসার্চ তৌনরুবা য়াওম্রে। ঐখোয়না পাম্বদি মাত্থ নত্তে। থা মশামক্কী, থরানমিচাকশিং মথোয়মকী জীব (জীবাত্মা) লৈব্রা লৈতব্রা, (অঙিংব্রা-অচংব্রা) হায়না থওওনবা রিসার্চ তৌহরীওিও। পৃথিবী কৌবা উপগ্রহ অসিদা অচিংবসি হায়মনা জীব (বিমিং) ঐখোয়মা লৈরি। অহিংবা হৌজিক হৌজিক লৈরিগা পৃথিবী (আর্থ) সিমকৌদি জীব (স্পিরিট সোল) লৈব্রা হায়না রিসার্চ তৌম্নিম্বেদা, তুংশাশোয় হোনকম থওদমথৈ রিসার্চ তৌরম্নিবসি অশিংবনি হায়গজা? করি উরক্নবা পৃথিবীদা লৈতবা করি পোংশক পুম্বনা ঐখোয়দা উংলবগে? আধ্যাত্মিক বিজ্ঞানগী দৃষ্টিদা আকাশ, তুংশিং, মতাল (মৈ) ঈশিং, লৈপাক মথোয়শিংসি অমমমগী জীব অমমম লৈ। পুণ্য কর্ম তৌবশিংগী জীবনা মতালগী মশক ওইরবা থা থরানমিচাকশিংগী জীবত্মাগা তিয়থি। য়াম্ন শম্বা টীকানি। (কালাচাঁদ)

শ্বেনচিত্রেণ রাজেন্দ্র সোমকেন বৃকেন চ। রৈবতে রন্তিদেবেন বসুনা সৃঞ্জযেন চ ॥৬৩॥
এতৈশ্চান্যৈশ্চ রাজেন্দ্র কৃপেন ভরতেন চ। দুষ্যন্তেন করূষেণ চ রামালর্ক নরৈস্তথা ॥৬৪॥
বিরূপাশ্বেন নিমিনা জনকেন চ ধীমতা। ঐলেন পৃথুনা চৈব বীরসেনেন চৈবহ ॥৬৫॥
ইক্ষ্বাকুনা শম্ভুনা চ শ্বেতেন সগরেণ চ। অজেন ধুন্ধুনা চৈব তথৈব চ সুবাহুনা ॥৬৬॥
হর্য্যশ্বেন চ রাজেন্দ্র ক্ষুপেণ ভরতেন। এতৈশ্চান্যৈশ্চ রাজেন্দ্র পুরা মাংসং ন ভক্ষিতম্ ॥৬৭॥
ব্রহ্মলোকে চ তিষ্ঠন্তি জ্বলমানাঃ শ্রিয়াবৃতাঃ। উপাস্যমানাঃ গন্ধর্ব্বৈঃ স্ত্রীসহস্রসমন্বিতাঃ ॥৬৮॥
তদেতদুত্তমং ধর্ম অহিংসা ধর্মলক্ষণম্। যে চরন্তি মহাত্মানো নাক পৃষ্ঠে বসন্তিতে ॥৬৯॥
মধুমাংসং চ যেনিচ্ছ বর্জয়ন্তীহ ধার্মিকাঃ। জন্মপ্রভৃতি যদ্যং চ সর্বেতে মুনয়ঃ স্মৃতাঃ ॥৭০॥
ইমং ধর্মমমাংসাদং যশ্চরেচ্ছ্রাবয়ীত বা। অপি চেৎসুদুরচোরো ন জাতু নিরয়ং ব্রজেৎ ॥৭ ॥
পঠেৎবা য ইদং রাজঞ্ছৃণুয়াৎ বাপ্যভীক্ষ্ণশঃ। অমাংসভক্ষণা বিধিং পবিত্র ঋষিপূজিতম্ ॥৭২॥
বিমুক্তঃ সর্বপাপেভ্যঃ সর্বদা মৈর্মহীয়তে। বিশিষ্টতাং জ্ঞাতিকু চ লভতে নাত্রসংশয়ঃ ॥৭৩॥
আপন্নশ্চাপদো মুচ্যেৎ বদ্ধো মুচ্যেতবন্ধনাৎ। মুচ্যেত্তথাহতুরো রোগাৎছঃ খান্মুচ্যেতদুঃ খিতঃ ॥৭৪॥

নিংথৌ অথোইবা। শ্যেনচিত্র, সোমক, বৃক, রৈবত, রন্তিদেব, বসু, সৃঞ্জয়, অতোপ অতোপ্পা নিংথৌশিং, কৃপ, ভরত, দুষ্যন্ত, করূষ, রাম, অলর্ক, নর, বিরূপাশ্ব, নিমি, বুদ্ধি লৈরবা জনক, পুরুরবা, পৃথু, বীরসেন, ইক্ষ্বাকু, শম্ভু, শ্বেতসাগর, অজ, ধুন্ধু, সুবাহু, হর্য্যশ্ব, ক্ষুপ, ভরত—হায়রিবশিং অসি মাংসভক্ষণ তৌথিদবা নিংথৌমকনি ॥৬৩-৬৭॥ হায়রিবা নিংথৌশিং অসি মাগী জ্যোতি (মঙাল) অময়মগা লোয়ননা ব্রহ্মলোকতা লৈরি। গন্ধর্বশিংনা মখোয়গী উপাসনা তৌরি। দিব্যলোককী নীংথিজরবী লাইরেম্বী লিশিং-লিশিংনা ঈকোয় কোয়শিন্দুনা লৈরি ॥৬৮॥ অহুনা, অহিংসা ধর্মতনা অথোইবা ধর্মনি। ধর্ম অসিবু ভাক চৎলিবা মহাত্মা ওইবশিংনা স্বর্গলোকতা লৈরি ॥৬৯॥ পোকপদগী থোইহী, য়ু, শা-ঙা থক-চাবা থাদোক্লিবা অহুঙবা ধর্মাত্মাশিংহু মুনিঋষিমকনি হায়না লৌগনি ॥৭০॥ মাংসভক্ষণবু থাদোকপগী মশক ওইবা ধর্মসিবু চৎলিবা, অতোপ্পশিংদহু চৎননবা তাক্লিবা, তাহল্লিবা মী মহাক অহুদি কনা য়ায়মক মরমচৎ থীরবশু নরকতদদি মতাদ্রে ॥৭১॥ নিংথৌ। ঋষিশিংনা সন্মান তৌরবা, অমোক্লা পবিত্র (শেংলবা) ওইরবা মাংসভক্ষণ পরিত্যাগকী মশক ওইরবা ধর্মগী মতাং অসিবু অতোপ্পদা তাহল্লিবা, লৌরিবা মী মহাক অহু পাপ পুম্নমকপী নাম্বোক্তুনা অপাম্বা পুম্বা ফংহুনা, ভোতাল তোতানবা তোগ চাহুনা (ফংহুনা), মহাকী শাগৈ-নাতৈগী মরক্তা লোক সমাজদা, খোইদোক-হেন্দোকপা মকম ফংহুনা, খাঙ্গী ঈকায় খুম্নকম ওইরবা মীশক অম ওইনা লৈ। মাসিদা থক চিংনকম লৈত্রবনি ॥৭২-৭৩॥ অসিত্ত নত্তে, মতাং অসিবু পাঠ তৌরিবা, মীতোপ্পা তাহল্লিবা মী মহাক অহুদি আপত্তি বিপত্তি পুম্নমকপী নাম্বোকই, পুন্নম্ কাজিল্লবগী নাম্বোকই, লায়না পুম্বগী নাম্বোকই ॥৭৪॥

তির্য্যগ্‌যোনিংন গচ্ছেত রূপবাংশ্চ ভবেন্নরঃ। বুদ্ধিবান্‌ বৈ কুরুশ্রেষ্ঠ প্রাপ্নুয়াচ্চ মহদ্‌যশঃ ।।৭৫।।
এতত্তে কথিতং রাজন্‌ মাংসস্য পরিবর্জ্জনে। প্রবৃত্তৌ চ নিবৃত্তৌ চ বিধানমৃষিনির্মিতম্‌ ।।৭৬।।

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যামনুশাসন পর্ব্বণি দানধর্মপর্ব্বণি
মাংসভক্ষণানিষেধে পঞ্চদশাধিকশততমোঽধ্যায়ঃ ।। × ।। × ।।

—ঃ(●)ঃ—

কুরুবংশগী অথোইবা! হায়রিবা প্রভাব অসিনা তাইবং মীগী হকচাংদা লৈরবা জীব (জীবথা) না শা-ঙা উচেকী মপোক্তা পোকউত্রে। মরল-মথুম কুচু-কুমেন পুন্নমকা ডিন্নবা, নিংচৎ কংদ্রনা মপুনশি লেগনি ।।৭৫।। নিংথৌ! ঋষিশিংনা হায়রবা তাকলবা মাংসত্যাগকী মশক ওইরবা ধর্মগী কথা অসি নঙোন্দা লীরিবসিনি ।।৭৬।।

মথম অসিদা শ্রীমহাভারতথা, শ্লোক লিশিংচামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা অনুশাসন পর্বদা দানধর্ম পর্বদা মাংসভক্ষণনিষেধগী চামতরামঙাশুবা অধ্যায় লোইরে।। × ।। × ।।

—ঃ(✻)ঃ—

মণিপুরা মহাভারত

ষোড়শাধিকশততমোঽধ্যায়ঃ

(মাংস চাদবগী কান্নবা, অহিংসা ধর্মগী মহিমা প্রশংসা)

চামতরাতরুকশুবা অধ্যায়

—:(•):—

যুধিষ্ঠির উবাচ

ইমে বৈ মানবা লোকে নৃশংসা মাংসগৃদ্ধিনঃ। বিসৃজ্য বিবিধান্ ভক্ষ্যান্ মহারক্ষোগনা ইব ॥১॥

অপূপান্ বিবিধাকারাঞ্ শাকানি বিবিধানিচ। খাণ্ডবান্ রসযোগাম্ন তথে গচ্ছন্তি যথাঽমিষম্ ॥২॥

তদিচ্ছামি গুণাঞ্ শ্রোতু মাংসস্যাভক্ষণে প্রভো। ভক্ষণে চৈব যে দোষাস্তাংশ্চৈব পুরুষর্ষভ ॥৩॥

সর্বে তত্ত্বেন ধর্মজ্ঞ যথাবদিহ ধর্মতঃ। কিং চ ভক্ষ্য মভক্ষ্যংবা সর্বমেতৎ বদস্বমে ॥৪॥

যথৈতৎ যাদৃশং চৈব গুণাযেচাস্য বর্জনে। দোষা ভক্ষয়তো যেঽপি তন্মেব্রূহি পিতামহ ॥৫॥

যুধিষ্ঠিরনা হায় :—ঈবুধৌ। খল্লবদা অরাবা নুংঙাইতবা অমত্তু লাকই। সংসারদা থৌজাল হৈতবশিংনা, কর করবা, হাউর হাউরবা অন্নক য়াম্না লৈরিবা চীজাক পুম্নমকতি চাদনা মহা হিংচাবশিংগুম্না শা চারি।১॥ চাক, তল মখল মখল হন্নাই চেঙরাই, মনা-মশীংনা থোংবা য়েন্থাং অহ্নগা মহী হোন্নবা অথুম অহাও কন্না কন্নাসি অমত পামদনা ঈনাই তৈন্নবা মাংস (বু) ত পাম চানরি।২॥ ঈবুধৌ। পান্নিবা মথোন্নত্তু জীবনি, পামজ্রিবা ঐথোন্নত্তু জীবনি। মাসিদা ঐনা খঙজনীংলিবদি শা চাদবনা কান্নবা তোংজবা, অহ্নগা চাবগীনা হকচাংদা করি অমাঙবা লৈবা অহ্নলি ॥৩॥ ধর্মগী তত্ত্ব পূম্না খঙবিন্নবা ঈবুধৌ। ধর্মগী মত তত্ত্বগা লোয়ননা মাসি অমুক্ত মুম্না তাকপিয়ু। অহ্নগা ঈবুধৌ। চাহৈবা, চাগদবমক ওইবা পোৎ (চীজাক) না করি করিনো? চাহৈদবনা করি করিনো, অত্তু তাকপীয়ু ॥৪॥ ঈবুধৌ। মাংসদা লৈন্নিবা মাগী স্বরূপ মওং অহ্নগা মাহুদা লৈন্নিবা স্বরূপ অচুবু থাদোকপগী কান্নবা তোংবা, থাদোকবগী মাঙবা দোষ অসি পুম্নমকসি তগাইনা অমুক্ত তাকপিয়ু ॥৫॥

ভীষ্ম উবাচ

এব মেতন্মহাবাহো যথা বদসি ভারত। বিবিজিতে তু বহবো গুণাঃ কৌরব নন্দন।
যে ভবন্তি মনুষ্যাণাং তান্মে নিগদতঃ শৃণু ॥৬॥
স্বমাংসং পরমাংসেন যো বর্দ্ধমি তুমিচ্ছতি। নাস্তি ক্ষুদ্রতরস্তস্মাৎ স নৃশংসতরোনরঃ ॥৭॥
নহি প্রাণাৎ প্রিয়তরং লোকে কিংচন বিদ্যতে। তস্মাৎ দয়াং নরঃ কুর্য্যাৎ যথাত্মনিতথাপরে ॥৮॥
শুক্রাচ্চ তাত সম্ভূতি মাংসস্যেহ ন সংশয়ঃ। ভক্ষণে তু মহান্ দোষো নিবৃত্ত্যা পুণ্য মুচ্যতে ॥৯॥
নহ্যতঃ সদৃশং কিং চিহ লোকে পরত্র চ। যৎ সর্বেষ্বেহ ভূতেষু দয়া কৌরব নন্দন ॥১০॥
ন ভয়ং বিদ্যতে জাতু নরস্যেহ দয়াবতঃ। দয়াবতামিমে লোকাঃ পরে চাপিতপস্বিনাম ॥১১॥
অহিংসালক্ষণো ধর্ম ইতি ধর্মবিদো বিদুঃ। যদহিংসাত্মকং কর্ম তৎকুর্য্যাদাত্মবান্নরঃ ॥১২॥
অভয়ং সর্বভূতেভ্যো যো দদাতিদয়াপরঃ। অভয়ং তস্য ভূতানি দদতীত্যনু শুশ্রুম ॥১৩।

ভীষ্মনা হায় :—অকনবা। ভরতনন্দন। নঙনা থঙনীংহ্নবা হৃংলিবা হায়রিবা গুণদোষ অসে. অসেংবমরি। চাদবা চাবগী গুণদোষ য়াম্ন লৈ। কৌরবনন্দন! মাংস চাদবগী কায়বা য়াম্ন লৈ। মাহ্ ঐ হায়গে, মুম্না তাও ॥৬॥ মাগী মশাগী হকচাংবু নোয়হল পেলহনগনি হায়বগী রাখন্দা অতোপ্পা অমগী হকচাংবু কক্‌না (হাত্‌না) চারিবা মায়ক তোনবা জীব অমত লৈতে ॥৭॥ জগৎতা লৈরিবা জীব খুদিংমকী হুংশিজবা তেক্ত কায়দনা থমক্ননীংবসি মাগী থয়ায় অহুতনি। মাসিদগী হেনবা অনীগুবা হুংশিজবা. পাম্মুবা পোংশক অমতা সংসারদা লৈতে। অদুনা ভাইবং মীনা মশাগী থয়ায় (প্রাণ) বু লুনা হুংশিনা থমজবহুগুম্না অতোপ্পা অমগী থয়ায়বুসু লুনা হুংশিনা থমবিগদবনি ॥৮॥ ঐবুঙো। যুধিষ্ঠির। মাংস (শা) চাবগী দোষ তাও। মাংস হায়বসে বীর্য্যদগী থোকপা, ওইরকপনি। মাসিদা করিমতা চিংনমু। অদুনা বীর্য্যভক্ষণ অসিদগী হন্দোকপা হায়বসে চাউথবা পুণ্যকর্ম অমনি ॥৯॥ কৌরবনন্দন। বীর্য্যবু চাবদি লায়রদনা, ভাকশেন্দুনা থম্মা হায়বসিমুক পুণ্য ওইবা পুণ্যকর্ম অমত সংসারদা লৈতে। অদুনা, জীব পুম্নমক্তা থৌজাল হৈবা হায়বা (জীবেদয়া), অদুসু অদুম মওইরবনি। অদুনা, জীব খুদিংমক্তা থৌজাল হৈবা হায়বদো ওইকম থোকই ॥১০॥ জগৎ অসিদা, থৌজাল হৈবা কনাগুম্বা অমতনা অকি-তখংবা নংদে। দয়ালু (থৌজাল হৈবা) অদুগা তপস্বীশিংগী মকমদা ইহলোক পরলোক অনীমক হুং: মশকত ওই ॥১১॥ ধর্মগী চপচাবা মওং অসি অহিংসাভনা ওই হায়বসি ধর্মগী তত্ত্ব খঙবশিংনা খঙদুনা লৈরবনি। অদুনা হিংসাগী শরুক করিমত য়াওদ্রবা কর্মবুত অশিংবশিংনা তৌনৈ ॥১২॥ জীব পুম্নদা অভয়দান (কিদবা কিংদবা দান) তৌরিবা মহাক অদুদমু অচক্তর জীব পুম্নমক্তা অভয়দান অদুম মতৌই। অদুম্না হায়না ঐনা তার ॥১৩॥

ক্ষতং চ স্খলিতং চৈব পতিতংকৃষ্টমাহতম্। সর্বভূতানি রক্ষন্তি সমেষু বিষমেষু চ ॥১৪॥
নৈনং ব্যালমৃগা ঘ্নন্তি ন পিশাচান রাক্ষসাঃ। মুচ্যতে ভয়কালেষু মোক্ষয়েৎ যো ভয়ে পরান্ ॥১৫॥
প্রাণদানাৎ পরং দানং ন ভূতংন ভবিষ্যতি। নহ্যাত্মনঃ প্রিয়তরং কিঞ্চিদস্তীহ নিশ্চিতম্ ॥ ৬॥
অনিষ্টং সর্বভূতানাং মরণং নাম ভারত। মৃত্যুকালে হি ভূতানাং সদ্য জায়তি বেপথুঃ ॥ ৭॥
জাতিজন্মজরাদুঃখৈর্নিত্যং সংসারসাগরে। জন্তবঃ পরিবর্ত্তন্তে মরণাদুদ্বিজন্তি চ ॥ ৮॥
গর্ভবাসেষু পচ্যন্তে ক্ষারাম্লকটুকৈ রসৈঃ। মূত্রশ্লেষ্মপুরীষানাং পরুষৈর্ভৃশদারুনৈঃ ॥১৯॥
জাতাশ্চাপাবশাস্তত্র ছিদ্যমানাঃ পুনঃ পুনঃ। পাচ্যমানাশ্চ দৃশ্যন্তে বিবশা মাংসগৃদ্ধিনঃ ॥২০॥
কুম্ভীপাকে চ পচ্যন্তে তাংতাং যোনি মুপাগতাঃ। আক্রম্য মার্য্যমাণাশ্চ ভ্রাম্যন্তে বৈ পুনঃ পুনঃ ॥২১॥

করিগুম্ব থটনা অমদগী মশাদা শোক্ল-পল্লবা, হোগার-থিনগাইরবা, লম্বীদা খুদিঙ্ঘীরবা, লম্বীদা তুরবা, ঈশিংদা ঈরাক্লরবা অরাব খুদোংথীবদা তারবা মতমদা থৌজাল হৈবনা জীবচুংবু কন্নবা হোংবৈ ॥১৪॥ মীবু অরাবদগী কোকন্নবা মীচুবু হিংসা তৌবা শা-ভানা হিংসা-য়াইওম্বনা থক রাহন-কিহন্দে, ওংতে, নৈদে। অচুগুম্বা মীচুদি অরাবা খুদোংথীবা লাক্লবস্তু খুদক্ত নাম্পোক্লবা উপায় অম মঙোন্দ হেক্ত মরাকই ॥১৫॥ প্রাণদানদগী হেনবা অতোপ্পা দান অমত্তা মমাঙ্ডৈদস্তু লৈখিদ্রি, মতুংদসু লৈররোই। মশাগী থরায়দগী হেন্না নুংশিজবা পোংশক অমত্ত সংসারদা লৈতে। মাসি লেপ্পচুনা লৈরবনি ॥১৬॥ ভরতনন্দন! যুধিষ্ঠির! মৃত্যু (শিবা) হায়রবসি কনানা পামদে। কনানু শিনিংবা য়াওদে। শিরমদাইদা, শিরনিকো থল্লবদা মশাদা তুজুংবা, নীকপা হুমাং কাবা হেক্ত মরাকই ॥১৭॥ সংসংর ঈপাকন্নুংসিদা থরায়পানবা জীব পুম্বা গর্ভন্নুংদা চঙচুনা লৈবা, পোকপা, অহল ওইরকপা অসিনচিংবা অরাবা মথং মথং লাকপসিদা অরাবা জাং কয়া কয়া খাওচুনা অমদগী অমদা মকম মরাং ইথত্ত থত্তনা কাক্ত কায়ল কোয়চং চঙনা লৈরিবনি। হায়রিবা অম্নাবশিংসিগা লোয়ন লোয়ননা শিগনি হায়বসিগী অমুমুক খন্নরুবদা পুক্লীংদ মুশা থীবা, তুজুংবা পোক্লরি ॥১৮॥ গর্ভন্নুংদা চঙকপা জীবসি, থীমুং ঈনাই, হুমাং মরক্তা লৈগনা অয়াকপা, অথাবা, অশীনবা, থেংওবা চাক্লবদা অরাবা মৈচাক খাওচুনা লৈ ॥১৯॥ অসুম্না লৈরকপদা হৈরক্লবা জাবসিনা পোক্লক্লবা মতুং কাওবদা শা-ঙা ঈনাই চানীং থকনিংবগী মথা পোস্নুনা লৈরিবসিনি। থাওনচিংবা খুংলায় মথল মথন্না কক কক্তনা থোংনরি। হায়রিবা, থত্তনরিবা অরা-অনা চৈনা কয়া কয়া ফংনরিবসি মীংনা শং শংনা উনরিবসিনি ॥২০॥ অচুগুম্বা মীশকশিং অহ মানা মানা তৌথিবা পাপ কর্মদুগী মতুংইম্না কুম্ভী পাক কৌবা নরকতা থাদৈ, অরাবা মৈচাক ফংহল্লি। মখোয়গী জীবচু তোঙাল তেঙানবা শা-ঙগী যোনিদা (গর্ভদা) চঙ চঙচুনা পোকহল্লি। শিঙম-নাঙমদবা মওংদা হেক হেক শিহল্লি। অসুম তৌচুনা জীবশিংসি সংসারগী চক্রদা কোয়লৈ লৈচুনা লৈ ॥২১॥

নাত্মনোঽস্তি প্রিয়তরঃ পৃথিবী মনুসৃত্য হ। তস্মাৎ প্রাণিষু সর্বেষু দয়াবানাত্মবান্ ভবেৎ ॥২২॥
সর্বমাংসানি যো রাজন্ যাবজ্জীবংন ভক্ষয়েৎ। স্বর্গে চ বিপুলংস্থানং প্রাপ্নুয়ান্নাত্র সংশয়ঃ ॥২৩॥

যে ভক্ষয়ন্তি মাংসানি ভূতানাং জীবিতৈষিণাম্।
ভক্ষ্যন্তেতেঽপি ভূতৈস্তৈরিতি মেনাস্তি সংশয়ঃ ॥২৪॥
মাংস ভক্ষয়তে যস্মাৎ ভক্ষয়িষ্যে তমপ্যহম্।
এতন্মাংসস্য মাংসত্বমনুবুদ্ধ্যস্ব ভারত ॥২৫॥

সংসারসিদা মশাগী থৱায় (প্রাণ) দগী হেন্না মুংশিজবা পান্মুজবা পোংশক অমতা লৈতে। অদুনা, অচচন্ত জীব খুদিংমকপু মুংশিবিগদবনি। জীব খুদিংমক্তা লৈরিবা আত্মাসি মামক্লি (মাগী আত্মামক্লি) হায়না তাইবং মী খুদিংমক্তা খঙগদবনি ॥২২॥ নিংথৌ। পুনশিচুপ্পা কৱিগুম্বা জীব অমতগী মশা (মাংস) বু চাদবা মী মহাক অদুগী জীবদু তাইবং হকচাংসি থাদোক্লমলগা স্বর্গদা (লাইরৈবাক্তা) মুংঙাইরবা ভোগ পুম্নমক কংদুনা (চাদুনা) মুংঙাইনা লৈথি। মাসিদা চিংনকম কৱিমত লৈত্রবনি ॥২৩॥ মুংঙাইনা পুনশি শাংনা নোংপেম্ন লৈগে হায়দুনা অতোপ্প জীবগী মশানা (হকচাংনা) মশা ফহনগদবনি হায়না খল্লুনা মাংসভক্ষণ তৌরিবা মথোয়দুবু হয়েংমুক্কী মপোক্তা কক কল্লুনা শেগায়দুনা অতোপ্পনা অমুক চারৈ মাসিদা চিংনকম কৱিমতা লৈত্রবনি ॥২৪॥ হাংকদৌরিবা (শিগদৌরিবা) জীবদুনা শিরমদাইদা, মাবু হাংলিবা কল্লিবা মীদুদা অসুম্না হায়রম্মি: "হয়েংমুক্কী মপোক্তা নংবুসু ঐনা অসুম্না হাত্নুনা চাগনি"। হায়রিবসিদগী থোকথিবা "মাংস" হায়বা শব্দসিগী অর্থ অসি ঐথোয়না খঙবা তম্মি * ॥২৫॥

টীকাঃ- মাং (ঐবু) সঃ (মহাক্না) লৌরবদি "মাংস" শব্দগী অর্থসি "মহাক্না ঐবু" হায়বা অর্থ অসি থোকই। মন্ত্রগুম্বা অতেনবা মপুং ফাদবা বাক্যাংশ (ফ্রেজ) অসিগী শন্দোক্ন। বিবৃত্তি পীবা তারবদি ঃ– "মী মহাক অদুনা, নহাক্নমুক্কী মপোকতা, ঐঙোন্দা (ঐবু) তৌথিবদুগী অরায়-অথুম ওইনা হন্দক্কী মপোক্তা ঐসু মঙোন্দা চপচানা লমন থুংম্নবনি" অসুম্না হায়না লৌবা ভাই। হায়রিবসিগী ভাব অসি, নাকল অমদা লৌরবদি ঐথোয় কনা কনাগুম্বনা শাঙা হাংলি চারি। মাসি, ঐনা হৌজিক হৌজিক হাংলিবা জীব অসিনা জীব অসিনা নহালমুক্কী মপোক্তা ঐবুসু মহাক্না অসুম্না হাংথি (হাত্নুনা চাথি) অদুনা ঐসু হৌজিক মহাকপু হাওনা লমন খুহিবসিনি। অসুম্না অর্থ লৌদুনা "লমন খুম্ববু হিংসারা ?" হায়বা অঙকপা নোক্নীংবা তর্ক (মরৈ) অম লাকই। লালকমদা, অমনা অমবু থাঙনা য়াল্লি। মাদুগী অরায়-অথুমদা অকোনবগী অমসিনসু থাঙনা মাবু হুন্না য়াল্লিবা অসি ধর্মরা, নত্রগা হিংসারা ? অসুম্না য়েংলবদি শাঙা চাবসি হিংসামংপুনভ্রবরা হায়বা চিংনবা অমসু লাক্লি। (কালাচাঁদ)

যাতকো বধ্যতে নিত্যং তথা বধ্যত তাংকৃতা।
আক্রোষ্টা ক্রুধ্যতে রাজংস্তথা দ্বেষ্যত্বমাপ্নুতে ॥২৬॥
যেনযেন শরীরেণ যৎ যৎ কর্ম করোতি য়ঃ।
তেন তেন শরীরেণ তৎ তৎ ফল মপাশ্নুতে ॥২৭॥
অহিংসা পরমোধর্মস্তথাহিংসা পরোদমঃ।
অহিংসা পরমংদান মহিংসা পরমং তপঃ ॥২৮॥
অহিংসা পরমোযজ্ঞস্তথাহিংসা পরং ফলম্।
অহিংসা পরমং মিত্রমহিংসা পরমং সুখম্ ॥২৯॥
সব যজ্ঞেষু বা দানং সর্ব তীর্থেষু বাপ্লুতম।
সর্বদান ফলং বাপি নৈতত্তুল্য মহিংসয়া ॥৩০॥
অহিংস্রস্য তপোহক্ষয্য মহিংস্রো যজতেসদা।
অহিংস্রঃ সর্বভূতানাং যথা মাতা যথা পিতা ॥৩১॥

নিংথৌ। মপোক অসিদা জীবগী হিংসা তৌরবদি, হিংসা তৌরিবা মহাক অত্তবুসু অতোপ্পা মপোক অমদা জীবহুনা অমুক হিংসা তৌই। (অদুনদি হিংসা তৌনরিবসি প্রতিহিংসান হায়বা যাই)। অদুনা, অতোপ্পবু নিন্দা তৌরিবা মী অদু, অতোপ্পা অমদগী নিন্দা তৌননীঙাই, নিন্দাবাক্য ফংননীঙাই, শাউননীঙাই, য়েক্ননীঙাই ওই ॥২৬॥ হকচাং অসিদা লৈরিঙৈদা, জীব (জীবাত্মা) না তৌরি তৌরিবা অক-কত্ত কর্মগী মহৈ অদু, জীবসিনা চঙহ্-চঙহ্রিবা দেহশিং অদুদা অদুম মকচঙুই ॥২৭॥ অদুনা অহিংসানা অখোইবা ধর্মনি। অহিংসানা অখোইবা সংযম (ইন্দ্রিয় খুদুম চনবা) নি। অহিংসানা অখোইবা দাননি। অহিংসানা অখোইবা তপ (তপস্যা) নি ॥২৮॥ অহিংসানা অখোইবা যজ্ঞনি। অহিংসানা মীওইবা মপোকী অখোইবা মহৈ (ফল) নি। অহিংসানা অখোইবা মরূপনি। অহিংসানা পরমসুখ (খ্বাইদগী হেন্না নুংঙবা) হায়বদুনি ॥২৯॥ যজ্ঞ পুম্বদা তৌখিবা দান দক্ষিণাগী ফল, তীর্থ পুম্বদা লুপ্লুবগী মহৈ, দান দান হায়রুনা লৈরিবা দান পুম্নমক্কী মহৈশিং অসিনা পুন্নপ পুন্নবসু অহিংসা ধর্ম অমতগী মহৈগা মান্নবা ঙমদে ॥৩০॥ হিংসা তৌদবা মীনা তৌবা যজ্ঞ তপস্যা পুম্বা অমাঙ-অতা লৈতে। মহাক্না তৌরিবা যজ্ঞ তপস্যা অদু পুনশি চুপ্পা, মুমিৎ খুদিংত নত্তনা মীকুপ খুদিংগী তৌদুনা লৈবগা চপ মান্নে। হিংসা তৌদবা মীদু অচেত্ত জীব পুম্নমক্কী মমা মপানি হায়বা য়াই ॥৩১॥

এতত্ত্ব ফলমহিংসায়া ভূয়শ্চ কুরুপুঙ্গব।
নহি শক্যা গুণাবক্তুমপি বর্ষশতৈরপি ॥৩২॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যামনুশাসনপর্বনি দানধর্মপর্বনি অহিংসা-ফলকথনে ষোড়শাধিকশততমোঽধ্যায়ঃ ॥ × ॥ × ॥

—:(*):—

কুরু শাগেগী অথোইবা ! অসিনি অহিংসাগী ফল অমদি মাহাত্ম্য (মহিমা) হায়রবনু : অমুক হায়হনা কায়দে, অহিংসাগী মতৈদি এনা থর হাংথরবশিং অসিদনু আ-য়াম্ব হেন্ন লৈরবনি। অহিংসা ধর্মগী গুণ, মহিমা, হায়রবদি চহী চামা চুপ্পা মুমিং খুদংগী বর্ণন তৌরবনু লোইবা ওম্মোই ॥৩২॥

মকম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোক লিশিং লিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা অনুশাসন পর্বদা, দানধর্ম পর্বদা "অহিংসাফলকথন" গী চামতরাতরুকশুবা অধ্যায় লোইরে ॥ × ॥ × ॥

—:(*):—

সপ্তদশাধিকশততমোঽধ্যায়ঃ

(কাণ্ড হন্নিংনচিংবা পীরুবা তীল্ অমনা নহালমুকী মপোক্ত মহাক্না তৌথিবা কর্মশিংহু নীঙশিংলক্তনা শিবগী কিবনচিংবা পুম্নমক নাহোরক্তনা মশাগী মঙ্গল ওইনবা উপায় থিরকপগী মতাংদা হংঙকপা)

চামতরাতরেৎশুবা অধ্যায় :

—:(০):—

যুধিষ্ঠির উবাচ

অকামাশ্চ সকামাশ্চ যেহতাঃ স্ম মহামৃধে। কাংগতিং প্রতিপন্নাস্তে তন্মে ব্রুহিপিতামহ ॥১॥

দুঃখং প্রাণপরিত্যাগঃ পুরুষাণাংমহামৃধে। জানাসি ত্বং মহাপ্রাজ্ঞ প্রাণত্যাগং সুদুষ্করম ॥২॥

সমৃদ্ধো বাসমৃদ্ধোবা শুভেবাস্তু যদিবাশুভে। কারণং তত্র মে ব্রূহি সর্বজ্ঞোহ্যসি মেমতঃ ॥৩॥

ভীম উবাচ

সমৃদ্ধো বাসমৃদ্ধোবা. শুভেবা যদিবাশুভে। সংসারেঽস্মিন্ সমাযাতাঃ প্রাণিনঃ পৃথিবীপতে ॥৪॥

নিরতা যেন ভাবেন তত্রমেশৃণু কারণম্। সম্যক্ চায়মনুপ্রশ্নস্তযোক্তস্তু যুধিষ্ঠির ॥৫॥

যুধিষ্ঠিরনা হংঙি - ঈবুধৌ! লালকমদা শিনিংবনব ওইরবসু শিনিংদনবু ওইনবসু য়েক্লবগী মথুত্তা থরায় থাথিবা লান্মীশিংদুগী জীবনা কংথ্রিবা গতি (ধাম) অদু করিনো, মাদু তাকপিয় ॥১॥ অশিংবা। মহাজ্ঞানী ঈবুধৌ। ঈবুধৌনা হেন্না খঙবিরিবনি—সংঙাওদা তাইবং মীনা মমল য়াম্লবা পুনশিবু অরেম্বদা মাঙহন্নিবসে দুখংশিজরবা থরায়বু থাদোক্লিবসে মহ। অরাবগী মশক্তি। থরায়বু থাদোকপা হায়বসি পাক ওয়দবা অরুবা থবক অমনি ॥২॥ তাইবং জীব হায়বসিনা চাওথৎপগী অবস্থাদসু, হন্থরকপগী অবস্থাদসু, মঙ্গল ওইনা লৈরিবৈগী মতমদসু অরাবা নংলবা, অমঙ্গল ওইনা লৈবগী মতমদসু, করিগুম্বা অবস্থা অমদা শিব হায়বসে ঈপাম পামদবনি। মাসি করিননো? মাদু তাকপিয়। ঐনা খঙবদা, ঈবুধৌদি লোইনা খঙবিরবা মীশক অমনি হায়না লেপচরবনি ॥৩॥ ভীমনা হায়ঃ পৃথিবীগী মপু নিংথৌ। সংসারদা পোক্লিবা লৈরিবা অচৌ অপিশক জীব থুদিংমক অচৌবা হন্থবা অবস্থা পুম্নমক্তা ঈসুংঙ দুংঙাইদুনা লৈরিবনি। হায়রিবা জীব থুদিংমকসে তুমীংতগী ব্রহ্মা ফাওবা শিববু কনাদু পায়দে। মাসিগী মরম অসি ঐ হায়গে। নংনা ওসি, ওথোক্লা কায়রবা করবা রাহং অম হংলে ॥৪-৫॥

অত্র তে বর্ত্তয়িষ্যামি পুরাবৃত্তমিদং নৃপ। দ্বৈপায়নস্য সংবাদং কীটস্য চ যুধিষ্ঠির ॥৬॥
ব্রহ্মভূতশ্চরন্ বিপ্রঃ কৃষ্ণদ্বৈপায়নঃ পুরা। দদর্শ কীটং ধাবন্তং শীঘ্রং শকট বর্ত্মনি ॥৭॥
গতিজ্ঞঃ সর্বভূতানাং ভাষাজ্ঞশ্চ শরীরিণাম্। সর্বজ্ঞঃ স তদা দৃষ্ট্বা কীটং বচনমব্রবীৎ ॥৮॥

ব্যাস উবাচ

কীট সংত্রস্তরূপোঽসি ত্বরিতশ্চৈব লক্ষ্যসে। ক্ব ধাবসি তদাচক্ষ্ব কুতস্তে ভয়মাগতম্ ॥৯॥

কীট উবাচ

শকটস্যাস্য মহতো ঘোষং শ্রুত্বা ভয়ং মম। আগতং বৈ মহাবুদ্ধে স্বন এষহি দারুণঃ ॥১০॥
শ্রূয়তে ন চমাং হন্যাদিতি হ্যস্মাদপক্রমে। শ্বসতাং চ শৃণোম্যেনং গোপুত্রাণাং প্রতোদ্যতাম্ ॥১১॥
বহতাং সুমহাভারং সনিকর্ষে স্বনং প্রভো। নৃণাং চ সংবাহয়তাং শ্রূয়তে বিবিধঃ স্বনঃ ॥১২॥
শ্রোতুমস্মদ্বিধেনৈষ নশক্যঃ কীট যোনিনা। তস্মাদতিক্রমাম্যেষ ভয়াদস্মাৎ সুদারুণাৎ ॥১৩॥

নিংথৌ। মমাংদা, দ্বৈপায়ন ব্যাসগা লম্বীদা চৎপা পীক্কবা তীল অমগা ওাওনখিবা রাকম অদো লীগে তাও ॥৬॥ মমাংতৌগী নোংমগী য়ারৌনি। নোংমা কৃষ্ণদ্বৈপায়ন বেদব্যাস অসি করিগুম্বা থবক অমগীদমক লম্বীদা অসুম চৎলিতৌদা, তীল অম য়াম্ন কম্ন চেনবহ উই ।৭॥ মহাজ্ঞানী বেদব্যাস অসি জীব খুদিংমক্কা তৌরিবা চলন খঙ্লিবা য়াথল অহৃগা জীব পুম্নমকী ভাষা (লোল) অসি লোইনা খঙিও। ব্যাসনা তীল অহৃদা অসুম্না য়ারী শান্নখি ।৮॥ ব্যাসনা তীল অহৃদা অসুম হংখিও—তীল। নহাক ওসি যাম্ন কিবগী মওংদা, ঈপা পাখত্নুনা চেল্লি। হায়য়ু, কদায়দা অসুক কন্না তকিং তকিং চেল্লিবনো? কনাবুনো নংনা কিরিবসে? ॥৯॥ তীলনা অহৃনা খুম্মি—মহাজ্ঞানী। শলগাড়ী চাউরবা অম অসোমদা লাকলি। গুং গুং লাউনা কন্না লাকপগী খোঙ্গেল অসি তাবদা ঐগী থম্মোয়দা কিবা অমদি ঐবু তকপ্রগত্রা হায়বগী মুংশাথীবা অম পোকই। শলগাড়ী অসিনা লাকপগী মখোল অসে ঐত্তোন্দা ওম্মোক্লা অকিবগী মশক ওইয়ে ॥১০॥ গাড়ীনা লাকপগী মখোলনা ঐগী নাকোংদা হেক য়ৌরকপদা গাড়ীগী চাকামা ঐবু তকখায়গত্রা হায়বগী পুক্নীংদ চিংনবা, অকিবা অম হেক কাওরকই। অহৃনা ঐ গাড়ী অসিনা য়ৌরকত্রিতৌদা থুনা চেম্মোকলিবনি য়েংঙুদো, গাড়ীরালা অসিনা গাড়ী অসিবু চিংলিবা শলদা শাজৈনা কন্না থাজিনবগী মখোল অসে তারি। গাড়ী অসিদা অরূবা পোৎ ওাক পিক থম্না হাপচিল্লি। য়েংবিয়ু, আহ্, গাড়ী অসে ঐত্তোল্লোম্দা য়াম্ন নকশিল্লকলি। গাড়ী অসিগী মথক্তা তোংলিবা মীশিং অসিগী ওাওনা শান্নবগী তোওাল তোওাম্বা খোম্মাংসু তারি ॥১১-১২॥ ঐগুম্বা পীক্কবা তীল অমনা অসিগুম্বা মখোল অসি তারগা তপথনা ঈওথনা লৈথোকপা হাৎবসে ওইথোক্তবনি। থম্মায় মাওবা য়াবা মখোল অসি তারক্নুনা ঐনা কন্না চেম্মোকহৌরিবনি ॥১৩॥

দুঃখংহি মৃত্যুভূতানাং জীবিতং চ সুদুর্লভম্ । অতোভীতঃ পলায়ামি গচ্ছেয়ং নাসুখংসুখাৎ ॥১৪॥

ভীষ্ম উবাচ

ইত্যুক্তঃ স তুতং প্রাহ কুতঃ কীটঃ সুখংতব । মরণং তে সুখং মন্যে তির্য্যগ্‌যৌনৌ চ তুবর্তসে ॥১৫॥

শব্দং সম্পর্শং রসং গন্ধং ভোগাংশ্চোচ্চাবচান বহুন্ ।

নাভিজানাসি কীট ত্বং শ্রেয়ো মরণমেবচ ॥১৬॥

কীট উবাচ

সর্বত্র নিরতো জীব ইতশ্চাপি সুখংমম । চিন্তয়ামি মহাপ্রাজ্ঞ তস্মাদিচ্ছামি জীবিতুম্ ॥১৭॥

ইহাপি বিষয়ঃ সর্বো যথাদেহং প্রবর্ত্তিতঃ। মানুষা স্থৈর্য্যজাশ্চৈব পৃথগ্‌ভোগ্যবিশেষতঃ ॥১৮॥

অহমাসং মনুষ্যো বৈঃ শূদ্রো বহুধনঃ প্রভো । অব্রহ্মণ্যো নৃশংসশ্চ কদর্য্যো বৃদ্ধিজীবনঃ ॥১৯॥

বাক্‌তীক্ষ্ণো নিকৃতিপ্রজ্ঞো দ্বেষ্টা বিশ্বস্য সর্বশঃ। মিথ্যা কৃতোহপি বিধিনা পরস্বহরণেরতঃ ॥২০॥

অপীকপা অচৌবঃ হায়বা লৈজে, শিব হায়বসে মহা অরাবা মুংশা থীকম থোকপা থৌদোক অম ওই। অদুনা ঐস্‌ কিদুনা চেম্বোকলিবসিনি। ঈগুং মুংঙাইনা লৈজরিবা ঐঙোন্দা অরাবা থুদোংথীবা অম লাক্লগত্রা হায়না খল্লি ॥১৪॥ ভীষ্মনা হায়ঃ—নিংথৌ! তীল অদুনা অসুম্না হাররকপাস তাবদা ব্যাসজীনা তীল অদুদা অসুম্না হংঙি—তীল। নহাকী মুংঙাইবা হায়বা হায়বসিবু করিনো, কদায়দনো? ঐনা খনবদি, অসুম্না তীলগী মপোক্ত লৈগদবগী শরুকপুদি শিজখিবনা হেন্না নঙোন্দা মুংঙাইবা ওইরনি হায়না খল্লি। তীল কাওগী মপোক্তা পোকপা হায়বসে য়াম্ন হন্থবা মপোক্লি ॥১৫॥ তীল। শব্দ, স্পর্শ, রস, গন্ধ হায়বা বিষয় অসি পীক্রবা তীল নখোয়গুম্বদি মরেক লানা কাওদে। অদুগী শরুকপুদি শিজখিবনা হেন্ন করবনি ॥১৬॥ তীল অদুনা হায়ঃ—মহাজ্ঞানী। জীব থুদংমক মাগী মপোক পুনশিদা ঈগুং মুংঙাইনা লৈজরিবা ঙাকনি। অদুনা ঐস্‌ ঐগী ঈপোক পুনশি অসিদা ঈগুং মুংঙাইনা লৈজরি। কুইনা হিংদুনা মুঙাইনা লৈজনীওলি ॥১৭॥ জীব ঐনা পীক্লবা কুয়োম হকচাং অসিদা মুংঙাইনা লৈননবগী মচাক অদো রাদুনা অদুম মরৈরি মকংজরি। তাইবং মী, শা উচেক, তুম্বীৎ তীল কাও হৈপাল লৈপালদা লৈরিবা জীবশিংসিনা মাগী মাগী তোঙাল তোঙাম্বা ভোগ অমমম চাদুনা, কংদুনা ঈগুং মুংঙাইনা লৈনরিবনি ॥১৮॥ জ্ঞানী! ঐসে, নহাক্মুক্কী মপোক্তা, তাইবং মী ওইনা পোক্লম্বনি। অদুগা লম্ন্‌ম য়াম্ন লৈবা শূদ্র অমসু ওইনা লৈরম্মি। অদুগা ঐসি, য়াম্ন লীকপা ব্রাহ্মণদা থৌওই-উশিন্ববগী মওংদা লৈরম্মি। য়াম্না লীকপা, তমখিবা, শেন্দোয য়াম্ন চানীংবা মীশক অমা ওইনা পোকখি ॥১৯॥ মী থুদংমক্তা তমখিবা, রাহৈ খোনকম কনবা, শাউগনবা মীঙোন্দা নমথাক লৌনম ভৌবা, মীঙোন্দা খৎন-চৈনবত হৈনবা, হান্নরিবা কত্রবা স্বভাবশিংসিতগা শাগোম্নবা মীশক অম ওইরম্মি। মীনম শোরিদুনা মীঙোন্দা ওটী-পাটী ভৌবা, মীগী মপোৎ মরনবু লৌখোকদবগী হোৎনবা অসিতনা ঐগী স্বভাব ওইরম্মি ॥২০॥

ভৃত্যাতিথিজনশ্চাপিগৃহেপর্য্যাশিতোময়া। মাৎসর্য্যাৎ স্বাদুকামেন নৃশংসেন বুভুক্ষতা ॥২১॥
দেবার্থং পিতৃযজ্ঞার্থমন্নং শ্রদ্ধাহহৃতং ময়া। ন দত্তমর্থকামেন দেয়মন্নং পুরা কিল ॥২২॥
গুপ্তং শরণমাশ্রিত্য ভয়েষু শরণাগতাঃ। অকস্মাৎতে ময়া ত্যক্তান ত্রাতা অভয়ৈষিণঃ ॥২৩॥
ধনং ধান্যং প্রিয়ান্ দারান্ যানং বাসস্তথাদ্ভুতম্। শ্রিয়ং দৃষ্ট্বা মনুষ্যাণামসূয়ামি নিরর্থকম্ ॥২৪॥
ঈর্ষ্যা পরসুখং দৃষ্ট্বা অন্যস্য ন বুভূষকঃ। ত্রিবর্গহন্তা চান্যেষামাত্মকামানুবর্ত্তকঃ ॥২৫॥
নৃশংসগুণভূয়িষ্ঠং পুরা কর্ম কৃতং ময়া। স্মৃত্বা তদনুতপ্যোহহং হিত্বাপ্রিয়মিবাত্মজম্ ॥২৬॥
শুভানাং নাভিজানামি কৃতানাং কর্মণাং ফলম্। মাতা চ পূজিতাবৃদ্ধা ব্রাহ্মণশ্চাথিতো ময়া ॥২৭॥
সকৃজ্জাতিগুণোপেতঃ সত্যা গৃহমাগতঃ। অতিথিঃ পূজিতো ব্রহ্মংস্তেন মাং নাজ হাৎস্মৃতিঃ ॥২৮॥

ঐ অসে খোঙ্গাল হৈতবা, মীনুংশি খঙদবা মীশক অম ওইরম্মি। ঐতনা চারগা লোইরে হায়দুনা য়ুমদা লাকপা অতিথিশিংবু অদুগা য়ুমদা লৈরিবা মীশিং অদু কাওববু পীজদনা ইথম্তনা চানবনি চায়দুনা থোংলিবা হাউর হাউরবা চাক য়েঙ্গাং অদু ইথন্ত চাথোকই ॥২১॥ নহালমুকী মপোক্তা, দেবতাশিংগী অমদি পিতৃলোককীনি হায়না শ্রদ্ধাগা লোয়ননা কৌ-চেঙ য়াম্না পৈশিল্লি। অদুবু পৈশিল্লবা অন্ন অদুনা লম্বুম সনা লুপা অমুক পাম্মকনা দান তৌগদৌরিবা পোৎশিং অদু অমতা দান তৌখিদে ॥২২। অরাবা, অকি-অথংগী মতমদা ঐগী নাক্তা আশ্রয় লৌগদৌবগী লাকচরিবশিংদুবু পুশিন্নুনদি থম্বিরগা করি মরমদগীনো ঈথঙ খঙদনা মথোয়বু অমুক তাম্মোকই ঙাকপি-শেনবিনি হায়দুনা থম্নগা তাম্মোকই। ২৩। অতোপ্পা অমগী মরল মথুম কৌ-চেঙ, মুপী-নহা কজ কজরবা শাদোং বাহন, ফিরোলশিং অদু উরগা পুক্নীংদা ওল্লাঙ ওনশাউবা মুংঙাইতবা মিহৌবা পোকই। ২৪॥ মীগী চাওখৎপা উরগা মুংঙাইতবদু পোকই। মীগী চাওখৎপদু উরগা, ভুমিল্লা য়েংদুনা লৈবা ঙমদে, প্রোক প্রোক চাকই। মী অমনা ধর্ম কর্ম অমতং তৌজরকপদা বিঘ্ন পীগদবগী য়ৈথায়গদবগী হেক হেক হোৎনৈ। মী অমগী মরা লৌদনা ঐনা থোকপত তৌবা মীশক অম ওইরম্মি ॥২৫॥ নহালমুকী মপোক্তা ঐসি ঐনা তৌথোরকপা থবক খুদিংমক্তা মীমাওদা লেমখোক খোক্তোকপগী, তৌবা ঙম্বা উৎকদবগী ঙাক্তা ওইচনা মীমুংশি খঙদবগী থবক ঙাক্ত ওইখি। মাদু পুন্নমক্ত হৌজিক নীঙশিংলুবদা নীঙঙমহৌদবগী মৈনা থম্মোয় অসিদা চাক্লি। মুংশিরবা মচাবু তাম্মোকপ্রব ভুংদা খাঙবা ঙমদবা নীঙঙমদবগী মৈনা চাকপদুঙম্না ঐগী থম্মোয়দদু চাক্লি। ২৬॥ নহালমুকী মপোক্তা ঐনা তৌখিবা অকব থবকশংগী মহৈদো হৌজিক ঐঙোন্দা করিমত কাউদে। অদুবু ঐনা ঐগী ইমাগী সেবা অতিথি ব্রাহ্মণদা খরদং তৌজখিবা অতিথি সেবা, শাগৈ নাতৈবু স্বাগত তৌজখিবা খরদংদুগী মপাম্না ভীলগী হকচাংদা চঙদুনা লৈরবা জীব ঐনা স্বাদুতাদ নীঙশিংজরি। কাউহনবিদে ॥২৭-২৮।

কর্মণা পুনরেবাহং সুখমাপ্নামি লক্ষয়ে। তচ্ছ্রোতুমহমিচ্ছামি ত্বত্তঃ শ্রেয়স্তপোধন ॥২৯॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যামনুশাসনপর্বনি দানধর্মপর্বনি কীটকোপখ্যানে সপ্তদশাধিকশততমোঽধ্যায়ঃ ॥ × ॥ × ॥

—:(* :)—

তপোধন! মহাজ্ঞানী! ঐ হৌজিক করিগুম্বা কর্ম অমনা মতুংগী মপোক্তা সুংভাইবা ফংগনবা হৌজিকমক্তি শিনিংত্রি। অদুগুম্বা জীব ঐভোন্দা মঙ্গল ওইগদবা থবক্তো তাকপিয়ু। মাহুতাজনীত্তিউ ॥২০॥

মকম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোক লিশিং চামদা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা অনুশাসন পর্বদা দানধর্ম পর্বদা কীটোপাখ্যান (তীলগী য়ারী) গী চামতরাতরেৎশুবা অধ্যায় লোইরে ॥ × ॥ × ॥

—:(*):—

মণিপুরী মহাভারত

অষ্টাদশাধিকশততমোঽধ্যায়ঃ

(তীলগী মপোক লৈরম্বা জীবনা মথং মথং শূদ্র, বৈশ্য, ক্ষত্রিয়, ব্রাহ্মণগী মপোক কাথংলক্তুনা ব্যাসগা উন্নরবগী মতাং য়াম্নী)

চামতরানিপালশুবা অধ্যায়

—:(*):—

ব্যাস উবাচ

তস্তেন কর্মনা যদ্বৈ তির্য্যগ্‌যোনৌ ন মুহ্যসে।
মমৈব কীট তৎকর্ম যেন ত্বং ন প্রমুহ্যসে॥১॥
অহং ত্বাং দর্শনাদেব তারয়ামি তপোবলাৎ।
তপোবলাদ্ধি বলবৎ বলমন্যন্ন বিদ্যতে॥২॥
জানামি পাপৈঃ স্বকৃতৈ র্গতং ত্বাং কীট কীটতাম্।
অবাপ্স্যাসি পুনর্ধর্মং ধর্মংস্তু যদি মন্যসে॥৩॥

ব্যাসনা হায় :—তীল। নহাক্না তীলগী মপোক্তা পোক্লকাওবদা করিমত অমহত্তনা লৈরিবা অহুগা নহাকমুক্কী মপোক কাওবা কাউক্রিবসে, ঐননি, হায়বাদ ঐবু উবদগী, ঐগা উন্নবদগীনি। ঐগা উন্নবসিগী প্রভাবনা নংনা তন্মক্রিবনি॥১॥ ঐনা ঐগী তপস্যাগী শক্তিনা তীল মপোকসিদগী উদ্ধার তৌগনি। মরমদি তপস্যাগী শক্তিদগী হেনবা অতৈ শক্তি অমত্তা লৈতে॥২॥ তীল। নহাক্না নহাক-মুক্কী মপোক্তা তৌখিবা কর্মশিংহুগী মহৈনা তীল মপোক্তা জীব নং লাক্লবনি। মপোক অসিদা ধর্মদা লৈরিবা নহাকী শ্রদ্ধা অহুনা লেঙদনা লৈরবদি, ধর্ম অদো অহুম মফংগনি॥৩॥ জীবসিনা লাই, তাইবংমা, শা-উচেক তীল কাওগী হকচাং তোঙাল তোঙাম্বদা চঙ চঙহুনা পোক্লরিবসে মহাক্লা তৌখি তৌখিবা কর্মশিংহুগী মহৈনি। জ্ঞান তাদবশিংনা তৌরিবা, চংলিবা ধর্ম অসিসু তৌখি তৌখিবা কামনাশিং অহুননি। অহুগুম্বা কামনাশিংহু সিদ্ধ ওইননবগী মচাক গুণশিং অহুসু অহুম মফংলিবসিনি॥৪॥

কর্ম ভূমিকৃতং দেবা ভুঞ্জতে তির্য্যগাশ্চ যৈ।
ধর্মোৎপি হি মনুষ্যেষু কামার্থশ্চ তথা গুণাঃ ॥৪॥
বাগ্ বুদ্ধিপানিপাদৈশ্চ ব্যাপেতস্তুবিপশ্চিতঃ।
কিংহাস্যতি মনুষ্যস্য মন্দস্যাপি হি জীবতঃ ॥৫॥
জীবন্ হি কুরুতে পূজাং বিপ্রাগ্র্যঃ শশিসূর্য্যয়োঃ।
ব্রুবন্নপি কথাং পুণ্যাং তত্র কীট ঘমেষ্যসি ॥৬॥
গুণভূতানি ভূতানি তত্র ত্বমুপভোক্ষ্যসে।
তত্র তেঽহং বিনেষ্যামি ব্রহ্মত্বং যত্র বৈষ্যসি ॥৭॥

মূর্খবু ওইরবসু, বিদ্বান (জ্ঞানী) ওইরবসু, বুদ্ধি, বানী (রা ভাঙবা), খোঙ খুৎনচিংবা য়াওত্রবসু হিংহনা লৈরিবদি, মাবু থাদোক্লুনা চংখৎপদবা কাঁর পোৎতি লৈরি? মহাক মশামক পুরুষার্থ পুম্নমক্না থাদোক্লুনা লৈরিবনি * ॥৪॥ তীল! মকম অমদা ব্রাহ্মণ অম লৈ। মহাক অসি মুমিৎ থুমিংগী সূর্য্যচন্দ্রগী পূজা তৌহনা মী পুম্নমক্না ধর্মগী কথা তাহন্দুনা লৈরি। মহাকী পরিবারদা নহাক মাগী মচা অম ওইনা পোক্লগনি ॥৬॥ মকম অদুদা সংসারগী বিষয় পুম্নমকপু পঞ্চভূত (মৈ, ঈশিং, নুংশিৎ, আকাশ লৈপাক) কী বিকার ভাক্তনি হায়না খঙদুনা মখোয়দা আসক্তি থমদনা উপভোগ অদুম তৌরগনি। মকম অদুদা ঐ লাক্লুনা নঙোন্দা ব্রহ্মবিদ্যা তম্বিরনি। নহাকনা কংনিংবা য়ৌনিংবা লোক অদুদা অদুম ঐনা য়ৌহনগনি ॥৭॥

---

* টীকা: হায়রিবসিগী ভাব (মনুংগী অর্থ) দি জ্ঞানী ওইনদি পোক্লগা রা ভাঙবদি খোকত্রবা, অদুগা মখোং মখুৎ করিমত য়াওদনা লেঙবা ওৎপা ঙমদনা পোক্লবদি, অমরোমদা অমুক, মূর্খ ওইনসু পোকলগা, অদুগী মথক্তা অমুক মখোঙ মখুৎ য়াওদনা, রা ভাঙবা থোক্তনা পোক্লুনা হিংহনা লৈরবদি, মাবু থাদোকত্রিবা করিগুম্বা পোৎ অমত লৈত্রে। মহাক মশামক পুম্ননান চম্লুনা লৈরবনি। অসিগুম্বা মীশক্তসি মহাকী মপুর্নশিদা ধর্ম, অর্থ, কাম, মোক্ষ পুরুষার্থ মরিসিগী মনুংদা অমত্তা পাঙথোকত্রে হায়রিবসিগী ভাবতি মনুংদা অমতবু পাঙথোকত্রবদি শিজ্জবনা ছেন্ন কৈ হায়রবনি। হিংহনা লৈবগা লৈতবগা খেন্নবা লৈত্রে। মরোলসু থোকত্রবা, মখোঙ মখুৎ শোয়দুনা লেঙবা ওৎপসু ঙমত্রবা, মবুদ্ধি লৈত্রবসু, অদু ওইরবদি মাংশিগু শদুম অম খিন্দুনা লৈবগা করি খেন্নরি। অদুগুম্বা মপোক অদুসু মপোক করাদা তৌখিবা কুকর্মগী মহৈনি। অদুম হায়না লৈগদবগী শরুকপুদি জ্ঞান তানা লৈবা তীল অম ওইনা লৈবনা কৈ। (কালাচাঁদ)

সততোতি প্রতিক্রত্য কীটো বর্ষ্ম্যভিষ্ঠিত।
শকটো ব্রজংশ্চ মুমহানাগতশ্চ যোনিষু ॥৮॥
চক্রাক্রমেন ভিন্নশ্চ প্রাণান্ মুমোচ হ।
সম্ভূতঃ ক্ষত্রিয়কুলে প্রসাদাদামিতৌজসঃ ॥৯॥
তমৃষিংদ্রষ্টুমগমৎ সর্বাস্বন্যাসু যোনিষু।
শ্বাবিদ্গোধাবরাহণোং তথৈব মৃগপাক্ষণাম্ ॥১০॥
শ্বপাক শূদ্রবৈশ্যানাং ক্ষত্রিয়াণনাং চ যোনিষু।
সকীট এবমাভাষ্য ঋষিণা সত্যবাদিনা।
প্রতিস্মৃত্যাথ জগ্রাহ পাদৌ মূর্ধ্নি কৃতাঞ্জলিঃ ॥১১॥

কীট উবাচ

ইদং তদতুলং স্থা মীপ্সিতং দশভিগুনৈঃ।
যদহং প্রাপ্য কীটত্বমাগতো রাজপুত্রতাম্ ॥১২॥
বহন্তি মামতিবলাঃ কুঞ্জরাহেমমালিনঃ। স্যন্দহেষু চ কাম্বোজা যুক্তাঃ পরমবাজিনঃ ॥১৩॥

ব্যাসজীগী য়াসি তাবদা তীল অহুনা, করে, য়াম্না মুংঙাইজরে চায়হুনা মহাক গাড়ীনা লাক্লবা লম্বী অহুদা অহুম লেওদনা কৈরে। গুহাক লৈরগা শল গাড়ী লাক্কুনা তীল অহু শিংগুপ শানা তক্কুনা মথায় থাখি॥৮॥ অহুদগী তীলগী হকচাংদা লৈরম্বা জীব (জীবাত্মা) অহু মচীন তুম্বা তিংথং থুংলাথ-চিংবগী মচীন্দা শিহুনা, থেঙ্গু, ওক, শজী, উচেক, চাণ্ডাল (শাহীং চাবা) শূদ্র অহুম্বা বৈশ্যগী মপোকশিংসিদা মথং মথং পোক্লক্কুনা মৈথড়দা ক্ষত্রিয়গী মপোক্ত পোক্লরে। ক্ষত্রিয়গী মপোক্তা পোক্লরব তুংদুনা মহাক মহর্ষি ব্যাসগী দর্শন তৌরুগে হায়হুনা ব্যাসগী দর্শন তৌরুগে হায়হুনা ব্যাসগী আশ্রমদা চৎখি॥৯-১০॥ তীলগী মপোক্তা লৈরিবৈদা সত্যবাদী ওইবা বেদব্যাসগা উরজহুনা উপদেশ কংজরুবগী মপান্না তোঙাল তোঙাম্বা শা। উচেকী মপোকশিংদা চঙ চঙহুনা ক্ষত্রিয়গী মপোক্তা কাথংলক্লব তুংদুদা মহর্ষি ব্যাসগী নাক্তা লাক্কুনা ঋষিগী চরন্দা মকোক থমহুনা (চরণ শোক্না খুরুমহুনা) অস্তুম্না হায়রকই॥১১॥ ক্ষত্রিয়গী মপোক্তা লাক্লবা তীল (ক্ষত্রিয়) অহুনা হায়রকই:—ভগবন্! নহাক্কী কৃপাদগী তীলগী মপোক্তা লৈরম্বা ঐনা হৌজিক কংজরিবা মপোক অসে কনাগুম্বগী করবা মপোক অমগা চাংদম্নবা য়াত্রবনি। হৌজিক কংজরিবা মপোক সিগুমসিদা তরায়ক হেন্না পোকচনীংলি। কংজরিবা মপোক অসে মহাক্কনা নহাক্কী মপান্দগীনি। তীলগী মপোক্তা লৈরম্বদগী ক্ষত্রিয় রাজকুমারগী মপোক্তা জীব ঐলাকচরে॥১২॥ সনম্নীক পরেংনা মতকশমদা লৈপরেং ওইনা লৈতেংলবা কজবা য়াং চাউরবা শামুনা ঐগী বাহন ওইরি। কাবুলী জাতিগী কজরবা শগোলশিংনা ঐগী রথ চিংলি॥১৩॥

উষ্ট্রাশ্বতরযুক্তানি যানানিচ বহুন্তিমাম্ ।
সবান্ধবঃ সহামাত্যশ্চাশ্নামি শিশিতৌদনম্ ॥১৪॥
গৃহেষু স্বনিবাসেষু সুখেষু শয়নেষু চ ।
বরার্হেষু মহাভাগ স্বপামিচ সুপূজিতঃ ॥১৫॥
সর্বেষপররাত্রেষু সূতমাগধবন্দিনঃ ।
স্তুবন্তি মাং যথা দেবা মহেন্দ্রং প্রিয়বাদিনঃ ॥১৬॥
প্রসাদাৎ সত্যসংধস্য ভবতোঽমিত তেজস ।
যদহং কীটতাং প্রাপ্য সম্প্রাপ্তো রাজপুত্রতাম ॥১৭॥
নমস্তেঽস্তু মহাপ্রাজ্ঞ কিং করোমিপ্রশাধি মাম্ ।
ত্বত্তপোবলনির্দিষ্টামিদং হ্যধিগতং ময়া ॥১৮॥

ব্যাস উবাচ

অর্চিতোঽহং ত্বয়া রাজন্ বাগ্ভিরদ্য যদৃচ্ছয়াঃ ।
অদ্য তে কীটতাং প্রাপ্য স্মৃতির্জাতাজুগুপ্সিতা ॥ ১৯॥

উট, খচ্চর শগোলনচিংবা (হোনবা) গাড়ীশিংনা ঐবু হংগৎহন্দা হোল্লি। ঐ, ঐগী ঈচীন ঈনাওশিংগা কপ্পিয়ন্থনা হাউর-হাউরবা ওা চাক যেঙ্গাং নাপী, অতাও অথুম মখল মখল মন্ত্রীশিং মরূপ মপাংশিংগা লোয়ননা চাবা কংজরি ॥ ৪॥ পূকচেল চাউরবা। মীথোই মীহেল্লবশিংতনা লৈবদা মতীক চারবা রাং চাউরবা ফুরা দলাল (য়ুম) মঙ্গুংদা য়াওন য়াতবদা সুজাইরবা, মমল য়ান্নবা শয্যা (কমুং) থক্তা মীনায নীশল কর্মচারীশিংনা কিনা লুনা তরাম তরাম তৌবগা লোয়ননা তুম্বা হীয়া কংজরি ॥ ৫॥ সুমিৎ খুদংগী, অহিং মমৈ (নোংজাল্লমদাই) দা য়াইকায়রোল শকপা সূত, মাগধ, ভাট কবিশিংগী য়াইকায়রোল শৈরেং শৈশক্লা ঐগী স্তুতিগান তৌহুনা তুম্বদগী হোদোক্লি। দেবতাশিংনা মহেন্দ্র (ইন্দ্র) গী মতীক মগুণ থার থারহনা শৈশকপা অদুগা চপ মান্নয়ে ॥ ৬॥ মহাজ্ঞানী নহাক্তি রাশক চেৎপা, চাংদম্নীং লৈতনা তপস্যাগী মপান্নাইরবা শক্তিনা, মহাতেজ কল্লবা মীশক অম ওইনা লৈবিরবনি, নহাক্কী থৌজান্দগী তীল ওইনা পোক্লম্বদগী হৌজিক রাজপূত ক্ষত্রিয় রাজকুমার অম ওইনা পোকচরে ॥ ॥ মহাজ্ঞানী। নখোঙদা হয় হয়া খুম্নজরি। করম্বা সেবা তৌজো হায়বগে ননাইদা তাকপিসি। নহাক্কী তপস্যাগী শক্তিনা ঐ হৌজিক ক্ষত্রিয় নি থৌগী খুদম কংজরে ॥ ৮॥ ব্যাসনা হায়:— নিংথৌ। নহাক্লা নীংথিজরবা রাহৈ রাজানা ঐবু লৈশি লৈখোল্লি। নিংথৌগী মপোক্তা পোক্লম্বকাওবদা নহাক্মুক্কী তীলগী মপোক্তু হৌজিক কাওবা নীংশিংলি (কাউজ্রি) ॥ ৯॥

নতুনাশোঽস্তিপাপস্য যত্ত্বয়োপচিতঃ পুরা।
শূদ্রেণাথপ্রধানেন নৃশংসেনাততায়িনঃ ॥২০॥
মমতে দর্শনং প্রাপ্তং তচ্চৈব সু কৃতং ত্বয়া।
তির্য্যগ্‌যোনৌস্ম জাতেন মমচাভ্যর্চনাৎ তথা ॥২১॥

ইতস্তং রাজপুত্রত্ব'ৎব্রাহ্মণ্যং সমবাপ্স্যসি। গোব্রাহ্মণকৃতপ্রাণান্ হুত্বাঽ আনংয়ণাজিরে ॥২২॥
রাজপুত্র সুখং প্রাপ্যাক্রতূংশ্চৈব'পুদক্ষিণান্। অথমোদিষ্যসে স্বর্গে ব্রহ্মভূতোঽ ব্যয়ঃ সুখী ॥২৩॥

অহুৰু নহাক্না নহাল অমুকী মপোক্তা. দুংশি হৈতবা, লম্ব্ম পৈশিন খোমজিনবতদা পুক্নীং চঙবা শূদ্র অমা ওইনা পোকখিহুনা, মতম অহুদা তৌরম্বা পাপ কর্মশিং অহুগী কত্রবা দোষ পাপ অহুদি হৌজিক পূমলোই লোইহ্রি * ॥২০॥ অহুডৈ তীলগী মপোক্তা লৈরিডৈদা নুহাক্না ঐগা উরখি। সংসজ ওহাক কংখি। মাহুগী মহৈনা তীলগী মপোক্তগী হৌজিক ক্ষত্রিয় নিংথৌ রাজপুতকী মপোক্তা পোক্লরবসু জীব নংনা হান্নগী মপোক কাউজদহুনা নোঙ্গুক্তা ঐগী ঈকমদা সংসজ অমুক তৌরম্নি। মাসিগী মহৈনা নহাক অমুক ক্ষত্রিয়গী মপোক অসিদগী ব্রাহ্মণগী মপোক্তা পোক্লরনি ॥২ ॥ র'জকুমার। ক্ষত্রিয় মপোক অসিদা নিংথৌ অমা ওইবগী হীরম পুন্নমক্ত সুখভোগ রাজভে'গ চারগা গোব্রাহ্মণগী হাংকল্লনবগী ধর্মযুদ্ধদা যজ্ঞভূমিগী মশক ওইরবা রণভূ'মদ নথ্যায়বু হোম তৌরখিনি। অহুদগী জীব নং ব্রাহ্মণগী মপোক্তা অমুক কাখৎ'হুনা দানন্দিণা য়ায় তৌবা যাগযজ্ঞ কয়া পাঙথো'ক্লগা ব্রহ্মালোকতা অমাঙঅতা লৈত্রবা পরং ব্রহ্মগী স্বরূপ অহুদা জীব নং চঙখিগনি। (জীব নং ব্রহ্মমক ওইখিগনি) ॥ ২-২৩॥

---

* টীকা :- শাগৈ জাৎ চাউরবা. মহৈ মশিং হৈরবা, মরল মথুম লৈরবগী মপোক্তা পোক্লরবসু. নাপম লুতোন কাখিহুনা চাউথোকপ থোয়বা কৌবগী কুয়োমদা (লাংদা) কূপশিন্দুনা লৈরিবা জীব স মপোক অম অমদা তৌখিবা পুণ্যকর্মগী মহৈনা মীথোই মীহেনবা মপোক্তা পোক্লরবসু জীবহুনা অহংকারগী লাংদগী নাম্বোকপা ওমত্রিবসি, অতোপ্পা মপোক অমদা তৌখিবা পাপ কর্মহুগী মহৈ চাবা লোইত্রিবননি। শাগৈ জাৎ চাউরবা, মহৈ মশিং হৈরবা, মরল মথুম লৈরবগী মপোক্ত পোক্লরকাওবদা নোঙ্গুকপতগী মশক ওইনা অহল লমন লাই গুরুগী মকমদা তোল্লবা জীব অমগুম মকোক নোল্লিবসি পূর্বজন্মশিংদা পুণ্যকর্মগী মশীং অহু য়ায়খিবদগীন। হৌজিকী কংলিবা মপোক অকবা মপোক অহুদগীসু হেনবা মপোক অমদা অমুক কাখৎলুবিনি হায়না তাকপদনি। তৌখিবা পাপ কর্মগী মশীংবা রাপমনখিবনা অকবা মপোক্তা পোক্লগা অহংকারগী লাংদগী নাম্বোকপা ওমত্রিবা জীব ঐসি পাপকী কর্মফল অহু চাবা লোইত্রিনা হায়না খঙজহুনা হান্নগী তীলগী মপোক্তদা হ'ঙগমুরগত্রা হায়না খনকম (থুকউ শেপ্ফম) থোকই। (কালাচাঁন্দ)

তির্য্যগ্‌যোন্যাঃ শূদ্র তামভুপৈতি শূদ্রোবৈশ্যং ক্ষত্রিয়ঞ্চ বৈশ্যঃ।
বৃত্তশ্লাঘীক্ষত্রিয়োব্রাহ্মণত্ব স্বর্গং পুণ্যং ব্রাহ্মণঃ সাধুবৃত্তঃ ॥ ৪॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যামনুশাসন পর্বণি দানধর্ম পর্বণি কীটোপাখ্যানে অষ্টাদশাধিকশততমোঽধ্যায়ঃ ॥ × ॥ × ॥

—:(*):—

তীল কাণ্ড, শা উচেকী মপোকতা পোক্লগা সৎসঙ্গ কংলবদি তাইবং মীগী মপোক্তা অজানবদা শূদ্র জাতিদা পোক্নি। অদুদগী অমুক সৎসঙ্গ কংলগা বৈশ্যগী মপোক্তা, অদুদগী অমুক সৎকর্ম তৌরগা ক্ষত্রিয়গী মপোক্তা, অদুদগী অমুক সৎকর্ম তৌরগা ব্রাহ্মণগী মপোক্তা, অদুদগী অমুক সৎসঙ্গ সৎকর্ম তৌরগা ব্রহ্মলোকতা জীবসি ব্রহ্মমক ওইথিগনি। অদুনা, সদাচারী ওইবা ব্রাহ্মণনা পুণ্যতগী মশক ওইরবা স্বর্গলোক ব্রহ্মলোক কংই ॥ ৪॥ *

মকম অসিদা শ্রীমহাভারতদা, শ্লোক লিশিংচামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা অনুশাসন পর্বদা দানধর্ম পর্বদা কীটোপাখ্যান (তীলগী ৱারী) গী চামতরানিপাল্লুবা অধ্যায় লোইরে॥ × ॥ × ॥

—:(*):—

---

* টীকা :—পুরাণদা, বেদ শাস্ত্রদা স্বর্গ স্বর্গলোক হায়রিবসি, হৌজিক হৌজিক্কী খণ্ডনরিবা ভৌতিক জগৎকী ভৌতিক আকাশ (মেটিরিয়েল ইন্নার স্কাই) অসি নত্তে। আকাশ অসিদি হকচাং (জগৎ) মুং অসিদা পীক্লবা মচাক অম ওইনা লৈরি। স্বর্গ ওইবা ওমদে। স্বর + গ (স্বর্গ) হায়বদি, মনীং মথা তম্না চৎনীং য়ৌনিংবা মকমদা য়ৌথিবা ওম্না অদুগুম্না গতি (শক্তি) অদুবুনি স্বর্গগতি (স্বর্গতি) কংপ্রে হায়নরিবসি। অদুমু ভাবনা মুংতাইদুনা পঙহায় কাংজিন্নরিবনি ঐগী ঈপাগী ঈচাগী জীব অদু ব্রাহ্মত্ব কংপ্রে ব্রহ্মগা একাকার ওইপ্রে হায়বসি চৎপ্রিবা জীবদুনা কংথিগদ্রা, শা উচেকী মপোক্তা চতথিগদ্রা চতথিগদ্রা হায়বদুদি শূকখত খণ্ডনা ভাবতনা মুংতাইথিদুহা লৈহৌরিবশিংনা হায়জবতনি অদুগী শরুকপুদি, মানবদেহসি থাদোক্নুনা অতোপ্পা দেহ অমদা চতপ্রে হায়বনা কৈ। (কালাচাঁদ)

মণিপুরী মহাভারত

একোনাবিংশত্যাধিকশততমোঽধ্যায়ঃ

(ভীল অহনা ব্রাহ্মণগী মপোক্তা পোক্লগা ব্রহ্মলোকতা কাখিহনা ব্রহ্মদা তিনখিবগী ৱারী মতাং)

চামতরামাপল ১৯বা অধ্যায়

—:(*):—

ভীষ্ম উবাচ

ক্ষত্রধর্মমনুপ্রাপ্তঃ স্মারয়েবচ বীর্য্যবান্।
ত্যক্ত্বা স কীটতাং রাজংশ্চচারবিপুলং তপঃ ॥১॥
তস্য ধর্মার্থবিদুষো দৃষ্ট্বা তৎ বিপুলং তপঃ।
আজগাম দ্বিজশ্রেষ্ঠঃ কৃষ্ণদ্বৈপায়নস্তদা ॥২॥

ব্যাস উবাচ

ক্ষাত্রং দেবব্রতং কীট ভূতানাং পরিপালনম্।
ক্ষাত্রং দেবব্রতং ধ্যায়ং স্ততোবিপ্রত্বমেধ্যসি ॥৩॥

ভীষ্মনা হায় :—যুধিষ্ঠির ! মতৌ অসুম্না ভীলগী মপোক্তা (ভীলগী হকচাংদা) লৈরবা জীব অহনা মথং মথং হাইগৎলক্তুনা, মমাংডগী মপোকখিংদা তৌখিবা কর্মশিং অমসু নীংশিং নীংশিংনা শুভকর্ম তৌরক তৌরক্তুনা ক্ষত্রিয়গী মপোক্তা কায়ক্তুনা মহাশক্তিমান ওইবা নিংথৌ অমা ওইরব তুংদা অকনবা তপস্যা তৌবা হৌরক্লে ॥১॥ ধর্ম অর্থগী তত্ত্ব খঙবা ওয়বা, রাজকুমার অসিগী অকনবা তপস্যা অদু উবদা কৃষ্ণদ্বৈপায়ন ব্যাসনা মহাকী মনাক্তা চৎখি ॥২॥ ব্যাসনা অসুম্না হায়রকই—মহাক্মুকী মপোক্ত ভীল ওইরবা রাজকুমার ! জীবপানবা পুম্নমকপু ঙাকশেনবা হায়বসে দেবতাশিংগী ব্রত অমনি। ব্রত অদুবুনি ক্ষাত্রধর্ম (ক্ষত্রিয় ধর্ম) হায়রিবসে। অদুগুম্বা ক্ষত্রিয় ধর্মবু ঙাক্লবা তুংদা নহাক অমুক ব্রাহ্মণগী মপোক্তা পোকলুরগনি ॥৩॥

পাহি সর্বাঃ প্রজাঃ সম্যক্ শুভাশুভবিদাত্মবান্।
শুভৈঃ সংবিভজন্ কামৈরশুভানাং চ পাবনৈঃ ॥৪॥
আত্মবান্ ভব সুপ্রীতঃ স্বধর্মাচরণে রতঃ।
কাত্রীং তনুং সমুৎসৃজ্য ততোবিপ্রত্বমেষ্যসি ॥৫॥

ভীষ্ম উবাচ

সোঽপ্যরণ্যমসম্প্রাপ্য পুনরেব যুধিষ্ঠির। মহর্ষের্বচনং শ্রুত্বা প্রজাধর্মেণ পাল্য চ ॥৬॥
অচিরেণৈব কালেন কীটঃ পার্থিবসত্তম। প্রজাপালনধর্মেণ প্রেত্য বিপ্রত্বমাগতঃ ॥৭॥
ততস্তং ব্রাহ্মণং দৃষ্ট্বা পুনরেব মহাযশাঃ। আজগাম মহাপ্রাঃ কৃষ্ণদ্বৈপায়নস্তদা ॥৮॥

ব্যাস উবাচ

ভোভোব্রহ্মর্ষভ শ্রীমন্ মা ব্যথিষ্ঠাঃ কথংচন।
শুভকৃচ্ছুভযোনীষু পাপকৃৎ পাপযোনিষু ॥৯॥
উপগচ্ছতি ধর্মজ্ঞ যথাপাপফলোপগম্। তস্মান্মৃত্যুভয়াৎ কীট মা ব্যথিষ্ঠাঃ কথংচন ॥১০॥

মহাক অচুম অয়ানগী তম পুম্বা খঙহনা ইন্দ্রিয় পুক্নীংবু মহাক্কী খুত্থম মখাদা থমহনা নিয়ম চুম্না প্রজা পালন তৌহনা লৈয়ু। দানযজ্ঞ নীংথিনা তৌহনা কত্রবা রাখল পুম্বা থাদোক্লুবা প্রজাশিংগী থম্মোয়বু শেংদোকপিহনা, আত্মজ্ঞান লৈবা মীশক অম ওইহনা ঈপেন্ত পেন্থুবা লৈবা মীশক ওইয়ু। নশাগী অচুম্বা ক্ষাত্রধর্ম অহৃতদা পুক্নীং চঙহনা লৈয়ু। অদুদগীদি ক্ষত্রিয়গী হকচাংসিবু থাদোক্লমহনা জীব মহাক অমুক ব্রাহ্মণগী দেহদা চঙ্গরগনি। ব্রাহ্মণবু কংলুরগনি ॥৪-৫॥ ভীষ্মনা হায়ঃ -নিংথৌ অথোইবা যুধিষ্ঠির। অতোপ্পা মপোক অমদা তীল ওইবা পোকখিবা নিংথৌ অসি ব্যাসনা তাকপা উপদেশ অদুগী মতুং ইন্না অকনবা তপস্যা তৌবা হৌখি। অকনবা তপস্যা তৌরবা দুংদা মপানগী কুয়োম হকচাংহু থাদোক্লগা জী, অদু ব্রাহ্মণগী মপোক্তা পোকখি ॥৬-৭॥ মহাক ব্রাহ্মণগী পরিবারদা চঙহনা পোকখ্রে হায়না খঙলহনা মহাজ্ঞানী কৃষ্ণদ্বৈপায়ন ব্যাসসি মহাক্কী মনাক্তা লাকই ॥৮॥ ব্যাসনা অমুক্কা হায়রকই :— ব্রহ্মণ অথোইবা। মহাক করিমত রাগমু। শুভ কর্ম তৌবা মীনা শুভলোকতা, অশুভ কর্ম (পাপকর্ম) তৌবা মীনা পাপলোকতা চৎখিবা হায়বসি শোয়দবনি ॥৯॥ ধর্ম খঙবা। পাপ কর্ম তৌবা মীনা, মহাক্না তৌখিবা কর্মদুগী মতীকচাবা মহৈদো চপচানা অদুম মফংঙগনি। অদুবা, মহাক্কী মপোক্তা তীল ওইরম্বা। হৌজিক্তি মহাক শিবগী অকিবা অরাবা নশাদা কয়িমত লৈয়রোই। অদুমদি ওইরবদা, ধর্মগী লম্বীদা চৎলিবসি শোয়গগত্রা হায়বগী অকিবা চিংনবা মদি লৈগনি। অদুনা চোককশিন্না, তৌরিবা ধর্মসে অপনবা লৈতনা অদুম চথৌ ॥১০॥

কীট উবাচ

সুখাৎ সুখতরং প্রাপ্তো ভবগবং স্তুৎকৃতে হ্য হম্ ॥ ১॥
ধর্মমূলাং শ্রিয়ং প্রাপ্য পাপ্মা নষ্ট ইহাস্ত মে।

ভীষ্ম উবাচ

ভগবদ্বচনাৎ কীটো ব্রাহ্মণ্যং প্রাপ্যদুর্লভম্ ॥ ২॥

অকরোৎ পৃথিবীং রাজন্ যজ্ঞযূপশতাঙ্কিতাম্। ততঃ সালোক্যমগমৎ ব্রহ্মণো ব্রহ্মবিত্তমঃ ॥ ৩॥
অবাপ চ পদং কীটঃ পার্থ ব্রহ্ম সনাতনম্। স্বকর্ম ফলনির্বৃত্তং ব্যাসস্য বচনাৎতদা ॥ ৪॥
তেঽপি যস্মাৎ প্রভাবেন হতাঃ ক্ষত্রিয়পুঙ্গবাঃ। সম্প্রাপ্তাস্তে গতিং পুণ্যাং তস্মা ম্মা শোচপুত্রক ॥ ৫॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যামনুশাসন পর্বনি দানধর্মপর্বনি
কীটোপখ্যানে একোণবিংশত্যধিকশততমোঽধ্যায়ঃ ॥ × ॥ × ॥

—:(●):—

মমাঙৈগী মপোক্তা তীলগী হকচাংদা চঙলুনা পোক্লস্বা ব্রাহ্মণ অচুনা ব্যাসদা অসুম্মা হায়রকই— ভগবন্ মহাজ্ঞানী! নহাক্কী খোজান্দগী, নহাক্কা হোৎনবিবনা অসুমসুম হেনগৎলকপা মপোক (জন্ম) ফংজচুনা ফংঙাই মুংঙাইরবা অবস্থা কয়া ফংজরে। অকোনবগী মপোক অসিদা ধর্মগী মরম ওইবা, ধর্মগী পোক্লকম ওইবা সম্পত্তি ঙাক্ত ফংচনা মপোক কয়া কয়াদা তৌখিবা পাপকর্ম পুম্নমক্কী দোষ পাপ পুম্বা লোইনা কোকপ্রে ॥১॥ ভীষ্মনা হায়:—নিংথৌ! যুধিষ্ঠির! ভগবান্ ব্যাসনা তাকপা উপদেশগী মতুংইন্না থবক পুম্ব তৌচুনা, তীল ওইনা পোক্লস্বা জীবচু ব্রাহ্মণগী মপোক্তা পোক্লচুনা ব্রাহ্মণত্ব ফংচনা পৃথিবীদা মহাযজ্ঞ কয়া কয়া পাঙথোকখিবগী যজ্ঞযূপ (যজ্ঞগী যুম্বী) কয়া কয়া যুংখিবগী খুদম্না লৈতেংহনখি। অচুগী তুংদা ব্রহ্মগী ভত্ত্ব খঙবা ব্রহ্মবিৎ ব্রাহ্মণশিংগী অথোইবা অম ওইখিচুনা সনাতন ওইবা ব্রহ্মলোকতা কাখি ॥২-৩॥ পৃথাগী মচানপা নিংথৌ! ব্যাসজীনা তাকপা মতুংইন্না মহাক্না স্বধর্মবু পালন তৌখি (ঙাক্লা চংখি)। মাচুগী মহৈচুনা তীল ওইরম্বা মহাক্না মবৈথঙদা ব্রহ্মপদবু ফংখি ॥৪॥ অচুনা ঈবুঙো নিংথৌ! ক্ষত্রিয়গী মপোক্তা পোকাখবা কীট (তীল) অচুনা ধর্মযুদ্ধদা মথ্যায় থাখি। অচুঙম্না ক্ষত্রিয়শিং অচুনু কুরুক্ষেত্রগী লালফমসিদা মথ্যায় থাদোক্লমচুনা পুণ্যলোক লোইনা ফংনখ্রবনি। অচুনা মাচুগীদমক্ত নংনা করিমত্তা রাকম থোকতে ॥৫॥

মফম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোক লিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা অনুশাসন পর্বদা দানধর্মপর্বদা কীটোপাখ্যানগী চামাতরামাপলগুবা অধ্যায় লোইরে ॥ × ॥ × ॥

—:(●):—

মণিপুরী মহাভারত

বিংশত্যধিকশততমোঽধ্যায়

(ব্যাসগা মৈত্রেয়গা ওাওনথিবা দানধর্মগী অমদি কর্মগী অথুপ্প তত্ত্ব)

চামকুনশুবা অধ্যায়

—:(*):—

যুধিষ্ঠির উবাচ

বিদ্যা তপশ্চ দানংচ কিমেতেষাং বিশিষ্যতে। পৃচ্ছামিত্বাং সতাং শ্রেষ্ঠ তন্মে ব্রূহিপিতামহ ॥১॥

ভীষ্ম উবাচ

অত্রাপ্যুদাহরন্তীমমিতিহাসং পুরাতনম্। মৈত্রেয়স্য চ সংবাদং কৃষ্ণদ্বৈপায়নস্য চ ॥২॥

কৃষ্ণদ্বৈপায়নো রাজন্নজ্ঞাতচরিতং চরন্। বারাণস্যামুপাতিষ্ঠন্মৈত্রেয়ং স্বৈরিণীকুলে ॥৩॥

তমুপস্থিতমাসীনং জ্ঞাত্বা স মুনিসত্তমম্। অর্চিত্বা ভোজয়ামাস মৈত্রেয়োঽশনমুত্তমম্ ॥৪॥

তদন্নমুত্তমং ভুক্ত্বা গুণবৎ সর্বকামিকম্। প্রতিষ্ঠমানোঽস্ময়ত প্রীতঃ কৃষ্ণোমহামনাঃ ॥৫॥

যুধিষ্ঠিরনা হংঙি :—নীপাম্বকগী অথোইবা। ইবুধৌ! বিদ্যা, দান, তপঃ হায়রিবা অহুমসিদগী করিনা ইহেন হেনবগে? ঐবা হংজরিবাদ অসিদ। মাসি ঐঙোন্দা তাকপিয় ॥১॥ ভীষ্মনা হায় :—মিংথৌ! নহাক্কা ঐঙোন্দা হংলিবদুগী বিষয়দা, মমাঙদা কৃষ্ণদ্বৈপায়নবেদ ব্যাসগ মৈত্রেয় মুনিগা ওাওনথিবা কুইরবা ইতিহাসকী কথাদু হেক হেক লীবৈ ২ মিংথৌ! মমাঙৈগী রানি। ভগবান্ শ্রীকৃষ্ণদ্বৈপায়ন বেদব্যাস অসি অশ্লম মী থঙহন্দন কোয়চৎ চৎপদা বারাণসী ক্ষেত্রদা থুংখি। মুনি-শিংগী মণ্ডলীদা কমচুনা লৈরিবা মৈত্রেয় মুনিগী নাক্তা থৌনকই ॥৩॥ মনাক্তা লাক্লুনা ফম্বরিবা ব্যাসপু শকথঙদুনা মৈত্রেয়না ব্যাসবু তথাম তথায় ওকই, পূজা তোই। নীংথিজরবা অন্নদান কংখি। চাক পীথকই ॥৪॥ হকচাংদা য়াম্ম কাম্নবা, য়াম্ম হাউরবা অন্নদান কংবদা কৃষ্ণদ্বৈপায়ন বেদ ব্যাস অসি ওস্তোনা পেনখ্রে। চৎলমদাইদা মোমোন তোনা নোকই ॥৫॥ ব্যাসনা মোমোয়, নোকপদু উবদা মৈত্রেয়না হংঙি—ধর্মগী তত্ব পূম্বা থগুলবা জ্ঞানী! ঐনা মোমুক হংজবনি মোমোম্না নোকপিরিবদু করিগীনো? করি উরবদগী, করি থরুবদগী নোকাপরিবনো? নহাকতি মহাবীর ওইবা মীশক অমদি, তপস্বী অমনি। করি থরুবদগী নোকপিরিবনো, মাদু থজবীগিও ॥৬॥ ইবুঙো! ব্যাস! তপস্যাগী শক্তিতনা নরাইবক

তমুৎস্মরন্তং সম্প্রেক্ষ্য মৈত্রেয়ঃ কৃষ্ণমব্রবীৎ। কারণং ব্রূহি ধর্মাত্মন্ ব্যস্মরিষ্ঠাঃ কুতশ্চ তে ॥৬॥

তপাশ্বিনো ধৃতিমতঃ প্রমোদঃ সমুপাগতঃ। এতৎ পৃচ্ছামি তে বিদ্বন্নভিবাদ্য প্রণম্য চ। ৭॥

আত্মনশ্চ তপোভাগ্যং মহাভাগ্যং তবেহ চ। পৃথগাচরতস্তাত পৃথগাত্মসুখাত্মনোঃ।
অল্পান্তরমহং মন্যে বিশিষ্টমপি চাম্বয়াৎ ॥৮॥

ব্যাস উবাচ

অতিচ্ছন্নাতিবাদাভ্যাং স্ময়োঽয়ং সমুপাগতঃ। অসত্যং বেদবচনং কস্মাৎ বেদোঽনৃতং বদেৎ। ৯॥
ত্রীণ্যেব তু পদান্যাহুঃ পুরুষস্যোত্তমং ব্রতম্। নদ্রুহ্যেচ্চৈব দদ্যাচ্চ সত্যং চৈব পরং বদেৎ। ১০।
ইতি বেদোক্তমৃষিভিঃ পুরস্তাৎ পরিকল্পিতম্। ইদানীং চৈব নঃ কৃত্যং পুরস্তাচ্চ পরিশ্রুতম্ ॥ ১১
অল্পোঽপি তাদৃশো দায়ো ভবত্যুত মহাফলঃ। তৃষিতায় চ তে দত্তং হৃদয়েনানসূয়তা ॥১২॥

করবা মীশক অমম্ ওইরবনি। লোক সমাজদা গণ্যমান্য ওইহৃনা লৈরবা মীশক অমম্তুনি। মহাক্তি ঐগী গুরুগী মচানি। জীবাত্মাগা ব্রহ্মগা অনীগী মরক্তা করিগুম্বা থজিক্কং খেন্নবা অ-দি লৈ হায়বসি ঐমা থাম্নি। পরং ব্রহ্ম পরমাত্মানা মকম পুম্বদা পোৎ খুদিংমক্তা শীন্নহনা লৈরিবনি। জীবাত্মাগীদি মহাক্তা লৈতবা মকম য়াওরি। অদুনা, জীবাত্মাদগী পরমাত্মা (ব্রহ্ম) -া খর হেন্নি। অদুগা মহাক্তি, জীবাত্মাগা পরমাত্মা (ব্রহ্ম) গা করিমত খেন্নদবনি হায়না পুবা মীশক দার্শনিক অমনি। অদুবু, মওোন্দা নোক্ন-নীঙঙায় ওইবা করিগুম্বা অমত লৈকম থোকত্রবনি। অদুনা তৌথোরক্লবা থবক অসিগা পুরিবা মত অদুগা ঐগীদদি য়াম্ন খেন্নরে। অদুগা ঐওোন্দদি সংসারদা নোকনঙঙায় গুরুনীঙঙায় অমত লৈতে অদুনা মরম অদু হংজবনি ।৮। ব্যাসনা হায়: - ব্রাহ্মণ: অতিথিদা হেন্দোক্লা ঈকায়খুম্নবা পীদুনা, অতিথিদুগী নোংবা মতুং ইন্না ওয়াম তয়াম তৌবা হায়বসিবুনা অতিচ্ছন্দ কৌই। অদুগা, পোচ্চৈ পীজরবনু কত্তবনু য়াহৈ (বাণী) ওনা পেলহনবসিবুনা অতিবাদ হায়না কৌবৈ। অদুবু ঐদি ওসিমক অসিদা অতিচ্ছন্দ অতিবাদ অনীমক ফংলে অদুনা নুংঙাইহনা পেল্লহনা মোমোয় নোকচবনি। বেদগী বচন অসি কদায়দগী মীনম্বা ওইগদগে।ো ॥৯। বেদদা ভাইবং মীগী ব্রতদি য়াম্ন বিশেষ ওইনা (অথোইবা ওইনা) হায়: অহানবনা, কনাগী মকমদা থোঙই উদিত্তবা তৌদবা, অনীশুবনা য়ারম্নথৈ মীওোন্দা "পীথোক-পা", অহুমশুবনা "অচুম্বা ও ঙবা" অহুম খসিনি ॥১০॥ বেদদা হায়রিবা নিয়ম পাউতাকশিংসিবু ঋষি পুম্নমক্লা ভাক্লা চৎখি। ঐনম্নু মাসি খা মমাঙৈদগী তাখি। হৌজিকনু ঐখোয়নু মাসি পুম্বা ভাক্লা চৎকম থোকই ॥১১। শাস্ত্রগী বিধি কায়দনা থাজক্কং তৌখিবা দানগী মহৈ অসি ওথোক্লা চাউরবনি। মহাক্লা পুরীদা করিমতা হজোইবা মুঙাইতবা, ওক্লকপা পাম্মুবা লৈতনা লায়বা অতিথিদা অন্নজল দান তৌরি ॥১২। পূকচেল চাউবা! ঐ অসে য়াম্ন থৌয়াংনো লাকপনি। মহাক্লা অন্নদান তৌহনা ঐনু

তৃষিতস্তু বিতার যং দৃষ্টেতং দর্শনং মম। অক্ষৈর্যমহতো লোকান্ মহাযজ্ঞৈরিবপ্রাপ্তো ॥১৩॥
ভতোদানপবিত্রেণ প্রীতোঽস্মি তপসৈব চ। পুণ্যাস্তৈবহি সত্ত্বং পুণ্যাস্তৈব চ দর্শনম্ ॥১৪॥
পুণ্যাস্তৈবাভিগচ্ছন্তে মন্যে কর্মবিধানজম্। অধিকং মার্জনাৎ তাত তথাচৈবামু লেপনাৎ ॥১৫॥
শুভং সর্বপবিত্রেভ্যো দানমেব পরং দ্বিজ। নোচেৎ সর্বপবিত্রেভ্যো দানমেব পরং ভবেৎ ॥১৬॥
যানী মাহ্যস্তমানীহ বেদোক্তানি প্রশংসসি। তেষাং শ্রেষ্ঠতরং দানমিতি মে নাত্র সংশয়ঃ ॥১৭॥
দানকৃদ্ভিঃ কৃতঃ পন্থা যে যান্তি মনীষিণঃ। তে হি প্রাণস্য দাতারস্তেষু ধর্মঃ প্রতিষ্ঠিতঃ ॥১৮॥
যথা বেদা স্বধীতা যথাচেন্দ্রিয়সংযমঃ। সর্বত্যাগো যথা চেহ তথাদান মনুত্তমম ॥১৯॥
ত্বংহি তাত মহাবুদ্ধে সুখমেষ্যসি শোভনম্। সুখাৎ সুখতরপ্রাপ্তিমাপ্নুতে মতিমান্নরঃ ॥২০॥

ওহোক্না পেলহল্লে। ঐগী অরাম খোঁরাংবা পুন্না কোকল্লে। নহাক্না তসি ঐত্তোন্দা তৌরিবা দান অসিনা যজ্ঞ মথল মথল তৌবগী মহৈদু ফংদুনা অকনা লোক কয়াদা চৎখি য়ৌখিপদবলো ঐ হৌজিক মীৎনা শং শংবা উরে ॥১৩। দান অসিনা মরম ওইদুনা নহাক্না তৌরিবা শেংলবা তপস্যা অসিদা ঐ ওহোক্না পেল্লে। নহাকী অসিগুম্বা পাজল অসে, ওহোক্না শেংলবা পাজল অমনি। অদুগা নহাকুবা দানী (দাতা) অমগী দর্শন ফংবসিমক মহাপুণ্য অমনি ॥১৪। নহাকী হকচাং (নপা) সিদগী পুণ্যগন্ধ (মুংশিরবা মনম) অমম্ম খোরক্লি। মাসি, নহাক্না তৌরিবা পুণ্যকর্মসিমকী মনমনি। ঈবুঙো। অসিগুম্বা দান অসে তীর্থস্নান অমদি বৈদিক কর্ম কয়া তৌবদগীদু, হেল্লে ॥১৫॥ ব্রাহ্মণ। হেক লৈরিবা পবিত্র কর্ম (অশেংবা থবক) পুম্নমক্তগী দান তৌবা কর্ম অসিনা খ্বাইদগী হেন্নি। খ্বাইদগী হেন্না শেংবা, খ্বাইদগী হেন্না মঙল পীনহৈবা কম হায়বদু ওই। কর্ম পুম্নমক্তগী দান (ব্রত) হায়বা কর্মসিনা খ্বাইদগী হেনবা কর্ম ওইগ্রমগদি বেদশাস্ত্র পুম্নমক্তা মাসিনা খ্বাইদগী হেনবনি হায়বসি হায়রম-মরোইদ্রবনি ॥১৬॥ অসিগুম্বা কর্মশিং অসিবু বেদশাস্ত্র পুম্নমক্তা অকবনি হায়না নহাক্না প্রশংসা তৌরিবশিংদুগী মনুংদা দান হায়বা কর্মসিমতনা খ্বাইদগী হেনবা কম নি হায়না লৌবদা ঐগী পুক্নীংদা চিংনবা করিমত লৈতে ॥১৭॥ দাতা ওইবশিংনা ধর্মগী য়াৎলম্বিবা পম্বিং (মার্গ) অসিদা মহাজ্ঞানী মুনিঋষিশিংনা তসিকাওবা চৎলক্লি। দান তৌরিবা দাতাশিংসি প্রাণদাতানি (থবাম পীবিবা) হায়না লৌবৈ। দান হায়বসিদা ধর্ম পুম্নমক নম্মুনা লৈরবনি ॥১৮॥ বেদশিংদা স্বাধ্যায় (তম্বা নৈনবা), ইন্দ্রিয় সংযম, সর্বস্বত্যাগ (লৈজবা পুম্ব থাদোকপা) হায়বা কর্মশিং অসিবু য়াম প্রশংসা তৌরিবসিগুম্বা সংসারদা দান হায়বশিংবু প্রশংসা তৌগদৌবনি হায়না মহর্ষিশিংনা হায়ন-য়ানগ্রবনি ॥১৯॥ ঈবুঙো। ব্রাহ্মণ। মহাজ্ঞানী। নহাক্না তসি ঐত্তোন্দা তৌরিবা দানধর্ম অসিনা নহাক তমথৈ লৈতনা নুংঙাইবা হায়বদু ফংগদবগনি। বুদ্ধি লৈবশিংনা দান কৌবা ধর্ম অদুগী পাক্কিমা মথং মথং চাওখৎপা হায়বদু অহুম মফংতি ॥২০॥

তন্নঃ প্রত্যক্ষমেবেদমুপলভ্যমশংশয়ম্ ।
শ্রীমন্তঃ প্রাপ্নুবন্ত্যর্থান্ দানং তথাসুখম ॥২১॥
সুখাদেব পরং দুঃখং দুঃখাদপি পরং সুখম ।
দৃশ্যতে হি মহাপ্রাজ্ঞ নিয়তং বৈ স্বভাবতঃ ॥২২॥
ত্রিবিধানীহ বৃত্তানি নরস্যাহুর্মনীষিণঃ ।
পুণ্যমন্যৎ পাপমন্যন্ন পুণ্যং ন চ পাপকম্ ॥২৩॥
ন বৃত্তং মন্যতেনন্য মন্যতেনচপাতকম্ ।
তথা স্বকর্মনির্বৃত্তং নপুণ্যংনচপাতকম্ ॥২৪॥
যজ্ঞদানতপঃশীলা নরাবৈ পুণ্যকর্মণঃ ।
যেঽভিদ্রুহ্যন্তি ভূতানিতে বৈপাপকৃতো জনাঃ ॥২৫॥
দ্রব্যাণ্যাদদতে চৈব দুঃখং যান্তি পতন্তি চ । ততোঽন্য কর্ম যৎ কিঞ্চিন্ন পুণ্যং নচপাতকম্ ॥২৬॥

হায়রিবা পুম্নমক অসে, ঐখোয়না প্রত্যক্ষ ওই-। শংশংনা) উরিবসিনি, অদুনা, প্রত্যক্ষ ওইরবনিনা ঐখোয়না চিংনব তৌদনা থাজকম থোকই। মহাক্কুপা শ্রীসম্পত্তিনা তিনবা মীনা মহাক্কী ধনমুদ্রা (লক্ষ্মীম) অদুবু যজ্ঞ দাননচিংবদা শীজিন্নচনা ওমথৈ নৈতনা মুংঙাইবা ফংনরি ॥২১॥ মহাজ্ঞানী! সংসাবগী বিষয়ভোগতা মুংঙাইথোক্‌না, নৈবশিংনা অদুগকী মতাক মুংঙাইবা ফংবা অদুগ, অরাবদা তানরি। তপস্বীশিংনা অদুগকী মতীক অরাবা থাওদুনা তপস্যা তৌরিবা অদুগ, মুংঙাইবা ফংদুনা লৈরি। অরাবা মুংঙাইবা হায়রবসে, মানা মান্না তৌরিবা চৎলিবা স্বভাব অদুগী মতুং ইন্না ফংবা হায়রবয়ি য়াৎপ্রবা নিয়ম অমনি ।২২॥ মহাজ্ঞানী ওইবশিংনা জগত্তা লৈরিবা ভাইবং মী শং অসিবু মখল অহুম থোক্না খায়দোকলি। পুণ্যবানত ওইবা মী, পাপকর্ম তৌবতা হৈনবা পাপী ওইবা মী, অদুগা পুণ্যখর পাপ খর তৌবা মী, অমুম্না অহুম থোক্না খায় ।২৩ ব্রহ্মজ্ঞানী ওইবশিংনা ঐনা খাবনি, ঐনা তৌবনি হায়দুনা কর্তা ওইবগী ভাব অসি মশাদা ঈথম থমদে অদুনা ব্রহ্মজ্ঞানী ওইবনা তৌবা থবক অসি মাসিনা পুণ্যনি মাসিনা পাপনি হায়বদু কাওবা লৈতে। মশানা তাবরি। অদুনা মখোয়দা পুণ্য ফংবা হায়বদু লৈতে ॥২৪॥ যজ্ঞ, দান অদুগা তপস্যাদা পুক্নীং চঙবা মহাক অদু পুণ্য কম তৌবা মীনি। জীবদা কনক য়েংথিবা হিংসা তৌবা মহাক অদু পাপকর্ম তৌবা মীনি, পাপীনি। অমুম হায়না খণ্ডনবনি ॥২৫॥ অতোপ্পগী সম্পত্তিবু নম হাদুনা লৌথনবগী হোৎনন্নিবা, অদুগা লৌরিব মহাক অদু পাপীনি, নরকপাবীনি, নরকতা তাই। অদুগা হৌজিক হায়রিবা অক-কম কম অনীমতগী তোঙাম্ন লৈরবদুদি পাপকর্মসু তৌদ্রে, পুণ্য কর্মসু তৌদে অদুনা অদুগুম্না মরকী মী অদু পাপসু পুত্ররোই, পুণ্য ফলসু ফংলরোই ॥২৬॥ মহর্ষি। মহাক ঈমুং মুংঙাইনা স্বধর্মসি পালন তৌদুনা লৈয়ু। হীয়ম

রম বৈধস্ব মোদস্ব দেহি চৈব যজস্ব চ। ন হ্যরতিভ্যাবিষ্যন্তি বৈদ্যানচ তপস্বিনঃ ॥২৭॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যামনুশাসনপর্বনি দানধর্ম পর্বনি মৈত্রেয় ভিক্ষায়াং বিংশত্যধিকশততমোঽধ্যায়ঃ ॥ × ॥ × ॥

—:(•):—

পুম্বদা মথং মথং চাওখৎপা কংগনি। ঈপেন্ত পেন্দুনা লৈয়্, দান তৌদুনা, যজ্ঞ তৌদুনা লৈয়্। বিদ্বান্ জ্ঞানী ওইবশিংনন্দু, তপস্যা কন্নবা তপস্বীশিংনন্দু নহাকন্দু লাকচবা, মায়থীব পীবা ওয়োই ॥২৭॥

মফম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোক লিশিং লিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা অনুশাসন পর্বদা, দানধর্ম পর্বদা মৈত্রেয় ভিক্ষাগী মতাংদা চামকুনগুবা অধ্যায় লোইরে ॥ × ॥ × ॥

—:(•):—

মণিপুরী মহাভারত

একত্রিংশত্যধিকশততমোঽধ্যায়ঃ

(মৈত্রেয় ব্যাস অনীগী সংবাদ)

চামকুন্নাথোইশুবা অধ্যায় :

—:(•):—

ভীষ্ম উবাচ

এবমুক্তঃ প্রত্যুবাচ মৈত্রেয়ঃ কর্মপূজকঃ। অত্যন্তশ্রীমতি কুলে জাতঃ প্রাজ্ঞোবহুশ্রুতঃ ॥১॥

মৈত্রেয় উবাচ

অসংশয়ং মহাপ্রাজ্ঞ যথৈবাত্থ তথৈব তৎ। অনুজ্ঞাতস্ত ভবতা কিঞ্চিৎ ব্রূয়ামহং বিভো ॥২॥

ব্যাস উবাচ

যৎবদিচ্ছসি মৈত্রেয় যাবৎ যাবৎ যথা যথা ব্রূহি তত্ত্বং মহাপ্রাজ্ঞ শুশ্রূষে বচনংতব ॥৩॥

মৈত্রেয় উবাচ

নির্দোষং নির্মলং চৈব বচনং দানসংহিতম্। বিদ্যাতপোভ্যাংহি ভবান্ ভাবিতাত্মা ন সংশয়ঃ ॥৪॥

ভীষ্মনা হায় ঃ—নিংথৌ। যুধিষ্ঠির। ব্যাসনা অসুম্না হায়রকপসি তাবদা শ্রীসম্পত্তিনা তিন্নবা বংশদা পোকপা বিদ্বান্ জ্ঞানী ওইরবা মৈত্রেয়না অসুম্না হায়রকই ॥১॥ মৈত্রেয়না হায় : মহাজ্ঞানী ব্যাসজী। তাকপিন্নিবশিংসে অচুম্ব ওাক্তনি। মাসিদা চিংনবীওাবা কনিমত লৈতে মাবিরবদি ঐ করিগুম্ব থরদংগা হংজখিগে ॥২॥ ব্যাসনা হায় ঃ—মহাজ্ঞানী মৈত্রেয়। হায়নীংবা, হংবিনীংবা লৈরিব পুম্বদো. হাৎবিয়ু। তাজগে ॥৩॥ মৈত্রেয়না হায় ঃ মুনি। দানগী মহিমা. তত্ত্ব পুম্বা তাকপিন্নিবশিংসে, দোষ করিমত নাওন্নবা. শেংঙবা ওাক্তনি। করিগুম্বা চিংনবা অমত লৈতে। অদুগা, বিদ্যা অমদি তপস্যা অনীমক্তা মহাক্তী থম্মোয় অদু পুমশেং শেংঙবনি হায়বসিদসু ঐত্তোন্দা চিংনবা করিগুম্ব অমত লৈতে ॥৪॥ মুনি। মহাক্তি থম্মোয় হকচাং অনীমক্তা পুমশেং শেংঙবা মীশক অমনি। অদুমক্তনা

ভবতো ভাবিতাত্মাহ্লাত্তোঽহং সুমহান্ মম। ভূয়ো বুদ্ধ্যানুপশ্যামি সুসমৃদ্ধতপা ইব ॥৫॥
অপিনো দর্শনাদেব ভবতোঽভ্যুদয়োঽভবৎ। মন্যে ভবৎপ্রসাদোঽয়ং তদ্ধি কর্ম স্বভাবতঃ ॥৬॥
তপঃ শ্রুতং চ যোনিশ্চাপ্যেতৎ ব্রাহ্মণ্য কারণম্। ত্রিভিগুণৈঃ সমুদিতস্ততো ভবতি বৈদ্বিজঃ ॥৭॥

অস্মিংস্তৃপ্তে চ তৃপ্যন্তে পিতরো দৈবতানি চ।
ন হি শ্রুতবতাং কিংচিদধিকং ব্রাহ্মণাদৃতে ॥৮॥
অন্ধং স্যাৎ তম এবেদং ন প্রজ্ঞায়েত কিঞ্চন।
চাতুর্বর্ণ্যে চ বর্ত্তেত ধর্মাধর্ম বৃতানুতে ॥৯॥
যথা হি সুকৃতেক্ষেত্রে ফলং বিন্দতি মানবঃ।
এবং দত্ত্বা শ্রুতবতি ফলং দাতা সমশ্নুতে ॥১০॥
ব্রাহ্মণশ্চেন্ন বিন্দেত শ্রুতবৃত্তোপসংহিতঃ।
প্রতিগ্রহীতা দানস্য মোঘংস্যাৎধনিনাং ধনম্ ॥১১॥

মহাকুম্বা জানী অমনা খোঙ খোংনা লেঙবিরকুনা দর্শন পীবিরবসিমক ঐগী ওম্মোল্লা কান্নবা তৌজবা অম ওইরে। তপস্যা কল্লবা সর্বদর্শী ওইরবা মহর্ষি অমগুম্না ঐনা ঐগী লৈজবা বুদ্ধি জ্ঞান পুম্নমক থাদোক্তুনা মুম্ন বিচার তৌহ্নুনা য়েংজবদা মহাক্কী থম্মোয়গী অবস্থাব ঐনা প্রত্যক্ষ ওইনা শংশংনা উজরি ।৫॥ মহাক্কী দর্শনতদা ঐখোয়গী থম্মোয় হকচাংগী চাওখৎপা হায়বহু ওইরে। ওসি দর্শন পীবিরিবসি ক মহাকৃপা অমনি। অস্নুম্না ঐনা খল্লে। ওসি খিত্তং তৌজখিবা দানকর্ম অসি মহাক্কী কৃপাদগী মথানা অহুম সিদ্ধ ওইখ্রে ॥৬॥ ব্রাহ্মণত্বগী. চপ চানা ব্রাহ্মণ অম ওইবগী কারণ অসি অহুমতনি। তপস্যা, শাস্ত্রজ্ঞান অমগা অশেংবা ব্রাহ্মণগী কুলদা পোকপা অহুম অসিনি। গুণ অহুম অসিনা অমত রাত্তনা তিনবহু থাজৈশেংবা ব্রাহ্মণমক্তি ॥৭॥ অশুম্বা ব্রাহ্মণ অহুনা খিত্তং পেনখিখিবদা দেবলোক পিতৃলোক অনীমক পুমপেন্ পেল্লিবনি। বিদ্বানশিংগী মরমদা অসিগুম্বা ব্রাহ্মণ অসিদগী হেন্না মাননীয় পূজনীয় ওইবা মীশক অমত লৈতে ॥৮॥ অসিগুম্বা ব্রাহ্মণ আসি লৈরমত্রবদি জগৎ পুম্বসে পুম্নম মমহুনা লৈরম্নগদবনি। করিমত খঙদবা মীতনা থম লৈরম্নগদবনি। বর্ণ মরিগী ধর্ম, অসত্য সত্য, ধর্ম অধর্ম পুম্নমকসি অমত লৈরম্নরোইদবনি ॥৯॥ লৌবুকপু নীংথিনা খোইদোল্লগা মাহুদা হুনখিবা থাখিবা মরুহুনা অরেম্বদা মাঙাখদনা অকবা মহৈ মরোং পীবহুগুম্না, ব্রাহ্মণদা পুক্নীং শেংবা তৌজখিবা দান থজিক্তহুনা দাতা অহু দানহুগী চপ চাবা মহৈ কংজরিবনি ॥১০॥ বিদ্যা অমদি সদাচারন তিল্লবা, দান লৌবদা, কংবদা মতীক চারবা অহুগুম্বা ব্রাহ্মণ অহুনা দান কংদহুনা অরাব তাহুনা লৈরবা দেশ (মকম) অহুদা লৈরিবা ধনী (মরল লৈবা) ওইবা মী অহুনা লোইরিবা, ধন অদো অরেম্বনি, লৈতুম মরাম পৈথত্তনা থম্বগুম্বনি ॥১১॥ মূর্খ ওইবা করিমত খঙদবা মীনা দান কংহুনা চারিবা অম

অদন্নবিদ্বান্ হন্ত্যন্নমদ্যমানং চ হন্তি তম্। তং চান্নং পাতি যশ্চান্নংস হত্বা হন্যতে বুধঃ ॥ ২॥
প্রভুর্হ্যন্নমদন্ বিদ্বান্ পুনর্জনয়তীশ্বরঃ। স চান্নাজ্জায়তে তস্মাৎ সূক্ষ্ম এবব্যতিক্রমঃ ॥১৩।
যদেব দদতঃ পুণ্যং তদেব প্রতিগৃহ্নতঃ। ন হ্যেকচক্রং বর্ত্তেত ইত্যেবমৃষয়োবিদুঃ ॥ ৪॥
যত্র বৈ ব্রাহ্মণাঃ সন্তিশ্রুতনিত্যোপসংহিতাঃ। তত্র দান ফলং পুণ্যমিহ চামুত্র চাশ্নুতে ॥১৫॥
যে যোনিশুদ্ধাঃ সততং তপস্যভিরতা ভৃশম্। দানাধ্যয়নসম্পন্নাস্তে বৈ পূজ্যতমাঃ সদা ॥১৬॥

অদু কান্নত্রবা অন্ননি। হায়বদি অন্ন অদু দান তৌগ্নিবা দাতা অদু, মহাক্না তৌগ্নিবা দান অদুগী মহৈ করিমত কংলোই। অরেম্বদা তৌবা দাননি। অদুগুম্বা অন্নদু চারিবা কংলিবা মূর্খ মহাক অদুবুম্ব অন্ন অদুনা করিগুম্ব লাংনা অম পোকহন্দুনা মাঙহনগনি। অন্ন দান কংবদা মতীক চারবা, দানগী তত্ত্ব খঙলবা ব্রাহ্মণ অদুনা দান ওইনা কংদুনা চারিবা অন্ন অদুনা, চারিবা মহাকপুম্ব অদুগা দাতা (দান তৌগ্নিবা) মহাকপুম্ব ঙাকই। অনীমক্তা মঙ্গল পী। অদুনা, মীনা তৌবা দানবু (অন্নবু) তত্ত্ব ঈখঙ খঙদনা চারিবা মূর্খ অদুবু মহাক্না চারিবা অন্ন অদুনা হাংলি ॥১২॥ জ্ঞানগী প্রভাব লৈরবা জ্ঞানী ওইরবা, দানগী তত্ত্ব খঙলবা ব্রাহ্মণ অদুনা চারিবা অদুনা অমুক অন্ন (কৌ চেঙ) বু পোকহল্লি। চারিবা, দান কংলিবা ব্রাহ্মণ (দাতব্য) মশাদুমক অন্নদগী পোকপনি। অদুনা অন্নদানগীত নত্তনা দান হায়বসিগী পীব-লৌবগী মদুংগী তত্ত্ব বিচাহ অসি খঙবদা য়াবা, য়াম্ন কূপ্প বিষয় অমনি। হায়বদি, বৃষ্টি (নোংতাবা) দগী অন্নগী উৎপত্তি (পোকপা) ওইরবম্ব অদুগা পোক্নিবা অন্নদুদগী প্রজা (জীব) গী সৃষ্টি তৌরবম্ব (ওইরবম্ব) পোক্নিবা প্রজা (বিদ্বান ব্রাহ্মন) অদু কাওবগী মকমদা অন্ন অদু পোকপগী বিষয় অসি খঙবদা য়াম্না রাকম থোকপা পাক খঙবা য়াদবা বিষয় অম ওই ॥১৩॥ জ্ঞান তানা, তত্ত্ব খঙনা দান তৌবিবা দাতা অদুনা কংলিবা পুণ্যফল অদুগা চপ মান্নবা পুণ্যফল অদু, দান তৌগ্নিবা দাতব্যব্রাহ্মণ অদুনস্তু অদু কংঙিঙ। অদুনা, দাতাদাতব্য অনীমক্না অমনা অমগী কান্নবা তৌনৈ। চাকা নামতনা গাড়ী চিংবা য়াদে। মতীকচাবা দাতব্য য়াওদনা দাতাগী দান অদু মথন্তনা পুণ্যফল পীবা য়াদে। অদুম্না ঋষিশিংনা লেপ্পত্রবা, ককপা য়াত্রবা খাকম অমনি। ১৪॥ বিদ্বান্ ওইবা, সদাচারী (আচার বিচার য়াম তৌবা) ওইবা, দানগী তত্ত্ব পুম্বা খঙবা ব্রাহ্মণদা তৌখিবা দান অদুদি ইহলোক পরলোক অনীমক্ত লৈবশিংনা ভোগ তৌদুনা মখোয়দু পুণ্যফল অদুম কংঙি। ৫॥ করিগুম্বা দোষ অমত্তা লৈত্রবা, সোইনাইত্রবা শেংলবা কুল শাগে দা পোকপা, মুমিং চুম্না তপস্যা অমদি শাস্ত্রগী তত্ত্ববৃত্ত নৈনদুনা অধ্যয়ন তৌদুনা লৈবা, মশামক দান তৌবদা পরায়ণ ওইবা (পুক্নীং চঙবা) ব্রাহ্মণ অদুত্তনা পরম পূজ্য ওই, খাইদগী হেম্না পূজা তৌননীঙায় ওই ॥১৬॥

তৈর্হি সদ্ভিঃ কৃতঃ পান্থাস্তেন যাতোনমুহ্যতে। তেহি স্বর্গস্য নেতারো যজ্ঞবাহাঃ সনাতনাঃ ॥১৭॥

ইতি শ্রীমহ ভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যামনুশাসনপর্বণি দানধর্মপর্বণি মৈত্রেয়ভিক্ষায়ামেকবিংশত্যধিকশততমোঽধ্যায়ঃ ॥ × ॥ × ॥

—ঃ(*):—

সৎপুরুষ ওইবশিংনা য়াংলম্বা তৌরম্বা সৎকর্মশিংসিবু মতৌ তমদুনা চৎলিবশিং অদু করিগুম্ব মতমদা মশাদা শুমহৎপা পাওখবা লাক্লে। মখোয় অদুতনা তাইবং মী অতৈবু খুদক্ক স্বর্গ য়ৌথিনবা যাগযজ্ঞ পুম্বা পাওথোকপি ॥১৭॥

মকম অসিদা শ্রীমহাভারতদা, শ্লোক লিশিংচামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা অনুশাসন পর্বদা দানধর্ম পর্বদা মৈত্রেয়ভিক্ষা কৌবা মতাংগী চামকুম্মাথোইগুবা অধ্যায় লোইরে। × ॥ × ॥

—ঃ(*):—

মণিপুরী মহাভারত

দ্বাবিংশত্যধিকশততমোঽধ্যায়ঃ

(ব্যাস মৈত্রেয় অনৌমী সংবাদ। তপস্যা অমদি গৃহস্থগী তৌগদবা তাকপা মতাং)

চামকুন্নথোইশুবা অধ্যায়

—:(*):—

ভীষ্ম উবাচ

এবমুক্তঃ স ভগবান্ মৈত্রেয়ং প্রত্যভাষত। দিষ্ট্যৈবং বিজ্ঞ নাসি দৃষ্ট্যা তে বুদ্ধিরীদৃশী ॥ ১ ॥

লোকো হ্যার্য্যগুণানেব ভূয়িষ্ঠং তু প্রশংসতি। রূপমানবয়োমানশ্রীমানাশ্চাপ্যসংশয়ম্ ॥২॥

দিষ্ট্যা নাভিভবন্তি ত্বাং দৈবস্তেঽয়মনুগ্রহঃ। যত্তে ভৃশতরং দানাৎ বর্ত্তয়িষ্যামি তচ্ছৃণু ॥৩॥

যানীহাগমশাস্ত্রাণি যাশ্চ কাশ্চিৎ প্রবৃত্তয়ঃ। তানি বেদং পুরস্কৃত্য প্রবৃত্তানি যথাক্রমম্ ॥৪॥

অহং দানং প্রশংসামি ভবানপি তপঃ শ্রুতে। তপঃ পবিত্রং বেদস্য তপঃ স্বর্গস্য সাধনম্ ॥৫॥

ভীষ্মনা হায়ঃ—যুধিষ্ঠির! মৈত্রেয়না অসুম্না হায়রক্রবদা, ভগবান্ ব্যাসনা অসুম্না মৈত্রেয়দা হায়রকই ঃ—ব্রাহ্মণ! নহাক যাম্ন লাইদক করবা মীশক অমনি। অসিগুম্বা জ্ঞানবু নংনা হায়দোরক্লিবা অহুগা নঙোন্দা লৈরম্মিবসি যাম্ন লাইবক করবনি। লাইবক করবা মপোক্লি। মপোক করগী তপস্যাগী থক্তিনা, লাইবক কহুনা অসিগুম্বী বুদ্ধিবু নংঙ্গা লোইহনবনি ॥১॥ সংসারদা খুইদগী পোইদোক্লা গুণচেনব মীবু খুইনা থাগংমৈ। মপান হকচাংগী করবা, লৈরিবা অবস্থা, অহুমা সম্পত্তিসিগী গায়করবদি নশাদা অভিমান (থোরবা চাউথোকপা) অমদি লাককম থোক্লবান। অহুবু, নশাদা মাহুমীদমক অভিমানগী শরক করিমত লৈতে। মাসি স্বর্গগী দেবতাশিংগী থৌজাম্নি। মাসিদা চিংনকম করিমত লৈতে ॥২॥ করে, মাসি লৈখিসন্নু। ঐ হৌজিক দানদগী হেনবা বিষয় অম হমুক হায়গে। ভগবান হেক লৈরিবা শাস্ত্রশিংনা অহুগা শাস্ত্রদা হায়রিবহু মতুং ইন্না তৌনরক্লিবা থবক পুম্নমক অসি বেদবু মাঙদা থম্নগা তৌনরক্লিবা ওাক্তেনি। বেদগী স্থানমে লানবা থবক অমত স্থাদে ॥৩-৪॥ ঐনা দানগী তব অমদি মহিমাবু প্রশংসা তৌর, থাগংলি। অহুগা নহাক্তস্থ তপস্যা অহুগা শাস্ত্রজ্ঞানগী প্রশংসা তৌরি। চুমহু চুম্নি, থাজেশেংনমক তপস্যা অমদি বেদগী অধ্যয়ন (নৈনব, তম্বা) হায়বসিতনা স্বর্গ কংননবগী অথোইবা সাধনানি ॥৫॥ তপস্যা অমদি বিদ্যা অনীসিতনা তাইবং মীনা থোইদোক হেন্দোকপা পদবী (থাম) বু

তপসা মহদাপ্নোতি বিদ্যয়া চেতি নঃ শ্রুতম্ । তপসৈব চাপনুদেৎ যচ্চান্যদপি দুষ্কৃতম্ ॥৬॥
যৎ কিঞ্চিৎ সমারভ্য পুরুষস্তপ্যতে তপঃ । সর্বমেতদবাপ্নোতি বিদ্যয়া চেতি নঃ শ্রুতম্ ॥৭॥
দুরন্বয়ং দুষ্প্রধর্ষং দুরাপং দুরতিক্রমম্ । সর্বং বৈ তপসাভ্যেতি তপোহি বলবত্তরম্ ॥৮॥
সুরাপোঽসম্মতাদায়ী ভ্রূণহা গুরুতল্পগঃ । তপসা তরতে সর্বমেনসশ্চ প্রমুচ্যতে ॥৯॥
সর্ববিদ্যস্তু চক্ষুষ্মানপি যাদৃশতাদৃশম । তপস্বিনং যদৈবাহুস্তাভ্যাং কার্য্যং সদানমঃ ॥১০॥
সর্বে পূজ্যাঃ শ্রুতধনাস্তথৈব চ তপস্বিনঃ । দানপ্রদাঃ সুখং প্রেত্য প্রাপ্নুবন্তীহ চ শ্রিয়ম্ ॥১১॥
ইমং চ ব্রহ্মলোকংচ লোকংচ বলবত্তরম । অন্নদানৈঃ সুকৃতিনঃ প্রতিপদ্যান্তু লৌকিকাঃ ॥১২॥
পূজিতঃ পূজয়ন্ত্যেতে মানিতা মানয়ন্তি চ । স দাতা যত্র যত্রেতি সর্বতঃ সম্প্রণুয়তে ॥১৩॥
অকর্ত্তা চৈব কর্ত্তা চ লভতে যস্য যাদৃশম । যদি চোর্ধ্বং যদ্য ধোবা স্বা ল্লোকানভিযাস্যতি ॥১৪॥

কংবা ঙম্মি । অদুগা মমাঙৈদা তৌখিবা পাপ কর্ম পুম্নমক্কী পাপ অদু তপস্যাগী মৈতনা চাকথেকপা ঙম্মি হায়রবসি ঐনা অমুক তাপ্লে ॥৬॥ করিগুম্বা উদ্দেশ্য অমগীদমক্ত তৌথিবা তপস্যা অমদি তানথিবা বিদ্যা অনীসিঙনা উদ্দেশ্য অদুবু পাঙথোকপা ঙম্মি হায়রবসিমসু ঐনা তাখি ॥৭॥ পোৎ অমবু কংনিংবহুদা য়াম্ন লুনা থোকপা অম ওইরবদি মাদু তপস্যাগী শক্তিতনা লায়না কংবা ঙম্মি । ময়মদি তপস্যাগী শক্তি হায়রবসি য়াম্না কল্লি । মহাক্না ঙমদবা লৈতে ।৮॥ সুরাপান তৌরুবগী দোষ পাপ, হুরানবগী দোষ পাপ, গর্ভদা লৈবা জীববু মাঙহনবগী হায়রবদি গর্ভহত্যা তৌবগী দোষ পাপ, গুরুগী কম্মুৎথক্তা কারুবা হীগ্লবগী দোষ পাপ পুম্নমক আস তপস্যাগী শক্তিতনা মাঙহনবা য়ুথৎপা য়াই ॥৯॥ থোখোৎপা উবা থঙবা অদুবু নেত্রবান্ (মীৎ লোইবা, মীৎ পানবা) কৌই । অদুগুম্বা নেত্রবান্ ওইবা তপস্বী অদুবু হায়রবদি নেত্রবানসু ওইবা অদুগা তপস্যাবান্ (তপস্যা) সু ওইবা অদুবু উরগা কোক নোনগদবনি, খুরুমগদবনি ॥১০॥ বিদ্যাতগী ধন ওইদুনা ধনবান ওইরবা, তপস্বীসু ওইবা মহাক অদু মহাপূজনীয় (পূজা তৌবগী মতীক চানবা) নি । অদুগুম্না দানবান ওইবা মহাকসু ইহলোকতা ধনসম্পত্তিগুনা ঈকায় খুম্নকম ওইদুনা পরলোকতসু মথৈ লৈতনা মুংঙাইবা কংঙ ॥১১॥ সংসারদা পোকপা, পুণ্যাত্মা ওইবা মীশিংনা অন্নদান তৌদুনা ইহলোকতা মুংঙাইব পুম্নমক কংদুনা লৈরি । শিরব ভুংদসু ব্রহ্মলোকতা অমদি শক্তি পুম্নমকী কংনকম ওইবা লোকতা চৎথি ॥ ২॥ দান তৌরিবা দানী মহাক অদুদি মহাক্না মী খাইবু পূজা তৌবগুম্না মহাক মশামকসু, খাইগী মকমদা পূজ্য (পূজা তৌমনীঙায়) ওই । মহাক্না চৎলু চৎলুব মকমদা খাইনা থাগৎনকম স্তুতি তৌকম (লৈশি-লৈথোয়কম) অদুম মওইরুই ॥১৩॥ দানবু তৌরবসু, তৌবু তৌত্রবসু. অমাংবা থাক্তা (লোকতা) মহাগা লৈথা তারবা মওংদা লৈরিবসিমু মহাক মহাক্না তৌরিবা কর্মদুগী মতুং ইন্না অদুগা মহাক মহাক্না ইহলোকতা লৈরম লৈরম্লিবা মওংদুগী মতুং ইন্না, মথা চাবা চাবা মথোক্তা, লোকতা চৎবগদবা ঙাক্তনি ॥১৪॥ মৈত্রেয় । মহাক্না তৌনিংলিবা

প্রাপ্স্যসি অন্নপানানি যানি বাঞ্ছসি কানিচিৎ। মেধাব্যসি কুলে জাতঃ শ্রুতবাননসূয়কবান ॥১৫॥
কৌমারচারী ব্রতবান্ মৈত্রেয় নিরতো ভব। এতৎ গৃহান প্রথমং প্রশস্তং গৃহমেধিনাম্ ॥১৬॥
যো ভর্ত্তা বাসিতাতুষ্টো ভর্ত্তুস্তুষ্টা চ বাসিতা। যস্মিন্নেবং কুলে সর্বং কল্যানং তত্র বর্ত্ততে ॥১৭॥
অদ্ভির্গাত্রম্মলমিব তমোঽগ্নিপ্রভয়া যথা। দানেন তপসা চৈব সবপাপমপোহতি ॥১৮॥
দানেন তপসা চৈব বিষ্ণোরভ্যর্চনেন চ। (ব্রাহ্মণঃ স মহাভাগ তরেৎ সংসার সাগরাৎ।
স্বকর্ম শুদ্ধ সত্ত্বানাং তপোভির্নির্মলাত্মনাম। বিদ্যয়া গতমোহানাং তারণায় হরিঃ স্মৃতঃ ॥
তদর্চনপরোনিত্যং তদ্ভক্তস্তং নমস্কুরু। তদ্ভক্তা ন বিনশ্যন্তি হ্যষ্টাক্ষর পরায়নাঃ ॥
প্রণবোপাসনপরাঃ পরমার্থপরাস্থিত। এতৈঃ পাবয় চাত্মানং সর্বপাপমপোহ্য চ ॥)
স্বস্তি প্রাপ্নুহি মৈত্রেয় গৃহান্ সাধু ব্রজাম্যহম্। এতন্মনসি কর্ত্তব্যং শ্রেয়ঃ এবং ভবিষ্যতি ॥১৯॥

দানগী পোৎশক (দানগী সামগ্রী) শিং অদো, লোইনা ফংগনি। মৈত্রেয়! নহাক্তি য়ায় বুদ্ধিমান্ ওইবা, অকবা নীংথিবা মপোক্তা পোক্লবা মীশক অমনি। শাস্ত্রজ্ঞ ওইরবা, থৌজাল হৈরবা মীশক অমনি। নহাকী হৌজিক ওইরিবা অবস্থা অসিস্থ তরুনাবস্থানি, পাথংনি। অসিগীস্থ মথক্তা ব্রহ্মচারীনি, ব্রতধারীনি। ধর্ম কর্মগী মায়পৈতদা পূক্নীং চঙহনা লৈয়ু। অদুগা গৃহস্থাশ্রমদা চঙহনা, গৃহস্থাশ্রমগী চপ চাবা নিয়ম ঙাক্তুনা, লৈয়ু। মাহুগী নিয়মশিংদু পূক্নীং চঙনা তাও ॥১৫-১৬॥ মপুরোয়বনা মহাকী লোয়নবীতদা পেন্দুনা লৈরিবা, লোয়নবী পত্নীহনস্থ, মহাকী মপুরোয়বা পতি (স্বামী) অদুতদা পূক্নীং চঙহনা লৈরিবা গৃহস্থাশ্রম অদু মহামঙ্গলগী মশক্নি। অনীমকী মহামঙ্গলনি ॥১৭॥ ঈশিংনা মলমূত্র পূমমক শেংদোক-চামথোকপহৃগুম্না অদুগা মৈগী মশেক মঙাম্না অমম্ব পূম্বা কোকহনবহুগুম্না দান তপস্যানা তাইবং মীগী পাপ দোষ পূমমক লোইনা চামথোকই ॥১৮॥ লাইবক ফণা! পূকচেল চাউবা! ব্রাহ্মণদা তৌবা দান, তপস্যা, অদুগা ভগবান্ বিষ্ণুগী পূজা আরাধনাগী পাঙ্গনা তাইবং মীনা সংসার ঈপাক্তগী লাম্থোকই। বর্ণাশ্রমগী নিয়ম পূমমক পাঙথোক্তুনা, থম্মোয়গী অমকপ পূম্বা শেংদোক্লবা তপস্যানা থম্মোয়বু পূমশেং শেংহল্লবা, অদুগা বিদ্যাতনা চিংনবা শুম্বাৎপা পূম্বা কোক্লবা অদুগুম্বা মীশিং অদুনা উদ্ধারগীদমক্তা শ্রীহরিবু নীংশিংহনত লৈরিবা মথোর অদু শোয়দনা সংসার ঈপাক্তগী লাম্থোকই। অদুনা, নহাক ভগবান্ শ্রীবিষ্ণুগী সেবা পূজা আরাধনাতদা পূক্নীং চঙহনা লৈয়ু। মতম পূম্বদা মাগী ভক্তি তৌদুনা লৈয়ু। অষ্টাক্ষর মন্ত্র জপ তৌদুনা লৈয়ু। ভগবান্ শ্রীবিষ্ণুগী ভক্তনা থক মাঙবা হৌনদে। প্রণবকী উপাসনাদা পূক্নীং চঙহনা লৈরিবা পরমার্থদৃষ্টিতদা জগৎপু য়েংদুনা লৈরিবা অদুগুম্ব-শিংদুগতা সঙ্গ তৌদুনা সৎসঙ্গ তৌদুনা নহুং মপান পূম্বা ঈশেংত শেংদুনা লৈয়ু॥ মৈত্রেয়! মঙ্গল ওইয়ু। ঐস্থ চোংকশিম্না ঐগী আশ্রমদা হন্ত্রগে। ঐনা হায়রিবসে অসিবু নীংশিংদুনা লৈবতদা মঙ্গল অদুম মওইরবনি ॥ ৯॥

তং প্রণম্যাথ মৈত্রেয়ঃ কৃত্বা চাপি প্রদক্ষিণম্। স্বস্তি প্রাপ্নোতু ভবানিত্যু বাচ কৃতাঞ্জলিঃ ॥২০॥

ইতি শ্রী মহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যামনুশাসন পর্বণি দানধর্ম পর্বণি
মৈত্রেয়ভিক্ষায়াংদ্বাবিংশত্যধিকশততমোঽধ্যায়ঃ ॥ × ॥ × ॥

— :(* :)—

মৈত্রেয়না ব্যাসবু খুরুমজুনা পরিক্রমা তৌই। খুৎ লোয়জুনা "ভগবন্। লেঙবিয়ো, মঙ্গল ওইবিয়্" অসুম্না হায়জুনা মখুৎ লোয়জুনা বিদায় তৌখি ॥২০॥

মকম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোক লিশিং চামদা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা অনুশাসনপর্বদা
দানধর্ম পর্বদা মৈত্রেয়ভিক্ষাগী চামকুন্নিথোইগুবা অধ্যায় লোইরে ॥ × ॥ × ॥

—:(•):—

মণিপুরী মহাভারত

এয়োবিংশত্যধিকশততমোঽধ্যায়ঃ

(শাণ্ডিলী সুমনা অনীগী সংবাদ। পতিব্রতা সতীনা তৌগদবা মথৌ)

চামকুনহুমদোইশুবা অধ্যায়

—ঃ(*)ঃ—

যুধিষ্ঠির উবাচ

সংস্ত্রীণাং সমুদাচারং সর্বধর্মাবদাংবর। শ্রোতুমিচ্ছাম্যহংত্বত্তস্তন্মে ব্রূহি পিতামহ॥১॥

ভীষ্ম উবাচ

সর্বজ্ঞাং সর্বতত্ত্বজ্ঞাং দেবলোকে মনস্বিনীম্। কৈকয়ী সুমনানাম শাণ্ডিলীং পর্য্যপৃচ্ছত॥২॥

কেন বৃত্তেন কল্যাণি সমাচারেণ কেনবা। বিধূয় সর্বপাপানি দেবলোকং ত্বমাগতা॥৩॥

হুতাশনশিখেবত্বং জ্বলমানা স্বতেজসা। সুতা তারাধিপস্যেব প্রভয়াদিবমাগতা॥৪॥

অরজাংসি চ বস্ত্রানি ধারয়ন্তী গতক্লমা। বিমানস্থাশুভা ভাসি সহস্রগুণমোজসা॥৫॥

যুধিষ্ঠিরনা হংখি:—ধর্মগী তত্ত্ব পূম্ব খঙবশিংগী মহুংদা অথোইবা! ঈবুংগৌ। সাধ্বী সতী ওইবীশিংগী থাজৈশংবা ষরূপ (মওং) অসি করিনো! মাসি ঐ, য়াম্ন মুম্না তত্ত্বগা লোয়ননা তাজনীজিও। মাসি ঈবুংথোনা অমুক্তা তাকপিয়ু॥১॥ ভীষ্মনা হায়ঃ—রাজন্। নিংথৌ। দেবলোককী মানি। তত্ত্ব পূম্নমক খঙলবী, মহাবিদুষী শাণ্ডিলী দেবীদা কেকয় দেশগী রাজপুত্রী সুমনা কৌবীনা অহুম্না হায়রকই:-॥২॥ ঈবেম্মা। মঙ্গলগী মশক ওইবী! নহাক্তি মতৌ করম্না, করি করি শুভকর্ম তৌরক্তুনা দেবলোক অসিদা য়ৌরক্লিবনো? নমায়থোংদগী হাইদোরকপা মশেক্লা পূমনং লংনা ঊরি। চন্দ্রদেবগী মচানুপীগুম, লংলবা নশেক নঙালগা লোয়ননা স্বর্গলোকতা কাররক্লি। করম্বা সদাচারনা, করম্বা তপস্যাগী শক্তিনা, পাপকী মরীক অমত য়াওদনা স্বর্গলোকতা খোঙদাররক্লি॥৩-৪॥ মকত্রবা কীজোল শেত্তুনা, নশাদা অরাব চোকথবগী থূদম মরীক অমতা লৈতনা বিমানথক্তা তোংহনা লাক্লি। নশক নতৌশ্রু য়েংবদা মহামঙ্গলগী মশক্লি। তমহ্নুনা থোকত্রবা গুণ লিশিংনা নশাগী থম্মোয় হকচাংগী শেংলবা কজবদো উংলি॥৫॥ তপস্যা থরনা, ব্রত উপাসনা থরনা দান ধর্ম থর তৌবহ্নগী মহৈনদি

ন যমশ্রেন তপসা দানেন নিযমেন বা। ইমং লোকমনুপ্রাপ্তা সংহিতত্ত্বং বদস্ব মে ॥৬॥
ইতি পৃষ্টা সুমনয়া মধুরং চারুহাসিনী। শাণ্ডলী নিভৃতং বাক্যং সুমনামিদমব্রবীৎ ॥৭॥
নাহং কাষায়বসনা নাপি বল্কলধারিনী। ন চ মুণ্ডা চ জটিলা ভূত্বাদেবত্বমাগতা ॥৮॥
অহিতানি চ বাক্যানি সর্বাণি পরুষাণি চ। অপ্রমত্তা চ ভর্ত্তারং কদাচিন্নাহমব্রুবম্ ॥৯॥
দেবতানাংচ পিতৃণাং চ পূজনে। অপ্রমত্তাসদা যুক্তা শ্বশ্রূশ্বশুরবর্তিনী ॥১০॥
পৈশুন্যে ন প্রবর্ত্তামি ন মমৈতন্মনোগতম্। অদ্বারি ন চতিষ্ঠামি চিরংন কথয়ামি চ ॥১১॥
অসৎবা হসিতং কিঞ্চিদহিতং বাপিকর্মনা। রহস্যমরহস্যংবা ন প্রবর্ত্তামি সর্বথা ॥১২॥
কার্য্যার্থে নির্গতং বাপি ভর্ত্তারং গৃহমাগতম্। আসনেনোপসংযোজ্য পূজয়ামি সমাহিতা ॥১৩॥

যদন্নং নাভিজানাতি যৎ ভোজ্যং নাভিনন্দতি।
ভক্ষ্যং বা যদি বা লেহ্যং তৎ সর্বং বর্জয়াম্যহম্ ॥১৪॥

কুটুম্বার্থে সমানীতং যৎকিঞ্চিৎ কার্য্যমেবতু। প্রাতরুত্থায় তৎসর্বং কারয়ামি করোমিচ ॥১৫॥

স্বর্গলোক অসিদা য়োরককম থোক্কে। অন্নবা, নহাক্না তৌরকপা সাধনা অদো অমুক্তা হায়য়ু তাসি ॥৬॥ নীংথিবা থোৎলবা রাহৈনা অসুম্না হায়রকপা সুমনাগী রাহু তাবদা মোমোন তৌনা শাণ্ডিলীনা অসুম্না, মোল্লুক্না খুংলোয়না অসুম্না হায়রকই ॥৭॥ দেবী। ঐনা গেরুয়া কীজোল শেৎখিদে। উকু রাকু শেত্তুনা জটা পুখিদে। লু কোক্তুনা বনগী উহৈ রাহৈ কোয়চৎ চত্তুনা চাখিদে। হায়রিবশিংসি অমত তৌদনা ঐ, দেবলোক অসিদা য়োজরক্লি ॥৮॥ ঐনা তৌখিবা হায়ববু ঈপুরোয়বগী সেবাদা পুক্নীং চঙবা, মহাক্না য়াদবা থবক অমত তৌদনা, ঈপুরোয়বহুগী মকমদা, করিগুম্বদা অয়াকপা অথৌবা রাহৈ অমত শীজিন্নখিদে ॥৯॥ ঐ মতম পুম্বদা ঈকু ঈনেমগী য়াথংগী মথাদা লৈখি। অহল লমম লাইগুরুগী সেবা পূজা চঙনা তৌজখি ॥ ১০॥ কনাগুম্বা কনাগুম্বা অমনা তৌরবা চীরোল খারোল, মী অমবু হম্দুনা ভাঙলবনু ঐনা থোওহনা তাদে। চীরোল তৌবা হায়বসিমক ঐ ঈশানা সুকপাম পামজদে। ঐনা ঐগী থোজালদগী লাপ্তোক্তুনা কনাগুম্বা অমগী থোজান্দা লেপ্পুদে। কনাগুম্বা কনাগুম্বা অমগা রারী রাতায় গুহাক শান্নবা তারবসু মতম কুইনঃ চোম্বনা শাদে ॥১১॥ ঐনা কম্বিগুম্বদ, অচীকপা মকম অমদা নক্রগা মপ্লাম্নগী মাওদা অকাবা (অকাম্পেৎ)গী রারী শান্নুনা নোক খেবা তৌদে। মী অমগী মকমদা অকায়বা, কান্নদবা ওইগদবা থবক অমত ঐ তৌদে ॥১২॥ ঐগী ঈপুরোয়বনা থবক অমগীদমক মপান্দা চৎলুয়গা য়ুমদা হল্লকপা মতমদা ঐনা কুক হৌগত্তুনা তরাম তরাম ওকই, আসন থাই। পুক্নীং চঙনা মাগী সেবা তৌই ॥১৩॥ ঈপুরোয়বনা চানীংদবা, পামদবা ঈদোক্তুনা থম্বা চাক য়েন্থাং অহু ঐনু মাহুগী মুখিৎ টী চাক য়েন্থাং অহু য়াত্তোয়কাও তংণ্ডদে ॥১৪॥ য়ুমগী অহল্লমন গুরুজনগী শাপৈ নাত্তৈগী তৌপদবা সেবা লাংবা পুবা ঐনা অয়ুক ওক্তা লোইথোকুনা থম্মি ॥১৫॥ অগ্নিহোত্র (যজ্ঞ) গী তৌপদবা

(অগ্নিসংরক্ষণপরা গৃহশুদ্ধিং চ কারয়ে। কুমারান্ পালয়ে নিত্যং কুমারীং পরিশিক্ষয়ে ॥
আত্মপ্রাণি হিত্বাপি গর্ভসংরক্ষণে রতা। বালানাং বর্জয়ে নিত্যং শাপং কোপং প্রতাপনম্ ॥
অবিক্রিয়াণি ধান্যানি নাস্ত্রবিক্ষেণং গৃহে। রত্নবৎ স্পৃহয়ে গেহে গাবঃ সযবসোদকাঃ ॥
সমুৎগম্য চ শুদ্ধাহং ভিক্ষাং দদ্যাং দ্বিজাতিষু ।)

প্রবাসং যদি মে যাতি ভর্ত্তা কার্য্যেণ কেনচিৎ। মঙ্গলৈর্বহুভির্যুক্তা ভবামি নিযতাতদা ॥ ১৬॥
অঞ্জনং রোচনাং চৈবস্নানং মাল্যানুলেপনম্। প্রসাধনং চ নিষ্ক্রান্তে নাভিনন্দামি ভর্ত্তরি ॥১৭॥
নোত্থাপয়ামি ভর্ত্তারং সুখসুপ্তমহংসদা। আতুরেষ্বপি কার্য্যেষু তেন তুষ্যতি মেমনঃ ॥১৮॥
নায়াসয়ামি ভর্ত্তারং কুটুম্বার্থেপি সর্বদা। গুপ্তগুহ্যা সদাচাস্মি সুসং সৃষ্টনিবেশনা ॥১৯॥
ইমং ধর্মপথং নারী পালয়ন্তী সমাহিতা। অরুন্ধতীব নারীণাং স্বর্গলোকে মহীয়তে ॥২০॥

ভীষ্ম উবাচ

এতদাখ্যায় সা দেবী সুমনায়ৈ তপস্বিনী। পতিধর্ম মহাভাগা জগমাদর্শনং তদা ॥২১॥

চঙ্গদবা পোৎ পুম্বা অমূক ওত্তাদা লোইখোক্নবা থম্মি। য়ুমকৈ য়েরথা লুখা শেংদোক খোতোক্নবা, তৈথোক্নবা থম্মি। অঙাংশিংবু নুনা চায় য়োক্নবা থম্মি। নুপীমচাশিংদা নুমিৎ থুদিংগী নারী ধর্মগী শিক্ষা পী। ঐনা পাম্বা চানীংব পুম্বা থাদোক্নবা গর্ভদা লৈবা জীবহুগী কারণদবা চীঙ্গাক পীজিয়ে। অঙাংশিংবু তাথি তাওইনা যু চৈহনা রাককপা তৌদে। নীংথিনা জান তাক্নবা অকবা লম্বীদা চৎননবা হোৎনৈ। ঈমুং মনুংদা হরাই চেংরাই থঙ্গা অতুগা কন্ত হৌদি চাইথোক্নবা থম্বা থক তৌদে। লৈপাক্তা কৌ চেঙ মরু অমতা তাহন্দে। য়ুমগী শল শম্বী শঙ্গাউনচিংববু মতম নাইনা শজীক পীজৈ, ঈশিং পীথকই মথোয়বু য়াম পেনহন্নি। হকচাং শেংদোক্নবা কিশেং শেত্নবা ব্রাহ্মণ অতিথিদা ভিক্ষা হাপ্পি, দান তৌই। ঈপুরোয়বনা লংকৈ চৎথিতৈদা মহাকী মঙ্গল ওইনবা শুভকর্ম অমদি দেবতাশিংগী সেবা পূজাদা পুরীং চঙহনা লৈ ॥ ১৬॥ ঈপুরোয়বনা লংকৈদা লৈথিতৈদা হকচাংদা মনম মুংশিবা থাউনচিংবা তৈবা, শৃঙ্গার বেশ আভূষণ শেৎ চাবা তৌজদে ॥১৭॥ ঈপুরোয়বনা অরাবা থবক চৎলুবদগী পোথাহনা তুম্বা চেপ্পা মতমদা ঐনা থক হৌদোক্তে। পোথাহনা মুংতাইনা তুমহনা লৈবহু উরগা ঐ য়াম্মা হরাউজৈ ॥১৮॥ পরিবারবু য়োক থাকপগী থবক তৌবা মতমদা ঐ কনাগুম্বা অমদা ওৎপা বৈবা শাউবা তৌদে। অথুপ্পা, য়ুম কারণদোবা রাহু ঐনা থম্মোয়দা য়ৈশিন্নুনা থম্মি। অহু থম থম্মা য়ুমকৈগী শেংদোক খোতোকদবহু নিয়ম নাইনা অহুম তৌই ॥১৯॥ অতুগুম্বা ধর্মগী নিয়মশিংসিবু ভাক্ত চৎলিবী নুপী অহুদি নুপীশিংগী মনুংদা অরুন্ধতীগী মতৌগুম পূজা তৌননীঙাই. ঈকায় খুম্নীঙাই ওই। স্বর্গদা লোকতা প্রতিষ্ঠা কংতি ॥২০॥ ভীষ্মনা হায়:—যুধিষ্ঠির! সুমনাদা পাতিব্রত্য (সতীত্ব) গী ধর্ম অমদি নিয়মশিংসি তাক্লগা তপস্বিনী শাণ্ডিলী অসি থংমাং মাগুথি ॥২১॥

যশ্চেদং পাণ্ডবাখ্যানং পঠেৎ পর্বণি পর্বণি। স দেবলোকং সম্প্রাপ্যনন্দনে সুখী ভবেৎ ॥২২॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যামনুশাসন পর্বনি দানধর্মপর্বনি
শাণ্ডিলী সুমনাসংবাদে এয়োবিংশত্যধিকশততমোহধ্যায়ঃ ॥ ম ॥ ম ॥

—:(*):—

পাণ্ডুনন্দন ! পর্বদিন হেক হেক তাবদা যাগী অসিবু তায়বদি দেবলোকপা নন্দনকাননদা সুংঙাইনা
।তম লেনবা যংভি ।২২।

মকম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোক লিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা অনুশাসন পর্বদা,
দানধর্ম পর্বদা শাণ্ডিলী সুমনা সংবাদগী চামকুনহুমদোইগুবা অধ্যায় লোইরে ॥ ম ॥ ম ॥

—:(*):—

মণিপুর মহাভারত

চতুর্বিংশত্যধিকশততমোঽধ্যায়ঃ

(নারদনা পুণ্ডরীক কৌবা ব্রাহ্মণদা শ্রীনারায়ণগী আরাধনাগী তত্ত্ব তাকপা)

চামকুমরিশুবা অধ্যায় ঃ

—ঃ(*):—

যুধিষ্ঠির উবাচ

যজ্জ্রেয়ং পরমং কৃত্যমনুষ্ঠেয়ং মহাত্মভিঃ। সারং মে সর্বশাস্ত্রাণাং বক্তুমর্হস্যনুগ্রহাৎ ॥

ভীষ্ম উবাচ

শ্রূয়তামিদমত্যন্তং গূঢ়ং সংসারমোচনম্। শ্রোতব্যং চ ত্বয়া সম্যগ জ্ঞাতব্যং চ বিশাম্পতে ॥

পুণ্ডরীক পুরা বিপ্র পুণ্য তীর্থে জপান্বিতঃ। নারদঃ পরিপ্রপচ্ছ শ্রেয়োযোগপরং মুনিম্ ॥

নারদশ্চাব্রবীদেনং ব্রহ্মণোক্তং মহাত্মনা ॥

যুধিষ্ঠিরনা হায় ঃ—ঈবুধৌ। খ্বাইদগী হেন্না তৌকম থোকপা থবক, অদুগা অদুগুম্বা কর্ম অদুতবু তৌরগা ধর্মনি হায়না মহাত্মাশিংনা তৌনরিবা অদুগা শাস্ত্র পুম্নমক্কী সারাংশ (মচি) ওইবা পোৎ (রা) অসি করিনো? মাঙ্ক থোজানবিদুনা অমুক্তা তাকপিযু ॥ ভীষ্মনা হায় ঃ—প্রজা পুম্নমক্কী মপু। হায়নীংঙাই কৈতনা থুপ্পবা, সংসারগী মায়া বন্ধন (কাজিনবা) অসিদগী লাম্থোকহনবা, অদুগা খ্বাইদগী হেন্না তাগদবা, খ্বাইদগী হেন্না থনক্না অমাং থঙকম থোকপত মহামঙ্গলগী রাদু ঐ হায়গে মুন্না তাও ॥ কুইরবা মমাঙগী রানি। পুণ্ডরীক কৌবা মমিং চৎলবা ব্রাহ্মণ অমা, পুণ্য তীর্থ অমদা অনুম তম্বনা জপ (ধ্যান) তৌদুনা পৈরম্মি। মহাক্না নোংমা, মকম অদুদা লাকপা, যোগধ্যানদা পূক্নীং চঙলবা নারদ মুনিগী মফমদা খ্বাইদগী হেন্না মঙ্গল ওইবা বিষয় অদু হংখি। মতম অদুদা নারদনা অমুম্না হায়খি ॥ নারদনা হায় ঃ—ব্রাহ্মণ। খ্বাইদগী তেমবা জ্ঞানযোগগী বা হায়গে। পূক্নীং চঙনা তাও। মাসি কনাগুম্বা অকক্নবা মীশক অমদগী ফোঙদোক্নকপা বা নত্তে। অনাদিনি। হৌরকফম লৈতবা, মথন্ত থোকচরকপনি। বেদশাস্ত্র পুম্নমক্কা নৈনরগা মথন্ত তারকপা সারাংশনি। বেদশাস্ত্র পুম্নমক্কী তোঙাল তোঙানবা অর্থ মরাম অসিনা পূনশিন্নরগা করি তারকপগে হায়বদুগী রানি ॥ মৈ ঊশিংনচিংবা তত্ত

নারদ উবাচ

শৃণুষ্বাবহিতস্তাত জ্ঞানযোগমনুত্তমম্। অপ্রভূতং প্রভূতার্থং বেদশাস্ত্রার্থসারকম্ ॥
যঃ পরঃ প্রকৃতেঃ প্রোক্তঃ পুরুষঃ পঞ্চবিংশকঃ। স এব সর্বভূতাত্মা নর ইত্যভিধীয়তে ॥
নরাজ্জাতানি তত্ত্বানি নারানীতি ততোবিদুঃ। তান্যেব চায়নং তস্য তেন নারায়ণঃ স্মৃতঃ ॥
নারায়ণাজ্জগৎ জগৎ সর্বং সর্গকালে প্রজায়তে। তস্মিন্নেব পুনস্তচ্চ প্রলয়ে সম্প্রলীয়তে ॥
নারায়ণঃ পরং ব্রহ্মতত্ত্বং নারায়ণঃ পরঃ। পরাদপি পরশ্চাসৌ তস্মান্নাস্তি পরাৎ পরম্ ॥
বাসুদেবং তথাবিষ্ণুমাত্মানং চ তথাবিদুঃ। সংজ্ঞাভেদৈঃ স এবেকঃ সর্বশাস্ত্রাভিসংস্কৃতঃ ॥
আলোড্য সর্বশাস্ত্রাণি বিচার্য্য চ পুনঃ পুনঃ। ইদমেকং সুনিষ্পন্নং ধ্যেয়োনারায়ণঃ সদা ॥
তস্মাত্ত্বং গহনান্ সর্বাংস্ত্যক্ত্বা শাস্ত্রার্থবিস্তরান্। অনন্যচেতা ধ্যায়স্ব নারায়ণ মজং বিভুম্ ॥

কুনম্বরিসিনা তৌরিব থবকসি মথক্তনা উবা, কুনমতাগুবা তত্ত্ব, অহু হেক লৈরিবা অচচ্চত্তা পূম্নমক্কী আত্মা ওইরিবহুবু নর হায়না কৌই। হায়রিবা নর অসিদগী কোন্তদোরক্লিবা তত্ত্বশিং অহুবু নার কৌই। নারশিং অসিগী অথন (লৈকম) অহু ভগবান্ (শক্তি পূম্নমক পুরিবা) মহাক্কী লৈকমনি। অহুনা, অগুম্বা ভগবান্ (শক্তিমান) মহাকপু নারায়ণ কৌই। হায়রবসি, নারনা মহাক্কী লৈকম ওইবা হায়রবনি। অহুনা, সৃষ্টি নতম্নদগী জগৎ পুম্বসি মত্তোন্দগী থোকখিবা শন্দোকখিবমক্তনি। অহুগা প্রলয়গী মতমদা পূম্নমক অসি মত্তোন্দা অমুক লূপখি (তিমখি)। অহুনা নরায়নতনা পরব্রহ্মনি। পরম পুরুষ নারায়ণতনা। তত্ত্ব, পূম্নমক্কা তিনবা অমদি তিম্নক হায়রবহু ওই। মহাক অসি পরদগীসু পরনি হায়রবদি, তোঙানবা হায়রহুনা লৌরিবাশিং অসিদগী তোঙায় লৈ। অহুনা, পরাৎপর (তোঙালবদগীসু তোঙায় লৈবা) হায়রবহু মহাক্কা ওই। মত্তোন্দগী তত্ত্ব, অমমুক লৈখিদ্রে (থকদ্রে)। মহাকপু বাসুদেব বিষ্ণু আত্মা হায়নসু কৌনৈ। তোঙাল তোঙানবা মিংশিংসি পুরিবা নারায়ন অহুতবু শাস্ত্রশিংনা তোঙানবা রাইহেদা বর্ণন তৌনরি। শাস্ত্র পূম্নমক্কা চুংশিন্নহুনা নৈনরক্পদা, অমত ওইবা সিদ্ধান্ত অসিদা লেপ্লখি। মাহুদি খ্বাইদগী হেন্ন ধ্যান তৌকম থোকপসি ভগবান্ নারায়ণতনা ওই। অহুনা কূপ্নব লূরবা শাস্ত্রার্থ তৌনহুনা অমগমগা য়েৎন নৈনহুনা অঙম অঙম ঙাম্নবগী মহুত্তা অম অম থন্দনা মকম পূম্বদা শীন্দুনা লৈবা, পোকপ শিব লৈতবা ভগবান্ নরায়ণগী ধ্যান তৌহুনা লৈয়ু। অতনবা হৌনিংদব পূম্ব থাদোক্তুনা পুং অনীতংদ ওইরবসু, সুম্নিং খুদিংগী ভগবান্ শ্রীনারায়ণগী ধ্যান তৌরিবা মী মহাক অহুদি অথোইবা গতি (ধাম) ফংভি, পুনশিসিমগী মীকুপ খুদিং নারায়ণচুবুত ধ্যান তৌহুনা শোন্দুনা লৈরিবহুগীদি করি অমুক হায়রুরগনি। "ওঁ নমো নারায়ণায়" হায়রবা খোন্থোক নিপান্ন শাবা মন্ত্র অসি, সনাতন (মতম পূম্বদা লৈবা) ব্রহ্মমক্কী নাদব্রহ্মমূর্ত্তিনি হায়না খঙহুনা অন্তকাল ফাওবদা জপ তৌরিবা মী মহাক অহু বিষ্ণুগী পরমধাম (অথোইবা খুঙম) বু ফংব ঙম্নি। মশাগী

মুহূর্ত্তমপি যো ধ্যায়েন্নারায়ণমতন্দ্রিতঃ। সোঽপি সংগতিমাপ্নোতি কিং পুনস্তৎ পরায়ণঃ ॥
নমো নারায়ণেতি যো বেদ ব্রহ্ম শাশ্বতম্। অন্তকালে জপন্নেতি তদ্বিষ্ণোঃ পরমং পদম্ ॥
শ্রবণাম্মননাচ্চৈবগীতিস্তুত্যর্চনাদিভিঃ। আরাধ্যং সর্বদা ব্রহ্ম পুরুষেণ হিতৈষিণা ॥
লিপ্যতে ন স পাপেন নারায়ণ পরায়ণঃ। পুনাতি সকলং লোকং সহস্রাংশুরিবোদিতঃ ॥
ব্রহ্মচারী গৃহস্থো বা বানপ্রস্থোঽথ ভিক্ষুকঃ। কেশবারাধনং হিত্বা নৈব যান্তি পরাংগতিম ॥
জন্মান্তর সহস্রেষু দুর্লভা তৎগতা মতিঃ। তদ্ভক্তবৎসলং দেবং সমারাধয় সুব্রত ॥

ভীষ্ম উবাচ

নারদেনৈবমুক্তস্তু স বিপ্রোঽভ্যর্চয়দ্ধরিম্। স্বপ্নেঽপি পুণ্ডরীকাক্ষং শঙ্খচক্রগদাধরম্ ॥
কিরীটকুণ্ডলধরং লসচ্ছ্রীবৎসকৌস্তুভম্। তং দৃষ্ট্বা দেবদেবেশং প্রাপ সংভ্রমান্বিতঃ ॥
অথকালেন মহতা তথা প্রত্যক্ষতাগতঃ। সংস্তুতঃ স্তুতিভির্দেবৈর্গন্ধর্ব কিন্নরৈঃ ॥

তাইবং মীওইবগী পুনশিদা মজং ওইনা লৈব পাম্ব মীনা মতম পূম্বদা, নারায়ণ শ্রীহরিগী লীলা অমদি দিব্য কর্ম থিবিকপু শ্রবন কীর্ত্তন তৌহনা শ্রীবিষ্ণুনারায়ণ সেবা পূজাদা পূক্নীং চঙহনা লৈগদবনি ॥ নারায়ণগী ভজন সাধন, পূজাদা পূক্নীং চঙহনা লৈবা মীদা করিগুম্বা মওংগী পাপনা চঙবা ঙমদে। মহাক অহৃতনা মশেক মঙাল লিশিং অম পুবা সূর্য্যদেবগী মতৌগুম্না লোক পূম্ববু শেংদোকই ॥ ব্রহ্মচারী, গৃহস্থ, বাণপ্রস্থ অমদি সন্ন্যাসী ওইরবসু ভগবান্ শ্রীহরিগী সেবা পূজা তৌত্রবাদ মহাক অহুনা পরমগতিবু করিগুম্বদা ফংবা ঙমদে ॥ ব্রত পূম্ব পালন তৌহনা লৈরিবা পুণ্ডরীক। তাইবং মীগী মপোক্তা লিশিংলক হম পোক্লরবসু ভগবান্ শ্রীবিষ্ণু নারায়ণগী সেবা পূজাদা গুণগানদা পূক্নীং চঙবা হায়বসে পাক ফংদে। য়াম্ব তাঙবা য়ানি। অহুনা, নহাক মতম পূম্বদা ভগবান্ শ্রীহরি নারায়ণগী আরাধনা তৌহনা লৈয়ু ॥

ভীষ্মনা হায় ঃ— নিংথৌ যুধিষ্ঠির! নারদনা অসুম হায়না উপদেশ (পাউতাক) পীরব তুংদা পুণ্ডরীকনা মাহুগী হুমিত্তুগী শ্রীহরিগী সেবা পূজাদা পূক্নীং চঙখি। মহাক্না মমঙ কাওবদা শঙ্খ চক্রগদা পদ্মধারী কিরীট কুণ্ডলনা লৈতেংবা শ্রীবৎসগী খুদয়া অমনা কৌস্তুভ মণিনা থবাক্ত লৈতেংবা, মরন অনীনা থম্বাল লৈবা মানবা শ্রীনারায়ণগী দর্শন তৌখি। মতুদা খুরুম্বদা তাইবং মীকপ থোক্লবা কাওবদা শয্যাথক্তা দণ্ডবৎ শানা খুরুমহনা লৈরম্মি। অহুগী তুংদা মতম কুইনগী তুংদা ভগবান্ শ্রীহরিনা প্রত্যক্ষ ওইনা দর্শন পীবিখি। মতম অহুদা মূর্ত্তি নাইনা বেদ পূম্বনা, দেবতা গন্ধর্ব কিন্নরশিংনা মহাকী স্তুতিগান তৌখি ॥ যোগ পূম্নমক্কী লৈকম তুংকম ওইবা, ভগবান্ শ্রীহরিনা, মহাক্না তৌবা সেবা পূজাদা পেনবিথিহনা, অহুম ওইবা ভক্ত পুণ্ডরীকগা লোয়ননা, মশাগী পরমধাম বৈকুণ্ঠদা লেপ্তখি ॥ অহুনা, নিংথৌ। যুধিষ্ঠির! নহাকসু ভগবান্ শ্রীহরিগী ভক্ত অম ওইনা শরনা ভক্ত অমসু ওইনা শ্রীহরি (শ্রীকৃষ্ণ) গী আশ্রয়দ চঙজহনত্ত লৈয় ॥ পোকপ শিব লৈতবা, মাওদা অনীতবা অম লৈত্রবা, খাইদগী হেন্না থ্যান

অথতেনৈব ভগবানাত্মলোকমধোক্ষজঃ। গতঃ সম্পূজিতঃ সর্বৈঃ স যোগনিলয়ো হরিঃ ॥
তস্মাৎ ত্বমপি রাজেন্দ্র তদ্ভক্তস্তৎ পরায়ণঃ। অর্চয়িত্বা যথাযোগং ভজস্বপুরুষোত্তমম্ ॥
অজরমমরমেকং ধ্যেয়মাদ্যন্তশূন্যম্। সগুণ নগুণ মাদ্যং স্থূলমত্যন্তসূক্ষ্মম্।
নিরুপমমু পমেয়ং যোগিবিজ্ঞান গম্যম। ত্রিভুবন গুরুমীশংসম্প্রপদ্যস্ব বিষ্ণুম্ ॥

যুধিষ্ঠির উবাচ

সাম্নি চাপি প্রদানে চ জ্যায়ঃ কিং ভবতো মতম্। প্রব্রূহি ভরতশ্রেষ্ঠ যদত্রব্যতিরিচ্যতে ॥১॥

ভীষ্ম উবাচ

সাম্না প্রসাদ্যতে কশ্চিৎদনেন চ তথা পরঃ। পুরুষপ্রকৃতিং জ্ঞাত্বা তয়োরেকতরং ভজেৎ ॥২॥
গুণাংস্তু শৃণুমে রাজন্ সান্ত্বস্য ভরতর্ষভ। দারুণান্যপি ভূতানি সান্ত্বেনারাধয়েৎ যয়া ।৩।
অত্রাপ্যুদাহরন্তী মমিতিহাসং পুরাতনম্। গৃহীত্বারাক্ষসা মুক্তো দ্বিজাতিকাননে যথা ॥৪॥
কশ্চিৎ বাগ্ বুদ্ধিসম্পন্নো ব্রাহ্মণো বিজনেবনে। গৃহীতঃ কৃচ্ছমাপান্না রক্ষসা ভক্ষয়িষ্যতা ॥৫॥

তৌকম ওইবা, অহৌবা অয়োইবা লৈতবা, সগুণ নির্গুণ অনীমক ওইবা, পুম্নমকী হৌরকফম, পোক্‌ফম ওইবা, খ্বাইদগী চাউবা, খ্বাইদগী মশক উদমখৈ পীকপা, অসিগুম্মি হায়না চাংদমনীঙঙাই প্রমাণ পীনীঙঙাই লৈমবা, অচম্বগুম্বা পূম্বগীদি, চাংদম্নীঙঙাই, মতৌ তম্নীঙঙাই ওইবা, যোগীশিংতনা মখোয়গী যোগসাধনতনা লাখ ফংবা, অমুম ওইবা মরোল অহুমগী গুরু ওইবা ভগবান্ শ্রীহরিদা চঙজৌ॥ যুধিষ্ঠিরনা হায়ঃ—ভরতবংশগী অখোইবা। ঈবুধৌ! ঈবুধৌগী মততা সাম দান হায়না লৈরিবা অনীসিগী মনুংদা কনানা হেনবগে? মাহু অমুক্তা তাকপিয়ু ॥১॥ ভীষ্মনা হায়ঃ—নিংথৌ! কনাগুম্বনা সামনা, কনাগুম্বনা দাননা খুদক খুদকী থবক অহু পাঙথোক্‌পা হোৎনৈ। লাক্লি লাক্লিবা পুরুষ মীশক অহুগী স্বভাব স্বভাবতুগী মতুং ইন্না, সাম, দাম, দণ্ড, ভেদ হায়বা নীতি মরিসিগী মনুংদা অমখু পীজিন্নগদবনি ॥২॥ নিংথৌ! ভরত পাগেগী অখোইবা! সাম কৌবা নীতি অহুগী মগুণ ঐ হায়গে তাও। সাম নীতিনা তাইবং মীমা মহা অকিবগী মশক ওইরবা মীশক কাওবা খুত্থম চনবা ঙম্মি ॥৪॥ হায়রিবা বিষয় অসিদা কুইরবা মমাঙৈগী রারী অমা খুদম ওইনা লীনৈ। সাম নীতিগী পান্থৈনা বন অমগী মনুংদা, কনাগুম্বা ব্রাহ্মণ অমা, তমথীরবা হিংচাব অমগী মখুতগী ঈরায় লায়না নাম্থোকখি।৪॥ কনাগুম্বা মবুদ্ধি লৈরবা, বা তাঙব হৈরবা ব্রাহ্মণ অমা, নোংমা জঙ্গল অমগী মনুংদা মথন্ত অমুম কোয়রম্মি। মতম অহুদা হিংচাবা অমনা মাবু চাগদবগী ফায়। উপায় লৈত্রবা ব্রাহ্মণ অহু ওম্বোক্লা রায়বা খুদোং থীবদা তারে ॥৫॥ ব্রাহ্মণ মাগী বুদ্ধিদি রায় থৌই। মশামক রায় বিদ্বান্ অমনি। অহুনা, মহাক থোইদোক্লা

স বুদ্ধি শ্রুতিসম্পন্নস্তং দৃষ্ট্বা তীব্র ভীষণম্। সামৈবাস্মিন্ প্রযুযুজে ন মুমোহ ন বিব্যথে ॥৬॥

রক্ষস্তু বাচং সম্পূজ্য প্রশ্নং পপ্রচ্ছ তং দ্বিজম্। মোক্ষ্যসে ক্রূহি মে প্রশ্নং কেনাস্মি হরিণঃ কৃশঃ ॥৭॥

মুহূর্তমথ সংচিন্ত্য ব্রাহ্মণস্তস্য রক্ষসঃ। আভির্গাথাভিরব্যগ্রঃ প্রশ্নং প্রতিজগাদ হ ॥৮॥

ব্রাহ্মণ উবাচ

বিদেশস্থো বিলোকস্থো বিনানূনং সুহৃজ্জনৈঃ। বিষয়ান্ তুলান্ ভুঙ্‌ক্তে তেনাসি হরিনঃ কৃশঃ ॥৯॥

নূনং মিত্রাণি তে রক্ষঃ সাধুপচারিতান্যপি। স্বদোষাদপরজ্যন্তে তেনাসি হরিণঃ কৃশঃ ॥১০॥

ধনৈশ্বর্য্যাধিকাঃ স্তব্ধাস্ত্বং গুণৈঃ পরমাচরাঃ। অবজানন্তি নূনং ত্বাং তেনাসি হরিণ. কৃশঃ ॥১১॥

গুণবান্ বিগুনানন্যান নূনং পশ্যসি সংকৃতান্।
প্রাজ্ঞোঽপ্রাজ্ঞান্ বিনীতাত্মা তেনাসি হরিণঃ কৃশঃ ॥১২॥

খুদোং থীবগী অবস্থাদা তাব কাওবদা থগৎপা মিপাইবা তৌথিদে। মতম অচুনা মহাক্না সাম নীতি শীজিন্নথি ॥৬॥ হিংচাবা অদুনা ব্রাহ্মণচুগী মহাশান্তিগী মশক ওইরবা রাশিংছু তাবদা অসুম্না হায়রকই— ঐনা হংলিবসি চপচাবা খুম্নবদি, ঐ নহাকপু থাদোকে। হায়য়, ঐ অসি ঈশা পুম্বা তাইকেং তাইরিবা অচুগা শোম্নিবসি করিগি নো? ঈশা পুম্বা অভোবা পকপগুম তৌরিবা তাইকেং তাইরিবগী মরম হায়য় ॥৭॥ মাহু তাবদা ব্রাহ্মণ অচুনা ওহাক তুমিন্না বিচার তৌরগা রাইবশিং অসিনা হিংচাবচুদা পাউথুম পীথি ॥৮॥ ব্রাহ্মণনা হায়:— হিংচাবা। নহাক মহাকী মরূপ মপাং পুম্নমকপু হন্দোক্নগচুনা, মখোয়দগী তোঙান তাচুনা, পরদেশতা অতোপ্পা মীশিংগা লৈমিন্নথিচুনা মুংঙাইবা তোগ পুম্নমক কাংচুনা চাচুনা সুংঙাইনা লৈথোকখি। অচুনা, নশা তাইকেং তানা, নপাঙল শোম্ন লৈবনি ॥৯॥ নিশাচর। নংনা য়াম্ন ঈকায় খুম্নবিচুনা লৈবা মরূপশিংনা, নহাকী লমচৎ শাজৎনা নঙোন্দগী মমার লৈথোক্লনা লৈখি। অচুনা নশা তাইকেং তানা, নপাঙল শোম্ন লৈবনি ॥১০॥ গুণদা নঙোন্দগী য়াম্ন হেন্না লৈবা, অপঙবশিং অচুনম্ন মরল মথুমদা হেনবিবনা নহাকপু য়াম্ন ঊশিং থোঙইখিদে। অচুনা, নশা তাইকেং তানা নপাঙল শোম্ন লৈবনি। গুণ চেনবা, বিদ্যা হৈবা, নোমুকপা ওইরবসু মীওোন্দগী ঈকায় খুম্নবা সম্মান কংখিদে। অচুগা গুণ লৈতবা, অপঙবশিংবুনা সম্মান কংখিবচু ঊখি। অচুনা, নশা তাইকেং তানা, নপাঙল শোম্ন লৈবনি ॥১১॥ নহাক গুণ লৈব নহৈ হৈবা, নোমুকপা ওইরবসু, মাঙোন্দগী সমাজদগী সম্মান (ঈকাই খুম্নবা) অমত কংখিদে। গুণ লৈতবা, পঙলব মীশিংনা সম্মান কংখিবচু নহাক্না ঊখি। মাচুদা নঙোন্দা শাউনিংবা লোকখি। অচুনা নশা তাইকেং তানা, নপাঙল শোম্ন লৈবনি ॥১২॥ জীবিকাগীদমক্তা করিগুম্বা উপায় অমত লৈরকত্রবদা য়াম্ন অরাবা কংখি। অচুগা

অবৃত্ত্যা ক্লিশ্যমানোঽপি বৃত্ত্যুপায়ান বিগর্হয়ন্।
মাহাত্ম্যাৎ ব্যথসে নূনং তেনাসি হরিণঃ কৃশঃ ॥১৩।
সম্পীড্যাত্মান মার্য্যত্বাৎ যয়াকশ্চিদুপস্কৃতঃ।
জিতং ত্বাং মন্যতে সাধো তেনাসি হরিণঃ কৃশঃ ॥১৪॥

ক্লিশ্যমানান্ বিমার্গেষু কামক্রোধাবৃতাত্মনঃ মন্যে ত্বং ধ্যায়সি জনাং স্তেনাসি হরিণঃ কৃশঃ ॥১৫॥
প্রজ্ঞাসম্ভাবিতো নূনমপ্রজ্ঞৈরুপসংহিতঃ। হ্রীয়মানোঽসি দুর্বৃত্তৈস্তেনাসি হরিণঃ কৃশঃ ॥১৬॥
নূনং মিত্রমুখঃ শত্রুঃ কশ্চিদার্য্যবদাচরন্। বঞ্চয়িত্বা গতস্ত্বাং বৈ তেনাসি হরিণঃ কৃশঃ ॥১৭॥
প্রকাশার্থগতি র্নূনং রহস্যকুশলঃ কৃতী। তজ্জৈর্ন পূজ্যসে তেনাসি হরিণঃ কৃশঃ ॥১৮॥
অসৎস্বপি নিবিষ্টেষু ব্রুবতো মুক্তসংশয়ম্। গুণাস্তে ন বিরাজন্তে তেনাসি হরিণঃ কৃশঃ ॥১৯॥
ধনবুদ্ধি শ্রুতৈর্হীনঃ কেবলং তেজসান্বিতঃ। মহৎ প্রার্থয়সে নূনং তেনাসি হরিণঃ কৃশঃ ॥২০॥

- - -

নশাদা খোযবা অমা লৈখিবনা মীনা পীয়রু কাওবদা লৌখিদে অহুনা নশা তাইকেৎ তানা নপাজল শোয় লৈবনি ॥ ৩। সাধু ! নিশাচর ! নশাদা সজ্জন ওইবগী নগুণ অমা লৈরবসু, নশাগী হকচাংগী অরাবা চোকথবহু উরকাওবদা মীগী উপকারি তৌখি। মাহুদা নহাক্কা নশাগী শক্তিবু কায়রবনি হায়না থনখি। অহুনা নশা তাইকেৎ তানা নপাজল শোনবনি। ৪। অপাম্বা, অশাউবনা থুমহৎপ্রবা করবা লম্বী (উপায়) দা চত্নুনা অরাব ক্বংলিবশিং অহুব উরগা নংনা চিন্তা ঋায়া তৌখি। অহুনা নশাহু তাইকেৎ তানা নপাজল শোনবনি ।১৫॥ করণা মচীন থৌরবা বুদ্ধিনা মরম ওইহুনা মীতোন্দগী সম্মান কংবদা মতীক চারবসু, করবশিংনা নংবু উশিং থোক্‌হইখিদে করেম্‌খ। মখোয়না নহাকপু নিন্দা তৌখি, চৈখি। মাহুগী চিন্তাহুনক্না নশাহু তাইকেৎ তাইহুনা নপাজল শোনবনি ।১৪॥ মেরুবনা মচীন্দা নতোন্দা মরূপ শাশিন্নহুনা নংবু থাগৎশিন্নগা নমথাক তৌহুনা নতোন্দগী পোৎ লৌথোক্নুনা ঠগ (থোক) তৌহুনা চৎখি। মাহুনা, নশাহু তাইকেৎ তাইহুবা নপাজল শোনবনি ।১৭॥ নহাক্কী মরল অমদি নথৌ তৌবগী নিয়ম পদ্ধতি অহু মী পূর্ণমক্না লোইনা খত্তিও। মসুংগী অথুপা বা পূজা নহাক লোইনা খত্তিও। অহুবু নহাক্কী নগুণহু উরগা অউবাশিংহুনা নহাক্কী নিন্দা তৌখি নহাকপু করিমত সম্মান তৌদে। অহুনা নশাহু তাইকেৎ তাইহুনা নপাজল শোনবনি ।১৮॥ নহাক্কী করনব শীনবা মীশিংগী মরক্তা নহাক্কা পুকচেল ঈডিং ডিংনা, চিংনবা করিমত তৌহুনা রারী রাতায় শাথি। অহুবু মখোয়দা নশাক্ম লৈরিবা গুণ অহু করিমতা কাওদে। অহুনা নশাহু তাইকেৎ তাইহুনা নপাজল শোনবনি ।। ৯। অহুগা মাসিমস্থ ওইবা মাই, মাহুদি : নহাক্কী ধন (ধন) বুদ্ধি, বিদ্যা লৈত্রবসু, নশাগী হকচাংগী পাজলভমা রাংলবা পদবীদি অহুম মপাম্মি। অহুবু মহৈদি থক মানখিদে। অহুনা নশাহু তাইকেৎ তাইহুনা নপাজল শোনবনি ॥২০॥ নিশাচর। এৗনা অম্মম থনবদা, নহাক্কী পুক্নীংসে

তপঃ প্রবিহিতাত্মনং মন্যে যারণ্যকাঙ্ক্ষিণম্। বান্ধবানাভিনন্দন্তি তেনাসি হরিণঃ কৃশঃ। ২১॥

(দুর্বিনীতঃ পুত্ত্রোবা জামাতা বাপ্রমার্জকঃ। দারাবা প্রতিকূলাস্তে তেনাসি হরিণঃ কৃশঃ॥

ভ্রাতরোহ তীব বিষমাঃ পিতাবা ক্ষুৎক্ষতো মৃতঃ। মাতা জ্যেষ্ঠো গুরুর্বাপিতেনাসি হরিণঃ কৃশঃ

ব্রাহ্মণোবা হতো গৌর্বা ব্রহ্মস্বংবাহৃতং পুরা। দেবস্বংবাধিকং কালে তেনাসি হরিণঃ কৃশঃ॥

হৃতদারোহথ বৃদ্ধোবা লোকে দ্বিষ্টোথবানরৈঃ। অবিজ্ঞানেনবা বৃদ্ধস্তেনাসি হরিণঃ কৃশঃ॥

বার্দ্ধক্যস্যার্থেধনং দৃষ্ট্বাষা শ্রীবাপি পরৈর্হৃতা। বৃত্তির্বা দুর্জ্জনাপেক্ষা তেনাসি হরিণঃ কৃশঃ॥

ইষ্টভার্য্যস্ত তে নূনং প্রাতিবেশ্যো মহাধনঃ। যুবা সুললিতঃ কামী তেনাসি হরিণঃ কৃশঃ॥২২॥

নূনমর্থবতাং মধ্যে ত্বদ্বাক্যমনুত্তমম্। ন ভাতি কালেহভিহিতং তেনাসি হরিণঃ কৃশঃ॥২৩॥

তপস্যা তৌবদা লুপখি। অদুনা মাহুগী সংস্কার অদুনা, নহাক বনদা জঙ্গলতদা লৈনিংলিবনি। অদুনা নংবা তৌরিবা থবক অসি নহাকী শাগৈ নাতৈ মরূপ মপাংনা করিমত পামখিদে। অদুনা নশা তাইকেং তাইদুনা নপাজল শোনবনি ।২১॥ অদুগা, অসিমন্থু ওইব য়াই. মাহুদি—নহাকী নচানিপা অদু য়াম্ন লমহেনবা, মকোক হাইগৎপা, যুম্নগী পোচ্চে পুম্বা উজার মেলা শাহ্‌নবা মীশক অমা ওইখি। অদু নত্রগা নহাকী মুপী অদু মপুরোইবনা পামদবা থবকত তৌবী অমা ওইখি। অদুনা, নশা তাইকেং তাইদুনা শোনবনি॥ অদুগা সিমন্থু ওইবা য়াই, মাহুদি নহাকী নয়াম্বা অদু য়াম্ন কন্তবা মাবা তৌনিংবত তৌবা মীশক অমা ওইখি। অহল লমনাশিংবা চাকম থককম থজদবা শিখি। অদুনা নশাহু তাইকেং তাইদুনা শোনবনি॥ ঐনা অনুম থনবদা, ঐহ্‌ অনুমানদা, নহাক কনাগুম্বা ব্রাহ্মণ অমবু নত্রগা শলবু হাংখি। নত্রগা ব্রাহ্মণ অমদি দেবতাগী পোচ্চে, মবলবু লোয় কৌখ। হুয়ানখি। অদুনা নশা তাইকেং তাইদুনা শোনবনি॥ অদুগা সিমন্থু ওইবা য়াই মাহুদি নহাকী মুপী লায়নবীদুবু কনাগুম্বা অমনা নমদুনা চিংদুনা পাখি হুখি। অদু নত্রগা নহাক্না অহল ওইরক্লবদা নভোন্দা য়াম্ন কল্লক য়েংখিবা হৌখি। অদুগা জ্ঞান তাখিদদুনা নাপয় লুতোল থাখি। অদুনা, নশা তাইকেং তাইদুনা শোনবনি॥ অহল ওইরক্লবদা নংনা পৈশিনব লম্মুম অদু কনাগুম্বা অমনা নমদুনা লৌবিখি হুখি। অদুনা জীবিকাগী উপায় লৈরক্তবদা অতোপ্পগী, মীগী মপান তাংবা লাখি। অদুগী চিন্তানা নশা তাইকেং তাইদুনা নপাজল খোনবনি॥ অদুগা সিমন্থু ওইব য়াই, মাহুদি নহাকী মুপীদু মশক মতৌ য়াম্না কজবী অম ওইখি। নহাকী লৈশায় মুমলোয়বদা মশক মতৌ কজরবা নহা পাথং অম লৈ। মাহুদা, নহাকী মুপীদুনা মভোন্দা পুন্নাং চত্রগত্রা হাবদুনা য়ায় চিন্তা তৌখি। অদুনা মশা তাইকেং তাইদুনা নপাজল্ শোনবনি॥২২॥ অদুগা অসিমন্থু শোয়দনা ওইবা তাই, মাহুদি মরল মথুম লৈরবা, কনবা মীশিংগী মরক্তা, মকম মতমগা চপ চাবা রা ভাঙখি। মাহুদা নংনা ভাঙব শকপদু কনা অমত্তবা মনাকোংদা হাপখিদে। অদুনা মশা তাইকেং তাইদুনা নপাজল শোনবনি॥২৩॥

দৃঢ়পূর্বং শ্রুতং মূর্খৈঃ কুপিতং হৃদয়প্রিয়ম্। অনুনেতুং নশক্নোষি তেনাসি হরিণঃ কৃশঃ ॥২৪॥
নূনমাসংজয়িত্বা তাংকৃত্যে কস্মিংশ্চিদীপ্সিতে। কশ্চিদর্থয়তে নিত্যং তেনাসি হরিণঃ কৃশঃ ॥২৫॥
নূনং ত্বাং স্বগুণৈরপূর্বং পূজয়ানং সুহৃদ্ভ্রুবম্। মমার্থ ইতি জানীতে তেনাসি হরিণঃ কৃশঃ ॥২৬॥
অন্তর্গতমভিপ্রায়ং নূনং নেচ্ছসি লজ্জয়া। বিবেক্তুং প্রাপ্তিশৈথিল্যাৎ তেনাসি হরিণঃ কৃশঃ ॥২৭॥
নানাবুদ্ধিরুচো লোকে মনুষ্যান্ নূনমিচ্ছসি। গ্রহীতুং স্বগুণৈঃ সর্বাং স্তেনাসি হরিণঃ কৃশঃ ॥২৮॥
অবিদ্বান্ ভরীরল্পার্থে বিদ্যা বিক্রমদানজম্। যশঃ প্রার্থয়সে নূনং তেনাসি হরিণঃ কৃশঃ ॥২৯॥

চিরাভিলষিতং কিঞ্চিৎ ফলমপ্রাপ্তমেবতে।
কৃত্যমন্যৈরপহৃতং তেনাসি হরিণঃ কৃঃ ॥৩০॥

নহাক্কী রাশক চেৎপা, চাম্নবা মরুপ অমনা করিগুম্বা বিষয় অমদা নত্তোন্দা য়াম্ন শাউখি। নহাক্না মাগী অশাউবদু নেমথকনবা ঙমখিদে। অদুনা নশা তাইকেৎ তাইদুনা নপাজল শোমবনি ॥২৪॥ কনাগুম্বা অমনা নত্তোন্দা মহাক্কী অপাম্বা, মহাক্না তৌহন্নীংবা থবক অমদা পীজিন্নখি। মাদুদা নহাক্না নহাক্কী স্বার্থদা, মশাগী ওইজনবা থবক ওইনা তৌখি। মাদুগী দোষনা নশা তাইকেৎ তাইদুনা নপাজল শোনবনি ॥২৫॥ নিশাচর! মাসমাদি শোয়দনা ওইব তাই মাদুদি, নহাকসে অকবা গুণ পূন্নমক্না তিনবা মীশক অম ওইবনা মী পূন্নমক্না পূজা তৌননীঙাই ওইবা অমদি ওইরগা নহাক্কী মরূপনা অসুম হায়না থনখি মাদুদি, মহাক্কী মপান্না নংনা গুণ পূন্নমক্না তিনবা ওইজবা ঙম্মিবনি। অদুগা নহাকনু অসুম হায়না মরূপদুনা থল্লিগন্না হায়বগী চিন্তা তনা নশা তাইকেৎ তাইবনি নপাজল শোনবনি ॥২৬॥ নশামকনু ঈকায়রবগী কনাগী মফমদা নশাগী মনুংগী আভপ্রায় (নহাক্ন মনুংদা পুরিবা তাব রাখল অমাদ অপাম্বা) অদু কনাগুম্বা অমগী মফমদা ফোঙদোকপা পাম্মদে। মরমদি নহাক্না কংনিংলিবদু সিদ্ধ ওইগদ্রা ওইরোইদ্রা হায়বগী চিন্তা য়াম্ন তৌখি। চিন্তাদুমক্তনা নশা তাইকেৎ তাইদুনা নপাজল শোনবনি ॥২৭॥ সংসারসিদা তোঙান তোঙানবা বুদ্ধিগী, তোঙান তোঙানবা অপাম্বগী মীশক জাৎ জাৎ য়াম্ন লৈ মখোয়দুবু নহাক নথক্তগী নথা পোলহনবা পাম্মখ। অদুমক্তনা নশা তাইকেৎ তাইদুনা নপাজল শোনবনি ॥২৮॥ অদুগা সিমদু ওইব তাই—মাদুদি নশামক বিদ্বান্ ওইজগা বিদ্যাগী পাম্বৈতনা কংগদবা মিংচেৎ অদুবু নহাক্না কংনিংখি। য়াম্ন কিগনবা মীশক মীচম অম ওইরগা, মতাক মগুণ মথৌনা লৈবা মীনা কংগদবা মিংচেৎ অদু নহাক্না কংবা পাম্মখি। নরন্দি মতীকচানা লৈত্রগা দান য়াম্ন তৌবা দানবীর ওইবা মীশক অম ওইনিংখি। মাদুগী চিন্তানা নশা তাইকেৎ তাইদুনা নপাজল শোনবনি ॥২৯॥ নহাক্না মতম কুইমদগী, কংনিংলিবা পোৎশক অদু ফংননবগী থবক য়াম্ন তৌখি। অদুবু, মাদু করিমত ফংব ঙমখিদে। নহাক্না কংনিংলিবদু অতোপ্পা অমনা কেক্ত নমদুনা লৌখি পুখি। মাদুগী দুখতাইতবা অদুমক্তনা নশা তাইকেৎ তাইদুনা নপাজল শোনবনি ॥৩০॥

নূনমাত্মকৃতং দোষমপশ্যন্ কিঞ্চিদাত্মনঃ। অকারণেঽভিশপ্তোঽসি তেনাসি হরিণঃ কৃশঃ ॥৩১॥
সাধূন্ গৃহস্থান্ দৃষ্ট্বা চ তথাসাধূন্ বনে চরান্। মুক্তাংশ্চাবসথে সক্তাংস্তেনাসি হরিণঃ কৃশঃ ॥৩২॥
সুহৃদাং দুঃখমার্তানাং ন প্রমোক্ষ্যসি চার্জিতম্। অলমর্থেগুণৈর্হীনং তেনাসি হরিণঃ কৃশঃ ॥৩৩॥
ধর্ম্যমর্থ্যং চ কাম্যং চ কালে চাভিহিতং বচঃ। নপ্রতীয়ন্তি তে নূনং তেনাসি হরিণঃ কৃশঃ ॥৩৪॥
দত্তানকুশলৈরর্থান্ মনীষী সংজিজীবিষুঃ। প্রাপ্য বর্ত্তয়সে নূনং তেনাসি হরিণঃ কৃশঃ ॥৩৫॥

পাপান্ প্রবর্ধতো দৃষ্ট্বা কল্যাণানাবসীদতঃ।
ধ্রুবং গর্হয়সে নিত্যং তেনাসি হরিণঃ কৃশঃ ॥৩৬॥
পরস্পরবিরুদ্ধানাং প্রিয়ং নূনং চিকীর্ষসি।
সুহৃদামুপরোধেন তেনাসি হরিণঃ কৃশঃ ॥৩৭॥
শ্রোত্রিয়াংশ্চ বিকর্মস্থান্ প্রাজ্ঞাংশ্চাপ্যজিতেন্দ্রিয়ান্।
মন্যেঽনুধ্যায়সি জনাংস্তেনাসি হরিণঃ কৃশঃ ॥৩৮॥

সংসারগী সম্পত্তিবু পামদবা সাধু মহাত্মাশিংবু গৃহস্থাশ্রমদা লৌনিংবনি অদুগা কত্তর্বাশিংবুনা বনবাসী ওইদুনা সন্ন্যাসী বিরক্ত ওইনিংবনি হায়না নংনা খনখি। মদুগী মহৈনা নশা তাইকেৎ তাইদুনা নপাঙল শোনবনি ॥ ঐগী খ্যানদা নসুম হায়নদু কংডি, মাদুদি, নশাদা লৈবা দোষ অদু, কনা অমগী মকমদা উৎনীংদে, অদুগা ঈশাদা দোষসি লৈ হায়বসু খঙদে। মরম ঈরৈ লৈতনা মীনদু নঙোন্দা শাউগদবগী তা হোৎনৈ। অদুমক্তনা নশা তাইকেৎ তাইদুনা নপাঙল শোনবনি ॥৩১ ৩২॥ নহাক্কী চায়বা মরূপ মপাংমা করিগুম্বা লায়না অমনা মশাদা অরাবা চৈনা কংদুনা লৈবদু উরগা নহাক্কা মাগী অরাবদু কোকহনবা ওর্মখিদে; মাদু ওয়বা লম্বুম লৈননবগী কংননবগী উপাংনু লৈখিদে। অদুগী চিন্তানা নশা তাইকেৎ তাইদুনা নপাঙল শোনবনি ॥৩২॥ নংনা ওঅখোক-শক্তোরূকপদু ধর্ম-অর্থ কামগী ৱা ওাক্তনি। অদুবু, নংনা ওাঙলিবশিং অদুদা কনা অমতনা থাজদে। অদুমক্তনা নশা তাইকেৎ তাইদুনা নপাঙল শোনবনি ॥৩৪॥ নশামক জ্ঞানী অমদি ওইরগা, জ্ঞান লৈতবা, অপওশিংনা পীরবা পোচৈ লম্বুম অদুনা নহাক্কী জীবিকা শইখি। অদুনা নশাদু তাইকেৎ তাইদুনা নপাঙল শোনবনি ॥৩৫॥ পাপীশিংনা চাওখৎপদুবু অদুগা ধর্মচেনবশিংনা অরাব কংবদুবু উরগা নহাক্কা নিন্দা তৌখি। অদুনা নশা তাইকেৎ তাইদুনা নপাঙল শোনবনি ॥৩৬॥ অতোপ্পশিংনা খৎন চৈনবা মরূপতুবু উরগা নহাক্কা খামজিন্নগা, মরূপতুগী কননবত্ত নহাক্কা তৌনিংডি। অদুনা নশা তাইকেৎ তাইদুনা নপাঙল শোনবনি ৩৭॥ বেদজ্ঞ ওইবা ব্রাহ্মণশিংনা বেদগী বিরুদ্ধ ওইবা থবক তৌবা উরগা, অদুগা, বিদ্বান্‌শিংনা ইন্দ্রিয় সংযম তৌব ওমদবদু উরগা নহাক্কা য়াম চিন্তা তৌখি। অদুনা নশা তাইকেৎ তাইদুনা নপাঙল শোনবনি ॥৩৮॥

এবং সম্পূজিতং রক্ষো বিপ্রেংতং প্রত্যপূজয়ৎ।
সখায়ম করোচ্চৈনং সংযোজ্যার্থৈমুমোচ হ ॥৩০॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যামনুশাসন পর্বনি দানধর্মপর্বনি হরিণকৃশাখ্যানে চতুর্বিংশত্যাধিকশততমোঽধ্যায়ঃ ॥ X ॥ X ॥

—:(•):—

নিংথৌ ! অশুম্না হায়রুনা ব্রাহ্মণ অদুনা হিংচাবদুবু ঐকায় খুম্না পেলহনখি। মাদুদা হিংচাবদুনা ব্রাহ্মণদুবু তরাম তরাম্না ব্যবহার তৌদুনা মহাক্না মরূপ শাম্নখি। লম্বু ম পীদুনা বিদায় তৌখি।৩১॥

মকম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোক লিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা অনুশাসন পর্বদা দানধর্ম পর্বদা হরিণকৃশকাখ্যানদা চামকুনমরিশুবা অধ্যায় লোইরে॥ X ॥ X ॥

—:(•):—

মণিপুরী মহাভারত

পঞ্চবিংশ ত্যধিক শততমোঽধ্যায়

(শ্রাদ্ধগী বিষয়দা দেবদূতকা পিতৃলোককী পিতরশিংগা, পাপতগী লান্থোক্লবগী মতাংদা মহর্ষি বিদ্যুৎপ্রভগা ইন্দ্রগা, ধর্মা ধর্মগী বিষয়দা ইন্দ্রগা বৃহস্পতিগা অহুগা বৃষোৎসর্গগী মতাংদা দেবতাশিং, ঋষিশিং, পিতরশিং তাওনখিবগী মতাং)

চামকুম্মঙাশুবা অধ্যায়

—:(*):—

যুধিষ্ঠির উবাচ

জন্ম মানুষ্যকংপ্রাপ্য কর্মক্ষেত্রং সুদুর্লভম । শ্রেয়োঽর্থিনা দরিদ্রেণ কিংকর্তব্যং পিতামহ ।১॥

দানানামুত্তমং যচ্চ দেয়ং যচ্চ যথা যথা । মান্যান্ পূজ্যাংশ্চ গাঙ্গেয় রহস্যং বক্তুমর্হসি ॥২॥

বৈশম্পায়ন উবাচ

এবং পৃষ্টো নরেন্দ্রেণ পাণ্ডবেন যশস্বিনা । ধর্মাণাং পরমং গুহ্যং ভীষ্মঃ প্রোবাচ পার্থিবম্ ।৩।

ভীষ্ম উবাচ

শৃণুষ্বাবহিতোরাজন্ ধর্মগুহ্যানি ভারত । যথা হি ভগবান্ ব্যাসঃ পুরাকথিতবান্মযি ॥৪।

যুধিষ্ঠিরনা হংঙি : ঈবুধৌ । তাইবং মীগী মপোক্তা পোক্লবা, তাঙলবা কর্মক্ষেত্র অসিবু ফংজরবা মশাদি লায়রবা তাইবং মীনা মশাগী মঙ্গল ওইবা কর্ম তৌবা পাম্লবদি করি করম্না তৌগদগে ? ॥১॥ গঙ্গানন্দন, ঈবুধৌ । দান পুন্নমক্তগী অথোইবা দানসু ওইবা, অহুম অহুম ওইবা মওংদা অহুম অহুম ওইবা দানসু তৌকম থোকপা, অহুগা য়াম্না মাননীয়, পূজনীয়সু ওইবা (মীনা সন্মান, পূজা তৌননীঙাই ওইবা) হায়রিবসিগী বিষয়দা অথূপ্পা ওওহ্নু অমুক্তা তাকপিয়ু ।২। বৈশম্পায়ননা হায় :— মহারাজ ! জনমেজয় ! মিংচৎ চাউরবা নিংথৌ যুধিষ্ঠিরনা অসুম্না হংলবদা মবুধৌ ভীষ্মনা য়াম্না থুপ্পবা দানগী ওও অহু, অসুম হায়না তাহল্লকই ॥৩। ভীষ্মনা হায় :– নিংথৌ । ভরতবংশগী মুংঙাইনবগী মশক ওইবা । মমাঙৈদা ভগবান্ ব্যাসনা ভীষ্ম ঐঙোন্দা দান ধর্মগী কৃপ্পবা ওও, খর ঐঙোন্দা তাকপিখি । মাহু হায়রগে, মুম্না পুক্নীং চঙনা তাও ॥৪॥

দেবগুহ্যমিদং রাজন্ যমেনাক্লিষ্টকর্মনা। নিয়মস্থেনযুক্তেন তপসো মহতঃ ফলম্ ।৫॥
যেন চ প্রয়তে দেবঃ প্রীয়ন্তে পিতরস্তথা। ঋষয়ঃ প্রমথাঃ শ্রীশ্চ চিত্রগুপ্তো দিশাংগজাঃ ॥৬॥
ঋষিধর্মঃ স্মৃতো যত্র সরহস্যো মহাফলঃ। মহাদান ফলং চৈব সর্বযজ্ঞ ফলং তথা ।৭॥
যশ্চৈতদেবং জানীয়াজ্জ্ঞাত্বা বাকুরুতেঽনঘ। সদোষো যঃ দোষবাংশ্চেহ তৈর্গুণৈঃ সহ যুজ্যতে ॥৮॥
দশসূনাসমং চক্রং দশচক্রসমোধ্বজঃ। দশধ্বজসমা বেশ্যা দশবেশ্যাসমো নৃপঃ ॥৯॥
অর্ধে নৈতানি সর্বানি নৃপতিঃ কথ্যতেঽধিকঃ। ত্রিবর্গসহিতং শাস্ত্রং পবিত্রং পুণ্যলক্ষণম্ ॥১০॥
ধর্মব্যাকরণং পূণ্যং রহস্যশ্রবণঃ মহৎ। শ্রোতব্যং ধর্মসংযুক্তং বিহিতংত্রিদশৈঃ স্বয়ম্ ॥১১॥
পিতৃণাং যত্রগুহ্যানি প্রোচ্যন্তে শ্রাদ্ধকর্মণি। দেবতানাং চ সর্বেষাং রহস্যং কথ্যতেঽখিলম্ ॥১২॥
ঋষিধর্মঃ স্মৃতো যত্র সরহস্যো মহৎফলঃ। মহাযজ্ঞ ফলং চৈব সর্বদান ফলং তথা ॥১৩॥

নিংথৌ ! ঈরায় লায়না অরুবা থবকপু পাওথোকপা গুম্বা ধর্মরাজ যমরাজনা, য়ায়া ব্রতনিয়ম কায়দনা, যোগসাধন তৌহুনা, তৌখিবা তপস্যাগী মহে ওইনা কংখিবা অথুপ্পা, লাইশিংগী মকমদসু অথুপ্পা ওইবা তব অসি কংখি ।৫। অতুম ওইবা দানধর্ম অহুনা দেবতাশিং, পিতৃলোকতা লৈবশিং ঋষিশিং, প্রমথশিং, লক্ষ্মী, চিত্রগুপ্ত অহুপা, মায়পৈ ভাকপা শামুশিংনা, পেন্নবা ওইবা ।৬। অহুপা মাহুদা, খ্বাইদগী চাউবা মহৈ পীনহৈবা, ঋষিশিংগী ধর্ম পুন্নমক্তসু মাহুদা মসুং চনশ্রবা অহুগা মাহুদা চাউর চাউরবা অনুষ্ঠান কয়া কয়াগী যজ্ঞ কয়া কয়াগী মহৈনসু তিনশ্রবা দানহুগী মরমদনি হায়গদৌরিবসি ।৭। পাপকী শরুক য়াওরবা নিংথৌ ! অহুগুম্বা ধর্মগী তত্ত্ববু খঙলগা আচরণ তৌরিবা মহাক অহু, মহাপাপীমক ওইরবসু দোষ পুন্নমক্তগী শাস্তোক্তনা, অফবা গুণ পুন্নমক্তা তিনবা হায়বহু ওই ।৮। মীহাৎপনা মথৌ ওইবা (ঘাতক) তয়াগা তেলী (থাউ গুম্বা থাউ য়োনবা) অমতবা চপ মায়ৈ। অহুগুম্বা থাউ গুম্বা তয়াগা যু থকপা অমতগা চপ মায়ৈ। অহুগুম্বা সুরাপায়ী (যু থকপা) তয়াগা বেশ্যা অমগা চপ মায়ৈ। অহুগুম্বী বেশ্যা তয়াগা নিংথৌ অমতগা চপ মায়ৈ ।৯। অহুমা, হৌজিক হায়খ্রিবা দোষ লৈবশিং অসিদগী খ্বাইদগী দোষ লৈবদি নিংথৌনি। অহুনা হায়রিবা দোষশিং অসিবা পুন্নগা, নিংথৌ অমগী দোষকী তংখায় অম কাওবা কংদে। হায়বদি নিংথৌদা লৈবা দোষশিংগী তংখায় অমদগী কাওবা হুম্ভ্রবনি। অহুনা, নিংথৌদা দান তৌবা সুকয়া য়াদে। ধর্ম অর্থ কামগী তত্ত্ববু তাক্লিবা শাস্ত্র অহুতনা পবিত্র ওইবা পুণ্য চেনবা কর্মগী তত্ত্ব তাকগুম্বা ওই ॥১০॥ শাস্ত্র অহুগী মসুংদা ধর্মগী তত্ত্ব অমদি ধর্মগী রহস্য (অথুপ্পা) গী ব্যাখ্যা য়াওরি। থো"দোক্লা কৃপ্পবা থুম্নবা তত্ত্ববু তাহনবা তাকপিবা বিষয়শিং অহু, দেবতাশিংনা হায়খিবা, শেমখিবমক্তনি। বিষয়শিংহু মুমা তাকম থোকই ॥১১॥ মাহুদা পিতৃলোকী বিষয়দা কৃপ্প থুম্নবা বা য়ায় য়াওরি। মাহুদা দেবতাশিংগী রহস্যসু মপুং কানা তাক্লি। রহস্যনা থম্নবা, চাউরবা মহৈ পীনবা, ঋষিশিংগী যজ্ঞশিং অহুগা দানগী মহৈবু চঙথোয় তাকই ।১২-১৩।

যে পঠন্তি সদা মর্ত্ত্যা যেষাং চৈবোপতিষ্ঠতি। শ্রুত্বা চ ফলমাপ্নোতি স্বয়ংনারায়ণঃ প্রভুঃ ॥১৪॥
গবাংফলং তীর্থফলং যজ্ঞানাং চৈব যৎফলম্। এতৎফলমবাপ্নোতি যো নরোঽতিথি পূজকঃ ॥১৫॥
শ্রোতারঃ শ্রদ্দধানাশ্চ যেষাং শুদ্ধং চ মানসম্। তেষাং ব্যক্তংজিতা লোকাঃ শ্রদ্দধানে সাধুনা ॥১৬॥
মুচ্যতে কিল্বিষাচ্চৈব ন স পাপেন লিপ্যতে। ধর্মং চ লভতে নিত্যং প্রেত্য লোকগতো নর ॥১৭॥

কস্যচিৎ ত্বথ কালেস্তু দেবদূতো যদৃচ্ছয়া।
স্থিতোহ্যন্তর্হিতো ভূত্বা প্র্যভাবত বাসবম্ ॥১৮॥
যৌ তৌ কামগুণো পেতাবশ্বিনৌ ভিষজাংবরৌ।
আজ্ঞয়াহং তয়োঃ প্রাপ্তঃ সনরান্ পিতৃদৈবতান্ ॥১৯॥
কস্মাদ্ধি মৈথুনংশ্রাদ্ধে দাতুর্ভোক্তুশ্চ বর্জিতম্।
কিমর্থং চ ত্রয়ঃ পিণ্ডাঃ প্রবিভক্তাঃ পৃথক্ পৃথক্ ॥২০॥
প্রথমঃ কস্য দাতব্যো মধ্যমঃ ক্ব চ গচ্ছতি।
উত্তরশ্চ স্মৃতঃ কস্য এতদিচ্ছামি বেদিতুম্ ॥২১॥

অদুগুম্না ধর্ম শাস্ত্রবু, তজনা পারিবা নৈনরিবা, অদুগা হায়রিব তত্ত্শিং অদুবু থম্মোয়না কাজিন্দুবা থম্নিবা অদুগা মীতোন্দা ব্যাখ্যা তৌদুনা তাহল্লিবা মী মহাক অদুদি সাক্ষাৎ ভগবান্ শ্রীনারায়ণ-মকো স্বরূপনি ॥১৪॥ অতিথিবু তরাম তরাম ওকুবা সেবা পূজা তৌবা মী মহাক অদুদি গোদান তীর্থস্নান, যজ্ঞপূম্নমক অনুষ্ঠান তৌবগী ফল ফংই ॥ ১৫॥ ভক্তি শ্রদ্ধাগা লোয়ননা ধর্ম শাস্ত্রবু তারগা থম্মোয়গী অমরুপ পুম্বা শেংদোকপ্রবা মী মহাক অদুদি পুণ্যলোকতা কাদুম ময়োম্ব ॥ ১৬॥ থম্মোয় শেংনা শ্রদ্ধাগা লোয়ননা শাস্ত্রগী ৱাবু তারবদি মমাঙৈদা তৌখিবা পাপ পুম্নমক কোকই। মতুংদা অমুক পাপকর্ম তৌদবগী মঙাল (জ্ঞান) অদু মশাদা কাওরকই। ভুমিৎ চুম্না ধর্মগী মৰুম ওইবা থবকত তৌরিবা মহাক অদু, থাইদগী অথোইবা পুণ্য লোকপু ফংই ॥১৭॥ মমাঙৈগী কুইরবা মতম অমগী ৱাহি। দেবদূত অমনা কদোমদনিনো থঙহৌদনা লাক্কুনা নোংমদোন্দা লেপ্পুনা ইন্দ্রদা অঙুম্বা হায়রাখ ॥ ১৮॥ নীংথিজরবা গুণ রূপ খিবিরা তিন্নবা দেবলোকী অথোইবা বৈদ্য ওইরবা অশ্বিনীকুমার অনীগী ৱাথং মতুংইন্না ঐ দেবতাশিং, পিতৃলোকশিং অমদি মর্ত্ত্যলোকবাসীশিংগী নাকসিদা লাকচরিখনি ॥১৯॥ ঐগী পুৱীংদা অসিগুম হংনিংবা থঙনীংবা পোকই। মাদুদি শ্রাদ্ধগী কর্ম কর্ত্তা অদুগা শ্রাদ্ধগী অন্নবু ভোজন তৌগদৌরিবা ব্রাহ্মণ অনী অসি নুপী নহাগা শয়-থোংনবা ৱাদে হায়রিবসিগী ভাব, অমদি অথুম্বা ৱাসি করিনো ? অদুগা শ্রাদ্ধ কর্মদা তোঙাল-তোঙানা পিণ্ডদান অহুম থোক্না পীরিবসিনা করিগীনো ? ২০॥ অহানবা পিণ্ডদুবুনা কনম হায়রনা পীগদগে ? অনীশুবা পিণ্ডদু কনানা ফংই ? অহুমশুবা পিণ্ডদুনা কনাগী অধিকারদা লৈ ? কনানা ফংগদৌরিবনো ? পুম্নমক অসি মচা খায়না থঙজনীঙই ॥২১॥

শ্রদ্দধারেন দুত্তেন ভাবিতং ধর্মসংহিতম্। পূর্বস্থাস্ত্রিদশাঃ সর্বে পিতরঃ পূজ্যখেচরম ॥২২॥

পিতর উবাচ

স্বাগতং তেঽস্তু ভদ্রংতে শ্রুয়তাং খেচরোত্তম। গূঢ়ার্থঃ পরমঃ প্রশ্নো ভবতা সমুদীরিতঃ ॥২৩॥
শ্রাদ্ধং দত্বা চ ভুক্ত্বা চ পুরুষোয়ঃ স্ত্রিয়ংব্রজেৎ। পিতরস্তস্য তং মাসং তাস্মিনরেতসি শেরতে ॥২৪॥
প্রবিভাগং তু পিণ্ডানাং প্রবক্ষ্যাম্যনুপূর্বশঃ। পিণ্ডো হ্যধস্তাৎ গচ্ছংস্তু অপ আবিশ্য ভাবয়েৎ ॥২৫॥
পিণ্ডংতু মধ্যমং তত্র পত্নী ত্বেকা সমশ্নুতে। পিণ্ডস্তৃতীয়ো যস্তেষাংতংদদ্যাজ্জাতবেদসি ॥২৬॥
এষ শ্রাদ্ধ বিধিঃ প্রোক্তো যথা ধর্মো নলুপ্যতে। পিতরস্তস্য তুষ্যান্তি প্রহৃষ্টমনসঃ সদা ॥২৭॥
প্রজা বিবর্ধতে চাস্য অক্ষয়ং চোপতিষ্ঠতি।

দেবদূত উবাচ

আনুপূর্বোণ পিণ্ডানাং প্রবিভাগঃ পৃথক্ পৃথক্ ॥২৮॥

শ্রদ্ধাগা লোয়ননা পাম্ন খঙনৌংনা হংলকপা, ধর্মগা মরম ম্নাসি তাবদা পূর্বদিশাদা (নোংপোক নোংমদোম্নক্তা) লৈবা দেবতা পিতৃলোকী পিতরশিংনা আকাশচারী দেবদূত অমুবু হয় হন্না থাগত্তনা অমুম্না হায়রকই ॥২২॥ আকাশচারী (আকাশদা লৈবা) শিংগী মনুংদা অথোইবা দেবদূত। মহাকপু ঐখোয়না স্বাগত তৌরি। নঙাক মঙ্গল ওইনা হাইকনা লৈবগী মতীক চায়বা অমা ওইরে, মহাক্না হায় কায়বা ৱাকম অম ঐখোয়দা হংলে। মাহু হাংগে তাও ॥২৩॥ শ্রাদ্ধ কর্মগী মুমিত্তা অন্নদান তৌরিবা কর্মধারী, অমুগ দান লৌগ্নিবা অন্নভোজন তৌবিবমুনা স্ত্রীসঙ্গ তৌরবদি, স্ত্রীগী পুরুষদা চঙশিবা বীর্য্যমুগী মনুংদা শ্রাদ্ধকর্মধারীমুগী পিতৃলোক (মপা মপু) অমু থা অমা চুপ্পা হীপুনা লৈ ॥২৪॥ হৌজিক অমুক পিণ্ড অহুম তোঙান তোঙান্না থাবগী হাহু হায়গে, তাও। শ্রাদ্ধদা পিণ্ড অহুম পীবগী শাস্ত্রনা বিধান তৌরি। অহানবা পিণ্ডনা ঈশিংদা থাদনবনি। মাহু ঈশিংদা থাগদবনি অনীশুবা (অহুম থারিবমু ময়ায়) অমু শ্রাদ্ধ কর্ম কর্তামুগী লোয়নবীমুনা চাননবগীদমক্তনি, চাগদবনি। অমুগা অহুমশুবা পিণ্ড অমুনা মৈদা থাদনবনি, থাদগদবনি ॥২৫-২৬॥ শ্রাদ্ধগী তত্ত্ব বিধি অসি হায়রবনি। হায়রিবসিগী মতুংইন্না থবক তৌরবদি ধর্মবু শোঁগৎপা ধর্মবু মাঙহন্দবা হায়বমু ওই। পিতৃলোককীদমক্তা তৌবা শ্রাদ্ধ কর্ম (ভক্তি শ্রদ্ধাগা লোয়ননা তৌব থবক) অমুদা কর্মকর্তামুগী পিতৃবর্গ অমু ওমোক্না পেল্লি। অমুগুম্না মী মহাক অমুগী সন্তাতি অমু চাওখৎপগী মথক্তা চাওখৎপা, মরী ভতনা লৈবা হায়বমু ওই ॥২৭॥ দেবদূতনা হায় :- পিতৃলোকতা লৈবিরিবা পুন্নমক! পিণ্ডদান তৌবগী তোঙান তোঙান্না অহুম থোক্না থাবগী মরম অমু তাকপিরে। লোক অহুমমক্তা দান তৌবগী, শাস্ত্রগী বিধি অমুম্ন হায়বিরে ॥২৮॥

পিতৃণাং ত্রিষু সর্বেষাং নিরুক্তং কথিতং ত্বয়া। একঃ সমুদ্ধৃতঃ পিণ্ডোহ্যধস্তাৎ কস্য গচ্ছতি ॥২৯॥
কংবা প্রীণয়তে দেবং কথং তারয়তে পিতৃন্। মধ্যমং তু তদা পত্নী ভুংক্তেঽনুজ্ঞাতমেবহি ॥৩০॥
কিমর্থং পিতরস্তস্য কব্যমেব চ ভুঞ্জতে। অত্র যস্ত্বন্তিমঃ পিণ্ডো গচ্ছতে জাতবেদসম্ ॥৩১॥
ভবতে কা গতিস্তস্য কংবা সমনুগচ্ছতি। এতদিচ্ছাম্যহং শ্রোতুং পিণ্ডেষু ত্রিষু যাগতিঃ ॥৩২॥
ফলং বৃত্তিং চ যশ্চৈনং প্রতিপদ্যতে।

পিতর উচুঃ

সুমহানেষ প্রশ্নো বৈ যস্ত্বয়া সমুদীরিতঃ ॥৩৩॥

রহস্যমদ্ভুতং চাপি পৃষ্টাঃস্মগগনেচর। এতদেব প্রশংসন্তি দেবাশ্চ মুনয়স্তথা ॥৩৪॥
তেহপ্যেবং নাভিজানন্তি পিতৃকার্যবিনিশ্চয়ম। বর্জয়িত্বা মহাত্মানং চিরঞ্জীবিনমুত্তমম ॥৩৫॥
পিতৃভক্তস্তু যো বিপ্রো বরলব্ধো মহাযশাঃ। ত্রয়াণামপি পিণ্ডানা শ্রুত্বা ভগবতো গতিম ॥৩৬॥
দেবদূতেন যঃ পৃষ্টঃ শ্রাদ্ধস্য বিধিনিশ্চয়ঃ গতিং ত্রয়াণাং পিণ্ডানাং শৃণুষ্বাবহিতোমম ॥৩৭॥

অহুদা অমুক ঐনা হৌজনীংবদি ঈশিংদা থাদত্রিবা পিণ্ড কনাবা ফংবগে চাবগে হায়রবা অহুনি। করম্বা দেবতাবু তর্পণ তৌত্রিবনো পেপহল্লিবনো? ।২৯॥ অহুগা, মাহুনা ঈপা ঈপুনা করম হায়রনা লালগদৌরিবনো? গুরুজনগী য়াথংগী মতুং ইন্না ময়াম থংবা পিণ্ড পত্নী (লোয়নবী মুপী) না চারবদা পিতৃলোকনা মাহুবু করম্বা অমুক তোগ তৌগদৌরিবনো? ॥৩০॥ অহুগুম্বা অহুমগুবা পিণ্ডহুবুনা মৈদা কংলি (থাদৈ) হায়বসিনা করিগীনো? অহুগুম্বা আকোনবা পিণ্ডহুগী গতিনা করিনো? মাহুবুনা করম্বা দেবতানা কংখি? ॥৩১॥ হায়রিবা পুম্বসি ঐ খজনীঙিঙ। পিণ্ড অহুমহুনা তোঙাল তোঙাল কংখিবা গতি, মাহুগী ফল (মহৈ) বৃত্তি, মার্গ, অহুগা মখোয়সিবু তোঙাল তোঙাল কংখিবা দেবতা-শিংহুগী বিষয়দা চিংনরিবসি কোকহনবিয় ॥৩২॥ অসি পুম্মক অসি অমত রাক্তনা তাজনীঙিঙ। পিণ্ড অহু না কংত্রিবা তোঙাল তোঙানবা গতি, মহৈ, বৃত্তি (লৈত্রিবা মওং), চংথিবা লম্বী, করম করম্বা দেবতানা করম কাম্বা পিণ্ডবু কংখিবা অসি পুম্মকসি লোইনা হায়বিয় ॥৩৩॥ পিতৃলোকতা লৈবশিংনা হায়ঃ (আকাশদা কোয়চং চত্তুনা লৈবা) দেবদূত। মহাক্না ঐখোয়দা হংলিবা ৱাকমসে য়াম থুপ্পবা ওাক্তনি। দেবতাশিং মুনিশিংমকসু পিতৃকর্মসিবু থাগৎনরিবনি ॥৩৩-৩৪॥ মাসিগী মমুংগী ওত্তুসে দেবতাশিংমকসু মুম্না খঙদে। পিতৃলোককী ভক্ত ওইবা, মিচং চাউরবা, ব্রাহ্মণশিংগী বর কংলবা, মতম কুইনা পুনশিন্নবা মহর্ষি মার্কণ্ডেয় নত্তনা অতৈ কনা অনতনা রহস্য (অথুপ্পা) অসিবু খঙদে ॥৩৫॥ দেবদূতকী মফমদা তাইল্লিবা মখোয়সু ভগবান্ শ্রীবিষ্ণুগী মফমদগী পিণ্ড অহুমগী গতি অসি তাহুনা শ্রাদ্ধগী রহস্য অসি খঙথিবনি। মখোয়না অমুক হায়খি দেবদূত! নহাক্না শ্রাদ্ধগী রহস্য হংবদো, ঐখোয়না হায়রিবশিনি। পিণ্ড অহুমগী তোঙাল তোঙানবা গতিদো, হায়গে মুম্না তাও ॥৩৬-৩৭॥

অপো গচ্ছতি যো হ্যত্র শশিনং হ্যেষ প্রীণয়েৎ। শশী প্রীণয়তে দেবান্ পিতৃংশ্চৈ মহামতে ॥৩৮॥
ভুঙ্‌ক্তে তু পঃ যং চৈবামনুজ্ঞাতাতু মধ্যমম। পুত্রকামায় পুত্রংতু প্রযচ্ছন্তি পিতামহাঃ ॥৩৯॥
হব্যবাহে তু যঃ পিণ্ডো দীয়তে তন্নিবোধমে। পিতরস্তস্যত্ৰপ্যন্তি প্রীতা কামান্ দিশন্তি চ ॥৪০॥
এতত্তে কথিতং সর্বং ত্রিষু যাগতিঃ। ঋত্বিগ্যো যজমানস্য পিতৃত্বমনুগচ্ছতি ॥৪১॥
তস্মিন্নহনি মন্যন্তে পরিকার্য্যংহি মৈথুনম্। শুচিনা তু সদা শ্রাদ্ধংভোক্তব্যং খেচরোত্তম ॥৪২॥
যে ময়া কথিতা দোষাস্তেতথাস্যুর্ন চান্যথা। তস্মাৎ স্নাতঃ শুচিঃ ক্ষান্তঃ শ্রাদ্ধং ভুঞ্জীত বৈদ্বিজঃ। ৪৩॥

প্রজা বিবর্দ্ধতে চাস্যযশ্চৈবং সম্প্রযচ্ছতি।
ততো বিদ্যুৎপ্রভো নাম ঋষিরাহ মহাতপাঃ। ৪৪॥
আদিত্যতেজসা তস্য তুল্যং রূপং প্রকাশতো।
স চ ধর্মরহস্যানি শ্রুত্বা শক্রমথাব্রবীৎ ॥৪৫॥

বুদ্ধি চাউনবা দেবদূত! ঈশিংনা থাদত্রিবা পিণ্ড অসু চন্দ্রলোককী অধিষ্ঠাত্রী দেবতা চন্দ্রমানা কংহুনা পেল্লি অহুগা চন্দ্রমানসু অমুক মশামক্কা দেবতাশিং পিতর (পিতৃলোকক্ত লৈবশিং) বু পেনহল্লি ॥৩৮॥ কুলপুরোহিত গুরুজনশিংগী মথং মতুংইগ্না শ্রাদ্ধ কর্ত্তাতুগী পত্নীনা (মুপী লোয়নবী) মরায় থংবা (অনীশুবা) পিণ্ডতু চগ্‌ মাতুদা প্রজাপতিনা মচা পাম্না শ্রাদ্ধ কর্ত্তাতুনা মচা পী। ৩৯॥ অগ্নি (মৈ) দা থদথিবা পিণ্ডতুনা পিতৃলোককী মপা মপু পুন্নমক্তা পেন্দুনা শ্রাদ্ধ কর্ত্তাতুগী নীংব পুম্বা থুংহল্লি ৪০। নঙোন্দা হৌরম রারম পুন্নমকসি লোইনা চা বা। পিণ্ড অতুম পীবিবা অতুগা অতুম অতুনা তোঙাল তোঙান্না কাংথিনদোবিবা গতিশিং অতুগী মরমদসু লোইনা হায়রবনি। শ্রাদ্ধকর্মদা ভোজনগীদমক্তা নিমন্ত্রণ কংলবা ব্রাহ্মণ অতু মুমিতুগী পিতৃভাবতা লৈরবনি। অতুনা মহাক (ব্রাহ্মণ অতু) নোংমতুঙ্গ মাগী মুপীক্কাগা শমন্না খোংনবা য়াদে। নোংমদোস্নক্ত লৈবশিংদা মনুদা অথোইবা। দেবদূত! স্নানধ্যাননচিংবা তৌরবা হায়রিব নিয়মশিংসি ঙাক্লিবা ব্রাহ্মণ অতুবুতা শ্রাদ্ধদা পীজগদবনি। ব্রাহ্মণ অতুসু নিংম পুন্নমকসি ঙাক্লগা মীগী শ্রাদ্ধদা ভোজন তৌরুগদবনি ।৪১-৪২ নত্রবদি মহাক ঐনা হৌজিক হায়থ্রিবা দোষ পাপশিংতু পুগনি। হায়রিবসিদা করিমত ওম্বেক ওনশিন তৌবা য়াত্রবনি। শোয়দনা থোক্লগদব ঙাক্তনি। মরম অতুনা মাসি খঙবা ব্রাহ্মণনা শান্ন শেংনা, ঋশাদা করিগুম্বা দোষ অমত য়াওহন্দনা মীগী শ্রাদ্ধ কর্মদা য়াওরুগদবনি. চারু থক্ল্লগদবনি ॥৪৩॥ অসিগুম্বা দোষশিং অসি ঈয়াও য়াওত্রবা শ্রাদ্ধকর্ম তৌরিবা মহাক অতুগী মচা মশূ সন্ততি পুম্বা মথং মথং চাওখৎপা অমদি বংশবৃদ্ধি ওই। অসুম হায়না পিতৃলোক (পিতরশিং) না হায়রিবসিগী মতুংদা বিদ্যুৎপ্রভ কৌবা মহাতপস্বী ওইরবা মহর্ষি অমনা প্রশ্ন (য়াহং) অমা তৌবকই ॥৪৪॥ হায়রিবা মহর্ষি অসি নুমিৎকী মতৌগুম্বা মশেক মঙান্না পুন্নং লংভি। মহাক্না ধর্মগী অথুপ্পা রা পুন্নমক তারবা তুংদা ইন্দ্রদা অহুম্না ।৪৫॥

তির্য্যগ্‌যোনিগতান্ সত্ত্বান্‌মর্ত্ত্যা হিংসন্তি মোহিতঃ।
কীটান্ পিপীলিকান্ সর্পান্ মেষান্ সমৃগপক্ষিণঃ ॥৪৬॥
কিল্বিষং সুবহু প্রাপ্তাঃ কিংস্বিদেষাং প্রতিক্রিয়া।
ততো দেবগনাঃ সর্বে ঋষয়শ্চতপোধনাঃ ॥৪৭॥
পিতরশ্চ মহাভাগাঃ পূজয়ন্তি স্ম তং মুনিম্।

শক্র উবাচ

কুরুক্ষেত্রং গয়াং গঙ্গাং প্রভাসং পুষ্করাণি চ ॥৪৮॥
এতানি মনসা ধ্যাত্বা অবগাহেৎ ততো জলম্।
তথা মুচ্যতি পাপেন রাহুণা চন্দ্রমা যথা ॥৪৯॥

ত্র্যহং স্নাতঃ স ভবতি নিরাহারশ্চ বর্ত্ততে। স্পৃশতে যো গবাং পৃষ্ঠং বালধিং চনময্যতি ॥৫০
ততোবিদ্যুৎপ্রভোবাক্যমভ্যভাষত বাসবম্। অয়ং সুক্ষ্মতরো ধর্ম্মস্তং নিবোধ শতক্রতো ॥৫১॥
ঘৃষ্টো বটকষায়েণ অনুলিপ্তঃ প্রিয়ঙ্গুণা। ক্ষীরেণ ষষ্টিকান্ ভুক্ত্বা সর্বপাপৈঃ প্রমুচ্যতে ॥৫২॥
শ্রূয়তাং চাপরং গুহ্যং বৃহস্পতিবিচিন্তিতম্। শ্রুতং মেভাষমাণস্য স্থানেরহস্যতেঃ ॥৫৩॥

দেবরাজ! তাইবং মীনা শুক্লাংখিবদগী মায়া কল্পরণা মপোক্তা পোক্লবা শজী শা উচেক হামেং রাউ অসিনচিংববু অহুগা তুমীৎ তীল কাও শিল হংভোইনচিংবগী হিংসা তৌহুনা পাপ ময়াম তানশিন পৈশিন্নি। পাপ ময়াম অসিদগী নাম্বোক্লনবা করি উপায় লৈ? ॥৪৬॥ ইন্দ্রনা হায়:—মুনি! মাসিদা পাপকর্ম তৌখ্রিবা মী অহুনা তৌগদবা হায়রবু কুরুক্ষেত্র, গয়া, গঙ্গা, পুষ্কর, প্রভাসনচিংবা শেংলবা তীর্থশিং অসিবু পুক্নীংদা চেৎনা কোন্দুনা, নীংশিংহুনা, স্নান তৌবা অসিনি। অসুম্না তৌরবদি, রাহুনা থাবু উবদগী থাদোকপা অহুগুম্না পাপশিংহুদগী নাম্বোকপা ফংভি। ৪৭-৪৯॥ চখোরকপা মতমদা শম্বীগী মনংগন্দা নাম্বা খোকপা অহুগা মমৈবু কোক্ত কন্নুনা খুরুম্বা অসুম্না তৌরবদি মী মহাক অহু, হায়রিবা তীর্থ পুম্নমকসিদা হুন্নি চুপ্পা উপবাস তৌহুনা স্নান তৌরবগা চপ মান্নৈ। ৫০॥ অহুগী তুংদা বিদ্যুৎপ্রভনা ইন্দ্রদা হায়রকই—শতক্রতু! কুম্নবা ধর্মগী তত্ত্বদো ঐ হায়গে। পুক্নীং চংনা তাও ॥৫১॥ খোংবাং বটকী জটা (মরাগুম মরী মরী চোম্বরকপা) অহুদা নশাগী হকচাংবু ওকদবনি। হংগাম মরু অশেংবগী মহী (থাউ) অহু নশাদা তৈগদবনি তকদবনি। অফুৎপা চেঙ (উশনা) নল্লবা অশেংবা চেঙনা, ঈশিং য়াম্নবা শঙ্গোমনা ছৌবা ক্ষীরবু সেবন তৌগদবনি। অহুম তৌরবদি পুক্নীংনা হকচাংনা তৌবা পাপপুম্নমগী কোকই। ৫২॥ ঋষিশিংনা মুম্না খল্লবা অথুম্না য়াকম অমগা লৈরি, মাহু তাও। মাসি ঐনা ভগবান্ শঙ্কর (মহাদেব) গী নাক ভাষণ তৌবা বৃহস্পতিগী মটান্দগী তাখিবনি। ইন্দ্র! শচীপতি! পুক্নীং চঙনা তাও ॥৫৩॥

রুদ্রেণ সহদেবেশ তন্নিবোধ শচীপতে। পর্বতারোহণং কৃত্বা একপাদো বিভাবসুম্ ॥ ৫৪।
নিরীক্ষেত নিরাহারো ঊর্ধ্ববাহুঃ কৃতাঞ্জলিঃ। তপসা মহতাযুক্ত উপবাসফলং লভেৎ ॥৫৫।
রশ্মিভিস্তাপিনোঽর্কস্য সর্বপাপমপোহতি। গ্রীষ্মকালেঽথবা শীতে এবং পাপমপোহতি ॥৫৬।
ততঃ পাপাৎপ্রমুক্তস্য দ্যুতির্ভবতি শাশ্বতী। তেজসা সূর্য্যবৎ দীপ্তো ভ্রাজতে সোমবৎপুনঃ ॥৫৭॥
মধ্যে ত্রিদশবর্গস্য দেবরাজঃ শতক্রতুঃ। উবাচ মধুরং বাক্যং বৃহস্পতিমনুত্তমম ॥৫৮॥
ধর্মগুহ্যংতু ভগবন্ মানুষ্যাণাং সুখাবহম্। সরহস্যাশ্চ যেদোষাস্তান্ যথাবদ্বদীরয় ॥৫৯॥

বৃহস্পতিরুবাচ

প্রতিমেহন্তি যে সূর্য্যমনিলং দ্বিষতে চযে। হব্যবাহে প্রদীপ্তে চ সমিধং যো ন জুহ্বতি ॥৬০।
বালবৎসাং চ যে ধেনুং দুহন্তি ক্ষীরকারণাৎ। তেষাং দোষান্ প্রবক্ষ্যামি তান্নিবোধ শচীপতে ॥৬১।
ভানুমাননিলশ্চৈ হব্যবাহশ্চ বাসব। লোকানাং মাতরশ্চৈব গাবঃ সৃষ্টাস্বয়ম্ভুবা ॥৬২॥

লোকাংস্তারয়িতুংশক্তা মর্ত্যেষ্বেতেষু দেবতাঃ।
সর্বে ভবন্তঃ শৃন্বন্তু একৈকং ধর্মনিশ্চয়ম্ ॥৬৩॥

চীওথক্তা কাথৎলপা খোঙ নামতদা লেপ্লুনা খুৎ অনী থাংগত্তুনা লোয়হনা মৈরমলোমদা অগ্নি দেবদা ওনখত্তুনা য়েংলবদি কল্লবা তপস্যা তৌহনা উপবাস তৌবগী মহৈ ফংঙ ॥৫৪-৫৫॥ কালেম্বাগী নত্রগা নিংথমথাগী কুমিংকী মডান (অংশ) না স্নান (সূর্য্যস্নান) তৌরবদি পুম্নীং হকচাংবা তৌবা পাপ পুম্বা কোকই। অসুম্না তৌবনস্তু তাইবং মীনা পাপ পুম্বা কোকহনবা য়াই। অসুম্না পাপ কোকহল্লবা মীনা লেওত্রবা মশেক মডানবু ফংঙি। মশা অহু, কুমিংকী তেজগুম পুংলং লংহনবা অহুগ চন্দ্রমা (থা) গী মডালগুম থোংনা নৌনা ফজহনবা য়াই। ৫৬-৫৭॥ অসিগী তুংদা দেবরাজ শতক্রতু (ইন্দ্র) না দেবমণ্ডলীগী মনুংদা ভাম্বোইহনা লৈরিবা বৃহস্পতিগী মকমদা অথুম্বা, অতপ্পা, নীংথিবা ৱাহৈনা অসুম্না হংঙি ॥৫৮॥ তাইবং মীদা নুংঙাইবা পীরিবা লমচৎ অমদি ধর্মগী মনুংদা লৈরিবা অথুপ্পা ৱা (মঙল) অমদি অকুপ্পা দোষ অসি করিনো? মাহু অমুক্তা তাকপিয় ॥৫৯। বৃহস্পতিনা হায়ঃ শচীপতি! ইন্দ্র! সূর্য্যদেব (কুমিৎ) রোমদা মায় ওনশিন্দুনা মখাম্বোকপা (ঈশিং চৎপা) হায়বসি বায়ুদেবগী মকমদা উৎশিত্তবা, য়েক্লবা হৌবান। হায়বদি বায়ুদেবদা মপাম্বোকশিনবগুম্বনি। চাকথৎলকপা মৈদা কংলবা শীংনা আহুতি তৌদবা, শক্নোম পাম্বদগী মচা য়ায় পীক্লিবী শম্বীবু শক্লোমগুম্বা, অসিগুম্ব থবকশিং অসিগী দোষশিং অসি, এ মথং মথং হায়গে। পুম্নীং চঙনা তাও ॥৬০-৬১॥ শচীপতি! ইন্দ্র! তাও, ব্রহ্মা মশামক্লা শেম্বসি সূর্য্য, বায়ু, অগ্নি অহুগা লোকমাতা শম্বী অসিনি ॥৬২॥ হায়রিবশিং অসিদা জগৎপুম্ববু উদ্ধার তৌবগী শক্তি লৈ। ময়াম পুম্নমক চঙনা তাবিয়ু। এ, অমমমত ওইনা হায়রকে ॥৬৩॥

বর্ষাণি ষডশীতিং তু দুর্বৃত্তাঃ কুলপাংসনাঃ। স্ত্রিয়ঃ সর্বাশ্চ দুর্বৃত্তাঃ প্রতিমেহন্তি যাস্তবিম্ ॥৬৪॥
অবিলম্বেণিঃ শক্র গর্ভস্থাচ্যবতে প্রজাঃ। হব্যবাহস্যদীপ্তস্য সন্নিধং যেন কুর্বতি ॥৬৫॥
অগ্নিকার্য্যেষু বৈ তেষাং হব্যং নাশ্নাতি পাবকঃ। ক্ষীরং বলবৎসানাং যে পিবন্তীহ মানবাঃ ॥৬৬॥
ন তেষাং ক্ষীরপাঃ কেচিজ্জায়ন্তে কুলবর্দ্ধনাঃ। প্রজাক্ষয়েণ যুজ্যন্তে কুলবংশক্ষয়েণ চ ॥৬৭॥
এবমেতৎ পুরা দৃষ্টং কুলবৃদ্ধৈ দ্বিজাতিভিঃ। তস্মাৎ বর্জ্যানি বর্জ্যানি কার্যো চনিত্যশঃ ॥৬৮॥
ভূতিকামেন মর্ত্যেন সত্যমেতৎ ব্রবীমিতে। ততঃ সর্বা মহাভাগ দেবতাঃ সমরুৎগনাঃ ॥৬৯॥
ঋষয়শ্চ মহাভাগাঃ পৃচ্ছন্তিস্ম পিতৃংস্তত। পিতরঃ কেন তুষ্যন্তি মর্ত্যানামল্পচেতসাম্ ॥৭০॥
অক্ষয়ংচ কথংদানং ভবেচ্চৈবোর্দ্ধদেহিকম্। আনৃণ্যং বা কথংমর্ত্যা গচ্ছেয়ুঃ কেন কর্মনা ॥৭১॥

ইন্দ্র। মরমচৎ কত্তবা, শাগৈগী মৈতাল অশিবগুম্বা নিপানা অতুগা, মরমচৎ কত্তবী, শাগৈগী মাওনা তারুবগী মশক ওইবী মুপীনা সূর্য্যদেবরোমদা মপাম্বোক্লিবা থোক্লিবী অতুগী মচাতু চহী মরিফুতরুক চূম্না গর্ভদগী শিনা শিনা তারকই * ॥৬৪॥ হৌগৎলকপা, চাকথৎলকপা মৈদা যজ্ঞ কাষ্ঠনা আহুতি তৌদবা মী মহাক অতুনা হেক তৌরকপা আহুতি মখৈ পুণ্য কর্মগী যজ্ঞগী মৈ অতুনা লৌবিদে। (হায়রিবসিগী ভাবতি, শম্ন হায়রবদা ধর্মগী কর্মানুষ্ঠান থুদিংদা যজ্ঞ হায়া তৌতুনা অগ্নিদেববু পেন্দহনগদবনি। হায়বনি) ॥৬৫॥ শীশক শীক্লিবী মচা চেংবী শঙ্গোবু গুমতুনা শজোম থক্লিবা মী মহাক অতুগী বংশদা শাগৈগী চাওখৎনবা ওইবা মচা অমতা পোকলোই। পোক্লবসু থুদক্তা মাওগনি। শাগৈগী মাওন-তারুনবগী মশক ওইগনি ॥৬৬-৬৭॥ হায়রিবা থৌদোক পুম্নমক অসি, মমাঙৈদগী ব্রাহ্মণশিংনা প্রত্যক্ষ ওইনা (শংশংনা) উনরবনি। মরম অতুনা, মমীৎমক্তা উত্রবা, শাস্ত্রকার ঋষিশিংনা তাক্লিবা, থবক থুদিংমক্তা অসি অসিমখৈ তৌগদবনি, তৌরোইদোবনি হায়বা থবকশিংচু পাঙথোকদোবনি। এইনা হায়রিবসে অচুম্বা, মীমম্বা য়াওত্রবমক্তনি। ৬৮॥ মতুংদা দেবতাশিংগা লোয়ননা, পুকচেল চাউরবা দেবতাশিংনা অমগা মঙায়বক করবা ঋষিশিংনা পিতৃলোকতা লৈবা পিতরশিংদা অহম্না হংখি ॥৬৯॥ তাইবং মীগী বুদ্ধিদি য়ামা থেক্লি। অতুনা মর্ত্যলোকপা লৈরিবা তাইবং মীশিংসিনা করি করম্বা তৌজবগা পিতরশিংনা পেনবিগদগে? শ্রাদ্ধদা কংলিবশিংচু করম্বা রাপ্রল অমদি মওংদা কৎলগা অমাঙ-অতা লৈরোইদগে? মথোয়না পিতৃলোক নথোয়দা তোল্লিবা লমন অচু করম্না কোকদগে? অসি পুম্নমকসি তাজনীজিঙ। মাসি য়াম হৈনিংনা তাওনীজিঙ ॥৭০-৭১॥

---

* টীকা :—অসিগুম্ব দোষ লৈব লৈবীশিংগী গর্ভদা লৈবা থা তুরবা মচাতু গর্ভপাত ওই। শিনা শিনা লৈমায়থক্তা তাগনি। অহম্না চহী মরিফুতরুক কাওবনি। হায়রদি, মচা শিনা তারকনবসি মরিফুতরুকলক্লি। (কালাচাঁদ)

এতদিচ্ছামহে শ্রোতুং পরং কৌতূহলং হিনঃ।

পিতর উচুঃ

শ্রারভো বৈ মহাভাগ সংশয়ঃ সমুদাহৃতঃ ॥৭২॥

শ্রূয়তাং যেন ভূর্য্যাযো মর্ত্যানাং সাধুকর্মনাম্। নীলষণ্ডপ্রমোক্ষেণ অমাবস্যাং তিলোদকেঃ।৭৩।

বর্ষাসু দীপকৈশ্চৈব পিতৃণামনৃণো ভবেৎ। অক্ষয়ং নির্ব্যলীকং চ দানম তেন্মহাফলম্।৭৪॥

অস্মাকং পরিতোষশ্চ অক্ষয়ঃ পরিকীর্ত্যতে শ্রদ্ধধানাশ্চ যে মর্ত্যা আহরিষ্যন্তি সংততিম্॥৭৫॥

স্বর্গান্তে তারয়িষ্যন্তিনরকাৎ প্রপিতামহান্। পিতৃণাং ভাষিতং শ্রুত্বাহৃষ্ট রোমা তপোধনঃ ॥৭৬॥

বৃদ্ধ গার্গ্যো মহাতেজাস্তানেবং বাক্যমব্রবীৎ। কেগুণা নীলষণ্ডস্য প্রমুক্তস্য তপোধনাঃ ॥৭৭॥

বর্ষাসু দীপদানেন তথৈবচ তিলোদকৈঃ।

পিতরউচুঃ

নীলষণ্ডস্য লাঙ্গুলং তোয়মভ্যুদ্ধরেৎ যদি ॥৭৮॥

পিতৃলোকতা লৈব পিতরশিংনা হায়:—লাইবক কবা, পূকচেল চাউরবা দেবতা পুন্নমক। ময়াম্না চিংনরকুনা হংবিরক্লিবসে অচুম্বমক্লি। অকব কর্ম তৌবা মর্ত্যলোকশিংগী মকমদা ঐখোয়না পেজবদো মথং শীংনা হায়জরকে, তাবিয়্ ॥৭২॥ শল্লাবা অমুবা থাদোকুনা (দান তৌদুনা) খোইদিংগা য়াম্নবা পিণ্ডদান তৌরবদি অমাবস্যাদা অদুগা বষা ঋতুদা দীপদান তৌরবদি নোংগাপ্রবা মপা মপুশিংগী মকমদা তোনবা লমন পুম্বা কোকই ॥৭৩। মতৌ অদুম্না পূকচেল তিংনা তৌবা দান অদো ঐখোয় পিতৃলোকতা লৈবশিংনা য়াম্ন পেল্লি। অদুম হায়না শাস্ত্রদসু য়াওবনি ॥৭৪॥ ভক্তি শ্রদ্ধাগা লোয়ননা, হায়বদি, পিতৃলোকতা শ্রদ্ধা থমদুনা শ্রাদ্ধকর্ম তৌরিবদো মচা-মশু চঙখোয়া পোক্নুনা মপা মপুশিংবুসু নরকতগী উদ্ধার তৌই ॥৭৫। পিতৃলোক (প্রেতলোক) তা লৈবশিংনা হায়রিবশিংদু তাবদা তপস্যা তৌবতনা মরল ওইবা মহাতেজ কল্লবা বৃদ্ধগার্গ্যগী মখাদা তুঙ্গুংবা পোকখি। অমুক অদুম্না হংগুকই।৭৬॥ তপোধন। শল্লাবা অমুবা থাদোকপা (দান তৌথোকখিবা) বর্ষাদা দীপদান তৌবা অদুগা অমাবাস্যাদা চেঙ খোইদিং য়াওবা জলাঞ্জলি কৎপগী কান্নবনা করিনো মাদু হায়বিয়্॥৭৭॥ পিতৃলোকতা লৈবা পিতরশিংনা হায়:—শল্লাবা অমুবা অমবু কাও থাদোকপ্রবদি, কাও অদুনা করিগুম্বা তুরেল অমদা কূমথদুনা মমৈদুনা ঈশিং মথকলোমদা চাইখৎপ্রবদি, অদুগুম্বা কাও থারিবা মী মহাক অদুগী মপা মপু (পিতৃলোক) অদু চহী লিশিং হুম্ফু চূপা, চাইখৎপ্রিবা ঈশিং মরীকশিং অদুনা ঈপেন্ত পেন্দুনা, মবুক ঈথম্ব থন্দুনা লৈ ॥৭৮॥

ষষ্টিঃ বর্ষসহস্রানি পিতরস্তেন তর্পিতাঃ। যস্তু শৃঙ্গগতং পঙ্কং কূলাদদ্ভ্যো তিষ্ঠতি ॥৭৯॥
পিতরস্তেন গচ্ছন্তি সোমলোক মসংশয়ম। বর্ষাসু দীপদানেন শশিবচ্ছোভতে নরঃ ॥৮০॥
তমোরূপংন তস্যাস্তি দীপকং যঃ প্রযচ্ছতি। অমাবাস্যাং তুযে মর্ত্যাঃ প্রযচ্ছন্তি তিলোদকম্ ॥৮১॥
পাত্রমৌডুম্বরং গৃহ্য মধুমিশ্রং তপোধন। কৃতং ভবতি তৈঃ শ্রাদ্ধং স সরহস্যং যথার্থবৎ ॥৮২॥
হৃষ্টপুষ্টমনাস্তেষাং প্রজা ভবতি নিত্যদা। কুলবংশস্য বৃদ্ধিস্তু পিণ্ডদস্য ফলং ভবেৎ।
শ্রদ্ধধানস্তু যঃ কুর্যাৎ পিতৃণামনৃণো ভবেৎ ॥৮৩॥
এবমেব সমুদ্দিষ্টঃ শ্রাদ্ধকালক্রমস্তথা। বিধিঃ পাত্রং ফলং চৈব যথাবদনু কীর্তিতম্ ॥৮৪॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যামনুশাসনপর্বণি দানধর্মপর্বণি পিতৃরহস্যং নামপঞ্চবিংশত্যধিকশততমোঽধ্যায়ঃ ॥ X ॥ X ॥

--:(*):—

শল অহুগী মচিনা লৈরাবদা থিনগাইহনা লৈগোয় লৈরিকশিং অহনা মথকলোমদা চাইথোক হাইদোকপ্রবদি, শল থাদোকখ্রিবা মী মহাক অহুগী মপা মপুহ প্রেংলোকতগী চন্দ্রলোক য়ৌথি ॥৭৯॥ বর্ষা ঋতুদা দীপদান তৌরবদি দাতা অহুগী মশা অহু চন্দ্রমাগী মতৌগুম্না মশেক মঙালপা লোয়ননা ওন্থোক্না নাংথিজবা ওই। অমাবাস্যাদা দীপদান তৌরবদি নরককী শূকমুক মমবা অন্ধকার মপেন্থু পুমকোক কোকই ॥৮০॥ তপোধান। অমাবাস্যাদা কোরৌগী পাত্রদা খোইহী তোৎলবা খোইদিংলো তর্পন তৌরবদি, মহাকী শ্রাদ্ধকর্মগী অনুষ্ঠান অহু মপূংফান। মতোল লোমপ্রে হায়না লৌগনি ॥৮১-৮২॥ শ্রাদ্ধকারী (য়াসধারী) অহুগী প্রজা (মচা মশূশিং) অহু নোম পোল্লি, মশক মচু থোকই। শাগৈ নাতৈ মচামশূ চাওখৎপা হায়বহুমক শ্রাদ্ধকর্মগী মতৈনি। অহুগুম্না শ্রাদ্ধকর্মদা পিণ্ডদান তৌরিবা মহাক অহুনা কংনিংবা মহে (ফল) অহু লায়না ফংগি। অসুম হায়না শ্রাদ্ধকর্ম পাঙথোক্লবদি পিতৃৃণ (মপামপুগী মকমদা তোনবা লমন) পুম্নমক কোকই ॥৮৩॥ শ্রদ্ধকর্মগী কাল, ক্রমবিধি, বিধি তিথি, দেশকাল পাত্র পুম্না লীরবসিনি ॥৮৪॥

মকম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোক লিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা অনুশাসন পর্বদা, দানধর্ম পর্বদা পিতৃশ্রাদ্ধ শ্রাদ্ধরহস্যগী চামকুমঙাগুবা অধ্যায় লোইরে ॥ X ॥ X ॥

—:(*):—

মণিপুরী মহাভারত

ষড্‌ত্রিংশত্যধিকশততমোঽধ্যায়ঃ

(বিষ্ণু, বলদেব, লাইয়াম, ধম, অগ্নিদেব, বিশ্বামিত্র, গোলোককী গো পুন্নমক অহুগা ব্রহ্মা পুন্নমক্লা ধর্মগী তত্ত্ব ওাঙনরকপা)

চামকুন্তরুকগুবা অধ্যায়ঃ

—:(*):—

ভীম উবাচ

কেন তে চ ভবেৎ প্রীতিঃ কথংতুষ্টিংচগচ্ছসি। ইতি পৃষ্টঃ সুরেন্দ্রেণ প্রোবাচ হরিরীশ্বরঃ ॥১।

বিষ্ণুরুবাচ

ব্রাহ্মণানাং পরীবাদো মমবিদ্বেষণং মহৎ। ব্রাহ্মণৈঃ পূজিতৈর্নিত্যং পূজিতোঽহংনসংশয়ঃ ॥২॥

নিত্যাভিবাদ্যাবিপ্রেন্দ্রা ভুক্ত্বা পাদৌ তথাত্মনঃ। তেষাং তুষ্যামি মর্ত্ত্যাণাং যশ্চক্রেচবলিং হরেৎ ॥৩॥

ভীষ্মনা হায়ঃ—যুধিষ্ঠির। আ মমাঙৈগী বানি। নোংমা দেবরাজ ইন্দ্রনা ভগবান্ বিষ্ণুদা অহুম্না হংখি॥ ভগবন্। নহাক্লা পেনবিবসে মর্ত্ত্যলোকতা লৈবনা করম্বা কর্মনা ওইবগে? মথোয়না করি করম্বা কর্ম তৌজরগা মথোয়দা নহাক্লা পেনবিবগে? দেবেন্দ্র ইন্দ্রগী বাসি তাবদা শ্রীহরি বিষ্ণুনা অহুম্না হায়ঃ- ॥১॥ ইন্দ্র। দেবতা পুন্নমক্কী নিংথৌ। ব্রাহ্মণশিংগী নিন্দা তৌরিবশিংদো ঐগী রেক্কবমক্তনি। ব্রাহ্মণশিংদা তৌরিবা পূজাদো বিষ্ণু ঐত্তোন্দা তৌবা পূজানি। মাসিদা চিংনবা তৌগদ্রু ॥২॥ মশাদা করিগুম্ব দোষ অমত লৈত্রবা অথোইবা ব্রাহ্মণদা হুমিং খুদিং থুরুমগদৌবনি। তোজন তৌরবা তুংদা (চাব থকপা লোইরব তুংদা) মশামক্কী খোঙগী সেবা তৌগদবনি। হায়রবদি অশেংবা ঈশিংনা চামখোক খোত্তোকদৌবনি। অহুদগী সুদর্শনচক্র শাম্নগা পূজা তৌগদবনি। হৈ লৈনচিংবা কংকমবা সামগ্রী (পোঠ্ঠে) পুন্নমক তক্তিগা লোয়ননা কংকমবনি। অমুম হায়রবা নিয়ম চুম্না পূজা তৌরিবা মাগী মকমদা ঐ ওন্থোক্লা পেন্নি ॥৩॥

বামনং ব্রাহ্মণং দৃষ্ট্বা বরাহং চ জলোত্থিতম্ ।
উদ্ধৃতাং ধরণীং চৈব মূর্দ্ধা ধারয়তে ভুবঃ ॥৪॥
ন তেষাম্ অশুভং কিঞ্চিৎ কল্মষংচোপপদ্যতে ।
অশ্বত্থং রোচনাং গাং চ পূজয়েৎ যোনরঃ সদা ॥৫॥
পূজিতং চ জগৎতেন সদেবাসুরমানুষম্ ।
তেনরূপেন তেষাং চ পূজাং গৃহ্লামি তত্ত্বতঃ ॥৬॥
পূজা মমৈষা নাস্ত্যন্যা যাবল্লোকাঃ প্রতিষ্ঠিতাঃ ।
অন্যথাহি বৃথামর্ত্ত্যাঃ পূজয়ন্ত্যল্প বুদ্ধয়ঃ ॥৭॥
নাহংতৎ প্রতিপদ্যামি ন সাতুষ্টিকরীমম ॥৮॥

ইন্দ্র উবাচ

চক্রং পাদৌ বরাহং চ ব্রাহ্মণং চাপিবামনম্ ।
উদ্ধৃতাং ধরণীং চৈব কিমর্থংত্বং প্রশংসসি ॥৯॥
ভবান্ সৃজতি ভূতানি ভবান্‌সংহরতি প্রজাঃ ।
প্রকৃতিঃ সর্বভূতানাং সমর্ত্ত্যানাং সনাতনী ॥১০॥

মথীক নেম্বা ব্রাহ্মণনা অচুগা ওকনা ঈশিংদগী চুরেপ্রচিংবদগী কাখৎলকপা উরগা থুরুমগদোবনি। মখোয়না লৈরাঙ্গদা চাইথোরকপা লৈপাক লৈরীকশিং অচু লৌরগা কোক্তা চাইথৎকদবনি। অসুমা তৌরবা মী মহাক অচু, মহাক্না তৌরুবা থবক্তা মঙ্গলগী মশক মওই। পাপ পুম্নমক্তগী কোকই।৪॥ সনাথোংনাং পান্থী, গোরোচন অচুগা শঙ্গীগী পূজা তৌরিবা মী মহাক অচুদি মী লাই হিংচাবা পুম্নমকীমু মতমচুমক্তদা সেবা পূজা তৌরবগুবনি।৫। অমুম হায়না তত্ত্ব, অসি খঙনা পূজা তৌরিবা মী মহাক অমুনা বিষ্ণু ঐগী পূজাসু তৌরবনি হায়না ঐনা লৌই। লোক পুম্বসিনা লৈরিমথৈ, মখোয়দা লৈরিবা জীব পুম্নমক্তা তৌরিবা পূজাদো ঐগী পূজানি। অসি নত্তবা অতৈ রাখন্দা, অতোপ্পা মওংদা, তৌরিবা পূজাদো ঐগী পূজা নত্তে ॥৬॥ মবুদ্ধি থেনবা তাইবং মীনা অতোপ্পা মওং অমদি রাখন্দা অতোপ্পা পূজা সামগ্রীনা অরেম্বদা দেবী দেবা অমগী পূজা তৌই। মাচু ঐনা লৌদে। অচুগুম্বা পূজা অমুনা ঐগী পেন্নবা থক ওইদে ॥৭-৮॥ ইন্দ্রনা হায়ঃ ভগবন্। বিষ্ণু। হৌজিক তাকপিব্রিবা ঈশাগী থোক্ত অ-ৗবু, মথীক নেম্বা ব্রাহ্মণবু অচুগা ওকপু, অচুগা মখোয়না চাইথোরকপা লৈপাকশিংবু অমুক রায়া রাংনা থাংগৎপিরিবসি করিগীনো? মমুংদা করি তত্ত্ব লৈবগে? ॥৯॥ বিষ্ণু। নহাক্তি জগৎ পুম্নমকপিগী সৃষ্টি তৌরি। লৈরিবা পুম্নমকসিবু সংহার তৌরিবসু নহাক্তি। তাইবং মীনাচিংবা জীবজন্তু অচৎপচত্ত পুম্নমকসিগী মূলকারণ (খ্বাইগী মরু) সু নহাক্তি ॥১০॥

ভীষ্ম উবাচ

সম্প্রহৃষ্ট স্ততোবিষ্ণুরিদং বচনমব্রবীৎ।
চক্রেণ নিহতা দৈত্যাঃ পদ্ভ্যাংক্রান্তা বসুন্ধরা ॥১১॥
বারাহং রূপমাস্থায় হিরণ্যাক্ষো নিপাতিতঃ।
বামনং রূপমাস্থায় জিতোরাজামহাবলিঃ ॥১২॥

পরিতুষ্টো ভবাম্যেবংমানুষাণাং মহাত্মনাম্। তস্মাৎ যে পূজয়িষ্যন্তি মাস্তি তেষাং পরাভবঃ ॥১৩॥
অপিবা ব্রাহ্মণং দৃষ্ট্বা ব্রহ্মচারিণমাগতম্। ব্রাহ্মণাগ্র্যাহুতিং দত্ত্বা অমৃতং তস্যভোজনম ॥১৪॥
ঐন্দ্রীং সন্ধ্যামুপাসিত্বা আদিত্যাভিমুখঃ স্থিতঃ। সর্বতীর্থেষু স স্নাতো মুচ্যতে সর্বকিল্বিষৈঃ ॥১৫॥
এতৎ বঃ কথিতং গুহ্যমখিলেন তপোধনঃ। সংশয়ং পৃচ্ছমানানাং কিং ভূয়ঃ কথয়াম্যহম্ ॥১৬॥

ভীষ্মনা হায় : নিংথৌ। যুধিষ্ঠির। ইন্দ্রগী হাহু তাবদা ভগবান্ বিষ্ণুনা নোক্ত্না হায়রকই:—দেবরাজ! ঐনা চক্রনা দৈত্যশিংবু হাৎখি। খোঙ অনীসিনা পৃথিবীবু খোঙকম অমতনা পূমরো থৌনা লাম্বোকখি (কুপখি)। ওককী মশক লৌহনা হিরণ্যাক্ষ কৌব দৈত্যবু লৈমায়থক্তা ভুহনখি। মথীক বেম্বা ব্রাহ্মণ মচাগী মূর্ত্তি লৌহনা নিংথৌবু ওমখি। (লৈহুংদা ঊহখি) ॥১৮-১২॥ অহুনা, ঐবা পুখিবা মওং মতৌশিংসিবু পূজা তৌরবদি ঐ য়াম্ম পেল্লি। ঐনা পুখিবা মূর্ত্তিশিংবু পূজা তৌরিবশিংহুগী মারথীবা হায়বহু থক ওইদে • ॥১৩॥ ব্রহ্মচারী ব্রাহ্মণবা য়ুমদা অতিথি ওইনা লাক্লবদি, নীংথিবা স্বাগত তৌহনা ভোজন পূজানচিংবা কৎকদবনি। মহাক্না চাথিবগী মথাক অহু সেবন তৌগদবনি (চাগদবনি)। ব্রাহ্মণনা চাথিবগী লেমহৌব চাব হায়বসি অমৃত ভোজননি ॥১৪॥ অয়ুকী সন্ধ্যা উপাসনা, তর্পণনচিংবা লোইরগা মুমিৎলোমদা মায় ওহিন্দুনা চপ লেপ্তনা লৈরবদি তীর্থ পূম্মক্তা স্নান তৌরুমগী মহৈ (ফল) অহু কংভি। পাপ পূম্মক্তগী কোকই ॥১৫॥ তপোধন। মথামা হংলিব পূম্মক অসিদা মহুংগী অথুম্বা বা, তত্ত্ব পূম্মকা লোয়ননা ঐনা লীয়বসিনি। অমুক করি হায়খো হায়বগে? ॥১৬॥

• টীকা :—বিষ্ণুনা তাকলিরিবা রাকম অসিদগী ঐথোয়না থঙবা হায়ববু :—মূর্ত্তি পূজাগী তত্ত্ব অসি আ মমাঙ্গৈদগী, লাইহৈরবাক্তগী থম্ববা হৌগ্রবনি হায়বাসিমি। ভগবান্ বিষ্ণুনা জগৎকী মকম পূম্বদা লীহুংবো লৈবনা জগত্তা লৈরিবা মূর্ত্তি পূম্বা মাগী মূর্ত্তিমক্তনি। মানা মানা পুহল্লিংবা, অহুগা মানা মানা পামজবা মূর্ত্তিবু ভক্তি শ্রদ্ধাগা লোয়নবা লাচ্চবা পূজা তৌবদা পরমেশ্বর শ্রীবিষ্ণুনা উপেক্ত পেনখিনি। অহুগা মংনা লাংলিবা মূর্ত্তিহুবুদি ঐগীসিনা হেল্লি হায়বদি লাল্লি। মরমদি নংনা লাংলিবা বিষ্ণুবুদি ঐগী বিষ্ণুনা হেল্লি হায়রে। শোয়রে, বিষ্ণুদি অমতনি। মপানগী মূর্ত্তিতনি। মপানগী মূর্ত্তিতনা তোঙাল তোঙান্না উহনবতনি। (কালাচাঁদ)

বলদেব উবাচ

শ্রূয়তাং পরমং গুহ্যং মানুষাণাং সুখাবহম।
অজানন্তো যদবুধাঃ ক্লিশ্যন্তে ভূতপীড়িতাঃ ॥১৭॥
কল্য উত্থায় যো মর্ত্যঃ স্পৃশেৎ গাংবৈ ঘৃতং দধি।
সর্ষপং প্রিয়ঙ্গুং চ কল্মষাৎ প্রতিমুচ্যতে ॥ ৮॥

ভূতানি চৈব সর্বানি অগ্রতঃ পৃষ্ঠতোঽপিবা। উচ্ছিষ্টং বাপি ছিদ্রেষু বর্জয়ন্তি তপোধনাঃ ॥১৯॥

দেবা উচুঃ

প্রগৃহ্যৌদুম্বরং পাত্রং তোয় পূর্ণমুদঙমুখঃ। উপবাসং তু গৃহ্ণীয়াৎ যৎবা সংকল্পয়েৎব্রতম্ ॥২০॥
দেবতাস্তস্তুষ্যন্তি কাম্যিকং চাপিসিধ্যতি। অন্যথাহি বৃথা মর্ত্যাঃ কুর্বতে স্বল্পবুদ্ধয়ঃ ॥২১॥
উপবাসে বলৌ চাপি তাম্রপাত্রং বিশিষ্যতে। বলির্ভিক্ষা তথার্ঘ্যংচ পিতৃণাংচ তিলোদকম্ ॥২২॥
তাম্রপাত্রেণ দাতব্যমন্যথাল্পফলং ভবেৎ। গুহ্যমেতৎ সমুদ্দিষ্টং তথাতুষ্যন্তি দেবতাঃ ॥২৩॥

বলদেব কৌবা অমনা অসুম্না হায়রকই। তাইবং মীদা নুংঙাইবা পীবা, পোকহনবা তত্ত্ব পুম্নমক অসিবু খঙদবা মুর্খশিংনা অরাবা কয়া কয়া কংহনা নৈরিবসিগী অদুগা পাপ কর্ম কয়া তৌদুনা নৈনরিবসিগী কোক্লনবা ঈরায় লায়বা উপায়দু ঐ হায়গে তাও ॥১৭॥ নুমিৎ খুদিংগী অয়ুক অঙনবদা হৌগত্তুনা শগী, ঘী, দহী (শঙোম মপান) হংগাম মরূ হংগামবু খুৎ শেংনা শোক্লবদি, শোক-নাম্নবদি মী মহাক অদুনা তৌখিবা পাপ পুম্বা কোকই ॥১৮॥ তপস্বী ওইবশিংনা তুং মাওদা, নাকল্দা লাকপা হিংসা তৌবা জীববু থৈদোক্তুনা থুনা মাওনা লায়া থৈদোক্তুনা চৎপদুগুম্না, য়াংলবা, নুখাক তারবা পোৎপু হয়া য়েংবদে শীজিন্নদে। লান্নবা, অরাবা তারবা মতম অদু কাওবদা চানদে। মাদুদগী লাপ্পবু চথোক্লে। থৈদোক্লে ॥১৯॥ দেবতাশিংনা হায় ঃ—ঈশিংনা থম্ন হাপ্পবা কোয়রীগী পাত্রবু খুত্তা পায়দুনা অরাং পাংনা লেপ্তুনা উপবাসগী নিয়মবু পালন তৌগদবনি। কয়িগুম্বা অকবা শুভকর্ম অমবু পাঙথোক্লনবা সংকল্প অম তৌগদবনি ॥২০॥ অসুম হায়না সাধনা তৌরিবা মী অদুদা দেবতাশিংনা য়াম্না পেনবি। অদুগা, নীংজরিব পুম্বদু থুংহল্লি। মন্দবুদ্ধি (বু'দ্ধ থেম্নবা) ওইবা মীশিংনা অসুম হায়নদি তৌদদুনা তোঙাল তোঙানবা কর্ম জাৎ জাৎ পায়খৎলি ॥২১॥ উপবাসগী সংকল্প তৌবা মতমদা, অদুগা দেবপূজাগী সামগ্রী চামথোক চানশিল কৌথোক লৌশিল তৌবা মতমদা য়ারিবমখৈ কোয়রীগী পাত্র শীশিজন্নগদবনি। পূজাগী সামগ্রী (মচাক পোচ্ছে) ভিক্ষা, অর্ঘ্যনচিংবা কৎপা মতমদা পিতৃলোককী চেঙ থোঙাংদং কৎপা মতমদা কুশী, তামি (তাম্র-কোয়রী) বু পাত্রদোনা শীজিন্নগদবনি। নত্রবদি তৌরিবা কর্মদুগী মহৈদু য়াম্না মাত্রা হৈদে। মাসি য়াম্ন অথুপ্পা য়ানি। হায়রিবসিগী মতুংইন্না থবক তৌরবদি দেবতাশিংনা য়াম্ন পেনবি ॥২২-২৩॥

ধর্ম উবাচ

রাজপৌরুষিকে বিপ্রে ঘাণ্টিকে পরিচারিকে।
গোরক্ষকে বাণিজকে তথা কারুকশীলবে ॥২৪॥
মিত্রদ্রুহ্যনধীয়ানে যশ্চস্যাৎ বৃষলীপতিঃ।
এতেষু দৈবং পিত্র্যংবা ন দেয়ং স্যাৎ কথংচন ॥ ২৫॥
পিণ্ডাস্তস্য হীয়ন্তে ন চ প্রীণাতি বৈ পিতৄন্।
অতিথির্যস্য ভগ্নাশো গৃহাৎ প্রতিনিবর্ত্ততে ॥২৬॥
পিতরস্তস্য দেবাশ্চ অগ্নয়শ্চ তথৈবহি।
নিরাশা প্রতিগচ্ছন্তি অতিথেরপ্রতিগ্রহাৎ ॥২৭॥
স্ত্রীঘ্নৈর্গোঘ্নৈঃ কৃতঘ্নৈশ্চ ব্রহ্মঘ্নৈর্গুরুতল্পগৈঃ।
তুল্যদোষো ভবত্যেভির্যস্যাতিথিরনর্চিতঃ ॥২৮॥

অগ্নিরুবাচ

পাদমুদ্যম্য যো মর্ত্যঃ স্পৃশেৎ গাশ্চসুদুর্ম্মতিঃ। ব্রাহ্মণংবা মহাভাগং দীপ্যমানং তথানলম্ ॥২৯॥

ধর্মনা হায়ঃ ব্রাহ্মণ-1 নিংথৌগী কর্মচারী ওইদুনা, বেতন (তলব) চাদুনা শরীক খিংদুনা লৈরবা, অতোপ্পা অমগী সেবা তৌদুনা সেবক (মীরায়) ওইদুনা লৈরবা, শল ইরোই য়োক্নুনা মাদুনা ব্যবসায় ওইদুনা জীবিকা তান্নুনা লৈরবা, লাইয়েকপা উশূবা শিল্পী অম ওইরবা, পুংশেল জগোইগী বিদ্যানা জীবিকা ওইরবা, বেদশাস্ত্র করিমতা তমখিদ্রবা বিশ্বাসঘাতক, মিত্রদ্রোহী ওইরবা, শূদ্র জাতি চুপীগী মপুরোরবা ওইরবা, অদুগুম্বা ব্রাহ্মণবু দেবকার্য্য শ্রাদ্ধকর্মনচিংবদা অন্নদাননচিংবা থক তৌরোইদৌবনি। মত্রবদি দান তৌরুরিবা মী মহাক অদু হীরম খঙিংমক্তা অবনতি (হন্দরকপা চাওখৎতবা) হায়রদু ওইরকই। মহাকী প্রেতলোককী মপা মপু কাওবা মহাক্না তৌরিবা শ্রাদ্ধকর্ম পিণ্ডদানবচিংব তৌরিবদুদা করিমতা পেন্দে, হয়াওদে ।২৪-২৫॥ মী মহাক অদুগী যুমদগী, খোজান্দগী অতিথিনা নিরাশ ওইদুনা নীংবা কারদুনা হনগ্রবা. অতিথি অদুনা সৎকার (তরাম তরাম তৌবা) ফংদুনা হনগ্রবদি মাগী যুম অদুনা লাকুম্বা দেবতা, পিতৃলোক, অগ্নিদেবনচিংব কাওবা হন্দোরুখি ॥২৬-২৭॥ ময়ুমদা লাকপা অতিথিবু সৎকার স্বাগত তৌবিদবা মী মহাক অদুদি যুপী হাৎপা, শল হাৎপা, তৌবিমল খঙদবা, ব্রহ্মহত্যা তৌবা অদুগা ওঝা গুরুগী লোয়নবীদা নত্তবা লমচৎ চৎপা মীদুনা ফংগদবা পাপ অদুগা চপ মান্নবা পাপ ফংগি (ফংভি) ॥২৮॥ অগ্নিনা হায় ঃ—মবুদ্ধি থেনবা মীনা মখোঙ থাংগৎ হাইগত্নুনা শন্বী (গোমাতা) দা কাওবা, ব্রাহ্মণদা অমদি অগ্নিদেব মখোঙনা খঙনা খঙনা শোক্রবা নেৎলবা অদুগুম্বা পাপীদুনা ফংগদবা দোষ অদুগা মহে অদু ঐ হায়গে মুন্না তাও ॥২৯॥

তস্যাজোষান প্রবক্ষ্যামি তচ্ছৃণুধ্বং সমাহিতাঃ।
দিবং স্পৃশত্যশবোহস্য ত্রসস্তি পিতরশ্চ বৈ ॥৩০॥
নৈমনস্তং চ দেবানাং কৃতং ভবতি পুষ্কলম্।
পাবকশ্চ মহাতেজা হব্যং চ ন প্রতিগৃহ্লাতি ॥৩১॥

আজন্মনাং শতং চৈব নরকে পচ্যতে ধ্রুবঃ। নিষ্কৃতিং চ ন তস্যাপি অনুমন্যন্তি কর্হিচিৎ ॥৩২॥
তস্মাৎ শাবো ন পাদেন সপ্রষ্টব্যাবৈ কদাচন। ব্রাহ্মণশ্চ মহাতেজা দীপ্যমানস্তথানলঃ ॥৩৩॥
শ্রদ্দধানেন মর্ত্যেন আত্মনো হিতমিচ্ছতা। এতে দোষা ময়াপ্রোক্তাস্ত্রিষু যঃ পাদমুৎসৃজেৎ ॥৩৪॥

বিশ্বামিত্র উবাচ

শ্রূয়তাং পরমং গুহ্যংরহস্যং ধর্মসং হিতম্। পরমান্নেন যোদদ্যাৎ পিতৃণামৌপহারিকম্ ॥৩৫॥
গজচ্ছায়ায়াং পূর্বস্যাং কুতপে দক্ষিণামুখঃ। যদাভাদ্রপদে মাসি ভবতে বহুলে মঘা ॥৩৬॥
শ্রূয়তাং তস্যদানস্য যাদৃশো গুণবিস্তরঃ। কৃতং তেন মহচ্ছ্রাদ্ধং বর্ষাণীহ ত্রয়োদশ ॥৩৭॥

অহুগুবা মহাক অহনা তৌথ্রিবা কুকর্ম অমুগী অপকীর্তি (মিংচৎ থীবা) অমু আ লাইরৈবাকী দেবতাশিংগী মনাকোং কাওবা য়োথি। মহাকী মপা মপুশিংদা প্রেতলোকতা কিবনা থক থক নীকই। দেবতাশিংনা খারবা মীৎয়েংনা মঙোন্দা য়েংথরকই। মহাক্না পীরমপা, থাদরকপা হোম তৌরকপা পোশক অমতা অগ্নিদেবনা লৌদে, হন্না য়েংদে ॥৩০-৩১॥ অদুগুবা পাপী মী মহাক অহ, চহী চাম চুপা নরকতা মৈথক্তা মুত্রিকাওবা থোংঙি (তৌই)। মাসিবু কনবিবসিন্না হায়বদা ঋষিশিং অমতনা অয়াবা পীদে (য়ানিংদে) ॥৩২॥ মরম অসিনা মথাগী গুণ মঙল ওইববু পামজবা, শ্রদ্ধা লৈবশিংনা শবীদা, ব্রাহ্মণদা অমুগা মৈরি থোক্না চাক্লিবা মৈদা কৈদৌউদনু খোঙনা শোক্লোইদৌবনি। অদুম অসিবু খোঙনা কাওরবা থেংনুবগী কল (মহৈ) শিংদু হায়রবনি ॥৩৩-৩৪॥ বিশ্বামিত্রনা হায়:—দেবতা পুরবক। ধর্মগী মরম ওইবা, অথুপ্পা য়াশিংসি তাও। ভাদ্রমাসগী কৃষ্ণপক্ষদা এয়োদশী তিথিদা মঘা নক্ষত্রনা যোগ ওইরবা (তিররবা) মতমদা, ওমুনা, চুমিংথুংবা মতুংগী নিপালগুবা মুহূর্ত চথরকপদা, শামুগী মরমনা নোংপোকতা চথরকপা মতমদা, হায়া মরুমহুরক্তদা কমহুনা, পিতৃলোককী উদ্দেশ্যদা, অথেলপোং কংপগী মঙং ওইবা অন্নদান তৌবগী মহৈ অহু হায়গে তাও। অদুম হায়না দান তৌবা মী মহাক অহু, চহী তরাহুমদোই চুপ্পা চুমিং থুদিং পিতৃলোকীদবক শ্রাদ্ধ তর্পন তৌবগী মহৈ ফংঙি * ॥৩৫-৩৭॥

---

* টীকা:—মথক্তা হায়খ্রিবা পিতৃলোকতা অন্নদান তৌরবা মী মহাক অমুদি চহী তরাহুমদোইচ পিতৃ মাত তর্পন তোগ্রবনু অহুমক য়ারম্নি, হায়না অর্ব লৌবনু য়াই। (কালাচাঁদ)

গাব উচুঃ

বহুলে সমঙ্গে হ্যকুতোভয়েচ ক্ষেমেচসখ্যোবহিভূয়সী চ।
যথাপুরাব্রহ্মপুরে সবৎসা শতক্রতোর্বজ্রধরস্য যজ্ঞে ॥৩৮॥
ভূয়শ্চ যা বিষ্ণুপদে স্থিতায়া, বিভাবসোশ্চাপি পথেস্থিতা যা।
দেবাশ্চসর্বেসহ নারদেন প্রকুর্বতে সর্বসহেতি নাম ॥৩৯॥
মন্ত্রেণৈতেনাভিবন্দেত যো বৈ বিমুচ্যতে পাপকৃতেন কর্মনা।
লোকানবাপ্নোতি পুরন্দরস্য গবাং ফলংচন্দ্রমসোদ্যুতিং চ ॥৪০॥
এতং হি মন্ত্রংত্রিদশাভিজুষ্টং, পঠেত যঃ পর্বসু, গোষ্ঠমধ্যে।
নতস্য পাপং ন ভয়ং ন শোকঃ সহস্রনেত্রস্য চ যাতিলোকম্ ॥৪১॥

ভীষ্ম উবাচ

অথ সপ্তমহাভাগ্য ঋষয়ো লোকবিশ্রুতাঃ। বসিষ্ঠপ্রমুখাঃ সর্বেব্রাহ্মণং পদ্মসম্ভবম ॥৪২॥
প্রদক্ষিণমভিক্রম্য সর্বেপ্রাঞ্জলয়ঃ স্থিতাঃ। উবাচ বচনং তেষাং বসিষ্ঠো ব্রহ্মবিত্তমঃ ॥৪৩॥

শম্বীশিংনা হায়রকই :—মমাতৌদা, ব্রহ্মলোকতা বজ্রধারী ইন্দ্রগী যজ্ঞদা, বহুলে। সমঙ্গে। অকুতোভয়ে। ক্ষেমে। সখী। ভূয়সী। অমুম হায়বা নাম (মিং মিংথোল) শিং অসি উচ্চারণ তৌদুনা (কৌদুনা) মচা শম্নাওশিংগা লোয়নন্না লৈরিবী ধেনু (শম্বী) শিংগী ভতি তৌনখি। আকাশ মার্গদা অমদি সূর্য্যমার্গদা লৈরিবী শম্বীশিংদুদা নারদগা লোয়নন্না দেবতাশিংগী "সর্বসহা" (পুমমক খাওজবী) হায়বা নাম উপাধি অসি পীবিখি ॥৩৮-৩৯॥ হায়রিবা মাইহৈশিংসিনা লেংবা শ্লোক অমী অসি পুনশিন্নবগা মন্ত্র অম ওইনা থোকখি। হায়রিবা মন্ত্র অসিবু উচ্চারণ তৌদুনা (থীদুনা) শম্বীশিংগী পূজা স্তুতিনচিংবা মী মহাক অদুদি, মহাক্না হেক তৌখিবা পাপ পুমমক্তগী মাথোকই (কোকই)। অসিগুম্বা গোসেবাদুগী মহৈদুনা ইন্দ্রনা স্বর্গলোককী রাজ্যসিংহাসন ফংখি। অদুগা চন্দ্রমা (থা) গী মশেক মতানগা চপ মান্নবা কুচু পুখি ॥৪০॥ দেবকর্মগী পর্বদিন অমুক খোঙ্কনদা (তাম্নকপাদা) গোশালা (শঙ্গং) দা চত্তুনা দেবতাশিংনা খোনখিবা মন্ত্র অমীসিবু (মথক্কী শ্লোকাবলীনা "বহুলে" দগী হৌরগা "নাম" হায়ব মাইহৈসি কাওবদা লৈবা মন্ত্র অমীসিবু) পাঠ তৌরবদি, পাঠক মহাক্না অমা অমা অকি অথং পাপতাপ করিমত লৈরোই। মহাক অদু শিরব তুংদা গোলোক ধাম অমদি ইন্দ্রলোক (দেবলোক) তা কাখি ॥৪১॥ ভীষ্মনা হায় :— নিংথৌ। অদুগী তুংদা, মমায়বক করবা জগৎ কাওরবা বসিষ্ঠনচিংবা মহর্ষি পুমমক্না পদ্মযোনি (থবান্দগী পোকপা) ব্রহ্মাগী অকোয়বদা মথুং লোয়নন্না লেপ্পুনা লৈখি ॥৪২॥ মথোক্নগী মতুংদা ব্রহ্মতত্ত খঙবশিংগী অথোইবা বসিষ্ঠনা বিশেষ ওইনা ব্রাহ্মণ অমদি ক্ষত্রিয়শিংগী কারবা বাক্য অমা হংজকই ॥৪৩॥

সর্বপ্রানিহিতং প্রশ্নং ব্রহ্মক্ষত্রেবিশেষঃ। দ্রব্যহীনাঃ কথং মর্ত্যা দরিদ্রাঃ সাধুবর্জ্জিনঃ ॥৪৪॥
প্রাপ্নুবন্তীহ যজ্ঞস্য ফলং কেনচ কর্ম্মণা। এতচ্ছ্রুত্বা বচনমব্রবীৎ ॥৪৫॥

ব্রহ্মোবাচ

অহো প্রশ্নোমহাভাগা গূঢ়ার্থঃ পরমঃ শুভঃ। সূক্ষ্মঃ শ্রেয়াংশ্চ মর্ত্ত্যানাংভবদ্ভিঃ সমুদাহৃতঃ ॥৪৬॥
শ্রয়তাং সর্বমাখাস্যেনিখিলেন তপোধনাঃ। যথা যজ্ঞ ফলং মর্ত্ত্যো লভতে নাত্র সংশয়ঃ ॥৪৭॥
পৌষমাসস্য শুক্লে বৈ যদা যুজ্যেতরোহিনী। তেনন্ক্ষত্রযোগেন আকাশশয়নো ভবেৎ। ৪৮।
একবস্ত্রঃ শুচিঃ স্নাতঃ শ্রদ্ধধানঃ সমাহিতঃ। সোমস্য রশ্ময়ঃ পীত্বা মহাযজ্ঞ ফলং লভেৎ ॥৪৯॥
এতৎ বঃ পরমং গুহ্যং কথিতং দ্বিজসত্তমাঃ যন্মাং ভবন্তঃ পৃচ্ছন্তি সূক্ষ্মতত্ত্বার্থদর্শিনঃ ॥৫০॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যামনুশাসন পর্বনি দানধর্মপর্বনি দেবরহস্যে ষড়বিংশত্যধিকশততমোঽধ্যায়ঃ ॥ X ॥ X ॥

—:(*):—

ভগবন্! সংসারসিদা সদাচারী ওইবা অকবা লমচৎত চৎপশিং য়াম্ম লায়রনা নংনা পুনশি লেপ্লি। অহৃগা লায়রবস্ম যাগযজ্ঞ দাননচিংবদি তৌনিংঙি। অছুগুম্বা লায়রবশিংনা যজ্ঞ দাননচিংব তৌবগী মহৈ অসি কয়ম্না ফংগদগে? য়াসি তাবদা ব্রহ্মাবা অস্মুা হায়রকই ॥৪৪-৪৫॥ লাইবক করবা মহর্ষি পুম্নমক। তাইবং মী পুম্নমকী ওন্থোক্লা কান্নরবা, কুপ্নবা থুপ্নবা য়াহং অসি ময়াম্ন এঁত্তোন্দা হংলে ॥৪৬॥ তপোধন পুম্নমক। তাইবং মীনা ঈরায় লায়না, মতৌ করম্না, চাউরবা যজ্ঞ অমা পাওথোকপগী মহৈ (ফল) ফংবগে হায়রবহ্. শম্না মপূং ফানা হায়গে তাও ॥৪৭॥ পৌষমাস (পোয়ন্নু) গী শুক্ল পক্ষদা, রোহিনী নক্ষত্রগী যোগ লৈবা ভুমিত্তুগী অহিংদা স্নান তৌরগা ফীজোল অমতা শেত্তুনা (ফৈজোম ফীজি ইন্দুনা) পুক্নীং অনী লোওনা, শ্রদ্ধাগা লোয়ননা ঈহাও হাওবা লম্পাক্তা, আকাশগী মখাম্ন (য়ুম-কৈ থাংগোক্লচিংবা য়াওজনা) হীপ্তুনা থাবলগী মতান্ত থকুনা (করিমত চানলা) অহিং অছু লেপ্লবা মী অছুদি ওন্থোক্লা চাউরবা যজ্ঞ অম তৌবগী ফল (মহৈ) অছু ফংঙি ॥৪৮-৪৯॥ ব্রাহ্মণ অখোইবশা। নখোয়দি বেদশাস্ত্রগী অকুপ্পা থুপ্নবা তত্ত, পুম্নমক খঙহনা লৈরবা ওাক্তনি। নহায়া হংপ্রিবা পুম্নমক অছু এঁনা লোইবা হায়রবসিনি ॥৫০॥

মকম অসিদা শ্রীমহাভারতদা, শ্লোক লিশিংচামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা অনুশাসন পর্বদা দানধর্ম পর্বদা দেবরহস্যগী মতাংদা চামকুন্তরকশুবা অধ্যায় লোইরে॥ X ॥ X ॥

—:(*):—

মণিপুরী মহাভারত

সপ্তবিংশত্যধিকশততমোঽধ্যায়ঃ

(অগ্নি, লক্ষ্মী, অঙ্গিরা, গার্গ্য, ধৌম্য অমদি জমদগ্নিনা ধর্মগী কুপ্নবা তত্ত্ব, পুন্নমক মথং মথং বর্ণন তৌরকপা)

চামকুন্তরেৎশুবা অধ্যায়

—ঃ(*)ঃ—

বিভাবসুরুবাচ

সলিলস্যাঞ্জলিং পূর্ণমক্ষতাশ্চ ঘৃতোত্তরাঃ। সোমস্যোত্তিষ্ঠমানস্য তজ্জলং চাক্ষতাংশ্চতান্ ॥১॥
স্থিতো হ্যভিমুখো মর্ত্ত্যঃ পৌর্ণমাস্যাংবলিং হরেৎ। অগ্নিকার্য্যং কৃতং তেন হুতাশ্চাস্যাগ্নয়স্ত্রয়ঃ ॥২॥
বনস্পতিং চযো হন্ত্য দমাবাস্যামবুদ্ধিমান্। অপি হ্যেকেন পত্রেণ লিপ্যতে ব্রহ্মহত্যয়া ॥৩॥
দন্তকাষ্ঠং তু যঃ খাদেদমাবাস্যামবুদ্ধিমান্। হিংসিতশ্চন্দ্রমাস্তেন পিতরশ্চোদ্বিজন্তি চ ॥৪॥
হব্যং ন তস্য দেবাশ্চ প্রতিগৃহ্ণন্তি পর্বসু। কুপ্যন্তে পিতরশ্চাস্য কুলেবংশোঽস্যহীয়তে ॥৫॥

বিভাবসু (অগ্নিদেব) না হায়: অহুগুম্বা মী মহাক অহুনা পূর্ণিমাগী তিথিদা, থা (চন্দ্রমা) না হেক থোরকপা মতমহূদা, চন্দ্রমাগোমদা মায় ওইন্দুনা ঈশিং খুজেংক অমসু থী অমদি চেঙগা লোয়ননা কৎলবদি মহাক্কী মচংক মথুম য়াম্না চঙলবা চাউরবা অগ্নিহোত্র (যজ্ঞ) অমবু পাঙথোক্লবনি। পাঙথোক্লগুম্বনি। গাহপত্যনচিংবা অগ্নিদেবতা অহুমক্তা মপুংফানা আহুতি কৎলবনি ॥১-২॥ অমাবাস্যাগী তিথিদা করিগুম্বা উপাম্বী মনা অমত ওইরবসু থংদু হক্লবাদি অহুগুম্বা মূর্খ ওইবা মী মহাক অহু ব্রহ্মহত্যাগী পাপ পুই।৩॥ অমাবাস্যাগী তিথিদা দন্তধাবন (য়াথিন চৈ) বু চাক্লবদি (শাঙ্গবদি) মবুদ্ধি লৈত্রবা মী মহাক অহু চন্দ্রদেবতাদা হিংসা তৌরবনি। মহাক্কী প্রেতলোককী মপা মপুশিংনসু মিপাইবগা লোয়ননা মঙোন্দা থারবা মীৎয়েংনা য়েংথরকই।৪॥ অহুগুম্বা মী মহাক অহুনা পর দিনদা (খাশি খানিন্দা) কৎলকপা সামগ্রীশিংহু দেবতাশিংনা হম্ব য়েংবিদে, লৌদে মহাক্কী মপা মপুশিংনসু য়াম্ন শাউয়ি। মহাক্কী বংশ (শাগৈ) সু নোংম-নোংমগী অসুম মূৎশিল্লকই ॥৫॥

শ্রীরুবাচ

প্রকীর্ণং ভাজনং যত্রভিন্নভাণ্ডমথাসনম্। যোষিতশ্চৈবহন্যন্তে কশ্মলোপহতেগৃহে ॥৬॥

দেবতাঃ পিতরশ্চৈব উৎসবে পর্বনীযুবা। নিরাশাঃ প্রতিগচ্ছন্তি কশ্মলোপহতাৎগৃহাৎ ॥৭॥

অঙ্গিরা উবাচ

যস্তু সংবৎসবং পূর্ণং দদাৎ দীপং করঞ্জকে। সুবর্চো মূলহস্তঃ প্রজা তস্য বিবর্দ্ধতে ॥৮॥

গার্গ্য উবাচ

আতিথ্যং সততং কুর্য্যাৎ দীপং দত্যাৎ প্রতিশ্রয়ে বর্জয়ানো দিবা স্বাপং ন মাংসানিভক্ষয়েৎ ॥৯॥

ব্রাগোব্রাহ্মনং চ হিংস্যাশ্চ পুষ্করানিচ কীর্ত্তয়েৎ। এষ শ্রেষ্ঠতমো ধর্মঃ সরহস্যোমহাফলঃ ॥১০॥

অপিক্রতুশতৈরিষ্ট্বা ক্ষয়ংগচ্ছতিতদ্ধবিঃ যত্তু ক্ষীয়ন্তে তে ধর্মাঃ শ্রদ্দধানৈঃ প্রয়োজিতাঃ ॥১১॥

ইদং চ পরমং গুহ্যং সরহস্যং নিবোধত। শ্রাদ্ধকল্পে চ দেবেচ্চে তৈর্থিকে পর্বনীষু চ ॥১২॥

রজস্বলা চ যা নারী শ্বিত্রিকাপুত্রিকা চ যা। এতাভিশ্চক্ষুণা হবির্নাশ্নন্তি দেবতাঃ ॥১৩॥

শ্রী (লক্ষ্মী) না অন্নুম্না হায়রকই ঃ—কোক্লীক, চকু চম্বাই, কিরোল মচোই মচোই তারবা, কিরোল শেগাই ভুগাই পুমচাই চাইনা লৈরবা, মুপী অঙাংবু য়ায় ফু চৈরবা অচুগুম্বা য়ুম অদুদা লক্ষ্মী এ, লৈনিংদে, অচুগুম্বা ঈমুং অদুদা দোষ য়ায় লৈরে। দোষ লৈরবনিনা অচুগুম্বা ঈমুং অদুদা তৌবা ধর্ম কর্মগী থবক অমত্ত দেবতাশিংনা লৌদে, মপা মপুসু মমায় ওন্দুনা নীংবা কায়দুনা হন্দোকখি ॥৬-৭॥ অঙ্গিরানা হায় :—করঞ্জ কৌবা (মনা মপাল মহৈ কাওবা হীদাক ওইনা শীজিন্নবা) উপাম্বী অদুগী মখোঙদা চহী অমা চুপ্না দীপদান তৌরবদি অদুগা আয়ুর্বেদদা প্রসিদ্ধ ওইরবা ব্রাহ্মীবুটী কৌবা উ মরা অদু খুত্তা পায়দুনা ব্রত তৌরবদি মচা মশু শাগৈ জাৎ পুম্বা লোইনা চাওখৎলি ॥৮॥ গার্গ্যনা হায় ঃ—মুমিৎ খুদিংগী অতিথি সেবা তৌগদবনি। মুমদা অহিং মুংখিন্দা থাউমৈ থান্দুনা থমগদবনি। অমুক মুংখিন্দা চাক চামাওদা তুম্বা হীপ্পা থাদোকদবনি। শা ভা চাবা তৌরোইদৌবনি। গোব্রাহ্মণদা হিংসা থক তৌরোই-দৌবনি। পুষ্কর কৌবা তীর্থ অহুম (ত্রিপুষ্কর) গী নাম জপ তৌগদৌবনি। অন্নুম্না তৌবা মী মহাক অদু অথোই অথোইবা ধর্ম কর্ম পুম্নমক তৌবগী মহৈ কংভি ॥৯-১০॥ চাউরবা যজ্ঞ চামা চামা তৌবগী মহৈদি ভোগ তৌরগা (চারগা) অন্নমন্নম ভুমকই। অদুগা, ভক্তি শ্রদ্ধাগা ন্যোরননা তৌবা শুভকর্মশিংগী মহৈদি মাঙলকপা ভুমশিনকপা লৈতে ; হেন্দুম হেনগৎকই ॥১১। মায়া কুপ্না, ধর্ম-কর্মগী অথুপ্না তব অদু মুম্না ভাও। শ্রাদ্ধদা, যজ্ঞদা, তীর্থদা অমুগা পর্বদিন হেক হেক তাবদা দেবতাশিংদা নক্রগা ইষ্টদেবদা কৎননবা শেম-শাদুনা থম্নিবা হবিষ্যনাচিংবা সামগ্রীশিংদু, মমীৎ ভৌদোং থুংবা, মুপী অখুংবী থা মাংলিবী মুপীগী মমীৎনা উপ্রবদি, সামগ্রীশিং অদু দেবতাশিংনা লৌত্রে। মপা মপুশিংদু চহী তরাহুমদোই চুপ্না ঈপেন পেন্দনা, চাদ থক্তনা লৈ ॥১২-১৩॥

পিতরশ্চ ন তৃপ্যন্তি বর্ষাণ্যপি ত্রয়োদশ। শুক্লবাসাঃ শুচির্ভূত্বা ব্রাহ্মণান্ স্বস্তি বাচয়েৎ।
কীর্তয়েৎ ভারতং চৈবতথাস্যাদক্ষয়ং হবিঃ ॥১৪॥

ধৌম্য উবাচ

ভিন্নভাণ্ডং খট্বাং চ কুক্কুটং শুনকংতথা। অপ্রশস্তানি সর্বাণি যশ্চবৃক্ষো গৃহেরুহঃ ॥১৫॥
ভিন্নভাণ্ডে কলিং প্রাহুঃ খট্বায়াংতু ধনক্ষয়ঃ। কুক্কুটে শুনকে চৈব হবির্নাশ্নন্তি দেবতাঃ।
বৃক্ষমূলে ধ্রুবং সত্ত্বং তস্মাৎ বৃক্ষংন রোপয়েৎ ॥১৬॥

জমদগ্নিরুবাচ

যো যজেদশ্বমেধেন বাজপেয়শতেন হ। অবাক্‌শিরাবা লম্বেত সত্রং বাস্ফীতমাহরেৎ ॥১৭॥
ন যস্য হৃদয়ং শুদ্ধং নরকংস ধ্রুবং ব্রজেৎ। তুল্যাং যজ্ঞশ্চ সত্যং চ হৃদয়স্য চ শুদ্ধতা ॥১৮॥

ধৌম্যনা হায়ঃ—ঈমুংদা অকায়বা অহোবা কোল্লীক, চফু, অকায়বা, মখোঙ তেকপা কাংথোল, য়েল হূঈ লৈরবদি, অহুগা খোংনাং পান্বী লৈরবদি (হৌরবদি), মাচু অকবা মকমনি হায়বা য়াক্রে ।১৫॥ অকায়বা অহোবা কোল্লীক চফু চনাইনচিংবসি কলিগী লৈকমনি। মখোঙ তেকপা হিদাম কাংথোল অসি লম্বুম মাঙশিল্লরুনবগী মশকনি। হূঈ, য়েল লৈরবা, লোইরবা ইমুংদা লৈরিবা শেমশারিবা পূজাগী দ্রব্যশিংছু দেবতাশিংনা লোদে। ঈমুংদা খোংনাং হৌরবদি, মাড়গী মখোঙদা লিল বিচ্ছু (বৃশ্চিক) মচিংবা মহূ পুবা তীল কাও লৈবা হায়বতু শোয়ত্রবনি। অতুনা ঈমুংদা করিগুম্বা উপাম্বী অমত থাবা হৌহনবা চুমদে ফত্তে। ৬। জমদগ্নিনা হায়ঃ অশ্বমেধনচিংবা যজ্ঞ চাময়ক তৌরবসু, বাজপেয়যজ্ঞ কয়ারক হল্লা তৌরবসু উশাদা মমৈ মকোক ওন্ননা য়াম্বহুনা তপস্যা ব্রত তৌরবসু মচাক মরল খোং চৈ ময়াঙ কায়ন থম্নবা ধর্মশালা কয়া খোল্লিহুনা থম্নবসু, পূকচেল শেংনবু তৌত্রবাদ, হায়রিবা শুভকর্মশিং অসিবা করিমত কান্নবা ওইরোই। অহোয়নহুম লৈখা তাননবগী, নরক তাননবগী ময়মহুম ওইগনি। করিনমো হায়ববু যজ্ঞ, সত্য (অচুম্ব ভাঙবা) অহুগা থম্মোয় শেংবা হায়বা পোশক অহুম অসি মগুণ চপ মান্নে। হায়রিবা অহুমসিগী মনুংদসু হৃদয়শুদ্ধি (থম্মোয় পূকচেল শেংবা) হায়বসিনা খ্বাহদগী অথোইবনি * ।১৭-১৮।

---

* টীকা :—অহংকার (বাপল) থোয়বা, লেম্বা, চাউথোকপা অহুগা মিংচংকীদমক তৌরিবা পুম্বা জীব (জীবাত্মা) সিবু তামসিক ওইবা মথুম্না কূপশিনবনি। জীবসিবু তামসিক ওইবা দেহ (কুয়োম) দা থাজিনখিনবগী থবকনি, পাপকর্মনি। ঈশেংত শেংহুনা লৈজবা জীব (জীবাত্মা) বু মাংথোকপনি। ধর্মগী পরিপন্থীনি য়েরুবনি। "আজিজীবিষন্তি যে লোকা, যশঃ কাম ধনার্থিনঃ। তে সর্বে পাপিন শৈচব, ধর্মস্য পরিপন্থিনঃ" হায়বা শাস্ত্রদা ইরি। (কালাচাঁদ)

শুদ্ধেন মনসা দত্ত্বা স্বল্পমপ্যন্বহং দ্বিজাতয়ে। ব্রহ্মলোকমনুপ্রাপ্তঃ পর্য্যাপ্তং তন্নিদর্শনম্ ॥১৯॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যামনুশাসন পর্বণি দানধর্ম পর্বণি দেবরহস্যে সপ্তবিংশত্যধিকশততমোঽধ্যায়ঃ ॥ × ॥ × ॥

—ঃ(*)ঃ—

মমাঙৈগী রানি, মবুকচেল শেংনা, কলাকল করিমত পামদনা, নিকাম ওইনা য়াম (বেশন, চেঙ) খুজোক অমতং সের অমতং লাম্নহা ব্রাহ্মণদা দান তৌখিবা মী অম ব্রহ্মলোক (বৈকুণ্ঠ) দা কাখি। খুদমসিমতনা হৃদয়শুদ্ধিগী মহত্ব (মহিমা মহাত্ম্য) গী মতীক চাওবা, য়াম্বু য়াম্মবা খুদমনি ॥১৯॥

মকম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোক লিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা অনুশাসন পর্বদা দানধর্মপর্বদা দেবতারহস্যগী চামকুস্তরেংশুবা অধ্যায় লোইরে ॥ × ॥ × ।

—ঃ(*)ঃ—

মণিপুরী মহাভারত

অষ্টাবিংশত্যধিকশততমোঽধ্যায়:

[বায়ুদেবতানা ধর্মাধর্ম (ধর্ম-অধর্ম) গী অথুপ্পা তত্ত্ব তাকপা]

চামকুন্নিপালগুবা অধ্যায়

—:(•):—

বায়ুরুবাচ

কিঞ্চিৎ ধর্মং প্রবক্ষ্যামি মানুষাণাং সুখাবহম্ । সরহস্যাশ্চ যে দোষাস্তাঞ্ছৃণুধ্বং সমাহিতাঃ ॥১॥
অগ্নিকার্য্যং চ কর্ত্তব্যং পরমান্নেন ভোজনম্ । দীপকশ্চাপি কর্ত্তব্যঃ পিতৄণাং সতিলোদকঃ ॥২॥
এতেন বিধিনা মর্ত্ত্যঃ শ্রদ্দধানঃ সমাহিতঃ । চতুরো বার্ষিকান্ মাসান্ যো দদাতি তিলোদকম্ ॥৩॥
ভোজনং চ যথাশক্ত্যা ব্রাহ্মণে বেদপারগে । পশুবন্ধশতস্যেহ ফলং প্রাপ্নোতি পুষ্কলম্ ॥৪॥
ইদং চৈবা পরং গুহ্যমপ্রশস্তং নিবোধত অগ্নেবু বৃষল্যো নেতা হবির্মূঢাশ্চ যোষিতঃ ।৫॥
মন্যতে ধর্মং এবোত স চাধর্মেণ লিপ্যতে । অগ্নয়স্তস্য কুপ্যন্তি শূদ্র যোনিং স গচ্ছতি ॥৬॥

বায়ুদেবনা হায় : তাইবং মীগী মুঙাইনবা অমদি মঙ্গল ওইননবগীদমক্তা ঐ ধর্মগী মরু ওইবা তত্ত্ব খরদং হায়গে অমগা মসুংদা থুপ্পা লৈরিবা দোষ অমসু হায়গে । পূমমক পুক্নীং চঙনা তাবিয়ু ॥১॥ নুমিৎ খুদিংগী অগ্নিহোত্র (যজ্ঞ) তৌগদবনি । শ্রাদ্ধগী মমিত্তা শ্রাদ্ধগী তত্ত্ব খঙবা উত্তম ওইবা (অথোইবা) ব্রাহ্মণদা ভোজন কৎকদৌবনি : পিতৃলোকতা লৈরিবশিংগীদমক্তদি দীপদান অমদি চেঙ থোইদিংগা ঈশিংগা লোয়ননা তর্পন তৌগদবনি ॥২। শ্রদ্ধা ভক্তি অমদি পুক্নীং চঙবগা লোয়ননা ঈঙা ঈঙেল থমাল লাংবন থা মরি চুপ্পা চেঙ থোইদিংগা লোয়ননা পিতৃলোকতা জলাঞ্জলি (তিলাঞ্জলি) কত্থনা তর্পন তৌরবদি পোলহল্লবদি অমুগী তুংগী বেদজ্ঞ ওইবা, বিদ্বান্ পণ্ডিত ওইবা ব্রাহ্মণদা অঙম্বা থরনা ভোজন কৎলবদি যজ্ঞ মথল মথল পুল্লপ পাঙথোকপগী মহৈ ফংগনি ।৩-৪। অমুগা হায়রিবা তত্ত্ব কর্মশিং অসিগী মসুংদা লৈরিবা দোষ অমুগা নিন্দা তৌননীঙায় ওইনা লৈরিবা দোষ অমুসু তাও। কনাগুম্বা শূদ্র অমনা ব্রাহ্মণগী অগ্নিহোত্রগী মৈ অমুবু মাগী করিগুম্বা থবক অমগীদমক অতোপ্পা মকম অমদা পুহনা চৎপ্রবদি অমুগা পঙলবী, মীনা হায়বা ইন্দবী মুপীনা যজ্ঞগী হাবিষনচিংবা অচাথক অমুবু পুহনা চৎপ্রবদি যজ্ঞ তৌরিবা যজমান কর্মধারী অমুগী মথক্তা অগ্নিদেবনা মৈথোক্না শাউই । অমুগুম্বা কর্মধারী অমু শূদ্রগী মপোক্তা পোকই ॥৫-৬॥

পিতরশ্চ ন তুষ্যন্তি সহ দেবৈর্বিশেষতঃ। প্রায়শ্চিত্তং তু যৎতত্র ক্রবতস্তন্নিবোধমে ॥৭॥
যং কৃত্বাতু নরঃ সম্যক্ সুখী ভবতি বিজ্বরঃ। গবাং মূত্রপুরীষেণ পয়সাচ ঘৃতেন চ ॥৮॥
অগ্নিকার্য্যং ত্র্যহং কুর্য্যান্নিরাহারঃ সমাহিতঃ। ততঃ সংবৎসরে পূর্ণে প্রতিগৃহ্ণন্তি দেবতাঃ ॥৯॥
হৃষ্যন্তি পিতরশ্চাস্য শ্রাদ্ধকাল উপস্থিতে। এষ হ্যধর্মো ধর্মশ্চ সরহস্যঃ প্রকীর্তিতঃ ॥১ ॥
মর্ত্যানাং স্বর্গকামানাং প্রেত্য স্বর্গসুখাবহঃ ॥১১॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যামনুশাসন পর্বণি দানধর্ম পর্বণি
দেবরহস্যে অষ্টাবিংশত্যধিকশততমোঽধ্যায়ঃ ॥ × ॥ × ॥

—:(*):—

অদুগুম্বা চেকশিন্দবা মহাক্কী মথক্তা দেবতাশিং অমদি পিতৃলোকনা অথাব মীৎয়েংনা যেংঙি। মহাক্না তৌবা করিগুম্বা থবক্তা শূকপেন পেন্দে। অসিগুম্বা বিষয়দা দোষ অসি কোক্লনবা প্রায়শ্চিত্তগী রা অদুম্ন তাও। হায়গে ॥৭॥ হায়রিবা প্রায়শ্চিত্তগী অনুষ্ঠান অসিবু নীংথিনা পাঙথোক্লবদি দোষ ভৌগ্নিবদুগী দোষ অদু কোক্ত্না মুংঙাই য়াইকবা কংঙি। ব্রাহ্মণ, ক্ষত্রিয়, বৈশ্যবু ওইরবদি কর্মধারী ওইগ্নিবা মহাক অদুনা চাদ থক্তনা মুমিৎ হুম্নি চুপা, পূক্ষ্ং চঙনা হংগোইবা করি মত তৌদনা শঙ্গী, শনয়ুং, শঙ্গোম যীতনা অগ্নিদা আহুতি পীগদবনি। অদুম তৌদুনা চহী অম পুন্না কায়বা তুং অদুতদা মহাক্না কৎলিবা যজ্ঞদান অদু দেবতাশিংনা লৌই। মহাক্না মতুংদা তৌরকপা শ্রাদ্ধ কর্মশিং অদুদা দেবতাশিংনা পেনবি ॥৮-৯॥ অদুম তৌদুনা এনা অথুপ্পা ধর্ম অমদি দোষ লৈবা অধর্ম কর্মগী তত্ত্ব অদু হায়রবনি। স্বর্গগী মুংঙাইরবা ভোগবু কংনিংবশিংনা, হায়রিবসিগী মতুং ইন্না থবক পুন্নমক তৌরবদি, শিরব তুংদা স্বর্গগী মুংঙাইবা পুম্বা ভোগ তৌরুই ॥১০-১১॥

মকম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোক লিশিং চামদা ব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা অনুশাসনপর্বদা
দানধর্মপর্বদা দেবরহস্যগী চামকুন্নিপালগুবা অধ্যায় লোইরে ॥ × ॥ × ॥

—(: ✻):—

মণিপুরী মহাভারত

একোণত্রিংশদধিকশততমোঽধ্যায়ঃ

(লোমশ মুনিনা ধর্মগী রহস্য তাকপা)

চামকুম্মাপলশুবা অধ্যায়

—:(*):—

লোমশ উবাচ

পরদারেষু যেসক্তা অকৃত্বাদারসংগ্রহম্। নিরাশা পিতরস্তেষাং শ্রাদ্ধকালে ভবন্তিবৈ ॥১॥
পরদাররতির্যশ্চ যশ্চ বন্ধ্যামুপাসতে। ব্রহ্মস্বং হরতে যশ্চ সমদোষা ভবন্তিতে ॥২॥
অসম্ভাষ্যা ভবন্ত্যেতে পিতৄণাং নাত্রসংশয়ঃ। দেবতাঃ পিতরশ্চৈষাং নাভিনন্দন্তি তদ্ধবিঃ ॥৩॥
তস্মাৎ পরস্য বৈ দারাংস্ত্যজেৎ বন্ধ্যাং চ যোষিতম্। ব্রহ্মস্বং হি ন হর্তব্যমাত্মনো হিতমিচ্ছতা ॥৪॥
শ্রূয়তাং চাপরং গুহ্যং রহস্যং ধর্মসংহিতম্। শ্রদ্দধানেন কর্ত্তব্যং গুরূণাং বচনং সদা ॥৫॥

লোমশনা হায় :—বিবাহ (লুহোংবা) তৌদনা হায়বদি মশাগী মুপী লৈতনা, অতোপ্পগী মুপীদা পুক্নীং চঙহনা লৈবা মী অহনা তৌবা পিতৃ মাতৃ শ্রাদ্ধদা মপা মপুনা য়াম্ন হৈনিংদে, মমায় লৈখোকই ॥১॥ অতোপ্পগী মুপীদা পুক্নীং চঙবা, অপূংবী মুপীগা সঙ্গ (সম্ভোগ) তৌবা, ব্রাহ্মণগী মরল হুরানবা—হায়রিবা অহুম অসি দোষ পাপ লৈবা চপ মান্নে ॥২॥ মখোয় অসি মপা মপুগী মীৎয়েংদা চিন্নোক্লনা ঙাওনবা (য়ান্নী য়াতাই শান্নবা) কাওবদা মতীক চাত্রবা মীশক ওইনা উই। মাসিদা করিমত চিংনকয় লৈত্রবনি। দেবতাশিংনা অমদি পিতৃলোকনা, অসিগুম্বা মীশক্না তৌবা শ্রাদ্ধনচিংবদা মমীৎমক্না হয় য়েংদে ॥৩॥ মরম অহনা, মশাগী মজল ওইবা, মাইকবা পাম্ব মীনা অতোপ্পগী মুপীদা আসক্তি থম্বা, অপূংবী মুপীগা শম্নবা, অহুপা ব্রাহ্মণগী মরল হুবা—অহুম অসি থক তৌকদে ॥৪॥ য়াম্ন শন্বা, অথুম্বা ধর্মগী তত্ত্ব, অম হায়রগে—ঈপা ঈম্বা লাইগুরুজনশিংগী আজ্ঞা (য়াথং) বু ভক্তি শ্রদ্ধাগা লোয়ননা ঙাকদবনি। শ্রদ্ধাগা লোয়ননা তৌরিবা কর্মদুনি "শ্রাদ্ধ" হায়রিবসি ॥৫॥

দ্বাদশ্যাং পৌর্ণমাস্যাং চ মাসি মাসি ঘৃতাক্ষতম্ ।
ব্রাহ্মণেভ্যঃ প্রযচ্ছেত্ত তস্য পুণ্যং নিবোধত ॥৬॥
সোমশ্চ বর্দ্ধতে তেন সমুদ্রশ্চ মহোদধিঃ ।
অশ্বমেধচতুর্ভাগং ফলং সৃজতি বাসবঃ ॥৭॥
দানেনৈতেন তেজস্বী বীর্য্যবাংশ্চ ভবেন্নরঃ ।
প্রীতশ্চ ভগবান্ সোম ইষ্টান্ কামান্ প্রযচ্ছতি ॥৮॥
শ্রূয়তাং চাপরো ধর্মঃ সরহস্যো মহাফলঃ ।
ইদং কলিযুগং প্রাপ্য মনুষ্যাণাং সুখাবহঃ ॥৯॥
কল্যমুত্থায় যো মর্ত্যঃ স্নাতঃ শুক্লেন বাসসা ।
তিলপাত্রং প্রযচ্ছেত ব্রাহ্মণেভ্যঃ সমাহিতঃ ॥১০॥

তিলোদকং চ যো দদ্যাৎ পিতৃণাং মধুনা সহ । দীপকং কৃসরং চৈব শ্রূয়তাংতস্য যৎ ফলম্ ॥১১॥
তিলপাত্রে ফলং প্রাহ ভগবান্ পাকশাসনঃ । গোপ্রদানং চ যঃ কুর্য্যাৎ ভূমিদানং চ শাশ্বতম্ ॥১২॥
অগ্নিষ্টোমং চযো যজ্ঞং যজেত বহুদক্ষিণম্ । তিলপাত্রং সহেতেন সমং মন্যন্তি দেবতাঃ ॥১৩॥
তিলোদকং সদা শ্রাদ্ধে মন্যন্তে পিতরোঽক্ষয়ম্ । দীপে চ কৃসরে চৈব তুষ্যন্তেঽস্য পিতামহাঃ ॥১৪॥

থা খুদিংগী দ্বাদশী অমদি পূর্ণিমাদা ব্রাহ্মণদা ঘী থবগা কোয়েনা চেঙ হরায় দান তৌগদবনি । মাসিনা করি পুণ্যফল ফংবগে হায়রবদু হায়গে তাও ॥৬॥ হৌজিক দায়প্রবা দান অদুনা মরম ওইদুনা চন্দ্রমা অমদি মহোদধি (সমুদ্র) গী বৃদ্ধি ওই। দান তৌরবা দাতা অদু ইন্দ্রযাগ (ইন্দ্রযজ্ঞ) অদুগা অশ্বমেধ যজ্ঞগী ফল ফংই । ৭॥ দান অদুগী মহৈনা দাতা অদু তেজ লৈবা মশা মউ ফবা মীশক অমা ওই । ভগবান্ চন্দ্রদেব , দাতা অদুগী নীংব পুম্বা থুংহল্লি ॥৮॥ অদুগা চাউরবা মহৈ পীনবা, অথুপ্পা ধর্মগী তত্ত্ব অ-মুক হায়গে তাও । কলিযুগতা পোক্লবা মীশিংদা মুংঙাইনবগী মশকত ওইবগী ব নি ॥৯॥ অয়ুক ওন্তা স্নান তৌরগা, তরু তরুনা শেংনা, ফর্জে শেত্তুনা ব্রাহ্মণদা থোয়দি থম ফংঙা পাত্র দান তৌবদি, অদুগা পিতৃলোকতনা খোইহৌগা লোয়ননা তিলদান (থোয়দ দান) দীপদানগা লোয় না খিচড়ী (খেচ্রী) দান তৌরবদি মাদুগী ফল (মহৈ) অদু হায়গে তাও ১০-১১ ॥ ভগবান্ ইন্দ্রনা তিল দানগী মহৈ অদু অসুম্না হায় :—মুমিৎ খুদিং গোদান, ভূমিদান (লম লৌবী হংখোল কৎপা), দক্ষিণা চাউনা অগ্নিষ্টোম কৌবা যাগ (যজ্ঞ) তৌবা অসিনচিংবা পুণ্যকর্ম তৌবগী মহৈ অদুগা চপ মান্নবা ফল অদু তিলপাত্র দান তৌরিবা মী অদুনা অদুম ফংই ॥১২-১৩। পিতৃলোকতা থোয়মিংগা লোয়ননা জলাঞ্জলি কৎপা মীদুদা পিতৃলোকনা অমাঙ অতা লৈত্রবা মহৈ পী । দীপদানগা লোয়ননা খিচড়ী দানদা মপা মপুবা ওয়োল্লা পেল্লি ॥১৪॥

স্বর্গে চ পিতৃলোকে চ পিতৃদেবাভিপূজিতম্। এবমেতন্ময়োদিষ্টমৃষিদৃষ্টং পুরাতনম্ ॥১৫॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যামনুশাসনপর্বণি দানধর্মপর্বণি লোমশরহস্যে একোণত্রিংশদধিকশততমোঽধ্যায়ঃ ॥ × ॥ × ॥

—:(*):—

কুইরবা, থুম্নবা ধর্ম কর্মগী মহৈ অসি ঋষিমুনিশিংনা মমীৎবা চপ চানা উৎবনি। অসিগুম্বা দাতাবা স্বর্গলোক, দেবলোক পিতৃলোকনচিংবা মফমদা সম্মান (ঈকায় খুম্নবা) বু ফংঙি। ধর্মগী অকুপ্পা তত্ত্ব, থরুসি এৈনা হায়রবনি ॥২৫॥

মফম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোক লিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা অনুশাসন পর্বদা, দানধর্ম পর্বদা, লোমশরহস্যগী চামকুমাপানগুবা অধ্যায় লোইরে ॥ × ॥ × ॥

—:(*):—

মণিপুরী মহাভারত

ত্রিংশদধিকশততমোঽধ্যায়:

(অরুন্ধতী, ধর্মরাজ (যম) অমদি চিত্রগুপ্তনা ধর্মগী অথুপ্পা তাকপা)

চামকুহ্ৰাগুব অধ্যায়:

—:(*):—

ভীষ্ম উবাচ

ততস্ত্বৃষিগণাঃ সর্বে পিতরশ্চ সদেবতাঃ। অরুন্ধতীং তপোবৃদ্ধামপৃচ্ছন্ত সমাহিতাঃ ॥১॥

সমানশীলাং বীর্যেণ বসিষ্ঠস্য মহাত্মনঃ। ত্বত্তো ধর্মরহস্যানি শ্রোতুমিচ্ছামহে বয়ম্।

যত্তে গুহ্যতমং ভদ্রে তৎপ্রভাষিতুমর্হসি ॥২॥

অরুন্ধত্যুবাচ

তপোবৃদ্ধির্ময়া প্রাপ্তা ভবতাংস্মরণেন বৈ। ভবতাং চ প্রসাদেন ধর্মান্ বক্ষ্যামি শাশ্বতান্ ॥৩॥

সগুহ্যান্ সরহস্যাংশ্চ তান্‌শৃণুধ্বমশেষতঃ। শ্রদ্দধানে প্রযোক্তব্যা যস্যশুদ্ধং তথামনঃ ॥৪॥

অশ্রদ্দধানো মানীচ ব্রহ্মহা গুরুতল্পগঃ। অসম্ভাষ্যা হি চত্বারো নৈষাং ধর্মঃ প্রকাশয়েৎ ॥৫॥

ভীষ্মনা হায়ঃ নিংথৌ যুধিষ্ঠির! অহুগী ভুংদা, ঋষি মুনি দেবতাশিংনা, তপস্যাদা থাক রাংনা লৈরবী তপস্বিনী ওইরবী অহুগা তপস্যাগী শক্তি, শীল স্বভাব লমচৎ ব্যবহারদা বসিষ্ঠমকা চপ মান্নরবী অরুন্ধতীদা অস্নুম্না হায়রকই মঙ্গলগী মশক ওইরবী! ঐখোয় তপস্যা কল্লবী নহাক্তী নচীন্দগী ধর্মগী অকুপ্পা তত্ত্ব খরদং তাজনীত্তিও। নহাক্তী রাখল অমদি মীৎয়েংদা খাইদগী হেন্না অথুপ্পা ওইবা ধর্মগী তত্ত্বছ চানবিহনা তাকপিয়ু ॥১-২॥ অরুন্ধতীনা হায়:—দেবতা পুন্নমক! ময়াম্না ঐবু নীংশিংবিরকপসিতদা ঐগী তপস্যাগী অমুক হেন্না চাওখৎপা হায়বহু অহুম মওইরে। লাইয়াম থিবিক্তী কৃপানা অকুপ্প ধর্মগী তত্ত্বছ খরদং ওাওব শকপা ওমজগদৌরিবনি। রায় পুক্রীং চওবা ভাবিয়ু। তত্ত্ব অসি, ভক্তি শ্রদ্ধা লৈবা, মপুক্রীংদা লৌথুপ লৌকোই কব্রিমত লৈথিত্রবা, মবুকচেল শেংলবা মীশিংতদা তাহনগদবনি ॥৩ ৪॥ শ্রদ্ধা লৈতবা, মশাদা থোয়বা লেমথোকপা লৈরিবা, ব্রাহ্মণদা হিংসা তৌবা, ওঝাগী গুরুগী লোয়নবীদা নত্তবা শাজৎ চৎপা—হায়রিবা মীশক মরিসিগা মায় ওস্থিন্নহনা রারী শাবা রা ওাওনব ক্লাওবা তৌরোইদৌবনি। মখোয়সিদা ধর্মগী অথুপ্পা রাম্নু খক তাহল্লোইদৌবনি ॥৫॥

অহন্যহনি যো দদ্যাৎ কপিলাং দ্বাদশীঃ সমাঃ।
মাসি মাসি চ সত্রেণ যো যজেত সদানরঃ ॥৬॥
গবাং শতসহস্রং চ যো দদ্যাজ্জ্যেষ্ঠপুষ্করে।
ন তদ্ধর্মফলং তুল্যমতিথি র্যস্য তুষ্যতি ॥৭॥
শ্রূয়তাং চাপরো ধর্মো মনুষ্যাণাং সুখাবহঃ।
শ্রদ্দধানেন কর্তব্যঃ সরস্যো মহাফলঃ ॥৮॥
কল্যমুত্থায় গোমধ্যে গৃহ্য দর্ভান্ সহোদকান্। নিষিঞ্চেত গবাংশৃঙ্গে মস্তকেন চ তজ্জলম্ ॥৯॥

চহী তরানীথোই চুপ্পা, মুমিৎ খুদিংগী শল রোংমানবী অমমম ব্রাহ্মণদা দান তৌবা, থা খুদিংগী সত্রযাগ তৌবা, জ্যেষ্ঠপুষ্কর তীর্থদা চত্তুনা ব্রাহ্মণশিংদ শল লাখ (লখা) অম দান তৌবা, অসিগুম্বা মীশিংসিনা ফংগদবা পুণ্যকর্মগী ফল অদুমক্রুসু, মযুমদা লাকপা অতিথিবু নীংব কাম্বনা হুম্মলখিদনা তরাম তরাম্না তৌবা সেবা পূজানা পুমপেল পেলহন্না চৎহনখিবা মীহুনা ফংবা মহৈহুগা পান্দম্মব য়াদে। অতিথি সেবাগী মহৈনা য়াম্ন হেন্নি * ॥৬-৭॥ তাইবং মীগী য়াম্ন মুংঙাইনকম ওইবা মঙ্গলগী মশক ওইবা, ধর্মগী অথুপ্পা তত্তুহু অদুগা মাহু পাঙথোকপগী ফল (মহৈ) অদুসু অথুপ্পা তত্তুগা লোয়ননা তাবিয়ু। মাসি ভক্তি শ্রদ্ধাগা লোয়ননা পাঙথোককম থোকই ॥৮॥ অয়ুক ঙন্তা হৌগত্তুনা, হকচাং শেংদোক্লবা, কুশ খরা পাম্বরগা ঈশিংগা লোয়ননা শম্বীশিংগী মরক্তা (শঙ্গোন্দা) চঙশিনখিগদৌবনি। শম্বীশিংগী মকোক্তা মচিদা ঈশিংহু থীকাদৌবনি। মাহুদগী শিঙ্গরকপা ঈশিংহু কোক্তা চাইখৎকদব ন। মাহুগী মুমিৎ অহু চম্বা হেনগদৌবনি। অসিগুম্বা পুণ্য কর্মসিবু তৌরিবা মীহুনা ফংবা মহৈহুসু তাবিয়ু ॥৯॥

---

* টীকা :—তাইবং মীগী পেনবা হায়বসি, দানপদার্থ (দানগী পোৎ) অদুনা পীগদবা নত্তে। "পেনবা", হায়বসি মনুংগী থম্মোয়গী পোশকনি। সনা লুপাদি, শল শগোল্লচিংবদি মপানগী ভৌতিক ওইবা পোশক ঙাক্তনি। ভৌতিক ওইবা পোশক মথে অনিত্যনি। অদুনা, মখোয়সিনা পীবা সন্তোষ (পেনবা) হায়বহুসু অনিত্যনি। ওহাক্তং নোংমতং লৈরম্বনি। মশাদা অহংকার কম্বিমত য়াওদনা, ঈকাইবা, হংগোইবা পুম্বা থাদোক্লনা করিগুম্বা অচা-অথক খরদং ফংগনি হায়বগী আশাদা চঙজরক্লিবা অতিথি অমবু পেলহনবসি ভৌতিক ওইবা সন্তোষ অহু নত্তে। লাম্লবা অতিথি অদুতগী রা নত্তে; জীব (দেহী) সিগী দেহদা লৈরিবা মীৎ নাকোংনচিংবা ইন্দ্রিয় পুম্নমক্তা, অদুদগী হেন্দোক্লনা তুখোং তুখোং খুদিংদা অধিষ্ঠাত্রী দেবতা কয়া কয়া লৈরিবনি। অদুনা দেবতা ময়ামহুসু অতিথিহুগী মশাদা অরাম খৌরাংবা ফংবা য়াওরি। অদুনা লাম্লবা অতিথি অমতবু পেলহনবা হায়বসি দেবতা পুম্নমকপুহু পেলহনবনি। অদুনা "সর্বদেবময়োঽতিথিঃ" হায়নম্বিবসিনি। (কালাচাঁদ)

প্রতীচ্ছেত নিরাহারস্তস্য ধর্ম ফলং শৃণু। শ্রূয়ন্তে যানি তীর্থানি ত্রিষু লোকেষু কানিচিৎ ॥১০॥
সিদ্ধচারণ জুষ্টানি সেবিতানি মহর্ষিভিঃ। অভিষেকঃ সমস্তেষাং গবাং শৃঙ্গোদকস্য চ ॥১১॥
সাধু সাধ্বিতি চোদ্দিষ্টং দৈবতৈঃ পিতৃভিস্তথা। ভূতৈশ্চৈব সুসংহৃষ্টৈঃ পূজিতাসাপ্যরুন্ধতী ॥১২॥

পিতামহ উবাচ

অহো ধর্মো মহাভাগে সরহস্য উদাহৃতঃ। বরং দদামি তে ধন্যে তপস্তে বর্ধতাং সদা ॥১৩॥

যম উবাচ

রমনীয়া কথা দিব্যা যুষ্মত্তো যা ময়া শ্রুতা। শ্রূয়তাং চিত্রগুপ্তস্য ভাষিতংমম চ প্রিয়ম ॥১৪॥
রহস্যং ধর্মসংযুক্তং শক্যং শ্রোতুং মহর্ষিভিঃ। শ্রদ্দধানেন মর্ত্যেন আত্মনো হিতমিচ্ছতা ॥১৫॥
ন হি পুণ্যং তথা পাপং কৃতং কিঞ্চিৎ বিনশ্যতি। পর্বকালে চ যৎ কিঞ্চিদাদিত্যং চাধিতিষ্ঠতি ॥১৬॥
প্রেতলোকং গতে মর্ত্যে তৎতৎ সর্বং বিভাবসুঃ। প্রতিজানাতি পুণ্যাত্মা তচ্চ তত্রোপযুজ্যতে ॥১৭॥
কিংচিৎ ধর্মং প্রবক্ষ্যামি চিত্রগুপ্তমতং শুভম্। পানীয়ং চৈব দীপং চ দাতব্যং সততং তথা ॥ ৮॥

মরোল অদুমদা কাওরবা, দেবগন্ধর্ব ঋষিশিংনা সেবন তৌনরিবনি হায়দুনা হেক লৈরিবা তীর্থ পুম্নমক্তা স্নান তৌরুবগী মহৈ অদু, শঙ্খীগী মচিদগী তারকপা, শিঙ্গরকপা ঈশিংবু হুকচাংদা কোকতা চাইখৎদুনা স্নান তৌবশিংদুনা অদুম মকংতি ॥১০-১১॥ অরুন্ধতীনা হায়বা রাসি তাবদা দেবতাশিং, পিতৃবর্গশিং, অদুগা অতাবা জীবপুম্না ওম্বোক্লা পেন্নখি। সাধু সাধু অসুম হায়না লাউনরদুনা অরুন্ধতীবু হন্না হন্না থাগৎনখি ॥১২॥ ব্রহ্মানা হায়রকই—মহাধন্যনি, অরুন্ধতী! নহাক্লা ওসি মহা থুপশ্রবা ধর্মগী তত্ত্ববু ঐখোয়দা তাহল্লে। ঐনা বর পীরি; নহাকী তপস্যা অমদি তপস্যাগী শক্তিসি চাওখৎপগী মখক্তা মথং মথং চাওখত্তুনা লৈবা ওইরসনু ॥১৩॥ যমরাজনা হায়রকই—দেবতাশিং অদুগা মহর্ষি পুম্নমক! ময়ামগী চান্দগী, ওসি ঐনা নাংথিজরবা মমল রাম্নবা রা ওাক্ত তাজবা কংলে। অদুগা চিত্রগুপ্তগী অমদি ঐগীসু থর অমুক তাবিয়ু ॥১৪॥ ধর্মগী অকুপ্পা তত্ত্বসিবু মহর্ষিশিংনসু মতাবিবা য়াই। মথাগী মঙ্গল ওইবা, য়াইফনা লৈবা পাম্বশিংনসু তাগদবনি ॥১৫॥ পুণ্য কর্মবু ওইরবসু, পাপকর্মবু ওইরবসু অনীমকী অফকত্ত মহৈ অদু, ভোগ তৌত্রিমখৈ, চাত্রিমখৈ, থক মাঙলোই, তুমখিরোই। মতুংদা কত্রবা কর্ম, পাপকর্ম তৌরক্রবসু, অহানবদা পাপকর্ম তৌত্রিঙৈদা তৌখিবা দান ধর্মগী পুণ্য ফল অদু থক মাঙলোই। অহানবদা থজিক্ত ওইরবসু তৌখিবা দান অদো, সূর্য্যদেবগী নাক্ত য়ৌই। অদুগুম্বা মীনা প্রেতলোকতা য়ৌখিব মতমদা সূর্য্যদেবনা, মহাক্লা তৌরম্বা দান অমদি দানগী মহৈ অদু মতোম্বা শিরৈ, পী। মাদুবু, প্রেতলোকতা লৈখিবা পুণ্যাত্মশিংনা উপভোগ তৌই চায় ॥১৭॥ হৌজিক, ঐ অমুক, চিত্রগুপ্তগী মত অদুগী মতুংইন্না, মঙ্গল ওইগদবা ধর্ম য়াদু হায়জগে। জলদান দীপদান হায়বসি তত্তনা তৌগদবনি ॥১৮॥

উপানহৌ চ ছত্রং চ কপিলা চ যথাতথম্ ।
পুষ্করে কপিলা দেয়া ব্রাহ্মণে বেদ পারগে ॥১৯॥
অগ্নিহোত্রং চ যত্নেন সর্বশঃ প্রতিপালয়েৎ ।
অমং চৈবা পরো ধর্মশ্চিত্রগুপ্তেন ভাষিতঃ ॥২০॥
ফলমস্য পৃথক্তেন শ্রোতুমর্হন্তি সত্তমাঃ ।
প্রলয়ং সর্বভূতৈস্তু গন্তব্যং কালপর্য্যায়াৎ ॥২১॥
তত্র দুর্গমনুপ্রাপ্তাঃ ক্ষুত্তৃষ্ণাপরিপীড়িতাঃ ।
দহ্যমানা বিপচ্যন্তে ন তত্রাস্তিপলায়নম্ ॥২২॥

অন্ধকারং তমো ঘোরং প্রবিশন্ত্যল্প বুদ্ধয়ঃ। তত্র ধর্মং প্রবক্ষ্যামি যেন দুর্গানি সন্তরেৎ ॥২৩॥
অল্পব্যয়ং মহার্থংচ প্রেত্য চৈব সুখোদয়ম্ । পানীয়স্য গুণ্যা দিব্যাঃ প্রেতলোকে বিশেষতঃ ॥২৪॥
তত্র পুণ্যোদকা নাম নদী তেষাং বিধীয়তে । অক্ষয়ং সলিলং তত্র শীতলং হ্যমৃতোপমম্ ॥২৫॥
সতত্র তোয়ং পিবতি পানীয়ং যঃ প্রযচ্ছতি । প্রদীপস্য প্রদানেন শ্রূয়তাং গুণাবিস্তরঃ ॥২৬॥
তমোঽন্ধকারং নিয়মং দীপদোন প্রপশ্যতি। প্রভাং চাস্য প্রযচ্ছন্তি সোমভাস্করপাবকাঃ ॥২৭॥

খোঙ্‌প, খুরুম ছত্র (ছাতীন য়েম্পাক) অদুগা শম্বী য়োংমানবীবু দান তৌবা হায়বসি বিধি কায়দনা তৌগদৌবনি। পুষ্কর তীর্থদা বেদজ্ঞ ওইবা ব্রাহ্মণদা কপিলাগোদান তৌগদবনি। নোংমগী অগুম্বা অগ্নিহোত্র (যজ্ঞ) নিয়ম নাইনা অদুম তৌদুনা লৈগদবনি ॥১৯। অসি নত্তবা, অতোপ্পা ধর্মগী রাকম অমসু চিত্রগুপ্তনা হায়। মাদুবু তোঙাল তোঙান্না তমজগে। সাধু সন্ত ওইবশিংনা তাবিয়ু ॥২০-২১॥ তৌরবা পাপকী মহৈনা, লাওঙমত্রবা নরক তারবা জীবদু অরাম খৌরাংবনা প্রোক প্রোক চাজুনা মৈসুংদা ভোই। মহাকী মতম অদুদা চেম্থোক্লীংঙায় করিগুম্বা উপায় অমত লৈতে ॥২২॥ মবুদ্ধি থেম্বা মীডনা নরককী মহা অরাবগী মশক অমম্বদা তাদুনা লৈ। অদুগা অমমদুদগী লাম্থোক্লবা উপায় অদু হায়গে ॥২৩॥ লীকোল খুজীং ঈচঙ চঙদবা চঙবা তারবসু খজিক্কনা অদুম য়াবা, কংবা তোংবগী শক্তি রায় য়াম্বা, ধর্মগী রাকমনি। মাদুবু পাঙখোক্লবদা, শিরবতুংদ(প্রেতলোকতা দুংঙাইবা কংভি। ঈশিং হায়বগী গুণসে য়াম্ন চাউই। দিব্যগুণ লৈ। প্রেতলোকতদি গুণগী শক্তকতনা অখোইবা গুই ॥২৪॥ প্রেতলোকতা পুণ্যোদকা কৌবী তুরেল অম লৈ। তুরেল অসি যমরাজগী পুরদা খাইনা থঙনবা অম ওইনা লৈবীনি। থুম্নবা ঈংলবা কংবা নাইত্রবা ঈশিংনা তত্তনা থম্না চেন্সুনা লৈবীনি ॥২৫॥ মর্ত্যলোক-সিদা জলদান তৌরবা মী মহাক অদু প্রেতলোকতা পুণ্যোদকা কৌবী তুরেল অদুগী হাউরবা থুম্নবা ঈশিং অদু থক্লুই। দীপদানগী খাইদগী অহেনবা ফল অদু অমুক তারিয়ু ॥২৬॥ দীপদান তৌবা মী মহাক অদু নরককী অমমদুদা অমুক তারক্রে। মকমদুদা মঙোন্দা চন্দ্র, সূর্য্য, অগ্নিদেবনা মঙাল পী। ২৭॥

দেবতাশ্চানুমন্যন্তে বিমলাঃ সর্বতোদিশঃ।
তোতদে চ যথাঽদিত্যঃ প্রেতলোক গতোনবঃ ॥২৮॥

তস্মাৎ দীপঃ প্রদাতব্যঃ পানীয়ং চ বিশেষতঃ। কপিলাং যে প্রযচ্ছন্তি ব্রাহ্মণে বেদ পারগে ॥২৯॥
পুষ্করে চ বিশেষণ শ্রূয়তাং তস্য তৎ ফলম্। গোশতং সবৃষং তেন দত্তং ভবতি শাশ্বতম্ ॥৩০॥
পাপং কর্ম চ যৎ কিংচিৎ ব্রহ্মহত্যাসমং ভবেৎ। শোধয়েৎ কপিলা হ্যেকা প্রদত্তংগোশতং যথা ॥৩১॥
তস্মাৎ তু কপিলা দেয়া কৌমুদ্যাং জ্যেষ্ঠপুষ্করে। ন তেষাং বিষমং কিংচিৎ ন দুঃখং ন চ কণ্টকাঃ ॥৩২॥
উপানহৌ চযো দদ্যাৎ পাত্রভূতে দ্বিজোত্তমে। ছত্রদানে সুখাং ছায়াং লভতে পরলোকগঃ ॥৩৩॥
নহিদত্তস্য দানস্যনা শোঽস্তীহ কদাচন। চিত্রগুপ্তমতং শ্রুত্বা হৃষ্টরোমা বিভাবসুঃ ॥৩৪॥
উবাচ দেবতাঃ সর্বা পিতৃংশ্চৈব মহাদ্যুতিঃ। শ্রুতং হি চিত্রগুপ্তস্য ধর্মংগুহ্যং মহাত্মনঃ ॥৩৫॥

দেবতাশিংনসু মর্ত্ত্যলোকতা লৈবা মীনা দীপদান তৌবসি য়াম থাগৎলি। দীপদাতাশিংবু য়াম তস্লাম ব্যবহার তৌই। মথোয়গী জীবাত্মানা হয়েং কাথৎলকপা পাইথৎলকপা মতমদা মায়গৈ পুম্বা পুমতাল ভানগনি। অমম্ব করিমত লৈরোই। সূর্য্যদেবগী মতানগা একাকার ওইথিদুনা জগৎ শেম্বা য়াওমিয়রুনি ॥২৮॥ মরমদুনা যাগযজ্ঞ ধর্ম কর্মগী থবক্তা জলদান দীপদান তৌগদৌবনি। বিশেষ ওইনা হায়রবদা পুষ্করতীর্থদা বেদজ্ঞ ওইবা ব্রাহ্মণদা কপিলা গোদান (শম্বী য়োংমানবী দান) তৌবগী মহিমা অমদি কল অদুসু ভাবিয়ু। দান অসিগী মহৈদি, শন্নাবা চামগা লোয়ননা শম্বী চাম দান তৌবগী মহৈগা, পুষ্করতীর্থদা শম্বী য়োংমানবী অমতং দান তৌবগী মহৈগা চপ মান্নৈ ॥২৯-৩০॥ ব্রহ্মহত্যা (ব্রহ্ম হিংসা ব্রাহ্মণ হাৎপা) গা চপ মান্নবা পাপকর্ম তৌরুরবা পাপী অদুগী দোষ (পাপ) অদু, বেদজ্ঞ ব্রাহ্মণদা কপিলা গোদান অমত্তনা কোকহনবা ঙম্মি। মরমদি, শম্বী চামা দান তৌবগা, কপিলা গোদান অমতগা চপ মান্নৈ। হায়বদি, ব্রহ্মহত্যা তৌরবদি শম্বী চাম দাননা প্রায়শ্চিত্ত ওইনৈ। জ্যেষ্ঠপুষ্কর তীর্থদা, কার্ত্তিককী পূর্ণিমাদা কপিলা গৌ (শম্বী) গী দান তৌগদবনি ॥৩১॥ শ্রেষ্ঠ (অথোইবা), সুপাত্র (মতীক চাবা, যোগ্যপাত্র) ওইবা ব্রাহ্মণদা উপানহ (খোঙ্গুপ খুরুম) দান তৌরবা মী মহাক অদুগীদি মহাক্তা চৎলুবা স্থান (মফম) অদুদা অরা অনা খুদোং থীবা থক লৈরোই। অদুগা অন্নাবা হুরুচাংদা শীবা শীক্তা অমত কংলোই। লম্বীদা থাঙ তা, তীথং শৌনচিংবনা শীগদবা চৈনা অমত কংলোই। ছত্র (ছাতীন য়েম্পাক) দান তৌবা দাতানা, মুংশা কণ্ডথোক্না শারবা, লৈতোইলম মরুভূমি কাওবদা ঈংশবা মুংতাইরবা ছায়া (উরুম) ফংগনি ॥৩২-৩৩॥ মর্ত্ত্য অসিদা তৌবা দান অমতগী মহৈ, অরেম্বদা থক মাঙবা লৈতে। চিত্রগুপ্তগী মত অসি তাবদা দেবতাশিংগী মরক্তা য়াওরিবা সূর্য্যদেবগী মশাদা হরাউ মুংতাইবগী চুক্লুংবা পোকখি। মহাতেজস্বী ওইরবা সূর্য্যদেবনা দেবতাশিং অমদি পিতৃলোক্তা লৈবশিংদা হায়রকই—ময়ামা চিত্রগুপ্তগী মত অসি ময়েক লাবা তাবিরে ॥৩৪-৩৫॥

শ্রদ্দধনাশ্চ যে মর্ত্যা ব্রাহ্মণেষু মহাত্মসু। দানমেতৎ প্রযচ্ছন্তি ন তেষাং বিদ্যতে ভয়ম্‌ ॥৩৬॥
ধর্মদোষাস্ত্বিমে পঞ্চ যেষাং নাস্তীহ নিষ্কৃতিঃ। অসম্ভাষ্যাঅনাচারা বর্জনীয়া নরাধমাঃ ॥৩৭॥
ব্রহ্মহা চৈব গোঘ্নশ্চ পরদাররতশ্চ যঃ। অশ্রদ্দধানশ্চ নরঃ স্ত্রিয়ং যশ্চোপজীবতি ॥৩৮॥
প্রেতলোকগতা হ্যেতে নরকে পাপকর্মিনঃ। পচ্যন্তে বৈ যথা মীনাঃ পূয়শোনিত ভোজনাঃ ॥৩৯॥
অসম্ভাষ্যাঃ পিতৄণাংচ দেবানাং চৈব পঞ্চতে। স্নানকানাংচ বিপ্রাণাং যে চান্যেচ তপোধনাঃ ॥৪০॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যামনুশাসন পর্বনি দানধর্মপর্বনি
অরুন্ধতীচিত্রগুপ্তরহস্যে ত্রিংশদধিকশততমোঽধ্যায়ঃ ॥ X ॥ X ॥

—:(*):—

বেদজ্ঞ, জ্ঞানী ওইবদা ব্রাহ্মণদা করিগুম্বা অমতং, পুন্নীং শেংনা, ভক্তি শ্রদ্ধাগা লোয়ননা দান ভৌবা মী মহাক অদুগী করিগুম্বা বিষয়দা কিকম খুদোং থীকম অমত লৈতে ॥৩৬॥ অদুবু, হৌজিক অমুক হায়গদৌরিবা দোষ (পাপ) মন্ডা অসি মশাদা লৈরবা পাপীদুগী উদ্ধারগী উপায় লৈতে। পাপ মন্ডা অসি লৈরগা মীদুগদি চিন্নোক্লদুনা রারী শাব কাওবা য়াদ্রে। নত্রবদি পাপ য়াওরমদবা মহাক অদুসু পাপ অদু অদুম পুগনি ॥৩৭॥ ব্রাহ্মণ হাৎপা, শল হাৎপা, পরস্ত্রীগতদা তুংভাইথোক্লীংবা (মীগী নুপীশিংডগা সঙ্গ তৌনিংবা), বেদশাস্ত্রনা তাকপা উপদেশবু থাজদবা শ্রদ্ধা থমদবা, নুপীগী মপান তাংদুনা মাদুনা জীবিকা ওইবা — মন্ডা অসি প্রায়শ্চিত্ত প্রতীকার লৈত্রবা দুরা চারন ॥৩৮॥ অসিগুম্বা পাপ কর্মী অসিবু প্রেতলোকতা চৎগ্রগা নরকতা মৈথক্তা থম্বা থাং মথক্তা ভাবু ভৌবা মূলহনবদুগুম্না যম (ধর্মরাজ) না ভৌহল্লি ॥৩৯॥ অসিগুম্বা পাপীশিংসিগা দেবতা, পিতৃবর্গ, দেবজ্ঞ ব্রাহ্মণ অমদি তপস্বী মহর্ষিশিংনা রারী রাতার কাওবা শাম্নরোইদৌবনি ॥৪০॥

মকম অসিদা শ্রীমহাভারতদা, শ্লোক লিশিংচামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা অনুশাসন পর্বদা
দানধর্ম পর্বদা অরুন্ধতী চিত্রগুপ্ত সংবাদগী কুন্থ্রাগুবা অধ্যায় লোইরে॥ X ॥ X ॥

—:(*):—

মণিপুরী মহাভারত

একত্রিংশদধিকশততমোঽধ্যায়ঃ

(প্রমথগণ দেবতাশিং ধর্মাধর্মগী রহস্য ভাওনরকপা মতাং)

চামকুহ্মাথোইশুবা অধ্যায়ঃ

—:(*):—

ভীষ্ম উবাচ

ততঃ সর্বে মহাভাগা দেবাশ্চ পিতরশ্চ হ।
ঋষয়শ্চ মহাভাগাঃ প্রমথান্ বাক্যমব্রুবন্ ॥১॥
ভবন্তো বৈ মহাভাগা অপরোক্ষনিশাচরাঃ।
উচ্ছিষ্টানশুচীন্ ক্ষুদ্রান্ কথং হিংসথ মানবান্ ॥২॥
কে চ স্মৃতাঃ প্রতীঘাতা যেন মর্ত্ত্যান্ নহিংসথ। রক্ষোঘ্নানি চ কানি স্যুর্যৈর্গৃহেষু প্রণশ্যথ
শ্রোতুমিচ্ছাম যুষ্মাকং সর্ব্বমেতন্নিশাচরাঃ ॥৩॥

ভীষ্মনা হায় :—নিংথৌ। যুধিষ্ঠির। অসিগী তুংদা পুকচেল চাউরবা, মরাররক করবা দেবতা, পিতৃবর্গ, মরাররক করবা মহর্ষিশিংনা প্রমথশিংদা অসুম হাযরকই :—॥১॥ দেবতাশিং মহর্ষিশিং ঐখোয়দগী হেন্না অচারম চাননবা শক্লক রায় কংলবশা। নখোয় প্রমথশিংদি মীৎমক্লা উবা নিশাচর (অহিংদ কোয়চৎ চৎ চৎতুনা চীঙ্গাক থিবা, হিংচাবা হিংন চাবা হিংসা তৌবা) মশুনি। হায়য়ু, শেংদ্রবা, মাংলবা লুখাক অহুগা মাংলবা শূদ্রগুম ওাকবু হাংলগা করিগীদমক নখোয়গী চীঙ্গাক ওইরি? ॥২॥ মী অমনা থাজিনকপা পোশেম থৌরাংবু ওাকথোক্রবা, ওহিন্দুনা লমন থুমনবা হোৎনবা অহুওনশিংগী আশ্রয় লৌহনা লৈবশিংবুনি নখোয়না হিংসা তৌদে। হায়বদি, করম্বা হৌকাপ য়াইকাপ ওাকথোক ওম্বশিংবু নখোয়না হিংসা তৌদে। অহুওম্বা হিংচা য়াইতম্বা নখোয়বু ওম্বা রক্ষোয় মন্ত্র অসি করিনো? মাহুবু শোন্নবদি নখোয়সে, শোন্নিবা ঈমুং অহুদা অহুম তুমথি মাওথিব্রা? নত্রগা কিহুনা চেনথিব্রা? অহিংদা কোয়চৎ চৎপা, হেন্নোই ওায়োয়শুম্বা নিশাচারনা। ঐখোয়, মাসি, নখোয়গী নচীম্নকুগী তানীংঙি ॥৩॥

প্রমথা উচুঃ

মৈথুনেন সদোচ্ছিষ্টাঃ কৃতে চৈবাধরোত্তরে।
মোহান্মাংসানি খাদেত বৃক্ষমূলে চ যঃ স্বপেৎ ॥৪॥
আমিষং শীর্ষতো যস্য পাদতো যস্য সংবিশেৎ।
তত উচ্ছিষ্টকাঃ সর্বে বহুচ্ছিদ্রাশ্চ মানবাঃ ॥৫॥
উদকে চাপ্যমেধ্যানি শ্লেষ্মাণং চ প্রমুঞ্চতি।
এতে ভক্ষ্যাশ্চ বধ্যাশ্চ মানুষা নাত্র সংশয়ঃ ॥৬॥
এবং শীলসমাচরান্ ধর্ষয়ামোহি মানবান্।
শ্রূয়তাং চ প্রতীঘাতান্ যৈর্ন শক্নুম হিংসিতুম ॥৭॥
গোরোচনাসমালেভো বচাবৃহস্তশ্চ যো ভবেৎ। ঘৃতাক্ষতং চ যো দদ্যান্মস্তকে তৎ পরায়ণঃ ॥৮॥

প্রমথশিংনা অসুম্না হায়রকই :—মুপী নহাশিংগা কাহেন্না শম খোৎনবতনা মশিঙাং ওইহনখিবদগী মশাদা রোগ লাক্তুনা, লৌখৎপ য়াত্রবা কীভমদা মশাদা দোষ লৈরবা, অহল্লমন গুরুজনশিংবু নমহত্তুনা অপমান পীবা চোপহনবা, শাহিং শদুম চাবা, অশেং অমাং খঙদনা উগী উরাদা মোনখাংনহুনা য়াহীপ্পা, অশেম্বা শাহিং ভাহিংগী ময়োমবু মকোকথোংনা পুহনা চৎপা, মকোক থমহুনা মোনখাঙননগদবা মোনদা মখোঙ ওন্থিন্দুনা, মমৈ মকোক ওয়না তূম্বা, আসগুম্বা মীশকশিংসে, উচ্ছিষ্ট শেংত্রবা, অহুগা মশাদা অকায়বা অহোবা, অহুগা মশাদা ছিদ্র য়াম্ন লৈরবা মীশিংহুগী মমুং চল্লি। ঈশিংদা অমাং অশোয় থীমুং কায়জিন হাজিনবা, লোকতিল শিংচিনবা মখোয়হুস্থ উচ্ছিষ্ট শেংত্রবশিংহুগী মমুং চল্লি। অসিগুম্বা মাংলবা মীশকশিং অসি নিশাচর ঐখোয়গী ঈকমদা হিংসা তৌননীংঙাই, হাৎনঙাই অমদি ঐখোয়গী চাননীংঙাই চীজাক ওই *। ৪-৬॥ মথক্তা হায়খ্রিবা দোষ (অহোবা ছিদ্র) শিং লৈবা য়ুম অমুদদি, হীকাপ য়াইকাপ তৌশিল্লকপাশিংহুগী থবক্তা ঐখোয়মু তোংহুনা য়াওশিন্দুনা য়ুম অহুবু নৈহৎপা অরাবা পীবগী থবত্তক্তুদা মতেং পাঙি। অসিগুম্বা ঐখোয়বু ভাকথোক্লবা উপায়, প্রতীকার অহুস্থ অহুম হায়দোকচগে ॥৭॥ মশাদা গোরোচন তৈবা, মীনা থাক্লকপা লাংবু খৈদোক্লবা হীদাক (লাংথৈ) পু শাগোয়হুনা লৈবা, ময়ায়বক্তা ঘী চেঙ নপশিন তৈশিন্দুনা লৈবা, শাহিং ভাহিং চাদবা অহুগুম্বা মীশিংদা ঐখোয়না করিগুম্বা হিংসা অমত তৌবা ঙমদে ॥৮॥

---

* টীকা :—মথক্তা হায়খ্রিবশিংসিগী মমুংগী ভাবতি অসিনি। মথক্তা হায়খিবা দোষশিং অসি করিমত য়াওত্রবা অশেংবা য়ুম অহুদা মীনা তৌশিল্লকপা থবক অহুদ ভূত প্রেত ঐখোয়না মীচঙ ওইদে হায়বনি। (কালাচাঁদ)

যে চ মাংসংন খাদন্তি তান্ন শক্নুবহিংসিতুম্। যস্ত চাগ্নিগৃহে নিত্যং দিবারাত্রৌ চ দীপ্যতে ।।৯।।
তরক্ষোশ্চর্ম দ্রষ্ট্রাশ্চ তত্রৈব গিরিকচ্ছপঃ। আর্জ্যধুমো বিড়ালশ্চচ্ছাগঃ কৃষ্ণোঽথ পিঙ্গলঃ ।।১০।।
যেষাযেতানি তিষ্ঠন্তিগৃহেষু গৃহমেধিনাম্। তান্যধৃষ্যাণ্যগারাণি পিশিতাশৈঃ সুদারুনৈঃ ।।১১।।
লোকানস্মাদ্বিধা যে চ বিচরন্তি যথাসুখম্। তস্মাদেতানিগেহেষু রক্ষোঘ্নানি বিশাম্পতে।
এতৎ বঃ কথিতং সর্বং যত্র বঃ সংশয়ো মহান্ ।।১২।।

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যামনুশাসন পর্বনি দানধর্ম পর্বনি প্রমথরহস্যে একত্রিংশত্যধিকশততমোঽধ্যায়ঃ ।। × ।। × ।।

—:(*):—

হুমিৎ চুম্বা ধুপ থাউমৈতগী মন্তাল মনম্না হাম্বুনা ভান্দুনা লৈবা, মৈদা চেঙ থোইদিংনা তন্তনা হোম তৌদুনা লৈবা, কৈশাল মউন, মতু মকোই, চৌংগী থেঙ্গুগী মশা (হুকচাং-মকু) লৈবা, ঘী থাউমৈগী মন্তাল মনম্না হাম্বুনা লৈবা অদুগুম্বা য়ুম অদুদা মাংস চাবা নিশাচর হিংচা রাইভম্বশিংনা আক্রমন তৌবা ঙমদে ।।৯-১১।। হায়রিবা যুমশিংসিদা ঐখোয় অমদি ঐখোয়গুম্বা অহিং মুংখিন্দা কোয়চৎ চত্তুনা মীগী মাঙন তারুব তৌবশিং অদুনম্ন করিমত তৌবা ঙম্মোই। অদুনা, প্রজাশিংবু ডাকশেন্দুনা লৈবিরিবশিং পুম্নমক! রক্ষোঘ্ন মন্ত্র হায়ববু পোকশিং অসিনা অদুম মওইরে। পোশকশিং অসি য়েংঙু, ঐখোয়দা রাত্তনা লৈরে। নখোয় হন্নো হায়না ঐখোয়দা হায়বা শোনবহুতবুনি, রক্ষোঘ্ন মন্ত্র হায়বসি। অদুনা হায়রিবা পোশকশিং অসি য়ুমদা লোইগদবনি, থমগদবনি। মরাম্না হংবিরিবা, ঐখোয়না চঙবা ঙম্মোইদবা, মন্ত্র মত্র ঐখোয় ঈশামক্না হায়দোকচরবনি ।।১২।।

মকম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোক লিশিং চামদা ব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা অনুশাসনপর্বদা দানধর্মপর্বদা প্রমথরহস্যদা চামকুম্নাথোইগুবা অধ্যায় লোইরে ।। × ।। × ।।

—(: *):—

মণিপুরী মহাভারত

দ্বাত্রিংশদধিকশততমোঽধ্যায়ঃ

(দিগ্‌গজ (মায়গৈ ভাকপা শামু) শিংগী রহস্য অমদি প্রভাবকী মতাং)

চামাকুহ্‌নীথোইগুবা অধ্যায়

—:(*):—

ভীষ্ম উবাচ

ততঃ পদ্মপ্রতীকাশঃ পদ্মোৎভূতঃ পিতামহঃ।
উবাচ বচনং দেবান্ বাসবং চ শচীপতিম্ ॥১॥
অয়ং মহাবলো নাগো রসাতল চরো বলী।
তেজস্বী রেণুকো নাম মহাসত্ত্ব পরাক্রমঃ ॥২॥

অতিতেজস্বিনঃ সর্বে মহাবীর্য্যা মহাগজাঃ। ধারয়ন্তি মহীং কৃৎস্নাং সশৈলবন কাননান্ ॥৩॥
ভবদ্ভিঃ সমনুজ্ঞাতো রেণুকস্তান্ মহাগজান্। ধর্মগুহ্যানি সর্বাণি গত্বা পৃচ্ছতু তত্র বৈ ॥৪॥
পিতামহবচঃ শ্রুত্বা তে দেবা রেণুকংতদা। প্রেষয়ামাসুরব্যগ্রা যত্রতে ধরণীধরাঃ ॥৫॥

ভীষ্মনা হায়ঃ—নিংথৌ। যুধিষ্ঠির। ধম্বালনৈ কারক্তগী পোকপা, ধম্বাল লৈয়াং মচু মানবা লাইরাম্মবুথৌ ব্রহ্মানা লাইরাম অমদি শচীপতি ইন্দ্রদা অম্মা হায়রকই ॥১॥ রসাতলদা লৈবা, মপাঙ্গল থোইনা কল্লবা, শক্তি লৈরবা, মতীক মগুণ মথোনানা তিন্নবা, রেণুক কৌবা শামু অসি হৌজিক সভাসিদা য়াওরি, লৈরি,। মায়গৈ ভাকপা (দিগ্‌গজ) শামুশিংসে, থোইনা মপাঙ্গল কল্লবা, মতীক মগুণ লৈরবমক্তনি। মথোয়, মায়গৈ ভাকপা শামু (দিগ্‌গজ) শিংসিনা চীঙমান্ বন, উপবান থল্লা লৈরিবা পৃথিবী মপুম অসিবু পুরি ॥২-৩॥ তিনবিন্নিবা লাইরাম্না য়াথং পীবিরবদি, লৈরিবা রেণুক কৌবা রসতাল বাসী দিগ্‌গজ অসিনা অতে দিগ্‌গজশিংনা লৈরিবা চত্তুনা ধর্মগী তত্ত্বহু মরাইনা হংজকনি ॥৪॥ পিতামহ ব্রহ্মাগী য়াহ ভাবদা পুক্নীং তম্নবা ব্রহ্মানা থারকপা দেবতাশিংহু রেণুক কৌবা (দিগ্‌গজ (মায়গৈ ভাকপা শামু) বু অতে দিগ্‌গজশিংনা লৈরিবা মফমহুদা থারকই ॥৫॥

রেণুক উবাচ

অনুজ্ঞাতোহস্মি দেবৈশ্চ পিতৃভিশ্চ মহাবলাঃ।
ধর্মগুহ্যানি যুষ্মাকং শ্রোতুমিচ্ছামি তত্ত্বতঃ।
কথায়ধ্বং মহাভাগা যৎ বস্তত্ত্বং মনীষিতম্ ॥৬॥

দিগ্‌গজা উচুঃ

কার্তিকে মাসি চাশ্লেষা বহুলাস্যাষ্টমী শিবা।
তেন নক্ষত্রযোগেন যো দদাতি গুড়ৌদকম্ ॥৭॥
ইমং মন্ত্রং জপন্ শ্রাদ্ধে যতাহারোহ্যকোপনঃ।
বলদেব প্রভৃতয়ো যে নাগা বলবত্তরাঃ ॥৮॥
অনন্তা হ্যক্ষয়া নিত্যং ভোগিনঃ সুমহাবলাঃ।
তেষাং কুলোদ্ভবা যে চ মহাভূতা ভুজঙ্গমাঃ ॥৯॥
তেমেবলিং প্রতীচ্ছন্তু বলতেজোভির্বদ্ধয়ে।
যদানারায়ণঃ শ্রীমানুজ্জহার বসুন্ধরাম ॥১০॥

অসুম হায়না থায়রবা রেণুকনা দিগ্‌গজশিংগী মনাক্তা চৎখিদুনা অসুম্না হায়রকই :—কল্লবা দিগ্‌গজশা! দেবতা ময়ামনা অমদি পিতৃলোকশিংনা ঐবু মখোয়গী নকমদা থারক্লি। নখোয়গী মতদা, ধর্মগী অকুপ্পা তত্ত্ববিচার অদো তাজনীডিও। পুকচেল চাউরবা, লাইবক কন্নবা মায়পৈ ওাকপা শামু পুয়মক! নখোয়গী মতদা লৈবা, ধর্মগী তত্ত্বসি করিনো? ঐঙোন্দা তাহনবিয়ু ॥৬॥ দিগ্‌গজশিংনা হায়রকই :—কার্ত্তিক মাসগী (মেরাগী) কৃষ্ণ পক্ষদা, আশ্লেষা নক্ষত্রনা পুবা, মঙ্গলগী মশক ওইরবা অষ্টমী তিথিদা, চাব থকপ পুম্বা থিংদুনা, অশাউবা পুম্বা থাদোক্তুনা, মথাদা হায়গদৌরিবা মন্ত্র অসিবু পাঠ তৌদুনা শ্রাদ্ধগী দিনদা চিনি অঙাওবগা য়ান্নবা চাকপু দান তৌরবদি ওস্থোক্লা চাউথ্রবা মহৈ ফংঙি ॥৭॥ মন্ত্রদি, মথক্তা মূলদা হায়খ্রিবা নিপালগুবা, মাপলগুবা, তরাগুবা শ্লোক অহুম অদুনি। মখোয় অহুমগী পুক্লপ পুনবা অর্থদি :—"বলদেব (অনন্ত শেষ) নচিংবা কল্লবা শামু ময়াম্না অনন্ত অক্ষয় (অমাঙ অতা লৈতবা) মতোকশিংবু পুরিবা, কল্লবা লিশশিংনা অমদি মখোয়গী কুলদা পোকপা, চাউ শাংলবা নাগ (লিল শামু) শিং অদুনা বলবুদ্ধিগী চাওখৎপা ফংজনবগীদমক্তা কচ্চন্নিবা বলি (পূজাদ্রব্য) অসি লৌবিয়ু। অদুগৈ ভগবান্ শ্রীনারায়ননা সমুদ্র ঈশাকমুংদগী পৃথ্বী অসিবু থাংগৎলকপা মতমদা শ্রীভগবান্‌গী মূর্ত্তিদা লৈখ্রিবা শক্তি পাঙল অদুগী শরুক থর ঐঙোন্দা পীনবিয়ু" অদুম্না মন্ত্র অসি লোনগবদি ॥৮-১০॥

এবমুক্তা বলিং তত্র বল্মীকে তুনিবেদয়েৎ ॥১১॥
গন্ধেন্দ্রকুসুমাকীর্ণং নীলবস্ত্রানুলোপনম্।
নির্বপেৎ তং তু বল্মীকে আস্তং যাতে দিবাকরে ॥১২॥
এবং তুষ্টাস্ততঃ সর্বে অধস্তাদ্ভারপীড়িতাঃ।
শ্রমংতং নাববুধ্যামো ধারয়স্তোবসুন্ধরাম্ ॥১৩॥
এবং মন্যামহে সর্বে ভারার্তা নিরপেক্ষিণঃ। ব্রাহ্মণঃ ক্ষত্রিয়ো বৈশ্যঃ শূদ্রো বাযত্ন্যপোষিতঃ ॥১৪॥
এবং সংবৎসরং কৃত্বা দানা বহুফলং লভেৎ। বল্মীকে বলিমদায় তন্নো বহুফলং মতম্ ॥১৫।
যে চ নাগা মহাবীর্য্যাস্ত্রিষু লোকেষু কৃৎস্নশঃ। কৃতাতিথ্যা ভবেয়ুস্তে শতং বর্ষাণি তত্ত্বতঃ ॥১৬॥

অসুম্না হায়রগা (মন্ত্র অসি শোল্লগা) বলি (পূজাগী পোচ্চেশিং) অদু লৈশৌবুং লৈরঙ অমগী মথক্তা কৎকদবনি (থমগদবনি)। লৈরঙ লৈশৌবুং অদুগী মথক্তা নাগকেশর (নাগেশর) লৈ নত্রগা নাগেশরগী লৈরিক থীকদবনি, চন্দন চাইগদবনি (থীকদবনি) মাদুগী মথক্ত ফিমুনা কুপশিনগদবনি। হায়রিবা পূজাগী দ্রব্য (বলি সামগ্রী) শিংবু লৈশৌবুংগী মথক্ত থম্বগী (কৎপগী) মতমসি মুমিৎ হেক তাপ্রব মতমদুদনি * ॥১১-১২॥ হায়রিবা বলিদান অসিবু ঐখোয় (নাগ-গজ - লিল-শামুশিং) না কংলগা য়ায় পেল্লি। পৃথিবীবু কোকথোং মান পুবগী য়াব চোকথবদু ঈশাদা কাওদে। ঐখোয়না ঈরায় লায়না, ঈরা য়াদনা পৃথিবীগী ভার অসিবু পুদুনা লৈরিবনি। অসুম্না ভার অবি পুরকাওবদা ঐখোয়না কনাগুম্বা অমগী মকমদগী করিগুম্ব। অমত পাম্বা নিনিংবা তৌদে॥১৩॥ ব্রাহ্মণ থওদে, ক্ষত্রিয় বৈশ্য শূদ্র থওদে কনাগুম্বা অমনা উপবাস তৌদুনা, অসুম্না চহী অমা চুপ্পা ঐখোয়দা বলিদান অসি তৌরবদি মাদুগী মহৈ অদু ওন্থেক্লা চাউগ্রে। অসুম্না ঐখোয়গীদমক্তা লৈশৌবুং মথক্তা বলিদান কৎলিবা মী মহাক অদুবু, ঐখোয়দা, ঐখোয়না পাম্ব পোৎ পুম্বা পীরবা মীশক অমনি হায়না লৌই ॥১৪-১৫॥ মরোল অদুম অসিদা হেক লৈরিবা নাগ (লিল শামু) শিংনা হায়রিবা বলিদান অসিবু কংলগা (চারগা) চহী চাম্বা চুপ্পা (লাইগী চহীদা) পুরশিগী মহৈ য়ানবা হায়বদু ওইদুনা লৈ ॥১৬॥

---

* টীকা – হৌজিক তাকলিবা মতাং অসি, হৌজিক হৌজিকমক করি করিগুম্বা দেশ অতৈদা চৎনরিবা তৌনরিবা উপদেবতাশিংবু পূজা তৌনরিবা. থৌরাং তৌনরিবা, লম্বীদা কোম্থোং ময়াদা থৌরাং তৌবগী, শরোয় থাওবগী, লমশেল তুশেনবা লিল নাপীদা থাদোকপগী অনুষ্ঠান অসিনি। হায়রিবা মতাং অসিবু পারগা করি থওবগে হায়রবু অসুম্না তৌরিবা উপচার পদ্ধতি অসি অা মমাঙৈ, যুগ কয়াগী চৎনরক্লবা থবক (বিধি) অমা ওইরবোরে হায়রবসি থওলে। অদুনা অসিগুম্বা থবক্তা শ্রদ্ধা থমদবা থাজদবসি চুমদে। (কালাচাঁদ)

দিগ গজানাং চ তচ্ছ্রুত্বা দেবতাঃ দেবতাঃ পিতরস্তথা।
ঋষযশ্চ মহাভাগাঃ পূজয়ন্তিস্ম রেণুকম্‌ ॥১৭॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যামনুশাসন পর্বণি দানধর্মপর্বণি দিগ্‌গজরহস্যে দ্বাত্রিংশত্যাধিকশততমোঽধ্যায়ঃ ॥ ✕ ॥ ✕ ॥

—ঃ(●)ঃ—

দিগ্‌গজশিংগী মচাস্নশী ঋষি তাবদা পূকচেল চাওরবা দেবতা, পিতর, রেণুকবু হয় হয়া থাগৎথি ॥১৭॥

মকম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোক লিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা অনুশাসন পর্বদা দানধর্মপর্বদা দিগ্‌গজরহস্যগী চামকুন্‌নিথোইশুবা অধ্যায় লোইরে ॥ ✕ ॥ ✕ ॥

—ঃ(●)ঃ—

মণিপুরী মহাভারত

ত্রয়স্ত্রিংশদধিকশততমোঽধ্যায়ঃ

(মহাদেবজীনা তাকপা ধর্মরহস্য)

চামকুন্থ্রাহুমদোইশুবা অধ্যায়

—:(*):—

মহেশ্বর উবাচ

সায়ম্ভুবস্য মুখাত্তিঃ সাধুধর্ম উদাহৃতঃ। ধর্মগুহ্যামিদং শৃণুধ্বমেব এব হ ॥১॥

যেষাং ধর্মাশ্রিতা বুদ্ধিঃ শ্রদ্দধানাশ্চ যেনরাঃ। তেষাং স্যাদুপদেষ্টব্যঃ সরস্তো মহাফলঃ ॥২॥

নিরুদ্বিগ্নস্তু যো দত্যাম্মাসমেকং গবাহ্নিকম্। একভক্তং তথা শ্নীযাচ্ছ্রত্তাং তস্য যৎ ফলম্ ॥৩॥

ইমা গাবো মহাভাগাঃ পবিত্রং পরমং স্মৃতাঃ। ত্রীঁল্লোকান্ ধারয়ন্তি স্ম সদেবা সুরমানুষান্ ॥৪॥

তাসু চৈব মহাপুণ্যং শুশ্রূষা চ মহাফলম্। অহন্যহনি ধর্মেণ যুজ্যতে বৈ গবাহ্নিকঃ ॥৫॥

ময়া হ্যেতা হ্যনুজ্ঞাতাঃ পূর্বমাসন্ কৃতেযুগে। ততোঽহমনুনীতো বৈ ব্রহ্মণা পদ্মযোনিনা ॥৬॥

মহাদেব (মহেশ্বর) না হায় :—দেবতা, পিতর, ঋষি, মহর্ষি নখোয় ময়াম্না মাগী মাগী মতদা লৈবা ধর্মগী রহস্য (অথুপ্পা বা) পুম্বা তোঙাল তোঙাম্না হায়রে। হৌজিক অমুক ঐ (মহাদেব) গী মতকী মতুং ইন্না ধর্মগী অথুপ্পা রাহুস্থ হায়গে তাও ॥১॥ মী মহাক অদুগী জ্ঞান অমদি বুদ্ধিনা ধর্মগী মায়ৈগেতদা ওহিন্দুনা লৈবা, মাদোমদা রায় ভক্তি শ্রদ্ধা লৈবা, অদুগুম্বা মীওইশিংতদা ধর্মগী অকুপ্পা অথুপ্পা তথশিং- শিবু তাহনগদবনি ॥২॥ পুক্নীংদা চিংনবা লাওতরুবা রাওদনা মুমিৎ খুদিংগী শম্বীশিংদা অহাও অথক, মখোয়না পাম্ব চীজাকপু, মশামক চম্না নামত চাহুনা মতম লেনবা মী মহাক অদুনা ফংগদবা পুণ্যফল অদু হায়গে তাও ॥৩॥ শম্বীশিংসে রাম্না মরায়বক করবী, রায় শেংলবী ওাক্তনি হায়না শাস্ত্রনা রানপ্রবনি লৌনপ্রবনি। মখোয়সিনা দেবতা, অসুর অমদি তাইবং মী পুম্নমকা লোয়ননা ময়োল অহুম অসিবু তরুণ পোষন তৌদুনা লৈরিবনি ॥৪॥ অসিগুম্বী শম্বীশিংগী সেবা পূজা তৌবসিগী মহাপুণ্য ফলমত্তা ওইবনি। চাং নাইনা মুমিৎ খুদিংগী শম্বীশিংদা পীজ পীথকপসিমক মুমিৎ খুদিংগী পুণ্য চেলবা মহৈবু পৈশিল্লিবনি ॥৫॥ ঐনা সত্য যুক্তা শম্বীশিংবু ঐগী নাক্তা লৈয়ু হায়না রাথং পীখি। শম্বীশিংসি মংগী নাক্তা থম্মু হায়না ব্রহ্মানা ঐতোন্দ হম্না হম্না হারখি ॥৬॥

তস্মাৎ ব্রহ্মস্থানগতস্তিষ্ঠত্যুপরি মে বৃষঃ। রমেঽহং সহ গোভিশ্চ তস্মাৎ পূজ্যাঃ সদৈবতাঃ ॥৭॥
মহাপ্রভাবা বরদা বরং দদ্যুরুপাসিতাঃ। তাগাবোঽস্যানুমন্যন্তে সর্বকর্মসু যৎফলম্ ॥৮॥
তস্য তত্র চতুর্ভাগো যো দদাতি গবাহ্নিকম্ ॥৯॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যামনুশাসনপর্বনি দানধর্মপর্বনি
মহাদেবধর্মরহস্যে ত্রয়স্ত্রিংশদধিকশততমোঽধ্যায়ঃ ॥ ※ ॥ X ॥

—:(*):—

অহুনা শম্বীশিংগী মরক্তা লৈবা শন্নাবা শঙাওবু ঐমকী কোকথক্তা রথগী ফিয়ান্দা তত্তনা লৈরি। ঐ চুথিৎ চুপ্পা শল শম্বীশিংগী মরক্তা লৈহুনা ওয়োন্না নুংঙাইজে। অহুনা, শম্বীশিংগী সেবা পূজা তত্তনা তৌগদবনি ॥৭॥ শম্বীশিংগী প্রভাব (মতীক মগুণ) অসি য়াম্ন চাউবনি। মখোয়সে বর পীনহৈবী-মক্তনি। অহুনা, মখোয়না পেন্নবদি অপাম্বা বর অদো হেক্তা পীবিবনি। কর্ম থৌদিংমক্তা অপাম্বা নীংজবা মহে অমমম লৈরিবদো শম্বীশিংসিনা অনুমোদন তৌবনি, য়াবনি। অপাম্বত্থু কংবনবা শম্বীশিংনা বর হেক্ত পীবনি। মথক্তা হায়রিহুগুম্না শম্বীশিংদা নুমিৎ থুদিং পীজ পীথক তৌরিবা মী মহাক অদো, গো সেবা পূজাবু বিধি কারদনা তৌবগী মহে অহুগী শরুক মরিগী শরুক অম কংভি ॥৮-৯॥

মকম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোক লিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা অনুশাসন পর্বদা দানধর্ম পর্বদা মহাদেবরহস্যগী চামাকুহুছমদোইগুবা অধ্যায় লোইরে ॥ X ॥ ※ ॥

—:(*):—

মণিপুরী মহাভারত

চতুস্ত্রিংশদধিকশততমোঽধ্যায়ঃ

(স্কন্দদেবনা তাকপা ধর্ম রহস্য, ভগবান্ বিষ্ণু অমদি ভীষ্মনা তৌবা রহস্যগী বর্ণন)

চামকুষ্মামরিশুবা অধ্যায়

—:(•):—

স্কন্দ উবাচ

মমাপাঙ্গমতো ধর্মস্তং শৃণুধ্বং সমাহিতাঃ।

নীলষণ্ডস্য শৃঙ্গাভ্যাং গৃহীত্বামৃত্তিকাং তুয়ঃ ॥১॥

অভি ষকং ত্র্যহং কুর্য্যাৎ তস্য ধর্মং নিবোধত।

শোধয়েদশুভং সর্বমাধিপত্যং পরত্র চ ॥২॥

যাবচ্চ জায়তে মর্ত্যস্তাবচ্ছূরো ভবিষ্যতি।

স্কন্দ (স্বামী কার্ত্তিক) না হায়ঃ—দেবতা পুম্নমক। ঐগী মতদা ঐনা ঈশানা রাজবা থাজবগী মঙ্গং ইরা ধমগী অথুমা রা (তত্ত্ব) থরন্থ পুক্লীং চত্তনা তাবিয়। শঙ্খাবা অশংবগী (অমুবগী) মচীদা পকপা কোৎলুবা লৈপাক অহুনা খিক্তুনা মুম্বিৎ হুরি চুম্না স্নান তৌবা মী মহাক অহুনা ফংগদবা পুণ্যফল অহুনু তাবিয় ॥১॥ অহুগুম্বা মহাক অহুদি মহাক্লা মমাঙৌদগী হেক তৌখিবা পাপ পুম্নমক অহুনগী পুরকোক কেকই। পরলোকতা (মতুংগী মপোক্তা) খাইদগী হেনবা অধিকার পুবা ফংতি। অহুনগী মনুষ্যকনায়া স্নায়রহু শেংলবা ধর্মগী থবক্তা মথৌনা মরিল লৈবা মীশক অম ওইনা প্যোকলে ॥২॥ হৌজিক অমুক অপুম্না ধর্মগী রা অমা তারো। পূর্ণিমা থানা থোরকপা মতমদা কোরীগী পাত্রদা থোক্লীনা রাজবা (থোইহী তোৎলবা) নীংথনা মুম্না থোংলবা অম (চাক) বু বলিদান * তৌরবদি অহুগুম্বা, হাতাহনা ফংবা পুণ্যফল অদো হায়গে তাও। মী অহুনা, হৌজিক তৌরিবা বলিদান অদু,

---

টীকা :—"বলিদান" হায়বসি অয়াম্বনা অর্থ অমতদা পুনৈ। দুর্গা পূজাদা বলি (পূজাত্মক) কংপগী চুরিবা শাক্তসম্প্রদায়গী কনা কনাগুম্বনা ইরোই, হামেং, তাহু থুম্বু কম্নপা ঈশ্বাই তৈরবা হামেং

ইদং চাপ্যপরং গুহ্যং সরহস্যং নিবোধত ॥৩॥

প্রগৃহ্যৌদুম্বরং পাত্রং পক্কান্নং মধুনা সহ। সোমস্যোত্তিষ্ঠ মানস্য পৌর্ণমাস্যাং বলিং হরেৎ ॥৪॥

তস্য ধর্মফলং নিত্যাং শ্রদ্দধানা নিবোধত। সাধ্যা রুদ্রাস্তথাদিত্যাবিশ্বেদেবস্তথাশ্বিনৌ।৫।

মরুতো বসবশ্চৈব প্রতিগৃহ্ণন্তিতং বলিম্। সোমশ্চ বর্ধতে তেন সমুদ্রশ্চ মহোদধিঃ ॥৬॥

এষো ধর্মো ময়োদিষ্টঃ সরহস্যঃ সুখাবহঃ ॥৭॥

বিষ্ণুরুবাচ

ধর্মগুহ্যানি সর্বাণি দেবতানাং মহাত্মনাম্।

ঋষীণাং চৈব গুহ্যানি যঃ পঠেদাহ্নিকংসদা ॥৮॥

শৃণুয়াৎ বানসূয়ুর্যঃ শ্রদ্দধানঃ সমাহিতঃ।

নাস্য বিঘ্নঃ প্রভবন্তি ভয়ং চাস্য ন বিদ্যতে ॥৯॥

যে চ ধর্মাঃ শুভাঃ পুণ্যাঃ সরহস্য উদাহৃতাঃ

শ্রেষাং ধর্মফলং তস্য যঃ পঠেত জিতেন্দ্রিয়ঃ ॥১০॥

চন্দ্রমা (থা) না কংব লৌবত নত্তনা সিদ্ধ সাধ্য, রুদ্র, আদিত্য, বিশ্বেদেব, অশ্বিনীকুমার মরুদগন, অদুগা বসুদেবতাশিংনস্থ লৌই। চন্দ্রমা অমদি সমুদ্রসু মত্তাল অদুগা ঈথক ইপোয়া থোংনা হেন্না করবা চাওথংপা হায়বদু কংতি ।৩-৭। বিষ্ণুনা হায় :—দেবতাশিং, ঋষিশিংনা তাকপিরিবা ধর্মগী অথুপ্পা য়াশিংসিবু শ্রদ্ধা (থাজব) গা লোয়ননা দোষগী মরীক অমত য়াওদনা তারিবশিং অদুসু ধর্মগী থবক পুন্নক য়েথায় থিনগাই লৈতনা পাওথোকপা ওস্নি। করিগুম্বা চীয়ম অমদা অকি-অথংবা কংলোই ॥৮-৯॥ অশেংবা, ধর্ম কর্মগী পূজা বিধিনচিংবগী থবক্তা হৌজক হায়রিবা য়াশিং অদুবু তারিবা নত্রগা পাঠ তৌরিবশিং অদুসু হায়রিবা পুণ্যফল ময়াম অদু, অদুম কংগনি ॥১০॥

ইরোইনচিংবগী ঈ অদুবু রক্তপ্রিয়া (কালী) ওইবী দুর্গাদা দান তৌই কংদি। মাদুত্তবু বলিদান কৌই হায়না লৌনৈ। মাসি লাদ্রি। “বলি” হায়বা শব্দসিগী অর্থদি কংননবা সামগ্রী (পূজা সামগ্রী হৈ-লৈ মনা-মশীং) হায়বত্তনি। শরোয় গারোয়, ভূত প্রেত, লমশেল চুশেনবা উপদেবতাশিংদা, থৌয়াং তৌদুনা অথেনপোৎশিংনচিংবা কংপদুবুসু বলিদান তৌবা কৌই। ঈ নাইনা মচাক (সামগ্রী) ওইদুনা, হৈ লৈনা মচাক ওইদুনা, অথোংবা চাক য়েন্থাংনা মচাক ওইদুনা, মানা মানা চানরিবা চীজাক শা ভানা বলিদান তৌনৈ। বৈষ্ণব সম্প্রদায়গী মীনা বৈষ্ণবী কৌবা দুর্গাগী বলিদান তৌবদা থোঙ্গ্রম, তোবোং, মাইয়েকনচিংবদু কঙ্গপা দান তৌই। ককত্রবদু থায়ত্রবসু য়াই। অদুবু হানেং ইরোই ককপাদুগী মতৌ তমদুনা, কংপা য়াওরি। মাসি, অয়ানবা য়াথম্বীনি। (কালাচাদ)

নাস্য পাপং প্রভবতি নচ পাপেন লিপ্যতে।
পঠেৎবা শ্রাবয়েৎ বাপি শ্রুত্বাবালভতেফলম ॥১১॥
ভুঞ্জতে পিতরো দেবা হব্যং কব্যমথাক্ষয়ম্।
শ্রাবয়ংশ্চাপি বিপ্রান্ পর্বসু প্রযতো নরঃ ॥১২॥
ঋষীণাং দেবতানাং চ পিতৃণাং চৈব নিত্যদা।
ভবত্যভিমতঃ শ্রীমান্ ধর্মেষু প্রযতঃসদা ।১৩॥
কৃত্বাপি পাপকং কম মহাপাতক বর্জিতম্।
রহস্যধর্মং শ্রুত্বেমং সর্বপাপৈঃ প্রমুচ্যতে ॥১৪॥

ভীষ্ম উবাচ

এতৎ ধর্মরহস্যং বৈ দেবতানাং নরাধিপ। ব্যাসোদ্দিষ্টং যথা প্রোক্তং সর্বদেবনমস্কৃতম্ ॥১৫॥
পৃথিবী রত্নসম্পূর্ণা জ্ঞানং চেদমনুত্তমম্। ইদমেব ততঃ শ্রাব্যমিতি মন্যেত ধর্মবিৎ ॥১৬॥

অদুগুম্বা মহাক্কী মথক্তা অমদি পূরীংদা করিগুম্বা পাপ কর্মগী প্রভাব (মফি) অমত ভাব ঙমদে। মহাক্কী পুরীংদু করিগুম্ব পাপকর্মদা চঙ্গশিন্দু হায়বা য়াদে। কৌক্কিক হায়রিবা তত্ত্বশিংসিবু মুক্কিৎ খুদিংগী ভারিবা অদুগা মীওোন্দসু তাহল্লিবা মী মহাক অদুসু, হায়রিবা ধর্ম কর্মশিংসি থাজৈশেংনা তৌবগী মহৈশিংদু চপচানা অদুম মকংঙি। অদুগুম্বা মী মহাক অদুনা হেক হেক তৌরকপা পূজা যজ্ঞগী অনুষ্ঠানগী মহৈ (ফল) অদু অমাঙ অতা লৈতবা হায়বদু ওই। মহাক্না হেক হেক কৎলকপা পূজাদ্রব্য (হব্য-কব্য) মখৈ দেবতাশিং অদুগা পিতৃবর্গ (পিতর) শিংনা হরাও হরাও লৌই॥১১॥ পর্বদিন হেক হেক তারকপদা, থম্মোয় শেংনা, অথোইবা ব্রাহ্মণশিংদা ধর্ম কর্মগী রহস্য ওইবা অথুপ্পা তত্ত্বশিংসিবু তাহল্লিবা মী মহাক অদু দেবতাশিং, ঋষি, পিতরশিংগী মকমদা ঈকায় খুম্নকম ওই। শ্রীসম্পত্তি (সনা লুপা লন্থুম) বু ফংঙি। ধর্মগী থবকত তৌনিংবা মীশক অম ওইরকই ॥১২-১৩॥ ব্রহ্মহত্যানচিংবা মহাপাপ (মহাপাতক) ওইবা অসিগুম্বা পাপকর্মদুমক্তি নত্তবা হুন্নানবনাচিংবা অয়াংবা পাপকী আচরণ তৌরবা মী অদুসু হায়রিবা তত্ত্বশিং অসিবু তারবদি অদুগা মীওোন্দা তাহন্নবদি মহাক্না তৌরবা পাপ অদু কোকনি ॥১৪॥ ভীষ্মনা হায়ঃ—নিংথো! যুধিষ্ঠির! দেবতাশিংনা তাওনখিবা ধর্মগী রহস্যশিং অসে ব্যাসজীনা ঐগোন্দা তাহনখি তদ্বিখি। ঐনা অমুক ঙসি নিংথৌ নঙোন্দা তাহল্লিবসিনি। হায়রিবা তত্ত্বশিংসে দেবলোককী দেবতাশিংমক্না য়াম্ন থরায় য়াওনা লৌনরিবনি। সম্মান তৌনরিবনি ॥১৫॥ হী-থাই মণি মুক্তাবা থয় লৈরবী পৃথিবী মপূম অসিনা মাকল অমদা, ধর্ম তত্ত্বগী জ্ঞান অমদি মহুত্ত পুক্লিনা মাকল অমদা থম্নগা অমীসিগী মম্নংদা অপাম্না অম থম্নগা লৌ হায়রবদি অকোনবগীসি লৌগ-লৌবনি। ধর্মগী তত্ত্ব খঙবশিংনা লোম্লনা য়াকম থোকই। য়াগলবমক্তি ॥১৬॥

মাশ্রদ্দধানাশ্চন নাস্তিকাশ্চন নষ্টধর্মাশ্চন নির্ঘণার।
ন হেতুদুষ্টাশ্চ গুরুদ্বিষোবানানা যেত্তুতারনিবেষ্টমেতৎ ॥১৭॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যামনুশাসনপর্বনি দানধর্মপর্বনি স্কন্দদেবরহস্যং চতুস্ত্রিংশদধিকশততমোঽধ্যায়ঃ ॥ × ॥ × ।

—ঃ(●)ঃ—

মশাদা শ্রদ্ধা ভক্তি লৈতবদাঈশ্বরগী অস্তিত্ব (লৈবা) বু য়ানিংদবা নাস্তিকশিংদা, ধর্মাধর্মগী বিচার লৈতবশিংদা, অয়েম্বদা মহৈ তৌবা কুতর্কবাদীশিংদা, প্রমাণ য়াওদনা মশানা পুন্নিবা যুক্তি অচুদা শীথাও থাওহনা লৈবশিংদা, গুরুবু মানিদবা গুরুগী য়েরুবশিংদা, অচুগা শাগৈ জাৎ চাউরবা হকচাংগী মওং মতৌ ককবগী মশাদা অহংকার লৈবা দেহাভিমানীশিংদা হায়ররিবা ধর্মগী উপদেশশিং অসে থক পীরোইদৌবনি তাহরোইদৌবনি ॥১৭॥

মকম অসিদা শ্রীমহাভারতদা, শ্লোক লিশিংচামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা অনুশাসন পর্বদা দানধর্ম পর্বদা, স্কন্দদেবরহস্যগী চামকুষ্ট্রামরিশুবা অধ্যায় লোইরে। × । × ।

—ঃ(❋)ঃ—

মণিপুরী মহাভারত

পঞ্চত্রিংশদধিকশত তমোঽধ্যায়:

(মখুত্তগী ঈশিং লৌবা মখুৎ চাবা য়াবা য়াদবগী মীশক তাকপগী মতাং)

চামকুপ্‌ মঙাশুবা অধ্যায :

—:(*):—

যুধিষ্ঠির উবাচ

কে ভোজ্যা ব্রাহ্মণস্যেহকে ভোজ্যাঃ ক্ষত্রিয়স্যহ।
তথা বৈশ্যস্য কে ভোজ্যাঃ কে শূদ্রস্য চ ভারত ॥১॥

ভীষ্ম উবাচ

ব্রাহ্মণা ব্রাহ্মণস্যেহ ভোজ্যা যে চৈব ক্ষত্রিয়াঃ।
বৈশ্যাশ্চাপি তথা ভোজ্যাঃ শূদ্রাশ্চপরিবর্জিতাঃ ॥২॥

ব্রাহ্মণাঃ ক্ষত্রিয়া বৈশ্যা ভোজ্যা বৈ ক্ষত্রিয়স্যহ। বর্জনীয়াস্তু বৈ শূদ্রাঃ সর্বভক্ষা বিকর্মিণঃ ॥৩॥
বৈশ্যাস্তু ভোজ্যা বিপ্রাণাং ক্ষত্রিয়াণাং তথৈব চ। নিত্যাগ্নয়ো বিবিক্তাশ্চ চাতুর্মাস্যরতাশ্চ যে ॥৪॥

যুধিষ্ঠিরনা হংজি :—ভরত শাগেগী মুংঙাইনকম লেমকম ওইবা ঈবুধৌ। জগৎ অসিদা, তাইবং মপোক্‌ অসিদা, ব্রাহ্মণনা কনা কনাগী ময়ুমদা চাব-থকপা য়াবা, ক্ষত্রিয়না কনা কনাগী য়ুমদা, বৈশ্য অমদি শূদ্রনা কনা কনাগী চাব থকপা য়াব য়াদব, অসিগী মরমদা তগাইনা তোঙাল তোঙাল তাকপিয়ু ॥১॥ ভীষ্মনা হায় :— ঈবুংঙো। লোক অসিদা, ব্রাহ্মণনা ব্রাহ্মণ ক্ষত্রিয় বৈশ্য অহুম অসিগী য়ুমতা চাগনবনি অতৈ অমমা য়াদে। হায়রিবা দ্বিজাতি অহুম অসিগী অমত্তনা শূদ্রগী য়ুমদা চাবা য়াদে। শাস্ত্রনা নিষেধ তৌই, হায়ই ॥২॥ মতৌ অমুক্না ক্ষত্রিয়না ব্রাহ্মণ ক্ষত্রিয় বৈশ্য অহুম অসিগী য়ুমতা চাগনবনি। চাহেক চাহেকনগী বিচার ঈতৌ তৌবনা মহাক্না চানীংবত চাবা, শাস্ত্রগী নিয়মগী য়াংমদা তৌবা শূদ্রগী অমরু থক চারোইদৌবনি ॥৩॥ অগ্নিহোত্র (যজ্ঞ) তৌবা মীশক অমা, ওইনা লৈবা বৈশ্যগী য়ুমদা অমরু ব্রাহ্মণ ক্ষত্রিয়না অহুম চাগদবনি, চাবা য়াই ॥৪॥

শূদ্রাণামথ যো ভুঙ্‌ক্তে স ভুঙ্‌ক্তে পৃথিবী মলম্। মলং নৃণাং স পিবতি মলং ভুঙ্‌ক্তে জনস্য চ ॥৫॥
শূদ্রাণাং যস্তথা ভুঙ্‌ক্তে স ভুঙ্‌ক্তে পৃথিবী মলম্। পৃথিবীমলমশ্নন্তি যে দ্বিজাঃ শূদ্রভোজিনঃ ॥৬॥
শূদ্রস্য কর্মনিষ্ঠায়াং বিকর্মস্থোঽপি পদ্যতে। ব্রাহ্মণঃ ক্ষত্রিয়ো বৈশ্যো বিকর্মস্থশ্চ পচ্যতে ॥৭॥
স্বাধ্যায়নিরতাঃ বিপ্রাস্তথা স্বস্ত্যয়নে নৃণাম্। রক্ষণে ক্ষত্রিয়ং প্রাহু বৈশ্যং পুষ্ট্যর্থমেবচ ॥৮॥
করোতি কর্ম যৎ বৈশ্যস্তৎ গত্বা হ্যুপজীবতি। কৃষিগোরক্ষ্যবাণিজ্যমকুৎসা বৈশ্যকর্মণি ॥৯॥

অহুগুম্বা দ্বিজ ; ব্রাহ্মণ ক্ষত্রিয় বৈশ্য ; না শূদ্রগী য়ুমদা (শূদ্রগী অন্নবু) চারুরবদি মাহু, পৃথিবীগী, হায়রবদি পৃথিবীদা হেক লৈরিবা জীবজন্তু পূম্নমকী কণ্ড হৌদি থী য়ুংবু চারু থক্লুরবগা অম্মানি ॥৫॥ শূদ্রগী অন্নবু চাবসে পৃথিবী পূম্বগী মলমূত্রবু চাবনি। তাইবং মী অমদি জীব পূম্নমকী থী য়ু'বু চাবনি থকপনি ॥৬॥ শূদ্রগী অন্নবু চাবদি পৃথিবীগী মলমূত্রবু চাবনি। ব্রাহ্মণনু শূদ্রগী অন্নবু চারবাদ পৃথিবীগী থীবু য়ুংবু চাবনি, থকপনি ॥৬॥ ব্রাহ্মণ, ক্ষত্রিয় অমদি বৈশ্যনু শূদ্রনা তৌগদবা মথৌ (ব্যবসায় কারবার) দা পূক্নীং চঙহুনা, লুপ্লুনা লৈরবদি সন্ধ্যা বন্দনা, দেবপূজানচিংবা তৌরবনু, তৌই হায়রবনু মহাকী হকচাং (মশা) অহু নরকতা মৈ ঈকুনা, মৈহুংদা থাজিলহায়গা শেংদোকহল্লুথিগনি। অহুগা শূদ্রগী কর্ম ব্যবসায় কারবারনচিংব তৌরুত্রবগু শাস্ত্রদা তাকপা নিয়মগী বিরুদ্ধদা থবক তৌবা হায়বদি ব্রাহ্মণগী তৌগদবা মথৌ তৌত্রবা ব্রাহ্মণ অহুনু নরকতা (যমপুরদা) মশাহু মৈদা ঈকুনা, মৈগী থাংদা তৌহুনা মুলহল্লি। হায়বদি নরকতা চারুবগী মৈচাক অদো অহুম মকংঙি ॥৭॥ অহুনা মাসি থঙবা ব্রাহ্মণনা বেদশাস্ত্রগী অধ্যয়ন (তম্বা নৈনবা) দা, তাইবং জীবগী মঙ্গল ওইনবগী থবক্তা পূক্নীং লুপ্লুনা লৈনৈ। অহুম্না তৌহুনা লৈজরি শিংগী মথক্তা অন্নাবা ওৎপা নৈবা পীরিবশিং অহুবু ঙাকথোকনবা নৈহৎনবগী থবক তৌবহুনা ক্ষত্রিয়গী মথৌ (ধর্ম) নি। অনীসিনা অহুম্না মাগী মাগী মথৌদা পূক্নীং চঙহুনা লৈরিবগী চাব থুকপগী চীজাক হুমবা গোবানিজ্য কৃষি কর্ম (লৌউবা লম্লোল ঈতীক তৌবা) শুনা বৈশ্যগী ধর্ম (মথৌ) নি। হায়রিবা মাগী মাগী মথৌশিংসি চপ চানা তৌহুনা লৈনগদবনি ॥৮॥ মাগী মাগী মথৌ পাঙথোক্লিবৈদা চাব থকপগী থবক হোৎনহৌদবশিংসিগী জীবিকা ওইহল্লবগী, কৌ চেঙ মহৈ মরোং থোকহন্নবগী থবক্তনা মথৌ ওইরিবা বৈশ্য অহুবু ব্রাহ্মণ ক্ষত্রিয়না হুম্না থক থনবা হৌনদে * ॥৯॥

---

* টীকা :—হম্না, উাশিং থোওইদবা মীংম্নেনা য়েংঙবপা মতমদা, মখোয়গী অরাজন নোমজমল চপ চানা পীরক্লবদা, কংঙকত্রবদা, হায়রিবা বৈশ্যশিং অসিনা অশাউবা ভুক্তোইতবগী কৃষি কর্মনচিংবা মথৌসি থাদোকপা তাঁরক্লবদ, ব্রাহ্মণ ক্ষত্রিয়গাশিং অসিনু জীবিকাগীমমক্তা মাগী মথৌ থাদোকুনা হায়বদি যাগযজ্ঞ তৌবা, লৈপাকপু ঙাকপা, অন্নানববু দণ্ড পীবা অসিনচিংবা থাদোকুনা মশা মশানা জাজল পায়বা তারকপসি মশানা তাবনি। অহুম তৌরক্লবদি রাজ্য অমগী সত্যনাশ সর্বনাশ হায়রবনু শানা তাবনি। (কালাচাঁদ)

শূদ্রকর্ম তু যঃ কুর্য্যাদবহায় স্বকর্ম চ। স বিজ্ঞেয়ো যথা শূদ্রো ন ভোজ্যঃ কদাচন ॥১০॥
চিকিৎসকঃ কাণ্ডপৃষ্ঠঃ পুরাধ্যক্ষঃ পুরোহিতঃ। সাংবৎসরো বৃথাধ্যায়ী সর্ব্বেতে শূদ্রসম্মিতাঃ ॥১১॥
শূদ্রকর্ম স্বথৈতেষু যো ভুঙক্তে নিরপত্রপঃ। অভোজনং ভুঞ্জানং ভয়ং প্রাপ্নোতি দারুণম্ ॥১২॥
কুলং বীর্য্যং চ তেজশ্চ তির্য্যগ্ যোনিত্বমেব চ। স প্রযাতি যথা বৈ নিষ্ক্রিয়ো ধর্মবর্জ্জিতঃ ॥১৩॥
ভুঙ্‌ক্তে চিকিৎসকস্যান্নং তদন্নং চ পুরীষবৎ। পুংশ্চল্যান্নং চ মূত্রং স্যাৎ কারুকান্নং চ শোণিতম্ ॥১৪॥

বিদ্যোপজীবিনোঽন্নং চ যো ভুঙক্তে সাধুসম্মতঃ।
তদপ্যন্নং যথা শ্রৌদ্রং তৎ সাধুঃ পরিবর্জ্জয়েৎ ॥১৫॥
বচনীয়স্য যো ভুঙ্‌ক্তে তমাহুঃ শোণিতং হ্রদম্।
পিশুনং ভোজনং ভুঙ্‌ক্তে ব্রহ্মহত্যাসমং বিদুঃ ॥১৬॥
অসৎকৃতমবজ্ঞাতং ন ভোক্তব্যং কদাচন ॥১৭॥

অদুগা বৈশ্য মহাকন্তু মথৌ থাদোক্লনা শূদ্রগী মথৌ পায়খ্রবদি মহাক শূদ্রমক্তি হায়না খনগদবনি। অদুগুম্বা শূদ্র ওইব্রবা বৈশ্যগী অন্নস্থ মাগী য়ুমদস্থ অন্নভোজন খক ভৌরোইদৌবনি ॥১০॥ হীদাক লাংথক শেমদুনা লারেংবা, শস্ত্র (খুজু খুৎলায়) য়োন্দুনা মাদুতনা মাগী জীবিকা ওইবা, খুলগী খুন্নাকপা (গাংপুরা) ওইবা, যজমানগা মরল চাদুনা মাদুতনা জীবিকা ওইবা পুরোহিত ওইবা মীগী বর্ষফল তাক্লনা (মীগী রাশিচক্র য়েংদুনা চঙ্কাদুমগী মীগী আয়ব্যয় য়েংদুনা) মাদুনা মাগী জীবিকা ওইনবা অদুগুম্বা জ্যোতিষী (পাজী), ঈশ্বরগী তত্ত্ব ভাকপা বেদশাস্ত্র নত্তনা অতোপ্পা কান্নদবা লাইরিক পাদুনা মতম লেনবা অদুগুম্বা ব্রাহ্মণস্থ শূদ্রমক্কা আম্মানি।১১। শূদ্রতনা তৌগদবা কর্ম তৌদুনা লৈবা মীগী মঙ্গদা অন্ন ভোজন (চাক থক্লবা) তৌরবা ঈকায়বা খণ্ডদবা, মী মহাক মহাক অদু, চাহি চাহিদবা খণ্ডনা, অন্নাং অশেং খঙদনা পঙচা চাবগী ক কম থোকপা পাপ অদু পুগনি।১২। অদুগা মাগী শাখৈ, তেজবীর্য্য পুন্নমক মাঙখরক্লনা ধর্ম কর্মগী খবক পূমথা থাদোরক্লবা অদুগুম্বা মী মহাক অদু হুঈ লমহইগুম্বগী তির্য্যক যোনিদা চঙদুনা পোকখি।১৩। লায়েংবা বৈদ্য (মাইবা) গী অন্ন চারুবদা চারুরিবা অন্নদু বিষ্ঠা (খীখুং) মক চারুবগা চপ মান্নে। ব্যভিচারিনী ওইবী হুপী বেশ্যানা পীজবা অন্নদি মুংগা চপ মান্নে। নুং হকুনা লাইশাবা, লাইয়েকপা মীগী অন্নদি ঈগা চপ মান্নে ॥১৪॥ সাধু মহাত্মাশিংনা ঈকায়খুম্নবা অদুগুম্বা মীশক্লা বিদ্যা য়োন্দুনা মাদুনা জীবিকা ওইনরবা ব্রাহ্মণগী অন্নদু শূদ্রগী অন্নগা চপ মান্নে। অদুনা সাধু মহাত্মা ওইবশিংনা মাদু চারোইদৌবনি ॥১৫॥ মশাগী লমচৎ ব্যবহারদা সোনাইরবা, কলঙ্ক লৈরবা মীনা পীজবা পীবা অন্নদো ঈগী হুকথনি হায়রনে। মীতোন্দা চীয়োল খায়োল তৌবা, অমদা অম হায়জিন তৌদুনা খৎনহনবা অদুগুম্বা মীনা পীজবা পীবা অন্নবু চারবদি ব্রহ্মহত্যাগী পাপ পুই। থৌওই উদিত্তনা, তয়াম তত্তাম তৌদুনা পীজবা অমদি পীবা পোৎ অমদি অন্ন অদু খক চারোইদৌবনি ॥১৬-১৭॥

ব্যাধিং কুলক্ষয়ং চৈব ক্ষিপ্রং প্রাপ্নোতি ব্রাহ্মণঃ। নগরীরক্ষিণো ভুক্ত্বা শ্বপচপ্রবণো ভবেৎ ॥১৮॥
গোঘ্নে চ ব্রাহ্মণঘ্নে চ সুরাপে গুরুতল্পগে। ভুক্ত্বান্নং জায়তে বিপ্রো রক্ষসাং কুলবর্দ্ধনঃ ॥১৯॥
ন্যাসাপহারিণো ভুক্ত্বা কৃতঘ্নে ক্লীববর্ত্তিনি। জায়তে শবরাবাসে মধ্যদেশবহিষ্কৃতঃ ॥২০॥
অভোজ্যাশ্চৈব ভোজ্যাশ্চ ময়া প্রোক্তা যথাবিধি। কিমন্যদদ্য কৌন্তেয় মত্তস্ত্বং শ্রোতুমিচ্ছসি ॥২১॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যামনুশাসন পর্ব্বণি দানধর্মপর্ব্বণি
ভোজ্যাভোজ্যান্নকথনং নাম পঞ্চত্রিংশদধিকশততমোঽধ্যায়ঃ ॥ × । × ॥

—:(*):—

অহুগুম্বা অন্নবু চারবা ব্রাহ্মণ অদু, মশাদা রোগ অমা লাক্ না রোগী অমা ওই। অহুগা থর লৈরগা শাগৈ নাত্তে পূবা মৃৎলি। নগররক্ষক ওইবা চৌকীদার সিকাইনচিংবগী অন্ন চারবা মী মহাক অদু চাণ্ডালগা এদানি ॥১৮॥ শল হাৎপা, ব্রাহ্মণ হাৎপা, মুথকপা, ওঝা গুরুগী লোয়নবীদ নত্তবা লমচৎ চৎপা মীগী মুমদা চারু থক্ বা ব্রাহ্মণ অদু, মশাকতু ব্রহ্ম রাক্ষস ওইদুনা কুলরাক্ষসগী শাগৈগী চাওথৎ-হনবা মীশক ওই।১৯॥ মীগী লৌরী ইংথোল লন্ থু থমবা উপায়দা মুথুকে লৌথোকপা, ভৌমিয়ম থত্তবা, অহুগা নপুংসক ওইবা মীগী অন্নবু চারবদি মন জঙ্গলদা লৈবা শবরানবগী পরিবারদা পোকনুই ॥২০॥ কুন্তীনন্দন। যুধিষ্ঠির। কনা কনাগী অন্নবু চাহৈবা, কনা কনাগী মুমদা অন্নবু চাহৈদবা অদুগী মরমদা ঐনা মচা থারনা বিধি কারনা তাক্লবনি, তাহলবনি। হায়নু করি অমুক তানীংগনি ॥২১॥

মকম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোক লিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা অনুশাসন পর্বদা,
দানধর্ম পর্বদা, ভোজ্যাভোজ্যান্নকথনগী (চাহৈবা চাহৈদবা তাকপগী মতাং)
চামাকুমণ্ডাগুবা অধ্যায় লোইরে ॥ × ॥ × ॥

—:(*):—

মণিপুরী মহাভারত

ষটত্রিংশদধিকশততমোঽধ্যায়ঃ

(লৌহৈবা মীগী দান লৌরুবগী, চাহৈবা চারুবগী প্রায়শ্চিত্ত)

চামাক্কুং তরুকশুবা অধ্যায়

—:(*):—

যুধিষ্ঠির উবাচ

উক্তাস্তু ভবতা ভোজ্যাস্তথাভোজ্যাশ্চ সর্বশঃ। অত্র মে প্রশ্নসন্দেহস্তন্মে বদ পিতামহ ॥১॥

ব্রাহ্মণানাং বিশেষেণ হব্য কব্য পরিগ্রহে। নানাবিধেষু ভোজ্যেষু প্রায়শ্চিত্তানি শংস মে ॥২॥

ভীষ্ম উবাচ

হন্ত বক্ষ্যামি তে রাজন্ ব্রাহ্মণানাং মহাত্মনাম্। প্রতিগ্রহেষু ভোজ্যেষু চ মুচ্যতে যেন পাপ্মনঃ ॥৩॥

ঘৃতপ্রতিগ্রহে চৈব সাবিত্রী সমিদাহুতিঃ। তিলপ্রতিগ্রহে চৈব সমমেতৎ যুধিষ্ঠির ॥৪॥

মাংসপ্রতিগ্রহে চৈব মধুনো লবণস্য চ। আদিত্যোদয়নং স্থিত্বা পূতো ভবতি ব্রাহ্মণঃ ॥৫॥

যুধিষ্ঠিরনা হায় :—ঈবুঙো। ঈবুঙোনা চাহৈবা চাহৈবগী মরমদা তশাইনা তাকপিরে। অদুগা ঐনা তিনেরা শঙ্কানীংবা মতাং অম লৈরে। মাহ্ ঈবুঙোনা অমুক্তা তাকপির ॥১॥ হব্য কব্যনচিংবা পূজাগী মখল পূরুসি বিশেষ অমনা ব্রাহ্মণশিংনা কৎথৈ। অদুগা ব্রাহ্মণশিংনা লৌনৈ। লৌবগী ভুংবদা হায়রকপা মতাং অনিশুবা লোবদ ঈবুঙোনা তাকপিরক্লগী মতুং ইন্না হায়গে। থোকখিবা পাপ লোথোকপা অসি লৌকপা ইন্না মরাবরোইদ্রা? হায়রবদি, পাপশিং অদু কোকপগী প্রায়শ্চিত্তশিং অদুগী মরমদা য়াম্না তাকপির ॥২॥ ভীষ্মনা হায় : ব্রাহ্মণশিংনা লৌরৈবা চাহৈবা চারু লৌরুবগী লাকপা পাপ লোথোকপা অদু কোকপগী প্রায়শ্চিত্তশিংগী মরমদা ঐ মথং মথং হায়রগে, তাও ॥৩॥ যুধিষ্ঠির! ব্রাহ্মণনা ঘৃতচাক্কী মীগী দান লৌরবদি গায়ত্রী মন্ত্র পাম্বুনা অগ্নিদেবতাদা হোম তৌগদবনি। থোইদিং থাউ লৌরবদি, মহুৎ অতোপ্পা হায়বদা প্রায়শ্চিত্ত অসি অমুক মতৌগদবনি। মী লৌরবা থাউ লৌবগী চল মাইগী ॥৪॥ অদুগী মরু, থোইদিং, থুমগী দান লৌরবদি লৌরবা মতমদগী নুমিৎ লোকচারা ক্ষমতা কাওবা তুমিদা লেপ্লুনা লৈগদবনি। অদুম তৌরবদি অমা অদু কোকই ॥৫॥

কাঞ্চনং প্রতিগৃহ্যাথ জপমানো গুরুশ্রুতিম। কৃষ্ণাজিনং চবিবৃত্তং ধারয়ন্ মুচ্যতে দ্বিজঃ ॥৬॥
এবং প্রতিগৃহীতেহথ গুরে রত্নে তথা স্ত্রিয়াম্। এবমেব নরশ্রেষ্ঠ সুবর্ণস্য প্রতিগ্রহে ॥৭॥
অন্নপানপ্রতিগ্রহে চৈব পায়সেক্ষুরসে তথা। ইক্ষুতৈলপয়সাং ত্রিসন্ধ্যং নিমজ্জনম্ ॥৮॥
ব্রীহৌ পুষ্পে ফলে চৈব জলে পিষ্টে যবেষু তথা। যাবকে দধিদুগ্ধে চ সাবিত্রী শতশোহন্বিতাম ॥৯॥
উপানহৌ চচ্ছত্রং চ প্রতিগৃহ্যৌর্ধ্বদেহিকে। জপেচ্ছতং সমাযুক্তস্তেন মুচ্যেত পাপমনাঃ ॥১০॥

ক্ষেত্রপ্রতিগ্রহে চৈব গ্রহসূতকয়োস্তথা।
ত্রীণি রাত্রাণ্যুপোষিত্বা তেন পাপাৎ বিমুচ্যতে ॥১১॥
কৃষ্ণপক্ষে তু যঃ শ্রাদ্ধং পিতৃণামশ্নুতে দ্বিজঃ।
অন্নমেতদহোরাত্রাৎ পূতো ভবতি ব্রাহ্মণঃ ॥১২॥
ন চ সন্ধ্যামুপাসীত ন চ জাপ্যং প্রবর্তয়েৎ।
ন সংকিরেৎ তদন্নং চ ততঃ পূয়েত ব্রাহ্মণঃ ॥১৩॥

সনাগী দান (সুবর্ণ দান) লৌরবদি গায়ত্রী মন্ত্র জপ তৌরগা ঈহাও হাওবা অচৌকপদা রোংকী চৈত্র পায়রনা, ওহাক্তং লৈরবদি দোষ অহু কোকই ॥৬॥ ঙিগা অথোইবা! যুধিষ্ঠির! মতৌ অসুমা সুবর্ণদান লৌরগী প্রায়শ্চিত্ত মতৌ অসি; অন্ন, কিরোল, কচ্ছ। মন্ত্র অমদি চুহীগী দান লৌরবগীসু অসুম মতৌপন্নবনি ॥৭॥ চু (চুগাং), প্রাউ, খুশরী দান লৌরবদি ত্রিকাসস্নান (অয়ুক-নুমিৎয়ুংবা নুমিদাংবাইরম অহুমক ঈরুবা) তৌগদবনি। কৌ, উটৈহ-বাহৈ লৈ পু ঈশিং তলখা শজোম মহীগী দান লৌরবদি গায়ত্রী মন্ত্র চামরক শোরগা প্রায়শ্চিত্ত তৌগদবনি ॥৮–। শ্রাদ্ধদা কৎপা, থোড়্প খুকম হাটীনগী দান লৌরবদি পুরীং অনী লৌওদনা গায়ত্রী মন্ত্র চামরক খোনগদবনি। অসুম তৌরবদি, দানশিং অসি লৌরবগী দোষ অহু কোকই ॥ ০॥ চন্দ্রগ্রহণ নত্রগা সূর্যগ্রহণগী নুমিত্তা অমদি গ্রহণ তৌদি-কৈদা অহুগা অশৌচাবস্থাদা (মাংভৈদা) কর্মাগুম্বা অমগী দান লৌরবদি অহিং (নুমিদাং) অহুম চরা হেন্নগা দোষ অহু কোকই। মাসিনা দোষ প্রায়শ্চিত্ত ওই ॥১১॥ কৃষ্ণ পক্ষদা শোনবা পিতৃ শ্রাদ্ধগী অন্ন (তর্ন কর্মদাগী কোলানচিংবা) চারম্বদি অহিং নুংথিল (নোংম পুং) লেপ্লগা দোষ অহু কোকই ॥১২॥ শ্রাদ্ধগী অন্ন চারবা ব্রাহ্মণ অসি সন্ধ্যা বন্দনী, গায়ত্রী জপ অহুগা নোংমগী চরা অনী চাবাহ থাদোক্লবদি। মাসিনা দোষ অহুগী প্রায়শ্চিত্ত ওই ॥১৩॥

---

* টীকা – নোংমা পুরা উপবাস (চরা হেনবা) লৌ বাদি হন্নাবো। ঃ অসুমদি শ্রাদ্ধগী অন্ন চারবগী দোষ অসি নোংমা পুরা লৈরগী। নিমন্ত্রিত সকল কোকত্তে থাদোকপি। দোষ অহু লৈত্রিত্তে। কচিদয়া তত কর্ম অমত তৌরেগে (শ্রাদ্ধদা)

ইত্যর্থমপরাহ্নে তু পিতৃণাং শ্রাদ্ধমুচ্যতে। যথোক্তানাং তেষামেষু ব্রাহ্মণাঃ পূর্বদীক্ষিতাঃ ॥১৩॥
মৃতকান্ত তৃতীয়াহে শৌচস্নানাদিকং স্মৃতে। স্নানমন্ত্রং সমুচ্চার্য ব্রাহ্মণেন তথাতি ॥১৫॥
ব্রাহ্মণাস্তে ততো তেষু স্নানশৌচে বিশেষতঃ। ব্রাহ্মণভোজ্যং হবির্বা মূর্তিকে তেন পাপং প্রণশ্যতি ॥১৬॥
মৃতস্য কমলাদ্রেণ প্রায়শ্চিত্তানি কারয়েৎ। সাবিত্রীং চৈব ভোগামিক্তিং কুষ্মাণ্ডমঘমর্ষণম্ ॥১৭॥
মৃতস্য ত্রিরাত্রে যঃ সমুদ্দিষ্টে সমর্পিতে।
সপ্ত ত্রিষবণং স্নাত্বা পূতো ভবতি ব্রাহ্মণঃ ॥১৮॥
সিদ্ধিমাপ্নোতি বিপুলামাপ্নুয়াৎ চৈব ন্যায়বান ॥১৯॥

অহুনা, পিতৃ মাতৃ শ্রাদ্ধ অসি, অপরাহ্ন (নুমিৎ য়ুংবা মতমদা) তৌননবগী শাস্ত্রনা বিধান তৌই। অহুম তৌরবদি, প্রাতঃ সন্ধ্যা, পূর্বাহ্ন সন্ধ্যা তর্পন তৌবা নংহৌরবনিনা সায়ং কালগী অমুক চাবহ লেমদা থোইনা কায়ত্রে। ব্রাহ্মণদা শ্রাদ্ধগী নিমন্ত্রণ তৌগে হায়রবদি নোংমা মাগুজোননা তৌহৌগদবনি। অহুম তৌরবদি, ব্রাহ্মণহুমস্ত হয়েংদি শ্রাদ্ধগী অন্ন চাকান্নুকো হায়না থগলবনিনা, হৈয়েংগী নিয়মকর্ম পূমমক অহু ওসি পাওথোকচহৌবা মংগি ॥১৪॥ কনাগুম্বা মী অহুগী মুম অহুদা কনাগুম্বা অমা শিরবদি অহুম্না য়ুম অহুদা নুমিৎ নুশনিত চাকপদা অন্ন ভোজন তৌরবা ব্রাহ্মণ অহু নুমিৎ তরানিথোইনি চুপা ত্রিকাল স্নান (প্রাতঃস্নান, মধ্যাহ্নস্নান, সায়ংস্নান) তৌবনা হোম অহুগী প্রায়শ্চিত্ত ওই ॥১৫॥ অহুম তৌরুনা নুমিৎ তরানিথোইনি, স্নানগী নিয়ম অসি তাংবা, অমুক তরাহুমদোইনি চনবা নুমিৎ বিধি কায়দনা নীংথিনা স্নান তৌরবা ব্রাহ্মণ অহুদা হবিষ্য ভোজন তৌহনগদবনি*। মাহুতক্তা তৌরিবা হোম পাপ অহুগী মুক্ত ওই ॥১৬॥ করম্বগুম্বা অমগী মরণাশৌচ (শিবগী মুম থংবিবা) গী মহুথা নুমিৎ তরানি চুপা অন্ন (চাক) চারদ্রবদি গায়ত্রী মন্ত্র, রৈবতসাম মন্ত্র পবিত্রেষ্টি, কুষ্মাণ্ড অনুবাক, অঘমর্ষণ সুক্তসিংঅরো বক রুক্ত গী মন্ত্রভাগশিং অসি জপ তৌরগা হোম অহুগী প্রায়শ্চিত্ত তৌগদৌরুনি ॥১৭॥ অমম্না মরণা-শৌচগী মবস্থাদা চৈরিবা ইমুংদা, নুমিৎ চুপা চাহুনা প্রকৃনা লৈরুবদি, অহুগুম্বা ব্রাহ্মণ, অহু নুমিৎ তরেৎনি চুপা ত্রিকাল স্নান তৌরগা সেংগনি ॥১৮॥ অসিগুম্বা প্রায়শ্চিত্ত অসি তৌরগা মতুংদদি মী, মহাক অন্ন আপত্তি (অরাবা) অমম্না অমুক তারুরোই ॥১৯॥

---

* টীকা :—হবিষ্যান্ন (হবিষ্য অন্ন) হায়রবসি অতে থোইদোকপা করিগুম্বা পোংশক অমা নত্তে। হোম (যজ্ঞ) তৌননবগী থী শজোমনচিংবহবুনি। আসন্তিবা পোংশক অসিনা যজ্ঞ তৌবিবগী উচ্ছিষ্ট অহুবুনি হবিষ্যান্ন হায়রিবসি। বজ্রগী অদি হুওবা থামিরবা ভানথা বী-চেং-শজোম অহু হবিষ্য হায়ুবনি। ভগবান্দা লুক কংপ্রবা ভুংদা লেমহৌরিবা চাক য়েক্ষাংনচিংবহনু হবিষ্য হায়ুবনি। কংথোকখিবা হায়রবসিমক হায়রবহানি। (কালাচাঁদ)

যত শূদ্রৈর্মহাপাপং [illegible] ভোজনে । [illegible] বিধিবদ্যদ্বা [illegible] ॥২০॥
যত বৈশ্যৈঃ মহাপাপং [illegible] । স বৈশ্যৈর্বহুবিধা শুধ্যতে তেন কর্মণা ॥২১॥
ক্ষত্রিয়ৈ মহাঘোরাণাং প্রাপ্তানাং [illegible] ভোজনে । [illegible] মহাপাপৈঃ মুচ্যতে নাত্র সংশয়ঃ ॥২২॥
শূদ্রে তু মূলং [illegible] মতোধারণাৎ । ক্ষত্রিয়স্ত [illegible] [illegible] ॥২৩॥
প্রায়শ্চিত্তং চ শান্তিং চ জুহুয়াৎ তেন কুত্সিতে । সাবিত্রীং রৈবতীমিষ্টিং কূষ্মাণ্ডমঘমর্ষণম্ ॥২৪॥
তথোচ্ছিষ্টবধাত্তোহন্নং [illegible] মহেশ্বরঃ । রোচনা বিরজা রাত্রির্মঙ্গলানামতানি চ ॥২৫॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যামনুশাসনপর্বণি দানধর্মপর্বণি
প্রায়শ্চিত্তবিধির্নাম ষট্ত্রিংশদধিকশততমোঽধ্যায়ঃ । × । × ।

—:(•):—

কলিতমা উৎসবে অমসী চাক চানবদা শূদ্রশিংগী ফিদা কমহুনা চাক থাওরবা ব্রাহ্মণ অহু অতত্ত্ব [illegible] যাংলে। অতত্তি অহুগী গৌরনবগী শাস্ত্রদা শৌচ (শেংবা)গী বিধান পীরি ॥২০॥ বৈশ্যগা পাঙ্গিনি অমতা কমরুহুনা চাকঙবদি, ব্রাহ্মণ অহু আহিং অহুম চুপা ঋত তৌরগা দোষ অহু কোকই ॥২১॥ ক্ষত্রিয়গা পাঙ্গিনি অমতা কমরুহুনা চাকঙবদি, ব্রাহ্মণ অহু মহাক্তা শেংদি চরিষ বৈকোম মূর্তিং ইন্দ্রিদ্যাচংবহু লৌথোক্তিনা ঈশিংনা পুত্র,মা স্নান তৌরবদি, মাহুনা দোষ অহুগী প্রায়শ্চিত্ত ওই ॥২২॥ ব্রাহ্মণগা পাঙ্গিনি অমতা নমহুনা কমহুনা চানবা ক্ষত্রিয়, বৈশ্য, শূদ্রহুগী অমাত্তবা কত্তবা ছায়বহু অহুম ওই। মাহাক :—ব্রাহ্মণগী ভেজনা শূদ্রহুগী শাৎগে নাতে, বৈশ্যহুগী শন ইরোই, ক্ষত্রি হুগী শক্তি সংশক্তি শূদ্রক চাকথেক্তই ॥২৩॥ হায়রিবা দোষ শাপশিং অসি কোক্তবগীদমক্তা প্রায়শ্চিত্ত অমদি হোম (যজ্ঞ) মচিংকসি তৌবা তাই। গায়ত্রী মন্ত্র, রৈবতসাম, প্রবিত্রেষ্টি, কুষ্মাণ্ড অনুবাক অমাদ অঘমর্ষণগী চিংবা মন্ত্রশিংসি পোনবা মরুকারবনি । ৪। কনাওনা অংতমী পুথাক, অহুগা পুথাক অহুগা পোয়ননা (পুথাক অহু লৌথোকথিত্রিবা পাঙ্গিনা) থক চারোইদৌবনি। হায়রিবা প্রায়শ্চিত্তগী বিধি অদিদা থাজবা থক তৌরোইদৌবনি। প্রায়শ্চিত্তশিংসি তৌরবগী তুদা গোরোচন, দূর্বা (তিংথৌ), মাইকরেবা চিংবা মঙ্গলগী দ্রব্যশিং অসি পোকনবনি ॥২৫॥

[illegible] শ্রীমহাভারতগী শ্লোক লিশিং চামনা ব্যাসনা লেখবা সংহিতাগী অনুশাসন পর্বদা,
দানধর্মপর্বদা প্রায়শ্চিত্ত বিধিগী চামগী [illegible] মতাংদা লোইরে ॥

—:(•):—

মণিপুরা মহাভারত

সপ্তত্রিংশদধিকশততমোঽধ্যায়ঃ

(দানধর্মতম্না স্বর্গ কাথিবা মিংথোকুশিংগী ওয়রি)

চামকুম্ফাতবেৎশুবা অধ্যায়

—:(•):—

যুধিষ্ঠির উবাচ

দানেন বর্ত্ততেত্যাহ তপসা চৈব ভারত। তদেতন্মে মনোদুঃখং ব্যপোহস্ব পিতামহ।
কিংস্বিৎ পৃথিব্যাং হ্যেতন্মে ভবাহংসিতু মর্হতি ॥১॥

ভীম উবাচ

শৃণুষৈর্য্যনিয়তৈস্তপসা ভাবিতাত্মভিঃ। লোকা হ্যসংশয়ং প্রাপ্তা দানপুণ্যরতৈর্নৃপৈঃ ॥২॥
সংকৃতশ্চ তথাঽত্রেয়ঃ শিষ্যেভ্যো ব্রহ্ম নির্গুণম্। উপদিশ্য তদা রাজন্ গতো লোকাননুত্তমান্ ॥৩॥
শিবিরৌশীনরঃ প্রাণান্ প্রিয়স্য তনয়স্য চ। ব্রাহ্মণার্থমুপাকৃত্য নাকপৃষ্ঠমিতোগতঃ ॥৪॥

যুধিষ্ঠিরনা হংত্তি : ভরতনন্দন। ঈবুধো॥ দান অমদি তপস্যা অনীগী পাম্বৈন্ন পাপ পুম্বা কোকৎনা তাইবং মীনা স্বর্গ কায় হাযবদি ঈবুধোনা তাকপিরে। মাসিগী ঐনা থিংলবা অমত্তি তাকপীংবা মতাং অমমুক লাক্লি। ঈবুধোনা ঐগী চিংনেবসে অমুক্তা কোকহনবিয়ু। পৃথিবী অসিদা মরুপ্রা ঐথোয় তাইবং মীদা নামনা হেনত্রা নক্সগা তপস্যানা হেনত্রা হাযবনে তসাইনা 'অমুক্তা' তাকপিয়ু ॥১॥ ভীষ্মনা হায় ঃ - যুধিষ্ঠির। তপাস্তাগী পাম্বৈনা থম্মোয় পূম্বা লোংদোকপরা মীমা দানগী পাইফল অমোইবা লোকপু হংবখিবা অহুত্তয়া নিংথৌশিং অহুপী মিংশিং অমো, ঐ মখং মখং হায়কন্নকে তাওরগা নিয়খো। লোক পুম্বরা সম্মান তৌরবা আত্রেয় মুনিনা মহাকী মিগুণব্রহ্মগী তত্ত্ব অহুবা উপদেশ (শাষ্ট্রী পাক) শাস্ত্রগী ওইবা অমোইবা লোক হংখি ॥৩॥ উশীনরগী মচা শিবি কৌবা নিংথৌনা মাগী অঙাংবগী প্রেমা চুংশিনবা মচাপু অমসুং ব্রাহ্মণগী দান তৌখোয়রগা স্বর্গলোক চৌখি ॥৪॥

প্রতর্দনঃ কাশিপতিঃ প্রদায় নয়নে স্বকে। ব্রাহ্মণায়াতুলাং কীর্ত্তিমিহ চামুত্র চাশ্নুতে ॥৫॥
রন্তিদেবশ্চ সাংকৃত্যো বসিষ্ঠায় মহাত্মনে। অর্ঘ্যং প্রদায় বিধিবল্লেভে লোকাননুত্তমান্ ॥৬॥

দিব্যং শতশলাকঞ্চ যজ্ঞার্থং কাঞ্চনং শুভম্।
ছত্রং দেবাবৃধো দত্ত্বা ব্রাহ্মণায়াস্থিতো দিবম্ ॥৭॥
ভগবানম্বরীষশ্চ ব্রাহ্মণায়ামিতৌজসে।
প্রদায় সকলং রাষ্ট্রং সুরলোকমবাপ্তবান্ ॥৮॥
সাবিত্রঃ কুণ্ডলং দিব্যং যানং চ জনমেজয়ঃ।
ব্রাহ্মণায় চ গা দত্ত্বা গতো লোকাননুত্তমান্ ॥৯॥
বৃষাদর্ভিশ্চ রাজর্ষী রত্নানি বিবিধানিচ।
রম্যাংশ্চাবসথান্ দত্ত্বা দ্বিজেভ্যো দিবমাগতঃ ॥১০॥
নিমী রাষ্ট্রং চ বৈদর্ভিঃ কন্যাং দত্ত্বা মহাত্মনে।
অগস্ত্যায় গতঃ স্বর্গং স পুত্রপশুবান্ধবঃ ॥১১॥
জামদগ্ন্যশ্চ বিপ্রায় ভূমিং দত্ত্বা মহাযশাঃ।
রামোঽক্ষয়াংস্তথা লোকান্ জগাম মনসোঽধিকান্ ॥১২॥

কাশীগী নিংথৌ প্রতর্দননা মহাকী মুংশিজরবা মচানিপাবু সেবাগীদমক্তা ব্রাহ্মণদা পীরমহৌনা (দান তৌরম্নগা) ইহলোকত অথোইবা মিংচৎ তানশিন্নমগা পরলোকতা অমাঙ অতা লৈত্রবা মুংঙাইরবা ভোগ চাহুনা লৈখি ॥৫॥ সঙ্কৃতিগী মচা, নিংথৌ রন্তিদেবনা মহাত্মা ওইরবা বসিষ্ঠ মুনিদা বিধি কায়দনা অর্ঘ্যদান তৌরহনা লোকপু কংখি ॥৬॥ দেবাবৃধ কৌবা নিংথৌনা যজ্ঞদা সনাতন শাবা মচৈ চাম পানবা, [illegible] ছত্র (পে) [illegible] স্বর্গদা লৈখি ॥৭॥ ঐশ্বর্য্য (ঈশ্বরগী শক্তি) লৈরবা ঐশ্বর্য্যবান ওইরবা নিংথৌ অম্বরীষনা [illegible] ব্রাহ্মণদা মাগী রাজ্যসম্পত্তি পুম্নমক দান তৌদোক্লগা দেবলোক ([illegible]) দা লৈখি ॥৮॥ সূর্য্যদেবগী মচা কর্ণনা [illegible] চিনবা মণিগী কুণ্ডলবু অমসুং নিংথৌ জনমেজয় [illegible] ([illegible]) বু শবীগা লোয়ননা ব্রাহ্মণদা দান তৌরমহনা অথোইবা লোকপু কাখি ॥৯॥ নিংথৌ বৃষাদর্ভিনা মণি মুক্তাজনা শাবা পোৎচৈনা [illegible] ([illegible]) [illegible] ব্রাহ্মণদা [illegible] লাইরেবাক্তা লেবনডাদা অথোইবা পদবী ([illegible]) কংখি ॥১০॥ [illegible] মচা নিমিনা [illegible] অগস্ত্য মুনিদা মচানুপী [illegible] মহাকী রাজ্যগা দান তৌরম্নগা মাচা [illegible] [illegible] লোয়ননা স্বর্গ কাখি ॥১১॥ মিংচৎ [illegible], জমদগ্নিগী মচানুপা পরশুরামনা ভূমি পুম্নমক ব্রাহ্মণদা দান তৌরবহনা অমাঙ অতা লৈতরবা লোকতা চৎখি। লোক [illegible] পুরীগী ([illegible]) [illegible] হাম্না থবা লোক অমুবুগী হেনবা লোকনি ॥১২॥

অবর্ষতি চ পর্জন্যে সর্বভূতানি দেবরাট। বসিষ্ঠো জীবয়ামাস যেনযাতোহক্ষয়াংল্লোকান্ ।।১৩।।
রামো দাশরথিশ্চৈব হুত্বা যজ্ঞৈর্বৈ বসু। স গতো হ্যক্ষয়াল্লোকান্ যস্য লোকে মহদ্ যশঃ ।।১৪।।
কক্ষসেনশ্চ রাজর্ষির্বসিষ্ঠায় মহাত্মনে। ন্যাসং যথাবৎ সংন্যস্য জগাম সুমহা যশাঃ ।।১৫।।
করন্ধমস্য পৌত্রস্তু মরুত্তোহবিক্ষিতঃ সুতঃ। কন্যামঙ্গিরসে দত্ত্বা দিবমাশু জগাম সঃ ।।১৬।।
ব্রহ্মদত্তশ্চ পাঞ্চাল্যো রাজাধর্মভৃতাংবরঃ। নিধিং শঙ্খমনুজ্ঞাপ্য জগাম পরমাংগতিম্ ।১৭।।
রাজা মিত্রসহশ্চৈব বসিষ্ঠায় মহাত্মনে। মদয়ন্তীং প্রিয়াং ভার্য্যাং দত্ত্বা চ ত্রিদিবং গতঃ ।।১৮।।

মনোঃ পুত্রশ্চ সুদ্যুম্নো লিখিতায় মহাত্মনে।
দণ্ডমুদ্ধৃত্য ধর্মেণ গতো লোকাননুত্তমান্ ।১৯।।
সহস্রচিত্যো রাজর্ষিঃ প্রাণানিষ্টান্ মহাযশাঃ।
ব্রাহ্মণার্থে পরিত্যজ্য গতো লোকাননুত্তমান্ ।।২০।

মতম অমদা সংসার পূম্নমক্তা নোং ঈতা ভাখিদহুনা জীব পূম্নমক থরায় থানরবা মতমদা বসিষ্ঠনা তপস্যাশক্তিনা নোং চুথহন্লুনা শা-উচেক তাইবং মীনচিংবা পূম্নমক্ত জীবদান তৌহুনা অমাঙ অতা লৈত্রবা লোকতা চংখি * ।।১৩।। দশরথনন্দন ভগবান্ রামচন্দ্রজীনা যজ্ঞদা ধনথৈ লৈত্রবা মনিমুক্তা সম্পত্তি পূম্নমক আহুতি তৌরম্লগা অমাঙ অতা লৈত্রবা লোকতা কাখি ।। ৪।। মিংচৎ চাউরবা রাজর্ষি কক্ষসেননা মহাত্মা বসিষ্ঠনা মাগী হেক লৈজবা সম্পত্তি পূম্নমক কংথোক্লম্লগা স্বর্গ কাখি ।।১৫।। করন্ধমগী মচা অবি-ক্ষিৎকী মচা নিংথৌ মরুত্তনা অঙ্গিরাগী মচা সংবর্ত্তকদা লৈজব পূম্বনা অচৌনপোৎ ওইহুনা কন্যাদান তৌরম্লনা স্বর্গ কাখি ।।১৬। পাঞ্চালদেশকী ধর্মাত্মা ওইরবা নিংথৌ ব্রহ্মদত্তনা ব্রাহ্মণদা শঙ্খ কৌবা নিধি (লন্ ময়) বু দান তৌরমহুনা অথোইবা গতি (থাম পদবী) বু ফংখি ।।১৭।। নিংথৌ মিত্রসহনা মাগী চায়থোইরবী মদয়ন্তীবু বশিষ্ঠগী সেবা তৌনবা কংথোক্লম্লগা স্বর্গদা চংখি ।।১৮।। মনুগী মচা নিংথৌ সুদ্যুম্ননা মহাত্মা ওইরবা লিখিতদা রাজদণ্ড (নিংথৌনা মথৌ পাবরবা নিংথৌগী চৈত) বু পীরম্লগা (লৈপাক শাসন পিরম্লগা) অথোইবা থুত্তম ফংখি ।।১৯।। মিংচৎ লোইনা চাউরবা রাজর্ষি সহস্রচিত্যনা ব্রাহ্মণীদমক্তা মথায় কংথোক্লমহুনা থাইদগী অহেনবা লোকতা চংখি ।।২০।।

* টীকা :— "অমাঙ অতা লৈত্রবা লোক" হায়হুনা হেক হেক হায়রিবাদি কদায়দনো হায়না মী খুদিংমক্তা খঙনীংকম থোকই। খঙনিংবসি ভৌতিক বৈজ্ঞানিক যুগ অসিদনা অমুক হেনগনি। সূর্য্য চন্দ্র গ্রহ নক্ষত্র তারানচিংবা জগৎতা উরিবশিং মাগী মাগী লোক অমময়দ লৈনরিবনি। উরবা লোক কয়া কয়া লৈরি। পূম্নমক আকাশতা ভাকনি। আকাশতা শব্দ লৈ। ভৌতিক কাওবা ভানরিবা মিং (শব্দ) অসি অমাঙ অতা লৈত্রবা শজনকনি। (কালাচাঁদ)

সর্বকামৈশ্চ সম্পূর্ণং দত্ত্বা বেশ্মহিরণ্ময়ম্ । মৌদ্গল্যায় গতঃ স্বর্গং শতদ্যুম্নো মহীপতিঃ ॥২১॥
ভক্ষ্য ভোজ্যস্য চ কৃতান্ রাশয়ঃ পর্বতোপমান্ । শাণ্ডিল্যায় পুরা দত্ত্বা সুমন্যুর্দিব মাস্থিতঃ ॥২২॥
নাম্না চ দ্যুতিমান্ নাম শাল্বরাজো মহাদ্যুতিঃ । দত্ত্বা রাজ্যমৃচীকায় গতো লোকাননুত্তমান্ ॥২৩॥
মদিরাশ্বশ্চ রাজর্ষির্দত্ত্বা কন্যাং সুমধ্যমাম্ । হিরণ্যহস্তায় গতো লোকান্দেবৈরধিষ্ঠিতান্ ॥২৪॥
লোমপাদশ্চ রাজর্ষিঃ শান্তাং দত্ত্বা সুতাং প্রভুঃ । ঋষ্যশৃঙ্গায় বিপুলৈঃ সর্বৈঃ কামৈরযুজ্যত ॥২৫॥
কৌৎসায় দত্ত্বা কন্যাং তু হংসী নাম যশস্বিনীম্ । গতোঽক্ষয়ানতো রাজর্ষিশ্চ ভগীরথঃ ॥২৬॥
দত্ত্বা শতসহস্রংতু গবাংরাজা ভগীরথঃ । সবৎসানাং কোহলায় গতো লোকাননুত্তমান্ ॥২৭॥
এতে চান্যে চ বহবো দানেন তপসা চ হ । যুধিষ্ঠির গতাঃ স্বর্গং বিবর্ত্তন্তে পুনঃ পুনঃ ॥২৮॥
তেষাং প্রতিষ্ঠিতাং কীর্তির্যাবৎ স্থাস্যতি মেদিনী । গৃহস্থৈর্দানতপসা যৈর্লোকা বৈ বিনির্জিতা ॥২৯॥
শিষ্টানাং চরিতং হ্যেতৎ কীর্ত্তিতং মে যুধিষ্ঠির । দানযজ্ঞপ্রজাসর্গৈরেতেহি দিবমাস্থিতাঃ ॥৩০॥
দত্ত্বা তু সততং তেহদ্য কৌরবানাং ধুরন্ধর । দানযজ্ঞ ক্রিয়াযুক্তা বুদ্ধি ধর্ম্মোপচায়িনী ।৩১॥

মহারাজ শতদ্যুম্ননা মৌদ্গল্য কৌবা ব্রাহ্মণদা, তাইবং মীনা পামগদবা পোচ্চৈ পুম্বনা থল্লবা, সনাতনা শাবা য়ুম অমবু দান তৌরমহ্না স্বর্গ কাখি ॥২১॥ নিংথৌ সুমন্যুনা হাউর হাউরবা অচাথক মঙনা চীংমুক রাংনা লৈখত্না শাণ্ডিল্য ঋষিদা দান তৌখি । মাহুক্তী মহৈনা মহাক স্বর্গলোকতা চঙ্গরবা পদবী ফংখি ॥২২॥ মহাতেজকল্লবা শাল্বরাজনা মহর্ষি ঋচীকদা মশাকী রাজ্য (লৈপাক) পুম্বা পীথোক্লগা স্বর্গলোকতা অচৌবা পদবী ফংহ্না লৈখি ॥২৩॥ রাজর্ষি মদিরাশ্বনা মহাকী ফজরবী কন্যা (মচানুপী) বু ব্রাহ্মণ হিরণ্যহস্তদা দান তৌরগা দাইরেবাকতা কাখি ॥২৪॥ মতীক মগুণ চাউরবা নিংথৌ লোমপাদনা মহর্ষি ঋষ্যশৃঙ্গদা মচানুপী শান্তাবু দান তৌরগা মহাক্না ফংগে নীংলিবা পোচ্চৈ পোচ্চৈ পুম্নমক লোয়্না ফংখি । নীংবপুম্বা ফুংখি ॥২৫॥ নিংথৌ ভগীরথনা কোহল কৌবা ব্রাহ্মণদা শারী লিশিং তরা দান তৌরমহ্না অথোইবা লোকতা চংখি ॥২৬॥ যুধিষ্ঠির ! অসুম তৌহ্না নিংথৌ কয়া কয়ানা দান অমদি তপস্যাগী মহৈনা স্বর্গলোকতা চুংতাইরবা তোগ পুম্নমক চাকরবা ফংদ্রবা মুনা অমুক হন্না মর্ত্ত্যলোকতা চাউর চাউরবা তৈবথ ফংবা নিংথৌ ওইনা লোক্লে ॥২৭॥ অসুম অসুম ওইবা গৃহস্থীশিংনা দানধর্ম্মগী পাঙ্গনা অথোইবা লোকপু ফংখিবা মথোগদী মিতংশিংদে পৃথিবী অমিনা লৈরিমথৈ মুমিৎ থানা পারিমথৈ তেক্ত কারণনা লৈহৌরগনবনি ॥২৯॥ যুধিষ্ঠির ! দানধর্ম তৌবা শিষ্ট পুরুষশিংগী বারীশিং অসি, সম্পংনা মহোম্দা লীরবনি । নিংথৌশিংসি দান যজ্ঞ অমদি ধর্ম তৌবা মচা মপু কয়া কয়া থনমহ্না স্বর্গদা লৈরম্বনি ॥৩০॥ কৌরব বংশগী অথোইবা ! নহাকসু মথোক্তরা বাগযজ্ঞ দান তৌহ্না পূর্ণগি লোম্ । মুমিৎ চুপ্পা বাগযজ্ঞগী থবক্তা পুক্নীং চংহ্না ধর্মগী উন্নতি করবা তৌরগা ওইখগে হায়বগী বাখত তৌহ্না লৈয় ॥৩১॥

যত্র তে নৃপশার্দূল সন্দেহো বৈ ভবিষ্যতি। শ্বঃ প্রভাতে বক্ষ্যামি সন্ধ্যা হি সমুপস্থিতা।।৩২।।

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যামনুশাসন পর্বণি দানধর্ম পর্বনি সপ্তত্রিংশত্যধিকশততমোঽধ্যায়ঃ ॥ × ॥ × ॥

—:(•):—

নিংথৌ অথোইবা। নিপা অথোইবা। মাসিদা নহাকী নীংবা হংনিংবা অতৈ অমমুক লৈরগনু, হয়েং অমুক অমুক চায়গে ওসিগীদি সন্ধ্যা য়াচওবা ওইরে, পোথারুরো।।৫২।।

মকম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোক লিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা অনুশাসন পর্বদা দানধর্মপর্বদা চামাকুন্থ্ তরেৎশুবা অধ্যায় লোইরে ॥ × ॥ × ॥

—:(•):—

মণিপুরী মহাভারত

অষ্টত্রিংশদধিকশততমোঽধ্যায়ঃ

(দান মখল মন্তাগী বর্ণন)

চামকুহ্যানিপালংবা অধ্যায়

—:(০):—

যুধিষ্ঠির উবাচ

শ্রুতং মে ভবতস্তাত সত্যব্রতপরাক্রম। দানধর্ম্মেণ মহতা যে প্রাপ্তাস্ত্রিদিবান্নৃপাঃ ॥১॥

ইমাংস্তু শ্রোতুমিচ্ছামি ধর্মান্ ধর্মভৃতাংবর। দানং কতিবিধং দেয়ং কিংতস্য চ ফলং ভবেৎ ॥২॥

কথং কেভ্যশ্চ ধর্ম্ম্যং চ দানং দাতব্যমিষ্যতে। কৈঃ কারনৈঃ কতিবিধং শ্রোতুমিচ্ছামি তত্ত্বতঃ ॥৩॥

ভীষ্ম উবাচ

শৃণু তত্ত্বেন কৌন্তেয় দানং প্রতি মমানঘ। যথাদানং প্রদাতব্যং সর্ববর্ণেষু ভারত ॥৪॥

ধর্মাদর্থাৎ ভয়াৎকামাৎ কারুণ্যাদিতি ভারত। দানং পঞ্চবিধং জ্ঞেয়ং কারণৈ র্যৈনিবোধতৎ ॥৫॥

(মাহুগী মথং নোংঙাম্লবদা) যুধিষ্ঠীরন হায়রকই :—বাশক চেৎপা অচুম্ব ব্রততবা পাঙল ওইরবা। অকনবা ঈবুধো। দানধর্ম্মগী প্রভাবনা চাউর চাউরবা নিংথৌশিংনা স্বর্গদা হুংঙাইরবা পঙবী (ধাম) দা য়ৌনখিবগী মারীশিং কয়া ঈবুধৌনা তাহনবিরে। মথোয়হুগী পরিচয়স্থ ঈবুধোগী চান্দগী তাব কংজরে ॥১॥ ধর্মাত্মা ওইবশিং মন্নুংদা খ্বাইদগী অথোইবা ঈবুধো। ঐনা অমুক তাজনাংলিবদি দান তত্ত্বগী মওং মথল অহুনি। দান মতৌ অসি কয়া থোক্না থাররিবগে? অহুগা মথলশিংহুগী তোঙান তোঙাবা মহৈনা করি করিনো? ॥২॥ করম্বা বাখয়া করম্বা মীশক্ত দানশিং অহু তৌগদগে? করম করম্বা উদ্দেশ্যদা করম করম্ব। মীশক্তা করি করি দান তৌগদগে? মাসি, ঐ তাজনীজিঙ ॥৩॥ ভীষ্মনা হায় :—পাপকী শরুক য়াওদ্রবা কুন্তীনন্দন! দান তৌবগী মতৌ মথলশিংহু ঐ হায়রগে তাও। বর্ণ জাতি খুডমে, করিগুম বর্ণগী মীশক অমদা দান তৌবদা করি মওংদা হায়রবদি বাখলদা দান তৌগদগে হায়বহু, হায়রগে তাও ॥৪॥ ভারত! ভরত বংশদা পোকপা! ধর্ম, অর্থ, ভয়, (শকিবা), কামনা (অপাকা), দয়া (থৌজাল) হায়রিবা হেতু (কারন) মঙা অসিদগী দানগী স্বরূপ (মওং) মঙা লৈ। অহুম্না কূমা খঙগদবনি। হেতুশিংসি, ঐ, মথঙ্গীংনা হায়রক্কে তাও ॥৫॥

ইহ কীর্ত্তিমবাপ্নোতি প্রেত্য চানুত্তমং সুখম । ইতি দানং প্রদাতব্যং ব্রাহ্মণে ভ্যোহনসূয়তা ॥৬॥
দদাতীবা দাস্যতিবা মহ্যংদত্তমনেন বা । ইত্যর্থিভ্যো নিশম্যৈব সর্বং দাতব্যমর্থিনে ॥৭॥
নাস্তাহং ন মদীয়োহয়ং পাপং কুর্য্যাৎবিমানিতঃ । ইতি দদ্যাৎ ভয়াদেব দৃঢ়ং মূঢ়ায় পণ্ডিতঃ ॥৮॥
প্রিয়ো মেহয়ং প্রিয়োহস্যাহমিতি সংপ্রেক্ষ্য বুদ্ধিমান্ । বয়স্যায়ৈবমক্লিষ্টং দানং দদ্যাদতন্দ্রিতঃ ।৯॥
দীনশ্চ যাচতে চায়মল্পেনাপি হি তুষ্যতি । ইতি দদ্যাৎ দরিদ্রায় কারুণ্যাদিতি সর্বথা ॥১০॥
ইতি পঞ্চবিধং দানং পুণ্য কীর্ত্তিবিবর্দ্ধনম । যথাশক্ত্যা প্রদাতব্যমেবাহ প্রজাপতিঃ ॥১১॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যামনুশাসন পর্বণি দানধর্ম পর্বণি
অষ্টত্রিংশত্যধিকশততমোহধ্যায়ঃ ॥ × ॥ × ॥

- ঃ(●)ঃ -

ইহলোক পরলোক অনীমক্তা মিংচৎ অমদি ভোগসু মকংবা, মাহুনা মুংঙাইবসু মশানা অহুম পোক-চরগদবা, কমক য়েংথিগী ভাব ঈরাও য়াওদনা ব্রাহ্মণদা তৌরিবা, ধর্মগা য়ায় মরী লৈনবা দান অহু, ধর্মার্থ দাননি । ধর্মতনা হেতু ওইহুনা তৌবা দাননি ॥৬॥ মীশক অসিনা ঐঙোন্দা দান তৌরি, মহাক্না ঐঙোন্দা দান তৌরি, মহাক্না ঐঙোন্দা দান শোয়দনা তৌরিবনি, অসিগুম্বা য়াহৈশিং অসি ভাগদবগী, মাহুম্বা মিংচৎ ওইহৌনবগী অমদি মিংচৎতুমক কংননবগী তৌবা দান অহু অর্থনা হেতু (কারণ) ওইবা অর্থার্থ দাননি । হায়বদি, অর্থমূলক ওইবা দাননি ॥৭॥ "ঐসি মহাকা করিসু থোক্লদে, অহুপা মহাকসু ঐগী কনাসু নত্তে, করিসু মরম লৈনদে । অহুবু ঐনা মঙোন্দা করিগুম্বা অমা পীথোকত্রবদি (দান তৌত্রবদি) মহাক্না ঐগী করিগুম্বা অমাঙবা অম তৌরব য়াই" অসুম হায়না খন্নুনা, কিবগী, অশিংবা কনাগুম্বা দান লৌপদৌরিবহু মতীক চায় চাদে য়েংদনা কিবগী মতীক চাদবা, অপাঙবা অমসু দান তৌই । মাসিগুম্বা দানসি কামনামূলক ওইবা দাননি ॥৯॥ মহাক অসি ওয়োন্না লায়থবা মীশক অমনি । মহাক্না ঐঙোন্দা করিগুম্বা অমা নিরি । খজিকং পীরবদি অহুম পেন্নি । অসুম হায়না খন্নুনা য়াম্না মুংশিনা মীগী অন্নাবা য়েংব ওমদহুনা থৌজালগা দান তৌগদৌবনি ॥১০॥ হায়রিবা দান মথল মঙা অসি পুন্যবু অমদি মিংচৎপু হেনগৎহনবা দানমক্তনি । অহুনা হেক চঙজয়রিবা লাক্লিবমথৈদা ওমজবা থরগি অহুম দান তৌগদৌবনি ॥১১॥

মকম অসিদা শ্রীমহাভারতদা, শ্লোক লিশিংচামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা অনুশাসন পর্বদা
দানধর্ম পর্বদা, চামহুমনিপালগুম্বা অধ্যায় লোইরে । × । × ।

—ঃ(✻)ঃ—

মণিপুরী মহাভারত

একোনচত্বারিংশদধিকশততমোঽধ্যায়ঃ

(তপস্যা তৌদুনা লৈরিবা শ্রীকৃষ্ণগী নাক্তা ঋষিশিংনা সাকপা ততু, ভাগুনয়কপা মতাং)

চাগকুহ্নমাপললুবা অধ্যায়ঃ

—ঃ(*)ঃ—

যুধি ষ্ঠির উবাচ

পিতামহ মহাপ্রাজ্ঞ সর্বশাস্ত্রবিশারদ আগমৈর্বহুভিঃস্ফীতো ভবান্ নঃ প্রবরে কুলে ॥১॥
ত্বত্তো ধর্মার্থসংযুক্তমায়ত্যাং চ সুখোদয়ম । আশ্চর্যভূতং লোকস্য শ্রোতুমিচ্ছাম্যরিন্দম ॥২॥
অয়ং চ কালঃ সম্প্রাপ্তো দুর্লভো জ্ঞাতিবান্ধবৈঃ । শাস্তা চ ন হি নঃ কশ্চিৎ ত্বামৃতে পুরুষর্ষভ ॥৩॥
যদি তেঽহমনুগ্রাহ্যো ভ্রাতৃভিঃ সহিতোঽনঘ । বক্তুমর্হসি নঃ প্রশ্নং যত্ত্বাং পৃচ্ছামি পার্থিব ॥৪॥
অয়ং নারায়ণঃ শ্রীমান্ সর্বপার্থিবসম্মতঃ । ভবন্তং বহুমানেন প্রশ্রয়েণ চ সেবতে ॥৫॥
অস্য চৈব সমক্ষং ত্বং পার্থিবানাং চ সর্বশঃ । ভ্রাতৄণাং চ প্রিয়ার্থং মে স্নেহাৎ ভাষিতুমর্হসি ॥৬॥

যুধিষ্ঠিরনা হংগি : মহাজ্ঞানী ঈবুঙো ! ঈবুঙোনা ঐখোয়গী অঙোইবা বংশ অসিদা, শাস্ত্র পূম্বমক্তা মহাবিদ্বান, আগমনিগম পূম্বগী জ্ঞান পূম্বমক্তা তিন্নবা মীশক মহাপুরুষ অমা ওইনা পোকপিরয়ে ॥১॥ য়েংবা পুম্ব ওয়া । ঈবুঙোগী চাংদগী ঐনা তাজনীংবা বিষয় অমনা, করিগুম্বা হায়রবদা, ধর্ম অমদি অর্থনা তিন্নবা অহুগা সংসারসিদা অতকপগী মশক ওইংবা য়াকম অহুনি ॥২॥ নিপা অঙোইবা ! ঐগী শাগৈ নাতে, মরূপ মপাং, ঈচাম ঈনাওশিংসিনা শাইবক কবনা, ঈবুঙোগা সংসাক অসি কংবগী হুরিথা কংজবনি । ঈবুঙো নত্তনা ঐখোয়দা ততু, ময়ামসি চিং নীঙায় লৈহনবা তাকপিনবা মীশক অসি কনা অমত্ত লৈতে ॥৩॥ পাপকী শক্তক লেশমাত্র য়াওদ্রবা । ঐখোয়বু চানবিয়বদি, হে পৃথিবীগী মপু ! ঐখোয় বা অমতংগা হংজগে, তাকপিয়ু ॥৪॥ নিংথৌ প্রজা, সংসারগী জীব পূম্ববকী চাজবকম ঈকায় খুম্নকন ওইরবা নারায়ণ শ্রীকৃষ্ণমক্তা ঈবুঙোগী নাক্ত তুমিন্ন লেঙশিন্দুনা কাউ হনিং হৌরোক্তুনা কমথোক্তবা লেবা ভৌব য়াওথিরয়ি ॥৫॥ লাক্লিবা নিংথৌশিং, প্রজাশিং অমদি ঈচীন ঈনাওশিংশিবু চানবিহুনা, চিংনরিবা বিষয়শিং অসে অথুক্ত কোকহনবিয়ু ॥৬॥

বৈশম্পায়ন উবাচ

তস্য তং বচনং শ্রুত্বা স্নেহাদাগতসম্ভ্রমঃ। ভীষ্মো ভাগীরথীপুত্র ইদং বচনমব্রবীৎ ॥৭॥

ভীষ্ম উবাচ

অহং তে কথয়িষ্যামি কথামতিমনোরমা। অস্য বিষ্ণোঃ পুরা রাজন্ প্রভাবো যো ময়াশ্রুতঃ ॥৮॥
যশ্চ গৌরবভাবস্য প্রভাবস্তং চ মে শৃণু। রুদ্রাণ্যাঃ সংশয়ে যশ্চ দম্পত্যোস্তং চ মে শৃণু ॥৯॥
ব্রতং চচার ধর্মাত্মা কৃষ্ণো দ্বাদশবার্ষিকম। দীক্ষিতং চাগতৌ দ্রষ্টুমুভৌ নারদপর্বতৌ ॥১০॥
কৃষ্ণদ্বৈপায়নশ্চৈব ধৌম্যশ্চ জপতাংবরঃ। দেবলঃ কাশ্যপশ্চৈব হস্তিকাশ্যপ এব চ ॥১১॥
অপরে চর্ষয়ঃ সন্তো দীক্ষাদমসমন্বিতাঃ। শিষ্যৈরনুগতাঃ সিদ্ধৈর্দেবকল্পৈস্তপোধনৈঃ ॥১২॥
তেষামতিথিসৎকারমর্চনীয়ং কুলোচিতম। দেবকীতনয়ঃ প্রীতো দেবকল্পমবৎ ॥১৩॥

হরিতেষু সুবর্ণেষু বর্হিষ্যেষু নবে চ।
উপোপবিবিশুঃ প্রীতা বিষ্টরেষু মহর্ষয়ঃ ॥১৪॥
কথাশ্চক্রুস্ততস্তে তু মধুরা ধর্মসংহিতা।
রাজর্ষীণাং চ যে বসন্তি তপোধনাঃ। ১৫॥

বৈশম্পায়ননা হায়ঃ নিংথৌ জ মেজয়! নবুথৌ যুধিষ্ঠিরনা অহুম্না হায়রক্লবদা গঙ্গানন্দন ভীষ্মনা হায়রকই। ৭॥ ভীষ্মনা নিংথৌ যুধিষ্ঠিরদা হায়রকই—নবুঙো! ঐ য়াম্ না নুংঙাইরবা ৱারী মতাং নীগে। নিংথৌ! ময়াঙৈদা ভগবান্ নারায়ণ অমসুং মহাদেব অনীগী প্রভাব (মতীক মগুণ) অহুম্ ঐনা তাখি। মতাং অসিদা পার্বতীগী পুক্নীংদা চিংনবা লৈহুনা মহাদেবদা হংখিবা অমদি ভাওনখিবা মতাং অহুম্ ঐ নীগে, তাও। ৮-৯॥ ময়াঙৈগী ৱারি ধর্মাত্মা ওইরবা শ্রীকৃষ্ণনা চহী তরানীথোইদা লোইশিনখদবা কল্লবা তপস্যা অমা, চাংগী চাংদোল অমদা লৈমহুনা তৌখি। শ্রীকৃষ্ণগী দর্শন তৌরগে হায়রবীনমক পর্বত, নারদনচিংবা ঋষিশিংনা মকম অহুদা চঙথক অহুদা লাকখি। ১০॥ মথোংদা নত্তবা শ্রীকৃষ্ণদ্বৈপায়ন ব্যাস, জপ তৌবদা খ্বাইদগী হেনবা ধৌম্য দেবল, কাশ্যপ, হস্তিকাশ্যপ, ঋষি নত্তবা অতৈ, দীক্ষা নীংখিবা লৌরবা ইন্দ্র পুক্নম চম্নবা, মশা মশানা দেবতা অমমগা মান্নবা তপস্বী কয়া কয়া মাগী মাগী শিষ্যশিংগা লোয়ননা মকম অহুদা লাকখি। ১১ ১২॥ দেবকীনন্দন, ভগবান্ শ্রীকৃষ্ণনা লাক্লিবা ঋষি, মহর্ষি, মুনিশিং অহুম্ তৌঙাল তৌঙাল্না মতীক চানা চানা স্বাগত তৌ তৌহুনা অতিথি সেবা কখি। ১৩॥ অমগী শ্রীকৃষ্ণনা থাল্লিবা কুশগী আসনশিং অহুম্ খবি মুনিশিং অহুম্ য়াম্না হরাও নুংঙাইনা, ফোংখিনা কমখি। ১৪॥ অমুগী তুংদা, লাক্লিবা মুনি, ঋষি, দেবতাশিং অহুমগী সম্বন্ধ (মরম) গা শম্না মরী লৈনবা নীংখিবা ৱারী শাবা, শাবা হৌখি। ১৫॥

ততো নারায়ণং তেজো ব্রহ্মর্ষেঃ শোভিতম্ ।
বক্ত্রাগ্নিঃসৃত্য কৃষ্ণস্য বহ্নিরদ্ভুতকর্মণঃ ॥১৬॥
সোঽদহদ্দিহ তং শৈলং সক্রমং সলতাক্ষুপম্ ।
সপক্ষিমৃগসংঘাতং শ্বাপদসরীসৃপম্ ॥১৭॥
মৃগৈশ্চ বিবিধাকারৈর্হাহাভূতমচেতনম্ । শিখরং তস্য শৈলস্য মথিতং দীনদর্শনম্ ॥১৮॥
স তু বহ্নির্মহাজ্বালো দগ্ধা সর্বমশেষতঃ । বিষ্ণোঃ সমীপ আগম্য পাদৌ শিষ্যবদস্পৃশৎ ।১৯॥
ততো বিষ্ণুর্গিরিং দৃষ্ট্বা নির্দগ্ধমরিকর্শনঃ । সৌম্যৈর্দৃষ্টিনিপাতৈস্তং পুনঃ প্রকৃতিমানয়ৎ ॥২০॥
তথৈব স গিরির্ভূয়ঃ প্রপুষ্পিতলতাদ্রুমঃ । মৃগপক্ষিগণসংযুক্তঃ সশ্বাপদসরীসৃপঃ ॥২১॥
(সিদ্ধচারণসংঘৈশ্চ প্রসাদরূপশোভিতঃ । মত্তবারণসংযুক্তো নানাপক্ষিগণৈর্যুতঃ ॥)
তমদ্ভুতমচিন্ত্যং চ দৃষ্ট্বা মুনিগণস্তদা । বিস্মিতো হৃষ্টরোমা চ বভূবাস্রাবিলেক্ষণঃ ॥২২॥

অদুগী তুংদা ব্রহ্মচর্য্য হাররদুমক্কী মশক ওইবা, যজ্ঞগী কাৎচনা রায়বদা, শৈরী থোক্লা চাক্লবা মৈগী মতৌওম ঈরং লংলবা, ভগবান্ নারায়ণ হরি শ্রীকৃষ্ণগী মুখারবিন্দগী থোরকপা কাপথোরকপা মৈরিশিংনা চাওমায়দুনা হৌরিবা উরী রায়ী, যোংশোং, উচেক, শক্তী শত্তাই, হিংসা তৌবা শা, জীব কাও লিলনচিংব শিংদুগা লোয়ননা চীংগোল অদু, পূমকা কাহৎনা চাকখ্রে ॥১৬-১৭॥ মতম অদুদা মৈচাক খাওবা ওমত্রবা জীব জন্তুশিং অদুনা লাউ থাংনরকপগী থোক্লেদ অদুনা চীঙোল অদু পূমনিন লিনখি। মথায় পাত্রবা চীংদোল চীওমায় মশাদুমক্লা মথোল থোক্লা লাউরকপদু মতায়খ্রে। চীও মশামক্লা হাকায় লাউরকপ-ওয়খি। লৈজব পূম্বা লোইংবা পূমচাক চাকখিবদুনা চীওমায় অদু য়েংবদা মুথশি মুংথোক,পোকনাংক্লাবী মশক পুখি ॥১৮॥ মৈরি তবুল তবুল পুরবা মৈ অদুনা, চীংজোল অদু পূমকোক কোক্লা চাকখিদুনা পূমহাও হাওলবা চীংথক্না তুমিয়া যোগাসনদা কমদুনা লৈরিবা শ্রীকৃষ্ণগী চরণ শোক্লা, মুনি ঋষি মহর্ষি যোগী-শিংদুনা, শিষ্যশিংনা লাক্না গুরুগী চরণ শোক্লা পূকপ্পকপগুম থুকখি। মথোরনা চরণ শোক্লা থুকপ্পরবদুমক্তনা মৈ পূম্বা শ্রীকৃষ্ণগী অঙ্গ (হকচাং) মুংবা লোইনা লুপখি ॥১৯॥ শ্রীকৃষ্ণনা নয়ন (মীৎ) অনী পাওথোক্না য়েংবা, চীওমায়দুমা পূমবা কাহৎলমদু উবদা, নীংথিজবা থোংবল নৌরবা মীৎয়েংনা অমুক হেক য়েংবা, চীং অদু, হারগী মওংদা হত্তিরক্না, হায়ওম, চৈপাল লৈপাল মনা মঙ্গীনা অমুক পূমশং শংখি ॥২০॥ সিদ্ধ চারণ পূম্বা পেনখিদুনা চীং অদুগী কললবা নৃত্যহবু মমীং কুল্লবা য়েংদুনা লৈখি। চীংগী শোভা (নীংথিজবা) হবু থাগৎখি। চীং অদু পূমক্না অমুক হয়া, হাজুক্তা মরায় কারবা শান্নুশিংগী শা-উচেক মথল মথলগী শাক্রম মুংডাইরক্রম ওইখি ॥২১॥ অদিগুম্বা অডকপা থৌরোক অদি উবলা ঋষি মুনিশিংগী পূক্নীংদা হারকপ থরমনা অঙকপা, মুংডাইবা মুমংবা থোকখি। মথোর পূম্বকী মমীতগী মুংডাইবগী পিয়াং শিন্দুখি ॥২২॥

ততো নারায়ণো দৃষ্ট্বা তানৃষীন্ বিস্ময়াবিতান্। প্রশ্রিতং মধুরং স্নিগ্ধং পপ্রচ্ছ বদতাংবরঃ ॥২৩।
কিমর্থমৃষিপূগস্ত ভ্যক্তস্নস্ত বিস্ময়ঃ। নির্মমস্যাগমবতো বিস্ময়ঃ সমুপাগতঃ ॥২৪॥
তথ্রস্মে সংশয়ং সর্বে যথাতথ্যমনিন্দিতা' ঋষয়ো বক্তুমর্হন্তি নিশ্চিতার্থং তপোধনাঃ ॥২৫॥

ঋষয় উচুঃ

ভবান্ বিসৃজতে লোকান্ ভবান্ সংহরতে পুনঃ। ভবান্ শীতং ভবানুষ্ণং ভবানেব চ বর্ষতি ॥২৬॥
পৃথিব্যাং যানি ভূতানি স্থাবরাণি চরানিচ। তেষাং পিতা ত্বং মাতা ত্বং প্রভুঃ প্রভব এবচ ॥২৭॥
এবং নো বিস্ময়করং সংশয়ং মধুসূদন। ত্বমেবার্হসি কল্যাণ বক্তুংবহ্নের্বিনির্গমম্ ।২৮।
ততো বিগতসংত্রাসা বয়মপ্যরিকর্শন। যচ্ছ্রুতং যচ্চ দৃষ্টং নস্তত্তং প্রবক্ষ্যামহে ॥২৯॥

বাসুদেব উবাচ

এতত্তৈ বৈষ্ণবং তেজো মম বক্ত্রাৎবিনিঃসৃতম্। কৃষ্ণবর্ত্মা যুগান্তাভো যেনায়ংমথিতো গিরিঃ ॥৩০।

মা তাঙবা, ভাষণ পীবগী মঙ্গুংদা থাইদগী অহেনবা, অথোইবা শ্রীকৃষ্ণনা, ঋষিশিং অমদি মুনি মহর্ষিশিং অদু যাম্ন ওক্নরে হায়বসি খঙলদুনা, মুংশিবা অথুম্বা য়াহৈনা অম্না হংলকই ।।২৩॥ লাকপিরিবা মহর্ষি পুমনক। নখোয়দি সংসারগী বিষয়দা আসক্তি থমত্রবা, ঐগী মাগী হায়বা খায়ত্রবা মীশক ভাক্তনি। অদুগুম্বা নখোয়গী পূক্নীংদা অঙকপা অম পোক্নিবসিদি করিগীনো? অদুগা কন্নি মরমদগী চিংনবসি পোকখ্রিবনো হায়বদুসু ভাকপিয় ॥২৪॥ তপস্যা তৌবতনা নয়ল ওইরবশা। জগৎ পুম্বনা ঈকায় থুমরবা থাগৎনরবা তাক্তনি। অদুগুম্বা নখোয়না ওক্নিবা চিংনম্নিবসিগী মরম অসি হায়বিয়ু।।২৫॥ ঋষিশিংনা হায়:—ভগবন্! জনার্দন। বিশ্ব জগৎ অসি নহাক্না শেম্বনি। নহাক্না সংহার তৌরিবনি লোইশিন্নিবনি। অঙৈংবা অশাবা ঙিংথম্বা ওয়াঙবা কুম্বী কালেন নংনা থোকহনবমক্তনি। নুংশা শাহন্নিবা নোং চুথহন্নিবসু নহাক্নি ॥২৬॥ পৃথ্বাথক অসিদা হেক লৈরিবা অচঞ্চত্তা জীব পুমনক অসিগী মমা মপানু, হৌরককমসু নহাকনি ॥২৭। মধুসূদন। নহাকী চীল্লগী, (য়াখংদগী) কাপথোয়ক্নিবা থোয়ক্লিবা মৈরৈ মৈবুলশিং অসিনা ঐখোয়গী পূক্নীংদা চিংনবা অঙকপা অসি, পোকহল্লি। মঙলগী মশক ওইরবা। ভগবন্, শ্রীকৃষ্ণ। নহাক নশামক্না ঐখোয়গী চিংনবা অঙকপসে কোকহনবিয়ু ॥২৮॥ য়েক্নব পুম্বনু হাংজবা। মাদু ভাজরগা ঐখোয়গী ওক্নিবা চিংন পূম্বসে থাদোকচরগে ঐখোয়গী চিংনবা ওকপীসিগী মরমসু হায়দোকচগে ॥২৯। বাসুদেব শ্রীকৃষ্ণনা হায়:— মুনিঋষি পুমনক। ঐগী চীল্লগী, মাহুত্লগী পাইথোয়কখিবা মৈরিশিংদো ভৌতিক অগ্নি নত্তে, বৈষ্ণব তেজ (বিষ্ণুগী মপোক মঙাল) নি। মাদুনা, প্রলয়গী মৈ হায়বসু ওইদুনা বিশ্বজগৎ অসি অমুত্নক চাকথেকখিবনি ।৩০।

অবয়ম্পার্ত্তিমাপন্না জিতক্রোধা জিতেন্দ্রিয়াঃ ভবন্তো যদ্বিধাস্তাদৃশম্ দেবকন্যাস্তপোধনাঃ ॥৩১॥
ব্রতচর্য্যাপরীতস্য তপস্বিব্রতসেবয়া। মম বহ্নিঃ সমুদ্ভূতো ন বৈ ব্যাধিনুবর্দ্ধ॥ ৩২॥
ব্রতং চর্য্যমিহায়াতস্য হং পিঙ্গিরিয়ং ক্তম্। পুত্রং ক্ষয়সমং বীর্য্যেং তপসা লব্ধুমাগতঃ ॥৩৩॥
ততো মমাত্মা যো দেহে সোহগ্নি ভূর্যাবিনিঃসৃতঃ। গতশ্চ বরদং দ্রষ্টুং সর্বলোকপিতামহম্ ॥৩৪॥
তেন চাপ্যনুশিষ্টোমে পুত্রত্বে মুনিসত্তমাঃ। তেজসোহ র্দ্ধেন পুত্রস্তে ভবিতেতি বৃষধ্বজঃ ॥৩৫॥
সোহয়ং বহ্নিরুপাগম্য পাদমূলে মমান্তিকম্। শিষ্যবৎ পরিচর্য্যার্থে শান্তপ্রকৃতিমাস্থিতঃ ॥৩৬॥
এতদেব রহস্যং চ যত্ পদ্মনাভস্য ধীমতঃ। ময়া সমাসেন ন তাঃ কাব্যা তপোধনাঃ ॥৩৭॥
সর্বত্র গাতিরব্যগ্রা ভবতাং দীর্ঘদর্শনাৎ। তপস্বিব্রতসংতপ্তা জ্ঞানবিজ্ঞান শোভিতাঃ ॥৩৮॥

যচ্ছ্রুতং যচ্চ বো দৃষ্টং দিবিবা যদিবাভুবি।
আশ্চার্য্যং পরমং কিঞ্চিৎতৎ ভবন্তো ব্রুবন্তমে ॥৩৯॥

তেজ অহুনা, তপস্যাতনা লপ ওইজরবা, দেবতা অময়মগা মায়না শক্তি লৈরবা, অশাউব পুম্বা লাকহৎলবা, ইন্দ্রিয় খুদুম চম্বা নখোয়তুম্বদসু অরাবা চিংনবা পীরি। ৩১। ঐ চৌংথক অসিদা অকনবা তপস্যা তৌহুনা লৈরম্বনি। ঐগী তপ (তপস্যা) গী তাপ (তেজ) অসিনা তপস্বী নখোয়গী দর্শন লেবনচিং-বদগী মৈগী মপক লৌথবনি। মাসিদা তপস্বী নখোয়না থক গুকক্কম রাকম থোক্তে।৩২॥ ঐগা মায়না বীর্য্যবান ওইবা ঈচা অমতং কংগে (পোকে) হায়দুনা ঐ চৌংথক অসিদা তপস্যা তৌরম্লিবনি। অহুগী মমক্তা মহুলগী মপক ওইরবা ঐ লৈরম্লিবনি।৩৩॥ ঐগী হকচাংদুংসিদা লৈবা প্রাণবায়ুশিংহুনা, মৈগী মপক ওইনা মপান্দা চোংথোরক্লুনা, মৈ শংসিগ বব পীনহৈরবা ব্রহ্মাগী ব্রহ্মলোকতা ঐ চংলুই ॥৩৪॥ ব্রহ্মাজীনা অহুম্না ঐঙোন্দা অহুম হায়না পাউদমহৈ, মাহুদি, ঐগী তেজ (মঙাল মৈ) অসিগী তংথাই অমনা মচাক ওইহুনা শক্তি লৈরবা শংকর (মহাদেব) না ঐগী ঈচা ওইনা পোক্লগনি ॥৩৫॥ অসিগুম্বা পাউ অসি পুরক্লুনা ঐগী তেজ (মৈ) গী মপক ওইরবা প্রাণবায়ুনা ঐগী নাক্ত হজিল্লক্লুনা, ঐ (আত্মা) গী শিষ্যগী মতৌগুম ঐগী থোঙদা তুরহুনা সেবা তৌবরি হায়জরি। মৈ অহুনা, মাগী হায়বী অবস্থা (প্রাণবায়ু) অহুদা অমুক হজিনখ্রিবসিনি।৩৬॥ তপস্যাতনা লল ওইরবদা। ঐনা নখোয়গী নকমদা ভগবান্ শ্রীবিষ্ণুগী গুপ্ত ওইরবা (থুম্বা) রাকম অসি, লীরবনি। মাসিবু তাবগা নখোয়গী থম্মোয় পুক্নীংদা চিংনেবা গুকপা পোকক্কম থোক্তে।৩৭॥ নখোয় পুম্নমক্কি চৎনীংবা য়ৌনিংবা মফম মফমদা খুদকা থৌগুম্মক্তনি। কম্বিনা হায়রবু নখোয় তপস্বীশিংদি দূরদর্শী (অা কাওবা উশিনবা ওবা) মক্তনি। ব্রত তপস্যাগী মহৈনা ব্রহ্মতেজনা পূমঙাল ঙাম্লবা মক্তনি। মহুং হজিন্দ মরুবা বিজ্ঞান হায়বহুমক্তা নখোয়গী লৈচ্রে ওইনা লৈরবনি।৩৮॥ অহুনা, ঐনা তপস্বী নখোয়গা হায়জনীংবা অাহনীংবা হংজনীংবদি র্গ মর্ত্ত অনীমক্তা ঙরি করি থৌদোক অঙকপা থোকখিবগে, অহুনি।।৩৯॥

তত্তাযুজ্ঞিকাক্ষয় বা্যমোরভি যে দৃষ্টা। জয়ভিঃ কথিতমোহ তপোবনবিবাসিভিঃ ।৪০॥
যত্তদত্যদ্ভুতং দৃষ্টং যো দিব্যমদ্ভুতদর্শনম। দিবিবা ভুবি বাকিঞ্চিৎ পশ্যাম্যমরদর্শনাঃ ॥৪১॥
প্রকৃতি সা মমপরান কাচিৎ প্রতিবন্ধতে। ন চাস্মগতমৈশ্বর্যমাশ্চর্যং প্রতিভাতি মে ॥৪২॥
শ্রদ্ধেয়ঃ কথিতো হ্যর্থঃ সজ্জনশ্রবণংগতঃ। চিরং তিষ্ঠতি মেদিন্যাং শৈলে লেখ্যামিবার্পিতম্ ॥৪৩।
অহং সজ্জনমুখান্নিঃ সৃতং তৎসমাগমে। কথায়িষ্যাম্যহমহো বুদ্ধিদীপকরং নৃণাম্ ॥৪৪॥
ততো মুনিগণাঃ সর্বে বিস্মিতাঃ কৃষ্ণসন্নিধৌ। নেত্রৈঃ পদ্মদলপ্রখ্যৈরপশ্যংস্তং জনার্দনম্ ॥৪৫॥
বর্ধয়ন্তস্তথৈবান্যে পূজয়ন্তস্তথাপরে। বাগ্‌ভিঃশুভ্‌ ভূষিতাথাভিঃ স্তুবন্তো মধুসূদনম ॥৪৬॥
ততো মুনিগণাঃ সর্বে নারদং দেবদর্শনম্। তদা নিয়োজয়ামাসুর্বচনে বাক্যকোবিদম্ ॥৪৭॥

মুনয় উচুঃ

যদাশ্চর্যমচিন্ত্যং চ গিরৌ হিমবতি প্রভো। অনুভূতং মুনিগনৈস্তীর্থ যাত্রাপরৈর্মুনে ॥৪৮॥
তৎ ভবানৃষিসংঘস্য হিতার্থং সর্বমাদিতঃ। যথাদৃষ্টং হৃষীকেশে সর্বমাখ্যাতু মহতি।৪৯॥

নখোয়গী লৈকমদি তপোবনদনি। নখোয়গী নচীন্দগী খোয়কপা অমৃতগুম থুম্নবা য়াকম অহুনি, ঐনা য়ায় খৌয়াংবা তানীংলিবসি ॥৪০॥ মহর্ষি পুম্নমক। নখোয় মহর্ষিশিংগী দর্শন কংজবসে দেবতাশিংগী দর্শন কংজবগা অমানি, চপ মান্নৈ। নোংমদোন লৈমায়থক অবীমক্তা লাইরৈবাক্তী ওইবা, অঙকপা ওইনা লৈরিবা, নখোয়না থক উথিজ্রিবা পোৎশকশিং অদো, ঐনা ঙসি প্রত্যক্ষ ওইনা, ঈমীৎমক্তা উরে। খোখোৎমক উবা থঙবা (সর্বজ্ঞ সর্বদর্শন) হায়বসে ঐগী খাইদগী হেনবা স্বভাবনি। স্বভাব অসে, কনাগুম্বা করিগুম্বা অমতনা থিংবা থুগাইবা য়ারোই। অহুগা ঐগোন্দা লৈরিবা ঐশ্বর্য্য (ঈশ্বরগী শক্তি) অসে, ঐগোন্দদি অঙকপা ওইনা, ঙককম খোক্তে। অহুম ওইনমক, সৎপুরুষ, মহাত্মা ওইবশিংগী নাকোংদদি হায়রিবা বিষয় অসে, শ্রদ্ধাগা লোয়ননা থাজনীংঙায়নি। নুংপাক্তা হক্‌না ইপ্রবা, কোকপা য়াত্রবা, মপ্নি (ময়েক) গুম মকম মতম পুম্বদা লৈহৌরগদবা য়াকম অমনি ॥৪১-৪২॥ অহুনা, সাধু মহাত্মা ওইব্রবা নখোয়গী চীন্দগী বচন (য়াহৈ) শিং অসি তাইবংগী বুদ্ধিগী মত্তাল হেনগৎহন্নবগী মশক্তি হায়না খল্লুনা (লৌহুনা) নখোয়গী বচনশিং অসিবু ঐনা লোক সমাজদা কোংদোকনি তাহনগনি ॥৪৪॥ মাসি তাবদা ভগবান্ শ্রীকৃষ্ণগী নাক্ত কন্নবা ঋষিশিংহুগী থম্মোয়দা অঙকপা পোকখি। মকাকয় শাৎলবা থম্বাল লৈনাগী মতৌগুম্নবা মমীৎশিংহু কৃপুনা শ্রীকৃষ্ণদা হুংগৎনা য়েংহুনা লৈনখি ॥৪৫॥ মখোয় খরনা শ্রীকৃষ্ণবু থাগৎলখি। খরনা পূজা সেবা তৌহুনা লৈনখি। খরনা খগ বেদগী ঋচাশিংনা (মন্ত্রশিংনা) শ্রীকৃষ্ণগী স্তুতিদান তৌনখি ॥৪৬। অহুগী তুংদা ঋষিশিংহুনা বা ঙাঙবদা হৈশিংলবা নারদদা, শ্রীকৃষ্ণদা চপ চানা পাউথুম পীননবা হায়খি। নারদবু শ্রীকৃষ্ণগা ঙাঙনমবা ঈহুনখি ॥৪৭॥ ঋষিমুনিশিং অহুনা নারদদা অহন্না হায়খি:—মুনি। তীর্থযাত্রাদা পুন্নীং চঙলবা ঋষিশিংনা হিমালয়গী চীংথক অসিদা উখিবা অঙকপা খোদোক পুম্নমক, মহাত্মা শ্রীকৃষ্ণদা লোইনা তম্মু, তাহন্নু ॥৪৮-৪৯॥

এবমুক্তঃ স মুনিভির্নারদো ভগবান্ মুনিঃ। কথয়ামাস দেবর্ষিঃ পূর্ববৃত্তমিমাং কথাম্ ॥৫০॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যামনুশাসনপর্বণি দানধর্মপর্বণি একোণচত্বারিংশদধিকশততমোহধ্যায়ঃ ॥ × ॥ × ॥

—:(*):—

মাদু তাবদা শক্তি লৈরবা নারদ মুনিনা, চৌংথক্লা থোকখিবা উথিব পূর্বদু শ্রীকৃষ্ণসী মকমদা মথং-থীংবা তমখি ॥৫০॥

মকম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোক লিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা অনুশাসন পর্বদা, দানধর্ম পর্বদা, চামাকুন্দ্রামাপলগুবা অধ্যায় লোইরে ॥ × ॥ × ॥

—:(*) —

মণিপুরা মহাভারত

চত্বারিংশদধিকশততমোঽধ্যায়ঃ

[হিমালয় চীংথক্তা ভূতশিংগা লোয়ননা লৈবা শিব (মহাদেব) গী শোভা (করবী) বু নারদনা বার্ণন তৌবা, পার্বতীনা লাকপা, শিবজীগী মীৎ অনীবু মথুংনা মেনবা, মহাদেবগী অহুমগুবা মীৎ চোংথোকখিবগী বর্ণন, অহুগা হিমালয়না ভস্ম ওইনা মাংডুরগা অমুক হান্নগী মগুনা ভায়কপগী বর্ণন, শিব পার্বতী অনীগী সংবাদ]

চামনিফুগুবা অধ্যায়ঃ

—:(*):—

ভীষ্ম উবাচ

ততো নারায়ণ সুহৃন্নারদো ভগবানৃষিঃ। শঙ্করস্তোময়া সার্দ্ধং প্রত্যভাষত ॥১॥

নারদ উবাচ

তপশ্চচার ধর্মাত্মা বৃষভাঙ্কঃ সুরেশ্বরঃ। পুণ্যে গিরৌ হিমবতি সিদ্ধচারণসেবিতে ॥২॥
নানৌষধিযুতে রম্যে নানা পুষ্পসমাকুলে। অপ্সরোগণসংকীর্ণে ভূতসংঘনিষেবিতে ॥৩॥

ভীষ্মনা হায় ঃ—যুধিষ্ঠির! অহুগী তুংদা, শ্রীহরিনারায়ণগী ভক্ত অমদি মরূপ ওইরবা, শক্তি লৈরবা নারদনা শ্রীকৃষ্ণগী মাওদা, শিবগা পার্বতীগা অনীনা তৌনখিবা সংবাদ (ওাওনখিবা রাকম) অহু মথঙ নীংনা তম্বা হৌথি ॥ ॥ নারদনা অসুম্না হায়খি—ভগবন্! কৃষ্ণ! সিদ্ধচারণশিংগী লৈকম ওইবা, মনা মণীং ইাদাক লাংথক জাং জাংনা থম্ন হৌরবা, মথল মথলগী হৈ লৈ পুম্মক্না থম্ন হৌব শাৎপনা থোইদোক্না নীংখিজমবা, অপ্সরাশিংগী মপৈ মপৈনা থন্না লৈরবা, মকম মকমদা যক্ষরক্ষ ভূতশিংনো থম্ন লৈরবা, শেংলবা হিমালয়গী চীংথক্তা তপস্যাবকী মূর্ত্তি ধর্মাত্মা ওইরবা ভগবান্ শঙ্কর (মহাদেব) না তপস্যা তৌহনা লৈ ॥২-৩॥

তত্র দেবো মুদা যুক্তো ভূতসংঘশতৈর্বৃতঃ। নানারূপৈর্বিরূপৈশ্চ দিব্যৈরদ্ভুতদর্শনৈঃ ॥৪॥

সিংহব্যাঘ্রগজপ্রখ্যৈঃ সর্বজাতিসমন্বিতৈঃ। ক্রোষ্টুকদ্বীপিবদনৈর্ঋক্ষবভ্রুমুখৈস্তথা ॥৫॥

উলূকবদনৈর্ভীমৈর্বৃক শ্যেনমুখৈস্তথা। নানাবর্ণৈর্মৃগমুখৈঃ সর্বজাতিসমন্বিতৈঃ ॥৬॥

কিন্নরৈর্যক্ষগন্ধর্বৈ রক্ষোভূতগণৈস্তথা। দিব্যপুষ্পসমাকীর্ণং দিব্যজ্বালাসমাকুলম্ ॥৭॥

দিব্যচন্দনসংযুক্তং দিব্যধূপেনধূপিতম্। তৎ সদো বৃষভাঙ্কস্য দিব্য বাদিত্রনাদিতম্ ॥৮॥

মৃদঙ্গপণবোদ্ঘুষ্টং শঙ্খ ভেরী নিনাদিতম্। নৃত্যদ্ভির্ভূতসংঘৈশ্চ বর্হিণৈশ্চ সমন্ততঃ ॥৯॥

প্রনৃত্তাপ্সরসং দিব্যং দেবর্ষিগণসেবিতম্। দৃষ্টিকান্তমনির্দেশ্যংদিব্যমদ্ভুতদর্শনম্ ॥১০॥

স গিরিস্তপসা তস্য গিরিশস্য ব্যরোচত।

স্বাধ্যায়পরমৈর্বিপ্রৈর্ব্রহ্মঘোষোনিনাদিতঃ ॥১১॥

ভূতপ্রেত চাম্বা চামনা ঈকোয় কোয়শিন্না সেবা তৌদুনা লৈবা শঙ্করনা য়াম্ন নুংঙাইনা, মারখোং মকা য়ায়া ঙাম্নোইনা লৈ। ভূতশিং অদুগী মশকশিং অদু যেংবদা কজবা অদুগা মহা অঙকপা অমদি অকিবগী মশক্নি ॥৪॥ ভূতশিংদুগী খরগী মমায় শাঙং-শাদাদু কৈ-নোংশা শামুশিংগা অজানি চপ মান্নে। শা উচেক জাৎ জাৎসু মখোয়গী মরক্তা য়াওশিল্লি। কনা কনাগুম্বা ভূতশিংগী মারখোং অদু, লমহুই, কৈশাল, শওম, শজাওগী মকোক মমায়গা চপ মান্নে ॥৫॥ খরনা মকুগী মমায় মান্নি। খরনা খুমুপ্ত, কাক লাওজাগী মকোক মমায় পান্নি। খরগীনা শজী শঙাইগী মকোক মমায় পান্নি। মখোয় খুদিংমক জাতিদা, মশক মওংদা, ভৌখোয়কপদা অমগা অমগা খক মান্নদে ॥৬॥ মখোয়সি নত্তবা যক্ষ, রক্ষ, কিন্নরশিং কপা কন্নামা মহাদেববু ঈকোয় কোয়শিল্লা, ঙাক সেন্দুনা লৈ। ভগবান্ শ্রীমহাদেবসু মখোয়-শিংসিনা তাইশিল্লকপা হৈ লৈ মন্নাকদা কুপশিন্দুনা অঙ্গোক্না-মীংখিক্নবা দিবমূর্তি অম পুদুনা লৈরি। লাইরৈবাকী ধূপ দীপ চন্দনগী মনমনা সুগন্ধ মূর্তি অম পুরি। পঙ্ক যন্ত্র পুংশেল মখল মখলগী ধ্বনিনা পুমনিল নিল্লি। পুং, পুংজাও ডমরু, পেরেম্পিজাগী মখোয়না মকম খুদিংদা খোম্বাং রৈনা চৎল্লি। মায়ুরশিং মরিদা ভূতপ্রেতশিং অমদি য়াহোংশিংগী জগোঈ অমদি শৈশক্না মহাদেববু কজবগী মখতা অমুক হেন্না কজহল্লি ॥৭-৯॥ অপ্সরাশিংনা জগোঈ খুৎথেক মুজা জাৎ জাৎনা ঈশৈগা লোয়ননা জগোই শাল্লি। অসিগুম্বা দিব্য সভা অসিবু মহর্ষিশিংগী মপৈনা অমুকসু কজবা হেনগৎহল্লি। যেংবদা চাঁদা হারাওকপা ওমদবা, পূর্লীং হুনবগী অমদি অলৌকিক ওইবা মশক পুরি। অঙকপা অকিবা, মীংখিক্নবা পুম্না পুমতিল তিল্লি ॥১০॥ ভগবান্ শঙ্করগী তপস্যাগী শক্তিনা চীং অদুগী পূর্লীং হুনবগী মশক ওইবা মূর্তি অদু ওইরি। স্বাধ্যায়দা (বেদ তত্ত্ব তাম্বিবদা) পূর্লীং চঙলবা ব্রাহ্মণশিংগী বেদগানগী ধ্বনি (খোঞ্জেল) না চীংমায় অদুনা পুমনিন নিল্লি ॥১১॥

ষট্‌পদৈরুপগীতৈশ্চ মাধবাপ্রতিমো গিরিঃ। তমহোৎসবসংকাশং ভীমরূপধরংততঃ ॥১২॥
দৃষ্ট্বা মুনিগণস্তাসীৎ পরাপ্রীতির্জনার্দ্দন। মুনয়শ্চ মহাভাগাঃ সিদ্ধাশ্চৈবোর্দ্ধরেতসঃ ॥১৩॥
মরুতো বসবঃ সাধ্যা বিশ্বেদেবাঃ সবাসবাঃ। যক্ষা নাগাঃ পিশাচাশ্চ লোকপালা হুতাশনাঃ ॥১৪॥
বাতা সর্ব্বে মহাভূতাস্তত্রৈবাসন্‌ সমাগতাঃ। ঋতবঃ সর্বপুষ্পৈশ্চ ব্যকিরন্ত মহাদ্ভুতৈঃ ॥১৫॥
ওষধ্যো জ্বলমানাশ্চ দ্যোতয়ন্তিস্ম তৎবনম্‌। বিহঙ্গাশ্চ মুদা যুক্তাঃ প্রানৃত্যন্‌ ব্যনদংশ্চ হ ॥১৬॥
গিরিপৃষ্ঠেষু রম্যেষু ব্যাহরন্তো জনপ্রিয়াঃ। তত্র দেবো গিরিতটে দিব্যধাতুবিভূষিতে ॥১৭॥
পর্য্যঙ্ক ইব বিভ্রাজন্‌ উপবিষ্টো মহামনাঃ। ব্যাঘ্রচর্ম্মাম্বরধরঃ সিংহচর্মোত্তরচ্ছদঃ ॥১৮॥
ব্যালযজ্ঞোপবীতী চ লোহিতাঙ্গদভূষণঃ। হরিশ্মশ্রুজটী ভীমো ভয়কর্তা সুরদ্বিষাম্‌ ॥১৯॥

মাধব। কৃষ্ণ। মায়্থুংগী মথক্তা, মায়গী পুম্বদগী তংলকপা থোইমুশিংগী খোল্লেম্না বেদধ্বনিশিং অহৌবু অমুক হেন্না কল্লহল্লি। জনার্দ্দন। মকম অদু কন য়াম্ন অকিবগী মশক ওইরবসু ওহোক্না মুংঙাইরবা মহোৎসব অমগী মকম ওইরি। মহর্ষিশিংদুগী মায়থোংশিং অদু য়াম্ন মকা য়াম্না মুংঙাইনা লৈবা ওইনা উই ॥১২॥ মহামরাম্নবক করবা, মুনিঋষিশিং, মথকলোমদা রেতস (কম্বি) হাইগৎপ্রবা (লিঙ্গশরীর-রোমদা ওন্থরক্তবা) সিদ্ধযোগীশিং, মরুৎদেবতাশিং, বসুদেবতাশিং, সাধ্যশিং (মখোয় মথাংক অমম্না সাধনা তৌননবগী কিদমকম ওইরম্বশিং) ইন্দ্রনাচিংবা বিশ্বেদেবশিং, যক্ষরক্ষশিং, নাগ বাসুকিনাচিংবা লিলশিং, পিশাচ (হিংচা রাইতম্বা) শিং, লোকপাল (মায়গী ঙাকপা লাই) শিং, অগ্নিদেবতা বায়ুদেবতাশিং অদুগা ভূতপ্রেতশিং মখোয়শিংসি মকম অদুদা লোইনা পুল্লরে ॥১৩-১৪॥ ঋতুশিংনা অউবা শক্লোল পুহুনা মথল মরা অয়াম্বা, অঙকপা কংনা মনম মুংশিরবা হৈ-লৈ পুম্বা চাইথররি হীদাক লাংথক্কী পাম্বী মনা-মশীং উচী-মায়ীশিংনা মাগী মাগী মশেক মঙালশিংগা লোয়ননা ভত্তপ তরেংনা ঙাল্লরি ॥১৫॥ চীংগী টাংলোনশিং অদুদা, মখোল তাবদা তাইবং মী পুম্নমকী বাকোংদা হয়াউ মুংঙোইবা লোক্লনবগী মশক ওইরবা উচেক জাং কয়া কয়ানা মাগী মাগী মুংশিরবা খোম্হোক্তা ঈশৈ শক্লরি ॥১৬॥ লাইরৈবাকী হী-খাই মথল মথম্না লৈতেংলবা কমুং (শয্যা) গী মশক ওইরবা মণিমুক্তা কয়া কয়ানা থম্না লৈরবা চীংথক শক্লাথক্তা মহাত্মা ওইরবা মহাদেব (শঙ্কর) অমি, হাম্ননীংঙাই লৈতনা ফজনা ঙাম্বোইহনা লৈ ॥১৭॥ কৈগী মউম্না ফীজোল ওইরি। নোংশাগী মউম্না মমথাং (ইন্নফি) ওইরি। লেংবান্দা লিলনা যজ্ঞোপবীত (নৌগুণ) ওইরি। ভাঙলবা ঈগী মরীনা পাম্বোমকাবী (তাল) ওইরি। কোয়বা কোই মরায়া মুশিল-মুনা হাইথরি চোম্বরি। কোকথক্তা জটা য়াংবা পুরি। অকিবগী মশক কনলবা অমাংনা দেবতাশিংগী য়েলবা হিংচা য়াইতম্বশিংগী খঙোয়দা অকিবা মিপাইবা পোকহল্লি। মহাকী কিরাংবা শম্নাবা শক্লাঙগী মূর্ত্তি লৈ। অম্না ভগবান্‌ সদাশিব শঙ্করনা শিবভক্তশিংগী অমমি ভূতশিংগী অকিবা পুবা কোকহনুনা ঙাম্বোইহরি ॥১৮-১৯॥

অতস্তঃ সর্বভূতানাং ভক্তানাং বৃষভধ্বজঃ।
দৃষ্ট্বা মহর্ষয়ঃ সর্বে শিরোভিরবনিং গতাঃ ॥২০॥
(গীর্ভিঃ পরমশুদ্ধা ভিস্তুষ্টুবুশ্চ মনোহরম্)

বিমুক্তাঃ সর্বপাপেভ্য ক্ষান্তাবিগতকল্মষাঃ। তস্য ভূতপতেঃ ভীমরূপংবরং বভৌ ॥২১॥
অপ্রধৃষ্যতরং চৈব মহোরগসমাকুলম্। ক্ষণেনৈবাভূৎ সর্বমদ্ভুতং মধুসূদন ॥২২॥
তৎ সদোবৃষভাঙ্কস্য ভীমরূপধরং বভৌ। তমভ্যয়াচ্ছৈলসুতা ভূতস্ত্রীগণ সংবৃতা ॥২৩॥
হরতুল্যাম্বরধরা সমানব্রতধারিণী। বিভ্রতী কলশং রৌক্সং সর্বতীর্থ জলোদ্ভবম ॥২৪॥
গিরিস্রবাভিঃ সর্বাভিঃ পৃষ্ঠতোঽনুগতা শুভা। পুষ্পবৃষ্ট্যাভিবর্ষন্তী গন্ধৈর্বহুবিধৈস্তথা।
সেবন্তী হিমবৎপার্শ্বং হরপার্শ্ব মুপাগমৎ ॥২৫॥
ততঃ স্মরন্তী পাণিভ্যাং নর্মার্থং চারুহাসিনী। হরনেত্রে শুভেদেবী সহসাসা সমাবৃনোৎ ॥২৬॥
সংবৃত্তাভ্যাং চ নেত্রাভ্যাং তমোভূতমচেতনম। নির্হোমং নিব ষটকারং জগৎ বৈ সহসাভবৎ ॥ ৭॥

ভগবান্ শঙ্করগী দর্শন তৌরগা মুনিঋষি পুম্নমক অদু, মকোক লৈমায়থকলোমদা ওন্থদুনা মকোক নোক্না খুরুম্লি। নীংথিজবা রাহৈনা স্তুতি তৌরি লৈশি লৈথোক্লি। হায়রিবা ঋষিশিং অসি মশাদা পাপকী মরীক অমত য়াওদ্রবা, জ্ঞানী ওইরবা, মীগী মরাল ডাকপি হৈরবা ওাকুনি॥২০॥ ভগবান্ শঙ্করগী অকিবগী মশক কংলুবা লৈকম (মকম) অদু, ওন্থোক্না কজরবা শক্লোল পুথি। লাকত্তম কাত্তম-দ্রবা চাউ শাংলবা লিলমকনা থয়া লৈ। মধুসূদন! কৃষ্ণ! শঙ্করগী অকিবা অঙকপনা থল্লবা সভা অদু খুদক্তা চাংদয়িংঙাই লৈতনা কজব। শক্লোল অম পুথি ॥২১-২২॥ মতমচুমকদা ভূতপ্রেতশিংগী নুপীশিংনা ঈকোয় কোরশিন্নবী গিরিরাজ নন্দিনী উমা (পার্বতী) অসি তীর্থ পুম্নমক্কী ঈশিংনা থল্লা হাপ্লবা সনাগী চফু (সনাবুল), নাকন্দা নৌরবা খাঙদা য়েপ্তুনা (কোন্দুনা) শঙ্করগী নাক্তা হেক লাকই। উমাগী শেং চারিব পুম্নদু শঙ্করগীগা চপ মান্নে। মহাকসু মহাদেব শঙ্করগা চপ মান্ননা ব্রত উপাসনা তপস্যা তৌবীনি ॥২৩-৪॥ উমা দেবীগী তুংদা হিমালয় চীংথক্কী চেম্বরকপী তুরেল পুম্নমক্না থোংলগুম মরী মরী ইরক্লি। নীংথিবা লক্ষণ পুম্নমক্না তিল্লবী উমানা চৎন চৎনা মনম মুংশিন্নবা লৈ খুজোক মায়ৈগে পুম্নদা চাইথোক চাইথোকুনা শঙ্করগী নাক্ত লাক্লি। দেবী অসিসু হিমালয়গী চীংমায় নাকল অমগী অধিষ্ঠাত্রী দেবতা অম ওইনা মকম অদুগী নীংথিজরবা দৃশ্যবু সেবন তৌদুনা লৈবীনি ॥২৫॥ অদুম ওইবী, পুন্নীং হুনবগী মশক ওইবী উমানা নোকমিন্নবা, মুংঙাইমিন্নবগী মওংদা ভুমিন্ন লাক্তুনা মহাদেবগী মীৎ অনীমু খুৎনা তুংলোমদগী মোমোন নোক্না খুমজিল্লি ॥২৬॥ মহাদেবগী মীৎ অদু হেক খুমজিনখিবদা জগৎ পুম্নসি পুমমম মদ্দি। জগৎ জীব পুম্না অশিবগা পাংথক ওইদুনা তাদুনা লৈ। বষটকারনচিাবা উনমুক চীকখি ॥২৭॥

জনশ্চ বিমনাঃ সর্বে হ্যভবৎ ত্রাসসমন্বিতঃ। নিমীলিতে ভূতপতৌ নষ্টসূর্য্য ইবাভবৎ ॥২৮॥
ততো বিতিমিরো লোকঃ ক্ষণেন সমপদ্যত। জ্বালাচ মহতী দীপ্তা ললাটাৎ তস্য নিঃ সৃতা ॥২৯॥
তৃতীয়ং চাস্য সম্ভূতং নেত্রমাদিত্য সন্নিভম্। যুগান্তসদৃশং দীপ্তং যেনাসৌ মথিতো গিরিঃ ॥৩ ॥
ততো গিরিসুতা দৃষ্ট্বা দীপ্তাগ্নিসদৃশেক্ষণম্। হরং প্রণম্য শিরসাঁদদর্শায়তলোচনা ॥৩১॥
দহ্যমানে বনে তস্মিন্ সসাল সরল দ্রুমে। সচন্দনবরে রম্যেদিব্যৌষধি বিদীপিতে ॥৩২॥
মৃগযূথৈর্দ্রুতৈর্ভীতৈর্হরপার্শ্বমুপাগতৈঃ। শরণং চাপ্যবিন্দন্তিস্তৎ সদঃ সংকুলংবভৌ ॥৩৩॥

ততো নভস্পৃশজ্বালো বিদ্যুল্লোলাগ্নিরুল্বণঃ।
দ্বাদশাদিত্যসদৃশো যুগান্তাগ্নিরিবাপরঃ ॥৩৪॥
ক্ষণেনতেন নির্দগ্ধো হিমবানভবন্নগঃ।
স ধাতুশিখিরাভোগো দীপ্তদগ্ধলতৌষধিঃ ॥৩৫॥

তাইবং মী, জীব পুম্নমক মকম মরাং খঙখিদ্রে, মথৌ থবক পুম্বদা চঙনখিদ্রে। খাইগী থম্মোয় পুম্নমক্তা কয়ি থোক্লগদগে হায়বত্থগী অকিবা মিপাইবা পোক্লখি। ভূতনাথগী মীৎ খুমজিনখিবত্থদা জগৎ অসিদা সূর্য্যদেবসি শিপ্রবা, মূৎখ্রবগা পাংখক ওইখি ॥২৮॥ অত্থদগী ভুহাক লৈরগা অন্ধকার (অমম্বা) অত্থ লৈখিদ্রে। মরমদি ভগবান্ মহাদেবগী ভসাইগী অহুমশুবা মীৎ অত্থদগী মশেক মঙালনা থল্লবা মৈবুল মৈরী অমা কাপথোক চোংথোরকই ॥২৯॥ মহাদেবগী পীশুম অনীগী কারক, লাইবক মরায়দা অহুমশুবা নেত্র (মীৎ) অম চোংথোরক্লনা মহাদেবসি ত্রিনেত্র (ত্রিলোচন) ওইখি। অহুমশুবা নেত্রদগী হাই-দোমরক্লিবা তেজ অসিনা প্রলয়গী মৈগী মতৌগুম্না চাকলক্লনা চীং অত্থবু খুদক্তা ঈতুম তুম্না মৈহৎখি ॥৩০॥ মহাদেবগী লাইবক মরায়দা, মৈরী থোক্লা চাক্লবা মৈগী মতৌগুম্বা, অহুমশুবা মীৎ অম চোংথোরকপত্থ উবদা, মীম্না কোয়রাওনরবী, চীঙনিংথোগী মচানুপী উমা (পার্বতী) না মকোক নোম্না খুরুম্নগা, ঈতক ওক্লা, মীৎ কুপ্নমা মপুয়োয়বা মহাদেবদা য়েংত্থনা লৈখি ॥৩১॥ মরেপ চুম্না বাংলবা চীংগু পাম্বীনচিংবা অত্থগা মনম নুংশিরবা চন্দন পাম্বীনচিংবনা থল্লা হোরবা হিমালয়গী মীংখিজরবা চীংমায় অত্থমা মৈরি থোক্লা তুম্না চাকখিবত্থ ঈতক ওক্লা য়েংত্থনা লৈখি ॥৩২॥ লৈকম চাকম খঙত্রবা তথক তথক্লবা শজী শজাইশিংনা আশ্রয় লৌকম খঙদনা মহাদেবগী নাক্তা চেঙ্গিরক্লনা চপ চপ লেপ্লনা লৈখি। মাত্থম ভৌবত্থনা বন অত্থগী কব্বা মশক মওং অম ওইখি ॥৩৩॥ বন অত্থদগী চাকথংলকপা মৈবুল মৈরিশিং অত্থ লোমেংজোল থেংনা হাইসংখি। নোংথাং পরেং পরেংগুম্না চাকথংলকপা মৈবুলশিং অত্থ উবদা মহা অকিকবী মশক পুখি। প্রলয়গী মতমদা থোক্তদবা নুমিৎ তরানিথোইনা অমুক্তদা পুমডাল ভানবগুম বন অত্থ মৈথাইত্থলা চাকখি ॥৩৪॥ চাকথংল্যক্লিবা মৈ অত্থনা চীংমায় অত্থগী হৈপাল লৈপাল উপী বাম্বী, অত্থদা লম্বনা বাংলবা চীংদোলশিং অত্থ কাওবা মৈতাল তানা তুম্না চাকথেক্লনা উং ওইহনখি ॥৩৫॥

তং দৃষ্ট্বা মথিতং শৈলং শৈলরাজসুতা ততঃ। ভগবন্তং প্রাঞ্জলির্বৈ [illegible] ॥৩৬॥
উমাং শর্বস্তদা দৃষ্ট্বা স্ত্রীভাবগতমার্দবম্। পিতুর্দৈন্যমনিচ্ছন্তীং প্রীত্যাপশ্যত্ততো গিরিম্ ॥৩৭॥
ক্ষণেন হিমবান্ সর্বঃ প্রকৃতিস্থঃ সুদর্শনঃ। প্রহৃষ্টবিহগশ্চৈব সুপুষ্পিতমহাদ্রুমঃ ॥৩৮॥
প্রকৃতিস্থং গিরিং দৃষ্ট্বা প্রীতা দেবী মহেশ্বরম্। উবাচ সর্বলোকানাং পতিং পতিমনিন্দিতা ॥৩৯॥

উমোবাচ

ভগবন্ সর্বভূতেশ শূলপাণে মহাব্রত। সংশয়ো মে মহান্ জাতস্তন্মে ব্যাখ্যাতুমর্হসি ॥৪০॥
কিমর্থং তে ললাটে বৈ তৃতীয়ং নেত্রমুত্থিতম্। কিমর্থঞ্চ গিরির্দগ্ধঃ সপক্ষিগণকাননঃ ॥৪১॥

কিমর্থং চ পুনর্দেব প্রকৃতিস্থস্ত্বয়া কৃতঃ।
তথৈব দ্রুমসংচ্ছন্নঃ কৃতোহয়ং তে পিতা মম ॥৪২॥
(এষ মে সংশয়ো দেব হৃদি মে সংপ্রবর্ততে।
দেবদেব নমস্তুভ্যং তন্মে শংসিতুমর্হসি ॥

চীং অহৃ লোইনা তুরা চাকখিমচু উবদা গিরিরাজকুমারী (চীংনিংথৌ [illegible]) উমা অসি, [illegible] লোমহনা মহাদেবদা [illegible]খি।৩৬॥ [illegible] অহুদা পার্বতী খসিগী [illegible] [illegible] অমা ওইবগী [illegible] রাজকা, নৌজবা, মিপাঙ্গ চাউবগী মওংদু খুদক্না [illegible]খি। মপা (গিরিরাজ হিমালয়) গী [illegible] [illegible] পোক্‌নীঙ্গাবগী মখক ওইবা অবস্থা অদু, ভগবানা থাজহনা য়েংহনবা নৈবা [illegible] [illegible] লৈবদু পানবরে। উমাগী মতৌ অদু, য়েংবদা [illegible] মহাদেবনা কৃপাগী ([illegible]) মীৎয়েংনা গিরিরাজদোমদা হেক য়েংখই ॥৩৭॥ মহাদেবগী কৃপাদৃষ্টি অদুনা চীং অদুনা হেক [illegible] গিরিরাজ (হিমালয়) অসি মাগী হায়রী কনবা মওং অদুদা খুদক্তা হজিনখি। য়েংবদা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] মওং অম পুখি। হিমালয় শোক্তা অদু উবদা চীং অদুদা লৈবা [illegible] [illegible] পূরমক মাগী মাগী [illegible] [illegible] খোংবা হৌনখি। [illegible] [illegible] মাগী মাগী [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] কনখি ।৩৮॥ চীংগী [illegible] উবদা পতিব্রতা ওইবী উমা অসি [illegible] [illegible] [illegible] লোক পূরমকী মালিকগী মখক ওইরবা মপুরোয়বা মহাদেবদা [illegible] [illegible] ॥৩৯॥ [illegible] সর্বভূতেশ্বর। শূলপানি। ব্রতভপন্ডা [illegible]। ঐগী পুক্নীংদা [illegible] চিন্তা [illegible] [illegible] মাসি, [illegible] [illegible] ॥৪০॥ ভগবন্! [illegible], [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]? [illegible], [illegible] উচেকশিংগা [illegible] লৈরবা চীং অসি [illegible] [illegible] [illegible] অদুক, হায়রী মওংদা হজিন [illegible]? [illegible] ঐগী [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] উচী [illegible] [illegible]? ॥৪১-৪২॥ দেব দেব! মহাদেব। ঐগী [illegible] [illegible] চিংনবা [illegible]। ঐগী [illegible] [illegible] [illegible]।

নারদ উবাচ

এবমুক্তস্তথা দেব্যা প্রীয়মাণোঽব্রবীৎভবঃ ॥)

শ্রীমহেশ্বর উবাচ

স্থানে সংশয়িতুং দেবি ধর্মজ্ঞে প্রিয়ভাষিণি ॥

ত্বদৃতে মাং হি বৈ প্রষ্টুং ন শক্যং কেনচিৎ প্রিয়ে। প্রকাশং যদি বা গুহ্যং প্রিয়ার্থং প্রব্রবীম্যহম্ ॥
শৃণু তৎ সর্বমখিলমস্যাং সংসদি ভামিনি সর্বেষামেব লোকানাং কূটস্থং বিদ্ধি মাং প্রিয়ে ॥
মদধীনাস্ত্রয়োলোকা যথা বিষ্ণৌ তথা ময়ি। স্রষ্টা বিষ্ণুরহং গোপ্তা ইত্যেতৎ বিদ্ধি ভামিনি ॥
তস্মাৎ যদা মাং স্পৃশতি শুভং বা যদি বেতরম্। তথৈবেদং জগৎ সর্বং তত্তৎ ভবতি শোভনে ॥)
নেত্রে মে সংবৃতে দেবি ত্বয়া বাল্যাদনিন্দিতে। নষ্টালোকস্তদা লোকঃ ক্ষণেন সম্পদ্যত ॥৪৩॥

নষ্টাদিত্যে তথা লোকে তমোভূতে নগাত্মজে।
তৃতীয়ং লোচনং দীপ্তং সৃষ্টং মে রক্ষতা প্রজাঃ ॥৪৪॥
তস্য চাক্ষ্ণো মহৎ তেজো যেনায়ং মথিতো গিরিঃ।
ত্বৎপ্রিয়ার্থং চ মে দেবি প্রকৃতিস্থঃ পুনঃ কৃতঃ ॥৪৫॥

নারদনা হায় —দেবী পার্বতীনা অসুমা হায়জয়কপসিদা মুংশিবিদনা মহাদেবনা পার্বতীদা অসুমা হায়রকই। মহাদেবনা হায়ঃ—ধর্মগী তত্ত্ব খঙনীংবী শকহেনবী। হাইহে খেনকম কজবী। পার্বতী। নহাক্না হংলকলিবা চিংনরিবসে হংকম চিংনকপ্পক থোকই। অসিগুম্বা হাহং অসে, নহাক নত্তনা কনা অমতনা ঐগোন্দা হংবা ওয়দে, ওমসু ওল্মোই॥ নীংথিবী। চায়বী। অকোঙবা, অথুপ্পবু ওইরবসু, ঐ নত্তোন্দা লোইনা শয় তমগে, তাও॥ চায়থোইবী। ঐ অসে, খুইনা লাম্বা কংগ্রবা হাংলবা মত্তোন্দা লৈবনি হায়না খঙও। লোক অহুমক ঐগী ঈথাদনি। লোক অহুম অসিনা ভগবান্ বিষ্ণুগী মথাক্তা লৈবগুম্না, ঐগী ঈথাদসু লৈরিবনি। ভগবান্ বিষ্ণুনা শেম্মিবা জগৎ অসে, ঐনা ঙাক্লিবনি হায়না খঙও। অকবা কত্তবা, মঙ্গল ওইবা ওইদবা পোৎনা ঐগোন্দা হেক শোকপদা জগৎসিগী অকবা কত্তবা মঙ্গল অমঙ্গল হায়বদো হেক ওইরিবনি। দেবী। নিন্দা তৌননীংঙায় লৈত্রবী। নংনা ঈচম চম্না অঙাং অমগুম্না ঐগী মীৎ অনীসি হেক শোকপা খুমজিনখিবদা জগৎ পুম্বসে পুম্মমক মমখিবনি। মঙাল পুম্নমক মুৎখিবনি ॥৪৩॥ গিরিরাজকুমারী। অসুমা কুইনা মমহনা লৈবদি মানবশিনা সংসারগী স্থিতি অমদি রক্ষাশীলমক ঐনা অহুমশুবা মীৎ অমসু, নংনা শোকপা মেনখিনবা মাওখিদবা লাইবক ময়ামদা পুথোক-খিবনি। তোংবোকহনখিবনি ॥৪৪॥ হায়রিবা অহুমশুবা মীৎ অসিগী তেজনা হাং চাউরবা চীংসিবু লৈহৎখিবনি চাকথেকখিবনি। অদুবু, চায়বী। নংগী হায়বসু উবদা ঐনা, নংবু শোকপা গিরিরাজ অসিবু হায়রী মওংদা তাহল্লবনি (পুনর্জীবত ওইহল্লবনি) ॥৪৫॥

উমোবাচ

ভগবন কেন তে বক্তং চন্দ্রবৎ প্রিয়দর্শনম্। পূর্বং তথৈব শ্রীকান্তমুত্তরং পশ্চিমং তথা ॥৪৬॥
দক্ষিণং চ মুখং রৌদ্রং কেনোর্ধ্বং কপিলা জটা। কেন কণ্ঠশ্চ তে নীলো বর্হিবর্হনিভঃ কৃতঃ ॥৪৭॥
হস্তে দেব পিনাকং তে সততং কেন তিষ্ঠতি। জটালো ব্রহ্মচারী চ কিমর্থমসি নিত্যদা ॥৪৮॥
এতন্মে সংশয়ং সর্বং বক্তুমর্হসি বৈপ্রভো। সধর্মচারিণী চাহং ভক্তা চেতি বৃষধ্বজ ॥৪৯॥

ভীষ্ম উবাচ

এবমুক্তঃ স ভগবান্ শৈলপুত্র্যা পিনাকধৃক্। তস্যা ধৃত্যাচ বুদ্ধ্যা চ প্রীতিমানভবৎ প্রভুঃ ॥৫০॥
ততস্তামব্রবীৎ দেব সুভগে শ্রূয়তামিতি। হেতুভির্যৈর্মমৈতানি রূপাণি রুচিরাননে ॥৫১॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যামনুশাসন পর্বণি দানধর্মপর্বণি
উমামহেশ্বরসংবাদো নাম চত্বারিংশদধিকশততমোঽধ্যায়ঃ ॥ × ॥ × ॥

—ঃ(●)ঃ—

উমানা হায় ঃ—ভগবন্! নহাকী মায়থোং মরী লোতপ্রিবসিনা কয়িদগীনো ? নোংপোক ওনবা মায়থোংনা মপুং কায়বা থাজওম ভাম্নি কয়ে। য়েংবদা য়ায় নুংভাইয়ে। অরাং ওনবা নোংচুপ ওনবা মায়থোংনু অচু মতায়, কয়ে। অচুপা মথা ওনবা সিমদি অকিবগী মশক ওই। অসুম হায়না থোক্লিপ্রি-বসিনা কয়িদগীনো ? কোকথক্তা উহি মচু মানবা, য়িউথাংনবা জটা পুরি। মাসিগী মরম্না কয়িনো ? নহাকী থৌরী চন্নম অসিনা য়াহোংগী মশাগী মচুগুম ঈথংশংলি, মাসিনা কয়িদগীনো ? ॥৪৬-৪৭॥ মহাদেব! নহাকী খুত্তা মতম পুম্বদা পিনাক কৌবা খুংলাই (লীক) অসিনা থাদনা লৈরি। সুমিৎ চুম্না জটা পুবা ব্রহ্মচারীগুম লৈবিরি ॥৪৮॥ প্রভু! থাযী! ঐগী চিংনায়বাশিংসে অমুক্ত কোকহনবিয়ু। ঐসে, ঈবুঙো! নহাকী সহধর্মিণীনি অমসুং নহাকী ভক্তনি॥ ৯॥ ভীষ্মনা হায় ঃ—যুধিষ্ঠিরনা! গিরিরাজকুমারী (চীং নিংথৌ মচানুপী) না অসুম্না হায়বরবদা পিনাকধারী, ভগবান্ সদাশিবসি পার্বতীগী য়াম থওনীংবা অমদি থবায় য়াওনা হংবাসদা ওথোক্লা পেংগ্রে ॥৫০॥ মহাদেবনা পার্বতীদা অসুম্না হায়রকই ঃ—ফজবী! লাইবক ফবী! নংনা হংপ্রিবশিংসে, মথং মথং হায়রগে। মুম্না তাও ॥৫১॥

মখম অসিদা শ্রীমহাভারতদা, শ্লোক লিশিংচামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা অনুশাসন পর্বদা দানধর্ম পর্বদা, উমামহেশ্বরসংবাদগী চাপনীফুত্তবা অধ্যায় লোইরে॥ × ॥ × ॥

—ঃ(✽)ঃ—

মণিপুরী মহাভারত

একচত্বারিংশদধিকশততমোঽধ্যায়ঃ

(শিবপার্বতী অনীগী ধর্মগী মরম ওইবা সংবাদ। ধর্মাশ্রম ধর্মদা প্রবৃত্তি মার্গ অনীগী তত্ত্বাঁতাংনবা মতাং)

চামনীকুমাথোইশুবা অধ্যায়

—:(•):—

শ্রীভগবান্ সদাশিব উবাচ

তিলোত্তমা নাম পুরা ব্রহ্মণা যোষিদুত্তমা। তিলং তিলং সমুদ্ধৃত্য রত্নানাং নির্মিতা শুভা ॥১॥
সাভ্যাগচ্ছত মাং দেবি রূপেণাপ্রতিমা ভুবি। প্রদক্ষিণং লোভয়ন্তী মাং শুভে রুচিরাননা ॥২॥
যতো যতঃ সা সুদতী মামুপাধাবদন্তিকে। ততস্ততো মুখং চারু মম দেবি বিনির্গতম্ ॥৩॥
তাং দিদৃক্ষুরহং যোগাচ্চতুর্মূর্ত্তিত্বমাগতঃ। চতুর্মুখশ্চ সংবৃত্তো দর্শয়ন্ যোগমুত্তমম্ ॥৪॥

ভগবান্ সদাশিবনা হায়:—চায়বী! পার্বতী! মমাংঙৈদা প্রজাপতি ব্রহ্মানা ওয়োম্না কঙরবী নুপী অমা পুখোকখি (শেমখি)। অউবা দৃশ্য জগৎ অসিদা হেক লৈরিবা ফজ ফজরবা মণি, মুক্তা, রত্নশিংশিংদগী খাংতোক্লগা ফজ্জনশিংদুগী তিল মোইদিং মথায় অমমমতং লৌথম্লগা শেমখিবগা নুপী অসি তিলোত্তমা হায়না অহুম থঙনগৈ কৌনখ্রে ॥১॥ দেবী! পার্বতী! মহোল অহুমসিদা তিলোত্তমামুক ফজবী, চাংয়াইখাই ওইবী নুপী অমত লৈতে। নুপী অসি, ঐবু শুম্ফংকনবনী (পিহৈহনগদবনী) ঐগী নাথক হেক লাক্লগা, ঐগোম্দা পরিক্রমা তৌরে ॥২॥ দেবী! মহাক্না হেক কোয়রকপদা, খা অমাং নোংপোক নোংচুপ মায়কৈদা মাবু য়েংগদবনী, ঐগী মায় (মায়খোং) অসি মরী থোক্খি (মরী শাখি)। মাবু মীৎকম তোংলনা য়েংখিবতদা, মাবু য়েংবা মাবগৈ অতোমদা, মায় মখিনগী অমমমদা মায় অমমম লোক্খি ॥৩॥ অদুনা, পার্বতী! তিলোত্তমাবু মীৎ কুপ্না উনীংবগী থোৎখবদা ঐনা মায় মরিসি পুথোক্লিখিদি। অদুগা অমরোম্না হায়রগা তিলোত্তমা হায়বী উনিংবগী মায় নতে। যোগবলগী শক্তিনা মমাইগী পুখরী পোক্নং পুক্তক মরম অমত্তবা য়েংব উবা (দর্শন তৌবা) মায়খোরে ঐ হায়রসি মথৌদোক হায়বনীখুনি ॥৪॥

পূর্বেণ বদনেনাহমিন্দ্রত্বমনুশাস্মি হ। উত্তরেণ ত্বয়া সার্দ্ধং রমাম্যহমনিন্দিতে ॥৫॥
পশ্চিমংমেমুখং সৌম্যং সর্বপ্রাণিসুখাবহম্। দক্ষিণং ভীমসংকাশং রৌদ্রং সংহরতিপ্রজাঃ ॥৬॥
জটিলো ব্রহ্মচারী চ লোকানাং হিতকাম্যয়া। দেবকার্যার্থসিদ্ধ্যর্থং পিনাকং মে করেস্থিতম্ ॥৭॥
ইন্দ্রেণ চ পুরা বজ্রং ক্ষিপ্তং শ্রীকাঙ্ক্ষিণামম। দগ্ধ্বা কণ্ঠং তু তৎ যাতং তেন শ্রীকণ্ঠতামম ॥৮॥
(পুরা যুগান্তরে যত্নাদমৃতার্থং সুরাসুরৈঃ। বলবদ্ভির্বিমথিতশ্চিরকালং মহোদধিঃ ॥
রজ্জুনা নাগরাজেন মথ্যমানে মহোদধৌ। বিষং তত্র সমদ্ভূতং সর্বলোকবিনাশনম্ ॥
তং দৃষ্ট্বা বিবুধাঃ সর্বে তদা বিমনসোঽভবন্। গ্রস্তং হি তন্ময়া দেবি লোকানাং হিতকারণাৎ

নোংপোক ওনবা মায় অসিনা ইন্দ্রগী পদ (পদবী মথৌ) বু শাসন তৌরি। নিন্দা তৌননীত্তার লৈত্রবী। পার্বতী। অয়াং ওনবা (অয়াং থংবা) ঈমায় অসিনা নংগা মু শিনবগী নারী ন'তায় শারিবসিনি। নংগা ওহাক নারী শানবগী মুংত্তাইবত্থু. অয়'ং ওনবা মায়থোং অসিগী পান্বেনা ঐনা কংলি ॥ ॥ নোংচুপ ওনবা মায়থোং অসিনা অচন্তব্ জীব পুম্বদা মুংত্তাইবা পীরি। অদুগা, মথাথংবা (মথা ওনবা) আকিবগী মশক কংলবা মায়থোং অসিনা জগৎ জীব পুম্ববু সংহার তৌরি ॥৬॥ লোক পুম্নমক্কী ক'ম্নবগী ন'খয়ুদা লৈথিবনা কেব মৌবগী খাওথিদবনা কোক্তা ঈরাও নাওনা জটা পুন্নিবসিনি। মুপী নহাগী নাথল থাদে'ক্তূনা ব্রহ্মচারী ওইরিব'সনি দে'ভাশি'গী অয়াবা থুদো'থীবা হেক হেক লাকপদা মথে য়গা বম্-বগ দ ত্তা মথে মবু, গাকংথ ক্লনবা পিনাক কৌবা লীকং অ স্ব্ পায়রিবসিনি। ৭॥ মম'ত্তৈদা, ঐবু শক্কুন, ঐগী শ্রী। সম্পত্ত সিবু লৌননবগী, বজ্রবু ঐগী ঈথক্তা ত্তমশিন্নকাখি। বজ্রহুনা ঐত্তে'ন্দা কবিমত্তা তে'বা ত্তমদত্থু-না ঐ কণ্ঠ (থে'গো) সিদা থিক্তং কহুং'মগা চংখি। মাহুদগী ঐগী মিং (উপাধি) শ্রীকণ্ঠ হায়বসি ওইরিবনি * ॥৮॥ (মমাত্তৈগী, যুগ অমগী মায়ীনি। মমাত্তৈদা, লাইহিংচাবা (দেবাসুর) শিনো অমৃত কংননবগী ন্মক্তা, মতম চত্তমা মতম কুইনা সমুদ্রবু নৈথি (ঈশিংথি)॥ নাগরাজ (বাসুকি) বু থৌগী মশক ওইনা মন্দরাচল কোবা ঈরাং'দা লৈবা চীংবু মহনদক্তুম (শক্লোম মথা চিংননবা) শুকুম) রেচ্ছিন্নগা সমুদ্রবু নৈখিবত্থুদা হু থোকখি॥ মাহু উবদা দেবতা (লাই) শিং অসিয়ায় নানখি। থুংনাংবা পোকখি। মথোয়গী অয়াবত্থু উবদা ঐনা হু অত্থু থুদক্তা থকাথ ॥

---

* টীকা :—শ্রীকান্ত, শ্রীপতি হায়রগা শ্রীবিষ্ণুবু খঙনগনি। শ্রীকণ্ঠ, নীলকণ্ঠ হায়রগনা শ্রীমহেশ্বর (মহাদেব) বু খঙনগনি। "শ্রীকান্ত" হায়রগনা শ্রী (লক্ষ্মী) গী মপুরোয়বা (শ্রীপতি) হায়বনি। 'শ্রীকণ্ঠ' হায়বনা শ্রী (সম্পত্তি) না কণ্ঠদা লৈবা (কোনথিবা) হায়বনি। শ্রী (লক্ষ্মী) না বিষ্ণুগী কণ্ঠদা থক কোনথিদে। মহাদেবগী কণ্ঠদদি মগথি লৈথি। অদুম্না বিচারনি। (কানাচাদ)

ভংকৃতা নীলতা চাসীৎ কণ্ঠে বাহিনিতাততে। তদা প্রভৃতি চৈবাহং নীলকণ্ঠ ইতি স্মৃতঃ ॥
এতত্তে সর্বমাখ্যাতং কিংভূয়ঃ শ্রোতুমিচ্ছসি।

উমোবাচ

নীলকণ্ঠ নমস্তেঽস্তু সর্বলোকসুখাবহ ॥
বহুনামায়ুধানাং চৈবং পিনাকং ধর্তুমিচ্ছসি। কিমর্থং দেবদেবেশ তন্মে শংসিতুমর্হসি ॥

মহেশ্বর উবাচ

শস্ত্রাগমং তেবক্ষ্যামি শৃণু ধর্ম্যং শুচিস্মিতে। যুগান্তরে মহাদেবি কণ্বো নাম মহামুনিঃ।
সহিদিব্যাং তপশ্চর্য্যাং কত্তু মেবোপচক্রমে।
তথাতস্য তপো ঘোরং চরতঃ কালপর্যয়াৎ ॥
বল্মীকং পুনরুদ্ভূতং তস্যৈব শিরসি প্রিয়ে।
ধরমাণশ্চ তৎ সর্বং তপশ্চর্য্যাং তথা করোৎ।
তস্মৈ ব্রহ্মা বরং দাতুং জগাম তপসার্চিতঃ ॥

চায়বী। পার্বতী। হু অদু থকউবদগী ঐগী খোয়ী চয়ম অসি, য়াহোংগী মশা (মতু) গী মচুশুম ঊশং শংথ্রবসিনি। নংনা থঙনীংহনা হংথ্রবশিংছ ঐনা অমমমত ওইনা শয় শয়া হায়রবসিনি। অমুক করি অতে অম তানীংলি ?॥ উমানা (পার্বতীনা) হায় :—লোক পুমমক্তা মুংঙাইব পীনহৈবা। নীলকণ্ঠ, শ্রীকণ্ঠ ঈবুঙো। ঈকোক নোয়া খুরুমজরি। দেবদেব। অসুক য়াম্বা খুৎলায় জাৎ জাৎ লৈরিবশিংবু অমত পা দনা পিনাকসিতবু পায়হনা লৈরিবসিদা করিগীনো ? মাসিগী মরম অসি হায়রিয়ু। শ্রীমহেশ্বর (মহাদেব) না হায় :—ঈচম চয়া মোমোয়োকপী মহাদেবী। হায়গে তাও। ধর্মগী লম্বী কায়দনা, ধর্মগী মরম থোক্না কংখিবা খুৎলায়শিংসিগী য়ায়ী লীগে, তাও। অতোপ্পা যুগ অমদা "কণ্ব" কৌবা তপস্যা কায়বা মহামুনি অম লৈরম্মী। মহাক্না দিব্য তপস্যা (লাইরমলেনগী ওইবা তপস্যা) অমা তৌবা হৌখি। চায়বী। চহী মতম কুইনা চাদ থক্তনা, অরেপ্পা পোথাবা লৈতনা অসুম তপস্যা তৌয়কপহনা, খেতজগী লৈশৌ অসুমসুম কাখৎলক্তুনা মকোক্তু লৈশৌনা পুমকুপ কুপখ্রে। অদু কাওবদা, মহাক্ন করিমত কেৎ কাৎ হাইদে। মাগী তপস্যাদু লেপ্তদনা লেপ্তনা অসুম তৌহনা লৈখি॥ মহাক্না তৌরিবা তপস্যা অদুদা পেনশ্রহনা, বর পীনহৈবা ব্রহ্মা অসি মহাকী মনাক্তা লাকই। উরক য়ারক অদুদা বা পাখী অম হেক উই। তপস্যা কয়বা মুনিগী মনাক্তা লৈরিবা বা অদু কাওবা জগৎকী কায়বা থবক্তা শীজিন্নগে থনখি॥ ব্রহ্মানা বা অদুনা লীরুং শাখি। লোক পুম্বগী পিতামহ ওইরবা ব্রহ্মানা ঐগী অদুগা বিষ্ণুগী শক্তিবু মুন্না কৃপা থওহনা বিষ্ণুগা ঐগা অনীগীদমক লীরুং অনী শাখি॥

যদা তস্মৈ ধনুঃ শ্রেষ্ঠং বেণুং দৃষ্ট্বা প্রকল্পিতং। লোককার্য্যং সমুদ্দিশ্য বেণুনানেন ভাবিনি॥
চিন্তয়িত্বা তদাদায় কার্য্যকার্যে প্রযোজয়ৎ। বিক্রোর্য্যম চ সামর্থ্যং জ্ঞাত্বা লোকপিতামহঃ॥
ধনুষী দ্বে তদাপ্রাদাৎ বিষ্ণবে, মম চৈব তু। পিনাকং নাম তে চাপং শার্ঙ্গংনাম হরে ধনুঃ॥
তৃতীয়মবশেষেণ গাণ্ডীবমভবৎ ধনুঃ। তচ্চ সোমায় নির্দিশ্য ব্রহ্মা লোকং গতঃ পুনঃ॥
এতত্তে সর্বমাখ্যাতং শস্ত্রাগমমনিন্দিতে।)

উমোবাচ

বাহনেষত্র সর্বেষু শ্রীমৎস্বন্যেষু সত্তম। কথং চ বৃষভো দেব বাহনত্বমুপাগতঃ ॥৯॥

শ্রীমহেশ্বর উবাচ.

সুরভীমসৃজৎ ব্রহ্মা দেবধেনুং পয়োমুচম্। সা সৃষ্টা বহুধা জাতা ক্ষরমাণা পয়োঽমৃতম্ ॥১০॥
তস্যা বৎসমুখোৎসৃষ্টঃ—ফেনো মদ্গাত্রমাগতঃ। ততো দগ্ধা ময়া গাবো নানাবর্ণত্বমাগতাঃ ॥১১॥
ততোঽহং লোকগুরুণা শমং নীতোঽর্থবেদিনা।
বৃষং চৈনং ধ্বজার্থং মে দদৌ বাহনমেব চ ॥১২॥

ঐগী লৌরুংগী মিংনা পিনাক হায়রিবসিনি। শ্রীবিষ্ণুগী হরিগী লৌরুংনা শার্ঙ্গ কৌই। লৌরুং অনীসি শাথিবগী লেমহৌবা মথাক অহুনা লৌরুং অমত্তু শাই. লৌরুং অহুবুনা গাণ্ডীব হায়না কৌই। গাণ্ডীব হায়বা লৌরুং অদু সোম (চন্দ্রদেব) দা পী মগা ব্রহ্মা অসি মহ কী লোক (ব্রহ্মলোক) তা চৎখি। নিন্দা তৌননীঙ্গ'য় লৈত্রবী! পার্বতী' খুঃলায়শিং অসিগী হৌবককম অমদি কংখিবগী লিয়বা য়ারী অসি নঙোন্দা তাঙ্গ্রবনি॥) উমানা হায়ঃ—সৎপুরুষশিংগী মপুংদা অথোইবা! মহাদেব' জগৎ অসিদা বাহন (শাজোং) ওইব য়া-া করকরবা নীংথজরবা অমুক য়াম্নসি অমত্তা লৌদনা তোংননীংঙায় লৈত্রবগুম শন্নাবা অসিনা বাহন ওইনা পীজিয়রিবসিনা কারণীনো? ॥৯॥ শ্রীমহেশ্বরনা হায়ঃ— চায়থোইবী' ব্রহ্মানা দেবতাশিংগীদমক্ত অমৃত শিন্থবা শগী (কামধেনু) অমা শেমখি। নোংমরীশিংনা হৌবেকলগুম শনীশিনা শজোম অমৃতবু তত্তনা শিন্থনখি। অমৃতগুম থমবা মখোম শিন্থবী শগী অসি তোঙ্গাল তোঙ্গানবা মশাক মশং পুখি ॥১০॥ নোংমা মমাগী খোম শরুপ শঙ্গাউ অমগী মখাগাঅগী চেংথোক্পা কোজোল মতীক থর ঐগী হকচাংদা হেক চোংখি। মাহুত্তী ঐনা শাউজনা শমীশিংবুদা ঐনা শাওতমাবা অাপ (মৈচাক) পীখি। ঐগী অশাউবগী মৈচাক অদু কবেদা শত্তীশিংদু ওহোক ওয়োকপা মমলগী মচু পুখি ॥১১॥ মতম অদুদা অর্থনীতিগী গুরু ব্রহ্মাজীনা ঐবু থেমজিনুনা পেল্লহনখি। শঙ্গাব শঙ্গাউ অমা ঐগী কিয়াম্বা চিহ্ন (ধ্বজ) ওইনা লৈননবা অমসুং ঐগী বাহন (শাজোং) ওইননবা ঐঙোন্দা পীখি ॥১২॥

উমোবাচ

দিবাসা মহেশানাপি দিবি সর্বস্তাপাকিতাঃ। তাংস্তু সন্ত্যজ্য ভগবন্ শ্মশানে রমসেকথম্ ॥১৩॥
কেশাস্থিকলিলে ভীমে কপালঘটসংকুলে। গৃধ্রগোমায়ুবহুলে চিতাগ্নিশতসংকুলে ॥১৪॥
অশুচৌ মাংসকলিলে বসাশোণিতকর্দমে। বিকীর্ণান্ত্রাস্থিনিচয়ে শিবানাদ বিনাদিতে ॥১৫॥

মহেশ্বর উবাচ

মেধ্যান্বেষী মহীকৃৎস্না বিচরাম্যনিশং সদা। ন চ মেধ্যতরং কিঞ্চিচ্ছ্মশানমিহলক্ষ্যতে ॥১৬॥
তেন মে সর্বলোকানাং শ্মশানে রমতেমনঃ। ন্যগ্রোধশাখাসংচ্ছন্নে নির্ভুক্তস্রগলঙ্কৃতে। ১৭।
তত্র চৈব রমন্তীমে ভূতসংঘাঃ মম প্রিয়ে। ন চ ভূতগণৈর্দেবি বিনাহং বস্তুমুৎসহে ॥১৮॥

উমানা হায়ঃ—স্বর্গলোকতা লৈবদা মুংঙাইরবা লোক কয়া কয়া লৈ। মাহু পূম্নমক্কু অমত পামদনা, লৈকম ঈরৈ লৈত্রবশুম মোংকমদা য়াওন য়াতাহনা মুংঙাইনা লৈখোক্লিবসিনা করিগীনো? ১৩॥ মোংকম হায়বসিদি, অশিবশিংগী মশম মতু শরু ভারুনা থয়া লৈরিবনি। অকিবগী মশক ওইরবা, হংগোঈনীগুভার ওইরবা মী মকোকশিংভনা মকম মকমদা ভা ভাহনা লৈরি। লাঙজা লমহুই মপৈ মপৈনা য়াকায়ুং ওইহনা লৈরিবা মকম্রি। চিতাশিংগী মৈনা ভম্বনা কুপ কং কাকেং তৌহনা লৈরিবা মকম্রি। থোয়রি, চি হাং, ঈ নাই, শদুম ময়েক মহাউতনা পীং পীং লাউনা লৈখোম থোক্‌লা লৈরিবা মকমনি। শিংলি নাউরী মপৈনা পূমচাই চাইহনা তাম্বনা লৈরিবা মকমনি। লমহুই অয়োমশিংগী ভমখিরবা মখোয়া পূমনিন নিন্দুনা লৈরবা মকমনি। অসিগুম্বা মাংলবা, তুকচরবা মকম অসিদা কৈদৌনা লৈবিরি? ।১৩-৫॥ মহাদেবনা হায়ঃ চাম্নবী। সংসারদা থাজগী পবিত্র ওইরবা শেংলবা মকমসি কনাইদনো হায়না কোয়চং চত্‌লা থিরকপদা মোংকম (শ্মশান) দগী হেন্না শেংবা মকমসি ঐতে অম লৈয়মহে ॥১৬॥ অহনা, মোংকমতনা ঐনা পামজবা মকম ওইয়ে। মোংকম অসে, ঐগী শেংলবা খোনোং থটকী মথাদা. শেংলবা মনা মশাতমা কুপশিন্দুনা লৈরি অংশবা হকচাংশিংদগা নাম্বুরকপা পাইখোরকপা লৈ মপৈ, লৈ পরেংতনা মকম অসিগী লৈতেং ওইনা লৈরি ॥১৭॥ অচম্ব মোমোন মীনোক্তনা লৈতেং ওইবী! ঐগী ভক্ত ভূত প্রেতশিংনা পামজমা লৈরিবা মকম অসে ঐ পামজবা লৈকম অমত্ত ওইয়ে অহুগা ঐগী ভক্ত ভূত প্রেতশিং অসি য়াওনা ঐ মকম অমদা লৈবহু ভমদে ॥১৮॥

টীকা:—হায়রিবশিংগী ভাবার্থঃ—ভক্তি অহাগা লোয়নবা সেবা পূজা তৌজরিবা ভক্তশিংনা লৈবনা মকম অহুভমা ভগবান্‌গীমু পামজবা মকম ওই। মগাতমা অশেংবা মকম ওইনা উবা, অাইয়ম হুইজৌজানবা মকম ওইবানু, অাহুমা তৌরিবা সেবা পূজা বোগক্তা অম, ভক্তি অাবাম্ গাওয়রবনি, অাশেংবনি হ রকিনা পূজা-সেবা হায়বা অাহুবা ভগবানদুনা যোবা পূজীং চঙলে। ভগবানগী হকচাং অাসিমা, অাতভী

এব বালোহি যে মেধ্যঃ বর্গীবন্ত মতঃ ভবে। পুণ্যঃ পরমেকৈশ্চৈব মেধ্যকামৈরুপাস্যতে ॥১৯॥
(অস্মাচ্ছমশানমেধ্যংতু নাস্তি কিঞ্চিদনিন্দিতে। নিঃমনুষ্যাভ্যনুষ্যণাং তস্মাচ্ছুচিতমং স্মৃতম্. ॥
স্থানং মে তত্র বিহিতং বীরস্থানমিতি প্রিয়ে। কপালশতসম্পূর্ণমভিরূপং ভয়ানকম্ ॥

মঙ্গলগী মশক ওইবী পার্বতী। মোংকম অসিতনা, ঐভোম্বদি শেংলবা, স্বর্গমণ্ডলগী হেন্না মুংতাইরবা মফম অম ওইরি। মাসে, ওস্থোন্না পুণ্য চেন্নবা মফমনি। অশেংবা পোৎশকশু পামজবা উপাসনা তৌনরিবসে মফম অসিতবুনি ॥ ১॥ নিন্দা তৌননীংতায় লৈত্রবী। শ্মশান ভূমি (মোংকম) দগী হেন্ন শেংবা মফম অমত লৈতবনি। মরমদি, অযাংবা, অনিত্য ওইবা পোৎশকীদমক, কাতু কারল কোয়চেল চেন্নরিবা, হংগৎ হন্দা কোয়চৎ চৎলিবা পূকচেল মাংলবা মীশিংনা চঙশিন্নীংদবা, মফম অসিদগী হেন্ন শেংবা মফমহু করিনা ওইদৌরি, খন্নু। অদুনা খ্বাইদগী মফম হায়ববু, মোংকমতনা ওই ॥ চাম-থোইবী পার্বতী। মোংকম হায়বসে, মন্নিল মথৌনা লৈবা অকনবশিংগী পামজবা মফমনি *। অদুনা, ঐনম্ম মোংকমতবু ঐগী নিবাসস্থান (লৈকম পুনশি লেলকম) নি হায়না লৌই। তান্নিবা মী মকোক শন্ন তান্নশিংসিনা মফম অসিগী লৈতেং ওইরি অদুনা মফম অসি, ঐনা য়াম্ন পামমৈ ॥

ওইরবস্ম, অমগী ওইরবস্ম মহৌশাদগী ঈনাই লু তোং থী মুং খে'মরি নটরিমক্তনা পীং পীং লাউনা লৈরিবনি। অদুবু ভক্তগী হকচাংগী ঈ-নাই লু-তোংদি ভগবান্‌গী মফমদা অমাংবা ওইদে। হেন্নহুব পামজে হায়বনি। (কালাচাঁদ)

* টীকা ঃ—মহামবনা তাকপিরিবসিগী ভাবতি অসিনি ঃ—তাইবং মীশিংনা, কজহরি'বদগী থোম-জিন্নিবা, তৈশিল্লিবা পোৎশিং অসি, শন্ন তান্ন ঈ নাই লু তোং, উনশা মপ্রাম অসিবু কজহন্নিংদমগীনি। জীব (আত্মা) সিগা মরম করিমত লৈবদবা পোৎ তাক্তনি। সনা লুপা কৌবা লৈপাকশিংনা লৈতেং ওইদুনা কজহন্নিংলিবসি তান্ন লু তোং কৌবা লৈপাকসিবুনি। অদুম্না য়ান্না য়ানা থোমজিন্নিবশিগী মহক্তা লৈপাকী লৈপাক অমা ওইবা, শন্ন তান্নশিংমক্তা লৈতেং ওইনা শীজিন্নবমা অদুবা ওইগনি। মোংকমদা তান্নিবা অশিবা হকচাং অমদি শন্ন তান্নশিং অসি হৌজিক্তি মথোন্নগী মহুৎতা লৈরমা, ঐগীনি মাগীনি অসিনচিংবা হায়রম্বা মশাবা মশাবু তুমহৎচন্নবা অমাংবা জীবহুম্ন লৈত্রে। অদুনদি, তুমিন্না তাহনা, হোৎনি মাইনি অমত হায়জন্নবা শন্ন তান্ন কৌশিল্লিবা লৈপাক মচেৎশিং অসিদগী হেন্ন শেংবা পোৎশকদি করিনা ওইগনি ? মশাগী স্বার্থ থ লোতুনা, অতোম্নগী কান্নবগীদমক সংসারগী জালকমদা থরাম (জীব) বু থাজোন্নীংবা অকনবা (বীর) শিংনা খ্বাইদগী পামজবসি, অশিন্ন হকচাং (তৌজিকমেহ) দা থম্নবা সংসার মোংকম অসিদা, শন্ন তান্নগী মপৈ অসি তাদুনা লৈহৌবা অসিবুনি। অদুগুম্বা, অহিংবো হকচাংদি হায়জিন্নিবা, অমম্বদা তাদুনা লৈরবা জীবসিদা লোন্নসিন্নবা হকচাং মতেংথিং অসিবু জীব

মধ্যাহ্নেসংধয়োস্তত্র নক্ষত্রে রুদ্রদৈবতে। আয়ুষ্কামৈরশুভৈর্বা নগস্ত ব্যবিতিষ্ঠিতিঃ ॥
মদস্ত্রেন নশক্যংহি নিহন্তুংভূতজংগমম্। তত্রস্থোঽহং প্রজাঃ সর্বাঃ পালয়ামি দিনেদিনে ॥
মদ্বিযোগাৎ ভূতসংঘা ন চ ঘন্তীহ কংচন। তাংস্তু লোকহিতার্থায় শ্মশানে রমরামাহম্.॥
এতত্তে সর্বমাখ্যাতং কিং ভূয়ঃ শ্রোতুমিচ্ছসি।

উমোবাচ

ভগবন্ দেবদেবেশ ত্রিনেত্র বৃষবধ্বজ। পিঙ্গলং বিকৃতং ভাতি রূপং তেভুতন্নানকম ॥

মুমিৎ মুংবা মতমদা, হায়রবদি সন্ধ্যা (সন্ধি) অনীগী (অহিং মুংখিল অনীগী) তিন্নকম মতমদা, অহুগা আর্দ্রা নক্ষত্রগী যোগদা, দীর্ঘায়ু (পুনশি শাংন লৈবা) গী কামনা থম্বা, নত্রগা মোংকমবু অশুভনি হায়রবশিংনা মকম (মোংকম) অসিগদা চঙকম থোক্তে। মাসি, মণানগী সমাজগী লোকমার্য্যা হায়রবছনি ॥ পার্বতী। ভূতনাথ (ভূতপ্রেতশিংগী মুচিংবা মপু) ঐ নত্তনা ভূতপ্রেত হিচা মাইতম্বশিংগী মকমদগী পোকপা অকি অখংবা অমদি দুর্ঘটনাশিং অহ্. কনা অমতনা কোকহনবা ঙম্মোই। অহুগুম্বা ভৌতিক জগত্তা (ভূতকী জগত্তা) ফিগন বাপ্রজাশিংবু ভাক্লনবগীদমক্তা ঐনা ভূতপ্রেতশিংগী দেশ (লৈকম— মোংকম) অসিদা নিংথৌ ওইহনা লৈরিবনি ॥ ঐগী মাথংনা ভূতশিং অসিগী মপেনা, জগৎ অসিদা কনাগুম্বা অমতবু হাৎপা ঙমদে হাত্তে। অহুনা, ঐনা, সম্পূর্ণ জগৎ অসিগী উপকারগীদমক্তা ভূতশিংগী শ্মশান ভূমি (মোংকম) অসিদা মথোয়বু মুংভাইহন্দুনা লৈরিবনি। ঐনা মোংকমদা লৈবগী অথুপ্পা তত্ত্ব (রহস্য) অসি মঙোন্দা শন্না তাহন্নবসিনি। মথা কন্নি অমুক তানীংদি ? ॥ উমানা হায় :— ভগবন্! দেবদেব! মীৎয়া অহুম লোঙবা! বৃষধ্বজ! (শন্নাবনা কিয়ান্দা লৈবা। শন্নাবথকী কিরাল ওইবা) নহাক্কী কুচু অমদি মায়থোংসে অমুকন্হ পিঙ্গলা (মেমদামবা) অমুকন্হ কুচুহ্ যোকথাক ওনবা অমুকন্হ অকিবগী মশক ওইবা মঙং পুই ॥

ঐগী লৈন্তেং ওইনা, অমম্বা মোংকম অসিদা লৈকম ওইনা লৈরিবসিগুম, থাজেশংনা মকবা, মহাজ্ঞানী-শিংমু তৌকম থোকই। অহুগা, অমনা কয়িনো হায়রবদা; কনাগী জ্ঞানী ওইবা ওইরবা, অশংবা অশিংবশিংগী পোক্লোই (প্রলয় জীবনা থুপথিকম) হায়বহন্ন মোংকম অসিনা অহুম মওইরগনবনি। তেন্দুনা হিংলোই "নুনামেক্কোগময়ম" হায়রিবহুনি, অশিংবশিংদগী হেন্ন অমুক শিংলবা মহাজ্ঞানীশিংনা, জৌমিকগী হৌবা হিংলিঙ্গদগী, অসিগুম্বা মন্নবা, চৌরবা মোংকম অসিদা, ভাত্তবত নত্তনা থবক থৌরাং যোগ সাধনা তৌকম থোকই। মাস্মিনি, শিব উপাসনা তৌবা শৈব (শক্তি) সম্প্রদায়গী ঐকান্তিক ভক্তিদি মন্নিদি। হক্তাংসিনা লৈরবশিং অসি, "আত্মা" নত্তনা ভূত প্রেত মক্তনি হায়বদি হকচাং অসি মৈ জৌশিলহৌবা পাক ভূত অহুগা জীবনা মরম লৈমজবা, জীবশিংগী হন্দোক্না (চংপ্রাহুমা—প্র+ইত= প্রগত ওইহুনা) লৈপ্রবশিংমক্তনি। (কালাচাঁদ)

ভস্মদিগ্ধং বিরূপাক্ষং তীক্ষ্ণদংষ্ট্রং জটাকুলম্ । ব্যাঘ্রোদরত্বকসংবীতং কপিল শ্মশ্রুসংততম্ ॥
রৌদ্রং ভয়ানকং ঘোরং শূলপট্টিশসংযুতম্ । কিমর্থংত্ব দৃশংরূপং তন্মে শংসিতুমর্হসি ॥

শ্রীমহেশ্বর উবাচ

তদহং কথয়িষ্যামি শৃণু তত্বং সমাহিতা ।
দ্বিবিধো লৌকিকো ভাবঃ শীতমুষ্ণমিতিপ্রিয়ে ॥
তয়োর্হি গ্রথিতং সর্বং সৌম্যাগ্নেয়মিদং জগৎ ।
সৌম্যত্বং সততং বিষ্ণৌ মষ্যাগ্নেয়ং প্রতিষ্ঠিতম্ ॥
অনেন বপুষা নিত্যং সর্বলোকান বিভর্ম্যহম ।
রৌদ্রাকৃতিং বিরূপাক্ষং শূলপট্টিশ সংযুতম ।
আগ্নেয়মিতি মে রূপং দেবি লোকহিতেরতম ॥
যদ্যহং বিপরীতঃ স্যামেতংত্যক্তা শুভাননে ।
তদৈব সর্বলোকানাং বিপরীতং প্রবর্ত্ততে ॥

উং উফুরা হকচাং পুম্বহ পুমতৈ তৈরি । মীৎ অহু য়েংবদা অকিবগী মশক পুরি । কোই মরী অমময়া মচীন তুম্ন তুম্না জম জ৭ য়াম্বরি । কোকথক্তনা জটা য়াংম' পুরি । কৈ মউরা হকচাংদা কুপ্তুনা মহাকী কীজোনগুম লৈরি । চীংলৈপাক মচুগী চোয়বা থদাং কোইনা নংগী লৈতেং ওইরি । মহাকী মায়থোং অসি, অমুক তমথিরবা, শাথিনা অশিবগী মশক কংলবা মওং পুরি । অহুগা ত্রিশূল (মচীন অহুম লোংবা না) অমস্ত্র ঈথা থাদোরুদনা লৈরি পায়রি । তৌবিরিবা মরাম অসিগী মরমসি করিনো? খঙজনীংঙি । মহাদেবনা হায়ঃ—চায়থোইবী ! হায়রিবশিংসিগী মরমসে ঐ হায়গে, মুন্না তাও । জগৎকী পোৎ খুদিংমক অইংবা অশাবা শরুক হায়না শরুক অনী অনী থোক্লা লৈবনি । মাহু অউবা জগৎসিদা অগ্নি সোম অনীসিনা ওইরি । অগ্নি সোম অনীগী মশক ওইবা সম্পূর্ণ জগৎ অসি অইংবা অশাবা হায়বা তত্ত, অনীসিগী মঙ্গুংদা কেংশিন্দুনা লৈরিবনি । সৌম্য (সোমগী গুণ) গী স্থিতি (লৈবা) না বিষ্ণুদা, অহুগা ঐগোম্দনা অগ্নিগী গুণ (শক্তি দাহিকাশক্তি তেজ) লৈ । অমুনা "বিষ্ণু শিব" অনীগী মশক ওইরবা হকচাংসিদা ঐনা লোক পুম্ববু ভাক শেম্দুনা লৈরিবনি । দেবী ! অকিবগী মশক ওইরবা মীৎশিং অসিগা অহুগা ত্রিশূলগনা লৈতেং ওইরবা, অকিবগী মশক ওইরবা শক্তোজ পুবা ঐনি । মাসে, আগ্নেয় তেজনি । তেজ অসিনা জগৎ পুম্ববু ঐনা রক্ষা তৌহনা লৈরি । মায়থোং কজবী । ঐনা পুরিবা ঐগী রূপ হেক অহোক ওহিন তৌবদা জগৎ পুম্বগী দশা (অবস্থা) অসে, মশক মথা থোক ওনগনি ।

তস্মাদ্যয়েদং ত্রিবক্ত্রে রূপং লোকহিতৈষিনা। ইতি তে কথিতং দেবি কিং ভূয়ঃ শ্রোতুমিচ্ছসি॥

নারদ উবাচ

এবং ব্রুবতি দেবেশে বিস্মিতা পরমর্ষয়ঃ। বাগ্‌ভিঃ সাঞ্জলমালা ভিরভিতুষ্টুবুরীশ্বরম্।

ঋষয় উচুঃ

নমঃ শঙ্কর দেবেশ নমঃ সর্বজগৎগুরো। নমো দেবাদিদেবায় নমঃ শশিকলাধর॥

নমো ঘোরতরাৎ ঘোর নমো রুদ্রায় শঙ্কর। নমঃ শান্ত তবাচ্ছান্তনমশ্চন্দ্রস্তপালক

নমঃ সোমায় দেবায় নমস্তভ্যং চতুর্মুখ। নমো ভূতপতে শম্ভো জহ্নুকন্যাম্বু শেখর॥

নমস্ত্রিশূলহস্তায় পন্নগাভরণায় চ। নমোঽস্তু বিষমাক্ষায় দক্ষ যজ্ঞ প্রদাহক॥

দেবী! মরম অসিনা লোক পুন্নমক্তী হিত (কান্নবা) গীদমক, রূপ অসে ঐনা পুরিবনি * কন্নিগী অসিগুম্বা রূপ অসি পুরিবনো হায়বত্নগী মরমত্থ ঐনা হায়রিবসিনি। হৌজিক করি অমুক তানীংলি?॥ নারদনা হায়ঃ—দেবদেব ভগবান্ শঙ্করনা অসুম্না হায়রকপসিদা মহর্ষি পুন্নমকসি পুমওক ওকখি। মথুং লোয়রুনা মশামশাগী রাহৈনা অসুম হায়না স্তুতিগান তৌখি॥

খুরুমজরি শঙ্কর নঙোন্দা, দেবদেব জগৎগুরু।
দেবতা পুম্বগী অহানবা দেব, কোকথক্ত চন্দ্রকলা পুরিবা।॥
কিরবা শক্লোল পুবশিংদগী, হেন্ন কিরব শক্লোল পুবা।
ওপথবশিংদগী হেন্নমুক ওপথবা, খুরুমজৈ চন্দ্রমাবু ওাকপিবা।॥
খুরুমজরি উমাগী লোয়নবা!, মায়খোং মরি পুওম্বা।
গঙ্গাবু কোকথক্ত পুরিবা। খুরুমজৈ ভূতনাথ শম্ভু নঙোন্দা।॥
ত্রিশূল খুত্তা পায়ব ও। লিন্না নৈতেং ওইব ও।

---

* টীকাঃ—হায়রিবা রাকম অসি বৈজ্ঞানিক জগৎতত্ত্ব, লৌকিক সামাজিক জগৎতত্ত্ব, রাজনীতিন-চিংবা হীরম পুম্বা অচুম্বনি। শাম্বনা (শাউগত্তনা) ওাক্ত লৈরবদি অম্বগা ঈংথম্বনা শান্তাকার ওইম্বনা সৌম্য মূর্ত্তি পুম্বনা ওাক্ত লৈরবদি—রাজনীতিদা, বিজ্ঞানদা অম্বগা সমাজনীতিদা অকায়বা অমা লাকনি। অম্বনা, রৌদ্র মূর্ত্তি পুবা দেবতা অমগা সৌম্য পুবা দেবতা অমগা অনীগী দরকার লৈ। নিংথৌনা শাউবা হৈতনা পঙ্গইংত ঈংথম্বনা লৈরবদি নত্তগা পঙ্গশাত শাগত্তনা শাউনা লৈরবদি রাজ্য শাসন পুবা য়াগ্রোই। অঙীং অশা, কুম্বী কালেন, অসুম হায়না মূর্ত্তি অনী অসি লৈবতনা সম্পূর্ণ জগৎ অসিগী সৃষ্টি স্থিতি ওইবা য়ারিবনি। অনী অসি, অমনা বিষ্ণু শক্তি অমনা রুদ্র শক্তি হায়বম্বনি। মাম্বগী প্রতীক (সিম্বোল) ওইনা লোম সূর্য্য অনী অসি লৈবনি মাসি য়ায়া শম্বা টীকানি। (কালাচাঁদ)।

ব্রাহ্মণে কীদৃশো ধর্মঃ ক্ষত্রিয়ে কীদৃশোঽভবৎ।
বৈশ্যে কিংলক্ষণো ধর্ম শূদ্রে কিংলক্ষণো ভবেৎ ॥২৯॥

শ্রীমহেশ্বর উবাচ

(এতত্তে কথয়িষ্যামি যত্নে দেবি মনঃ প্রিয়ম্। শৃণু তৎ সর্বমাখিলং ধর্মং বর্ণাশ্রমাশ্রিয়ম্ ॥
ব্রাহ্মণাঃ ক্ষত্রিয়া বৈশ্যাঃ শূদ্রাশ্চেতি চতুর্বিধম্। ব্রহ্মণা বিহিতাঃ পূর্বং লোকতন্ত্র মভীপ্সতা ॥
কর্মাণি চ তদহাণি শাস্ত্রেষু বিহিতাণিবৈ। যদীদমেকবর্ণং স্যাজ্জগৎ সর্ব বিনশ্যতি ॥
সহৈব দেবিবর্ণানি চত্বারিবিহিতাস্ততঃ। মুখতো ব্রাহ্মণাঃ সৃষ্টাস্তস্মাত্তে বাগ বিশারদাঃ ॥
বাহুভ্যাং ক্ষত্রিয়াঃ সৃষ্টাস্তস্মাত্তে বাহুগর্বিতাঃ। উদরাদুদগতা বৈশ্যাস্তস্মাৎ বার্ত্তোপজীবিনঃ ॥
শূদ্রাশ্চ পাদতঃ সৃষ্টাস্তস্মাৎ তে পরিচারকাঃ। তেষাং ধর্মাশ্চ কর্মাণি শৃণু দেবি সমাহিতা ॥

ব্রাহ্মণগী অথাইবা ধর্মগী লক্ষণ করিনো? ক্ষত্রিয়গী অমদি বৈশ্য শূদ্রশিংগীনা করি করিনা ওইরকগে? ॥২৯॥ মহেশ্বরনা হায় – দেবী! পার্বতী। নংনা পাম্বা, তানীংবা ধর্মগী তত্ত্বদো ঐ ঐ হায়গে। বর্ণাশ্রমশিংগীদমক্তা মাত্তুনা থমগৎলবা ধর্মগী তত্ত্বশিং অদো তারো। ব্রাহ্মণ, ক্ষত্রিয়, বৈশ্য, শূদ্র অমুম হায়না বর্ণ মরি লৈ। লোকতন্ত্রবু পাম্বা বিধাতানা ঈহান হানবদা, ব্রাহ্মণ হায়মা বর্ণ (জাতি) অসি শেমখি। শাস্ত্রদা ব্রাহ্মণগী তৌগদবা ধর্ম কর্মশিং অদু বিধান তৌদুনা থমগৎলবনি। দেবী! জগৎ অসিদা বর্ণগী ভেদ মরি অসি তোঙান তোঙানা লৈরমদ্রিবসি জগৎ পুম্নমক অসি অমুক্ত ওইনা পুম্নপ মৃৎসম্নগদবনি। অদুনা জগৎ বিধাতানা বর্ণ মরি অসি তোঙাম্না শেম্বনি। ব্রাহ্মণবু বিধাতানা মাগী মচীন (মুখ) মক্তদগী পুথোকখিবনি। অদুনা ব্রাহ্মণনা রায় ভাত্ত-শরিবা, তর্কবিতর্ক তৌরিবা অদুগা চীনবোং করিবসে অদুনদি। ক্ষত্রিয়বুনা মহাকী পাম্বোমদগী পুথোকখিবনি। অদুনা ক্ষত্রিয় হায়বসিনা মপাম্বোম পাজম্না লৈপাক পুম্ববু শাসন তৌননবগী হোৎনরিবসে, অদুনদি। বৈশ্যবুনা পুক কৈপন্দগী পুথোকখিবনি। অদুনা মবুক থম্নবা, লল্লোল ঈতৌক, লৌউ শীংভু বনচিংবা থবক তৌনরিবা অদুননি। শূদ্র বর্ণগী সৃষ্টিবুনা বিধাতানা মাগী খোঙদগী শেমখি। অদুনা মীগী সেবা খোঙথুৎনচিংব তৌদুনা, মাদুনা মাগী জীবিকা ওইনরিবসে অদুননি। অদুনা, হৌজিক্তি বর্ণ মরিসি পুথোকখিবগী প্রয়োজন (কায়বা) অসি লীরবনিনা, হৌজিক মথোয় মথোয়গী মথৌ (ধর্ম) মথোয়না লৈরিবা তত্ত্বশিং অসে অমুক তারো। ব্রাহ্মণবুনা মর্ত্যলোক (ভূঃ) অসিগী দেবতা ওইনা শেমখিবনি। অদুনা ব্রাহ্মণবু ভূদেব কৌই। লোক পুম্নমকপু তাকনবা শেমখিবনি। অদুনা মশাগী মঙ্গল ওইববু পামজবশিংনা, ব্রাহ্মণদা অৱাবা পীবা, মথোয়বু অপমান তৌবা (চোপহনবা উনিত্তবা) থক তৌরদে ॥ দেবী! যাগ যজ্ঞ দাননাচিংবা ধর্ম কর্ম পুম্নমকী দায়িত্ব পুরিবা ব্রাহ্মণ হায়বসি লৈরমগ্রবদি ইহলোক পরলোক হায়বা অনীমক অসি লৈব ঙমরা রাদে ॥

বিপ্রাঃ কৃতা ভূমিদেবা লোকানাং ধারণে কৃতাঃ। তে কৈশ্চিন্নাবমন্তব্যা ব্রাহ্মণা হিতমিচ্ছুভিঃ ॥
যদি ব্রাহ্মণা নশ্যদান যোগবহাঃ সদা। উভয়োর্লোকয়োর্দেবি স্থিতির্নস্যাৎ সমাসতঃ ॥
ব্রাহ্মণান্ যোঽবমন্যেতনিন্দেচ্চ ক্রোধয়েচ্চবা। প্রহরেত হরেৎ বাপি ধনং তেষাং নরাধমঃ ॥
কারয়েদ্ধীন কর্মাণি কামলোভবিমোহনাৎ। স চ মামবমন্যেত মাং ক্রোধয়তি নিন্দতি ॥
মামেব প্রহরেন্মূঢ়ো মজ্জনস্তাপহারকঃ। মামেব প্রেষণং কৃত্বা নিন্দতে মূঢ় চেতনঃ ॥
স্বাধ্যায়ো যজনং দানং তস্য ইতি স্থিতিঃ। কর্মাণ্যধ্যাপনং চৈব যাজনং চ পরিগ্রহঃ ॥
সত্যং শান্তিস্তপঃ শৌচং তস্য ধর্ম সনাতনঃ। বিক্রয়ো রসধান্যানাং ব্রাহ্মণস্য বিগর্হিতঃ ॥

তপ এব সদা ধর্মো ব্রাহ্মণস্য ন সংশয়ঃ।
সতু ধর্মার্থমুৎপন্নঃ পূর্বং ধাত্রা তপোবলাৎ ॥)
ত্বায়ন্তস্তে মহাভাগে সর্বশঃ সমদীরিতঃ।
ভূমিদেবা মহাভাগাঃ সদালোকেদ্বিজাতয়ঃ ॥৩০॥
উপবাসঃ সদা ধর্মো ব্রাহ্মণস্তন সংশয়ঃ।
সহি ধর্মার্থসম্পন্নো ব্রহ্মভূয়ায় কল্পতে ॥৩১॥

ব্রাহ্মণবু অপমান (চোপহনবা উশিন্তবা), নিন্দা তৌরিবা, মরম ঈচা চাদনা শাউহনবা, হুৎবা চৈবা, ব্রাহ্মণগী মরল মুন্দুনা হুহনা পুবা, কামক্রোধ লোভগী মথা পোন্দুনা ব্রাহ্মণবু কর্মচারী ওইহন্দুনা হন্নবা থবক তৌহল্লিবা অদুগুম্বা নরাধম অদুদি ঐবুদু অপমান অমদি নিন্দা তৌবনি। ব্রাহ্মণদু শাউহল্লিংলো চৈরিবদো ঐ (মহাদেব) বু শাউহনবনি, চৈবনি ॥ ব্রাহ্মণবু হুরিবদো ঐবু হুবনি। ব্রাহ্মণগী মরল হুরাল্লিবদো ঐগী ললবু হুবনি। ব্রাহ্মণবু হন্নবা কর্ম তৌহল্লিবদো ঐবু কোয়চিং চিংহনা হন্নবা ভূকচবা কর্ম তৌহনবনি ॥ বেদশাস্ত্র তম্বা নৈনবা, যজ্ঞদান তৌবসি ব্রাহ্মণগী মথৌনি। ধর্মনি। বেদবু তম্বা তম্বিবা, যজমানবু যাগযজ্ঞ তৌহনবা, যজমানদগী দান লৌবা,- অসিনচিংবনা ব্রাহ্মণগী জীবিকাগী উপায়নি। অচুম্বা ঙাঙবা (মীনমদবা), পুক্কীং লাকশিনবা, অশেং অমাং থানা চৎপনা ব্রাহ্মণগী মমাঙৈদগী চৎনবক্রবা লেঙত্রবা ধর্মনি ॥ ব্রাহ্মণনা মহী মনাব, চেঙ কৌ য়োনবা তৌহেদে। নিন্দা তৌননীঙাইনি ॥ মতম পুম্বদা তপস্যা তৌহনা লৈবসু ব্রাহ্মণগী মথৌ ধর্মনি। মাসিদা কয়িমত্ত চিংনবীঙায় লৈত্রবনি। মমাঙৈদা বিধাতানা ধর্মগী অনুষ্ঠান তৌগে হায়বগীদমক ঈহান হানবদা, তপস্যাগী পাঙ্গৈনা ব্রাহ্মণবু পুথোকখিবনি ॥) মহাভাগে! পার্বতী! ঐনা মতোন্দা ধর্মগী মওং পুম্বা হায়রবনি। লাইবক ফত্রবা, পুক্চেল ব্রাহ্মণ হায়বসে লোক অসিদা ভূমিদেব (ভূদেব) নি হায়না শাস্ত্রনা য়ানবনি। ৩০॥ উপবাস (ইন্দ্রিয়সংযম) কৌবা ব্রতবু আচরণ তৌবা (ঙাক চৎপা) হায়বসি ব্রাহ্মণগী থাব য়াম্বা, লেঙত্রবা ধর্মনি। ধর্ম অর্থনা ব্রাহ্মণদি ব্রহ্মভাব (ব্রহ্মক ওইবগী মওং) বু ফংলবনি ॥৩১॥

তস্য ধর্ম ক্রিয়াদেবি ব্রহ্মচর্য্যা তদায়তঃ। তথোপনয়নং চৈব দ্বিজো যেনোপপদ্যতে ॥৩২॥
গুরুদৈবত পূজার্থং স্বাধ্যায়াভ্যসনাত্মকঃ। দেহিভির্ধর্মপরমৈশ্চর্তব্যো ধর্মসম্ভবঃ ॥৩৩॥

উমোবাচ

ভগবন্ সংশয়ো মেঽস্তি তন্মেব্যাখ্যাতুমর্হসি। চাতুর্বর্ণ্যস্য ধর্মংবৈ নৈপুণ্যেন প্রকীর্ত্তয় ॥৩৪॥

শ্রীমহেশ্বর উবাচ

রহস্যশ্রবণং ধর্মো বেদব্রতনিষেবণম্। অগ্নিকার্য্যং তথা ধর্মো গুরুকার্য্যপ্রসাধনম্ ॥৩৫॥
ভৈক্ষকার্য্যং পরো ধর্মো নিত্য যজ্ঞোপবীতিতা। নিত্যং স্বাধ্যায়িতা ধর্মো ব্রহ্মচর্য্যাশ্রমস্তথা ॥৩৬॥
গুরুণা চাভ্যনুজ্ঞাতঃ সমাবর্ত্তেত বৈ দ্বিজঃ। বিন্দেতানন্তরং ভার্য্যামনুরূপাং যথাবিধি ॥৩৭॥
শূদ্রান্নবর্জনং ধর্মস্তথা সৎপথসেবনম্। ধর্মো নিত্যোপবাসিত্বং ব্রহ্মচর্য্যং তথৈব চ ॥৩৮॥

দেবী! ব্রাহ্মণ ওইনা পোক্লবদি শাস্ত্রবিধি কারণনা ব্রহ্মচর্য্য ব্রতবু পালন তৌগদবদি। উপনয়নগী সংস্কার অম শোন্নদনা তৌকম থোকই। উপনয়ন (নৌগুণ থাংবা) গী সংস্কারচুমজনা ব্রাহ্মণবু দ্বিজ কৌবনি। মপোক অনৌবা অম হোংবনি। দ্বিজ হায়বদি অনীরক পোকপা হায়বনি ॥৩২॥ গুরু অমদি দেবতাগী পূজাগীদমক্তা, অদুগা গুরু পূজা অমদি দেবতা পূজাচুমকীন্ন মশক ওইবা বেদশাস্ত্রবু তম্বা, নৈনবা হায়বা, ধর্ম পুরগী পোক্লকম ওইবা শুভকর্মনি, ধর্মসিদা পামজবা, পূক্নীং চঙবা মেহধারী পুম্নমক্না তৌগদবনি ॥৩৩। উমানা (পার্বতীনা) হায়:—ভগবন্! স্বামিন্! ঐগী পুক্নীংদা চিংনবা অমদি হৌজিক কাওবা নৈত্রোরি। মসি ব্যাখ্যা তৌদুনা অমুক্তা কোকচনাবিয়ু। ব্রাহ্মণনচিংবা বর্ণ মরিসিগী তোঙান তোঙানবা ধর্মসি করিনো? মসি শুগাইনা অমুক্ত তাকপিয়ু ॥৩৪॥ শ্রীমহেশ্বর মহাদেবনা হায়:—ধর্মগা অথুম্বা তবু তাবতম্বা তাহনবা তম্বিবা, গুরুগী সেবা তৌবা, বেদবিধি মতুংইন্না কর্ম তৌবা, যাগযজ্ঞ, গুরুগী সেবা তৌবা, ব্রহ্মচর্য্যবু পালন অসি পুম্নমকসি ব্রাহ্মণগী মথৌ (ধর্মনি) ॥৩৫॥ ব্রহ্মচারী ওইবশিংগীদি. খুদক্তা চত্‌না ভিক্ষা নিবা, অদুগা ভিক্ষা নিবদা ফংলকপা চেঙ হয়ায়নচিংবদু গুরুদা হংশিনবা. অসিনা অথোইবা ধর্ম (মথৌ) নি। যজ্ঞোপবীত (নৌগুণ চুগুণ) মীকুপ অমত্ত হকচাংগী তোঙান তাহন্দনা থাংবা, মুমিং খুদিংগী বেদ অধ্যয়ন তৌবা ব্রহ্মচারীগী আশ্রমদা ব্রহ্মচর্য্যগী নিয়মবু শাক্‌না লৈবা, অসিনচিংবনা অথোইবা ধর্মনি ॥৩৬॥ ব্রহ্মচর্য্য অসি লাকপ লোইরগা, গুরুগী য়াথং লৌদুনা সমাবর্ত্তন (আশ্রমদগী হন্দোরকপা) তৌরগা, মশাদা করিগুম্বা চীরমদা লোয় নৈত্রবী কন্যা অমগা বিয়াহ অমগা গৃহস্থাশ্রমদা চঙগদবনি ॥৩৭॥ ব্রাহ্মণনা শূদ্রগী য়ুমদা অন্নভক্ষণ (চাব থকপা) থক তৌরোইদবনি। মসি, ব্রাহ্মণ ধর্মনি। অমসুং অচুম্বা লম্বীতদা চৎপা, উপাসনা ব্রত তৌবা, ব্রহ্মচর্য্যগী পালন তৌবা অসিসু ব্রাহ্মণগী মথৌ (ধর্ম) অমনি ॥৩৮॥

আহিতাগ্নিরধীয়ানো জুহ্বানঃ সংযতেন্দ্রিয়ঃ। বিঘসাশী যতাহারো গৃহস্থঃ সত্যবাক্ শুচিঃ ॥৩৯॥
অতিথিব্রততা ধর্মো ধর্মস্ত্রেতাগ্নিধারণম্। ইষ্টীশ্চ পশুবন্ধাংশ্চ বিধিপূর্বংসমাচরেৎ ॥৪০॥
যজ্ঞশ্চ পরমো ধর্মস্তথাহিংসা চ দেহিষু। অপূর্ব ভোজনং ধর্মো বিঘসাশিত্বমেবচ ॥৪১॥
ভুক্তে পরিজনে পশ্চাৎ ভোজনং ধর্ম উচ্যতে। ব্রাহ্মণস্য শ্রোত্রিয়স্য বিশেষতঃ ॥৪২॥
দম্পত্যোঃ সমশীলত্বং ধর্মঃস্যাৎ গৃহমেধিনঃ। গৃহ্যাণাং চৈব দেবতানাং নিত্যপুষ্পবলিক্রিয়া ॥৪৩॥
নিত্যোপলেপনং ধর্মস্তথা নিত্যোপবাসিতা। সুসম্মৃষ্টোপলিপ্তে চ সাজ্যধূমোদ্ভবেৎগৃহে ॥৪৪॥

এষ দ্বিজজনে ধর্মো গার্হস্থ্যো লোকধারণঃ।
দ্বিজানাং চ সতাং নিত্যং সদৈবৈষ প্রবর্ত্ততে ॥৪৫॥
যস্তু ত্রগতো দেবি ময়া ধর্ম উদীরিতঃ।
তমহং তে প্রবক্ষ্যামি তন্মে শৃণু সমাহিতা ॥৪৬॥

গৃহস্থাশ্রমদা লৈবশিংগী ধর্মদি, মুমিৎ খুদিংগী অগ্নিস্থাপন তৌদুনা (মৈ থাগত্তুনা) অগ্নিহোত্র তৌবা (অগুম্বা চেগু খোয়দিং খর কৎপা) ইন্দ্রিয় খুদুম চনবা, হিংসা য়াওদবা পোৎ চাবা, চাং নাইনা, হেনবা বাৎপা নাইদনা অকরুবা মতমদা চাবা, অচুম্বা ওাওবা, মতম পুম্বদা মচুং মপান শেংনা লৈবা ·· অসিনচিংবসিনি।৩৯॥ অতিথি সংকার (অতিথি সেবা অতিথিদা পীজ পীথকপা) গার্হপত্যানচিংবা অগ্নি অহুমগী নিয়ম ওাকপা, অসিসু গৃহস্থাশ্রমদগী ধর্মনি। অসি নত্তবা মাতৃ পিতৃ তর্পণনচিংবগী মশক ওইবা যজ্ঞনচিংবা তৌবা, অহুগা মাচু ওয়নবা শল ঈরোইনচিংবা য়োকপা থাকপা অসিসু গৃহস্থাশ্রমীশিংগী ধর্ম (মথৌ) নি ॥৪০॥ যজ্ঞ তৌবা, করিগুম্বা কনাগুম্বা জীব অমগী মকমদা হিংসা তৌদবা, মাসি চাউপ্রবা ধর্মগী অনুষ্ঠান অমনি। মমদা করিগুম্বা অমত হায় চাদবা, হিংসা য়াওদনা কংবা অহুত চাবা, শাগৈ নাতৈ, মজ্ঞপ মপাংবু হায় পীজরগা অরেম্বচু মশানা চাবা অসিসু মথোরগী চাউপ্রবা ধর্ম অমনি ॥৪১॥ ঈমুং মচুং শাগৈ নাতৈ, মচা মশূ, মনাই মশলশিংবু হায় চাহল্লগা (পীজরগা) লেমহৌবচু ফোয় চাগয়দনি। মাসিসু, গৃহস্থ ব্রাহ্মণগী ধর্ম অমনি ॥৪২॥ মপুরোযবা লোয়নবী (পতি-পত্নী) অনীমক্কী অভাব চপ চাজ্জগদবনি। মাসি চাউপ্রবা গৃহস্থ ধর্ম অমনি। য়ুমগী কুলদেবতাশিংগী পূজা সেবা অহু নীংথিজবা হৈলৈনা মুমিৎ খুদিং তৌগদবনি। মুমিৎ খুদিংগী য়ুমগী মচুং মপান শেংনা তৈথোক থোৎতোক্কবনি। মাসিবু গৃহস্থ ধর্ম অমনি ॥৪৩॥ শুমজিৎনা য়ুমগী মচুং মপানবু শীরোক নাথোকপা, অহুনগী হাইরেম তৈথোক্কগা, ঘী ভোৎলবা ধুপ থাউমৈগী মুংশিরবা মৈথুনা ঈমুং মচুং মপান্দা হাই হুমহুনা মুংশিরবা মনম অহু শন্দোক থাইথোকহনগদবনি। মাসি গৃহস্থাশ্রমদা লৈহা সংসারবু ওাকশেনবা ব্রাহ্মণগী ধর্মনি। হায়ব্রিবসে জানী ব্রাহ্মণশিংনা গৃহস্থাশ্রমদা তৌনশিবনি ॥৪৪-৪৫॥ দেবী। পার্বতী। অঙ্গিরগী ধর্মগী মরমদা ঐবা হায়ব্রিবচু মশেক শেংনা অমুক নংগী নকমদা হায়গে, চন্দীং তানা তাও ॥৪৬॥

ক্ষত্রিয়স্য স্মৃতো ধর্মঃ প্রজাপালনমাদিতঃ। নির্দ্দিষ্টফলভোক্তাহি রাজা ধর্মেণ যুজ্যতে ।।৪৭।।
(ক্ষত্রিয়াস্ততো দেবি দ্বিজানাং পালনে স্মৃতাঃ। যদিন ক্ষত্রিয়ো লোকে জগৎ স্যাদধরোত্তরম্ ।
রক্ষণাৎ ক্ষত্রিয়ৈরেব জগৎ ভবতি শাশ্বতম্। সম্যাগ্ গুর্ব্বাহিতো ধর্মো ধর্মঃ পৌরহিতক্রিয়া।

ব্যবহারাস্থিতির্নিত্যং গুণযুক্তো মহীপতিঃ ।।)
প্রজাপালয়তে যোহি ধর্মেণ মনুজাধিপঃ।
তস্য ধর্মার্জিতা লোকাঃ প্রজা পালনসংচিতা ।।৪৮।।
তস্য রাজ্ঞঃ পরোধর্মো দমঃ স্বাধ্যায় এবচ।
অগ্নিহোত্রপরিস্পন্দো দানা ধ্যয়নমেবচ ।।৪৯।।
যজ্ঞোপবীতধরণং যজ্ঞো ধর্মক্রিয়াস্তথা।
ভৃত্যানাং ভরনং ধর্মঃ কৃতে কর্মণ্য মোঘতা ।।৫০।।
সম্যাগ দণ্ডে স্থিতিধর্মো ধর্মো বেদক্রতুক্রিয়াঃ।
ব্যবহারস্থিতির্ধর্মঃ সত্যবাক্যরতিস্তথা ।।৫১।।

ক্ষত্রিয়গী ঈহান হানবা ধর্মদি, প্রজাশিংবু ঙাকশেনবা অসিনি। প্রজাশিংনা মশা মশাগী লাকচবা আয় অতুগী শরুক তরুক থোকপগী শরুক অম পীথংচরকপত্রনা ক্ষত্রিয় নিংথৌগী জীবিকা ওইগদবনি। অতুগুম্বা ক্ষত্রিয় নিংথৌনা ক্ষত্রিয়গী ধর্মবু পালন তৌরিবনি। ধর্ম অতু আচরণ তৌবগী চপ চাবা মহৈহ্ মহাক্ত শোয়দনা ফংগনি ।।৪৭।। (দেবী ! ক্ষত্রিয় নিংথৌনা বিশেষ ওইনা ব্রাহ্মণ প্রজাবু চেংকশিন্না ঙাক শেন্নি। সংসারদা ক্ষত্রিয় জাতি অমদি ক্ষত্রিয় নিংথৌ হায়বসি লৈত্রবদি জগৎ পুম্বসি উজায় মেলা শাই। লৈপাক কায়বা, থোইরেল মশা পাইবা হায়বত্থ উই। ক্ষত্রিয়শিংনা ঙাকশেনবতনা জগৎনা মবুক তপ্পা, শান্তিগা লোয়ননা লৈরিবনি। ঈচত্ত থৌবা, মরিল লৈবনাচিংবা গুণশিংনা তিনবা অমদি প্রজাশিংগী কায়নবতা থনবা, অতুগী মতুংইন্না থবক তৌবতনা ক্ষত্রিয় নিংথৌগী ধর্মনি ।।) ধর্ম কায়দনা প্রজাগী শাসন তৌবা অতুগুম্বা ক্ষত্রিয় নিংথৌনা প্রজা পালন তৌবা ধর্ম অতুগী পাইথনা অথোইবা ধাম (লোক) বু ফংবা ঙম্মি ।।৪৮।। ক্ষত্রিয় নিংথৌগী ধর্মদি :— ইন্দ্রিয় খুম্মু তনবা, রাজনীতি ধর্মগী সম্বন্ধ থম্বা বেদ শাস্ত্রগী মতাংবু মরুওইনা তম্বা নৈনবা, মথুংথক্লা যাগযজ্ঞ হোম তৌবা, দান তৌবা, যজ্ঞোপবীত ধারন তৌবা, ধর্মগা মরম লৈনবা কর্ম ঙাক্ত তৌবা, মনাই মশলবু য়োক থাকপা, তৌথিবা পায়থংথিবা থবকপু মতোঙোম্বা মহৈ চাত্তি কাওবা থাদোকহনবা, প্রজাশিংনা তৌথোরকপা অয়োন-চাম্বীবনচিংবা থবক্তা দোষগী দণ্ডবু দোষ অথোই অহেনবা তারতাম্ব য়েংনা মীচঙ মীথাই নাইদনা চপ চানা পীবা, বৈদিক কর্মনচিংবা মশানা তৌবা, প্রজাশিংবুদু তৌহনবা, মীচঙ মীথাই নাইদনা য়াথৈন বিচার তৌবা, অচুম্বা ঙাঙবদা পুক্নিং চঙবা অসিমচিংবসিনি ।।৪৯-৫১।।

আতর্হস্তপ্রদোরাজা প্রেত্য চেহমহীপতে।
গোব্রাহ্মণার্থে বিক্রান্তঃ সংগ্রামে নিধনংগতঃ ॥৫২॥
অশ্বমেধজিতাল্লো কানানাপ্নোতি ত্রিদিবালয়ে ॥৫৩॥
(তথৈব দেবি বৈশ্যাশ্চ লোকযাত্রাহিতাঃ স্মৃতাঃ।
অন্যে তানুপজীবন্তি প্রত্যক্ষফলদা হি তে ॥৫৩॥
যদিন স্যুস্তথা বৈশ্যান ভবেয়ুস্তথা পরে।)

বৈশ্যস্য সততং ধর্মঃ পাশুপাল্যং কৃষিস্তথা। অগ্নিহোত্রপরিস্পন্দো দানাধ্যয়নমেবচ ॥৫৪॥
বানিজ্যসৎপথস্থানমাতিথ্যং প্রশমোদমঃ। বিপ্রাণাং স্বাগতং ত্যাগো বৈশ্যধর্মঃ সনাতনঃ ॥৫৫॥
তিলান্ গন্ধান্ রসাংশ্চৈব বিক্রীনীয়ান্ন চৈবহি। বণিক্‌পথমুপাসীনো বৈশ্যঃ সৎপথমাশ্রিতঃ ॥৫৬॥
সর্বাতিথ্যং ত্রিবর্গস্য যথাশক্তি যথার্হতঃ। শূদ্রধর্মঃ পরোনিত্যং শুশ্রূষাচ দ্বিজাতিষু ॥৫৭॥
সশূদ্রঃ সংশিতপাঃ সত্যবাদী জিতেন্দ্রিয়ঃ। শুশ্রূষু রতিথিংপ্রাপ্তং তপঃ সংচিনুতেমহৎ ॥৫৮॥

অহুগুম্বা ক্ষত্রিয় নিংথৌনা অরাবা তারবা প্রজাশিংগী মথুংমরূ কাওবা মতেং পীবা মহাক অহুদি ইহলোক পরলোক অনীমক্তা সম্মান ফংঙি। শল-ব্রাহ্মণ প্রজাশিংবু অরাবা খুদোংথীবদগী কমনবসীদমক্তা মপাম্বোম তিংনা, মরিল মথৌনা ফুদোক্নুনা যেক্লবগী মথুক্তা লানকমদা মথ্বায় কথোকপা ওম্বা নিংথৌ ক্ষত্রিয় মহাক অহু স্বর্গদা আশ্বমেধ যজ্ঞ কয়ারক হন্না তৌবগী মহৈ ফংঙ্ই ॥৫২-৫৩॥ (দেবী! পার্বতী! মতৌ অমুম্না, বৈশ্যনু, অতৈ অতোপ্পা ব্রাহ্মণনচিংবগী জীবিকাগী মচাক হুনবদা সহায়তা পী। অতোপ অতোপ্পা বর্ণগী মীশিংনা বৈশ্যনা পীবা সাহায়তাহুনা মথোরগী জীবিকা পাংথোকলি। খুদক খুদক্তা মাহুগী মহৈহ্ প্রত্যক্ষ ওইনা উনরি। বৈশ্য জাতি অসি লৈরমত্রবদি অতোপ অতোপ্প ব্রাহ্মণনচিংবা মীশিং অসি অমত্তা লৈরম্ম্রোইদৌবনি। শা শল য়োকপা লৌউ শিংঙ্বা লম্লোল ঈতীক তৌবা, অগ্নিহোত্র (যজ্ঞ) তৌবা, দান, বেদ, শাস্ত্র তম্বা, অকবা অচুম্বা লম্বীদা চৎপা, লমচৎ ব্যবহার কজবা, অতিথি সেবা তৌবা, শান্তিপা লোয়নন্না লৈকা, ইন্দ্রিয় খুহুম চনবা, ব্রাহ্মণশিংবা স্বাগত তৌবা, দুনা তৌবা, অমুপা মীগী উপকারগী ত্যাগ তৌবা (থাদোকপা) অসি পূম্নমক অসি বৈশ্যগী সনাতন ধর্মনি (অমাইঙ্গগী লেঙদনা লাক্লবা ধর্মনি ॥৫৪-৫৫॥ সদাচারী ওইবা বৈশ্যনা থোয়দিং, চন্দন, খোইহৌনচিংবা মধী য়োনবা লয়োনবা হৌনদে, তৌরোইদৌবনি। ব্রাহ্মণ, ক্ষত্রিয়, বৈশ্য, হায়রবা ত্রিবর্গগী স্বাগত তৌবা, মথোয়দা অতম্বা শক্তিনা, মতীক চানা অতিথি সৎকার তৌগদবনি ॥৫৬॥ শূদ্রগী অথোইবা ধর্মদি ব্রাহ্মণ, ক্ষত্রিয়, বৈশ্য অহুমগী সেবা অসিনি। সত্যবাদী ওইবা, ইন্দ্রিয় খুহুম চনবা, মুখদা লাকপা অতিথিগী সেবা পূজা তৌবা, অহুগুম্বা শূদ্র অহুদি ওহোক্না চাউরবা কন্নবা তপস্যাবু তৌরবনি। শূদ্রগী মক্মদদি সেবা ধর্ম হায়রবে কন্নবা তপস্যা অমনি ॥৫৭-৫৮॥

নিত্যং সহি শুভাচারো দৈবতাদ্বিজপূজকঃ। শূদ্রো ধর্ম্মফলৈরিষ্টৈঃ সম্প্রযুজ্যেত বুদ্ধিমান্ ॥৫৯॥
তথৈব শূদ্রা বিহিতাঃ সর্বধর্ম প্রসাধকাঃ। শূদ্রাশ্চ যদি তে ন স্যুঃ কর্মকর্ত্তা ন বিদ্যতে ॥
ত্রয়ঃ পূর্বে শূদ্রমূলাঃ সর্বে কর্মকরাঃ স্মৃতাঃ। ব্রাহ্মণাদিষু শুশ্রূষা দাস ধর্ম ইতি স্মৃতঃ ॥

বার্ত্তা চ কারুকর্মাণি শিল্পং নাট্যং তথৈবচ।
অহিংসকঃ শুভাচারো দেবতাদ্বিজবন্দকঃ ॥
শূদ্রো ধর্ম্মফলৈরিষ্টৈঃ ধর্ম্মেণোপযুজ্যতে।
এবমাদি তথান্যচ্চ শূদ্রধর্ম ইতি স্মৃতঃ ॥)
এতত্তে সর্বমাখ্যাতং চাতুর্বর্ণ্যস্য শোভনে।
একৈকস্যাহ শোভনে কিমন্যচ্ছ্রোতুমিচ্ছসি ॥৬০॥

উমোবাচ

(ভগবন্ দেবদেবেশ নমস্তে বৃষভধ্বজ। শ্রোতুমিচ্ছাম্যহং দেব ধর্মমাশ্রমিণাং বিভো ॥

শ্রীমহেশ্বর উবাচ

তথাশ্রমগতং ধর্মং শৃণু দেবি সমাহিতা। আশ্রমাণাংতু যো ধর্মঃ ক্রিয়তে ব্রহ্মবাদিভিঃ ॥

অকন্না নীংথিবা লমচৎ ব্যবহারবু আচরণ তৌবা, দেবতা অমদি ব্রাহ্মণশিংগী সেবা পূজা তৌবা, জ্ঞানী ওইরবা শূদ্রনা হায়রিবা ধর্ম অসিগী পান্নবা মহাক্না পাম্বা পূম্বা ফংজি, নীংবা থুংজি ॥৫৯॥ (অহুনা, ধর্ম পূম্নমকপু পাওথোকপা মীশকতি শূদ্রনি হায়নৈ। অ হায়বা জাতি অসি লৈরম্মত্রবদি সেবাধর্ম তৌবা, ধর্ম অসি, সংসারদা লৈরম্মরোইদৌবনি ॥ মথন্তা হায়খিবা বর্ণ অহুম অসিগী মরু থিনকমদি শূদ্রতনা ওইরিবনি। মরমদি, সেবা হায়বা তাবদা মহৈ চাউরবা কর্মসে শূদ্র হায়বসিতনা তৌগদবনি হায়না শাস্ত্রশিংনা য়ানগ্রবনি। ব্রাহ্মণচিংবগী সেবাতনা দাস নত্রগা শূদ্রগী মরু ওইবা, ধর্মনি ॥ লস্লোল ঈভীক তৌবা, কারীগরগী থবক, উশূবা মথুং মশা হৈবা, পুং ঈশৈ জগোঈহু শূদ্রগী ধর্মনি। মহাকন্না হিংসা তৌদবা, সদাচারী ওইবা, দেবতা অমদি ব্রাহ্মণশিংগী সেবক অমদি পুজারি (পূজা তৌবা মীশক) হায়বহু ওইগদৌবনি ॥ অসিগুম্বা, মশাগী ধর্ম (মথৌ) বু আচরণ তৌবা শূদ্র অহুদি মহাক্না নীংবা পূম্ব থুংজি। শূদ্রগী ধর্মদি হায়রিবসি মতুনা অতৈ কয়াহু লৈরি ॥) নীংথিজবী! পার্বতী! বর্ণ মরিগী তোঙাল তোঙানবা ধর্মগী তত্ত্ব অসে মঙোন্দা হায়রবনি। হৌজিক অমুক অতৈ করি তানিংলি? ॥৬০॥ উমা দেবীনা হায়:—ভগবন্! দেবদেবেশ্বর! বৃষভধ্বজ! ঈবুঙো! নংবু খুরুমজরি। বর্ণ ধর্মশিংগী তত্ত্বদি তাজরে। হৌজিক অমুক, আশ্রম ধর্মশিংগী তত্ত্ব তাজনীংজি ॥ মহাদেবনা হায়:—দেবী! পূরীং আশ্রমশিংগী তোঙাল তোঙানবা ধর্মশিংগী তত্ত্বহু তাব্রো। ব্রহ্মবাদী ওইবা মুনিশিংনা নিশ্চয় তৌরম্বা, তত্ত্বশিংহু ঐ হায়গে ॥

গৃহস্থঃ প্রবরস্তেষাং গার্হস্থ্যং ধর্মমাশ্রিতঃ। পঞ্চযজ্ঞ ক্রিয়াশৌচং দারতুষ্টিরতন্দ্রিতা ॥

ঋতুকালাভিগমনং দানযজ্ঞতপাংসি চ। আবিপ্রবাসস্তস্যোক্তঃ স্বাধ্যায়শ্চাগ্নিপূর্বকম্ ॥

তথৈব বানপ্রস্থস্য ধর্মাঃ প্রোক্তাঃ সনাতনাঃ গৃহবাসং সমুৎসৃজ্য নিশ্চিত্যৈকমনাঃ শুভেঃ ॥

বন্যৈরেব সদাহারৈ র্বর্ত্তয়েদিত্রি চ স্থিতিঃ। ভূমিশয্যা জটাশ্মশ্রুচর্মবল্কলধারনম্ ॥

দেবতাতিথি সংকারো মহাকৃচ্ছ্রাতিপূজনম।

অগ্নিহোত্রং ত্রিষবণং তস্য নিত্যং বিধীয়তে॥

ব্রহ্মচর্য্যং ক্ষমা শৌচং তস্য ধর্মঃ সনাতনঃ।

এবং স বিগতে প্রাণে দেবলোকে মহীয়তে॥

ব্রহ্মচর্য্যাশ্রম, গ্রার্হস্থ্যাশ্রম, সন্ন্যাস হায়না লৈরিবা আশ্রম মরিসিগী মনুংদা গৃহস্থ আশ্রম হায়বসিনা থাইমক্তগী অথোইবনি মকোকনি *। মরমদি, আশ্রম পূম্নমক্কী থিনকম (মুক্ষম হৌরককম) অসি গৃহস্থাশ্রমতনা ওইরিবনি। পঞ্চ মহাযজ্ঞশিংগী অনুষ্ঠান, মনুং মপানবু শেংন থম্বা, মুপী হায়বা জাতিবু মুংঙাইহনবা, পেলহনবা, অতনবা থাদোক্তুনা থবক তৌবা মুপীশিংগী ঋতু পালন তৌবিবা, দান অতিথি সেবা, ইষ্ট দেবগী পূজা তৌহনা ধ্যান তপস্যা তৌবা, বন জঙ্গল পরদেশদা কোয়চৎ চত্তনা মথৌ তৌহনা লৈবা, অগ্নিহোত্র তৌহনা বেদশাস্ত্র নৈনহনা তম্বিহনা লৈবা, হায়রিবা পূম্নমকসে গৃহস্থাশ্রমীতনা লোইনা তৌবনি। গৃহস্থ অমা ওইবনা চৎচগদবা, ধর্মসু অসিনি। অসুম তৌনা, বানপ্রস্থাশ্রমগী সনাতন ওইবা ধর্মগীসু হায়রি। বানপ্রস্থাশ্রমদা চত্তনীঙবা মীনা পূক্নীং চত্তনা চনীং তানা লেপ্পবা, মুমদা লৈবহ থাদোক্তুনা বন বন খুদিংদা নোংমগী অকং হু চাহনা জীব লেনগদবনি। মাসি বানপ্রস্থাশ্রমীশিংগীদমক শাস্ত্রনা য়াত্তুনা থমপ্রবা নিয়মনি। লৈনিন্দা তৃম্বা-হীপ্পা, জটা পুবা, চীনথান কোই অহুম থম্বা (কাক্লোক্তবা), শজী মউল, উকু য়াকুবু ফীজোল ওইনা শীজিন্নবা অতিথিশিংবু সংকার স্বাগত তৌবা, অমাব পুম্বা থাঙহনা দেবতাশিংগী সেবা পূজা তৌবা, অসিনচিংবসি বানপ্রস্থাশ্রমগী নিয়মনি। মুমিং খুদিংগী অগ্নিহোত্র (হোম তৌবা) ত্রিকাল স্নান তৌবা অসিসু আশ্রম অসিগী ধর্মনি। অসিগুম্বা মিয়মশিং অসি ঙাক্তুনা লৈবা বানপ্রস্থী সংসার থাদোক্তুনা চৎপ্রবা তুংদা দেবলোকতা সন্মান ফংহনা লৈথি।

---

* টীকা :—গৃহস্থাশ্রমনা খ্বাইদগী অহেনবনি হায়রিবসি সম্পৎপা প্রমাণদি :—হেক লৈরিবা আশ্রম পূম্নমক্কী মচাক অসি গৃহস্থাশ্রম কৌবা আশ্রমসিতনা হৌনবনি। আশ্রম অসি লৈরমক্রবদি, ব্রহ্মচারী, গৃহস্থ, বানপ্রস্থী, সন্ন্যাসী ওইবা মীশক অমতসু সংসারদা লৈরম্বরোই। হায়রিবা মীশকশিং অসি মমা মপানা পোকপমক্তনি। মমা মপা ওইরিবহমকসু গৃহস্থীশিংনা পোকপা, পুথোক্কপা মক্তনি। (কালাচাঁদ)

যতিধর্ম্মস্তথা দেবি শৃণুষ্বৈকাগ্রমানসা। অকিঞ্চনমনারম্ভঃ সর্ব্বতঃ শৌচমার্জ্জবম্ ॥
সর্ব্বত্রভৈক্ষ্যচর্য্যাচ সর্ব্বত্রৈকবিবাসনম্। সদা ধ্যানপরত্বং চ দোষশুদ্ধিঃ ক্ষমাদয়া ॥
তত্ত্বানুগতবুদ্ধিত্বং তস্য ধর্ম্মা বিধীয়তে। বুভুক্ষিতং পিপাসার্ত্তমতিথিং শ্রান্তমাগতম্।
অর্চ্চয়ন্তি বরারোহে তেষামপি ফলং মহৎ ॥
পাত্রমিত্যেবং সর্ব্বস্মৈ ধর্ম্মকাঙ্ক্ষিভিঃ। আগমিষ্যতি যৎ পাত্রং তৎপাত্রং তারয়িষ্যতি ॥
কালে সম্প্রাপ্তমতিথিং ভোক্তুকামমুপস্থিতম্। দৃষ্ট্বা সন্তো বদেৎতত্র ব্যাসোহয়ং সমুপস্থিতঃ ॥
তস্য পূজাং যথা শক্ত্যা সৌম্যচিত্তঃ প্রয়োজয়েৎ। চিত্তমূলো ভবেৎ ধর্ম্মো ধর্ম্মমূলং ভবেৎ যশঃ

তস্মাৎ সৌমনস চিত্তেন দাতব্যং দেবি সর্ব্বথা।
সৌম্যচিত্তস্তু যো দত্তাৎ তদ্বিদানমনুত্তমম্ ॥
যথাম্বুবিন্দুভিঃ সূক্ষ্মৈঃ পতদ্ভির্মেদিনীতলে।
কেদারাশ্চ তটকানি সরাংসি সরিতস্তথা ॥

দেবী! মতৌ অমুম্মা যতিধর্ম্মগী অতুম মরৈ। সন্ন্যাসীনা যুম থাদোক্তুনা অমদগী অমদা কোয়চৎ চত্তুনা লৈ। মকম অমদগী লাকপা করিগুম্বা পোৎ অমত লৌবা য়াদে। কর্ম অমা পায়খৎপা য়াদে। মায়গৈ পুম্বদগী লাকপা অশেংবা ঈচম চম্বা শয়ক অচুম্বা লৌগনি। অচুম্বা থম্মোয়মুংতদা লৌগনি। চিক্কাতনা জীবিকা ওইহনগনি। লৈরু লৈরুবা মকম অচুদা লৈরম্বা বিষয় পুম্বদগী তোত্তাম্না (অলগ ওইনা লৈগদবনি। সন্ন্যাসী ওইরিবা ঐসিনা কংগুপদবসি করিনো হায়বগী ধ্যান তৌদুনা লৈগদবনি। রেক লৈরিবা অচৎ চত্ত জীব পুম্ববু চাং চপ মান্নবা উগ-রেংগদবনি। হায়রিবা পুম্নমকসিদা দয়া ক্ষমা থমদুনা বুদ্ধি তত্ত্বগী লোয়ননা চিন্তন তৌদুনা লৈগদবনি। হায়রিবা পুম্নমকসি সন্ন্যাসীগী ধর্ম্মকার্য্যনি ॥ নোংথিজবী পার্বতী! অয়াম থৌয়াংবগা লোয়ননা য়াম্বানা চঙজয়কপা অতিথিদা পীজ পীথকপা, তয়াম তয়াম তৌবিবা, অচুম্বা নত্তনা সেবা পূজা কাওবা তৌবা হায়বসিগী মহৈদি, হায়দুনা কায়দে, ওহোক্লা চাউরে ॥ ধর্ম্মগী থবক তৌগে হায়না খনবা মীনা তৌগদবা হায়ববু মমদা লাকপা অতিথিবু থাইদগী মতৌকচাবা দানপাত্রনি হায়না থম্মুনা দান তৌবা অসিনি। লাক্লিবা দানপাত্র ওইরবা অতিথি অসিনা ঐবু পাপ পুম্নমক্কী উদ্ধার তৌবিয়মগনি অমুম হায়নস্তু খনগদবনি ॥ মতম চানা করিগুম্বা অম চানীদুনা (ভোজন তৌনিংদুনা) লাকপা অতিথিবু তয়াম তয়াম্না ওক্তুনা পীজ পীথকপা মী মহাক অচুগী মমদা ভগবান শ্রীব্যাসমক লাক্লবনি ॥ মরম অদুনা পুকচেল য়াম্না শেংনা নৌনা, ভৌথিনা, লাক্লিবা অতিথি অদুগী অতোবা থমনা সেবা পূজা তৌগদৌবনি। মরমদি ধর্ম্ম পুম্নমক্কী মরু হায়ববু "পুকচেল শেংবা" অদুগা লল মিংচংনচিংবগী মরমদি ধর্ম হায়রসিনা ওই। মরম অদুনা, দেবী! পার্ব্বতী! পুকচেল শেংনা চীঙ্গা, তুমিয়া দান তৌগদবনি। অমুম হায়না তৌবা দান অদুতনা থাইদগী হেনবা য়াননি ॥

তোষপূর্ণানি দৃশ্যন্তে অপ্রতর্ক্যানি শোভনে। অল্পমল্পমপি হ্যেকং দীয়মানং বিবর্ধতে॥
পীতরপি চ ভূত্যানাং দানমেবাবশিষ্যতে। পুত্রদারধনং ধাত্রীন মৃতানস্তু গচ্ছতি॥
শ্রেয়ো দানং চ ভোগশ্চ ধনং প্রাপ্যযশস্বিনি। দানেনহিমহাভাগ্য ভবন্তি মনুজাধিপাঃ॥
নাস্তি ভূমৌ দানসমং নাস্তি দান সমো নিধিঃ। নাস্তি সত্যাৎ পরোৎ ধর্মো নানৃতাৎ পাতকংপরম্
আশ্রমে যস্তু তপ্যেত তপোমূলফলাশনঃ। আদিত্যাভিমুখো ভূত্বা জটাবকল সংবৃতঃ॥
মণ্ডুকশায়ী হেমন্তে গ্রীষ্মে পঞ্চতপা ভবেৎ। সম্যক তপশ্চরন্তীহ শ্রদ্দধানা বনাশ্রমে॥
গৃহাশ্রমস্ত তে দেবি কলাং নার্হন্তি ষোড়শীম॥

নীংথিজবী। নোংজু পান্থাদা, নোংমদোম্বক্তগী তারকপা ঈশিং মরীক মচা মচানা মথং মথং শিন্থরক্তুনা, লৌবুক লম্নাং, পুখ্রী লাংথোং, লৌরীনচিংবদা ঈশিংনা পীক পীক থলহনবহুওয়া, হুমিং থুদিংগী থম্ব থম্বদং ভোবা অতবা দাঙ্গী মরীকশিং অহুন্ন মথং মথং হেন্নসংলকই। কনা অমত লৈজরবা, য়োকপী থাকশিবগী খাইদগী হেয়া মতীক চারবা মরূপ মপাং শাটপ নাওবু কোনশিনখিহুনা, পীক পাথকক্লিবা, লৈকম পীরিবহুহু অথোইবা দান অমনি। ঈচা ঈশু, মুপী অভাং, লৌরী ইংথোল লম্বুগ অসে হয়েং শিব মতমদা পুহুনা চংথিগদবা মচেং অমত য়াওদে। লোইনা লৈহৌরগদবা ডাজনি। বানপ্রস্থ আশ্রমদা লৈবা বনদা লৈহুনা উহে মাহৈত চাহুনা শমমুং করিমত কত্তনা জটা পুহুনা, উচু মাকু শেত্তুনা, হুমিংলোমতদা শুক্লিমুনা তপস্যা তৌহুনা হেমন্ত ঋতুদা হওজাইওয়া ঈশিংদা দৃগুনা লৈ। গ্রীষ্ম ঋতুদা অগ্নি মঙাগী তাপ (মৈশা) থাজহুনা লৈ। অমুমা, বানপ্রস্থ কৌবা আশ্রমদা লৈহুনা শ্রদ্ধাগা লোয়ননা, অথোইবা তপস্যাবু তৌহুনা লৈবশিংহুনসু গৃহস্থাশ্রমদা নিয়ম চুম লৈবগী শরুক ভরাতরুক থোকপগী শরুক অম কাওবা কংদে*।

---

* টীকা :—গৃহস্থাশ্রমবু অসুক য়াম্ন য়াংনা থাগৎপগী মরমদি অসিনি। মাহুদি :—অতে আশ্রম-শিংগী হৌরককম য়ুম্নমদি গৃহস্থাশ্রম পূম্নমকী চাংয়েংকম পরীক্ষা তৌকম শঙ (আশ্রম) নি। অভাং মুপীগা লোয়না লোয়ননা, মচা মশু পোক পোকনা আচারী ওইহুনা ব্রহ্মচর্য্যাশ্রমদ লৈবগী ব্রতনিয়ম ডাকই। অসিগুম্বা অরুবা নিয়ম অসি ঙাকপা ঙমদবদগী, কিবদগী বনদা চেন্দুনো, (বানপ্রস্থ ওইহুনা) লোৎপনি। মুপী অভাং লৌরী ইংথোলগী মরক্ত লৈন লৈনা সন্ন্যাসী ওইহুনা লৈবা ঙমদবদগী কিবদগী লৌরী ইংথোলদু থাদোক্লমহুনা সন্ন্যাসাশ্রম অমা শেমহুনা, মাহুনা লৈহুনা লোৎপনি। যোগ তৌন তৌনা, (ভিক্ষ ভিক্ষনা) সন্ন্যাস তৌবা (থাদোকপা ভিক্ষদবা) ঙমদবদগী, থাঙব ঙমদহুনা, শোন্দুনো, কিহুনা সন্ন্যাসাশ্রম হাপ্পবহুদা লোৎপনি। যোগী ঋষি পূম্নমক গৃহস্থাশ্রমদা পোকথিবা ডাক্তনি। হায়রিবা, গৃহস্থাশ্রম অসি লৈয়নক্রবদি ব্যাস শুকনচিংবশিং অসি অমত লৈয়নদহুনা পোকলমদহুনা বেদ

উমোবাচ

গৃহাশ্রমস্ত যা চর্য্যাব্রতানি নিয়মাশ্চযে ॥

যথা চ দেবতাঃ পূজ্যাঃ সততং গৃহমেধিনা । যৎ যচ্চ পরিহর্ত্তব্যং গৃহিণা তিথিপর্বসু ॥

তৎ সর্বং শ্রোতুমিচ্ছামি কথ্যমানং ত্বয়া বিভো ।

মহেশ্বর উবাচ

গৃহাশ্রমস্য যন্মূলং ফলং ধর্মোঽয়মুত্তমঃ ॥

পাদৈশ্চতুর্ভিঃ সততং ধর্মো যত্রপ্রতিষ্ঠিতঃ । সমস্তুতং বরারোহে দধ্নো ঘৃতমিবোদ্ধৃতম্ ॥

তদহং তে প্রবক্ষ্যামি ব্রতাং ধর্মচারিণি । শু ষস্তে যেপিতরং মাতরংচ গৃহাশ্রমে ॥

ভর্তারং চৈব যা নারী অগ্নিহোত্রং চ যেদ্বিজাঃ । তেষু তেষু চপ্রীণন্তি দেবা ইন্দ্রপুরোগমাঃ ॥

উমানা হায় :— প্রভু ! স্বামি ! গৃহস্থাশ্রমদা লৈবশিংনা চৎকদবা, তৌগদবা আচার বিচার, ব্রতনিয়ম, দেবতাশিংদা তৌগদবা সেবা পূজা, তিথিশিংদা অহুপা পর্বদিন হেক হেক থোকপদা চাহেবা চাহেদবা, থাদোকদবা পোৎশকশিং অসিনচিংবগী মংমদা শুগাইনা অমুক্তা তাকপিয়ু । মাসি, ঐ, মুমা থজনীঙিঙ ॥ শ্রীমহেশ্বরনা হায় :—গৃহস্থাশ্রমগী মূল (মরু) অহুপা ফল (মহৈ) দা "ধর্ম" হায়বহুনা মাসী মখোঙ মরি পুরূপ থমহুনা লৈ । অতৈ অতৈ আশ্রমদা মখোঙ নাম নামতা থমহুনা লৈ । মহৌদগী ঘীনা থোরকপা ওইরকপহুগুমা ধর্ম কর্মশিংগী মচি ওইবা শরুকশিংতনা ওইথিবা গৃহস্থাশ্রমগী তত্ত্ব ঐ হায়গে মুমা তাও ॥ গৃহস্থাশ্রমদা লৈবশিংনা কংবা পুণ্য কর্মসি মাতা পিতাগী সেবা, মপুরোয়বগী সেবা অমদি সতীত্ব, অতিথি ব্রাহ্মণশিংগী আতিথ্য (অতিথি সেবা) অসিনি । গৃহস্থাশ্রমীনা তৌরিবা পুণ্য কর্মশিংদা পাইরেবাকী লাইনিংথৌ ইন্দ্রনচিংবা লাইরাম্না অহুপা প্রেতলোক (লোক অসি থাদোক্লনা চৎপ্রবা) শিংনা পূমপেল হেক পেল্লি মুংঙাইজে ।

পুরাণ ধর্ম শাস্ত্রশিংসিদু অমত লৈরম্মরোইদৌবনি । অসিগুম্বা আশ্রমসিদা পোকচরগা সন্ন্যাসী জাদী শাহুনা আশ্রমসিবু থাদোক্লনা মাবু পোকপিবা মমা মপাবু থাদোকলম্বসি মহা অকৃতজ্ঞনি, তৌবিমল থগুদবা হায়বহুদি । তৌবিমল থগুদবা "অকৃতজ্ঞঃ গুরুদ্রুহ " হায়বা মহাপাপীহুনি হায়বা য়াই । হেমন্ত ঋতুদা গুা হংঙোইগুম্বা ঈশিং মমুংদা লৈন লৈনা চোৎহন্দনা, ঈশিংদ্ম হাদনা, ফুলহতনা, গৃহস্থাশ্রমদা লৈনা লৈনা গৃহস্থাশ্রমগী চপ চাবা ব্রতনিয়মবু পালন তৌহুনা সন্ন্যাসী ওইহুনা লৈবা গুমজবদগী, সন্ন্যাস আশ্রম হায়হুনা তোঙাম্বা আশ্রম অমা শেমহুনা খুন্দাহুনা লৈথিবনি । অহুনা তোঙান তোঙানবা আশ্রম মরি অসিগী অমময়া পুরূপ অমুমুক পুনশিন্দুনা লৈরিবা আশ্রমসিগী মরি মরি, তরাতরুক হায়না লৈরিবা কলা তরক্কী লৈকমসিগী অমবুদু অতৈ আশ্রম অমময়া কংদে ॥ (কালাচাঁদ)

পিতরঃ পিতৃলোকস্থাঃ স্বধর্মেণ সরজ্যতে।

উমোবাচ

মাতাপিতৃবিয়ুক্তানাং কা চর্য্যা গৃহমেধিনাম॥

বিধবানাং চ নারীণাং ভবানেতৎ ব্রবীতুমে।

শ্রীমহেশ্বর উবাচ

দেবতাতিথি শুশ্রূষা গুরুবৃদ্ধাভিবাদনম্॥

অহিংসা সর্বভূতানামলোভঃ সত্যসংধতা। ব্রহ্মচর্য্যং শরণ্যত্বং শৌচং পূর্বাভিভাষণম্॥

মখোয়না মুংঙাইজবত্না, গৃহস্থী মশামকন্থ ওম্মোয়া মুংঙাইবা অপেনবা কংভি॥ উমানা হংভি :— অহ্নি. ঈবুঙো। গৃহস্থাশ্রমদদি লৈরগা সেবা তৌজনীঙায় মমা মপা লৈত্রবা, পতি লেবাগী মহে কংজ নীঙঙায় লৈত্রবী বিধবা (লুখ্রাবী) হুগী দিস্থ কমদৌবা? মখোয়দি পুন্যকর্মশিং অসি তৌবগী মহে ঈকং কংঙরোইত্রা? মখোয়গী পুনশি মরেয়া করি কমদৌবা? মুমা অমুক্তা তাকপিয়ু॥ শ্রীমহেশ্বরনা হায়: দেবতা অমদি অতিথিশিংগী সেবা, গুরুজনশিং অমদি অহল্লমনদা খুরুমথাজস্বা, করিগুম্বা জীব অমদা হিংসা তৌদবা, অপাম্ব মিহৌবা খাদোকপা, হায়খিবা হোংদবা (রাশক চেংপা), ব্রহ্মচর্য্যগী নিয়ম ঙাকপা, চঙজয়কপাশিংবু মুংশিবিবা চানবিবা, অশেং অমাং খায়বা, লংক্লিব মীশিংগা ঈহান হানবদা হংনব রায়ী শাবা *, উপকার তৌবিখিবশিংদা তৌবিমল খঙবা, অমগা লৌতুনদবা চীয়োল খায়োল তৌবা॥

---

* টীকা :—হৌজিকী মতমদা, কনা কনাগুম্বা অচৌ অশাংনা (অগাম্বনা) মরূপ অমনীগা রায়ী শাত্না নোক খেত্না লৈরিঙৈদা মনাক্ত করিগুম্বা অমা হায়জগে লাকপা অমবু থঙইনা রেংদে, কৌবা কাওবা কৌবিদে। চাওখোকপা খোয়বনা, কিদা কাওবা থাবিদে, হয় রেংবিদে। রায়ী শায়বত্ন লোইরগা করিনো করি ওইরবনো? • অস্থম হায়না, খৌওই উশিত্তবগী মওংদা, হংদে হায়খিনি হায়বগী চাউখোয়া হংভি। অসিগুম্বা মীশকসি গৃহস্থাশ্রমদা লৈবদা মতীক চাদবা মীনি। আশ্রম পুমনক্কী মরু (মুক্ষম) দা লৈবদা মতীক চাত্রবনিনা, অতোপ্পা সন্ন্যাসিনচিংবা আশ্রমদা চঙঙ্মন্থ মতীক চাত্রে। করিগুম্বা আশ্রম অমদা চঙঙ্ লৈরুবদা মতীক চাত্রবনিনা, মীগী মঙ্গুচনবা কাওবা রায়দবগী মওংদা লৈ। ময়মদি শা শন্না মরূপ মপিজা অহল্লমন, চঙজয়কপাশিংবু উদবা শক খঙজবত্নগুম্বা উদ খঙদনা অহ্নপা খঙশিন উশিন্নদনা লৈয়বদি শা শন্নুগা করিদি খেন্নরি? অত্নগুম্বা মীগী হকচাংমুংদা লৈবা জীবাত্মাগা, শলগী হকচাংগী মওংদা লৈবা জীবাত্মাত্নগা করিমতা খেন্নদে। লমচৎ ব্যবহার, আচার বিচারজনা মীগা শা-উচেকো খেন্নহনলিবনি। খেন্নবত্নবু লৈত্রবদি অম্মা ওইরে। ভেদ লৈতবা অহুবু অভেদ কৌই। "ভেদাভাব এব অভেদঃ॥ (কালাচাঁদ)

কৃতজ্ঞত্বমপৈশুন্যং সততং ধর্মশীলতা। দিনে স্থিরতিথেকং চ পিতৃদৈবত পূজনম্॥
গবাহ্নিকপ্রদানং চ সংবিভাগোঽতিথিষ্বপি। দীপং প্রতিশ্রয়ং চৈব দদ্যাৎ পাদ্যাসনং তথা॥
পঞ্চমেঽহনি ষষ্ঠেবা দ্বাদশোঽ প্যষ্টমেঽপিবা। চতুর্দর্শে পঞ্চদশে ব্রহ্মচারী সদা ভবেৎ॥
শ্মশ্রুকর্ম শিরোঽ ভ্যঙ্গ মজ্জনং দন্তধাবনম্। নৈতেষহস্সু কুর্বীত তেষু লক্ষ্মীঃ প্রতিষ্ঠিতা॥
ব্রতোপবাসনিয়মস্তপো দানং ত শক্তিতঃ। ভরণং ভৃত্যবর্গস্য দীনানামনুকম্পনম্॥
পরদারানিবৃত্তিশ্চ স্বদারেষু রতিঃ সদা। শরীরমেকং দম্পত্যো বিধাত্রাপূর্বনির্মিতম্॥
তস্মাৎ স্বদারনিরতো ব্রহ্মচারী বিধীয়তে। শীলবৃত্তবিনীতস্য নিগৃহীতেন্দ্রিয়স্য চ॥
আর্জবে বর্ত্তমানস্য সর্বভূতহিতৈষিণঃ। প্রিয়াতিথেশ্চ ক্ষান্তস্য ধর্মার্জিতধনস্য চ॥
গৃহস্থাশ্রমপদস্থস্য কিমন্যৈ: কৃত্যাশ্রমৈঃ। যথা মাতরমাশ্রিত্য সর্বে জীবন্তিজন্তবঃ॥

ধর্ম কারনদা থবক্তদা পুক্নীং চঙবা, নোংমদা অনীরক স্নান তৌবা, পিতৃলোককী সেবা পূজা তৌবা, শক্তীশিংদা মুমিৎ খুদিং পীজ পীথকপা, অতিথিগী শরুক হায় থাইদোক্তূনা থম্নগা চাবা. পায়রস্বা থবক থাজোক্তূনা লাক্লিবা মীগী আসন থাবা পীথকপা. পঞ্চমী, ষষ্ঠী, অষ্টমী, দ্বাদশী, চতুর্দশী, পূর্ণিমা তিথিশিংসিদা ব্রহ্মচর্য্য ঙাকপা. অহুগা হায়রিবা তিথিশিংসিদা কোই ফানবা শম ককপা, কোক্ত থাউ তৈবা, মীৎ মায়দা কাজলনচিংবা মনম মুংশিবা, থুৎশেমগী পোৎ শীজিন্নবা, খুজিল খুয়া ককপা, য়াথিলচৈ চীক্তূনা য়া থিনবা অসিনচিংবসি তৌরোইদৌবনি, তৌহৈদে। নিয়মশিংসি ঙাক্লিবা গৃহস্থাশ্রমদা লক্ষ্মীনা লেঙদনা লৈ॥ ব্রত উপাসনা নিয়ম ঙাকপা, তপস্যা তৌবা, নোংমগী অঙম্বা দান থর তৌবা. য়োকপি থাকপিকম থোকপশিংবু য়োকপি-থাকপিবা, লায়র চূদংনবশিংবু থৌজানবিবা, অতোপ্পগী মুপীদা হন্ন য়েংদবা, মশাগী মুপীতদা পেন্দুনা লৈবা, অসিনচিংবসি গৃহস্থাশ্রমগী ধর্মনি॥ বিধাতানা ঈহান হানবদা পতি পত্নী (মতৈ মনাও) অনীসি হকচাং অমতদা পুন্নগা শাখি। অহুনা, মশাগী মুপীদগী হেন্না অতোপ্পা মুপী অমদা পুক্নীং চঙদবা মীহু ব্রহ্মচারীনি হায়না য়ানৈ লৌনৈ॥ লমচৎ ব্যবহারদা য়াম্ন কজবা, নোম্নুকপা, ইন্দ্রিয়বু লাকশিন-কাজিনবা, হায়দোক-তৌথোরকপদা মনুং মপাল ঈতিং তিংবা, জীব পুম্নমকী অকবা কান্নবত থনবা, অতিথিবু যাম্না মুংশি চানবিবা, মীগী মরাল ঙাকপি হৈবা, ধর্ম কারনদা ধর্ম কর্মশীদমক্তা ধন লল তানবা অহুগুম্বা গৃহস্থীগী মকমদা সন্ন্যাসনচিংবা আশ্রমগী প্রয়োজন (দরকার) লৈতে॥ হেক পোকপদগী জীবনা মাতা (মমা) গী আশ্রয় লৌহনা হিংবহুগুম্না অচৎ চত্ত জীব পুম্বনা গৃহস্থাশ্রমদা আশ্রয় লৌহনা হিংলি। মপুন্সি লেল্লি *॥

---

* টীকা :—ব্রহ্মচারী, বানপ্রস্থী, সন্ন্যাসীশিংনা মপুনশি লেল্লিবসি গৃহস্থাশ্রমদা লৈবশিংনা হুন্নবিবা পীবিবা চীজাক্না জীবিকা ওইহনা লৈ। মফি মরোল কন্নিমত য়াওজনা খুদলিবতা চাহনা লৈব। অদুগুম্না সন্ন্যাসীশিংহুনীনা য়া অমনি॥ (কালাচাঁদ)

তথাগৃহাশ্রমং প্রাপ্য সর্বে জীবন্তিচাশ্রমাঃ। রাজানঃ সর্বপাষণ্ডাঃ সর্বে রঙ্গোপজীবিনঃ ॥
ব্যালগ্রাহাশ্চ ডম্ভাশ্চ চোরা রাজ ভটাস্তথা। সবিদ্যাঃ সর্বশীলজ্ঞাঃ সর্বেবৈবিচিৎসকাঃ ॥
দূরাধ্বানং প্রপন্নাশ্চ ক্ষীণপথ্যোদনা নরাঃ। এতে চান্যে চ বহবঃ তর্কয়ন্তি গৃহাশ্রমম্ ॥
মার্জারা মূষিকাঃ শ্বানঃ সূকরাশ্চ শুকাস্তথা। কপোতকা কর্কটিকা সরীসৃপনিষেবণাঃ ॥
অরণ্যবাসিনশ্চান্যে সঙ্ঘাযে মৃগপক্ষিণাম। এবং বহুবিধা দেবি লোকেঽস্মিন্ সচরাচরাঃ
গৃহে ক্ষেত্রেবিলৈচৈব শতশোথসহস্রশঃ। গৃহস্থেন কৃতং কর্ম সর্বৈস্তৈরিহ ভুজ্যতে ॥
উপযুক্তং চ যৎ তেষাং মতিমান্ নানুশোচতি।
ধর্মে ইত্যেব সংকল্প্যবস্তু তস্য ফলংশৃণু ॥

নিংথৌ, পাপী পাষণ্ডী (পাখণ্ডী), অগোঙ্গশাবা, লাইয়েকপা, উশূবা, লিল জগোঙ্গী শাবা (শাহনবা), হুরান চান্দীবা, নিংথৌগী কমচাপী মূর্খ বিদ্বান পণ্ডিত, মহৈ মশীং অাং অাং হৈরবা, চিংনগনবা, তর্ক তৌবা চানীভায় লৈত্রহুনা লম্বী লমহাংদা গপী পলীদা কোয়চৎ চংলিবশিং অসিনা গৃহস্থাশ্রমদগী থোরকপা পোৎপু লাওতরুনা চাগদবগী ভাইহুনা লৈ ॥ দেবী। উডিল, উচি, হৌদোং, হুই, শুক, চোওঙা তেনবা, খুনু, লমখুনু, কাক, মবুক ছীত্তুনা চৎপা জীব, অসি মত্তবা হেক লৈরিবা শা উচেক, জগন্তা লৈরিবা, মথরায় পানবা জীব লিশিং লিশিং, লৌবুক লমহাংদা লৈক্রক লৈথুন্দা লৈবা জীব পুম্নমক, গৃহস্থাশ্রমদা লৈরিবা গৃহস্থীশিংনা তৌবা কর্মগী মহৈবু (কৌ চেঙবু) চারি,) চারি, চাজবগী ভাইহুনা হঙ্গং হন্দা থিহুনা লৈপি * ॥ মাগী পবক্তা শীজিনগনবা, কান্নগদবা পোৎপু কংগনি কংলোই হায়বগীসু মুংওাই রাবিদহুনা মথৌ তৌহু৭ লৈবতনা ধর্মনি খওহুনা খন্নুনা লৈবা, নিকামকর্মীশিংহুনা কংগদবা ফল (মহৈ) শিং অহুসু ঐ হায়গে তাও ॥

---

* টীকা :—গৃহস্থাশ্রমীনা পুথোক্কবা, শাদবা, থোকহনখিদবা হৌদোংনা তাম্নরিবা উচি অসিসু গৃহস্থীনা পীবা পৈরিবা কৌচেঙ অহুবু চাহুনা হিংহুনা লৈরিবা উচিহুবুনি। অশিবা উচিবু নত্তে। অহুনা, ন্যায় তর্কগী মতুং ইন্না হায়রবসু হৌদোংগী জীবিকা ওইরিবা চাক, উচিনচিংবা পুবসি গৃহস্থীনা হনবনি, পীবনি। মাসি, য়েংকম লৈত্রবা রাকম অমনি। মাসিসু মাসি ওইরে, স্বর্গলোক পিতৃলোকতা হেক লৈরিবা দেবতাশিং, পিতৃলোকী জীবপুম্না গৃহস্থাশ্রমদা লৈরিবশিংনা পীরকপা, দেব তর্পন, পিতৃ মাতৃ তর্পন, ঋষি তর্পন, পী চেঙ থোইদিং মনা মশীংবু চাগদবগী লাওতরুনা ভাইহুনা লৈরি। সন্ন্যাসনচিংবা আশ্রম পুম্না গৃহস্থাশ্রম কৌবা আশ্রমদা লৈরি। অহুন্না মহাদেবনা পার্বতীদা গৃহস্থাশ্রম ধর্মগী মহিমা তাহল্লি। খ্বাইদগী জনার্দন ওইরিবা আত্মা (পরমাত্মা) মহাক্তি গৃহস্থাশ্রমীগী হুকচাংহুদা লৈরিবা আত্মাসিনি। অসিওম্না জনার্দন মহাকপু সন্ন্যাসীশিংনা থিরি ॥ (কালাচাঁদ)

সর্বযজ্ঞপ্রণীতস্য হয়মেধেন যৎফলম্। বর্ষে স দ্বাদশে দেবি ফলেনৈতেনযুজ্যতে॥)

উমোবাচ

উক্তস্ত্বয়াপৃথগ্ধর্মশ্চাতুর্বর্ণ্যাহিতঃ শুভঃ। সর্বব্যাপীতু যো ধর্মো ভগবংস্তৎব্রবীহিমে॥৬১॥

শ্রীমহেশ্বর উবাচ

ব্রহ্মণা লোকসারেণ সৃষ্টা ধাত্রাগুণার্থিনা। লোকাংস্তারয়িতুং কৃৎস্নান্ মর্ত্যেষু ক্ষিতিদেবতাঃ॥৬২॥

তেষামপি প্রবক্ষ্যামি ধর্মকর্মফলোদয়ম্। ব্রাহ্মণেষু হি যো ধর্মঃ পরমো মতঃ॥৬৩॥

ইমেলোকধর্মার্থংত্রয়ঃ সৃষ্টাঃ স্বয়ম্ভুবা। পৃথিব্যাং সর্জনে নিত্যং সৃষ্টাংস্তানপি মে শৃণু॥৬৪॥

বেদোক্তঃ পরমো ধর্মঃ স্মৃতিশাস্ত্রগতোঽপরঃ। শিষ্টাচীর্ণোঽপরঃ প্রোক্তস্ত্রয়োধর্মাঃ সনাতনাঃ॥৬৫॥

দেবী। যজ্ঞ জাৎ জাৎ পুম্বা পাওখোক্লবা অশ্বমেধ যজ্ঞ কয়া কয়াগী মহৈ (ফল) ফংহুনা লৈরবা, হায়রিবা মহৈ পুম্নমক অসিবু পুন্নপা, মথক্তা হায়খ্রিবা নিয়ম ভাবনা অসিবু চহী তরানিথোই চুম্বা ওাক্তনা লৈরিবা গৃহস্থাশ্রমী মথক্তনা ফংঙি॥) উমানা হায়:—ভগবন্। বর্ণ মরিগী তোঙাল তোঙাম্না কান্নবগী ধর্মগী তত্ব পুম্নমক তোঙাল তোঙাম্ন তাকপিরে। হৌজিক অমুক ঐনা তাজনীংলিবদি তোঙাল তোঙাম্ন লৈরিবা বর্ণশিংনা অমতা ওইনা খেন্নবা লৈতনা, চাং চপ মান্নবা কান্নবা অমদি মুওাই-নবগী তত্ব অহুনি॥৬১॥ মহেশ্বরনা হায়:—দেবী। পার্বতী। তোঙাল তোঙাম্বা গুণবু পুহনগে নীংবা জগৎ শেম্বা ব্রহ্মানা লোক পুম্নমকপু উদ্ধার তৌননবগীদমক্তা জগত্তা লৈরিবা সার (মচি) ওইরবা শন্নকশিংত লৌখত্তুনা ব্রাহ্মণশিংগী সৃষ্টি তৌখি। ব্রাহ্মণ হায়রবসি ভূমণ্ডল অসিগী দেবতানি। অহুনা, ব্রাহ্মণবু ভূদেব কৌনরি। অহুনা অহানবদা ব্রাহ্মণশিংগী ওইনা মখোয়না তৌগদবা ধর্ম কর্মগী রাহু হায়গে, তাও। করিনা হায়বদা, ব্রাহ্মণগী শন্নক্তা লৈরিবা ধর্ম অসিতনা অতৈ অতৈ বর্ণগী ধর্মদগী অহেংবনি হায়না বেদশাস্ত্র পুম্বনা য়ানপ্রবনি॥৬২-৬৩॥ স্বানা, মহাকনা শেম্বা জগৎ অসিগী তাক-শেন্নুনা থম্নবগীদমক্তা মওং অহুমগী ধর্মগী বিধান তৌখি (শেমখি)। পৃথিবীসিবু শেমখিবা মতমদা শেমখিবা ধর্ম অহুমহুগী রাহুসু হায়গে, তাও॥৬৪॥ অহানবা ধর্মনা বেদোক্ত (বেদনা হায়বা) ধর্মনা ওই। ধর্ম অসিনা খ্বাইদগী অহেংবনি। অনীশুবনা বেদগী তুংইন্না লৈরিবা, স্মৃতি শাস্ত্রদা হায়রিবা ধর্ম, হায়বদি, স্মার্ত ধর্ম অসিনি। অহুমশুবনা শিষ্টশিংনা (ওঝা গুরু নাইনা তমহুনা লৈরিবা মহা-পুরুষশিংনা) হায়রম্বা চৎলম্বা ধর্ম অহুনা ওই। হায়রিবা মথল অহুমগী ধর্ম অসি সনাতন ধর্ম ওাক্তনি *॥৬৫॥

---

* টীকা:—বৈষ্ণব ধর্ম, শৈব ধর্ম, শাক্ত ধর্ম বৌদ্ধ ধর্ম, ইসলাম ধর্ম, খৃষ্ট ধর্ম, নানক পন্থী অসিনচিংবা মসিং তোঙাল তোঙাম্নবগী ধর্মশিং অসি তাইবং মীনা থোনজিনবা খুৎশেম্নক্তনি।

ত্রৈবিদ্যোব্রাহ্মণো বিদ্বান্ নচাধ্যয়নজীবকঃ।
ত্রিকর্মাত্রিপরিক্রান্তো মৈত্রএব স্মৃতো দ্বিজঃ ॥৬৬॥

যত্তিমানি তু কর্মানি প্রোবাচ ভুবনেশ্বরঃ।
বৃত্ত্যর্থং ব্রাহ্মণানাং বৈ শৃণু ধর্মান্ সনাতনান্ ॥৬৭॥

বেদ অহুমগী তত্ত্ব খঙবা হৈবা বেদ তম্বা তম্বিবনা জীবিকা ওইদবা ওইহন্দবা, দান ধর্ম যজ্ঞ অহুম অসিগী অনুষ্ঠান তত্তনা তৌবা, কাম ক্রোধ অহুম অসিবু পূমথা থাদোকপ্রবা, জীব পানবা পুম্নমক্তা সমদৃষ্টি থমহনা, অচচ্চত্ত জীব পুম্নমকপু মুংশিবিবা, মরূপ মপিজা ওইনা উরবা মী মহাক অহ্ন থাজৈশংবা ব্রাহ্মণমক্তি হায়না লৌনপ্রবনি ॥৬৬॥ ভূ লোকনচিংবা লোক পুম্নমকী স্বামী (মপু) ব্রহ্মানা ব্রাহ্মণশিংগী জীবিকাগী কর্ম তরুক য়াত্তুনা থমখি। কর্ম অহুগী মিং হায়গে তাও। হায়ম্রিবা কর্ম অহুনি সনাতন ধর্ম (মথৌ) হায়রিবসি ॥৬৭॥

যীশু খৃষ্ট পোকত্রিঔদা, বুদ্ধদেব পোকত্রিঔদা, খৃষ্ট ধর্ম বৌদ্ধ ধর্ম হায়বসি লৈরমদে। তাইবং মীনা ওয়াংত থোনখিবা, "ধর্ম" হায়বহুদা পীথিবা উপাধি (মপান্দা তৈশিনবা) মিংথোল মক্তনি। সনাতন ওইবা অমত য়াওদে। অসিত নত্তনা। দ্বৈতবাদ, অদ্বৈতবাদ অসিনচিংবা বাদশিং অসি তাইবং মীগী খুৎশেম্নি। জাৎ শেমত্রিঔগী মমাঙদা অহুগুম্বা ধর্ত্রী (মুক্ষম ধর্ম) অহুগী মথক্তা শেমখিবা অহুবুনি। সনাতন ধর্ম হায়রিবসি। সত্যযুগতা লৈরম্বা ধর্ম, ত্রেতাদা লৈরম্বা (চৎনরম্বা ধর্ম) দ্বাপুরদা লৈরম্বা ধর্ম অহুগা কলিদা লৈরিবা ধর্মশিং অসিমু ওয়াং নহাত্তদগীনি হায়বা য়াই। কাল (মতম) হায়বহু-মক্তদা সত্য ত্রেতানচিংবা উপাধি অসি থোত্রিঔদগী লৈরকপা অহুবুনি। সনাতন (সনাতন) ধর্ম হায়রিবসি অহুগুম্বা ধর্ম অহুগী মথক্তা শেমখিবা জগৎ ব্রহ্মাণ্ডনি। ধম হায়বা শব্দসিমকী অর্থদি "থোথোৎপা পুবা" হায়বতনি। নামরূপ অমমম হেক পুরিবমথৈ পোৎ পুম্নমক অনিত্যমক্তনি। নামরূপ অমমম পুরিবা ধর্মশিং (ধর্মাভাসশিং ধর্মদি নত্তবা ধর্ম মানবা) অসিমু থাদোক্লুনা, পানরূপ অমা পুরবা "ধর্ম" তা মহায়বা ধর্মসিবু চৎলু হায়না গীতাদা হায়রিবহনি। "সর্ব ধর্মান পরিত্যজ্য মাম একং (ধর্ম) শরণং ব্রজ" হায়না শ্রীকৃষ্ণনা তাকপিখি অহুনদি, ধর্মশিং অসি সনাতন ওইহনবা তাই। অহু ওইরবদি কায়ত্রে। কমম হায়না, সনাতন ওইহনগদগে হায়বা বিচার অহুত মতায়রে।

(কালাচাঁদ)

যজনং যাজনং চৈব তথাদান পরিগ্রহৌ। অধ্যাপনং চাধ্যয়নং ষট্‌কর্মা ধর্মভাগ্‌ দ্বিজঃ ॥৬৮॥
নিত্যস্বাধ্যায়িতা ধর্মো ধর্মো যজ্ঞঃ সনাতনঃ। দানং প্রশস্যতে চাস্য যথাশক্তি যথাবিধি ॥৬৯॥
শমস্তু পরমো ধর্মঃ প্রবৃত্তঃ স্বস্য নিত্যশঃ। গৃহস্থানাং বিশুদ্ধানাং ধর্মস্য নিচয়ো মহান্‌ ॥৭০॥

মখোয়চুঙ্গি যজ্ঞ তৌবা তৌহনবা, দান তৌবা লৌবা, বেদ তম্বা তম্বিবা। হায়রিবা তরুক অসিদগী কংবা গুরুদক্ষিণানচিংবচুনা মথক্তা হায়রিবা অশেংবা ব্রাহ্মণশিংগী জীবিকানি। অসিগুম্বা কর্ম তরুক অসিবু তৌচুনা লৈরিবা ব্রাহ্মণ অদু সনাতন ধর্মগী শরুক কংলবা (সনাতন ধর্ম চৎলবা) অশেংবা ব্রাহ্মণনি * ॥৬৮॥ হায়রিবা কর্ম তরুকসিগী মরুং ১ অমুক "বেদ বেদাঙ্গ তম্বা নৈনহনব" না অথোইবা কর্মনি। হায়রিবলিদা "অঙম্বা শক্তি থরনা" হায়বা বাক্যাংশ অসি হায়বা হায়রুবা তোপশিল্লুবা রাদে। যজ্ঞ দাননচিংবা কর্মগীসি 'অঙম্বা শক্তি থর" না তৌব য়াই। মাদুগুম্বু, অকবা সনাতন ধর্মনি ॥৬৯॥ হেক লৈরিবা মওং মমিং তোঙাল তোঙাম্বা পুরিবা বিষয়শিং (বিষয়াঃ) অসিদগী হন্দোক্লুনা তুমিন্না লৈবচুবুনি "শম" হায়বসি। "হায়রবা "শম" হায়বসি সৎপুরুষ ওইবা মহাত্মাশিংদা প্রত্যক্ষ ওইনা উবা অদুম মকংঙি। হায়রিবা সনাতন ধর্ম অসি চৎলিবা মী মহাক অদুদি ব্রাহ্মণ খণ্ডদে ক্ষত্রিয় খণ্ডদে, বৈশ্য খণ্ডদে, ধর্ম পুম্নমকপু চৎলবা (সর্ব ধর্ম পরায়ণ) হায়বদু ওইরবনি ॥৭ ॥

---

* টীকা :-- হায়রিবা সনাতন ধর্ম অসি চল্লি তৌরিবা ব্রাহ্মণ অদুনা ঐ বৈষ্ণবনি (বৈষ্ণব ধর্ম চৎলি), ঐ শাক্তনি (শাক্ত ধর্মগী সম্প্রদায়দা লৈ) বৌদ্ধ ধর্ম চৎলি, জৈন ধর্ম চৎলি, হিন্দু ধর্ম চৎলি অসিনচিংবা হায়বদুনা, ব্রাহ্মণ মতোম্বা কল্পিমত ওইরোই। ধর্ম অদু মদা হায়বদুনা ব্রাহ্মণগী কুম্নোমজুদা লৈরবা আত্মাদুদা কল্পিমত শোক্কে, আত্মাদুদা অনা কল্পিমতা লৈনদে। হায়রিবসি ব্রাহ্মণতগী না ভাকদু নাত্তে। ক্ষত্রিয় বৈশ্যশিংগীসুদি। হায়রিবা সনাতন ধর্ম অসি হেক চল্লি তৌরিমখৈ বৈষ্ণব ধর্ম, বৌদ্ধ ধর্মগী নিয়ম ভাক্লি চৎলি হায়বনা কল্পিমত কায়রোই। শুদম ওইনা খজিকং হায়বা তাররদা কামক্রোধ লোভ থাদোকপা, সমদৃষ্টি থম্বা অসি সনাতন ধর্মগী বিধি নিয়মনি। হায়রিবা নিয়ম অসিবু থবক থোক্লা চল্লি পাঙথোকত্রিমখৈ, লোভী কামী, ক্রোধী ওইরিবা মী মহাক অদুদা মহাত্মা চৎলিবা তৌরিবা লৌকিক ধর্ম অদুনা কল্পিমতা ওইরোই। ধর্ম অদু চৎলি হায়বগী তোংজবা কল্পিমত লৈতে। সনাতন ধর্ম অসিবু চৎলে থনা বৈষ্ণব শাক্ত বৌদ্ধনচিংবা লৌকিক ধর্মশিং অমুক নিয়ম চুম্না চৎলবদি কল্লি অমুক হায়রম্নানি। অকনবী মথক্ত অকবনি। মংগী ধর্ম বুদি ঐগী ধর্মনা হোক্লি, নংগী দ্বৈতবাদবুদি ঐগী অদ্বৈতবাদনা হোক্লি.....অসুম হায়না মদা অশাদা ভেদ ভাব থোকহল্লিরসি সনাতন ধর্ম চল্লিরবনি। অদা অশাদা কাম ক্রোধ লোভ, লৈরি। ঋষি ধর্ম চৎলি, হায়না হংলিকলিমক অয়ানবা রাহল্লি। ঐ বৈষ্ণব চৎলি হায়রিবা পাউখুম অসিদু অয়ানবা পাউখুমনি। হংবা খুদা অনীমক থাওমিয়রনি। অমিজবা থাওবশিংনা লৌকিক ধর্মশিংসিগী তাবণ পীনরি ॥ (কালাচাঁদ)

পঞ্চযজ্ঞবিশুদ্ধাত্মা সত্যবাগনসূয়কঃ। দাতা ব্রাহ্মণ সৎকর্তা সুসংমৃষ্টনিবেশনঃ ॥৭১॥
অমানী চ সদাজিহ্মঃ স্নিগ্ধবাণী প্রদস্তথা। অতিথ্যভ্যাগতরতিঃ শেষান্নকৃত ভোজনঃ ॥৭২॥
পাদ্যমর্ঘ্যং যথান্যায়মাসনং শয়নং তথা। দীপং প্রতিশ্রয়ং চৈব যো দদাতি সধার্মিকঃ ॥ ৭৩॥
প্রাতরুত্থায় চাচম্য ভোজনেনোপমন্ত্র্য চ। সংকৃত্যানুব্রজেৎ যস্তু তস্য ধর্মঃ সনাতনঃ ॥৭৪॥
সর্বাতিথ্যং ত্রিবর্গস্য যথাশক্তি নিশানিশম্। শূদ্রধর্মঃ সমাখ্যাতস্ত্রিবর্গ পরিচারণম্ ॥৭৫॥
প্রবৃত্তিলক্ষণো ধর্মো গৃহস্থেষু বিধীয়তে। তমহং বর্তয়িষ্যামি সর্বভূতহিতং শুভম্ ॥৭৬॥
দাতব্যমসকৃচ্ছক্ত্যা যষ্টব্যমসকৃৎ তথা। পুষ্টি কর্ম বিধানং চ কর্তব্যং ভূতিমিচ্ছতা ॥৭৭॥
ধর্মেণার্থঃ সমাহার্যো ধর্মলব্ধং ত্রিধাধনম। কর্তব্যং ধর্মপরমং মানবেন প্রযত্নতঃ ॥৭৮॥

গৃহস্থাশ্রমদা চঙলবা (লৈরবা) মী পঞ্চমহাযজ্ঞগী অনুষ্ঠান তৌগদবনি। অচুম্বা ওাতবা, কনাগুম্বা অমগী দোষদা থোইনা য়েংশিন্নদবা, ব্রাহ্মণশিংবু তরাম তরায় তৌবা, য়ুম-কৈ শুম্বাং-মাঙোল শেংনা তরু তরুনা থম্বা, মুমিৎ চুপ্পা ঈচম চমনবা লৈবা, মুংশিবা অথুম্বা অতপ্পা ৱাঙাংতে শীজিন্নবা, য়ুমদা লাকপা অতিথিশিংদবু তরাম্না স্বাগত তৌবা, যজ্ঞদা দেবতাদা কৎলবা তুংদা উচ্ছিষ্ট (অরেম্ব) দু সেবন তৌবা (চারা), শাস্ত্রগী বিধান কায়দনা, অতিথিবু পীজ পীথকপা, কক্ষম, পোথাক্সম, আসন শয্যানচিংবা থাবা, নোংম নীনি পন্দুনা লৈবগীমু ভূমকম-চাকম কা অমা পীবা অসিনচিংবা নিয়মশিং ভাক্লিবা গৃহস্থী অমু, মহা ধর্ম চেন্নবা মীশক অমনি হায়না শাস্ত্রনা য়ানশ্রবনি। অচুম্বা মহাক থোইনা ধর্ম চেন্নবা মীশক অমনি ॥৭১-৭৩॥ অয়ুক অঙনবদা হৌগত্তুনা, চীন থা শেংলগা কনাগুম্বা ব্রাহ্মণ অমদা ভোজনগীদমক নিমন্ত্রণ তৌরগা, মতম চপ চানা পীজ-পীথক্লবা তুংদা, লাগুন্না চুইগ্নহুনা নীংথিনা বিদায় তৌহুনা চৎহনখিবসি গৃহস্থী অমগী চাউরবা ধর্ম অমনি। মাহুম তৌবহুনা সনাতন ধর্মবু পালন তৌবা হায়বদু ওই ॥৭৪॥ শূদ্র গৃহস্থমু মহাক্না ওমজবা থরনা মথক্তা লৈবা, ব্রাহ্মণ ক্ষত্রিয়, বৈশ্য অহুম অতিথি সৎকার তৌগদৌবনি। ব্রাহ্মণ ক্ষত্রিয় বৈশ্য অহুমসিগী সেবা তৌবতনা শূদ্রগী অথোইবা সনাতন ধর্মনি ॥৭৫॥ প্রবৃত্তি লক্ষণ ধর্ম, নিবৃত্তি লক্ষণ ধর্ম হায়বা অনীসিগী মনুংদা প্রবৃত্তি ধর্ম হায়বসি গৃহস্থাশ্রমগীদমক য়াত্তুনা থমগ্রবনি। হায়রিবা ধর্ম অসিদি অচচ্চত্ত জীব পুম্নমক কায়না অমদি মঙল ওইসনবগীদমক থমবা অমদি শীনবা ধর্মনি। ধর্ম অসিগী মরমদা ঐ হায়গে তাও ॥৭৬॥ কনাগী মঙল ওইরবু পামজবা মী (গৃহস্থাশ্রমী) না মুমিৎ খুদিংগী অঙবা থর দান তৌগোক্লবনি। যজ্ঞ তৌগদৌবনি। (মৈদা আহুতি পীগদবনি)। মাহুৎনা লোয়ন লোয়ননা হকচাং নোয়রেন্না লৈননবা, হকচাংদা অতৈ রোগ লাক্তনবা হোৎনগদবনি ॥৭৭॥ ধর্মগী মরম ওইবা কর্ম (ধর্ম কর্ম) পীনবা ধন (অর্থ) তামগদবনি। অদুগা ধর্ম কায়দনা ধন কমগীদমক তাদুবা ধন (লন) অদু শরক অহুম থোক্সনা থায়লোয়ুগা শরক অমবুনা ধর্ম প্রধান ওইবা থবক্তা শীজিন্নগদবনি ॥৭৮॥

একেনাংশেন ধর্মার্থৌ কর্ত্তব্যৌভূতিমিচ্ছতা। একেনাংশেন কামার্থং একমংশং বিবর্দ্ধয়েৎ ॥৭৯॥
নিবৃত্তিলক্ষণস্ত্বন্যো ধর্মো মোক্ষায় তিষ্ঠতি। তস্য বৃত্তিং প্রবক্ষ্যামি শৃণু মে দেবি তত্ত্বতঃ ॥৮০॥

সর্বভূতদয়া ধর্মো ন চৈকগ্রামবাসিতা।
আশাপাশবিমোক্ষশ্চ শস্যতে মোক্ষকাঙ্ক্ষিণাম্ ॥৮১॥
ন কুট্যাং নোদকে সঙ্গো ন বাসসি ন চাসনে।
ন ত্রিদণ্ডে নশয়নে নাগ্নৌ ন নশরণালয়ে ॥৮২॥
অধ্যাত্মগতিচিত্তো যস্তন্মাস্তৎপরায়ণঃ।
যুক্তো যোগং প্রতি সদা প্রতিসংখ্যানমেবচ ॥৮৩॥

মশাগী ওইজবা, মঙ্গল ওইনা উন্নতি (চাওখৎপা) পাম্বা মীনা হায়রিবা শরুক অহূ ধর্মগী মরম ওইবা থবক্তদা শীজিন্নগদৌবনি। অহুনা, হায়রিবা অহুমশুবা শরুক অহূ চাওখৎননবা হেনগৎলহনবগী হোৎনেগদবনি। মাসিনি, প্রবৃত্তি লক্ষণ ধর্ম হায়বহূ ॥৭৯॥ নিবৃত্তি লক্ষণ ধর্মদি মাসিদগী তোঙানি। ধর্ম সিমদি মোক্ষ সাংনাতদা শীজিন্নগদমনি। দেবী! মাসিগী মরমদহূ ঐ হায়গে তাও ॥৮০॥ মোক্ষ (মুক্তি) ফংনরিবা মীনা অচচ্চত্ত জীব পুন্নমকপু চাং চপ মান্নবা তুংশিজগদবনি। মাসিনি মখোয়গী ধর্ম। মখোয় অসি খুল (মকম) অমতদা লেঙদনা লৈকম থোক্তে। করিগুম্বা "অপাম্বা" অমদগী নাম্থোক্ননবা হোৎনবনি। মখোয়গী অখোইবা ধর্ম (মখৌ) নি ॥৮১॥ মোক্ষ পাম্বা সন্ন্যাসীনা থাংপোকশঙ অমতদা আসক্তি থমহুনা লৈরোইদৌবনি। ঈশিংদা ঈশিং ময়া অমতদা, ফীগী তম্বুর শঙ অমতদা, আসন অমতদা, ত্রিদণ্ডদা, কমুং য়াহীফম অমতদা, মৈ মৈফূ মন্না (মনাক) অমতদা, করিগুম্বা নিবাসস্থান অমতদা আসক্তি থমহুনা তুংশিন্দুনা লৈরদৌবনি। হায়রিবা পুন্নমকসিবুন্ন খুদক্ক খুদক্ত থাদোক্নমহুনা (সন্ন্যাস তৌরমহুনা) চংখিগদবনি ॥৮২॥ মোক্ষ পাম্বা মুমুক্ষুশিংনা, মুমিৎচুম্না আধ্যাত্মিক ওইবা ধ্যানতদা, লৈহুনা, আত্মাগী চিন্তনতদা পুক্নীং চঙহুনা লৈগদবনি। মুমিৎ চুম্না আত্মাগী যোগধ্যানতদা লুপ্তুনা লৈগদবনি ॥৮৩॥

টীকা :—পোকপা শিবগী লাংজগী লাম্থোকপা সন্ন্যাসীনা মকম অমতদা তুংশিন্দুনা লৈকম থোক্তে। সন্ন্যাসী মশেল্লি হায়হুনা মকম আশ্রম অমতদা ঐগীনি, মাগীনি হায়না লৈমিন্নরগদবা লৈরবদি, গৃহস্থাশ্রমদা ঐগীনি, মাগীনি, নংগীনি হায়না পরিবার মহুংদা লৈবহুপা করিমতা মত থেজদে। ঈকোয় কোয়শিন্না হেক লৈমিন্নরিমখৈ সন্ন্যাসী মশেল থগুদে, যোগী মশেল থগুদে, মুনি মশেল থগুদে, ঋষি মশেল মশেল থগুদে। পরিবারগী মহুংদা লৈবনি "পরি" (মায়কৈ অকোয়বদা) "বার" (য়োম্বিহুনা কোয়শিন্দুনা লৈবা)—"পরিবার" হায়বতনি। (কালাচাঁদ)

বৃক্ষমূলপরো নিত্যং শূন্যাগারনিবেশনঃ।
নদীপুলিন শায়ী চ নদীতীররতিশ্চ যঃ ॥৮৪॥
বিমুক্তঃ সর্বসঙ্গেষু স্নেহবন্ধেষু চ দ্বিজঃ।
আত্মন্যেবাত্মনো ভাবং সন্ন্যাসজ্জেতবেদ্বিজঃ ॥৮৫॥
স্থাণুভূতো নিরাহারো মোক্ষদৃষ্টেন কর্মনা।
পরিব্রজেতি যো যুক্তস্তস্য ধর্ম সনাতনঃ ॥৮৬॥

সন্ন্যাসী অমনা ভৌগদবা হায়রবু, করিগুম্বা অনিত্য ওইবা পোশক অমগী মরমদা কল্লিমত খল্লুবা ভৌদনা, মপানস্নী পোশক অমদা পামশিল্লুবা ভৌদনা, অচীকপদা উখাদা, অতোপ্পা (মম্যাল্লবা সন্ন্যাসী ওইরবসু) মী অমতগা ল্লারী-ল্লাভাই শারুদনা, ভুরেলগী মপানগুম্বা অচীকপদা, পরমাত্মাগী ধ্যানতদা লৈবা অসিতনি * ॥৮৪-৮৫॥ অস্থুম্না লৈবা (লৈবা গুম্বা) সন্ন্যাসীছু যোগযুক্ত সন্ন্যাসীনি। মোক্ষ (মুক্তি) কৌবা যজ্ঞগী সামগ্রী (মচাক পোৎলম) হায়রবু :—কনাগুম্বা মুমুক্ষু অমগী তত্ত্ব বিচারবু তাবা, মাহুবু করি লৈবগে খনবা, খল্লগা মাহুদা লনাইগী লেঙুরবা মীমাংস অম থম্বা, অস্থুম্না মতম পুম্বা লেনবা অসিতনি। হায়রিবশিংসি মোক্ষগী পোচ্চত্ত ভাক্তনি। অহুম ভৌরবদি মপানগী হুকচাং অসি, ঈচাত্ত হাত্তবা, ঈহো হোবা, উতোংগুম্বা অমা ওই। ওইনু ওইরিমরি। অহুভদা আত্মাসি সনাতন ধর্মগী মশক ওইবা মোক্ষগী মশক ওইবা ধর্মছু কংভি ॥৮৬॥

---

* টীকা :—সন্ন্যাসীগী আশ্রমদা লৈযু (লৈবা হায়রবসি, সন্ন্যাসী মপৈ মপৈ লৈবা মরক অহুল্লা ল্লাওশিন্দুনা, তত্ত্ব বিচার ভৌনরিবনি, আধ্যাত্মিক বিচার ভৌনরিবনি হায়ছুনা মায়াম কোরকম কমছুনা কম্মিল্লহুনা লৈযু হায়বা নত্তে। অতে লোয়নবদি লায়রহুনা য়ারবদি, মশা মথন্তগী, মপানগী অনিত্য ওইবা ভৌতিক শরীরসিগা লোয়নদনা "ঐ" (আত্মা) হায়রবসি কাওবা হাযনবা হোৎনৌ হায়বনি। অহু নত্রবদি সন্ন্যাসী ওইনবা হায়ছুনা ব্রহ্মাচার্য্যাশ্রমবু থাদোক্লবগী দরকার করিমত লৈতে। মরাম অহুম্না, কোরকম কমছুনা তাল্লবা ভম্বা অহুদি, অহানবা, (ব্রহ্মচারী) আশ্রমদা ভৌনরম্বহু মভাম্ন। হায়রিব পুম্নমক অসিগী ঈশম শম্বা রাদি, কনা অমতগা কমিল্লরুবা, রেংনরুবা ভৌদনা নথম্বা কনা অমত্ত ল্লাওদনা লৈযু হায়বনি। নত্রবদি গৃহস্থাশ্রমদা লৈরম্বহুগম্নু অন্ধা ওইগনি। হায়ম্নিবা আধ্যাত্মচিন্তন অহুবু ভৌবা ওম্লবদি, ভৌবদা কায়ল্রবদি, অরেৎপা লৈহন্দবা ওম্লবদি, ঈপা ঈচা মরক্তা গৃহস্থাশ্রমদা লৈনা লৈনা পরমাত্মাগী ধ্যান অহুম ভৌবা ল্লাই। মাহুনহুম শক্তিমান ওইবা মুমুক্ষু হায়বহু ওইগনি। "নিবৃত্তরাগস্য গৃহম তপোবনম" হায়বহুগুম্বনি। করিগুম্বা রাগ অমভা থমদনা গৃহ (য়ুম) দা লৈবা ওম্লবদি গৃহ অহুমক তপোবননি ॥ (কালাচাঁদ)

ন চৈকত্র সমাসক্তো ন চৈকগ্রামগোচরঃ ।
মুক্তো হ্যটতি নিমু ক্তো ন চৈকপুলিনেশয়ঃ ॥৮৭॥
এষ মোক্ষবিদাং ধর্মো বেদোক্তঃ সৎপথঃ সতাম্ ।
যো মার্গমনুযাতীমং পদং তস্ত চ বিদ্যতে ॥৮৮॥
চতুর্বিধা ভিক্ষবস্তে কুটীচক বহূদকৌ ।
হংসঃ পরমহংসশ্চ যো যঃ পশ্চাৎ স উত্তমঃ ॥৮৯॥

সন্ন্যাসীনা করিগুম্বা মকম (আশ্রম) অমদা তুংচনা লৈশিনদুনা লৈরোইদৌবনি। গ্রাম (খুল) অমত্তদা নোংমকানা লৈকম থোক্তে। উখা-মাখা তুমেল মপান ওইরবা আহিং অমদগী মায়েকলোই-দৌবনি। করিগুম্বা মকম অমদা আসক্তি থম্মোইদৌবনি। করিগুম্বা বিষয় অমতগা সম্পর্ক (মরী) থমদনা কোয়চত্তা চত্ত্‌না লৈগদৌবনি * ॥৮৭॥ হায়রিবসি, মোক্ষ ধর্মগী তত্ত্ব খঙবা সৎপুরুষশিংগী বেদদা হায়রিবচুগী মতুংইন্না লেপত্রবা ধর্ম অমদি সন্মার্গ হায়বচ্চনি। আসিগুম্বা মার্গ (লম্বী) দা চৎপ্রিবশিংনা ব্রহ্মপদবু ফংই। মথোয়গী আম্বচু ব্রহ্মদা তিনথি ॥৮৮॥ সন্ন্যাসী হায়বসি মথল মরিনি। মাদুদি :—কুটীচক, বহূদক, হংস, পরমহংস মরি অসিনি। মথোয় মরি অসিনি। মথোয় মরি আসিগী মতুংদা হায় হায়বগী অথং মথং লাকপনা কব হৌরি ॥৮৯॥

---

* টীকা :—হায়রিবা মাকমসিগী হায়নকয়বদি হৌজিক্কী সন্ন্যাসীনি হায়রিবশিংনা তীর্থ অমত্তদা তুংশিনদুনা সন্ন্যাসশ্রমনি হায়রিবসিদা সন্ন্যাসী অথোয় মশেল খাদোকনহনা লৈমিন্নহনা সন্ন্যাস ধর্মগী তত্ত্বগা মরী ঈরৈ লৈনদবা মা অমক মরক্তা যাওশিন্নহন্দুনা ভাগুনশায়রিবসি গৃহস্থাশ্রম লৈমিন্নহন্দনা তৌনরম্বা ভাগুনরম্বহ ঈকায় কায়রি। অচুনা, মাহৃ থোক্তনবা, অভোগ্না অমগা তিন্নহনা মাকৈ অমা লামশিন্নরক্তনবা একাকী (এক+অক+ইন) ওইনা লৈকম থোকপনি। হায়রিবা তত্ত্ব অসিগী মথক্তা লৈনরকয়বদি সন্ন্যাসী মপৈ মপৈ মা মা নোক্কুনা, লৈমিন্নরিবসি, মচা মশু মরূপ মপাংশিংগী মরক্তা লৈরম্বহুগা করি থেন্নরি ? কমিন্নু থেন্নদে। মসিগী তত্ত্ব অসি মহাজ্ঞানী ভীষ্মনা মশু যুধিষ্ঠিরদা তাকপিবনি। অসুম্না তৌশিন্নবা সন্ন্যাসী মশেল সংসারনি হায়রহনা লৈমিন্নরিবসি সংসার নত্তে। মপানগী ভৌতিক দেহ সি অসৎ নি। অসৎ কা অসৎ কা সার (ক্রক-ক্রক ঈহিম লৈমিন্নরিবা) অসি অসৎ সারনি। মশানা তাবনি। কনা অমত্তনা য়েংপা মায়োই। আত্মানা মথন্তা ওইনা লৈবত্তুগুম্বা সন্ন্যাসীনা মথন্তা লৈননবা মাথনা তৌগদবনি। মপা মচা মরক্তা লৈরবহু হায়রিবা তত্ত্ব অসিগী মথক্ত নির্ভয় তৌহনা লৈরবদি ঈশিং মমুংদা লৈনা লৈনা চোৎহন্দবগুবনি। মপানগী কিজেৎনা পুথেকপৎ হাইগা সন্ন্যাসীনি হায়হনা লোক সমাজদা উৎপদি পূযথোয় পোয়রবা থবক্তি ॥ (কালাচাঁদ)

অতঃ পরতরং নাস্তি নাবয়নে তিরোগতঃ। অহং্থমহৃথং সৌম্যমজরামরব্যয়ম্, ॥২০॥

উমোবাচ

সার্হস্থ্যো মোক্ষ ধর্মশ্চ সজ্জনা চরিতস্ত্বয়া। ভাষিতো জীবলোকস্য মার্গঃ শ্রেয়স্করোমহান্ ॥২১॥

ঋষি ধর্মং তু ধর্মজ্ঞ শ্রোতুমিচ্ছাম্যতঃ পরম্। স্পৃহা ভবতি মে নিত্যং তপোবননিবাসিষু ॥২২॥

আজ্যধূমোত্তরো গন্ধো রুণদ্ধীব তপোবনম্। তং দৃষ্ট্বা মে মনঃ প্রীতং মহেশ্বর সদা ভবেৎ ॥২৩॥

পরমহংস কৌবা ধর্মগী পাম্বৈন্না কংবা আত্মজ্ঞানদগী হেনবা অতোপ্পা জ্ঞান অমমুক লৈত্রে। পরমহংস ধর্মনা কংবা জ্ঞান অসিদি করিগুম্বা জ্ঞান অমদগী হস্বত্রে। পরমহংস জ্ঞানগী মাওদগী পরমাত্মা মাঙখিবা চেনখিবা ওমদে। হায়রিবা জ্ঞান অসি অম্না মুংঙাইবা অমদি পোকপ শিবা হায়বছ্রগী যাংবদা লৈত্রবনিনা পরমহংস সন্ন্যাসীনা অমাঙ অতা লৈত্রবা পদ (ব্রহ্মপদ) বু কংতি * ॥২০॥ উমানা হায়:— ভগবন্! সৎপুরুষশিংনা চৎনরিবা গার্হস্থ্য ধর্ম অমদি মোক্ষ ধর্ম অনীসিগী তত্বদি তাকপিরে। আশ্রম ধর্ম অনীসিমক জগৎকী কান্নবা অমদি মঙ্গলগী মশক্নি ॥২১॥ অমুক ঐনা তাজনীংলিবদি ঋষি ধর্মগী মরমদনি। ঋষিশিংনা চৎলিবা ধর্ম অমদি শারুৎসিবু য়েংবদা য়াম পেন্সৈ ॥২২॥ ঋষিশিংসিনা যজ্ঞদা, মৈদা আহুতি পীব মতমদা, মৈমুংদগী পাইথোক্লকপা মৈখী, মৈগী মুংশিরবা মনমনা তপোবন অহু পুমথল থন্নি। হৈপাল লৈপাল পূম্বা লোইনা মুংশি। য়েংবদা ওম্বোক্লা পেন্নি, মুংঙাইজৈ ॥২৩॥

---

* টীকা:—সন্ন্যাসীগী ধর্ম মরিনি। ধর্ম মরিসিগী মতুংইন্না সন্ন্যাসীহু মথল মরিনি। কুটীচক ধর্ম চৎপা সন্ন্যাসীনা খাইদগী হন্নবনি। ময়ুম মকৈগী ভারবু মচা মশুদা শিন্নরগা অরান্না পোৎশু অমদা শিন্নরগা মথক্তা আশ্রম (শঙ) অমদা লৈরিবা সন্ন্যাসীহু কুটীচক সন্ন্যাসী হায়বছুনি, স্বার্থ য়াওন্নি। বহুদক সন্ন্যাসী হায়বনা গঙ্গা যমুনাগুম্বা ঈশিং হোঙবা তীর্থগী মফাদা লৈখিবা সন্ন্যাসী অহুনি। মহাক ঈরু মায়থক্তবগী অরাম থৌরাং কোরুবগী সুবিধা অমদি অহুম মরেংলি। অহুবু, কুটীচকশীনি হেন্নি। হংস ধর্ম চৎপা সন্ন্যাসীনা কাংওনা ঈশিংগা শজোমগা য়ান্না হাপ্প পাত্রদগী শজোমগী ময়ক্তা মমক্রপা ঈশিংগী শক্রক মথৈ খাইদোক্লবহৃগুম্বা কান্নদবা মথৈ তোঙান্না খাইদোক্লগা কান্নবা শক্রক মথৈদি লৌবা অহুগুম্বা সন্ন্যাসীহু হংস সন্ন্যাসীনি। মাসিনা অমুক কুটীচক বহুদক অনীসিদগী হেন্নি। হংসধর্ম চৎপা- শিন্নুগীহু অমুক হেন্নবদি পরমহংস ধর্মনি। হংস ধর্মদা শজোমগী মরক্তা মরোয়বহু অরাম-থৌরাংনা, অহুগা অপাম পামদনা থনরা হায়বা অম্নদি অহুম মরৈন্নি। অহুনা মুন্না থম্নরবদি খাইদগী হেনবা পরম হংস ধর্ম চৎপা সন্ন্যাসীশিংদা অরাম থৌরাংবা, অপাম পামদ থনবা হায়বহু লৈখিত্রবন্না। হায়বসি হায়রা, হায়রি, হায়রা তাকপা য়াগনি। অহুনা, মহাক পরমহংস সন্ন্যাসীনি হায়না মপান্দা অঙমশিনা হেক্রু হায়বগা সন্ন্যাসীহু পরমহংস সন্ন্যাসী ওইগদবা নত্তে। (কালাচাঁদ)

এতস্মে সংশয়ং দেব মুনি ধর্ম কৃতং বিভো।
সর্ব ধর্মার্থ তত্ত্ব দেবদেব বদস্ব মে। নিখিলেন ময়া পৃষ্টং মহাদেব যথাতথম্ ॥৯৪॥

শ্রীভগবানুবাচ

হন্ত তেঽহং প্রবক্ষ্যাহি মুনিধর্মমনুত্তমম্। যংকৃত্বা মুনয়ো যান্তি সিদ্ধিং স্বতপসাশুভে ॥৯৫॥
ফেনপানামৃষীর্ণা যো ধর্মো ধর্মবিদাং সতাম্। তস্মে শৃণু মহাভাগে ধর্মজ্ঞে ধর্মমাহিতঃ ॥৯৬॥
উঞ্ছন্তি সততং যেতে ব্রাহ্ম্যং ফেনোৎকরং শুভম। অমৃতং ব্রহ্মণা পীতমধ্বরে প্রসিতং দিবি ॥৯৭॥

দেবদেব! অহুনা, মখোয়না চৎলিবা ধর্ম অমদি কংলিবা তত্থসিগী মরমদা ঐ খায় খঙজনীংঙি। অহুনা, ধর্মগী তত্ত্ব পুম্নমক খঙবিরবা দেবদেব। ঐনা খঙজনীংহুনা হংলিবসে অমুক্ত শেংনা তাকপিয় ॥৯৪॥ ভগবান্ মহাদেবনা হায়:—লাইবক কবী। ধর্মগী তত্ত্ব খঙনীংবী। ধর্ম খঙবী। নংনা হংলিবা ৱাহংসিমতুদা ঐ পেন্নে। মুনি ঋষিশিংনা তৌরিবা চৎলিব ধর্মসিগী মরমদা ঐ হায়গে, তাও ॥৯৫॥ মখোয়না চৎলিবা ধর্মসিগী (তপস্যাসিগী) পাম্বৈনা অখোইবা সিদ্ধিবু মখোয়না ফংঙি ॥৯৬॥ লাইবক কবী! ধর্ম খঙবী। ঈশান হানবদা ধর্মগী তত্ত্ব খঙলবা ফেনপা (ঈশিংদা তাউবা কোজোলত থকপা) ঋষিশিংগী মরমদা হায়া হায়গে * ॥৯৭॥

---

* টীকা:—"ফেন" ফেণ হায়বা শব্দগী হৌরককম ধাতুগী মতুংইন্না, মরু ওইবা অর্থ খরদং হায়রি। শব্দসিগী অর্থসি মরু ওইনা, ফুদোরকপা, চোংখোরকপা, পোংখোরকপা, পোখাররকপা, কামখোরকপা, মখোয়সিনি। ইংরেজী লোন্দসু ফোম (কোজোল) অহুম মহায়। চেঙনা খর খর মুরকপদা কাম-খোক ফুদোরকপা চবোল (চাবন) হুবুসু ঐখোয়না "কোজোল কারে" হায়না অহুম মহায়। ঈশিংলা ঈশিংদগী কামখোক ফুদোরকপা পোংখোরকপা শরুক অহুবু "কোজোল" হায়না অহুম হায়। অহুগা, "ফেনপা" (ফেন থকপা) হায়বসিগীসু (১) চবোল থকপা, (২) কোজোল থকপা, (২) মমাগী খোম থকপদা শম্নাউগী খরাগুগী চোংখোরকপা কোজোলহুবু থকপা, (৪) মৈদগী কাপখোরকপা মৈরিক মৈখুহুবু থকপা···· ··অসিনচিংবা অর্থ লৌশিনবা য়াই। অহুগা, মৈবু থকপদি অগ্নিপা, মৈখুবু থকপদি ধুমপা, সোমবু থকপা সোমপা, অসিনচিংবা শব্দ কয়া কয়া লৈব্রি। অসিগুম্বা পোশকপু থকপা, চাবতনা জীবিকা ওইবা ঋষিশিংহুবু "ফেনপা" হায়না খঙনগনি। অসিগুম্না, আকাশপা, বায়ুপা, অগ্নিপা, জলপা, পৃথ্বীপা (মৃত্তিকাপা) ওইবা মীশক অমদি জীব কয়া কয়া লৈব্রি। লৈহাও থকপনা জীবিকা ওইবা খোইমুবু মধুপা (মধুপ) হায়নরিবসিনি। জীব পুম্বা বায়ুপা মকুনি। লুংশিং চাগি (ভুংশাশোর)। ভুংশাশোর কামখোকপা থকচিনবনা জীবিকা ওইরি। লিলাদি লুংশিংদু মচায়। "সর্পাঃ পিবন্তি পবনম" অহুগা খোইমুনা লৈহাও মচায়। অহুবু মখোবু ঋষি কৌবদি য়াদে। তাইবং

এবং তেষাং বিতত্ত্বানাং কেনপানাং তপোধনে। ধর্মচর্য্যাকৃতো মার্গো বালখিল্য গনৈঃ শৃণু ॥৯৮।
বালখিল্যাস্তপঃ সিদ্ধা মুনয়ঃ সূর্য্য মণ্ডলে। উঞ্ছে তিষ্ঠন্তি ধর্মজ্ঞাঃ শাকুনীংবৃত্তি মাস্থিতাঃ ॥৯৯॥

মৃগনির্মোকবসনাশ্চীরবল্কল বাসসঃ।
নির্দ্বন্দ্বাঃ সৎপথং প্রাপ্তাঃ বালখিল্যাস্তপোধনাঃ ॥১০০॥
অঙ্গুষ্ঠপর্বমাত্রা যে স্বৃষা স্বে স্বে ব্যবস্থিতাঃ।
তপশ্চরণ মীহন্তে তেষাং ধর্মফলং মহৎ ॥১০১॥
তে সুরৈঃ সমতাং যান্তি সুরকার্য্যার্থ সিদ্ধয়ে।
দ্যোতয়ন্তি দিষ্টাঃ সর্বাস্তপসা দগ্ধকিল্বিষাঃ ॥১০২॥
যে ত্বন্যে শুদ্ধমনসো দয়াধর্মপরায়ণাঃ।
সন্তশ্চক্রচরাঃ পুণ্যাঃ সোমলোক চরাশ্চরে ॥১০৩॥

তপস্যা কনবী! পার্বতী! অসিগুম্বা ধর্ম অমদি আচরণতনা অহুগা তত্ত্ব অসিবু খঙবা "মহাত্মাশিংগী ধর্ম মার্গনি। অসিগুম্না বালখিল্য কৌবা ঋষিশিংগী ধর্ম মার্গবু অমুক হায়গে, তাও ॥৯৮॥ বালখিল্য হায়রিবা ঋষিশিং অসি তপস্যাতনা সিদ্ধ ওইরবমক্তনি। ধর্ম পূম্নমকী তত্ত্ববু খঙলবা ওাক্তনি। সূর্য্য মণ্ডলদা লৈ। উচেকশিংনা চেঙ হরাই মন্না অমমমত খুজত্তুনা চাবহুগুম্না সূর্য্য রশ্মি (নুমিৎকী মঙাল মশেক) মরীক অমত চাহুনা মাহুনা মশা মশাগী জীবিকা ওইহুনা লৈ।৯৯॥ শজী মউল, উকু-ৱাকু, ফি অমোৎপা শেগায়বা অসিগুম্বতনা মথোয়গী ফিজেৎ ওই। বাল্যখিল সন্ন্যাসীশিং অসে, মশা মশাদা অঙ্গৈংবা অশাবা কবিমত ফাওদে। অচুম্বা লম্বীতদা চৎপা অহুগা তপস্যাতনা মথোয়গী মরল (ধন) ওইবা সন্ন্যাসীমক্তনি।১০০॥ বালখিল্য হায়রিবা মথোয় খুদিংমকসি খুবী খুবীমুক্ত য়াংঙি। অহুবু, অহুক্তি পীরুগা মাগী মাগী মথৌ তপস্যাদা পূক্নীং চঙনা অমগা অমগা য়েংনদনা লৈ। মথোয়না চৎলিবা তৌরিবা ধর্ম অসিগী মহেৎদি হায়নীংঙাই লৈতনা চাউরবনি।১০১। মথোয় অসি দেবতাশিংগী থবকপু পাঙথোক্নবগীদমক্তা, দেবতাশিংহুগী চপ মান্নবা মওং পুই। তপস্যাতনা পাপ পুম্ব চাকথেক্তুনা, মথোয়গী তপস্যাগী তেজনা মায়গৈ পূম্বা পূঙাল ঙালহল্লি ॥১০২॥ মথোয়সি নত্তবা, পুকচেল শেংলবা দয়া ধর্মদা পুক্নীং চঙলবা, পুণ্যাত্মা ওইরবা, মকম অমদা চনীং তানা লৈতনা, চক্রগী মতৌগুম্না কোয়রৈ লৈহুনা, কোয়চৎ চত্তুনা লৈবা, সোমলোকতা লৈবা, অহুগা খরনা পিতৃলোককী মনাক্তা লৈবা, অহুগুম্বা খরসু লৈরি। হায়রিবশিং অসি শাস্ত্রগী বিধি কায়দনা উঞ্ছবৃত্তিনা জীবিকা ওইহুনা লৈবা ওাক্তনি ॥১০৩॥

মী ওইরহুনা, খোথোৎপা চাবদি য়ায়পা, পূম্নমক থাদোক্তুনা কোজোল তাহুনা ভগবান্গী অমদি জগৎকী তত্ত্ব মৈনবিবা মী অহুবতা কেনপা ঋষি কৌই। (কালাচাঁদ)

সম্প্রক্ষালাশ্মকুট্টাশ্চ দন্তোলূখলিকাস্তথা। পিতৃলোকসমীপস্থাস্ত উঞ্ছন্তি যথাবিধি ॥১০৪॥
সোমপানাং চ দেবানা মূর্জপানাং তথৈবচ। উঞ্ছন্তি যে সমীপস্থাঃ স্বভারা নিয়তেন্দ্রিয়াঃ ॥১০৫॥
তেষামগ্নিপরিষ্পন্দঃ পিতৃণাং চার্চনং তথা। যজ্ঞানাং চৈব পঞ্চানাং যজনং ধর্ম উচ্যতে ॥১০৬॥
এষ চক্রচরৈর্দেবি দেবলোক চরৈর্দ্বিজৈঃ। ঋষিধর্ম সদা চীর্ণো যোঽন্যস্তমপি শৃণু ॥১০৭॥

সর্বেষ্বেবর্ষিধর্মেষু জ্ঞেয়োঽঽত্মা সংযতেন্দ্রিয়ৈঃ।
কামক্রোধৌ ততঃ পশ্চাজ্জেতব্যাবিতি মেমতিঃ ॥১০৮॥
অগ্নিহোত্রপরিষ্পন্দো ধর্মরাত্রি সমাসনম্।
সোমযজ্ঞাভ্যনুজ্ঞানং প[illegible]ৈং দক্ষিণা ॥১০৯॥
নিত্যং যজ্ঞক্রিয়া ধর্ম[illegible]দেবাচর্নে রতিঃ।
সর্বাতিথ্যং চ কর্তব্যমন্নেনোঞ্ছার্জিতেন বৈ ॥১১০॥

সম্প্রক্ষাল (থোং থারুর পাত্রশিং অদু মথুংমক্তা কেন্তদোক চামথোক্তুনা থম্নগা চরা নামতা চাবা), মথোয় থরনা অশ্মকুট্ট (উঁহৈ রাহৈবু চেঙ হন্নাইবু নুংদা শুগাইয়গা চাবা), মথোয় থরনা দন্তোলূখলিকা (ময়াবু শূম্বলগুম্না শীজিন্নদুনা ক্রক ক্রক শান্নবা) অসিগুম্বা ঋষি থরম্ম লৈ। থরনা চন্দ্রমা (থা) গী মণ্ডাল চাবা, থরনা সুমিংকী মশেক মণ্ডালবুত থকপা-চাবা, অদুগা থরনা দেবতাশিংগী মনাক্তা (আশ্রমদা) লোয়নবীশিংগা লোয়নবা, ইন্দ্রিয় খুদুম চন্দুনা, উঞ্ছবৃত্তিনা জীবিকা ওইদুনা পুনশি লেনবা য়াওরি ।১০৪-১০৫॥ অসিগুম্বা মথোয়শিগী অথোইবা ধর্ম দি, অগ্নিহোত্র, পিতৃলোককী পূজা (শ্রাদ্ধ) পঞ্চমহাযজ্ঞবু অনুষ্ঠান (লিংখৎপা) অসিনচিংবনা ওই ॥১০৬। দেবী! হৌজিক হায়খ্রিবা, চক্রগী মতৌগুম্না কোয়চৎ চত্তুনা শৈবা, দেবলোকতা লৈবশিং অদুনা চৎখ্রিবা ঋষি ধর্মগী লম্বী অসিগী মতুংইন্না চৎপা, অমদি চৎনীংবা ব্রাহ্মণশিংনা, লম্বী অসোমদা চৎলি চৎনরি। অসিগুম্বা মথোয়সি নত্তবা ঋষিশিংনা তৌনবা চৎনবা ধর্মগী মওং থরম্ম লৈরি। মাদু হায়গে তাও ॥১০৭॥ হায়রিবা ঋষি ধর্ম পুম্নমক অসিদা ইন্দ্রিয় খুদুম চন্দুনা আধ্যাত্মিক জ্ঞানবু তানবা অমদি কংবা হায়বলিমদি ঈথা থাদোকপা য়াদনা লৈরবা মচাক্নি। অদুগা অমুক আধ্যাত্মিক জ্ঞান কংলে হায়দুনা কাম ক্রোধবু থাদোকপা ভমজবগি কম্নিস্ন কাম্নবা লৈত্রে। মাসি ঐগী মতনি ॥১০৮॥ হায়রিবা, আধ্যাত্মিক জ্ঞান অসিগা লোয়ননা অগ্নিহোত্র, ধর্মালয়তদা লৈবা, সোমযাগপু তত্তনা পাওথোক্তুনা লৈবা, যজ্ঞাবিধিগী জ্ঞান, যজ্ঞদান হায়রিবা পঞ্চকর্ম (কর্ম মণ্ডা) অসি ঋষিশিংনা শোয়দনা তৌগদৌবনি ॥১০৯॥ দেবপূজা, শ্রাদ্ধনচিংবা (ভক্তি শ্রদ্ধাগা লোয়ননা তৌবা) কর্মদা প্রীতি থমগদবনি। পামশিনগদবনি। উঞ্ছবৃত্তিনা কনকপা, চেঙ হন্নাইনচিংবা মনা মথীং অদুনা অতিথিগী যাগত লেবা তৌবা হায়বসি, ঋষিশিংগী পরম ([illegible]) ধর্মনি ॥১১০॥

নিবৃত্তিরূপ ভোগেষু গোরসানাং শমে রতিঃ। স্থণ্ডিলে শয়নে যোগঃ শাকপর্ণনিষেবণম্ ॥১১১॥
ফলমূলাশনং বায়ুরাপঃ শৈবাল ভক্ষণম্। ঋষীণাং নিয়মা হ্যেতে যৈজয়ন্ত্যজিতাং গতিম্ ॥১১২॥
বিধূমে সন্নমুষলে ব্যঙ্গারে ভুক্তবজ্জনে। অতীত পাত্রসংচারে কালেবিগতভিক্ষুকে ॥১১৩॥
অতিথিংকাঙ্ক্ষমাণোবৈ শেষান্নকৃতভোজনঃ। সত্যধর্মরতঃ শান্তো মুনিধর্মেণ যুজ্যতে ॥১১৪॥
ন স্তব্ধো ন চ মানী স্যান্নাপ্রসন্নো নবিস্মিতঃ। মিত্রামিত্রসমো মৈত্রো যঃ স ধর্মবিদুত্তমঃ ॥১১৫॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যামনুশাসনপর্বনি দানধর্মপর্বনি
মহাদেবদেবী সংবাদে একচত্বারিংশদধিকশততমোঽধ্যায়ঃ ॥ × ॥ × ॥

—:(*):—

সংসারগী বিষয়ভোগতগী হন্দোক্তনা লৈবা, পঞ্চগব্য, গোরস (শঙ্গোম) তবু শীজিন্নবা, শান্তিগী সাধনতা তৌহুনা, মাহুতদা অপান্দা হৈনিংবসু থম্বা, লম্বাংদা অমদি থোংনাং পাম্বীনচিংবগী মখোঙ অকোয়বদা থোনগৎপা লৈবৃংথক্তদা য়াতাবা, যোগাভ্যাস তৌবা, মনা মশীংত চাবা, উহৈ স্বাহৈত সেবন তৌবা, বায়ু, জল, অমদি ঈশিংনুংদা হৌবা চরাংনচিংবা মনা-মশীং অসিতবু চাবা, হায়রিবা পুম্বসি ঋষিশিংগী ধর্ম নিয়মনি। হায়রিবা নিয়মশিংসিবু পালন তৌরিবা তারু চৎলিবশিং অহুনা খ্বাইদগী হেনবা, অথোইবা গতি (থাক্ত)বু ফংঙি ॥১১১-১১২॥ গৃহস্থশিংগী চাকথোং শঙ্গগী মৈসু কায়কপহুনা লোইপ্রবা, থকপ্রবা, পুন্দা কৌত্তবগী মখোল তাপ্রবা, উমুক চীকপ্রবা, চাকথোংশঙ্গগী চাকশুমগী মৈ মুৎপ্রবা মুমদা লৈরিবশিংহুগী চাবা থকপা লোয়নপ্রবা, পুখম-তেংগোৎনচিংবা চামথোক চামশিনগী কোয়চৎ চৎনবা মখোল তাখিপ্রবা চাকনীবশিংনা ভিক্ষা ফংহুনা চৎনপ্রবা, অসিগুম্বা মতমসি য়ৌরকাওবদা, কনাগুম্বা অতিথি অমা লাক্লিব্রা হায়হুনা অতিথিনা লাকপা ঙাইহুনা লৈগদবনি। অহুগী তুংদা লনাইগী তোত্তায় থমলিবা অহু চাগদবনি। অসুমা তৌরবদি সত্য ধর্মদা অনুরাগ থম্বা ঋষি অহু মুনি ধর্ম চৎপগী মহৈ ফংঙি। অহুগুম্বা মুনি অহুদা থোয়বা নাপয়চিংবগী মমি ফাওবা তাদে। পোন্দবা, কিংগৎপা হায়বহুগী মরীক অম ফাওবা চঙদে। মথোয়না অসিদা মরূপনি অসিনা য়েক্রবনিগী থেন্নবহু লৈতে। সমদৃষ্টিনি। ধর্ম খঙবশিংগী মনুংদা অসিগুম্বা ঋষিশিং অসি খ্বাইদগী অহেনবা ঋষিনি ॥১১৩-১১৫॥

অমম অসিনা শ্রীমহাভারতদা শ্লোক লিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা অনুশাসন পর্বদা,
দানধর্মগী ভাগদা শিব পার্বতী সংবাদগী চামনিফুমাথোইগুবা অধ্যায় লোইরে ॥ × ॥ × ॥

—:(*):—

মণিপুরী মহাভারত

দ্বিচত্বারিংশদধিকশততমোঽধ্যায়:

(বানপ্রস্থাশ্রমগী মরমদা মহাদেবগা পার্বতীগা অনীগী সংবাদ, অহুগা আশ্রম অসিগী মহিমা তাকপা)

চামনীফুানথোইশুবা অধ্যায়

—:(•):—

উমোবাচ

দেশেষু রমনীয়েষু নদীনাং নির্ঝরেষু চ। স্রবন্তীনাং নিকুঞ্জেষু বনেষু চ ॥১॥
দেশেষু চ পবিত্রেষু ফলবৎসু সমাহিতাঃ। মূলবৎসু চ মধ্যেষু বসন্তি নিযতব্রতাঃ ॥২॥
তেষামপি বিধিং পুণ্যং শ্রোতুমিচ্ছামি শঙ্কর। বানপ্রস্থেষু দেবেশ স্বশরীরোপজীবিষু ॥৩॥

শ্রীমহেশ্বর উবাচ

বানপ্রস্থেষু যো ধর্মস্তং মে শৃণু সমাহিতা। শ্রুত্বা চৈকমনা দেবি ধর্মবুদ্ধিপরা ভব ॥৪॥
সংসিদ্ধৈ নিয়মৈঃ সদ্ভির্বনবাসমুপাগতৈঃ। বানপ্রস্থৈরিদং কর্ম কর্ত্তব্যং শৃণু যাদৃশম্ ॥৫॥

উমা (পার্বতী) না হায় :—ভগবন্! নিয়ম কায়দনা ব্রত পালন তৌবা, পুক্নীং লৈতানা বান-প্রস্থাশ্রমদা মহাত্মাশিংনা, নীংথিজরবা শেংলবা তুরেলগী মপান্দা, চীংথক্তগী চাইথ-চেহ্নরকপী ঝরনী (ঈশিং চাইবী) গী মরাদা, তুরেল মরাদা লৈবা চীক্রবা কুঞ্জ নিকুঞ্জদা চীংথক্তা, বনদা উহৈ গ্নাহৈনা থম্রবা, শেংলবা মফমদা লৈনরি ॥১-২॥ জগৎকী মঙ্গল পীনহৈবা! মহেশ্বর! বানপ্রস্থী ওইবা মহাত্মাশিংনা মশা মশাগী হকচাংবু কংশিলহন্দুনা অৱাবা পীহুনা, মপুনশি লেম্রি। মথোরনা তৌরিবা চংলিবা নিয়ম বিধি অমদি উদ্দেশ্য অসি করিনো? কাসিগী মরমদা, ঐ য়াম্ন মুন্না তাজনীঙি ॥৩॥ মহাদেবনা হায় :—দেবী! গার্হস্থ্যগী মতুংদা লাকপা, বানপ্রস্থ আশ্রমগী তত্ত্ব, অসিগী মতাং লীবদা গার্হস্থ্য-বানপ্রস্থ অনীগী পুন্নপ ওইনা তারো। মাহু তারগা নহাক্না নহাকী বুদ্ধিবুহ্ন ধর্মগী মায়্যেংদা পুশিন্নু চংহন্নু॥৪॥ বানপ্রস্থ আশ্রমদা লৈবা অহুগা লৈগে থম্রবা মীনা তৌগদবা চৎকদবা নিয়মশিং অহ্ন হায়গে তাও। মথোরনা তৌরিবা অমদি তৌগদবা কর্মশুন্ন তাও ॥৫॥

ভূত্বা পূর্বং গৃহস্থস্তু পুত্রানুণ্যমবাপ্য চ। কলত্রকার্য্যে সংস্থাপ্য কারণাৎ সংত্যজেৎগৃহম্ ॥
অবস্থাপ্য মনো বৃত্ত্যা ব্যবসায়পুরন্দরঃ। নির্দ্দোষা সদারোবা বনবাসায় সব্রজেৎ ॥
দেশাঃ পরমপুণ্যা বৈ নদীবনসমাবৃতা.। অবোধমুক্তাঃ প্রায়েন তীর্থায়তনসংযুতাঃ ॥
তত্র গত্বা বিধিং জ্ঞাত্বা দীক্ষাং কুর্য্যাৎ যথাক্রমম্। দীক্ষিতেকমনা ভূত্বা পরিচর্য্যাং সমাচরেৎ ॥
কল্যোত্থানং চ শৌচং চ সর্বদেবপ্রণাম নম.। সকৃদালেপনং কায়ে অকুদোষপ্রমাদতা ॥

সায়ম্প্রাতশ্চাভিষেকং চাগ্নিহোত্রং যথাবিধি।
কালে শৌচং চ কার্য্যং চ জটাবল্কলধারনম.॥
সততং বনচর্য্যা চ সমিৎকুসুমকারণাৎ।
নীবারাগ্রায়নং কালে শাকমূলোপচায়নম ॥
সদায়াতন শৌচং চ তস্য ধর্মায় চেষ্যতে।
অতিথীনামাভিমুখ্যং তাপরবং চ সর্বদা ॥

অহানবদা গৃহস্থাশ্রমদা লৈদুনা মচা মপু পোকহল্লমহুনা, ম্যাচনা পিতৃ মাতৃ ঋণ (মমা মপাগী মকমকা তোনবা লমন) বু শিংদোক্লম্মা, লোয়নবী অমগা লৈমিররম্বগী থবক পুম্বা পাওখোক্লমগা, অদুগী ভুংদা মুমবু থাদোক্লুনা বনদা চৎখিগদবনি ॥ পুক্নীংবু রায় তপথনা থমহুনা, বনদা লৈগ্রগে হায়বগী রাথম্বু লেওহন্দনা চেংনা থমহুনা, খোঙবু অতোপ্পা অমা রাওদনা নক্লগা, লোয়নবীহুমতংগা লোয়ননা বনরাসগীদমক্তা মুম থাদোকলমগদবানি ॥ তুরেল অমদি বনগী উহৈ রাহৈনা থল্লবা, শেংলবা, য়েংবদা পুণ্য চেন্নবা, তীর্থ অমদি দেব মন্দিরনা থম্ন লৈরবা অতুগুম্বা মকমদা নত্তবা, অমাংবা রাথল পুম্বা থাদোক্লুনা, জ্ঞানীঋষি মুনিশিংদগী বানপ্রস্থগী দীক্ষামন্ত্র লৌহুনা, অচীকপা তোপতোপ্পা মকম অমদা লৈগদবনি ॥ অয়ুক অঙনবদা হৌগত্তুনা, অমাং অশোয়, চীনয়া শেংবগী থবক পুম্নমক লৌইরগা দেবতাশিংদা কোক নোম্না খুরমহুনা, পুক্নীংগী চিংনবা হংগোইবা পুম্নমক থাদোক্লুনা হকচাংবু শম্বীনচিংবনা শেংদোক চাদখোক্লগা তীর্থগী ঈশিংদা লুপ্লুনা স্নান তৌগদবনি ॥ সায়ংস্নান, প্রাতঃ স্নান (অমুকী অমদি মুমিদাং-রাইরনগী স্নান) বু নিয়ম নাইনা তৌবা, অদুগী অগ্নিহোত্র (অগ্নিদা হোম) তৌবা, মতমচানা নিয়ম নাইনা হীন-রা হকচাং শেংদোক চাদখোকপা, কোক্তা জটা পুবা (ককপা, থাঙ হুং তৈবা তৌদবনা মথন্ত শাংদোকচরকপা শম্বু কোক্তা পল্লপা পুনখত্তুনা থম্বা) খাঙদা কজোল অমা শেত্তনা উকু রাকু শেংপা, মতমগী শীং অমদি উহৈ-রাহৈ থিরনবগীদমক বনদা কোয়চৎ চত্তুনা লৈবা, নীবার (যজ্ঞ তৌনবা অনৌ অনৌবা মহৈ মরোং) খিব হেকপা, মথন্ত হৌজরকপা, চায়া য়াবা মনা মশীং কোয়খি থিবা, লৈত্রিবা মুন (খাংদোকখা) অদু নীংথিনা শেংদোক খোক্লোক্লুনা তন্ন তক্তনা থম্বা অসিনচিংবা থবকশিং অসি বানপ্রস্থ ওইবা মুনিশিংগী মখোনি। অদুম্না তৌরক্তদা মুখোয়গী মখো (কর্ম) অদু সিদ্ধ ওই ॥

পাদ্যাসনাভ্যাং সম্পূজ্য তথাহারনিমন্ত্রণম্। অন্নাগ্রপচনং কালে পিতৃদেবার্চনং তথা।
পশ্চাদতিথিসংকারস্তস্য ধর্মাঃ সনাতনাঃ। শিষ্টৈর্ধর্মাসনে চৈব ধর্মার্থসহিতাঃ কথাঃ॥
প্রতিশ্রয়বিভাগশ্চ ভূমিশয্যা শিলাম্বরা। ব্রতোপবাসযোগশ্চ ক্ষমাচেন্দ্রিয়নিগ্রহঃ॥
দিবারাত্রং যথা যোগং শৌচ ধর্মস্য চিন্তনম্।)
ত্রিকালাভিষেকং চ পিতৃদেবার্চনং তথা। অগ্নিহোত্রপরিস্পন্দ দৃষ্টিহোম বিধিস্তথা॥৬॥
নীবারগ্রহণং চৈব ফলমূলনিষেবনম্। ইঙ্গুদৈরণ্ডতৈলানাং স্নেহার্থেচনিষেবনম্॥৭॥
যোগচর্য্যাকৃতৈঃ সিদ্ধৈঃ কামক্রোধবিবর্জিতৈঃ। বীর শয্যামুপাসদ্ভি বীরস্থানোপসেবিভিঃ॥৮॥
যুক্তৈর্যোগবহৈঃ সদ্ভির্গ্রীষ্মেপঞ্চপেস্তথা।
মণ্ডুকযোগনিযতৈ র্যথাস্তায়ং নিষেবিভিঃ॥৯॥

অহানবদা, অতিথিগী নাক্ত চৎলগা সেবা তৌবা, খোঙ খুৎ হাম্বা শেংদোকপনচিংবা সেবা তৌবা, অহুগী ফুংদা নিমন্ত্রণ তৌহুনা অতিথিহুবু চীজ চীথকপা অসি শোয়দনা তৌকম থোকই। খুদা, খুরক লৈরক্তা, মকম মরাং খণ্ডনা পণ্ডহৌ হোবা অহুগুবা মনা মচীং অহু নত্তবদা থোং থাক্তনা চীজগদবনি। অহুগা থোং থাক্লিবশিং অহুনা পিতৃলোক অমদি দেবতাশিংগী তর্পণ তৌরগা অতিথিহু চীজগদবনি। অসিগুম্বা নিয়মবু ঙাকপসিনা বানপ্রস্থাশ্রমগী সনাতন ধর্মগী সিদ্ধিবু ফংব তম্মি। অসিগুম্বা ধর্মগী আসনদা ফমহুনা শিষ্ট মহাত্মাশিংগী মচান্দগী ধর্মগা মরম লৈনবা, ধর্মগী চাওখৎকম ওইবা কথা (ৱারী শীংবুল) তা তাহুনা লৈগদবনি। তারিঙৈ মতমদা ইন্দ্রিয়শিংবু খুহুম মথাদা থমগনি। অহিং নুংথিলদা তম্বা মখে, অশেং অমাংগী বিচায়সি তৌগদবনি॥ নোংমগী মহুক্তো স্নান অহুমক তৌগদবনি। প্রাতঃ স্নান, মধ্যাহ্ন স্নান, সায়ং স্নান হায়বসি হুমিং খুদিংগী তৌগদবনি। অহুগা লোয়ন লোয়ননা পিতৃ মাতৃ পূজা (তর্পণ) অহুনা অগ্নিহোত্রবু নিয়ন বিধি কায়দনা তৌগদবনি॥৬॥ বানপ্রস্থাশ্রমদা মীনা, মশা মথন্ত হৌজরকপা, মী অমগী হুমাং মমল য়াওদবা, কৌ চেঙ (ৱাইহুচরাগুম্বা) অহুগা মপু পান্দবা, বনগী উহৈ ৱাহৈ মনা চীংনা জীবিকা ওইহুনা মতম লেনগদবনি। হুকচাং-খোঙ খুৎকী কজনবা, মরম হুংশিহুনবা মীখুংনা শেম্বা তংবা থাওগী মহুত্তা, মশানা থাও অহুম থোকতবা ইংওী কলগী থাও অহুনা সেক্তাগী তৈল (থাও) চীজিন্নদবনি॥৭॥ যোগাভ্যাস তৌহুনা বানপ্রস্থাশ্রমগী কর্ম (মথৌ ধর্ম) অহুগী সিদ্ধি ফংননবা হোৎনগদবনি। অশাম্বা অশাউবা (কাম ক্রোধ) অমাসিগী মমি কাওবা থম্মোয়দা তাহন্নোইদৌবনি। বীরাসনদা ফমহুনা শূন্নবা বন অহুগী মহুক্তা লৈগদৌবনি॥৮॥ মাচৈগী অম অমদা চাইখোকথিদৌবা পূন্নীংবু তাশিন খোমজিন্নুনা যোগাসনহুনা যোগাভ্যাসহুনা পূন্নীংহু লেজনা থমগদৌবনি। হঠযোগদা লৈরিবা মণ্ডুকযোগবু মরুওইনা নিয়ম কায়দনা চীজিন্নদবনি। কৱিগুম্বা অকংবা পোৎ অমবু নিয়ম কায়দনা সাধনা তৌহুনা লৌনদবনি॥৯॥

বীরাসনম্ তৈনিত্যং স্থণ্ডিলে শয়নং তথা। শীততোয়াগ্নিযোগশ্চ চর্তব্যো ধর্মবুদ্ধিভিঃ ॥১০॥
অভ্ কৈর্বায়ুভক্ষৈশ্চ শৈবলোত্তরভোজনৈঃ। অশ্মকুট্টৈস্তথাদান্তৈঃ সম্প্রক্ষালৈস্তথাপরৈঃ ॥১১॥
চীরবল্কলসংবীতৈর্মৃগচর্মনিবাসিভিঃ। কার্য্যা যাত্রা যথাকালং যথাধর্মং যথাবিধি ॥১২॥
বনানি তৈর্বনচরৈর্বনস্থৈর্বনগোচরৈঃ। বনং গুরুমিবাসাদ্য বস্তব্যং বনজীবিভিঃ ॥১৩॥
তেষাং হোমক্রিয়া ধর্মঃ পঞ্চকালনিবেদনম্। ভাগং চ পঞ্চযজ্ঞস্য বেদোক্তস্যানুপালনম্ ॥১৪॥
অষ্টমী যজ্ঞ পরতা চাতুর্মাস্যানিষেবনম্। পৌর্ণমাসাদয়োযজ্ঞা নিত্যযজ্ঞস্তথৈবচ ॥১৫॥
বিমুক্তা দারসংযোগৈ র্বিমুক্তাঃ সর্ব সংকরৈঃ। বিমুক্তাঃ সর্বপাপৈশ্চ চরন্তি মুনয়ো বনে ॥১৬॥

মুমিৎচুক্কা বীরাসনদা কন্না, সনাথোংনাং বট পান্থীশিংগী মথোৎ অকোয়বদা তাথংগা থোনগংগা অহুগুম্বা মকমদা অহিং য়ায়রেক্কুনা লৈগদবনি। বানপ্রস্থাশ্রমদা লৈবা যোগশিংগী তপস্যা হায়ববু :— শীততোয়াগ্নি যোগ সাধনা তৌদুনা লৈগদৌবনি। হায়বদি :—অঙৌবদা অঙৌবা, অশাবদা অশাবা— হায়বদি নীংথমথা উন এং এং তাবা মতমদা অহিংদা ঈশিংদা লুপ্পুনা লৈগদবনি। কালেম্বা মুংশো কঙথোক্না শাবা মতমদা মৈকু ঈকোয় কোয়না থমদুনা ধ্যান তৌগদৌবনি। নোংজু পাম্বাদা ঈহাও হাওবা লমপাক্তা হুকচাংদা করিগুম্বা অমত থোমদনা ধ্যান তৌদুনা লৈগদবনি। গ্রীষ্ম ঋতুদা পঞ্চাগ্নিগী সেবন তৌগদবনি ॥১০॥ বানপ্রস্থশিংনা মুংশিং অশেংবা, ঈশিং হোজিনবা, থকপা, ঈশিংদা চৌবা মরী মতাংবু চাবনা জীবিকা ওইহনগদবনি। অকনবা উহৈ য়াহৈবু নুংদা ভকথায় শুগাইদুনা চাগদবনি। হাইকেৎ কনববুনা মরানা চীকুনা শারদুনা চাগদবনি। চারবা পায়রবা তুংদা থোত খুং শেংনো হামদোক খোত্তোকপগী নিয়ম অসি কন্না ভাকদবনি। হয়েংগী চাননবগীদমক্তনি হায়দুনা পোং অমত তুংশিন পৈশিন্দুনা থম্মোইদৌবনি ॥১১॥ খাজগী মখাদা চোম্বনা শেংননবগীদমক্তবা শেগায়রবা কি অমদি উকু-য়াকুনা ওইগদবনি। নংগম্বা কুপনবা ঈন্নবনা কৈ শঙী মউয়া ওইগদবনি। মতম চায়ক চায়কপদা ধর্মগী উদ্দেশ্যতদা বিধি কায়দনা তীর্থনচিংবগী দর্শন অমদি স্নান তৌগদৌবনি ॥১২॥ বনদগী হেনবা অতৈ অগহ (মকম) দা থক চথোকলোইদৌমনি। বনগী মনুংদো, বনগী লম্বীতদা হংগৎ হুন্দা চন্নুনা লৈগদবনি। শন্নীশিংগী মতৌগুম্বা বন জললতদা মপুনশি লেনগদবনি ॥১৩॥ মুমিৎ খুদিং, অগ্নিহোত্র (হোম), পঞ্চ মহাযজ্ঞবু পাওথোকপসি বানপ্রস্থাশ্রমগী চাউপ্রবা মথৌ (ধর্ম) অমনি। মচা থারনা থারনা পঞ্চ অন্নবু সনাদন তৌগদবনি পাওথোকদবনি ॥১৪॥ অষ্টমী তিথিদা পাওথোকদবা অষ্টকশ্রাদ্ধগী মখক্ ওইবা যজ্ঞবু পাওথোক্লনবা হোৎনবদা পুক্নীং চঙগদবনি। চাতুর্মাস্যব্রতবু পালন তৌবা দর্শপৌর্ণ-মাস্যযজ্ঞ তৌবা, অহুম্বা লোয়ন লোয়নবা নিত্যযজ্ঞবুসু পাওথোকপা হায়বসি বানপ্রস্থাশ্রমীগী ধর্মনি ॥১৫॥ বানপ্রস্থাশ্রমদা মুনিনা মুপী নহাগা শয় থোৎনবা য়াদে। অয়ানবা নত্তবা থবক অমদি পাপকী য়াথল মরীক অমত তৌকম থোকে। হায়রিবশিংসিদগী লায় লৈদুনা বনদা কোয়চৎ চন্নুম্না লৈগদৌবনি ॥১৬॥

স্রুগভাণ্ডপরমা নিত্যং ত্রেতাগ্নিশরণাঃ সদা। সন্তঃ সৎপথনিত্যা যেতে যান্তি পরাংগতিম্ ॥১৭॥
ব্রহ্মলোকং মহাপুণ্যং সোমলোকং চ শাশ্বতম্। গচ্ছন্তি মুনয়ঃ সিদ্ধাঃ সত্যধর্মব্যপাশ্রয়াঃ ॥১৮॥
এষ ধর্মো ময়া দেবি বানপ্রস্থসমাশ্রিতঃ শুভঃ। বিস্তরেণাথ সম্পন্নো যথাস্থূলমুদাহৃতঃ ॥১৯॥

উমোবাচ

ভগবন্ সর্বভূতেশ সর্বভূতনমস্কৃত। যো ধর্মো মুনিসংঘস্ত সিদ্ধিবাদেষু তং বদ ॥২০॥
সিদ্ধিবাদেষু সংসিদ্ধাস্তথা বননিবাসিনঃ। স্বৈরিণো দারসংযুক্তা স্তেষাং ধর্মঃ কথং স্মৃতঃ ॥২১॥

শ্রীমহেশ্বর উবাচ

স্বৈরিণস্তপসা দেবি সর্বে দারবিহারিণঃ। তেষাং মৌণ্ড্যং কষায়শ্চ বাসো রাত্রিশ্চ কারণম্ ॥২২॥
ত্রিকালমভিষেকশ্চ হোত্রং ঋষিকৃতং মহৎ। সমাধিসৎপথস্থানং যথোদ্দিষ্টানবেক্ষণম্ ॥২৩॥
যে চ তে পূর্বকথিতা ধর্মাস্তে বনবাসিনাম। যদি সেবন্তি ধর্মাংস্তানাপ্নুবন্তি তপঃ ফলম ॥২৪॥

থাবৈচেকপনচিংবা যজ্ঞগী খুৎলাইশিংসিতনা মথোয়গী ঈমুং মমুংগী পোচ্চে হায়বনু ওইগনি। আহবনীয়নচিংবা মৈ অমমগী সেবা পূজা হোম তৌহনা, সন্মার্গ (অকবা লম্বী) অসিতদা লৈগ চৎকদবনি অসুম্না বানপ্রস্থাশ্রমগী নিয়ম পালন তৌবা মীনা অথোইবা গতি (ধাম) বু ফংঙি ॥১৭। সত্যধর্ম-শিংসিবু পালন তৌরিবশিংনু মগানা সিদ্ধ হায়বনু অদুম মওঙজরবান। অদুগুম্বা পুণ্যচেন্নবা মীতনা ব্রহ্মলোক, সনাতন ওইবা সোমলোকতা চৎখি কাখি ॥১৮। দেবী! পার্বতী! নংঙোন্দা ঐনা বানপ্রস্থাশ্রমগা ধর্মতত্ত্ব পুম্বা চাউরাক্না হায়রিবসিনি ।১৯॥ উমানা হায়: ভগবন্! সর্বভূতেশ্বর! অচচ্চত্ত জীব পুম্নমক্না খুরুমজনীংঙাই ওইরবা! যোগী মুনি ঋষিশিংসিনা চৎলিবা. মথোয়না পুম্বিবা সরণি অমাদ সিদ্ধান্ত অসিনা করিনো? মাসিগা অমুক্ত তাকপিয়ু ।২০॥ জ্ঞানীশিংগী গোষ্ঠী (রায়ী রাতাই শাহনা তিন্নবা খন্মিয়বা। দা সিদ্ধ পুরু নি হায়নথবা, অদুগা ওইসু ওইথ্রবা, অদুগুম্বা কনাগুম্বা মুনিনা মথন্তনু লৈ। অদুগা কনাগুম্বনা লোয়নবীগসু লোযনৈ। মাহুনা মথোয়গী ধর্মদা থক কায়বা লৈতে। মাহুনদুম ধর্মশি হায়না লৌনরিবসি কারগীনো? ।২১॥ মহাদেবনা হায়: দেবী! বানপ্রস্থাশ্রমী পুম্বা তপস্যাদা পুক্নীং চঙহনা লৈ. মথোয়গী মমুংদা কনাগুম্বনা মথন্ত লৈ, মুপী নহাগা লোয়নদে। অদুগা থয়না লোযনবী ওইরম্বীঙু অদুম মরোয়নৈ। অদুগা কমকম লৈকম য়ায়রেককমদি তিন্নদে, তোঙাল তোঙাল্ল। অহিংদা মাগী নাগী লৈকম তুম্ফমদা অদুম চৎনখি ॥২২॥ অদুগা হায়রিবা মংথল অনী অসি, ছামৎ খুদিংগী স্নান, অগ্নিহোত্রাদি কায়দনা তৌই। সমাধিদা লৈনৈ, শাস্ত্রগী বিধি কায়দনা কর্ম অদুম তৌই ।২৩। অহানবদা নঙোন্দা বনবাসীশিংগী মরমদা হায়খ্রিবা ধর্মশিং অদু, কায়দনা অদুম তৌই। তপস্যাগী ফল (মহে) অদু অদুম রাত্তনা ফংঙি ॥২৪॥

যে চ সম্প্রতি ধর্মার্থং দারনিরতোজিতেন্দ্রিয়মঃ।
চরন্তি বিধিবৎ দৃষ্ট্বা তদন্নু কালাভগামিনঃ ॥২৫॥
তেষামবিৰ্বজ্যো ধর্মো ধৰ্মিণামুপপত্ততে।
ন কামকারান্‌ কামোঽন্যঃ সংসেব্যোধর্মদর্শিভিঃ ॥২৬॥
সৰ্বভূতেষু যঃ সম্যগ্‌ দদাত্যভয়দক্ষিণাম্‌।
হিংসাদোষবিমুক্তাত্মা স বৈ ধর্মেণ যুজ্যতে ॥২৭॥
সর্বভূতানুকম্পী যঃ সর্বভূতার্জবব্রতঃ।
সৰ্বভূতাত্মভূতশ্চ স বৈ ধর্মেণ যুজ্যতে ॥২৮॥
সৰ্ববেদেষু বা স্নানং সৰ্বভূতেষু চার্জবম্‌।
উভে এতে সমে স্যাতা মার্জবং বার্ধিবিশিষ্যতে ॥২৯॥
আর্জবং ধর্মমিত্যাহুরধর্মো জিহ্ম উচ্যতে।
আর্জবেণহি সংযুক্তো নরো ধর্মেন যুজ্যতে ॥৩০॥
আর্জবে তুরতোনিত্যং বসত্যমরসন্নিধৌ।
তস্মাদার্জবযুক্ত স্যাৎযইচ্ছেৎ ধর্মমাত্মনঃ ॥৩১॥

মতৌ মনাও লোয়ননা গৃহস্থাশ্রমদা লৈবশিংদুনা ঈশ্বর খুদম চন্থনা, ধম কর্ম যাগয়জ্ঞনচিংবা অহুম তৌমিন্নৈ। অদুগা ঋতুকাল লাকপদা ঋতুপালন অদুম মতৌবা। মাদুনা মখোয়গী তপস্যাদা থক কায়বা লৈতে। গৃহস্থাশ্রমদা লৈবা তপস্বীশিংবা সংসারগী কামনাদা (ঈশ্বরবু ভজাক ঙংভাইদনা) স্ত্রীসঙ্গ তৌদে। অদুগা মাগীমশু অৌবোহৈদে বনি ॥২৫-২৬॥ হিংসাগী দোষ কন্নিমত য়াওদনা জীব পুম্নমক্তা অভয়দান পীবনা (অকি অথবা শীংবনা) ধর্মগী শংবরবা মহৈ কংন্তি ॥২৭॥ অচচ্চবা জীব পুম্নমক্তা চানবিহৈবা, খাইবক্তা ঈচম চম্না অদুম্নক মহৈবা, খাইমকপু মথানকা চপ মান্ননা উবা মাসি, চাউরবা ধর্ম অর্মান। অসিগুম্বা ধম অসিগী মহৈদি ওম্বোক্না চাউরে ॥২৮॥ বেদ মহিদা নিঙ্কাত কইবগা জীব পুম্নমক্তা চপ মান্ননা উবগা অনীসি চপ মান্নৈ। অদুগ, ঈচম চম্না লৈবগা লোয়ননা জীব পুম্নমকপু মথানকা চপ মান্ননা উবা হায়বা ধর্মগী মহৈদি ওম্বোক্না চাউরে ॥২৯॥ ধর্ম হায়বসি সরলতা (ঈচম চম্না লৈবা) বু হায়বনি। অধর্ম হায়বনা পুকচেল খোয়বা (কুটিলতা) বু হায়বনি। অসিগুম্বা সরলতা লৌবা ধর্মগী মহৈদি ওম্বোক্না চাউরে ॥৩০॥ ঈচম চম্না, পুকচেল ভিংবা খোয়দনা লৈবাশিংসে, দেবতাশিং (লাইশিং) গা লোয়ননা লৈবত্তুবনি। লৈরিবমকসুনি। অদুনা, দেবতামক্তা মান্ননা দেবলোকতা লৈজবা ঈছে অদু থাজিংলবদি ঈচম চম্না, পুকচেল খোয়দনা লৈবা হায়বা ধর্মদু আচরণ তৌগদবনি ॥৩১॥

ক্ষান্তো দান্তো জিতক্রোধো ধর্মভূতোবিহিংসকঃ। ধর্মে রতমনা নিত্যং নরো ধর্মেণ যুজ্যতে ॥৩২॥
ব্যপেতজন্মধর্মাণো শক্ত্যা ন্যায়মাশ্রিতঃ।. চারিত্রপরমো বুদ্ধো ব্রহ্মভূয়ায় কল্পতে ॥৩৩॥

উমোবাচ

(নৈষাং যাযাবরাণাং তু ধর্মমিচ্ছামি মানদ।
কৃপয়া পরয়াঽবিষ্টস্তন্মে ব্রূহি মহেশ্বর ॥

ঙাকপি হৈবা, (চানবি হৈবা), ইন্দ্রিয় থুহুম চনবা (অশাউবা মিহৌবনচিংবা নমহৎপা) অশাউবতু ওবা, ধর্ম খোকপা থবক্তদা পুন্নীং চঙবা. করিগুম্বা কনাগুম্বা অমগী মকমদা হিংসা তৌদবা, অদুগুম্বা মীদু ধম চেনবা হায়বদুনি। ধর্মগী মহৈ হায়বদু মহাক অদুতনা কংডি ॥৩২॥ পুন্নীংদা হৈনিংদবা, তনবা করিমত য়াওদনা, ধর্ম কারদনা অকব থবক্তদা পুন্নীং চঙদুনা, নমচৎ ব্যবহারদা করিমত অকায়বা লৈতনা লৈরিবা মী মহাক অদুদি ব্রহ্মভাবপু অদুম মকংলবনি ॥৩৩॥ উমানা হায়ঃ—পুন্নমকপু ঈকায় খুম্নবিবা মহেশ্বর। মখোয় যাযাবর হায়দুনা লৈরিবশিং অসি, থুমিৎ চুম্বা অমদগী অমদা কোয়চচ্চরনতা লৈ। মদুম মকৈ হায়বা করিমত লৈতে। মখোয়গী থাখল (সরণি), ধর্ম অসিনা করিনো? অমুক্ত হায়বিয়ু ॥

---

* টীকা :—ঐ বৌদ্ধ ধর্ম চৎলি, বৈষ্ণব ধর্ম চত্তে। ঐ খৃষ্ট ধর্ম চৎলি, শাক্ত ধর্ম চত্তে। ঐ শাক্ত ধর্ম চৎলি, হিন্দু ধর্ম চত্তে। ঐ মীতৈ ধর্ম চৎলি, মরাং ধর্ম চত্তে। অসিনচিংবসি ঈরায় লায়না হায়নৈ। অদুগা, মরাং ধর্ম চত্তদুনা মীতৈ ধর্ম চৎপগী মহৈদি করি হেন্দোক্লা কংডি? বৌদ্ধ ধর্ম চত্তদুনা জৈন ধর্ম চৎপগীদি করি হেন্দোক্লা কায়বা মহৈ অমা কংলি? অসিগুম্বা, তোঙাল তোঙানবা ধর্ম চৎনরিবশিং অসি মথং মথং অমগমগা হৎনে খেৎনরবদি পাক পাক থুরবদা বাগনি। ওয়দবদু য়াই। কংনরিবা মহৈশিংদু মাঙদা পুথোক্লরসি, কথা তারসি হায়রবদি, লোইনা অঙাওবা তানি। অমতদু ওয়রোই। শাক্ত ধর্ম চৎপা পাম্বা নংনা, করি বাৎপদগী বৈষ্ণব ধর্ম বৌদ্ধ ধর্মনচিংবা চৎনীংজ্রিবসিনা করিগীনো? হায়না হংলবদি মানা মানা খোকপা করিনো অমদি অদুম থুরগনি। অদুদু থুৎতা হাগুনা প্রত্যক্ষ ওইনা উহনবদি ওয়লোই। অদুনদি মাগী মাগী তাবতনা পঙদুত্তে হুংজোইন-খনি। নংগী ধর্মদু চত্তদুনা ঐগী ধর্মসি চচ্চবনা নংঙোন্দগী হেন্না ঐনা মহৈ অসি কংলেনো, হেৎজো হায়বসি, ওসি কাওবা কনা অমতনা হায়বা উৎপা ওয়ত্রি। মাসি করিমনো হায়বদা তাইবং মীগী চপ চাবা ধর্ম (মানব ধর্ম) অদু মপুং কানা চৎনত্রিবা অমদি চৎপা ওয়মদবগীনি। মসমক মূলদা মহাদেববা পার্বতীদা তাকলিবা মানব ধর্মশিংসি হেক চৎপদা, চত্তবদুগী হেন্না কথা মহৈদু পুথকপ উবা ফংগনি। অদুনা অদু অদা হায়বা ধর্মশিং অসি চম্নিহৈভা মানব ধর্ম হায়না চৎখিনবনি ॥ (কালাচাঁদ)

মহেশ্বর উবাচ

ধর্মং বাযাবরাণাংশ শৃণু ভামিনি তৎপরা ॥
ব্রতোপবাস শুদ্ধাঙ্গাস্তীর্থস্নান পরায়ণাঃ।
ধৃতিমন্তঃ ক্ষমাযুক্তাঃ সত্যধর্ম পরায়ণাঃ ॥
পক্ষমাসোপবাসৈশ্চ কর্শিতা ধর্মদর্শিণঃ।
বর্ষৈঃ শীতাতপৈরেব কুর্বন্তঃ পরমং তপঃ ॥
কালযোগেন গ ন্তি শক্রলোকং শুচিস্মিতে।
তত্র তে ভোগসংযুক্তা বিমানবরসংযুতাঃ ॥
বিচরন্তি যথাকামং দিব্যস্ত্রীগন সংযুতাঃ।
এতৎ তে কথিতং দেবি কিংভূয়ঃ শ্রোতুমিচ্ছসি ॥

উমোবাচ

তেষাং চক্রচরাণাং চ ধর্মমিচ্ছামি বৈপ্রভো ॥

শ্রীমহেশ্বর উবাচ

এতৎ তে কথয়ি ামি শৃণু শাকটিকং শুভে ॥

মহেশ্বরনা হায় :— যযাবরশিংসিগী ধর্মগী ভব অসি মুক্তা তাও, হায়রগে। ব্রত অমদি উপাসনাতনা মথোরগী হকচাং কায়াং পুম্নমক অসি পুমশেং শেংহনা লৈরবনি। তীর্থ অমদা হংগং হন্দা চত্তুনা তীর্থস্নান তৌবতনা মথোরগী মশিঙ্গাং ওইরবনি ॥ মথোরগী মশাকা, তমথবা, খাঙবা কনবা, শাউদবা, ভাকপি হৈবগী গুণ য়ায় লৈ। সত্যব্রতদা পূরীং চঙবিহনা, পক্ষ অমমম নত্রগা থা অমমম উপবসি তৌই। অহনা, মথোরগী মশা অসি য়ায় শোক্সি। পোৎ খুদিংমক্তা ধর্ম কায়দবা, হিংসাগী শরুক য়াওদবা বৃষ্টি (নিংথেং) থম্মি ॥ শেংলবা, মোমোন মিনোক্পা লৈতেং ওইবী। পার্বতী। যযাবর হায়বা মথোর অসি, নুং মকৈ লৈতবনা, থমদবনা, নোংচু মুংশাগী তাপ কয়া কয়া খাঙহনা তপস্যা তৌহনা তাক লৈ। মতমগী মতুংইন্না তৌভিক হকচাং অসি থাদোক্লগহনা স্বর্গ কাখি ॥ স্বর্গলোক অদুদগী মথল মথা ভোগ কংহনা, লাইরৈবাকী ওইবা মনমনা হায়বা বেশ আভূষণ কয়া কয়ানা লৈতেং ওইহনা, নীংথিজরবা বিমানশক্তা, লাইরৈবাকী লাইরেম্বীশিংগা নীবে পুম্বা খুংহনা মুংতাইনা মতম লেন্নি। দেবী। যযাবরশিংগী মরমদা ঐনা নত্তোন্দা নীরবমিনি। কয়ি অমুক তাজীংলি ? ॥ উমানা হায় :— বানপ্রস্থ ঋষি থরমি, চাকা শানবা য়াত্রী লোজাইগুবদা তোক্তুনা কোয়চং চৎলি। অসিগুবা শাকটিক থাবিশিংগী তাজবীংঙি ॥ মহাদেবনা হায় ;—ঐ মথোরগী মরমদা হায়রগে। শাকটিক (শকট তোংবা) থাবিশিংগী ধর্ম তাও ॥

সংবহন্তো ধুরং দারৈঃ শকটানাং তু সর্বদা। প্রার্থ যজ্ঞে যথা কালং শকটৈ ভৈক্ষচর্য্যয়া ॥
তপোহর্জনপরা ধীরাস্তপসা ক্ষীণ কল্মষাঃ। পর্য্যটন্তো দিশঃ সর্বাঃ কামক্রোধ বিবর্জিতা ॥
তেনৈবকালযোগেন ত্রিদিবং যান্তিশোভনে। তত্র প্রমুদিতা ভোগৈর্বি চরন্তি যথাসথম্ ॥
এতৎ তে কথিতং দেবি কিং ভূয়ঃ শ্রোতুমিচ্ছসি ॥

উমোবাচ

বৈখানসানাং বৈ ধর্মং শ্রোতুমিচ্ছাম্যহং প্রভো ॥

মখোয় শাকটিক হায়রিবশিং অসি মাগী মাগী মুনীশিংচুগা লোয়ননা শকট (গাড়ী রথ) অহূনী মথক্তা মপোৎ মচৈ পুন্নমকন্তু খোনগৎ হাপ্‌চত্তুনা অমদগী অমদা ভিক্ষা নি নিচুনা কোয়চৎ চৎলি। মখোয়গী মরু ওইবা ধর্ম হায়ববু তপস্যানি। কোয়চৎ চৎলুরগা তপস্যাদা হেক্তে পূক্নীং চঙিঙ। মখোয় অসি মশাদা কাম ক্রোধগী মরীক অমত্ত যাওদে। ঐগী মাগী লম, মকম, মায়গৈ শনাই হায়বা মখোয়দা করিমত্তা লৈতে। মকম মায়গৈ পুম্বদা কোয়চৎ চৎলি। হেক হেক পোখাব মকম অহুদা তপস্যা তৌই ॥ নীংথিজবী। পার্বতী। অদুম্না পুনশি চুপ্না মতম লেপ্লগা, মতমগী গতিগী মতুং ইন্না হকচাং থাদোক্লগা স্বর্গদা চৎনথি। স্বর্গদা লুংতাইবা ভোগ কয়া কয়া কংচুনা হায়গুম্না চৎনীং যৌনিংবা মকমদা কোয়চৎ চত্তুনা লৈ। দেবী। পার্বতী। শাকটিক মুনিশিংগী মরমদা নঙোন্দা শম্না নীয়বনি। হৌজিক, করি অমুক তানীংলি? ॥ উমানা হায়ঃ— যৌ! প্রভু। ঐনা হৌজিক অমুক তানীংজিবসি বৈখানস হায়বা মুনিশিংচুগী মরমদনি। মখোয়গী মরমদা অমুক্তা হায়বিয় ॥ মহাদেবনা তায়ঃ—দেবী। বৈখানস হায়রিবা বানপ্রস্থাশ্রমীশিং অসিসু তপস্যাতদা পুক্নীং চঙচুনা লৈবা জাংনি। মশা মশাগী হাইসোয়বদা তেজতনা পুমঙাদ ভাব্দুনা লৈ। সত্যবাদীনি, স্নায় থীর ওইবা ভাক্তনি। মখোয়গী মশাদা তপস্যাগী শক্তিনা পাপকী শরক অমত্ত লৈতে ॥ মখোয়গী মরক্তা থয়না অশ্মকুট্টনি। হায়বদি চগলবা কোটেক মচৈ মরোং অহু নুংদা তুগাইয়গা চায়। থয়না অকনবা পোৎ অহু ময়ানা ক্রক ক্রক শায়চুনা অকথাদনা চায়। থয়না উমা যানা শায়চুনা মাচুনা মখোয়গী জীবিকা ওই। থয়না, উঞ্ছবৃত্তিনা জীবিকা ওই। হায়বদি লৌবুক লমহাংদগী হয়াম চেংয়াম মরু মরাং খুন্দুনা, মখোয়গী জীবিকা ওই। থয়না খুহু লমখুগী মতৌওম্না চেঙময় অতা অতু খুন খুন্দুনা চায়। মখোয় থয় শা শলগী খোঙলোয় ওইচুনা মখোয়দগা চৎমিন লৌমিয়ৈ। শা শলগুম মাগী চায়। থয়না কোজোল চবোন চায়। অতুনা মখোয় থয়না শজী শত্তাইতগা চৎমিন লৈমিয়ৈ। অদুম তৌচুনা বৈখানসশিংনো মৃগচর্য্যাগী আশ্রয়না অপুনশি লেপ্লি ॥ মখোয় থয়না ঈশিংত থকপা লেপ্লি। মখোয় থয়না ফুরা (খুংশিং) ত তাচুনা থকপা লেপ্লি। অতুনা থয়না করিমত্ত চাদনা লৈ। অতুনা থয়না খোইনা খোয়কৎ চৎপা তৌনদনা তুম্বিয় ভগবান শ্রীবিষ্ণুগী সেবা পূজাদা পুক্নীং চঙনা লৈ। মখোয় অসিদা মৃত্যুনা পাক চঙবা ঙমদে। যুক্ত (শিরা) ক্ষৌর

শ্রীমহেশ্বর উবাচ

ধর্মচর্য্যাং তথা দেবি বালখিল্য গতাং শৃণু ॥
মৃগানির্মোকবসনা নির্দ্বন্দ্বাস্ত তপোধনাঃ। অঙ্গুষ্ঠমাত্রাঃ সুশ্রোণি তেষ্বেবাঙ্গেষু সংবৃতাঃ ॥
উদ্যন্তং সততং সূর্য্যং স্তুবন্তো বিবিধৈঃ স্তবৈঃ। ভাস্করস্যেব কিরণৈঃ সহসা যান্তি নিত্যদা ॥
দ্যোতয়ন্তো দিশঃ সর্বা ধর্মজ্ঞাঃ সত্যবাদিনঃ ॥
তেষ্বেব নির্মলং সত্যং লোকার্থং তু প্রতিষ্ঠিতম্। লোকোঽয়ং ধার্য্যতে দেবি তেষামেব তপোবলাৎ ॥
মহাত্মনাং তু তপসা সত্যেন চ শুচিস্মিতে। ক্ষময়া চ মহাভাগে ভূতানাং সংস্থিতিং বিদুঃ ॥
প্রজার্থমপি লোকার্থং মহদ্ভিঃ ক্রিয়তে তপঃ। তপসা প্রাপ্যতে সর্বং তপসা প্রাপ্যতে ফলম্ ॥
দুষ্প্রাপ্যমপি যল্লোকে তপসা প্রাপ্যতে হিতৎ।)

মহাকমকপু মখোয়না মখোয়গী তপস্যাগী শক্তিনা কিহল্লি। অসিগুম্বা মখোয়সিগীদমক্তা ইন্দ্রলোক (স্বর্গলোক) তা মখল মখা অগাম্বা ভেংগকী মচাকমক্তা পীক পীক থম্না পৈ পৈহনা থেম্না থম্মি। অহনা মখোয়না মর্ত্ত্যালোক অসিদা মৃত্যুগকপু, ওমথিবনা দেবলোক (অমরলোক) তা অমরত্ববু (শিদববু) ফংডি। শিব লৈতবা দেবতাশিংগা চপ মান্নবা লৈমিন্নরক্ট ॥ সতী! মাধ্বী! পার্বতী! মখোয় অসে মতম কুইনা স্বর্গগী অপ্সরাশিংগা চরাও তয়াম্না শান্নমিন্নহনা লৈ। বৈখানসশিংগী মরমদা ঐনা নত্তোন্দা লীরবসিনি। হৌজিক. করি অমুক তানীংলি ?॥ উমানা হায়ঃ ভগবন্! সদাশিব! ঐনা অমুক তাজনীংলিবসি বালখিল্য হায়বা মহাতপস্বীশিং অদুগী মরমদনি॥ মহে য়না হায়ঃ— দেবী! বালখিল্য ঋষিশিংগী ধর্মচর্য্যাগী মরমদা হায়গে তাও। মখোয়সে শঙ্খী মউপ শেং চায়। ওলাওবা মিংথম্বা হায়বসি মখোয়দা চপ মান্নে। কায়নবা তিন্নবা, অশাবা অইংবা হায়হুমা অনী অনীথোক্না লৈরবা দ্বন্দ্ব ভাব অসি মখোয়দা লৈতে। নির্দ্বন্দ্ব ওাক্তনি। তপস্যাতনা মখোয়গী মরল ওই। তীংদা য়াংদা কজবী! মখোয়সে য়াংবদি খুবীমুক্তনি (হুইমুক্ত য়াংডি)। মখোয়সে শাওং শায়া চপ মান্নে। অমগমগা করিমত থেরদে॥ মখোয়সি সুমিংকী অকোয়বদা লেপ্পুনা সূর্য্যদেবগী স্তুতিগান তৌরগা সূর্য্যদেবনা লৈরিবসিদগী অা য়াংমদা অমুক হেন্দোক্না চংখি। মখোয়গী মশেক মত্তাম্না, মায়থং পুম্বা পুনওাল ওাল্লি। মখোয় পুম্বা ধর্মজ্ঞনি, সত্যবাদীনি॥ লোকরক্ষাগীদমক মখোয়দা মশাদা মহুং মপান্দা সত্য হাপকহনা লেত্তহনা লৈ। দেবী! বালখিল্যশিংগী তপস্যাগী পাঙ্গল্না জগৎ পুম্বা লেঙদনা লৈরিবসিনি। মীলোক কজবী দেবী। মহাত্মা ওইরবা মখোয়সিগী তপস্যা, সত্য, ক্ষমাগী প্রভাব (শাথে শক্তি) না অচম্বত্ত জীব পুম্নমকসি লেমন্নিবনি। অহুম্না মহাজ্ঞানীশিংনা হায়রে॥ মহাজ্ঞানীশিংনা অচম্বক প্রজা (জীব) পুম্নমকীদমক্তা তপস্যা তৌই। তপস্যানা ফংডম থোক্তনবা থকে অমত্তা লৈতে। তপস্যাজ্বা নীংবা পুম্নমক ফংডি॥ লোক অসিদা দুর্লভ ওইবা পোৎ পুম্বা তপস্যাগী ... লানবা য়াডি॥

উমোবাচ

আশ্রমাভিরতা দেব তাপসা যে তপোধনাঃ।
দীপ্তিমন্তঃ কয়া চৈব চর্য্যয়াথ ভবন্তি তে ॥৩৪॥
রাজানো রাজপুত্রাশ্চ নির্ধনা যে মহাধনাঃ।
কর্ম্মনা কেন ভগবন্ প্রাপ্নুবন্তি মহাফলম্ ॥৩৫॥
নিত্যং স্থানমুপাগম্য দিব্যচন্দনভূষিতাঃ।
কেনবা কর্ম্মনা দেব ভবন্তি গোচরাঃ ॥৩৬॥
এতন্মে সংশয়ং দেব তপশ্চর্য্যাশ্রিতং শুভম্।
শংস সর্বমশেষেণ ত্র্যক্ষ ত্রিপুরনাশন ॥৩৭॥

শ্রীমহেশ্বর উবাচ

উপবাসব্রতৈর্দান্তা হ্যহিংস্রাঃ সত্যবাদিনঃ। সংসিদ্ধাঃ প্রেত্য গন্ধর্বৈঃ সহমোদন্ত্যনাময়া. ॥৩৮॥
মণ্ডূকযোগশয়নো যথান্যায়ং যথাবিধি। দীক্ষাং চরতি ধর্মাত্মা স নাগৈঃ সহ মোদতে ॥৩৯॥
শষ্পং মৃগমুখোচ্ছিষ্টং যোমৃগৈঃ সহ ভক্ষতি। দীক্ষিতোহপি মুদাযুক্ত. সগচ্ছত্যমরাবতীম্ ॥৪০॥

উমানা হংঙি—মহাদেব। অমদগী অমদা কোয়চৎ চৎপা তৌদনা মাগী মাগী আশ্রমতদা তপস্যা তৌহনা লৈরিবশিং অসিগী আচংগনা করম তৌব হায়বত্নগী মরমদা হায়বিয়ু। মথোয়না করম্বা র.থল অমদি সরনিদা তপস্যা তৌরিবনো ? ॥৩৪॥ ভগবন! নিংথৌবু ওইরবস্নু নিংথৌগী মচাবু ওইরবস্নু, লায়রববু ওইরবস্নু নত্রগা টয়াকথুনববু ওইরবস্ন করম্বা কর্মগী প্রভাব (শক্তি) না চাউংবা কমগী মহৈবু ফংবগে ?।৩৫॥ দেব! বনতদা লৈবা বনবাসী ওইবা মুনিশিংনা করম্ব কর্মগী মহৈনা, দিব্য ওইরবা, নীংথিবা স্থান (ধাম) বু ফংহনা মনম মুংশিরবা চন্দননচিংবা তৈংশিন খোচিন্দু। মুংঙাইনা লৈবগে ? ॥৩৬। দেব! ত্রিপুরবু মাঙহনবা, ত্রিলোচন! তপস্যা কম্না তৌংরিবশিং অসিনা ফংঙ্গদৌরিবা মহৈ অমদি লোকনা করি করিনো ? ঐগী পুক্নীংদা চিনবা অমা লৈরে। ঐনা চিংনরিবশিংসে মতীকচাব পাউথুমনা অমুক্তা কোকহনবিয়ু ।৩৭। মহেশ্বরনা হায় :- বনদা উপবাস তৌহনা, ব্রত তৌহনা লৈরিবা, ইন্দ্রিয় থুহম চন্দুনা লৈরিবা. হিংসা য়াওদনা, সত্যবাদী ওইহনা সিদ্ধ ওইহনা লৈরিবশিংসে শিরব তুংদা, অরা অনা লৈত্রবা অহল ওইরকপা হায়বহ লৈত্রবা গন্ধর্বলোকতা নুংঙাইনা লৈথি ॥৩৮॥ নিয়ম বিধি কায়দনা হঠ যোগকী মনুংদা কাওরিবা মণ্ডূক যোগ হায়হনা লৈরিবহুগী মতুংইন্না তুমলিবা চারিবা যোগীশিং অহু নাগলোকতা নুংঙাইনা লৈথি ॥৩৯॥ মৃগচর্য্যাগী ব্রতগী দীক্ষা লৌহনা, মৃগ (শজী) গী মচীনা চীকখি চাখিবগী মথাক শজীক (নাপী) বু হয়াওনা পেন্না চাহনা মাহনা জীবিকা ওইরবশিংহু শিরবা তুংদা মথোয়গী জীব (জীবত্মা) না অমরাবতী (লাইশিংগী কোয়ুং) দা চংথি ॥৪০॥

শৈবালং শীর্ণপর্ণংবা তদ্ব্রতী যো নিষেবতে। শীতযোগবহোনিত্যং সগচ্ছেৎপরমাংগতিম্ ॥৪১॥
বায়ুভক্ষোঽম্বুভক্ষো বা ফলমূলাশনোঽপিবা। যক্ষৈশ্বর্য্যমাধায় মোদতেঽপ্সরসাংগণৈঃ ॥৪২॥
অগ্নিযোগবহোগ্রীষ্মে বিধিদৃষ্টেন কর্মণা। চীর্ত্বা দ্বাদশবর্ষাণি রাজাভবতি পার্থিবঃ ॥৪৩॥
আহারনিয়মং কৃত্বা মুনির্দ্বাদশবার্ষিকম্। মরুং সংসাধ্য যত্নেন রাজাভবতি পার্থিবঃ ॥৪৪॥
স্থণ্ডিলে শুদ্ধমাকাশং পরিগৃহ্য সমন্তত। প্রবিশ্য চ মুদাযুক্তো দীক্ষাং দ্বাদশবার্ষিকম্ ॥৪৫॥
দেহং চানশনে ত্যক্ত্বা স স্বর্গে সুখমেধতে। স্থণ্ডিলস্য ফলাণ্যাহুর্যানানি শয়নানি চ ॥৪৬॥

উনা অকংবত শারহুনা চাহুনা, অচীক অশা লোইনা থাওহুনা, ব্রত তৌহুনা ভগবান্গী ধ্যান তৌহুনা লৈরিবা বানপ্রস্থশিংহুদি, আত্মা পুম্বগী হোরককম পরমধামদা হুন্সিনথি (চংথি) * ॥৪১॥ বায়ু, জল, ফল, মূলত চাহুনা, ভগবান্গী ধ্যানত তৌহুনা চহী তরানীথোয় চুপ্পা ব্রত নিয়ম তৌবা মী অহুদি যক্ষ রক্ষ গন্ধর্ব পুম্নমকপু নমহত্তুনা, মখোয় পুম্বগী মকোক (নি থৌ) ওইহুনা অপ্সরাশিং (লাইরৈবাক্কী লাইরেম্বী) গা লোয়ননা আনন্দ ভোগ তৌহুনা লৈথি ॥৪২॥ শারবা গ্রীষ্ম ঋতু (কালেন) দা পঞ্চাগ্নি (পকবম) বু সেবন তৌবা (পাওথোকপা) অহুগা চহী তরানীথোয় চুপ্পা ব্রত তৌবা মী মহাক অহুদি হয়েমুক্কী মপোক্কা ভূমণ্ডল পুম্নমক্কী (পৃথিবী পুম্বগী) নিংথৌ ওই ॥৪৩॥ চহী তরানীথোয় চুপ্পা করিমত চাদ থক্তনা, ঈশিং মরীক অম কাওবা ময়াদা তাহন্দনা তপস্যা তৌবা অহুগুম্বা বানপ্রস্থী অমত্তু পৃথ্বী পুম্বগী রাজচক্রবর্তী ওই ॥৪৪॥ ঈহাও হাওবা অতিয়াগী মখাদা, লমহাংদা, লৈমায়থক্তা, করিম্ত্ত করিম্ত্ত য়াওদনা বেদীথক্তা য়ায়রেক য়াতাহুনা তপস্যা তৌহনা, ঈমুং মুংডাইবা, ঈপেত্ত পেন্দুনা ব্রত উপাসনা তৌবা মহাক অহু লাইরৈবাক্তা দেবতাশিংগী মরক্তা মু ঙাইবা ভোগতা কংহুনা লৈথি ॥৪৫॥ ঈবেম্মা। পার্বতী। বেদী মথক্তা (লৈপুংথক্তা) য়াহীপ য়াতাহুনা তপস্যা তৌবগী মহৈদি থাগী মতৌগুম্না, মেওলবা ঈংলবা তৌকনরবা মমল য়াম্নবা ফমুং কাম্নুংনা থম্নবা নীংথিজরবা সংগায়রুংদা লৈবা অহুম হায়না শাত্রদা হায় ॥৪৬॥

---

* টীকা :—য়োং তুই তীল কাণ্ড, শক্তী শ ঙাইনচিংবগী হুকচাংমুংদা লৈরিবা জীব (জীবাত্ম) সিদি অমতনি। য়োং তুই অমত নত্তে। × × × অসিনচিংবসি মচীন্তদা মচ্ছায়বা, অহৈ অশিং শারিবা, দার্শনিকনি, হাংম্রিবশিং অসি মশা মশানা থবক থোক্কদি তৌবা থক ওমদে। মচীন্তদা চীনফেন ফবা শাশিয়বনি। অমত্তনিদি হায়রগা শক্তী শঙাইনা চাশিবা থক্লিবা অত্তুদি থক চাবা থকপা ওমদে। তাওবদনি হৈবা, থবক থোক্কা তৌবদি থক ওমদে। করি কাম্নানি ? উনা অকংবতনা জীবিকা ওইবা জীব কয়া কয়া লৈরি। জীবাত্মা অমত্তনিদি হায়রগা উনা অকংবনা জীবিকা ওইহনবা ওম্বা দার্শনিক (ফিলোসোফর) ফনা অমত্ত লৈত্তে। চীনফেন ফবা কায়রবা নাম উপাধিনচিংবতা পাম্বা অহুগুম্বা মীয়েম মীপক তাকনি। থাংদগী মুনি ঋষি দার্শনিকশিংদি অহু নত্তে। (কালাচাঁদ)

গৃহাণি চ মহার্হানি চন্দ্রশুভ্রানি ভামিনি। আত্মনমুপজীবন্ যো নিয়তো নিয়তাশনঃ।৪৭॥
দেহং বানশনে ত্যক্ত্বা স স্বর্গং সমুপাশ্নুতে। আত্মানমুপজীবন্ যো দীক্ষাং দ্বাদশবার্ষিকীম্।৪৮॥
ত্যক্ত্বা মহার্ণবে দেহং বারুনংলোকমশ্নুতে। আত্মানমুপজীবন্ যোদীক্ষাং দ্বাদশবার্ষিকীম্ ॥৪৯॥

অশ্মনা চরনৌ ভিত্ত্বা গুহ্যকেষু সমোদতে।
সাধয়িত্বাত্মনাত্মানং নির্দ্বন্দ্বো নিষ্পরিগ্রহ ।৫০॥
চীর্ত্বা দ্বাদশবর্ষাণি দীক্ষামেতাং মনোগতাম্।
স্বর্গলোকমবাপ্নোতি দেবৈশ্চ সহ মোদতে ॥৫১॥
আত্মনমুপজীবন্ যো দীক্ষাং দ্বাদশবার্ষিকীম ।
হুতাগ্নৌ দেহমুৎসৃজ্যবহ্নি লোকে মহীয়তে ॥৫২॥

কনা অমতগী মতেং লৌরদনা, মাগী মলানা কংজবা থরতনা ঈপোল পেমা, পুনশি লেমবা, অদুগা নিয়ম নাইনা তুম্বা চীপ্প চাবা পুম্নমক পাম্বথোক্লিনা অদুগা লৈত্রগা অনশন ব্রত তৌরবা হকচাং থাদোক্লগা- অদুগ স্বর্গদা লাইয়ম মরক্তা থাজগা সমান কন্না যুম্ভইনা লৈশি ॥২ ॥ অতোপ্প কনাগুম অমতবু লাইন্দনা কনা অমতগী মতেং লৌরদনা, চহী তরানীথোয় চুপ্পা ব্রহ্মচর্যদা দীক্ষা লৌদুনা মহাসাগরগী মশাগী হকচাংবু থাদোক্লবা মী মহাক অদুদি বরুণ লোকতা যুংতাইবা ফংদুনা লৈশি।৪৮। কনাগী মতে লৌদনা, ঐগী মগী হায়বনচংবা অনী থোকপা রাথন্নগী রাথম লাখ্রুনা, চহী তরানীথোয় চুপ্পা ব্রতদীক্ষা লৌদুনা মমৈথক্তা, চীদুং মায়ুদা নুংলক্না মথেংগু মথুত্তু থোগায় থিংগাইদুনা হকচাং থাদোকলবা মা মহাক অদুদি গুহ্যকলোক কৌবা অদুদা যুংতাইনা লৈশি ॥৪৯-৫০॥ চহী তরানীথোয় চুপ্প মনোগত দীক্ষা অসিবু লৌরবা অমা ওইদুনা (মনোগতদীক্ষাদ দীক্ষিত ওইদুনা) লৈবা মহাক অদুদ স্বর্গলোকতা মহা আনন্দবু ফংদুনা লৈশি * ॥৫১॥ অসিগুম্বা দীক্ষাবু লৌদুনা চহী তরানীথোয় চুপ্পা ব্রত তৌদুনা মতুংদা লৈয়ুংদা চোংশিন্দুনা মশাগী পাঞ্চভৌতিক দেহবু অগ্নিদা হোম তৌরম্বা বানপ্রস্থী মী মহাক অদু অগ্নিলোক (ব্রহ্মাগী লোক) তা চংশি ॥৫২॥

---

* টীকা ঃ "মনোগত দীক্ষা" লৌবা হায়বসিগী অর্থদি ঃ পুক্নীদা চঙ্গকপা, অশাংবা, অপ্পাম্বন চিংবা থাদোক্লগনি হায়না গুরুগী মফমদা হ.শকুনা দীক্ষা লৌবা অদুবুনি। দীক্ষা লৌবসিবু ইংরেজী লোলগী বাংবলদা বাপটাইজ তৌব কৌই। খ্রীষ্টান ধর্ম চংহনবনি। মীগী ধর্মদগী জাৎ তাহনবনি। মনোগত দীক্ষা লৌহন্দবনি। মনোগত দীক্ষাসিবু লৌরবদি তাইবং মীগী খুংগোম ধর্ম অমদা দীক্ষা লৌরবগী কুম্নিমত দরকার লৈতে। অদুনা, হিন্দু ধর্মদা, বৌদ্ধ ধর্মদা, খ্রীষ্টান (খ্রীষ্টিয়ান) ধর্মদা দীক্ষা লৌরববুদি মনোগত ধর্মদা দীক্ষা লৌবনা হৌদ্রা কে ॥ (কাল্লাচাঁদ)

বস্তু দেবি যথান্যায়ং দীক্ষিতো নিয়তোথিতঃ। আত্মন্যাত্মানমাধায় নির্মমো ধর্মলালসঃ ॥৫৩॥
চীর্ত্বা দ্বাদশবর্ষাণি দীক্ষা মেতাং মনোগতাম্। অগ্নী সহিতং স্কন্ধে বৃদ্ধা গচ্ছত্যনাবৃতঃ ॥৫৪॥
বীরাধ্বানগতো নিত্যং বীরাসনরতস্তথা। বীরস্থায়ী চ সততং স বীরগতিমাপ্নুয়াৎ ॥৫৫॥
স শক্র লোকগো নিত্যং সর্বকামপুরস্কৃতঃ। দিব্যপুষ্পসমাকীর্ণো দিব্যচন্দন ভূষিতঃ ॥৫৬॥
সুখং বসতি ধর্মাত্মা দিবি দেবগণৈঃ সহ। বীরলোক গতো নিত্যং বীরযোগসহঃ সদা ॥৫৭॥
সত্ত্বস্থঃ সর্বমুৎসৃজ্য দীক্ষিতো নিয়তঃ শুচিঃ। বীরাধ্বানং প্রপদ্যেৎ যস্তস্য লোকাঃ সনাতনাঃ ॥৫৮॥
কামগেন বিমানেন স বৈ চরতি ছন্দতঃ। শক্রলোকগতঃ শ্রীমান্ মোদতে চ নিরাময়ঃ ॥৫৯॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যামনুশাসনপর্বনি দানধর্মপর্বনি
উমামহেশ্বর সংবাদে দ্বিচত্বারিংশদধিকশততমোঽধ্যায়ঃ ॥ × ॥ × ॥

—:(*):—

দেবী! পার্বতী! বিধি নিয়ম কায়দনা বনবাস (বানপ্রস্থ) গী দীক্ষা লৌছনা, মশাগী পুক্নীংনা ইন্দ্রিয় পুম্নমকপু পন্নমাখাদা চঙহনখিদুনা, মমতা (ঐগী মাগী হায়বা বাখল) বু থাদোক্লুনা চহী তরানীথোর চুপ্না, মনোগত দীক্ষা হায়বদু লৌছনা, মে য়াওবা (মৈগা লোয়নবা) অগ্নী (থাবৈ হোমজে) অদুবু উগী উশাদা য়ানশিল্লমদুনা, হায়র্বদি অগ্নি অদুবু (যজ্ঞ অদুবু) থাদে ক্লমদুনা পুক্নীংদু ঈহাও হাত্তনা (করিমত খন্দনা) বীর (অকনবা) অম ওইনা চৎপ্রবা মহাক অর্থাৎ বীরগতি (শক্তিমান ওইবা আত্মানা লৌখিগদবা থাম) অদুবু ফংখি ॥৫৩-৫৫॥ মহাক অদু ইন্দ্রলোকতা চৎখিদুনা মহাক্না নীংব পুম্ব ফংদুনা হুংওাইনা লৈখি। মহাকী মথক্তা লৈ খুজোক খুজোক থিকথরকই। লাইরৈবাকী মনম হুংশিনবা চন্দননা মশা পুম্ব থৈদুনা মাদুনা মশাগী লৈতেং ওই ॥৫৬॥ অদুম ওইবা ধর্মাত্মা ওইবা মহাক অদু দেবতাকুতা দেবতাশিংগা লোয়ননা হুংওাইনা মতম লেপ্পি। অদুনগী বীরলোক লৌখিদুনা বীরশিংগা মমত্ত ওইপ্পি ॥৫৭॥ লৈজব পুম্নমক থাদোক্লুনা বনবাসগী (বানপ্রস্থগী) দীক্ষা লৌছনা সাত্ত্বিক গুণগী কর্মতদা পুক্নীং চঙদুনা, বিধি নিয়ম কায়দনা বীরপথ (বীরলোক বীরমার্গ) দা চৎপ্রিবা মহাক অদু সনাতন ওইরা লোকপু ফংখি ॥৫৮॥ মহাক অদু ইন্দ্রলোকতা অনা অয়েক খুজোংথৌব করিমত মরনা মশা পুম্বা লাইরৈবাকী রূপবা নীংথিবা তিন্দুনা দিব্যভোগ পুম্বা ফংদুনা লৈখি। চৎনীংবা লৌনিংবা মফমসু মফমদা থৌওবা বিমান মথক্তা মনীংতম্না কোয়চৎ চঙলুনা মতম লেপ্পি ॥৫৯॥

মাকপু অখিবা শ্রীমহাভারতকী শ্লোক লিখিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেখো সংহিতাদা অনুশাসন পর্বদা,
দানধর্ম পর্ব মহাক্কী উমা মহেশ্বর সংবাদগী চামনিফুনীথোইগুবা অধ্যায় লোইরে ॥ × ॥ × ॥

-:(*):—

মণিপুরী মহাভারত

ত্রিচত্বারিংশদধিকশততমোঽধ্যায়ঃ

(ব্রাহ্মণ ক্ষত্রিয়নচিংবা মথং মথং মপোক কংলক্লবদা অ খাই অহন নাইবা কর্মগী মরমদা তাকপা)

চামনিফুহুমদোইগুবা অধ্যায়

—:(•):—

উমোবাচ

ভগবন্ ভগনেত্রঘ্ন পূষ্ণোদন্তনিপাতন। দক্ষ ক্রতু হর ত্র্যক্ষ সংশয়ো মে মহানয়ম্।।১।।

চাতুর্বর্ণ্যং ভগবতা পূর্বং সৃষ্টং স্বয়ম্ভুবা। কেন কর্মবিপাকেন বৈশ্যোগচ্ছতি শূদ্রতাম্।।২।

বৈশ্যোবা ক্ষত্রিয়ঃ কেন দ্বিজোবা ক্ষত্রিয়ো ভবেৎ।

প্রতিলোম কথং দেব শক্যো ধর্মো নিবর্ত্তিতুম্।।৩।।

কেন বা কর্মণাবিপ্রঃ শূদ্রযোনৌ প্রজায়তে। ক্ষত্রিয়ঃ শূদ্রতামেতি কেন বা কর্মনা বিভো।।৪।।

এতন্মে সংশয় দেব বদ ভূত পতেহ নঘ। ত্রয়ো বর্ণাঃ প্রকৃত্যেহ কথং ব্রাহ্মণ্যমাপ্নুয়ুঃ।৫।।

উমানা হংত্তি:—ভগ কৌবা দেবতাগী মমীৎ কোথোক্লগা পূষাগী মরা খুদেকপা। দক্ষগী যজ্ঞ খুগাইবা। ত্রিলোচন। ঐগী য়াম্ন চাউবা চিংনবা অম লৈয়ে।।১।। মনাত্তগী ব্রহ্মাজীনা বর্ণ মরি শেমখি। মরি অসিগী মনু দা অহুম গুবদা য়াওরিবা বৈশ্য হায়বসিনা কয়িদগী শূদ্রগী মপোক্তা হন্দ্রিবনো?।।২।। অহুগা ক্ষত্রিয়না করি কর্ম তৌরুবদগী বৈশ্যগী মপোক্তা হন্দ্রিবনো? ব্রাহ্মণনা করিগীদমক ক্ষত্রিয় মপোক্তা পোকখ্রিবনো? মথক মখা গুরবা ধর্মবু কয়রা হোংদোক হোংজিন তৌরিবনো?।৩।। প্রভু। করি কর্ম তৌরুবদগী ব্রাহ্মণনা ক্ষত্রিয় বৈশ্যগী মপোককাও কায়মইনা খাইদগী হন্দবা শূদ্রগী যোনিদা পোক্লরিবনো? অহুগা ক্ষত্রিয়সু কর্ম তৌরুবদগী শূদ্রগী মপোক্তা পোকখিবনো?।।৪।। দেব দেব। পাপকী শরক য়াওরবা ভূতনাথ! ঐগী চাউরবা চিংনবসে অমুক কোকহনবিয়ু। শূদ্র, বৈশ্য, ক্ষত্রিয় বর্ণ অহুমসিগী মীনা করি করি পুণ্য কর্ম তৌরুবদগী ব্রাহ্মণগী মপোক্তা অমুক কাখৎলক্লিবনো।।৫।।

মহেশ্বর উবা

ব্রাহ্মণ্যং দেবি দুষ্প্রাপং নিসর্গাৎ ব্রাহ্মণঃ শুভে। ক্ষত্রিয়ো বৈশ্য শূদ্রোবা নিসর্গাদিতি মেমতিঃ ॥৬॥
কর্মণা দুষ্কৃতেনেহ স্থানাৎ ভ্রশ্যতি বৈ দ্বিজঃ। জ্যেষ্ঠং বর্ণমনুপ্রাপ্য তস্মাৎ রক্ষেৎ বৈ দ্বিজঃ ॥৭॥
স্থিতো ব্রাহ্মণ ধর্মেণ ব্রাহ্মণ্য মুপজীবতি। ক্ষত্রিয়ো বাথ বৈশ্যোবা ব্রহ্মভূয়ং সগচ্ছতি ॥৮॥
যস্তু বিপ্রত্বমুৎসৃজ্য ক্ষাত্রং ধর্মং নিষেবতে। ব্রাহ্মণ্যাৎ স পরিভ্রষ্টঃ ক্ষত্র যোনৌ প্রজায়তে ॥৯॥
বৈশ্য কর্ম চ যো বিপ্রো লোভমোহব্যপাশ্রয়ঃ। ব্রাহ্মণ্যং দুর্লভং প্রাপ্য করোত্যল্পমতিঃ সদা ॥১০॥
স দ্বিজো বৈশ্যতামেতি বৈশ্যো বাশূদ্রতামিয়াৎ। স্বধর্মাৎ প্রচ্যুতো বিপ্রস্ততঃ শূদ্রত্ব মাপ্নুতে ॥১১॥

শ্রীমহেশ্বরনা হায় :—দেবী ! ব্রাহ্মণত্ববু ফংবা (ব্রাহ্মণ ওইনা পোকপা) হায়বসে য়াম্ন তাঙবনি। য়াম্ন য়াবা ফংবনি। নীংথিজবী। ব্রাহ্মণ, ক্ষত্রিয, বৈশ্য, শূদ্র হায়বা বর্ণ মরি অসি ঐগী বিচারদদি নৈসর্গিকনি প্রাকৃতিকনি (মশানা, স্বভাবনা অদুম ওইজরকপনি) ॥৬॥ শম্ন হায়রবা তারবদা, অসিমদি হায়কম থোকই মাচুদি, পাপকর্ম তৌরবদি দ্বিজ (ব্রাহ্মণ ক্ষত্রিয বৈশ্য) না মাগী মাগী য়াম মর্য্যাদা লৈথা অদুম অদুম ত'রক্লা হুম্ব হুম্ববা জাতি বর্ণদা পোকথি। অদুনা, মাগী মাগী ধর্মগী মর্য্যাদা (মহিমা) বু য়াম্ন শেন্নগদবনি, ঙাকদ নি ॥৭॥ ক্ষত্রিয় বৈশ্যনা ব্রাহ্মণগী মথৌ অমদি ধর্মদা (ধর্ম কর্মদা) পরায়ণ ওইদুনা ব্রাহ্মণত্বগী সহায়তা লৌরবদি, অদুগুম্বা ক্ষত্রিয় বৈশ্য অদু ব্রহ্মভূয় ওই। ব্রহ্মভাব (ব্রাহ্মণকাব) পূ ফংঙি। ব্রাহ্মণনি হায়বমক য়াই ॥৮॥ ব্রাহ্মণগী মথৌ কর্মবু, ব্রাহ্মণত্ববু থাদোক্লুনা ক্ষত্রিয়গী মথৌ (কর্ম) অমদি পুক্নীং চঙশ্রবদি ব্রাহ্মণত্বদগী নাম্থিদুনা, ক্ষত্রিয়গী যোনিদা পোকলুই ॥৯॥ তাঙলবা, পাক পাক ফংঙমত্রবা ব্রাহ্মণগী মপোকপু ফংলগা অপাম্বা মিচৌবগী লালো তাথিদুনা বৈশ্যগী কর্ম (লল্লোন ঈতীকপা লৌউ শীঙবগী কর্ম) দা পুক্নীং তৌশ্রবদি, মহাক অদু বৈশ্যগী মপোক্তা পোকলুই। বৈশ্যসু শূদ্রগী মথৌবু মাগী মথৌ ওইহনশ্রবদি শূদ্রগী যোনিদা চঙথি। মশাগী ধর্ম কর্মবু থাদোক্লুনা শূদ্রগী বৃত্তিদা লৈশ্রবা ব্রাহ্মণ অদু (মহাক্কী জীবাত্মা অদু) শূদ্রগী মপোকতা (দেহ) দা চঙথি। মরমদি, শিক্লিডৌনা মহাক অদু শূদ্র অদুম মওইরবনিণা, শূদ্র ওইনা শিথিবনি। ব্রাহ্মণ ওইবা শিথিব নত্তে ॥১০-১ ॥

টীকা :—ব্রহ্মাগীদি অহানবদা ব্রাহ্মণ ক্ষত্রিয় বৈশ্য শূদ্র হায়দুনা অমুক্তং শেম্বিশ্রগা লোইরে। মতুংদি, মথোয় অমময়া মশা মশানা অদুম শেমজগ্রগদবনি। শূদ্রনা মশামকপু ব্রাহ্মণ ওইগে, ক্ষত্রিয় ওইজে, বৈশ্য ওইগে হায়বতু অদুম, মাগী স্বভাব (প্রকৃতি) না শেমজগ্রগদবনি। শূদ্রনা বৈশ্যদা ক্ষত্রিয়দা, ব্রাহ্মণদা ওইশিনদে হায়বতু অদুম মরাগ্রগনি। মাগী মাগী বর্ণদগী হুহগে কাথংকে হায়বতু অদুম মরাগ্রগনি। ব্রহ্মাগী মরকায় অমুক লৈত্রে। (কালাচাঁদ)

ততোঽসৌ নিয়মং প্রাপ্তো বর্ণভ্রষ্টো বহিষ্কৃতঃ। ব্রহ্মলোকাৎ পরিভ্রষ্টঃ শূদ্রঃ সমুপজায়তে ॥১২॥
ক্ষত্রিয়ো বা মহাভাগে বৈশ্যো বা ধর্মচারিণি। স্বানি কর্মাণ্যপাহায় শূদ্রকর্ম নিষেবতে ॥১৩॥
স্বস্থানাৎ স পরিভ্রষ্টো বর্ণসংকরতাং গতঃ। ব্রাহ্মণঃ ক্ষত্রিয়ো বৈশ্যঃ শূদ্রত্বং যাতি তাদৃশঃ ॥১৪॥
যস্তু শুদ্ধঃ স্বধর্মেণ জ্ঞানবিজ্ঞানবাঞ্ছুচিঃ। ধর্মজ্ঞো ধর্মনিরতঃ স ধর্মফলমশ্নুতে ॥১৫॥
ইদং চৈবাপরং দেবি ব্রহ্মণা সমুদাহৃতম্। অধ্যাত্মং নৈষ্ঠিকং সদ্ভির্ধর্মকামৈর্নিষেব্যতে ॥১৬॥
উগ্রান্নং গর্হিতং দেবি গণান্নং শ্রাদ্ধসূতকম্। দুষ্টান্নং নৈব ভোক্তব্যং শূদ্রান্নং নৈব কর্হিচিৎ ॥১৭॥
শূদ্রান্নং গর্হিতং দেবি সদা দেবৈর্মহাত্মভিঃ। পিতামহমুখোৎসৃষ্টং প্রমাণমিতি মে মতিঃ ॥১৮॥
শূদ্রান্নেনাবশেষেণ জঠরে যো ম্রিয়েৎ দ্বিজঃ। আহিতাগ্নিস্তথা যজ্বা স শূদ্রগতিভাগ্ ভবেৎ ॥১৯॥
তেন শূদ্রান্নশেষেণ ব্রহ্মস্থানাদপাকৃতঃ। ব্রাহ্মণঃ শূদ্রতামেতি নাস্তি তত্র বিচারণা ॥২০॥

ব্রাহ্মণ জাতিগী মীনা শূদ্রগী কর্ম তৌরুবদগী, মশাগী বর্ণদগী ভ্রষ্ট ওইখিহনা ব্রাহ্মণ জাতি সমাজদগী থাংমদা লৈখি (সমাজদগী হৈদোকখি)। শিরবা তুংদা জীবহনা ব্রহ্মলোকপু কংবহনা, নরকতা মমৈ মহোক মুংনা ভারকই। অহুদগী নাহেং রক্তপা শূদ্রগী যোনিদা চঙহনা জীবহ। শূদ্রগী দেহদা চঙখি ॥১২॥ লাইবক ফবী। পূকচেল চাউবী পার্বতী। ধর্ম খঙবা। ধর্মগী তত্ব খঙনীংবী। ক্ষত্রিয় বৈশ্য জাতিগী মীশু মশা মশাগী কুল ধর্মবু থাদোক্তুনা শূদ্রগী থবক তৌগ্রবদি, মহাক মহাকী জাতি ধর্মদগী ভ্রষ্ট ওইখিহনা বর্ণ সংকর ওইনা পোকখি। বর্ণ সংকর ওইনা শেরবাদ শূদ্রগী মপোক্তা পোকলুই। মহাক মহাকী ধর্মবু থাদোক্তুবদি ব্রাহ্মণ ওইগে ওইসনু, ক্ষত্রিয় ওইগে ওইসনু, বৈশ্য ওইগে ওইসনু, শূদ্র কংহনা শূদ্রগী মপোকতা পোকখি ॥১৩ ১৪॥ বর্ণ ধর্মবু নিয়ম বিধি কায়দনা পালন তৌদুনা, জ্ঞান বিজ্ঞান পূদুনা ভিনবা, বুদ্ধিমান্ ওইবনা থাজনেবা ধর্মগী আচরণগী চপ চাবা অশেংবা মহৈ অমু কংগনি ॥১৫॥ দেবী। পার্বতী। ব্রহ্মাজীনা সিমদু হায়খি :—মাহ্লাদ ধর্মগী তত্ত্ব খঙনীংবা থাজনেবা ধর্ম হায়বদুদু চংনীংবা অশিংবনা আধ্যাত্ম তত্ত্বগী বিচারত তৌদুনা লৈগদবনি ॥১৬॥ দেবী। মতৌংক্রল থাবা, তমখিবা কর্ম তৌগনবা, মীনা পীজবা পোৎ (অন্ন) থক চারোইদৌবনি; কপিঙবা সত্যনাতগী শ্রাদ্ধগী জননা শৌচ ভারিবা (পোকপগী মুম্মাংবা), মরমচৎ কত্তবা, অহুগী শূদ্রগী অন্ন থক চারোইদৌবনি ॥১৭॥ দেবতাশিং অমদি মহাত্মাশিংনা শূদ্রগী অন্নবু ময়াম নিন্দা তৌনৈ। হায়রিবসি ব্রহ্মাজীগী মচৈনদুজনগী থোকখিবা বানি অমুম হায়না ঐনা থাজি ॥১৮॥ মপুক্তা শূদ্রগী অন্নবু পুদুনা শিখিবা দ্বিজ-ব্রাহ্মণ অমুদি, অগ্নিহোত্রী ওইগে ওইসনু, যজ্ঞ লিশিং অমা তৌখিবা ওইসনু, মহাক শূদ্রগী মপোকতা চঙদুনা পোকঙখিগনি ॥১৯॥ পুক্তা শূদ্রগী অন্নগী মথাক থক লৈদোকা ব্রাহ্মণ অমুদি ব্রহ্মলোকতগী থাদোকপা কংহনা শূদ্রত্ব কংখি। হায়রিবা বাকম অসিদা, মথা অমুক [illegible], [illegible] তৌঅগীতা লৈতে ॥২০॥

অন্যায়েনাহৃতান্নেন অভক্ষ্যং যো ম্রিয়েৎ দ্বিজঃ ।
তাংতাংযোনিং ব্রজেৎ বিপ্রো যস্যান্নমুপজীবতি ॥২১॥

ব্রাহ্মণত্বং শুভং প্রাপ্য দুর্লভং যোঽবমন্যতে । অভোজ্যান্নানি চাশ্নাতি সদ্বিজত্বাৎ পতেত্ত বৈ ॥২২॥
সুরাপো ব্রহ্মহা ক্ষুদ্রশ্চৌরো ভগ্নব্রতোঽশুচিঃ । স্বাধ্যায়বর্জ্জিতঃ পাপো লুব্ধো নৈকৃতিকঃ শঠঃ ॥২৩॥
অব্রতী বৃষলী ভর্ত্তা কুণ্ডাশী সোমবিক্রয়ী । নিহীনসেবী বিপ্রো হি পতন্তি ব্রহ্মযোনিতঃ ॥২৪॥
গুরুতল্পী গুরুদ্রোহী গুরুকুৎসারতিশ্চ যঃ । ব্রহ্মবিচ্চাপি পতন্তি ব্রাহ্মণো ব্রহ্মযোনিতঃ ॥২৫॥
এভিস্তু কর্মভির্দেবি শুভৈরাচরিতৈস্তথা । শূদ্রো ব্রাহ্মণতাং যাতি বৈশ্যঃ ক্ষত্রিয়তাং ব্রজেৎ ॥২৬॥
শূদ্রকর্মাণি সর্বাণি যথা ন্যায়ং যথাবিধি । শুশ্রূষাং পরিচর্য্যাং চ জ্যেষ্ঠে বর্ণে প্রযত্নতঃ ॥২৭॥
কুর্য্যাদবিমনাঃ শূদ্রঃ সততং সৎপথে স্থিতঃ দেবদ্বিজাতিসৎকর্ত্তা সর্বাতিথ্যকৃতব্রতঃ ॥২৮॥
ঋতুকালাভিগামীচ নিয়তো নিয়তাশনঃ । চোক্ষশ্চোক্ষজনান্বেষী শেষান্নকৃতভোজনঃ ॥২৯॥

অচুম অচুম ওইবা মীগী অন্নবু পুক্তা পুত্নুনা চৎথিবা (শিথিবা) ব্রাহ্মণ অদু, অদুগা অচুম মীগী যোনিদা চত্ত চত্তুনা পোকই। অচুম অচুম ওইবা জাতিগী অন্ননা জীবিকা ওইতুনা চৎথিবা মী অমাক অদু, অন্নবু পীজবা মী মহাক অদুগী জাতি (যোনি) দা চত্ত চত্তুনা পোকখি ।২১। কাংউমদবা, অতাওবা মপোকপু কলগা, মাহৎবু থোওইদনা চাইদবগী পোৎপু চাবা, ব্রাহ্মণ অদু ব্রাহ্মণত্বদগী ভ্রষ্ট ওইখি, ব্রাহ্মণ ওইখিদ্রে। শিথবসু ব্রাহ্মণ ওইদ ওইদনা অচুম শিথবনি।।২২।। যুথকপা, ব্রহ্মহিংসা তৌবা, তোল্লবা হুবা থবক তৌবা, হুরানবা, ব্রত থুগাইবা, (অকব থবকপু থুদেকপা) অশেং অসাং শঙবা, স্বাধ্যায় তৌদবা, পাপী ওইবা, লোভী ওইবা, মীনম শোরিবা, মরৈ মন্না চাউবা, পুকচেল থোরবা, ব্রত উপাসনা তৌদবা, শূদ্র জাতিগী নুপী লৌবা, কুণ্ডাশী ওইবা (মপুরোয়বা হিংবা লৈতেমক্তদা অতোপ্পা নিপাগী পোকপী নুপীগী মচাগী যুমদা চাক থক্কবা) সোমযজ্ঞ সাইচবা য়োনবা লাপোক্না, হুদবা জাতিগী মীসিংগী থবক তৌরবা ব্রাহ্মণ অদু ব্রাহ্মণত্বদগী ভ্রষ্ট ওই।।২৩-২৪।। গুরুগী (ওঝাগী) শয্যা (কমুং) লৌবা কারনা, গুরুগী নিন্দা তৌবা, গুরুগী দ্রোহী ওইবা, অদুগুম্বা ব্রাহ্মণ অদু ব্রহ্মজ্ঞানী ওইরবসু ব্রাহ্মণত্বদগী ভ্রষ্ট ওই।২৫।। দেবী। পার্বতী। শুভ কর্মবু তৌরবদি, নীংথিবা আচরণ য়াবদগী চৎলবদি শূদ্রসু ব্রাহ্মণত্ববু অচুম ময়াংই। বৈশ্যসু ক্ষত্রিয়সু মথং মথং থাক অচুম কায়খৎখি।২৬।। শূদ্রসু মাহী মথৌ মমাদি ধর্মবু চপ চানা বিধি কায়দনা অচুম পাঙথোক্নুনা লৈগদবনি। অহাংবী মথক থোংবা জাতিগী সেবাবু হুতনা অচুম তৌদুনা লৈগদবনি। মপাগী মথৌগী জীক্ষমদগী খুদৈ নাম লেঙদনা (ব্যস্ত তৌদনা) লৈগদবনি। অরবা, মীসুংগি থওবা লমীয়দা চত্নুনা লৈগদবনি। দেবতাশিং অমাদি ব্রাহ্মণগী সেবা পূজা তৌদুনা লৈগদবনি। অতিথি সেবা মতৌ কনানা তৌদুনা লৈগদবনি। ঋতুকাল হেক হেক লাকপদা লোয়নবীগী মচু পাঙদনা হৌনিঙ্গদবনি।

বৃথা মাংসং ন ভুঞ্জীত শূদ্রো বৈশ্যত্বমৃচ্ছতি। ঋতবাগনহংবাদী নির্দ্বন্দ্বঃ শমকোবিদঃ ॥৩০॥
যজতে নিত্যযজ্ঞৈশ্চ স্বাধ্যায়পরমঃ শুচিঃ। দান্তো ব্রাহ্মণ সৎকর্ত্তা সর্ববর্ণবুভূষক ॥৩১॥
গৃহস্থব্রতমাতিষ্ঠন্ দ্বিকালকৃতভোজনঃ। শেষাশী বিজিতাহারো নিষ্কামো নিরহংবদঃ ॥৩২॥
অগ্নিহোত্রমুপাসংশ্চ জুহ্বনশ্চ যথাবিধি। সর্বাতিথ্যমুপাতিষ্ঠঞ্ছেষান্নকৃতভোজনঃ ॥৩৩॥
ত্রেতাগ্নিমন্ত্রবিহিতো বৈশ্যো ভবতি বৈ দ্বিজঃ। স বৈশ্যঃ ক্ষত্রিয়কুলে শুচৌ মহতি জায়তে ॥৩৪॥
স বৈশ্যঃ ক্ষত্রিয়ো জাতো জন্মপ্রভৃতি সংস্কৃতঃ। উপনীতো ব্রতপরো দ্বিজো ভবতি সংকৃতঃ ॥৩৫॥
দদাতি যজতে যজ্ঞৈঃ সমৃদ্ধৈরাপ্তদক্ষিণৈঃ। অধীত্য স্বর্গমন্বিচ্ছংস্ত্রেতাগ্নিশরণঃ সদা ॥৩৬॥
আর্তহস্তপ্রদো নিত্যং প্রজা ধর্মেণ পালয়ন্। সত্যঃ সত্যানি কুরুতে নিত্যং যঃ সুখদর্শনঃ ॥৩৭॥

নিয়ম নাইনা বিধি কায়দনা চাব থকপা তৌগদবনি। মশামক শুদ্ধ ওইনা শুদ্ধপুরুষশিংগী সৎসঙ্গ তৌগদবনি। অতিথি সৎকার, শৈগৈ লাইচৈ ভাই শেলবু পীজ পীথকপা অদুগা অদেম্বা লেমহৌবদু মশানা চাবা, মাংস ভক্ষণ তৌদবা (শা ভা চাদবা) হায়রিবা নিয়ম ময়াম ভাক্লিবা শূদ্র অদু বৈশ্যগী জন্ম (মপোক) পুক্কৃভি ॥২৭-৩০॥ বৈশ্যনসু সত্যবাদী ওইনা অহংকার য়াওদনা, অনৌথোকপগী রাথস থমদনা, শান্তিতী সধনা তৌনা নৈবা স্বাধ্যায়দা পুক্নীং চঙবা মুমিৎ চুপ্পা পবিত্র ওইনা (ঈশেং শেংনা) লৈবা, অদুগা হোম তরুগা তৌবা হায়বা নিয়মশিং অসচপ চানা অদুম ভাকদোবনি। ইন্দ্রিয় থুদুম চন্দুনা ব্রাহ্মণশিংগী সৎকার তৌদুনা জীব পুম্বগী চাওখৎপত থন্দুনা লৈগদবনি। গৃহস্থাশ্রমগী ধর্মবু নিয়ম বিধি কায়দনা ভাক্লুনা মুমিৎ খুদিং নিয়ম নাইনা ভোজন তৌগদবনি। যজ্ঞ তৌথোকখিবগী মথাক অদুত চাগদবনি। চাবদা চীনহু ও থক থিরোইদোবনি। চানীংঙি হায়দুনা পঙচা চারোইদোবনি। কায়দবা বিষয়গী কামনা থক তৌরোইদোবনি। অহংকার য়াওদনা, বিধি কায়দনা আহুতি তৌগদবনি। লাক্লিবা পুম্বগী সৎকার তৌগদবনি, তরাম তরম্না ওকদবনি। মথোয়বু হায়না পীজপীথক্লগা লেমহৌবদু কোম্না চাগদোবনি। গার্হস্থ্যানচিবা অগ্নি অদুমগী হোমবু মন্ত্র উচ্চারণ তৌদুনা পাঙথোকদোবনি। অমুম্না তৌরবা বৈশ্য অদু দ্বিজ ওইরে। অদুগুম্বা বৈশ্যদু শিরবা তুংবা রাং চাউরবা, চাওখৎলবা ক্ষত্রিয়গী মপোক্তা পোকখি ॥৩১-৩৪॥ ক্ষত্রিয়গী বংশ অমদি পরিবারদা পোকথবা অদুগুম্বা বৈশ্য অদু, হেক পোকপা মুমিত্তগী ক্ষত্রিয়গী হৌনবী সংস্কার পুম্বনা তিন্দুনা উপনয়ন থাগৎলগা বিধি কায়দনা তৌদুনা, খুইগী সম্মান তৌকম থোকপা তৌবা দ্বিজ অমা ওইরকই। দানধর্মনাচিংবা তৌদুনা, দান দক্ষিণা মতীক চানা খৎপা, যজ্ঞ কয়া ভগবানগী শ্রী উগীদমক তৌই। স্বর্গ ফংনবগী ইচ্ছাদা বেদ অধ্যয়ন তৌদুনা, য়ারবা চানিংঙাবা শত্রুশিংগী মখুং থোক্লা কপায উপায় তৌদুনা, ধর্ম কায়দনা ভাক-শেম্দুনা য়োকই। অদুগুম্বা ক্ষত্রিয় নিংথৌবু উজরগা প্রজা পুম্নমক্কী মায়থোং মনাক্নাম্না নুংঙাইবা পোক্লিবা ক্ষত্রিয় অদু খুইদগী শেংলবা ক্ষত্রিয় হায়বদুমক ওই ॥৩৫-৩৭॥

ধর্মদণ্ডেন নির্দণ্ডো ধর্মকার্যানুশাসকঃ। যন্ত্রিতঃ কার্যং করণৈ যড্‌ভাগকৃত লক্ষণঃ ॥৩৮॥

গ্রাম্যধর্ম্মং ন সেবেত স্বচ্ছন্দেনার্থকোবিদঃ। ঋতুকালেতু ধর্মাত্মা পত্নী মুপশয়েৎ সদা ॥৩৯॥

সদোপবাসী নিয়তঃ স্বাধ্যায়নিরতঃ শুচিঃ। বহিষ্কান্তরিতে নিত্যং শয়ানোঽগ্নিগৃহে সদা।৪০॥

সর্বাতিথ্যং ত্রিবর্গস্থ কুর্বাণঃ সুমনাঃ সদা। শূদ্রাণাং চান্নকামানাং নিত্যং সিদ্ধমিতি ব্রুবন্ ॥৪১॥

অর্থাদ্বা যদি বা কামান্ন কিঞ্চিদুপলক্ষয়েৎ। পিতৃদেবা তিথিকৃতে সাধনং কুরুতে চয়ঃ ॥৪২॥

স্ব বেশ্মনি যথান্যায়মুপাস্তে ভৈক্ষ্যমেবচ।
ত্রিকালসংগ্ন হোত্রং চ জুহ্বানো বৈ যথা বিধি ॥৪৩॥
গোব্রাহ্মণহিতার্থায় রণে চাভিমুখোহতঃ।
ত্রেতাগ্নি মন্ত্রপূতাত্মা সমাবিশ্য দ্বিজো ভবেৎ ॥৪৪॥

ধর্ম কাংদনা, মীচঙ মীখাই নাইদনা অরানবব্ দণ্ড (দণ্ডি) পীদুনা, প্রজাশিংদা ধর্ম কাদেনা পুনশি লেন্নবা পাউতাক তবনা পীদুনা লৈগদবনি। নিয়ম কায়দনা নিংথৌগী মথোদা পুক্নীং চঙদুনা লৈগদবনি। প্রজা খুদমক্কী চাথে ভুগী শরুক তরুক্কী শরুক অমমমদগী হেক্না কোইপোৎ (খাজনা) থক লৌরোই-দৌবনি ॥৩৮॥ রাজধর্ম খঙবা ক্ষত্রিয় নিংথৌনা, কা হেন্না গ্রাম্য ধর্মদা (মুপী নহাগা শন্ন খোৎনবা থবক্তা) পুক্নীং চঙকদে। ঋতু পালন তৌববদগী হেন্না স্ত্রীসঙ্গ তৌরোইদৌবনি ॥৩৯॥ মতম পুম্নমা উপবাসগী নিয়ম ভাক্কদবনি হায়বদি, একাদশী ব্রতনচবা নিয়ম নাইনা ভাকদৌবনি। নোংমদা অনীরক্কী তেক্কা ভোজন তৌরোইদৌবনি। মরক্তা করিগুম্বা অমত চারোইদৌবনি। বেদ শাস্ত্রগী শ্রবণ অধ্যয়নদা পুক্নীং চংগদবনি। ফুমিৎ থুদিংগী নিয়ম নাইনা অগ্নিশালা (যজ্ঞ শালা) দা কুশগী কক থক্তা যাওন যাতানা লৈগদবনি ॥৪০॥ ক্ষত্রিয়না হরাও হরাওনা, মাযথোং মকা রান্না, অরাকপা মথৈগী আতিথ্য সেবা তৌদুনা ধর্ম অর্থ কামগী থবক্তা বিধি কাযদনা লৈগদবনি। অদুগুম্বা ক্ষত্রিয় (ক্ষত্রিয় নিংথৌ) গী মকমদা, করিগুম্বা অমা চানীং থরক্লিংদুনা, লাক্লবা শূদ্র অমনা অন্ন ভিক্ষা তৌরবদি, নংগী দমক চাননবগী থৌরাং তৌদুনা লৈরবনি চাঙ চারু অসুম হায়দনা হরাওনা থুম্বিগদবনি ॥৪১॥ মশাগী ওইজবা, কেথোকপা অপাম্বা অমদি মীতোপ্পা উৎনীংবগী করিগুম্বা পোৎ অমতা থেন্দুনা থম্মোইদৌবনি। পিতৃলোককী দেবতাশিংগী অমদি অতিথিশিংগী দমক্তা পোচ্চে পুম্বা থেন্দুনা থম্লিবা ক্ষত্রিয় নিংথৌ অদু শ্রেষ্ঠ ক্ষত্রিয়নি খাইদগা হেনবা ক্ষত্রিয়নি ॥৪২॥ ক্ষত্রিয়না মাগী ময়ুমতদা ভিক্ষা তৌগদবনি (চাগদবনি)। অতোপ্পগীদ. নিক্ত খোংলুদুনা চাবা য়াদে। মতম অহুম (প্রাতঃ মধ্যাহ্ন সন্ধ্যা) দা অগ্নিদা চেঙ থোইদিং থীনজিংবনা হোম তৌগদবনি ॥৪৩॥ অসিগুম্বা পবিত্র ওইরবা নিত্য কর্ম অসিদা পুক্নীং চঙনা হোমনচিংব তৌরগা, করিগুম্বদা গোব্রাহ্মণনচিংবগী হাক্কবদা (কন্নব হোৎনবদ) লালফমদা মথায় থাযরবা ক্ষত্রিয় অমদি ক্ষত্রিয় নিংথৌ অদুনী আত্মাদু ব্রাহ্মণগী মেহুদা চঙথি। ব্রাহ্মণ ওইনা পোকলুই ॥৪৪॥

জ্ঞানবিজ্ঞান সম্পন্নঃ সংস্কৃতো বেদ পারগঃ। বিপ্রো ভবতি ধর্মাত্মা ক্ষত্রিয়ঃ স্বেন কর্মণা ॥৪৪॥
এতৈঃ কর্ম ফলৈর্দেবি ন্যূনজাতি কুলোদ্ভবঃ। শূদ্রোহপ্যাগম সম্পন্নো দ্বিজো ভবতি সংস্কৃতঃ ॥৪৬॥
ব্রাহ্মণো বাপ্যসদ্বৃত্তঃ সর্ব সংকর ভোজনঃ। ব্রাহ্মণ্যং স সমুৎসৃজ্য শূদ্রো ভবতি তাদৃশঃ ॥৪৭॥

মতৌ অসুম ভৌনা ধর্মাত্মা ওইরবা ক্ষত্রিয় অহুনা, অতোপ্পা মপোক্তা (হয়েংমুক্কী হেক থংনবা মপোক্ত) জ্ঞানবিজ্ঞাননা তিল্লবা, নহানমুক্কী মপোক্কী সংস্কার লোযনরকপা, বেদ শাস্ত্র পুম্নমক্কী পারংতপ (রাংম লানপ্নরা) ওইবা বিদ্বান্ ব্রাহ্মণ অম ওইনা পোকই ॥৪৫॥ দেবী। পার্বতী। অহুনা, মানা মানা ভৌথিবা কর্মফলগী প্রভাব অহুনা, য়াম্ন হন্থরবা শূদ্রগী জাতিদা পোক্লরবা মহাক অহুসু, শাস্ত্র জ্ঞাননা চঙথোক্লবা, সংস্কারন তিল্লবা ব্রাহ্মণ ওইনা পোক্লে ॥৪৬॥ ব্রাহ্মণসু (ব্রাহ্মণগী মপোক্ত পোক্লররসু) দুশাচারী ওইরক্লুনা, চাহে চাহেদবা য়েংদনা, ব্রাহ্মণগী মথৌ থাদোক্লবদি, হন্দক্কী মপোক্তা অমতা শূদ্র ওইনা চংগ্রকনিনা আঙ্খাহু শূদ্রগী মহুদা চঙখি। শূদ্র ওইনা পোকখি * ॥৪৭॥

---

* টীকা :—হায় হায়গী মপোক্তা অসুবা কম ভাক্ত ভৌরকপগী মহৈনা বৈশ্য শূদ্রনচিংবগী মপোক্কগী নাম্নোয়ক্লুনা জীবসিনা ব্রাহ্মণগী মহুদা চঙঙক্লুনা, ব্রাহ্মণ ওইনা পোক্লরগা ব্রাহ্মণগী মথৌ থাদোক্লরিবা, থাদোক্লোতলক্রিবসিনা কমায়দগীনো, করিনো হায়না হংনিং খঙনতলক্রবা মতমদা, গীতানা "গহনা কর্মণো গতিঃ" হায়বা প্রত্যক্ষ প্রমাণ অসি পীরি। হকচুংদা পীক্লবা শিংলিগী, মশক উদমথৈ পূবা পীক্লবা মথুন্দা (মরিসদা) ঈগী ঈচেল্ল চেনবগুম কর্মগী গতি (ঈচেলন না হকচাংদগী হকচাংদা, মথং মথং, অমুক অপনবা য়াওদনা চেন্নমল্লি। গতি অহুম অসি, অমনা "সাত্বকী গতি", অমনা রাজসিক অমনা "তামসিকী গতি" কৌই। যাগযজ্ঞ দান ধর্ম, বেদা ধ্যয়ননচিংবা মপান্দ য়েংবদা অকবা ওইবা কম ভাক্ত ভৌরবসু, হায়রিবা গতি অহুনসিগী মনুংদা অমদি অহুম চঙখি। মিংচং কংনিংবদগী, অচাউরম কানীংবদগী কাম্নবা মিংথোল, উপাধি কংনিংবদগী, মীথোই মীহেল্লীংদুনা, মাবুদি এনা হেক্লে হায়রকপদগী হায়বদি, শম্না হায়রবদা জীব অহুনা অহংকারনা (তমো গুণগী তামসিক প্রতিমা) কুপথিহুনা ভৌরবদি মাহুগী ঈচেল অহু পাক থর্কখিবা য়াদবনিনা হন্দক্কী মপোক্তা ব্রাহ্মণ ওইনা পোক্লরবসু তমোগুণ (অমম্বা শঙথবা গুণ) অহুনা মথৌ অহু কাউথোকহল্লকই। শেরাল্লবা কর্ম ভৌনিংঙকই। বৈশ্য শূদ্রগী কর্ম ভৌনিংঙকই। বেদশাস্ত্রনচিংবা তমলিং শঙনিংঙক্তে। মতাং অদি ভৌনিব্রকপদা ব্রাহ্মণ ওইনা পোক্লবা জীব অদিনা থনবম থোকপদি এ (জীব) অসি মহাক্লমুক্কী মপোক্লা মপান্দা য়েংব উবদা অকবা কর্মভাক্ত ভৌথিব লৈরবসু মনুং মনুংদা তমো গুণগী গতি চঙগ্রথোক্লে হায়বনা অসিনি। মতাং অসিদা মপানা মপাবু হায়কচনুনা থাদোকখিবা অকবা কর্মমসু অমুক পায়খোং ৱদবনি। মৱবৃদি, হয়েংমুক্কী মচাক্তা শূদ্রগী মপোক্তা অমুক হায়খিদনি ॥ (মহাভারত)

কর্মভিঃ শুচিভির্দেবি শুদ্ধাত্মা বিজিতেন্দ্রিয়ঃ।
শূদ্রোঽপি দ্বিজবৎ সেব্য ইতি ব্রহ্মাব্রবীৎ স্বয়ম্ ॥৪৮॥
স্বভাবঃ কর্ম চ শুভং যত্র শূদ্রেঽপি তিষ্ঠতি। বিশিষ্টঃ স দ্বিজাতের্বৈ বিজ্ঞেয় ইতি মে মতিঃ ॥৪৯॥
ন যোনির্নাপি সংস্কারো ন শ্রুতং ন চ সন্ততিঃ। কারণানি দ্বিজত্বস্য বৃত্তমেব তু কারণম্ ॥৫০॥
সর্বোঽয়ং ব্রাহ্মণো লোকে বৃত্তেন তু বিধীয়তে। বৃত্তে স্থিতস্তু শূদ্রোঽপি ব্রাহ্মণত্বং নিযচ্ছতি ॥৫১॥
ব্রাহ্মঃ স্বভাবঃ সুশ্রোণি সমঃ সর্বত্র মে মতিঃ। নির্গুণং নির্মলং ব্রহ্ম যত্র তিষ্ঠতি স দ্বিজঃ ॥৫২॥
যে তে যোনিফলা দেবি স্থানভাগনিদর্শকাঃ।
স্বয়ং চ বরদেনোক্তা ব্রহ্মণা সৃজতা প্রজাঃ ॥৫৩॥
ব্রাহ্মণোঽপি মহৎ ক্ষেত্রং লোকে চরতি পাদবৎ।
যৎ তত্র বীজং বপতি সা কৃষিঃ প্রেত্য ভাবিনি ৫৪।

দেবী। পার্বতী! শূদ্র ওইরবসু, মসুং মপাল পূমশেংনা ইন্দ্রিয় খুহুম চম্না অকব কর্মত তৌরবদি দ্বিজ (ব্রাহ্মণ ক্ষত্রিয় বৈশ্য) মকী মতৌগুম্না লোক সমাজনা মাবু সম্মান তৌবদগীসু হেন্না সেবা পূজা কাওবা তৌননীঙায় মীশক ওইরকই। হায়রিবসি, ব্রহ্মাজীনা হায়রম্বত নত্তনা, হৌজিকসু অহুম মউনরি ॥৪৮॥ ঐগী মতদ, পার্বতী। অকবা কর্মতবু তৌরবদি, দ্বিজ (দ্বিজাতি) মক্না তৌবা ঙমদবা থবক কাওবা তৌশিল্লক্রবা শূদ্রহু ব্রাহ্মণ ক্ষত্রিয় কাওবগী মথক থো প্রে ॥৪৯॥ ব্রাহ্মণ নত্তনা ব্রাহ্মণত্ববু ফংবগা মপোক, সংস্কার, জাত শাস্ত্র জ্ঞান, শাগৈ জাৎ লম্পুমগা করিমত মরম লৈনদে। সদাচার মানা ফমচৎ ব্যবহার অহুতনা ব্রাহ্মণত্বগী হেতু কারণ ওই ॥৫০॥ লোকসমাজদসু সদাচার (পূক্চেল শেংনা তৌথোরকপা কর্ম) অহুতনা রাংলবা পদবীদা কাথংনরকপনি। সদাচারী ওইবা শূদ্রহু ব্রাহ্মণত্ববু ফংবা ঙম্মি ॥৫১॥ নীংথিজবী! তীংদা যংতা ফজবী! পার্বতী! ধর্মগী তত্ত্ব খঙনীংবী! ব্রহ্মাগী স্বভাব ব্রহ্মত্ব হায়বসে মফম পুম্নমক্তা লৈবনি। সর্বব্যাপকনি। ব্রাহ্মণ ক্ষত্রিয় বৈশ্য শূদ্রগীত নত্তনা অচচ্চত্তগী দেহ খুদংমক্তা লৈবনি। অহুনা শূদ্র ওটরিবতুগী থম্মোয়দা নির্গুণ নির্মল (মক্রুবা) ওইবা জ্ঞান (ব্রহ্মজ্ঞান) লৈরবদি, মহাক অরো শূদ্র নত্তে। থাজৈশেংবমক ব্রাহ্মণ মাসি, ঐগী বিচারনা ফংবা মতনি ॥৫২॥ অহুনা, দেবী! পোক্রবিরা মপোকশিং অসে, মানা মানা নহালমুক্কী মপোক্তা তৌথিবা কর্মশিং অহুগী মহৈনা ঙাক্তনি। প্রজাবু শেমলি ৺তমদা প্রজাপতি ব্রহ্মামক্না হায়খিবা রানি ॥৫৩॥ ঈবেন্মা! পার্বতী! ব্রাহ্মণ হায়বসে, সংসার অসিদা পাক চাউরবা ক্ষেত্র অমনি। অতৈ অতৈ ক্ষেত্রশিংদগী য়াম্না হেনগ্রবা ক্ষেত্র অমনি। চুম্নগী লৌবুক লম্পাংগুম্বা ক্ষেত্র নত্তে। মখোঙ পায় চৎপা ক্ষেত্র জাৎ অমনি। অসিগুম্বা, হায়রিবা ক্ষেত্র অসিদা হুনখিবা থাখিবা মরু অহুদি অরেম্বদা থক মাঙদে। হয়েংমুক্কী জীবিকা ওইননবা চাথোক কৌথোক পীবা ক্ষেত্রনি ॥৫৪॥

বিঘসাশিনা সদা ভাব্যং সৎপথালম্বিনা তথা। ব্রাহ্মং হি মার্গমাক্রম্য বর্ত্তিতব্যং বুভূষতা ॥৫৫॥
সংহিতাধ্যায়িনা ভাব্যং গৃহে বৈ গৃহমেধিনা। নিত্যং স্বাধ্যায়িনা ভাব্যং ন চাধ্যয়ন জীবিনা ॥৫৬॥
এবং ভূতো হি যো বিপ্রঃ সৎপথং সৎপথে স্থিতঃ। আহিতাগ্নিরধীয়ানো ব্রহ্মভূয়ায় কল্পতে ॥৫৭॥
ব্রাহ্মণ্যং দেবি সম্প্রাপ্য রক্ষিতব্যং যতাত্মনা। যোনিপ্রতিগ্রহদানৈঃ কর্মভিশ্চ শুচিস্মিতে ॥৫৮॥
এতত্তে গুহ্যমাখ্যাতং যথা শূদ্রো ভবেৎ দ্বিজঃ। ব্রাহ্মণো বা চ্যুতো ধর্মাৎ যথা শূদ্রত্বমাপ্নুতে ॥৫৯॥

ইতি মহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যামনুশাসনপর্বণি দানধর্মপর্বণি
উমামহেশ্বর সংবাদে ত্রিচত্বারিংশদধিকশততমোঽধ্যায়ঃ ॥ × ॥ × ॥

—:(*):—

অহুনা, জগৎকী মঙ্গল ওইবা পাওথোকনীংবা ব্রাহ্মণনা তৌগদবদি সজ্জনশিংনা চৎনখিবা লম্বীদা চত্নুনা বেদশাস্ত্র নীংথিনা অধ্যাপন (তম্বা-তম্বিবা) তৌহুনা দান ধর্ম অতিথি সেবাবু তত্ত্ব খঙনা তৌহুনা, মচা মনাইশিংবু হায় পীজ পীথক্লগা, লেমহৌবত্থ মশানা চাবা অসিনচিংবাসনি। বেদগী বিধি কায়বা থবক অমত তৌরোইদৌবনি ॥৫৫॥ গৃহস্থাশ্রমদা লৈবা ব্রাহ্মণনা বেদ সংহিতাগী পাঠ, বেদ শাস্ত্রগী অধ্যয়ন অধ্যাপনবু নিত্য কর্ম ওইনা তৌহুনা লৈগদবনি। মহুদা দান দক্ষিণাতনা জীবিকা ওইহুনা লৈগদৌবনি ॥৫৬॥ অসুম্না, ব্রাহ্মণগী মপোক্তা লাক্লবা মী মহাক অহুনা, ব্রাহ্মণগী হৌনবা ধর্ম কর্মত তৌহুনা লৈরবদি যাগযজ্ঞবু বিধি কায়দনা তৌহুনা তৌহন্নুনা লৈরবদি ব্রাহ্মণ ওইবত নত্তনা ব্রহ্মভাবপু ফংঙি ॥৫৭॥ দেবী! পার্বতী! মীনোক কজবী! মী খুদিংমক্তা তৌগদবদি, হায়রিবা ব্রহ্মভাব (ব্রহ্মভূয়) অসিবু ফংলনবা, অহানবদা ব্রাহ্মণত্ববু ফংলগা পূক্নীং (মেন) গা থানা ইন্দ্রিয় পুম্নমক থুত্নম চন্দুনা দান লৌবা পীবগী তত্ত্ববু পূক্নীং শেংনা সৎকর্ম তৌনা তৌনা পাওথোকদৌবনি ॥৫৮॥ চীঙনিংথৌগী মচানুপী! শূদ্রনা অকবা বর্ণগী পাম্বৈনা মপেংকসিদা ব্রাহ্মণত্ববু অহুম মকংবা অদুগা ব্রাহ্মণনা মথো নত্তবা হন্নবা কমা তৌরগা শূদ্রত্ববু অহুম মকংবগী তত্ত্ব খিবিক নঙোন্দা জীরবনি।

মফম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোক লিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা অনুশাসন পর্বদা দানধর্মগী মতাংদা উমা মহেশ্বর সংবাদগী চামনিফুহমদোইশুবা অধ্যায় লোইরে ॥ × ॥ × ॥

—:(*):—

মণিপুরা মহাভারত

চতুশ্চত্বারিংশদধিকশততমোঽধ্যায়ঃ

(বন্ধন-মুক্তি (ফাজিনবা-নাম্বোকপা), স্বর্গ নরক, দীর্ঘায়ু অল্পায়ু (পুনশি শাংবা তেনবা) ওইহনবা য়াবা হকচাং ৱাহৈ কর্ম্মগী তত্ত্ব তাকপা)

চামনিফুমরিশুবা অধ্যায়ঃ

—:(*):—

উমোবাচ

ভগবন্ সর্বভূতেশ দেবাসুর নমস্কৃত। ধর্মাধর্মৌ নৃণাং দেবব্রূহিমেহ সংশয়ং বিভো ॥১॥

কর্মণা মনসা বাচা ত্রিবিধং হিনরঃ সদা। বধ্যতে বন্ধনৈঃ পাশৈর্মুচ্যতেহ প্যথবা পুনঃ ॥২॥

কেন শীলেন বৃত্তেন কর্মণা কীদৃশেনবা। সমাচারৈগুণৈ কৈর্বা স্বর্গং যান্তীহ মানবাঃ ॥৩॥

শ্রীমহেশ্বর উবাচ

দেবি ধর্মার্থ তত্ত্বজ্ঞে ধর্মনিত্যে দমে রতে। সর্বপ্রাণিহিতঃ প্রশ্নঃ শ্রূয়তাং বুদ্ধিবর্দ্ধনঃ ॥৪॥

উমানা হংঙি :—ভগবন্। ভূতপ্রেত পুম্নমক্কী মবুঙো। লাই হিংচাব পুম্নমক্না খুরুম্নরিবা! ধর্ম অধর্ম অনাগী স্বরূপ (মওং) অসে, তোঙাল তোঙ্গনা অমুক্ত তাকপিয়ু। মাসিগী মরমদা ঐগী ওন্থোক্না চিংনবা অমা লৈরে! চিংনবসে অমুক্ত কোকহনবিয়ু ॥১॥ তাইবং মী হায়বসিনা, পূক্নীংনা ৱাঙাং ৱাহৈনা থবক্না অহুমসিনা মশানা মশাবু ফাজিনহ্নরি। অহুগা অমুকসু বন্ধনশিংসিদগী (ফাজিনবসিদগী) নাম্বোকলি ॥২॥ প্রভু! দেবদেব! করম্ব লমচৎ শাজৎ ব্যবহারনা, করম্বা জীবিকা মরেম্না, করি করম্বা কর্ম তৌবনা, অহুগা করম করম্বা গুণ কর্ম তান্নবা তৌবনা তাইবং মীওইবনা মশানা মশাবু ফাজিনবগে? অহুগা অমুক করি করি করি উপায়না বন্ধন (ফাজিনবা) অহুদগী মুক্ত (নাম্বোকখিবা) হায়বহু ওইবগে? ॥৩॥ শ্রীমহেশ্বরনা হায় :—ধর্মগী তত্ত্ববু শঙনীংবী। খঙবী! পার্বতী! ইন্দ্রিয় থুহম চম্নুনা ধর্ম তত্ত্ববু খিনিংবী! নংনা ঙসি হংলিবসে, নখগুগীত নত্তনা অচচ্চত্ত প্রানী (জীব) পুম্নমক্কী কান্নবা ৱানি। তাও, হায়গে ॥৪॥

সত্যধর্মরতাঃ সন্তঃ সর্বসঙ্গবিবর্জিতাঃ।
ধর্মলব্ধার্থ ভুঞ্জানাস্তে নরাঃ স্বর্গগামিনঃ ॥॥

ধর্ম কায়দনা, কনাগুম্ব অমগী মকমদা অরা অনা পীরমদনা তাম্লকপা কঞ্জরকপা থন (লল) অহুনা জীবিকা ওইরিবা, কবিগুম্বা আশ্রম অমদি সম্প্রদায়দা য়াওবগী লিঙ্গ (খুদম) পুনবা মানা মাবা তৌগদবা অচুম্ব অহুত্তদা লৈবা, অহুগুম্বা মহাক অহু স্বর্গ কায় * ॥॥

---

* টীকা :—করিগুম্বা আশ্রম (ব্রহ্মচর্য্য, গার্হস্থ্য, বানপ্রস্থ, সন্ন্যাস) অমদা লৈ হায়বহু উংনীংবদগী, ময়ামদা খঙহন্নীংবদগী চন্দন মথিন তোঙাগ তোঙানবা, মচু মচুগী কীজেৎ মশেৎ তোঙাস তোঙানবা, পায়রিবা চৈগু, খুজাইশিং অহুগীসু তোঙানবা মওংদা, অসিতসু নত্তনা লু কোকথোকপা, মশময়োম য়োকপা জটা পুবা. অসিনচিংবা তোঙাল তোঙানবা খুদমশিং অসি লিঙ্গ (খুদম) কৌই। মীভোন্দা, লোক সমাসদা "ঐ অহুনি" হায়না খঙহন্নীংবসিনক য়াথনসিমক মশানা অহুম মরানজরে। হায়রিবা লিঙ্গশিং অসিদি আত্মাদদি শূকশোক শোক্তে। লিঙ্গ ময়াম অসি, শরীর ওারুগী মপৈ হকচাংসিদা থোন-জিল্লগা অমুকসু নির্লিপ ওইবা নিরঞ্জন (মচু শঙবা য়াদবা) নিরাকার (মচু মওং অমতগা সম্বন্ধ থনদবা) আত্মাহুগী তত্ত্ববুসু থিগে হায়না হোৎনরিবসিমক, মুর খহুরুরবদি, নোকনীংবা, অম পোককম থোকই। অহুগা অমনা করিনো হায়বদা, পৃথিবীদা লৈরিবা মাগী মাগী সম্প্রদায়গী সাধকশিংনা তৌরিবা শেৎলি চারিবা খুদমশিং অসি মচু মওংদা অমত মায়ঙে। মাগী মাগীনা খাইদগী অচুম্বনি। হায়না খল্লি। খাইদগী অচুম্বা লিঙ্গ (খুদম সিম্বোল) দি করম্বা হায়বহুমা তাইবং মীনা লেপ্পবা ওম্বরোই। অহুনদি, হায়রিবা. মানা মানা থোকপা করনাশিংগী অঙ্গাল অসিদা ঈয়াও য়াওরুদনা, পোকনরিবা, মকম্ মতম অহুদা লৈরম্বা মীশিং অহুনা তৌরিবা কীজেৎ চাকচাহুদা অহুম লৈনা, অচুম্বা য়াথহুদা, মথক্কা মহেশ্বরনা পার্বতীদা তাকলিবা নিয়মশিং অহু ভাক্লনা লৈবশিং অহুত্তনা স্বর্গ কায় হায়বসিদা করিমত্তা চিংনক্কম লৈরবনি। তোঙাল-তোঙানবা লিঙ্গবু ভৌতিক দেহসিদা খোমজিন্নবা চৎলিবা আত্মাহু স্বর্গ য়াম্বদরা, নরকরোমদরা খঙ্গরবনি। লৈহৌরিবশিংনা ঈপাহু ঈচাহু মরূপ অহু স্বর্গতি ওইরে, স্বর্গ কারে হায়না হায়নরিবসি ভাবতনা দবাল শাবনি লৈংিগৈ হিংলিগৈ মতমদদি স্বর্গ কানবা থবক্তি অমত্তসু তৌরমদে, অহোইনহুম নরক ভানবা থবকত য়তৌরম্লি। লৈহৌবা ঐখোয়না ভাবত্তনা, স্বর্গ কংরে, বৃন্দাবন প্রাপ্তি ওইরে, ব্রহ্মদা তিনরে, মুক্তি কংরে হায়হুনা কন কন চোংবনা করিমত্ত ওইরোই। মহাপাপী অম ওইনা চৎখ্রবা আত্মা (অনাত্মা) অহুনা হুন্দোক্রবা হকচাংগী শরীর মচেৎ অমবু চাদথোক্লগা চন্দন বিনুজিনরিবগা, লৈ-শূ থীকথরগা মুংজাইরিবা কপ্পরিবসি, অঙাংনা শাররগুবনি ॥ (কালাচাঁদ)

নাধর্মেণ নধর্মেণ বধ্যন্তে ছিন্নসংশয়াঃ। প্রলয়োৎ পত্তিতত্ত্বজ্ঞাঃ সর্বজ্ঞাঃ সর্বদর্শিনঃ ॥৬॥
বীতরাগা বিমুচ্যন্তে পুরুষাঃ কর্মবন্ধনৈঃ। কর্মণা মনসা বাচা যেন হিংসন্তি কিঞ্চন ॥৭॥
যেন সজ্জন্তি কস্মিংশ্চিৎ তেনবধ্যন্তি কর্মভিঃ। প্রাণাতিপাতাৎ বিরতাঃ শীলবন্তোদয়ান্বিতাঃ ॥৮॥
তুল্যদ্বেষপ্রিয়া দান্তা মুচ্যন্তে কর্মবন্ধনৈঃ। সর্বভূতদয়াবন্তো বিশ্বাস্যাঃ সর্বজন্তুষু ॥৯॥

চিংনবা পুম্নমক কোকপ্রবা, পোকপ-শিবগী (সৃষ্টি প্রলয়গী) তত্ত্ব মুন্না খঙলবা, করিগুম্বা তাইবংগী খুৎশেম (প্রভাব) লিজ অমত পুদবা, অদুগুম্বা মহাত্মা অদুবু লৌকিক সম্প্রাদায়িক ধর্মনসু কাজিন্দে, অধর্মনসু কাজিন্দে * ।৬॥ পুরুষিংনা, রাগ্তাংনা থবক্তা করিগুম্বা অমতনা করিগুম্বা কনাগুম্বা অমতগী মকমদা হিংসা তৌদবা সংসারগী করিগুম্বা অনিত্য ওইবা পোৎশক অমদা কাহেন্না আসক্তি থমদবা, অদুগুম্বা মহাক অদু বন্ধন (কাজিনবা) পুম্নমক্কী মুক্ত ওই (লাম্বোকই)। মুক্তি পাদবী ফংই ॥৭॥ সংসারগী করিগুম্বা অউব উদবা অনিত্য ওইবা পোৎ অমদা আসক্তি থমদবা (কা হেন্না আসক্তি থমদবা পামশিন্দবা) করিগুম্বা জীব পানবা অমগী মকমদা হিংসা তৌগে (হাংকে তুপকে। থন্দবা, জীব পানবা খুদিংমক্তা থৌজালগী মীৎয়েংনা য়েংবা, থৌজাল হৈবা লমচৎ ব্যবহারদা ঈচম চম্বা অদুগুম্বা মীশক্তু কর্মনা বন্ধন তৌদে। কর্মদগী মুক্ত ওইপ্রবনি। অদুগুম্বা মীগী মকমদা মাসিনা ঐগী মরুপনি, মাসিনা ঐগী য়েরুবনি হায়বা লৈতে। য়েরুবা মরুপ অনীমক মতোন্দা চপ মান্নবা, খেন্নদনা লৈ। অদুগুম্বা মীশক অদুমা কর্ম বন্ধনদগী মুক্ত ওইপ্রবনি ॥৮॥ জীব পানব পুম্নমকপু উরগা পওতুংতে মুংশিবা জীব পানবা খুদিংমক্তা মাগী চঙ্ঙ্ চৎলুবদা করিমতা চিংনবা লৈতবা করিমত তৌবিরক্লোই হায়না থাজপ্রবা (খুইগী বিশ্বাসপাত্র ওইপ্রবা) অদুগুম্বা মী মহাক অদুমা শোয়দনা স্বর্গ কায়বগুম্বনি ॥৯॥

* টীকা ঃ—কাবু কাজিন্নবদি, কাজিনবগী কাজিনবা আজ্ঞানি। ধর্মনা কাজিনবসু কাজিনবা, অধর্মনা কাজিনবসু কাজিনবা চপ মান্নে। কনাগুম্ববু ব্রহ্মচর্য্যাশ্রমগী ধর্মগী নিয়মনা কাজিন্নি। কনাগুম্বা অমবু গৃহস্থাশ্রমগী নিয়মনা কাজিন্নি। কনাগুম্ব অমবু সন্ন্যাসাশ্রমগী নিয়মনা কাজিন্নি। অমনা খঙদে, কাজিন্নিবমথৈ নাম্বোকপা (মুক্তি) হায়বসু লৈতে। অদুনা মহাদেবনা পার্বতীদা হায়রিবা ধর্মনা কাজিনবসু কাজিনবা, অধর্মনা কাজিনবসু কাজিনবা অজ্ঞানি। অসিগনি। কনাগুম্বগী জ্ঞানবু দ্বৈতবাদগী যুক্তিনা কাজিন্নি। কনাগুম্বগী জ্ঞানবু অদ্বৈতবাদগী যুক্তি (বাদ) না কাজিন্নি। কাজিনবা মখোল মখোয়না অমনা অমদা নাম্বোকপবা (মুক্তি কংননবা জ্ঞান তাকরি ধর্ম প্রচার তৌনরি। মখামক কাজিন্নিবা অমনা, অমদা কাজিনবদগী নাম্বোকপা জ্ঞান তাকপসি মীত্তংঙবা অমনা মীতাওয়া অমবু মখুৎ পায়দুনা লমজিংগে হোংননবনি। অনীমক কামদা পুখ্যমরগনি। বিষ্ণুনা বৈষ্ণব ধর্ম লিংখৎপা নত্তে। শক্তি দেবী শাক্ত ধর্ম লিংখৎপা নত্তে বুদ্ধনা বৌদ্ধ ধর্ম লিংখৎপা নত্তে। মাগী মাগী খুৎশেম্না লিংখৎনরগা পঙ্গয়েত্ত রেৎনবনি। অপঙবা ফুদোক্রবনি ॥ (কালাচাঁদ)

ত্যক্তহিংসা সমাচারাস্তে নরাঃ স্বর্গগামিনঃ। পরস্বে নির্মমানিত্যং পরদারাবিবর্জকাঃ ॥১০॥
ধর্মলব্ধান্নভোক্তারস্তে নরাঃ স্বর্গ গামিনঃ। মাতৃবৎ স্বসৃবচ্চৈব নিত্যং দুহিতৃবচ্চ যে ॥১১॥
পরদারেষু বর্ত্তন্তে তে নরাঃ স্বর্গগামিনঃ। স্তৈন্যান্নিবৃত্তাঃ সততং সন্তুষ্টাঃ স্বধনেন চ ॥১২॥
স্বভাবগ্যান্যু পজীবন্তি তে নরা স্বর্গগামিনঃ। স্বদারানিরতা যে চ ঋতুকালাভিগামিনঃ ॥১৩॥
অগ্রাম্যসুখভোগাশ্চ তে নরাঃ স্বর্গগামিনঃ।
পরদারেষু যে নিত্যং চরিত্রাবৃত লোচনাঃ ॥১৪॥
জিতেন্দ্রিয়াঃ শীলপরাস্তে নরাঃ স্বর্গগামিনঃ।
এষ দেবকৃতো মার্গঃ সেবিতব্যঃ সদা নরৈঃ ॥১৫॥

করিগুম্বা কনাগুম্বা অমগী মরল মথুমদা অপাম্বা মিহৌবা পোক্রবা, অতোপ্পা মুপীদা হরা য়েংডুদবা, ধর্ম কায়দনা তান্নকপা পোৎশক অহুতনা মাগী জীবিকা ওইবা মহাক অহুমা স্বর্গ কারবগুম্বনি ॥১০॥ অতোপ্পগী (মীগী) মুপীবু মমাগুম, মচল-মচেগুম, পৃথিবী মাতামক্তম খল্দুনা ব্যবহার তৌরিবা মী মহাক অহু স্বর্গ কায়। ১। মাগী লৈজবা থরমুদা অহুম পেল্লহুনা লৈবা, হুরান চীম্থী তৌদবা, মহাক্কী শক্তক ওইনা লাইবক্ত তম্নকপা অহুতনা জীবিকা ওইরিবা মী মহাক অহু স্বর্গ কায় ॥২॥ মশাগী মুপীতদা পুক্নীং চঙহুনা, ঋতু পাল্লবু বিধি কায়দনা তৌবিবা, গ্রাম (খুল) গী মুংডাইবা হরাও-তয়াম্বদা আসক্তি থমদবা (কা হেন পুক্নীং চঙঙবা) মী অহুমা স্বর্গ কায় * ॥১৩॥ সদাচার সদ ব্যবহার (অচুম্ব লমচৎ শাজৎ) তদা লৈহুনা অতোপ্পগী (মীগী) মুপী লাকপদা, মায় লৈখোকপা, মীৎ উইশিনবা ইন্দ্রিয় থুহুম চনবা মী অহু। স্বর্গ কায় ॥৪॥ হায়রিবা পুম্বসি স্বর্গ কারক্তবা য়ৌরক্তবা, স্বর্গ বাসী দেবতাশিংনা শেম্বা (থোনবা) মার্গ (লম্বী) নি। লম্বী অসি রাগ-দ্বেষ, কাম-ক্রোধনচিংবা নাপী শীংবী, তিংথং মরাম অসি কান্দোক্তগা শেমখিবা থোনখিবা মার্গ (লম্বী) নি। অহুনা জ্ঞানী ওইবা সজ্জনশিং লম্বী অসিতদা চৎকলৌবনি ॥ ৫।

---

* টীকা :—মথম আসদা "খুল" (গ্রাম) হায়রিবসি, হৌজিক হৌজিক খঙনরিবা লরায়-থরাই (গ্রাম) অসি ডাক রা নত্তে। হকচাংসিদা গ্রাম (কোক্সুপ) জাৎ জাৎ য়াম্ন লৈরি। ভূত গ্রাম (মৈ ঈশিং-মুংশৎ লৈপাক আকাশ), ইন্দ্রিয় গ্রাম (মীৎ নাকোং উনশা, লৈ, নাতোল) বায়ুগ্রাম (প্রান অান সমান উদান ব্যান), গুণগ্রাম (রূপ রস গন্ধ স্পর্শ শব্দ) অসুম্না গ্রাম কয়া কয়া হকচাং অসিদা লৈরে। হৌজক বৈজ্ঞানিক যুগনি হায়জিন্নিবসিদা তাইবং মীনি হায়রিবা বৈজ্ঞানিকশিংনা শেম-শান্নিবসি, গ্রামশিং অসিগীদমক্তনি। গ্রাম্য জীবননি (রুরেল লাইফ) নি। থা রৌনা কাননবগী হোৎনবনি। স্বর্গ কাননবা নত্তে। (কালাচাঁদ)

অকষায়কৃতশ্চৈব মার্গঃ সেব্য সদা বুধৈঃ। দানধর্ম তপোযুক্তঃ শীল শৌচদয়াত্মকঃ ॥১৬॥
বৃত্ত্যর্থং ধর্মহেতো র্বা সেবিতব্যঃ সদানরৈঃ। স্বর্গবাসমভীপ্সদ্ভির্ন সেব্যস্তত উত্তরঃ ॥১৭॥

উমোবাচ

বাচাত্ম বদ্ধ্যতে যেন মুচ্যতেহপ্যথবা পুনঃ। তানি কর্মাণি মে দেব বদ ভূতপতেহ ন ঘ ॥১৮॥

শ্রীমহেশ্বর উবাচ

আত্মহেতোঃ পরার্থে চ নর্মহাস্যাশ্রয়াৎ তথা। যে মৃষা ন বদন্তীহ তে নরাঃ স্বর্গগামিনঃ ॥১৯॥
তব্যর্থং ধর্মহেতোর্বা কামকারাৎ তথৈ চ। অনৃতং যেন ভাষন্তে তে নরাঃ স্বর্গগামিনঃ ॥২০॥

মার্গ অসে, দয়াময় মার্গনি। দান, ধর্ম, তপস্যা, সদাচার, শীল, স্বভাব পুন্নমকসি দয়াময় ময় মার্গনি। অদুনা, সাধারণ (মীচম) ওইবশিংনসু নীপণ্ডিত ওইবশিংনসু দয়াময় ওইবা লম্বী অসিদা চৎকদবনি স্বর্গ কানীংবা মীনা চৎকদবা খাইদগী ফবা লম্বীদি, হায়রিবসিদগী হেনবা অতৈ লম্বী অম লৈত্রে ॥১৬-১৭। উমানা হায়ঃ—পাপকী শরক লেশমাত্র য়াওদ্রবা, ভূতনাথ! মহাদেব। করম্বা বানী (য়াওভ) না অদুগা য়াওভদুনা করম্বা কর্ম তৌরগা তাইবং মীনা বন্ধনশিং অসিদগী নাহোক্তনা মুক্ত ওইখিদগে? মাদু অমুক্তা ঐঙোন্দা তাহন্বিয়ু ॥১৮॥ মহেশ্বরনা হায়ঃ—নোক খেদুনা, কাগি-জুগায় তৌনদুনা নোকমিন্নবা মতমদসু লনাইগী নত্রগা মীগী (মরূপ-মপাংগা) মুংঙাইননবগীদমক্তা ওইদবা (মীনম্বা) অম কাওবা য়াওহন্দবা মী মহাক অদো স্বর্গ কায় ॥১৯। জীবিকাগীদমক নত্রগা অসুম মুংঙাইখিদুনা ভাঙননবগীদমক্তসু মীনম্বা (ওইদবা) না প্রমাণ-পাম্মৈ অমত য়াওহন্দবা মী মহাক অদো, স্বর্গ কায় * ॥২০॥

---

* টীকা:—হায়রিবা মতাং অসিদা, খন্ননাঙার য়েৎননীঙায় খরদি লৈ। কাগি জুগায় তৌদুনা, ওইদবা ভাক্ত হাপচিন্দুনা, কাগিগী লীলা (কোমিক) তৌদুনা ভাবুকশিংবু মুংঙাইহন্দুনা মাদুনা জীবিকা ওইদুনা মতু মচা থাক্লিবা কলাকার (কোমিডিয়েন) শিং অসি নরক ভাগজ্রা, স্বর্গ কায়রোইদ্রা হায়বা তর্ক অম লাকই। মমাঙৈগী গোপাল ভাড়া, আবদুল কজল, ওইনাম বিজাম্দোনচিংবা নিংথৌগী বিদূষকশিং অদুসু নত্তবা ওইদবা য়াহৈ-য়াভানা নিংথৌবু কাক-কাক নোকহন্দুনা অরাবা কাউহনবা হোৎনৈ। মথোয় অদু নরক ভাগজ্রা নত্রগা স্বর্গ কায়রোইদ্রা? ছল-বল-না ওইরবসু মীগী পুক্নীং থৌগৎপা, অরাবা অকিবা কাউহনবা অসি, অভয়দান, সুখদান, আনন্দদানগী মগুংচনবা, দানধর্মগী মগুং চনবা য়ায়রোইদ্রা? অসিনচিংবসি হৎননীংঙায় থরীংঙাই, খন্ননীংঙাই মঙনি। হাৎকে তায়থিনম্বা অমনা ঐবু কনবিয়ু ভাকপিগনু হায়দুনা ঐগী ঈমুংদা চেহিন্নদুনা কাওখ মথাদা লোৎলরবদা, হাৎকে

শ্লক্ষ্ণাং বানীং নিরাবাধাং মধুরাং পাপ বর্জিতাম্। স্বাগতেনাভিভাষন্তে তেনরাঃ স্বর্গগামিনঃ ॥২১॥
পুরুষং যে ন ভাষন্তে কটুকং নিষ্ঠুরং তথা। অপৈশুন্যরতাঃ সন্তস্তে নরা স্বর্গগামিনঃ ॥২২॥
পিশুনাং ন প্রভাষ ন্ত মিত্রভেদকরীং গিরম্। ঋতং মৈত্রং তু ভাষন্তে তে নরাঃ স্বর্গ গামিনঃ ॥২৩॥
যে বর্জয়ন্তি পরুষং পরদ্রোহং চ মানবাঃ। সর্ব ভূতসমা দান্তান্তে নরা স্বর্গ গামিনঃ।২৪॥
শঠপ্রলাপাৎ বিরতা বিরুদ্ধ পরিবর্জকাঃ। সৌম্যপ্রলাপিনোনিত্যং তে নরাঃ স্বর্গ গামিনঃ ॥২৫॥

ন কোপাৎ ব্যাহরন্তে যে বাচং হৃদয়দারিনীম্।
সান্ত্বং বদন্তি ক্রুদ্ধাপি তে নরাঃ গ গামিনঃ ॥২৬॥
এষ বানী কৃতো দেবি ধর্মঃ সেব্যঃ সদা নরৈঃ।
শুভঃ সত্যগুণো নিত্যং বর্জনীয়ো মৃষা বুধৈঃ।২৭॥

য়ায় থোংপা থুখা, মীনা তানী দবা থাম্নিবা য়াওদবা, পাপকী মরম করিগুম য়াওদবা, মীবু তরাম তরাম তৌবগী মওং মশকত ওইবা অদুগুম্বা য়াত্তাওবুত শীজিন্নরিবা মথোয়দু স্বর্গ কায়॥২১॥ কনাগুম্বা অমগী মকমদা চাঁয়োল খায়োল তৌদবা, অয়াকপা, ওমথিবা, অথাবা য়াহৈ য় ত্তাও অমত মচান্দগী থোকথিজ্রবা মীশিং অদু স্বর্গ কায়॥২২। চায়জবা মরূপ অনীগী কায়ননবা, য়েংথিনবা য়াত্তাও (চাঁয়োল তৌশিনবা) অমত শীজিন্নদবা, অমগমগা মুংশিননা চায়না পৈমিন্নহন্নবগী য়াত্তাংত শীজিন্নরিবা মথোয় স্বর্গ কায়॥২৩॥ কনাগুম্বা অমগী মকমদা মুংত্তাইনদবা মীগী মকমদা কাওবা অকনবা অয়াকপা য়া শীজিন্নদবা (ত্তাওদবা), কনাগুম্বা অমগী মকমদা য়েংথিনবা অশাউবা থমত্রবা জীব পুম্নমক্তা চপ মান্নবা মীৎয়েংনা য়েংলবা মথোয়দু স্বর্গ কায়॥৪। মী মহাক অদুগী মচান্দগী কারগুম্বদা, মরৈ মরা চাউবা, নমথাক তৌবগী য়াহৈ য়াত্তাও অমত্তা থোকথিজ্রবা, অদুগা মীনা খী ? তৌরকপগী শাউর কাওবদা অতপ্পা য়াত্তাও অদু অদুম শীজিন্নরিবা, অদুগুম্বা মী মহাক অদু স্বর্গ কায়।২৫॥ য়াম্না শাউর কাওবদা, মীগী থম্মোয় শোকপা য়াহৈ শী জন্নদবা, শাউরবসু অশাউবগী য়াত্তাংদি থক ত্তাংদবা অদুগুম্বা মী মহাক অদু স্বর্গ কায় ॥২৬॥ দেবী! পার্বতী! চান্দগী থোকথিবা য়াহৈ য়াত্তাও) শী ধর্মগী তত্ত্ব, অদু, ঐনা নত্তোন্দা হায়রবনি। হায়রিবা ধর্মগী তত্ত্ব অসি তাইবং মীনা তত্তনা সেবন তৌগদবনি (শীজিন্নগদবনি) য়ারিবমথৈ, তাইবং মীনা মঙ্গল ওইবা, অতপ্পা য়াহৈবু শীজিন্নগদবনি ॥২৭॥

তাম্বরক্লিবহুনা নংগী ঈমুংদা কনাগুম্বা অমা লোৎলিত্রা হায়না হংলবদি অচুম্বদু থুমহনা মী অদু হাৎহন-খিগত্রা ? ………অসিগুম্বা য়াহুং অসি য়াম্ লাকনি। জীব উপকারগ মরুক ওইরবসু মীনম্বা ত্তাওবসু স্বর্গদি কায়রোই হায়রবদি জীব উপকারগী কলঙ্কদি করিনা ওইরে ? অদুম্বা য়াম্ কুপ্পা পার্বতীনা মহাদেবনা হুর্বির মবদি, মহাদেবনা তাকপিরম্বদু ত্তাজহৌগদবনি ॥ (কালাচাঁদ)

উমোবাচ

মনসা বধ্যতে যেন কর্মনা পুরুষঃ সদা। তন্মে মহাভাগ দেবদেব পিনাক ধৃৎ ॥২৮॥

শ্রীমহেশ্বর উবাচ

মা-সে নেহ ধর্ম'ণ সংযুক্তাঃ পুরুষঃ সদা। স্বর্গং গচ্ছন্তি কল্যাণি তন্মে কীর্ত্তয়তঃ শৃণু ॥২৯॥
দুষ্প্রণীতেন মনসা দুষ্প্রনীততরা কৃতিঃ। মনো বধ্যতি যে নেহ শৃণু বাক্যং শুভাননে ॥৩০॥
অরণ্যে বিজনে ন্যস্তং পরস্বং দৃশ্য তে যদা। মনসাপি ন হিংসন্তি তে নরাঃ স্বর্গগামিনঃ ॥৩১॥
গ্রামে গৃহে বা যে পারক্যং বিজনে স্থিতম্। নাভি নন্দান্ত বৈ নিত্যং তে নরাঃ স্বর্গগামিনঃ ॥৩২॥
তথৈব পরদারান্ যে কাম বৃত্তান্ রহোগতান্। মনসাপি ন হিংসন্ত তে নরাঃ স্বর্গগামিনঃ ॥৩৩॥
শত্রুং মিত্রং চযোনিত্যং তুল্যেন মনসা নরাঃ। ভজন্তি মৈত্রাঃ সংগম্য তে নরাঃ স্বর্গগামিনঃ ॥৩৪॥
শ্রুতবন্তো দয়াবন্ত শুচয়ঃ সত্য সংগরাঃ। স্বৈরর্থৈ পার সংতুষ্টাস্তে নরাঃ স্বর্গগামিনঃ ॥৩৫॥
অবৈরা যে ত্বনায়াসা মৈত্রীচিত্তরতাঃ সদা। সর্বভূতদয়া বন্তস্তে নরাঃ স্বর্গগামিনঃ ॥৩৬॥

উমানা হায়:- মহাদেব! পুকচেল চাউরবা, পিনাক পায়রবা, দেব দেব! মানসিক কর্ম (পুক্কীংনা তৌবা কর্ম) না তাইবং মীবু কাজিল্লবাসগী মরমদা খরদং তাজনীংঙি ॥২৮॥ মহাদেবনা হায়:—মঙ্গলগী মশক ওইবী! পার্বতী! পুক্কীংনা তৌবা (মানসিক কর্ম) কর্মতনসু তাইবং মীনা স্বর্গ কায়। মাহুগী মরমদা ঐ হায়গে তাও ॥২৯॥ নীংথজবী! পুক্কীংদা ওৎবা করিগুম্বা অরানবা বিচার (রাখল) অম লাক্লিঙৈদা তৌথিবা কর্মতু অরানবা কর্ম হায়বহু অদুম মওই। কর্ম অদুদা দোষ অহু চঙগে। অদুম তৌগ্রবদি পুক্কীং অসে বন্ধনগী মতুংদা অদুম চঙগে। বিষয় অসিদা ঐ হায়গে মুন্ন তাও ॥৩০॥ কনাগুম্ব অমগী পোৎ, লল, সনা-লুপা, লমঙ্কাওদা, অচৌকপদা তাম্নবা চীথরবা উরবহু মাহুদা কারমত আসক্তি পোক্তবা মখোয়শিংহু স্বর্গ কায় ॥৩১॥ গ্রাম (খুল) নত্রগা করিগুম্বা অচৌকপা মকম (কাচিন) অমদা তাহুনা লৈবা লল (সনা লুপা) অহুদা থোইনা পুক্কীং চঙনা য়েংঙুদবা মীশিং অহু স্বর্গ কায় ॥৩২॥ অসুম্না, অচৌকপদা মথত্ত লৈরবী, নিপা মহাগা হায় শম খোৎননীংবী অতোপ্পী কনাগুম্বী নুপী অহু কাওবদা শম খোৎনরুগে থম্বা মখোয় অহু স্বর্গ কায় ॥৩৩॥ হেক তিন্নবা উন্নবা মী পুন্নমক্তা মৈত্রভাভাব থম্বা (চান্নবা মরূপকুম তিন্নবা), য়েক্লবা মরূপ অনীমক্তা চপ মান্নবা, খোজদবী দৃষ্টি (মীৎয়েং) থম্বা মহাক অহু স্বর্গ কায় ॥৩৪॥ শাস্ত্রগী জ্ঞান লৈবা থৌজাল হৈবা, মতুং রূপাদ্দা ঊপোৎত পোৎহুনা লৈবা, অচুম্বা থবকীদমক্ত রাখক চেৎপা, মহাকী লৈজরিবা থরুতুংদা পোজহুনা লৈতবা মীশক অহু স্বর্গ কায় ॥৩৫॥ পুক্কীংদা কনাগুম্বা অমগী মকমদা শীনগে থম্বা য়েংথিনরুগে থম্বা, করিগুম্বা অনিত্য পোৎশাক অমত্তবু কাবে লোংগে হায়না হোৎনরবা (লোম্মুবা) লৈতবা হেক উমা জীব পুন্নমক্তা ঊন্নুও নুংশিবা, থৌজাল হৈবা মীশিং অহু স্বর্গ কায় ॥৩৬॥

শ্রদ্ধাবন্তো দয়াবন্তশ্চো কাঙ্চোক্জনপ্রিয়াঃ ধর্ম ধর্ম বিদো নিত্যং তে নরাঃ স্বর্গগামিনঃ ।।৩৭।।
শুভানাং মশুভানাং চ কর্মণাং ফল সঞ্চয়ে। ধর্মার্থে বিদোনিত্যং তে নরাঃ স্বর্গগামিনঃ ।।৩৮।।
ন্যায়োপেতা গুণোপেতা দেবদ্বিজ পরাঃ সদা। সমুত্থান মনুপাপ্তাস্তে নরা স্বর্গগামিনঃ ।।৩৯।।
শুভৈঃ কর্ম ফলৈ দেবি ময়ৈ তে পরিকীর্তিতাঃ।
স্বর্গমার্গপরা ভুয়ঃ কিং ত্বং শ্রোতুমিচ্ছাসি ।।৪০।।

উবাচ

মহান্ মে সংশয়ঃ কশ্চিন্মর্ত্যান্প্রতি মহেশ্বর। তস্মাৎ ত্বং নৈপুণ্যেনাস্ত মম ব্যাখ্যাতু মহাসি।।৪১।।
কেনায়ু র্লভতে দীর্ঘং কর্মণা পুরুষঃ প্রভো। তপস্তা বাপি দেবেশ কেনায়ুর্লভতে মহৎ।।৪২।।
ক্ষীণায়ুঃ কেনভবতি কর্মনা ভুবি মানবঃ। বিপাকং কর্মণাং দেব বক্তুমহস্য নিন্দিত ।।৪৩।।
অপরে চ মহাভাগ্যা মন্দভাগ্যাস্তথাপরে। অকুলীনা স্তথাচান্তে কুলিনাশ্চ তথাপরে।।৪৪।।
দর্শাঃ কেচিদাভান্তি নরাঃ কাষ্ঠময়াইব। পিয়দর্শাস্তথাচান্তে দর্শনা দেব মানবাঃ।।৪৫।।

খৌজাল হৈবা, মীনা হায়রবা পুন্নদা পুক্লীং চঙনা ভাবা. (ভানীংগুম ভানীংদবগুম ভৌদবা) মী পুন্নদা ভরাম ভরাম ভৌবা, ধর্ম অধর্মগী বিচার অসি মুন্না ভৌবা মখোয় অহু স্বর্গ কায়।।৩৭।। দেবী! পার্বতী। শয় হায়রবদা ধর্ম অধর্ম অনীগী কর্মবু ভৌবগী শুভ অশুভ অনীগী মহৈবু হায়া মাঙজৌননা থঙনা কর্মবু চোকশিন্না ভৌবা মখোয় অহু স্বর্গ কায়।।৩৮।। শাস্ত্র জ্ঞানদা মগুণ লৈবা, দেবতা অমদি ব্রাহ্মণগী সেবা পূজাদা পুক্লীং চঙবা, মখোয় ভক্ত ওইবশিং অহু স্বর্গ কায়।।৩৯।। দেবী। শুভ কর্ম সৎকর্মগী মহৈনো স্বর্গ কাবগী মরমদা ঐনা নঙোন্না হায়রিবসি। হৌজিক করি অমুক তানীংঙি ? ।।৪০।।
উমানা হংঙি :— মহেশ্বর। ভাইবং মীগী পুনশিগী মতাংদা অমগমগা য়ায় খেন্নরিবসিগী মরমদা ঐগী পুক্লীংদা য়ায় চিংনবা অম লৈরে। চিংনরিবসি অমুক্তা কোকহনবিয়।।৪১।। করি করি কর্ম ভৌরকপনা অহুগা ভাইবং মীনা পুনশি শাংনা লৈবা ফংলিবনো অহুগা ফংগদগে ? ।।৪২।। নিন্দা ভৌননীঙায় মথা করিমত য়াওরবা। মপোক অসিদা করি কর্ম ভৌখিবনা পুনশি শাংনা অমদি ভেন্না লৈনরিবনো ? ভোঙাল ভোঙানবা কম কর্মগী মহৈ অসি ভোঙাল ভোঙানবা মচা থায়না অমুক্তা তাকপিয়।।৪৩।। জগৎ অসিদা কনা কনাগুম্বনা য়ায় মরারবক কনা পুনশি শাংনা লৈরি। অহুগা কনা কনাগুম্বা মরারবক থীনা লাররনা অহুগীমু মথক্তা পুনশি শাংনা লৈনদে। খরনা য়ায় ইরাক-কৈরাক খুনবা পরিবারদা পোক্লরি. কনাগুম্বা চানীংঙায় থকনীংঙায় লৈতবা লাইরবগী পরিবারদা পোক্লরি ।।৪৪।। কনাগুম্বনা মহাচুর্শাদা ভাক্লনা, উকং য়াকুমগুম ঈপাঙ পঙনা কম্নিমত থঙদ হৈতনা মপুনশি লোন্নি। অহুগা কনা কনাগুম্বনা য়ায়া শিংবা হৈবা, জ্ঞানী ওইবগী মওংদা লৈরি। য়েংবদা মীওই মিতৌ ফজবগী মওংদা লৈরি ।।৪৫।।

হৃষ্টপ্রজ্ঞাঃ কেচিদাভান্তি কেচিদাভাস্তিপাণ্ডতাঃ। মহাপ্রাজ্ঞাস্তথৈবান্যে জ্ঞানবিজ্ঞান ভাবিনঃ ॥৪৬॥
অল্পাবাধাস্তথা কেচিন্মহাবাধাস্তথাপরে। দৃশ্যন্তে পুরুষা দেব তন্মে ব্যাখ্যাতুমর্হসি ॥৪৭॥

শ্রীমহেশ্বর উবাচ

হন্ত তেঽহং প্রবক্ষ্যামি দেবি কর্ম ফলোদয়ম্। মর্ত্ত্যলোকে নরঃ সর্বো যেন স্বফলমশ্নুতে ॥৪৮॥
প্রাণাতিপাতে রৌদ্রো দণ্ডহস্তোদ্যতঃ সদা। নিত্য মুদ্যত শস্ত্রশ্চ হন্তি ভূতগনান্ নরঃ ॥৪৯॥
অপি কীটপিপীলানামশরণ্যঃ সুনির্ঘৃণঃ। নির্দয়ঃ সর্বভূতানাং নিত্যমুদ্বেগকারকঃ ॥৫০॥
এবং ভূতো নরো দেবি নিরয়ং প্রতিপদ্যতে। বিপরীতস্তু ধর্মাত্মা রূপবানাভিজায়তে ॥৫১॥
পাপেন কর্মণা দেবি বধ্যো হিংসারতির্নরঃ। অপ্রিয়ঃ সর্বভূতানাং হীনায়ুরুপজায়তে ॥৫২॥
নিরয়ং য়াতি হিংসাত্মা যাতি স্বর্গমহিংসকঃ। যাতনাং নিরয়ে রৌদ্রাং সকৃচ্ছ্রাং লভতে নরঃ ॥৫৩॥
যঃ কশ্চিন্নিরয়াৎ তস্মাৎ সমুত্তরতি কর্হিচিৎ। মানুষ্যং লভতে চাপি হীনায়ুস্তত্র জায়তে ॥৫৪॥

খরনা মহামূর্খ ওইনা অমুগা খরনা মহাজ্ঞানী, জ্ঞান বিজ্ঞাননা চঙথোক্লবা মীশক অম ওইনা পোক্লরি ॥৪৬॥ অরুবা থবক অম তৌরকপদসু খরনা য়ৈথায় থিনগাই ঈরৈ লৈতনা পাঙথোকলি খরনা বাধাবিঘ্ন মথং মথং লাকুনা থবক অহু পাঙথোকপা ঙম্লব্রি। অসুম তৌহনা অমগমগা য়াম্ন থেক্লবা মওংদা নীংবা খুংনা অমদি থুংনদনা লৈরি। মাসি পুম্নমক্সি চনীং তানা অমুক্ত তাকপিয়ু ॥৪৭॥
মহাদেবনা হায়ঃ দেবী! ঐ য়াম্ন হরাওনা, নংনা হংলিবা চিংনম্বিবসে হায়গে তাও। কর্মগী মহৈনা থেন্ন থেন্ননা লাকপগী মরম, অহুগা করম করম্বা মওংদা লাকপা, অমুসু ঐ হায়গে। তাইবং মীনা মানা তৌব্রিবা কর্ম কর্মফলগী মন্তুং ইন্না মহৈসু তোঙাল তোঙান্না অহুম মরাকই ॥৪৮॥ দেবী! মীবু হাংপা তুপ্লনবগীদমক্তা, মুমিংচুপ্পা থুংলায়ত পায়থং থাংগত্তুনা লৈবা, য়েংবদা খ্বাইনা কিননীংঙায়গী মশক্ত পুবা, মুমিং চুপ্পা হিংসা তৌগদবগী থুংলায়ত পায়হুপা লৈবা, মশাদা থৌজালগী মীমুংশিংগী মরীক অম ফাওবা লৈতবা মশক উবতদা অতোপ্পগী থম্মোয়দা মিপাইবা পোক্লনীঙায় ওইবা, য়াম্ন শাথিবা৮ ককচেংনচিংবা পীরবা জীব ফাওবদা মুংশিবা পোকতবা মীশিংহু মহাঘোর ওইবা নরকতা, মুমিং থানা পাল্লিমথৈ, তাহুনা লৈ ॥৪৯-৫০॥ হায়ব্রিবা অধর্ম অমদি দোষশিং অসিদগী ওয়-তৈননা লৈবা ধর্মাত্মা-শিংহু, য়াম্ন রূপবান্ (মশক মতৌ নীংথিজবা) অমদি ধনবান্ ওই। দেবী! হিংসা তৌবা পাম্বশিংহু পাপ কর্মফলগী মহৈনা খ্বাইগী মকমদা হাংমননীঙায় ওই। খ্বাইগী য়েক্লবা, মশক থীবা পুনশি তেনবা মীশক ওই ॥৫১-৫২॥ হিংসাগী থবক, হিংসাগী য়াথলত তৌবা মীহু নরক তাই। হিংসাগী থবক অমদি য়াথল মরীক অমত তৌদবা মীহু স্বর্গ কায়। নরকতা তারবা জীবহু ঙমথৈ লৈতনা হায়নীংঙায় লৈত্রবা অন্নাবা খুদোংথীবা ফংঙি ॥৫৩॥ অহুগুম্বা নরককী অরাবহু কোক্তুনা তাইবং মীগী মপোক্তা লাক্লবহু (পোক্লরবহু) থোইনা কুইনা পুরশিদে। মপুনশি তেজি ॥৫৪॥

পাপেন কর্মণা দেবি বদ্ধো হিংসারতির্নরঃ। অপ্রিয়ঃ সর্বভূতানাং হীনায়ুরুপজায়তে ॥৫৫॥
যস্তু শুক্লাভিজাতীয়ঃ প্রাণিঘাতবিবর্জকঃ। নিক্ষিপ্তশস্ত্রো নির্দণ্ডো ন হিংসতি কদাচন ॥৫৬॥
ন ঘাতয়তি নোহন্তি ঘ্নন্তং নৈবানুমোদতে। সর্বভূতেষু সস্নেহো যথাত্মনি তথাপরে ॥৫৭॥
ঈদৃশঃ পুরুষোৎকর্ষো দেবি দেবত্বমশ্নুতে। উপপন্নান্ সুখান্ ভোগানুপাশ্নাতি মুদা যুতঃ ॥৫৮॥
অথ চেন্মানুষে লোকে কদাচিদুপপদ্যতে। তত্র দীর্ঘায়ুরুপন্নঃ স নরঃ সুখমেধতে ॥৫৯।
এষ দীর্ঘায়ুষাং মার্গঃ সুবৃত্তানাং সুকর্মিণাম্। প্রাণিহিংসাবিমোক্ষেণ ব্রহ্মণা সমুদীরিতঃ ॥৬০॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যামনুশাসনপর্বণি দানধর্মপর্বণি
উমামহেশ্বর সংবাদে চতুশ্চত্বারিংশদধিকশততমোঽধ্যায়ঃ ॥ × ॥ × ॥

—:(*):—

দেবী! পাপ কর্মনা কাজিল্লুনা হিংসাগী থবক্তা তৌরব মীহু জীব পুম্নমক্না মহাকপু থুনা শিহন্নীংবনা মপুনশি তেক্লি ॥৫৫। হায়ব্রিবসিগী ওয়না হিংসা য়াওদব থবকত তৌরবা, হিংসাগী থবক্তগী লাপ্পা তোক্তায় লৈরবা, মীতোন্দা দণ্ড (দন্তি) পীবগী খুৎলায় পুম্নমক থাদোক্লবা, করিগুম্বা হিংসাগী থবক্তা মশাগী হুকচাং খোও খুৎনচিংববু শী জয়ব্রবা, মশামক্না হিংসা তৌদবগুম্বা কনাগুম্ববুসু তৌহন্ত্রবা, হাৎলু ভুম্বু হায়না থৌদাক্রবা (ঈহিত্রবা), জীব পুম্নমকপু মশামক্কি হায়না খল্লুনা, চপ মান্নবা মীংয়েনা নুংশিনা যেংলবা অহুগুম্বা মীশকতো, দেবথবু কংডি। মহাক অহু লাইমক্কি হান্নবা য়াই। মর্ত্যলোকতগী হৌনা দেব (লাই) মক ওইহুনা ওইহুনা চৎপ্রবনিনা দেবলোকত দেবতাশিংগা মুংডাইনা লৈমিন্নরুরে। ঐশ্বর্য্য সম্পত্তি পুম্নমক্কা লোয়ননা দেবলোকতা (লাইবাক্তা) অহুম লৈখ্রে ॥৫৬-৫৮॥ অহুগুম্বা জীবহুনা মর্ত্যলোকতা (মীয়মলেন্দা) অমুক পোক্লরগনু দীর্ঘায়ু (পুনশি শাংবা) হায়বনু কংডি। মুংঙাইনা পুনশি শাংনা পাক্লি ॥৫৯। অকবা থবকত তৌহুনা সদাচারী ওইহুনা, পুনশি শাংনা লৈনব্রিবশিং অসি, মথক্ত হায়ব্রিবা শুভ কর্মশিং অসি তৌখিবগী মহৈ খুদম মক্তনি ॥৬০।

মথম অসিদা শ্রীমহাভারতক্কা স্লোক লিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা অনুশাসন পর্বদা, দানধর্ম পর্বদা উমামহেশ্বর সংবাদগী চামনিফুমরিগুবা অধ্যায় লোইরে ॥ × ॥ × ॥

—:(*):

মণিপুরী মহাভারত

পঞ্চচত্বারিংশদধিকশততমোঽধ্যায়:

(স্বর্গ-নরক, উত্তম-অধ্যম, অমদি চাওখংপা হুখবা পরিবারদা পোকপগী পোক্লবগী
কারন ওইবা কর্মশিংগী বর্ণন)

চার্মনিফুমঙাশুবা অধ্যায়

—:(•):—

উমোবাচ

কিংশীলঃ কিংসমাচারঃ পুরুষ কৈ কর্মভিঃ। স্বর্গংসমভিপদ্যেত সম্প্রদানেন কেনবা ॥১॥

শ্রীমহেশ্বর উবাচ

দাতা ব্রাহ্মণসংকর্তা দীনা কৃপণাদিষু। ভক্ষ্যভোজ্যান্নপানানাং বাসসাং চ প্রদায়কঃ ॥২॥
প্রতিশ্রয়ান্ সভাঃ কূপান্ প্রপাঃ পুষ্করিনীস্তথা। নৈত্যকানি চ সর্বাণি কিমিচ্ছকমতীবচ ॥৩॥
আসনং শয়নং যানং গৃহং রত্নং ধনং তথা। সস্যজাতানি সর্বাণি গাঃ ক্ষেত্রাণ্যথ যোষিতঃ ॥৪॥
সুপ্রতীতমনা নিত্যং যঃ প্রযচ্ছতি মানব। এবং ভূতো নরো দেবি দেবলোকেষু জায়তে ॥৫॥

পার্বতীনা হংখি :—ভগবন্! তাইবং মীনা মতৌ করম্না লমচৎ কজবা, অচুম্বা লমচৎত চৎপা (চৎনীংবা) হায়বহ্ ওইবগে? অহুপা মতৌ করম্না, করি করি দান তৌরগা স্বর্গলোকতা জীবশিনা (দেবলোকতা) পোক্লবগে? ॥১॥ মহেশ্বরনা হায় :—দেবী! ব্রাহ্মণদা সম্মান অমদি দান তৌবা লায়রবা, চানীংঙায় থকনীংঙায় কাওবা নৈজন্নবদা অন্ন বস্ত্র দান তৌবা (চেঙ চাক ফিরোল) নৈজন্নবদা নৈফম (ঈংখোল) দান তৌবা, যাত্রিক অমদি লোক উপকারগীদমক্তা ধর্মশালা শাহনা থম্বা ঈখৌ লাংলবাশিংগীদমক্তা পুখ্রী গুহা তৌহনা থমবা, দান লৌগদৌবশিং অহুপা দান লৌগদৌরিবা, লায়রবশিংগী ছুনা করি করি পাম্বগে, করি করি চানীংবগে? অমুম হায়না হং-হংহনা দান তৌবা, মুনিং খুজিংগী শীজিন্নগদৌরিবা পোৎচৈবু হায়বদি কমুং কাংখোল, মুম, কৌ-চেঙ, সনা-লুপা, শল ইরোই, লৌবুক (লৌকল) লৌ, অহুপা লেবা-লাংবা তৌননবা কন্যাদান তৌরিবা অহুওম্বা মীহু পোয়দনা দেবলোকতা পোকই ॥২-৫॥

তত্রোষ্য সুচিরং কালং ভুক্ত্বা ভোগান্ সুশুভান্। মহাপ্সরোভির্মুদিতো রমতে নন্দনাদিষু ॥৬॥
তস্মাৎ স্বর্গাচ্চ্যুতো লোকান্ মানুষ্যে প্রজায়তে। মহাভোগকুলে দেবি ধনধান্য সমন্বিতঃ ॥৭॥
তত্র কামগুণৈঃ সর্বৈঃ সমুপেতো মুদান্বিতঃ। মহাভোগো মহাকোশো ধনীভবতি মানবঃ ॥৮॥
এতে দেবি মহাভাগাঃ প্রাণিনো দানশীলিনঃ। ব্রহ্মণা বৈ পুরা প্রোক্তাঃ সর্বস্য প্রিয়দর্শনাঃ ॥৯॥
অপরে মানব দেবি প্রদানকৃপণা দ্বিজৈঃ। যাচিতা ন প্রযচ্ছন্তি বিদ্যমানেঽপ্যবুদ্ধয়ঃ ॥১০॥
দীনান্ধ কৃপণাং দৃষ্ট্বা ভিক্ষুকানাতিথীনপি। যাচ্যমানা নিবর্তন্তে জিহ্বালোভসমন্বিতাঃ ॥১১॥
ন ধনানি ন বাসাংসি নভোগান্ ন চ কাঞ্চনম্। ন গাবো নান্ন বিকৃতিং প্রযচ্ছন্তি কদাচন ॥১২॥

অপ্রবৃত্তাশ্চ যে লুব্ধা নাস্তিকা দানবর্জিতাঃ।
সর্বভূতা নরা দেবি নিরয়ং যান্ত্য বুদ্ধয়ঃ ॥১৩॥
তে বৈ মনুষ্যা তাং যান্তি যদা কালস্য পর্যয়াৎ।
ধনরিক্তে কুলে জন্ম লভন্তে স্বল্পবুদ্ধয়ঃ ॥১৪॥

মকম অদুদা, মথল মথা অরাম্বা ভোগ চাদুনা (কুছুনা) চৎনীং-য়ৌনিংবা মকমদা কোয়চৎ চত্তুনা, অমরাবতী পুরগী নন্দন কাননচিংবা মুংঙাইরবা মকমদা মুংঙাইনা মতম লেপ্লি ॥৬॥ স্বর্গগী মুংঙাইবা মুংঙাইরবা মুমভোগশিংদু চাব লোইরগা মর্ত্যলোকত সম্পত্তি লৈরবা, শাগৈ জাৎ চাউরবা পরিবার (ঈমুং) দা পোকলে ॥৭॥ মর্ত্যলোকসিদা পোক্লরবদু মুংঙাইবগী মশক ওইরবা চানীংঙাই থক্লীংঙাই রাজ্রবা, কৌ চেক্ত চোম্ন লৈরবা পরিবারদা চত্তুনা ধনবান্ সম্পত্তিমান ওইবা মীশক অম ওইরে ॥৮॥ দেবী! অসিগুম্বা মীশকশিংসেনহালমুক্তী মপোক্তা দানধর্ম য়াম্ন তৌথিবা মীশক ভাক্তনি ॥৯॥ দেবী! অসিগুম্বা, মাইবক ককগী মপোক অসে মথক্ত হায়প্রিবা দানধর্মশিংসিগী মহৈনি। অতৈগী নত্তে। মমাঙ্গৈদা, ব্রহ্মাজীমক্তা মসিগী পরিচয়, (প্রত্যক্ষ ওইবা খুদম) পীপ্রবনি। মাসিদা থক চিংনদু দেবী! কনা কনাগুম্বনা লৈন লৈনা লীকপনগী দান তৌদে। অদুগুম্বা মবৃদ্ধি লৈত্রবা মীনা অতিথি লাক্লগা মমার লৈথোকই। নীরম্ন কাওবদা পীজ পীথত্তে ॥১০॥ লায়রবা, মমীৎ তাত্তবা, চাকনিবা অতিথি-শিংনা লাকপা উরগা মমার লৈথোক্তুনা চৎখি। মতোম্দা মীজম্ন্রব কাওবদা পীথিদলুনা মতিন দুৎ দুৎ য়োন্তুনা চৎনখি। চারিত্রৈভমক্তদা মমাঙ্গদা লেপ্লরবদু মাগী চাব ওক্লরোই হায়রুদা মরীক অম কাওবা পীজদনা হন্নহনখি ॥১১॥ কৌ-চেক্ত, সম্পুম কিরোল থম্ন চোম্ন লৈবশিংদা, হায়রিবা পোৎশিং অমিদগী লীকপদা মীভোন্দা করিমত পীদে ॥১২॥ দেবী! অসিগুম্বা কাম্লরবা, মীয়েম ওইরবা, লোভী ওইরবা, নাস্তিক ওইদবা, পোৎ অমত মীভোন্দা পীথোক্লীদবশিংদো নরক তাই ॥১৩॥ কালগী খোঙৈদ মফুইদা মথোরহগুম্বা পাপীশিংনো মতা চারবদগী মীওইবগী মপোক্ত পোক্লরবদু চানীংঙাই থক্লীংঙাই দরিদ্রত লৈতবা মীগী ঈমুংদা পোকলে ॥১৪।

ক্ষুৎপিপাসাপরীতাশ্চ সর্বলোকবহিষ্কৃতাঃ। নিরাশা সর্বভোগেভ্যো জীবন্ত্য ধর্মজীবিকাম্ ॥১৫॥
অল্পভোগকুলে জাতা অল্পভোগরতা নরাঃ। অনেন কর্মণা দেবি ভবন্ত্যধনিনো নরাঃ ॥১৬॥
অপরে স্তম্ভিনো নিত্যং মানিনঃ পাপতো রতাঃ। আসনার্হস্য যে পীঠং ন প্রযচ্ছন্ত্যচেতসঃ ॥১৭॥
মার্গার্হস্য যে মার্গং ন প্রযচ্ছন্ত্য বুদ্ধয়ঃ। পাদ্যার্হস্য যে পাদ্যং ন দদত্যল্প বুদ্ধয়ঃ ॥১৮॥
অর্ঘ্যার্হান্ ন চ সৎকারৈ রর্চয়ন্তি যথাবিধি। অর্ঘ্যমাচ মনীয়ং বা ন প্রযচ্ছন্ত্যল্প বুদ্ধয়ঃ ॥১৯॥

গুরুং চাভিগতং প্রেম্ণা গুরুবন্ন বুভূষতে।
অভিমান প্রবৃত্তেন লোভেনসমবস্থিতাঃ ॥২০॥
সম্মান্যাংশ্চাবমন্যন্তে বৃদ্ধান্ পরিভবন্তি চ।
এবং বিধানরা দেবি সর্বে নিরয় গামিনঃ ॥২১॥

অদুগুম্বা মীহু চানীংঙাই থক্লীংঙাই করিমত লৈতদ্রুনা য়াম্ব য়ানা মপুনশি লেল্লি। মী পুন্নমক্লা লোকসমাজদগী ঈম্থোকই। থোওইনা তৌবিদে, থোওই উশিৎপিদে। করিগুম্ব ভোগ অমত ফংদনা, হুয়ান চীঙ্খিবগী থবক্লা জীবিকা ওইদুনা মপুনশি লেল্লি ॥ ৫॥ দেবী! পুন্নমক অসি, মহাক্লা তৌথিবা পাপ কর্ম ময়ামদুগী মহৈনা লায়র চুদৎনরবা মপোক্তা পোক্লবনি। ১৬॥ অদুগুম্না, অসিগুম্বা মীশকশিং নত্তনা থরনা কমদৌই হায়বদা থোরব লেম্বা চাউথোকপনা ময়ুমদা লাকপা মী কাওবা কৌদে, উশিন্নদে। হৌগত্লনা ফিদামক্ত থাবিদে। ব্যবহার তৌকম থোকপা মীশক লাক্লকাওবদা হৌগত্তনা তন্নাম তন্নাম তৌদে। মহাক্লা তৌরিবদু পাপকর্মনি, পাপ তাংশিল্লিবনি হায়মক্তা মবুদ্ধি থেনবনা থঙদে * ॥১৭॥ অসিগুম্বা মবুদ্ধি থেল্লবা, মীশিংসিনা শম্বী চায়দুনা থৈদোক্লনা চৎপা য়ারবা মাঙ্গ ওইবা মীশক কাওবা উৎপা লম্বী চাগদুনা ব্যবহার তৌবদি লায়দনা হুন্নমক্লা য়েংলমদে, থেংগাইদুনা চৎথি। অসিত নত্তনা পূজনীয় ওইবা মীশক লাক্লকাওবদা ফিদা থাদে, খোঙ খুৎ হায়নবা, থক্লনবা চাক্তেংনবা ঈশিং মরীক অম কাওবা পুথোরক্তে। ৮॥ ময়ুমদদু লাক্লবা, সেবা পূজাগী পোৎশক পুথোকদুনা সেবা তৌবা য়ারবা, ঈকায়-খুম্নবা য়ারবা ওঝা গুরু কাওববু সৎকার স্বাগত তৌবদি অহোয়নদুম থমথো, কৌকাও কৌবিদে। অসিগুম্বা নাপন্ন লুতোল কারবা, থোন্নবা মহামূর্খশিংসি, মতীক চারবা মীবু থওই উশিত্তবগীদমক নরক তাই ॥১৯-২১॥

---

* টীকা :—হায়রিবসি, হৌজিক হৌজিকমক অয়াম্বনা তৌনরি। ওঝা গুরু লাক্লকাওবদা চাও-থোকথিবনা, অচৌবা কমথোন কাখিবনা, থোওইনা তৌদে। মথোয়দু ঐ মহামর্থনি, বুদ্ধি লৈতবনি, পাপীনি হায়না মশানা কোংকোকচবনি। হুয়েন্মুকী মপোক্তা মীত্তাঙবা ওইনা পোক্লগে তৌবনি হায়জবতনি। (কালাচাঁদ)

তে বৈ যদি নরাস্তস্মান্নিরয়াদুত্তরন্তি বৈ। বর্ণপূগেষু তো জন্ম লভন্তে কুৎসিতে কুলে ॥২২॥
শ্বপাকিপুক্কসাদীনাং কুৎসিতানাম চেতসাম্। কুলেষু তেষু জায়ন্তে গুরুত্বাপচায়িনঃ ॥২৩॥
ন স্তম্ভী ন চ মানী যো দেবতাদ্বিজপূজকঃ। লোকপূজ্যো নমস্কর্তা প্রশিতো মধুরং বচঃ ॥২৪।
সব বর্ণপ্রিয়কর সর্বভূতহিতঃ সদা। অদ্বেষী সুমুখঃ শ্লক্ষ. স্নিগ্ধবানী প্রদঃ সদা ॥২৫॥
স্বাগতেনৈব সর্বেষাং ভূতানাম বিহিংসকঃ। যথার্হ সংক্রিয়া পূর্বমর্চয়ন্নবতিষ্ঠতি ॥২৬॥
মার্গার্হায় দদন্মার্গং গুরুং গুরুবদর্চয়ন্। অতিথিপ্রগ্রহরতস্তথাভ্যাগত পূজকঃ ॥২৭॥
এবং ভূতোনরো দেবি স্বর্গতিং প্রতিপদ্যতে। ততো মানুষ্যতাং প্রাপ্য বিশিষ্ট কুলজো ভবেৎ ॥২৮॥

তত্রাসৌ বিপুলৈর্ভোগৈঃ সর্বরত্ন সমাবৃতঃ।
যথার্হদাতা চার্হেষু ধর্মচর্য্যা পরো ভবেৎ ॥২৯॥
সম্মত সর্বভূতানাং সর্বলোকনমস্কৃতঃ।
স্বকর্ম ফলমাপ্নোতি স্বয়মেব নর সদা ॥৩ ॥

চহী মতম কুইনা নরক তারুম্বা তুংদা মতা চারুবদগী তাইবং মীগী হকচাংদা চণ্ডক্রুবা তাইবং মী ওইনা পোক্লম্বস্ম চণ্ডাল, শূদ্রনচিংবগী য়াম্ম হন্নরবা মপোক্কা পোক্লে। নহালমুক্কী মপেক্কো অহল্লমন লাকগুরুবু ডাশিত থৌওইদবা, চৈ থাংবা, নিন্দা তৌরিবশিংহুনা মহাচণ্ডাল, শূদ্রনচিংবগী য়াম্ম হন্নরবা, লোকসমাজনা হন্নোইনীংঙাই তুক্কচনিংঙাই ওইরবা মপোক্ত পোক্লরিবসিনি ॥২২-২৩॥ দেবী। থোয়দবা, চাউখোক্রবা, মরিংজেল থাদবা, ঈখোৎত থোৎপা, দেবতা অমদি শন ব্রাহ্মণগী সেবা পূজা তৌবা, লোকসমাজগী মী পুম্মমক ঈকায় খুম্নরিবা, মথক থোংবা লাই গুরুগী সেবাবু খুরুম খাজম্না তৌরিবা, য়াম্ম নোম্লকপা অধুম্বা অতম্বা রাওওত তাওবা, ব্রাহ্মণ ক্ষত্রিয়নচিংবা বর্ণ পুম্মমক্কী মী খুদিংমক্কা নুংশিবা, জীব পুম্মমক্কা উপকার তৌবগী য়াখল চেনবা, কনাগুম্বা অমগী মকমদা থেরুবা কন্নক মিহোবগী য়াখল থমদবা, নুমিৎ চুপ্পা মায়থোং মকা য়াম্না, ঈপেত্ত পেন্দুনা লৈবা, হেক লাকপা, উননবা মী মথল জাৎ খুদিংমকপু স্বাগত তৌবা, তরাম তরাম্না কৌনবা, লাক্লিবা মী পুম্মমক জাৎ বিজাৎ য়েংদনা সেবা পুজা তৌবা নমস্কারহুনা থৈদোক্নুনা চৎপা মীশক উবদা নমস্কারহুনা তৌথিনা চৎপা, হেক লাক্লিবা অতিথি মখেবু লেম্না হন্নহনখিদবা, অসিগুম্বা মীশক্তো স্বর্গ কাথি। মহাক্না তৌরম্বা শুভকর্মশিংগী মহেন্দু চাবা লোইরগা, সমাজদা বিশিষ্ট ওইরবা (তোমথিন ওইনা লৈরবা) পরিবার পোকলে ॥২৪- ৮॥ তোম মখল ফংহুনা, সনা লুপা কৌ চেঙনা চোম্না লৈরবা অহুম্বা পরিবারদা পোক্নুনা ব্রাহ্মণশিংদা মনাং খুদো দান তৌবা ভগ্নি। ধর্ম কর্মগী অনুষ্ঠানত তৌনিবা মীশক ওই ॥২৯॥ মকম অহুম্বা পুনশি চুম্না মী খুদিংমক মকমদা ঈকাথ খুম্ননীংঙাই ওইবা, কোক নোম্ননীংঙাই ওইবা মীশক ওইনা লৈ। অসুম তৌহুনা মা-মানা তৌথিবা কর্মশিংদুগী মহেনা হুৎহাইনা অমদি য়ানা লৈনরিবসিনি ॥৩০॥

উদাত্ত কুলজাতীয় উদাত্তাভিজনঃ সদা। এষ ধর্মো ময়া প্রোক্তো বিধাত্রা স্বয়মীরিতঃ ॥৩১॥
যস্তু রৌদ্র সমাচারঃ সর্বসত্ত্ব ভয়ঙ্করঃ। হস্তাভ্যাং যদি বা পদ্ভ্যাং রজ্জ্বা দণ্ডেন বা পুনঃ ॥৩২॥
লোষ্টৈঃ স্তম্ভৈরায়ুধৈর্বা জন্তূন্ বাধতি শোভনে। হিংসার্থং নিকৃতিপ্রজ্ঞঃ প্রোদ্বেজয়তি চৈব হ ॥৩৩
উপক্রামতি জন্তূংশ্চ উদ্বেগজননঃ সদা। এবং শীলসমাচারো নিরয়ং প্রতিপদ্যতে ॥৩৪॥
স বৈ মনুষ্যতাং গচ্ছেৎ যদি কালস্য পর্য্যয়াৎ। বহ্বাবাধ পরি ক্লিষ্টে জায়তে সোঽধমে কুলে ॥৩৫॥

লোকদ্বেষ্যোঽধর্মঃ পুংসাং স্বয়ং কর্ম ফলৈঃ কৃতৈঃ।
এষ দেবি মনুষ্যেষু বোদ্ধব্যো জ্ঞাতিবন্ধুষু ॥৩৬॥

অপরঃ সর্বভূতানি দয়াবানমু পশ্যতি। মৈত্রদৃষ্টিঃ পিতৃসমো নির্বৈরো নিয়তেন্দ্রিয়ঃ ॥৩৭॥
নোদ্বেজয়তি ভূতানি ন বিঘাতয়তে তথা। হস্ত পাদৈ সুনিয়তৈর্বিশ্বাস্যঃ সর্বজন্তুষু ॥৩৮॥
ন রজ্জ্বা ন চ দণ্ডেন ন লোষ্টৈর্না যুধেন চ। উদ্বেজয়তি ভূতানি শ্লক্ষ্ণ কর্মাদয়াপরঃ ॥৩৯॥

এবং শীলসমাচারঃ স্বর্গে সমুপজায়তে।
তত্রাসৌ ভবনে দিব্য মুদাবসতি দেববৎ ॥৪০॥

ধর্ম চেনবা, অচুম্বত চৎপা মীনা, অথোইবা খাগৈ জাৎতা পোকই। ব্রহ্মাজী মশামক্না হায়খিবা হীরম পুম্নসি ঐনা নঙোন্দা অমুক লীরিবসিনি ॥৩১॥ নোংথিজবী! পার্বতী! মরমচৎ খাজৎতা হুংশিহৈতবগী মওংনা ভিল্লবা, মাবু উবদা মী পুম্নমক্না খী খী কিহ্না হন্দোক্লবা, মথোঙনা মখুৎনা, খোরীনা চৈঙনা, লৈপাক লৈতুম্না, যুদ্ধীদা পুন্দুনা মীহাৎ মীথিনবগী খুৎলায় পারহনা মীবু, করিগুম্ব জীববু অরাবা চৈনা শীবা ওৎপা নৈবা, হিংসা লৌনবগী থবক্না করিগুম্বা জীবগী থম্মোয়দা, মিপাইবা অকিবা শীরবা, অসিগুম্বা স্বভাবনা মাগী ওইরবা অহুগুম্বা মীহু নরকতা তাই ॥৩২-৩৪॥ দেবী! কালচক্রনা মত্তা চারবদগী তাইবং মীগী হকচাংদা চঙক্‌না জীবহনা অমুক পোকচরয়বসু বাধা বিঘ্ন অরাবা খুদোংথীবা কয়ানা থল্লবা, অরাবা পোৎলুম পুবওনা মশিঙাং ওইরবা ঈমুংদা পোকলে ॥৩৫॥ অসিগুম্বা অধর্মনীগুমে লৈত্রবা মীসে মহাক্না তৌথিবা কত্রবা কর্মশিংগী মহৈ ওইনা কংজরবনি। অসিগুম্বা মীবু মহাক্না লৈরবা লোকসমাজগী মীশিংনা তুকচরবা খারবা মীয়োংনা য়েংভি। মাগা শরুকাও শম্নীংদে ॥৩৬॥ হায়রিবা মহা কত্রবা থবকশিংসিদগী লাপ্পা হন্দোক্‌না জীব পুম্নমক্তা থৌজাল হৈরবা, মী পুম্নমক, তোঙ্গবা জীব পুম্নবু মরূপ উরবা, অহল্লমন পুম্নমকপু মপাগুম গুরগুম উরবা, কনাগুম্বা করিগুম্বা অমত্তা য়েংথিনবা তৌত্রবা, ইন্দ্রিয় থুনম চম্লুনা, ক্রুদ্ধ কাজিল্লুনা থল্লবা জীবদা থোঙনা খুৎনা কাওনীং মুলীতোকপা ক্রুদ্ধ কাজিল্লুনা থল্লবা, শীল্লবা শা উচেকশিংনো মাবু উবদা করিমত তৌথিনবদোই হায়হনা করিমুক চিংনবনা, থাজবগা লোয়ননা মনাক্ত অহুম চৎলরবা, অসিগুম্বা স্বভাব আচরণবা থল্লবা মীশিংহু স্বর্গ কায়। স্বর্গদা আনন্দ মথল মথল কংদুনা লৈখি ॥৩৭-৪০॥

স চেৎ কর্মক্ষয়ান্মর্ত্যো মনুষ্যেষূপজায়তে। অনাবাধো নিরাতঙ্কঃ সজাতঃ সুখমেধতে ॥৪১॥

সুখভাগী নিরায়াসো নিরুদ্বেগঃ সদা নরঃ। এষ দেবি সতাং মার্গো বাধা যত্র ন বিদ্যতে ॥৪২॥

উমোবাচ

ইমে মনুষ্যা দৃশ্যন্তে উহাপোহবিশারদা। জ্ঞানবিজ্ঞান সম্পন্নাঃ প্রজ্ঞাবন্তোঽর্থকোবিদাঃ ॥৪৩॥

দুষ্প্রজ্ঞাশ্চাপরে দেব জ্ঞানবিজ্ঞানবর্জিতাঃ। কেন কর্ম বিশেষেণ প্রজ্ঞাবান্ পুরুষো ভবেৎ। ৪৪।

অল্পপ্রজ্ঞো বিরূপাক্ষ কথং ভবতি মানবঃ। এতন্মে সংশয়ং ছিন্ধি সর্বধর্ম বিদাং বর ॥৪৫॥

জাত্যন্ধাশ্চাপরে দেব রোগার্তাশ্চাপরে তথা। নরাঃ ক্লীবাশ্চ দৃশ্যন্তে কারণং ব্রূহি তত্র বৈ ॥৪৬॥

শ্রীমহেশ্বর উবাচ

ব্রাহ্মণান্ বেদবিদুষঃ সিদ্ধান্ধর্ম বিদস্তথা।
পরিপৃচ্ছন্ত্যহরহঃ কুশলাঃ কুশলং তথা ॥৪৭॥
বর্জয়ন্তোঽশুভং কর্ম সেবমানাঃ শুভং তথা।
লভন্তে স্বর্গতিং নিত্যমিহলোকে তথা সুখম্ ॥৪৮॥

মহাত্মা তৌরম্বা শুভকর্মশিংদুগী মহৈদু চাবা লোয়রগা মর্ত্যলোকতা অমুক পোক্লরবদু মহাক্লা কর্ম খিবিক্তা বাধাবিম্ন করিমত্ত লৈররোই। অপনবা অখিংবা লৈত-। হীরম পূবদা চাওখংপা কংডি। মুংতাইবা অপেনবতগী মশক ওইনা মপুনশি লেল্লি। দেবী! সংপুরুষশিংনা তৌবা থবক খুদিংমক্তা বাধাবিম্ন থোইনা লাক্তে। মাসি, মহাক মহাত্মা তৌখিবা শুভকর্মশিংদুগী মহৈনি ॥৪১-৪২॥ উমানা হায়ঃ—ভগবন্! মনুষ্যলোক মর্ত্যলোকসিদা কনা কনাগুম্বা তথবিচারদা ককখোক ককশিন তর্ক বিতর্ক, জ্ঞান বিজ্ঞানদ য়ায় শিংবা মহাজ্ঞানী ওইরি। য়ায় বুদ্ধিমান ওইবা মমায়বনা তাঙন খোৎনবদা মায়থীব পীবা তমদবা য়াওরি ॥৪ ॥ অদুগা থরনা ঈপণ্ড পণ্ডনা, করিমত্ত খণ্ডদনা লৈবা য়াওরি। মাসি করিনো করি কয়ম্বা কমনা অমুক য়ায় থেম্নহল্লিবনো? করি কয়ম্বা কর্মনা বুদ্ধিমান বিজ্ঞানবান ওইরিবনো অমসি ওইগদগে? ॥৪৪॥ হে বিরূপাক্ষ! ত্রিলোচন! অমুক য়ায় থেম্নখিবসিগী ময়ম অসি অমুক্তা তাকপিয়। চিংনবসি কোকহনবিয়ু ॥৪৫॥ দেবদেব! থরনা পোকপদগী মমীৎ তাঙবা পোকপ য়াওরি। থরনা পোকপদগী করিগুম্বা অমঙা লোয়নবা পোক্লবা য়াওরি। থরনা নপুংসক ওইনা পোক্লরি। মাসিগী মরমাসিমগা তাকপিয় ॥৪৬॥ মহেশ্বরনা হায়ঃ—দেবী! হৈখিবা মীনা, বেদবেত্তা ওইবা ধর্মজ্ঞ ওইবা ব্রাহ্মণশিংদা মতম অমায়দা নাক য়েকতবা মঙল ওইনা লৈবগী য়া হংতি। মসক মরক্তা বেদ শাস্ত্রগী তত্ত্ব হংতি। কায়দবা থবক পূম্বা থাদোকুম্বা জ্ঞানীশিংগতা সংগক তৌবতম্বা মখিজাং ওই। অসিগুম্বা মীশিংসি মহাজ্ঞানী ওইনা পোক্লদুনা ইহলোক পরলোক অনীমক্তা আধ্যাত্মিক চিন্তনতা মুক্তাইবা কংদুনা লৈ ॥৪৭-৪৮॥

স চেন্না মুখতাং যাতি মেধাবী তত্রজায়তে। শ্রুতং প্রজ্ঞানুগং যস্য কল্যাণমুপজায়তে ॥৪৯॥
পরদারেষু যে চাপি চক্ষুর্দুষ্টং প্রযুঞ্জতে। তেন দুষ্ট স্বভাবেন জাত্যন্ধাস্তে ভবন্তি হ ।৫০॥
মনসাতু প্রদুষ্টেন নগ্নাং পশ্যন্তি যেস্ত্রিয়ম। রোগার্ত্তাস্তে ভবন্তী হনরাঃ দুষ্কৃত কর্মিণঃ ॥৫১॥
যে মূঢা দুরাচারা বিযোনৌ মৈথুনেরতাঃ। পুরুষেষু সুদুষ্প্রজ্ঞা ক্লীবত্বমুপযন্তি তে ॥৫২।
পশূংশ্চ যে ঘাতয়ন্তি যে চৈব গুরুতল্পগাঃ। প্রকীর্ণ মৈথুনা যে চ ক্লীবা জায়ন্তি তে নরা ॥৫৩॥

উমোবাচ

সাবদ্যং কিন্নু বৈ কর্ম নিরবদ্যং তথৈব চ। শ্রেয়ঃ কুর্বন্নবাপ্নোতি মানবো দেবসত্তব ।৫৪॥

শ্রীমহেশ্বর উবাচ

শ্রেয়াংসং মার্গমিচ্ছন্ সদাযঃ পৃচ্ছতি দ্বিজান্। ধর্মান্বেষী গুণাকাঙ্ক্ষী স স্বর্গং সমুপাশ্নুতে ।৫৫॥
যদি মনুষ্যতাং দেবি কদাচিৎ সনিগচ্ছতি। মেধাবী ধারনা যুক্তঃ পাযস্তত্রাভিজায়তে ॥৫৬॥
এবং দেবি সতাং ধর্মো। মন্তব্যোভূতি কারকঃ। নৃণাং হিতার্থায় ময়াভব বৈ সমুদাহৃতঃ ॥৫৭॥

অসিগুম্বা মীশিংসে স্বর্গদা মুংঙাইবা ভোগ পূম্নমক চাবা সোয়রগা মর্ত্যলোকতা অমুক পোক্লরবদু মহাজ্ঞানী মহাপণ্ডিত, মহাবৈজ্ঞানিক ওইনা পোকলৈ ।৪৯॥ মীগী পুপীদা পুক্নীং চঙবা য়েংবশিংদু জন্মান্ধ ওইনা পোকই ।৫০॥ মপুকচেম্ন শেন্দনা, দোষ লৈব রখন্দা, মফি মরোল য়াওজবী মুপীবু য়েংলবদি, মখাদা রোগ অম লাক্কনা, রোগচুনা মত্তোন্দা ওস্থোক্লা শাথিনা চৈনা পী ।৫১॥ মরমচং থীবা, মবুদ্ধি লৈতবা মীনা শা শল শগোলনাচিংবগা সম্ভোগ তৌরবদি নপুংসক ওইনা পোকই ॥৫২॥ শা ভা হাৎপা, গুরুগী শয্যা (কম্নুং) থক্তা কাথৎপা (চীম্না) অদুগা বর্ণ সংকর ওইবী গুপীগা শম্ন খোংনরুবা মী অদু নপুংসক ওইনা পোকই ॥৫৩॥ উমানা হায় :—দেবদেব! করম্ব কর্মনা দোষ লৈবনো, করি কম্বা কর্মনা দোষ লৈতবনো? অদুগা করম করম্বা তৌরগা কল্যাণ ওহবা মঙ্গল ফংগদগে? শ্রীমহেশ্বরনা হায় :—অকবা লম্বীগী মকমতদা জ্ঞানী ওইবা ব্রাহ্মণদা হংবা তত্ত্ব থিবা শাম্বা, ধর্মগী তত্ত্ব বিচারগী চিংমরুকপা মতমদা জ্ঞানী ওইবা মীদা হংবা, হংগদগীত হোৎনবা শুভকর্মত তৌদুনা ম্নাদুনা মাগী মগুণ ওইরমীংবা মহাক অদু শুভকর্ম কর্ত্তামি। অকবা দোষ লৈতবা থবক তৌবা মীশক হায়বদু ওই। মহাক অদু স্বর্গদা মুংঙাইবা ফংদুনা লৈ ।৫৫॥ দেবী! অসিগুম্বা মীশকসিনা স্বর্গগী মুংঙাইবা ভোগ তৌবা লোইরগা মর্ত্যলোকতা অমুক হন্না পোক্লরবদু য়াম্ন বুদ্ধিমান্ জ্ঞানবান্ ওই। মীশক ওইনা পোকলৈ ॥৫৬॥ দেবী! মাসিনি, সৎপুরুষ ওইবগী ধর্ম হায়বদু মাসিনি, মঙ্গল ওইবা, কল্যাণ ওইবা কর্ম শোব হায়বদু। মহাকীত মতুনা মী পুম্নমকী কারনবা বাদু ঐনা অঙোম্না হায়রিবসিনি ॥৫৭॥

উমোবাচ

অপরে ধর্মবিজ্ঞানা ধর্ম বিদ্বেষিণো নরাঃ। ব্রাহ্মণান্ বেদবিদুষো নেচ্ছন্তি পরিসর্পিতুম্ ॥৫৮॥
ব্রতবন্তো নরা নরা কেচিচ্ছ্রদ্ধা ধর্ম পরায়ণাঃ। অব্রতা ভ্রষ্টনিয়মাস্তথান্যে রাক্ষসোপমা ॥৫৯॥
যজ্বানশ্চ তথৈবান্যে নির্হোমাশ্চ তথাপরে।
কেন কর্মবিপাকেন ভবন্তীহ বদস্ব মে।৬০॥

শ্রীমহেশ্বর উবাচ

আগমা লোকধর্মনাং মর্য্যাদাঃ সর্বনির্মিতাঃ।
প্রামাণ্যেনানুবর্ত্তন্তে দৃশ্যন্তে চ দৃঢ়ব্রতাঃ ॥৬১॥
অধর্মং ধর্মমিত্যাহুর্যে চ মোহবশং গতাঃ।
অব্রতা নষ্ট মর্য্যাদাস্তে প্রোক্তা ব্রহ্মরাক্ষসাঃ ॥৬২॥
যে চেৎকালকৃতোদ্যোগাৎ সম্ভবন্তি মানবাঃ।
নির্হোমা নির্ববটকাস্তে রাস্তে ভবন্তি নরাধর্মাঃ ॥৬৩॥

উমানা হায়ঃ—ভগবন্। ধর্ম তৌবা অমুবা কর্ম তৌবা মীবুস্ন কমক হেংখিবা অসিগুম্বা মীতা খরনু উবা ফংঙি। অখণ্ডবা অশিংবা মীগী মকমদা চত্নবা হংনিং খোংনিংবা কাওবা লৈতবা (পামদবা) য়াওরি ॥৫৮। খরনা, ঈশ্বরদা য়াম্ন ভক্তি শ্রদ্ধা লৈবা, ব্রতাচারী ওইবা ধর্মগী তত্ত্ব থিনিং হংনিংবা য়াওরি। অদুগা খরনা হিংচা য়াইতম্বগী লমচৎ চৎপা, ব্রত উপাসনা করিমত তৌনিংদবা (তৌদবা) য়াওরি ॥৫৯॥ খরনা যাগযজ্ঞদা, দানধর্ম কর্মদা পুক্নীং চঙলি। খরনা মাসিগুম্বা থবক তৌনিংদে। মমঙ কাওবদা উমে তৌদে। যাগী মাগী থবকতা অমদি রাখঙ্গা করি করি খেন্নখিবনা হন্দকী মপোকতা অসুক য়াম্ন শাথীনা খেন্নরিবনো ? মাসি অমুক্তা তাকপিয়ু ॥৬০॥ মহেশ্বরনা হায়ঃ—দেবী। বেদ শাস্ত্রশিংনা তাইবং মীনা লোক ধর্মদা তৌগদবা, তৌকম থোক্কপা, নিয়ম মর্য্যাদশিংমু স্থাপন তৌরি (তাকলি)। পুম্নমক অদু তাইবং মীগী মপোক্তা লাক্লবা জীবশিংগী কান্নবগীদমক্তনি। শাস্ত্রগী প্রমাণবু থাজবা, মানিবা, মীশিং অদুনা শাস্ত্রদা তাক্লিবা নিয়ম অদুগী মতুং ইন্না থবক তৌই ॥৬১॥ তম্মংখিবনা, তম্মংপগী মথা পোনখিদুনা ধর্মবু অধর্ম ওইনা, অধর্মবু ধর্ম ওইনা উরে। শাস্ত্রগী নিয়মবু মানিদবা, খোওইদবশিং অদুনা হন্দকী মপোক্তা ব্রহ্মরাক্ষস ওইনা পোক্লরিবশিনি। ব্রাহ্মণ ওইরবসু ব্রহ্মরাক্ষস ওক্তনি হায়নরিবসিনি ॥৬২॥ মখোয়সিগী জীবনা তাইবং মীগী হকচাং, অসিবু থাদোক্তুনা চংথগা কালগী পতিগী নিয়মনা মতা চাক্নবদগী তাইবং মীগী হকচাংদা অসুক জাজবরুবদু হোম-বষট্‌-কারনচিংবা তৌনিংবা নরাধম (তোনথবা হকথবা) ওইনা পোক্লে ॥৬৩॥

এষ তেঽভিহিতো দেবি সর্বধর্মার্থসংগ্রহঃ।
কুশলা কুশলো নৃণাং ব্যাখ্যাতো ধর্মসাগরঃ ॥৬৪॥

উমোবাচ

দেবদেব নমস্তুভ্যং ত্র্যম্বক বৃষভধ্বজ।
শ্রুতং মে ভগবন্ সর্বং ত্বৎপ্রসাদা মহেশ্বর ॥
সংগৃহীতং ময়া তচ্চ তব বাক্যমনুত্তমম্।
ইদানীমস্তি সন্দেহো মানুষেষিহ কশ্চন ॥
তুল্যপ্রাণ শিরঃ কায়ো রাজায়মিতি দৃশ্যতে।
কেন কর্মবিপাকেন সর্বপ্রাধান্যমর্হতি ॥
স চাপি দণ্ডয়ন্ মর্ত্যান্ ভর্ৎসয়ন্ বিবিধানপি।
প্রেত্যভাবে কথং লোকাল্লভতে পুণ্য কর্মণাম্ ॥
রাজবৃত্তমহং তস্মাচ্ছ্রোতুমিচ্ছামি মানদ।

দেবী! চাংজৌ নাইত্রবা ঈপাকুম্বা ধর্ম শাস্ত্রগী নিময়শিং অসিবু ধর্ম চেন্নবশিংনা জ্ঞানগী উচুং অমিলা লুপ্তুনা লৈবা পাপ্মি। অধর্মীশিংনা পামদে। নংগী চিংনরিবহু কোক্লনবা ঐনা শন্দোক্লা হায়রবসিনি ॥৬৪॥ উমানা হায়ঃ—দেবদেব! ত্রিলোচন! বৃষভধ্বজ! (কিয়াম্দা শন্নাব রেবপা!) ভগবন্! মহেশ্বর! নহাকী কৃপাদগী ঐংনা চিংনখিবা হংজখিব পুম্নমকী মরুমদা তাহনবিরে তাকপিরে॥ তাকপ্রিবা অমবা পাউতাক পুম্নমক বৃদ্ধি তানা, চনীং তানা লৌজরে। তাইবং মী মপোকী মরুমদা চিংনবা শরুক রাকম থর লৈহৌরি। চিংনরিবসিগী সমাধান অমদি তৌকম থোকই॥ খোঙ-খুৎ থকাক-কককাং কায়াওবা অতৈ মীশিংগীগা, নিংথৌনি হায়রবনা লৈরিবশিং অসিগীগা থোইদোকপা খেন্নবা লৈত্রে। ফজাবী অমমদি। অহনু অমবা কর্মগী মহৈনা চপ মান্নবা মরামসি পক্তগী মী মহাক অমতনা নিংথৌ পুত্তুম কাকনা থাইরি। মথক খোংনা লৈখ্রিবনো? নিংথৌ মহাক মথক্তমা অতৈদা দণ্ড পীরি, চৈরি-রায়ক থাবোত্রি। ত্রয়ায়া মকোক কোয়া কুক-কুক কৃত্তি। অসিগুম্বা নিংথৌনি হায়রিবশিংসি শিরবা অমুক্তা, মপোক্কী মতুম মরমদা লোক (খেম) দা শৌথি-চংখিবগে? মহাদেব! নিংথৌশিংসিনা তৌজরকপা আচার, ব্যবহারগী মরমদা রায়া তাজনীংঙি॥

ইত্রাঃ—(মতুম অসিগা রাজধর্মগী মরমদা উমাগা মহেশ্বরগা তাওনবগী অতাংদি লৌইরে। অহনু, ব্যাসগী শ্লোকাবলীদি নত্তবা, প্রক্ষিপ্ত ওইবা (মথং মথং হাপশিল্লকপা) শ্লোক খরহ রাওরি। মথোয়হু মথাদা মথং মথং লাপ্লিবসিনি। অহুনা, শ্লোকশিং অসিগী মখীং অহ মথা চথত্রবসিনি)।

শ্রীমহেশ্বর উবাচ

তদহং তে প্রবক্ষ্যামি রাজধর্মং শুভাননে ॥
রাজায়ত্তং হি যৎ সর্বং লোকবৃত্তং শুভাশুভম্ ।
মহতস্তপসো দেবি ফলং রাজ্যমিতি স্মৃতম্ ॥
অরাজকে পুরা হ্যাসীৎ প্রজানাং স কুলং মহৎ ।
তৎ দৃষ্ট্বা সংকুলং ব্রহ্মা মনুং রাজ্যে ন্যবেশয়ৎ ॥
তদা প্রভৃতি সংদৃষ্টং রাজ্ঞাং বৃত্তং শুভাশুভম্ ।
তন্মে শৃণু বরারোহে হস্ত পথ্যং জগদ্ধিতম্ ॥
যথা প্রেত্য লভেৎ স্বর্গং যথা বীর্যাং যশস্তথা ।
পিত্র্যং বা কৃতপূর্বং বা স্বয়মুৎপাদ্য বা পুনঃ ॥
রাজ্যধর্মমনুষ্ঠায় বিধিবৎ ভোক্তু মর্হতি ॥
আত্মানমেব প্রথমং বিনয়ৈরুপপাদয়েৎ । অনুভৃত্যান্ প্রজা পশ্চাদিত্যেষ বিনয়ক্রমঃ ॥

শ্রীমহেশ্বরনা হায় :—রাজধর্মগী ঐ হায়গে মুন্না তাও। লোক সমাজগী প্রজা পূম্নমক্কী আচার বিচার লমচৎ ব্যবহার পূম্নমকসে নিংথৌগী আচার বিচারগী দায়িত্বগী মথাদা লৈ। লোক প্রজা খুদিংমক্কী লমচৎ ব্যবহার ফজবা ফজদবসিগী দায়ীদি নিংথৌনি। দেবী! নিংথৌ ওইহনা ময়াম্থু রাবক রাতের্নরবসে নহালমুক্কী মপোক্কী তপস্যাগী ফলনি (মহৈনি)॥ মমাঙৈগী রানি, তাও। মমাঙৈদা অহানবদা নিংথৌ হায়বসি লৈরমদে। নিংথৌ য়াওদনা অচুম লৈরম্মি। অচুদনীদি, মতুংদা মীওম প্রজা পূম্নমক অরাবা তানরক্লে। মাশা মানা থোকপা তৌনরক্লে। অশেনবনা অশোনবগী ময়ল মুনবা হৌনরক্লে। মাহু উবদা ব্রহ্মানা মনুবু ময়ামবু রাদক-রাতেম্নবা নিংথৌগী সিংহাসনদা ফাহনখি। নিংথৌ ওইহনখি॥ মাহুদগী হৌনা, নিংথৌ পানবা, নিংথৌ ওইবা থবক অমি নিয়ম নাইনা চথরক্লিবনি। মীংথিজবী! পার্বতী! নিংথৌ মশাগী আচারণ লমচৎ ব্যবহারনা প্রজাশিংগী লমচৎ ব্যবহার শেমগদৌরিবনি। মুন্না তাও, হায়গে॥ হায়রিবা লমচৎ ব্যবহার অচুনা স্বর্গ কাগদৌরিবান। মাহু, ঐ হায়গে, তাও। মপা মপু হাক্তক্কী মথং মথং ফংনরকপা রাজ্য (লৈপাক) পু, নত্রগা মশাগী পরাক্রম (মতৌক-মথৌনা) না অতোপ্পদগী লৌরবা রাজ্যবু, নীংথৌনা, নিয়ম কায়দনা, ফজবা রাজনীতিনা শাসন তৌগদবনি। মাহুদগী থোরকপা সম্পত্তিবু ধর্ম কায়দনা ভোগ তৌগদবনি॥ ঐহান হায়বদা, নিংথৌ মশানা মশাবু শাসন তৌথিগদবনি। মশানা মশাবু নোমুক্না থমখিবনি। মশাদা অহংকারদা চঙনখিরোইদৌবনি। অচুগী তুংদা প্রজাশিংদা বিনয় (নোমুক্পা নাপল তৌদবা) গী শিক্ষা (পাউতাক) পীগদবনি। মাসিনি, বিনয়গী ক্রম অম চথারিবনি॥

অস্মিনং চোপমাং কৃত্বা প্রজাস্তত্ত্বকাঙ্ক্ষয়া। স্বয়ং বিনয়সম্পন্না ভবন্তীহ ভুজেক্ষণে ॥
অস্মাৎ পূর্বতরং রাজা বিনয়ত্যেব বৈ প্রজাঃ। অপহাস্যো ভবেত্তাদৃক্ স্বদোষ স্থানবেক্ষণাৎ ॥

মীত্তা কজবী। পার্বতী। মশানা মশাবু বিনয়ী নিরহংকারী অম ওইহনবা ফুংদা নিংথৌনা মাগী প্রজাশিংবু বিনয়ী (নোমুকপা) নিহংকারী (নাপল তৌদবা) ওইহনগদবনি * । মশাবু হায় বিনয়ী ওইহন্দনা প্রজাশিংদো বিনয়ী ওইননবা, শান্তি পাম্বা, ওইহনবা তম্বিবদি মী খাইনা লঙনগনি নোয়গনি । ঈবেন্মা। পার্বতী। নিংথৌনা চংলিবা কজবা লমচং ব্যবহার অহূগী মতৌ ভয়হনা প্রজাশিংদু নিংথৌহনা নিংথৌহনা চায়নবা হায়হনা অকবা লমচং চংলি। রাজা প্রজা অনীমকী ঈকান কায়রে। লৈপাক্তা সুখশান্তি লৈরে । নিংথৌনা হায় বিনয়ী (নোমুকপা) ওইনবা তমত্রিভৈনা প্রজাশিংদা বিনয়ী ওইহননবা, নিরহংকারী (নাপল তৌদবা থোয়দবা) ওইনবা তম্বিবা, উপদেশ তৌবদি কাপি তাগনি, মীনোক চওগনি ।

---

* টীকা ঃ—ময়মচং থীবা মমা মপানা মচাশিংবু ময়মচং কজহনবা থক য়ারোই। মু থকপা মপানা মু থকপা মচাদা মু থকপা ফত্তে হায়না উপদেশ পীব য়ারোই। মচাহনা "নংদি কমদৌই ?" হায়না য়েংলকনি। নিংথৌ হায়বসি প্রজাশিংগী মমা মপানি। মচা মশূবু রায়কত্রিভৈদা মমা মপানা, "ঐথোয়না তৌরিবসি উত্রা ?" হায়না আদর্শ (খুদম) পীরগা মচা মশূবু রায়কদবনি। মত্রবদি মচাশিংনা পাউতাক অহূ থক লোয়োই। নমথাক তৌবা, অগাউরম কাবা ঈচা মীচা খায়বা প্রজাশিংগী লল-খেন্‌দ্রম খোমজিনগদবগী হোৎনবা, হায়বসি অশান্তি পাম্বা লোন্তী ওইবা নিংথৌ মন্ত্রীনা প্রজাশিংবু "শান্তি পাম্বা" ওইহনবা থক য়ারোই। অহুম্না, শান্তি পামদবা, নিংথৌগী লৈপাক্তা প্রজাশিংগী মনুংদা অমগা অমগমগা হাংনথিন্নবা, লূট-পাৎ তৌবগী থবক অসি নোংম নোংমগী মশাং হেনগৎলকনি। হায়বদি প্রজাশিংগী মনুংদা অশান্তি পোকহল্লিব সগী দায়িত্বদি শান্তি পামদবা নিংথৌ মহাক মশানা পুগদবনি। অসনি, ধর্মনীতিগা রাজনীতিগা অনীগী ময়ক্তা লৈন্নিবা মর্যাদা হায়বদি ধর্মনীতি রাজনা চপ চাবা রাজনীতি থক ওইবা য়ারোই। য়ারোই। ধর্ম হায়ববু কপিন্নু নত্তে। অমগমগা থৎনদবা, চৈনদবা, ফুনদবা, থেইবা নাপল তৌদবা, ঈচা মীচা খান্নবা, মীচঙ মীথাই নাইদবা, ঈশ্বরবু তম্বনা লৈবা, অসি-চিবে মানবধর্ম অসিবুনি ধর্ম হায়রিবসি। হিন্দু ধর্ম খ্রীষ্ট ধর্ম হায়বা অহূবা খুৎলেমগী ধর্মন নত্তে। রাজনীতিগা যরম লৈনরিবা ধর্ম হায়বসি হিন্দু ধর্ম, বৈষ্ণব ধর্ম, বৌদ্ধ ধর্ম অসিনচিংবনা লৈরিবা ধর্ম অহূবু নত্তে। নিংথৌ অমনা শাসন তৌরিবা প্রজাশিংসি হর্ষ সম্প্রদায় মথং মথংগী মীশক ওয়াকনি নিংথৌ মশানা খ্রীষ্ট ধর্ম চৎপা প্রজাশিংগীত কায়নবা তৌবা য়ারে। তোঙান তোঙানবা ধর্ম চৎপা প্রজা পুন্নক মীগী মী মকনি। অহূনদি নিংথৌহন্ন খ্রীষ্ট ধর্মবু

বিদ্যাভ্যাসৈর্বৃদ্ধ যোগৈরাত্মানং বিনয়ং নয়েৎ। বিদ্যা ধর্মার্থকলিনী তদ্বিদো বৃদ্ধসংজ্ঞিতাঃ॥
ইন্দ্রিয়াণাং জয়ো যোগস্তস্য তন্মূলমুচ্যতে। অজয়ে সুমহান্ দোষো রাজ্ঞাদং বিনিপাতয়েৎ॥
পঞ্চৈব বশগে কৃত্বা অর্থান্ পঞ্চগোচরেৎ। ষড়ুৎসৃজ্য যথাযোগং জ্ঞানেন বিনয়েন চ॥
শাস্ত্রচক্ষুর্নয়পরো ভূত্বা ভৃত্যান্ সমাহরেৎ॥
বৃত্তশ্রুত কুলোপেতান্নুপাধিভিঃ পরীক্ষিতান্। অমাত্যান্নুপধাতী তান্ সাপসর্পান্ জিতেন্দ্রিয়ান্॥
যোজয়েত যথাযোগং যথার্হং স্বেষু কর্মসু॥

বিদ্যাগী অভ্যাস তৌরগা অহল লমন জ্ঞানী ওইবশিংগা মৎসঙ্গ তৌবগা বিনয়ী ওইবা তমগদবনি। বিদ্যা হায়বসি ধর্ম অমদি অর্থ (লন্-থুম) বু পীনহৈবীনি। অদুগী বিদ্যানা জ্ঞানী ওইরবশিংদুবুনি অহল ওইরবা (জ্ঞানবৃদ্ধ) হায়বসি। চহীদা অহল ওইরবা তাকী রা নত্তে। লেবী। নিংথৌনা অহানবগা মশাগী ইন্দ্রিয়শিংবু থুহুম চনগদবনি হায়বসি হায়দু হায়গবহনি। ইন্দ্রিয়শিংবু থুহুম চনহৌত্রবদি, মথোয় (ইন্দ্রিয়শিং) দুনা নিংথৌদুবু লৈখা তাহল্লি। মকম তাহল্লি। ইন্দ্রিয় মঙাবু থুহুম চনগা রূপ রসনচিংবা বিষয়শিংবু কংশিলহল্লি। জ্ঞান অমদি বিনয় (নোল্লুকপা) অনীসিগী পাংথনা কাম ক্রোধনচিংবা যেরুবা তরুক অসিবু থাদোকপা তাথোকপা ওমগদৌরিবনি। শাস্ত্রগী দৃষ্টি অমদি নিয়মগী-সহায়তা (মতেং) না ন্যায়পরায়ণ (অচুম্বদা পুন্নীং চঙবা) হায়বদু ওইরগা সেবক সখাশিংবু, প্রজাশিংনবু লৌশিন খোমজিনবিগদবনি॥ অদু ওইরবদি পুন্নমক মাগী মী ওাক ওইরগনি॥ সদাচারী ওইবা, শাস্ত্রজ্ঞান লৈবা, মপা মপু অচৌবা শ যৈদা পোকপা, মবুকচেল শেংগা শেংদে হায়বদুগী মুখা পরীক্ষা তৌরবা, অদুগা পরীক্ষ হুদু ওমথবা, অথুপ অয়োল কা-নবগী বিদ্যা (জ্ঞান) লৈরবা অদুগুম্বা মীশকশিংবু মন্ত্রী ওইনা হাপকদব ন * ॥

মনাতপ ওইনা থরুগা মীগী ধর্ম চংপা তাই। অদুগা মানব ধর্ম অদুনি রাজনীতিগা মরুম লৈনম্রিবা ধর্মসি॥ (কালাচাঁদ)

*টীকা:—লয় লমগী প্রজাশিংনা হৌ হৌ চো হুনা, পুং লিংহুনা থাংগৎলকপা থরকপা. মথোয় মথোয়গী মীহুৎ ওইনা পুথোক্রকপা মীশিংতবু মন্ত্রী ওইনা হাপলোকদৌবনি হায়বসি মতাং অনিদা উথলি। মখোয়না থাংগৎলক্লিবা থরকপা মীশক অদু, কামী লোভী ওইরা ওইরবরা, মবুকচেল লেহবা মীশকদা নত্তরা হায়বদু মথোয় মশামক্রা থঙলি। মথোয় মথোয়দা মুংশিজবা চামবা; শাইলেন্দ্র থোক্লবা অদুগুম্বা মীশকতবু অকনবা অকনবি হায়রুনা পুথোক্লকপতনি। অদুগী মীহুৎশিংদুনা লৈপাকী শাসন পুরগা, কঙ্গুম্বা মতমদা লৈপাক। সুখশান্তি পুরকপা রায়োই হায়বদি মতাং অনিদা কোকজাক্লি॥ (কালাচাঁদ)

অমাত্যা বুদ্ধি সম্পন্না রাষ্ট্রং বহুজন প্রিয়ম্। দুরাধর্ষং পুরশ্রেষ্ঠঃ কোশঃ কৃচ্ছ সহঃ স্মৃতঃ ॥
অনুরক্তং বলং সাম্নামদ্বৈধং মিত্রমেবচ। এতাঃ প্রকৃতয়ঃ স্বেব স্বামী বিনয়তত্ত্ববিৎ ॥
প্রজানাং রক্ষণার্থায় সর্বমেতৎ বিনির্মিতম্। আভিঃ করণ ভূতাভিঃ কুর্য্যাল্লোকহিতং নৃপঃ ॥
আত্মারক্ষা নরেন্দ্রস্য প্রজারক্ষার্থমিষ্যতে। তস্মাৎ সততমাত্মানং সংরক্ষেদপ্রমাদবান্ ॥

ভোজনাচ্ছাদ ন স্নানাৎ বহির্নিষ্ক্রমণাদপি।
নিত্যং স্ত্রীগণসংযোগাৎ রক্ষেদাত্মানমাত্মবান্ ॥
স্বেভ্যশ্চৈব পরেভ্যশ্চ শস্ত্রাদপি বিষাদপি।
সততং পুত্রদারেভ্যো রক্ষেদাত্মানমাত্মবান্ ॥
সর্বেভ্য এব স্থানেভ্যো রক্ষেদাত্মনমাত্মবান্।
প্রজানাং রক্ষণার্থায় প্রজাহিতকরোভবেৎ ॥

বুদ্ধিমান্ ওইবা মন্ত্রী, মী খাইনা কল্লরুকম ওইবা, লৈনিংবা রাষ্ট্র, (নিংথৌ পানবা লৈপাক), অমনা পাক চঙবা লান্দাবা ঙমদবা, অথোইবা নগর, কিল্লা, খুদোং থীব মতমদা শীজিন্নবা ল্লাবা লন্থুম্না, চোল্লবা ললগৈ পুকৈ, মরিল লৈবা, য়াম্ন তপথবা, সামনীতি পান্থা লাম্মীশিংনা শাবা সেনা (লাম্মী মপৈ), মরুকচেল শেংবা শাগোল্লবা যাবা মীশক (মরূপ) বিনয়গী তত্ত্ববু মুম্না খঙবা নিংথৌ হায়রিবা তরেৎ অসি, রাজনীতিদা প্রকৃতি তরেৎ হায়না খঙনৈ ॥ প্রজাশিংবু য়োক্ল-কয়নবগী দমক্তা রাজনীতিগী নিয়ম প্রবন্ধশিং অসি শেমগ্রিবনি। রক্ষাদুগী হেতু (মশম থুংলায়) দি হায়রিবা প্রকৃতিশিং অসিনি। হায়রিবা প্রকৃতিশিং অসিনা হেতু (থুংলায় পান্থ) ওইহন্দুনা নিংথৌনা প্রজাশিংগী লোক সমাজগী উপকার অমদি রক্ষা তৌগদবনি ॥ প্রজাগী রক্ষাগীদমক্তা নিংথৌনা, হান্না চেকশিন্না মশামক্তা রক্ষা তৌথিগদবনি। অদুনা নিংথৌ মশানা মশাবু রক্ষা তৌবসিমকসু অয়ায়বা নত্তে। য়াম্ন চেকশিন্না তৌগদবনি ॥ ইন্দ্রিয় পুক্লীংবু থুডুম চনবা নিংথৌনা চাব থকপা কিয়োল শেৎপ চাবদা, ঈরু মায়থুবু মতমদা, মপান্দা থোকপা, কোয়থোক চথোকপদা অদুগা মপী নহা লোয়নবীশিংগা ওহাক লৈমিন থৌমিন্নবা মতমদা মশানা মশাবু য়াম্ন শেম্নগদবনি। আত্মরক্ষাতনা প্রজা রক্ষা তৌগদৌরিবনি ॥ কা যৌম হরাত্তি-ভয়াম্বদা পুক্লীংবু কাজিন লাকশিন্দুনা, মশাগী শাগৈ নাতৈ ওইবা মীশিংদগীসু অদুগা অতোপ্প-শিংদগীসু, মথুত্তা থুংলায় পায়দুনা থোগল তৌরিবা মী শংদগীসু অমুক করি হায়গনি, মতু মচাশিংমকদগী নিংথৌনা মশাবু কয়নবা হোৎনগদবনি ॥ আত্মবান্ (মশা মশাবু চেকশিন্না লোইবা - আত্মা লোইবা) ওইবা নিংথৌনা প্রজাশিংগী রক্ষা (ঙাকপা কনবা) গীদমক্ত হায়ম পুমমক্তা মশা মশাবু কয়নবা হোৎনগদবনি। "যাদুবু হৈংন" হোৎননা, প্রজাশিংগী কায়নবগী থবকসু অদুম মতৌনি। হায়বদি "এনা ঈশা কয়নবা হোৎনৌরি, মথোইবু কয়নবদি তুংদা হোৎনগনি" হায়রবা য়াদে ॥

প্রজাকার্য্যং তু তৎকার্য্যং প্রজাসৌখ্যং তু তৎসুখম্ । প্রজাপ্রিয়ং প্রিয়ং তস্য স্বহিতং তু প্রজাহিতম্ ॥
প্রজার্থং তস্য সর্বস্বমাত্মার্থং ন বিধীয়তে ॥
প্রকৃতীনাং হি রক্ষার্থং রাগদ্বেষৌ ব্যুদস্য চ । উভয়োর্বাদং শ্রুত্বা চৈব যথা তথম্ ॥
তমর্থং বিমৃশেৎ বুদ্ধ্যা স্বয়মাতত্ত্বদর্শনাৎ ॥
ততো বিজ্ঞৈশ্চ বহুভিঃ সহাসীনো নরোত্তমৈঃ । কর্ত্তারমপরাধং চ দেশকালৌ নয়ান যৌ ॥
জ্ঞাত্বা সম্যগ্ যথা শাস্ত্রং ততো দণ্ডং নয়েন্নৃষু ॥
এবং কুর্বন্নবেৎ ধর্মং পক্ষপাতবিবর্জনাৎ ॥
প্রত্যক্ষাপ্তোপদেশাভ্যামনুমানেন বা পুনঃ । বোদ্ধব্যং সততং রাজা দেশবৃত্তং শুভম্ ॥
চারৈঃ কর্ম স্ববৃত্ত্যাচ তৎ বিজ্ঞায় বিচারয়েৎ । অতত্ত্বং নির্হরেৎ সত্তো জোষয়েচ্চোত্তমাত্মনঃ ॥

নিংথৌগী মথৌ হায়বদু, প্রজাশিংবু মাগী মাগী মথৌ নীংথিনা পাঙথোকহনবা অসিতনি। নিংথৌগী মথৌ হায়বদু প্রজাশিংবু মাগী মাগী ধর্ম কায়দবা মথৌশিংবু নীংথিনা য়েথায় থিনগাই লৈতনা পাঙথোকচহনবা" অসিতনি। নিংথৌগী মশাগী নুংঙাইবা (সুখ) হায়বসি প্রজাশিংগী নুংঙাইবা অহুবুনি। নিংথৌগী অপাম্বা হায়বনা, প্রজাশিংগী অপাম্বা অহুবু হায়বনি। প্রজাশিংগী নুংঙাইবনা নিংথৌগী নুংঙাইবা হায়বহনি। প্রজাশিংগী কান্নবনা নিংথৌগী কান্নবনি। নিংথৌগী *ল পূম্নমক অসি প্রজাশিংবু নুংঙাইহন্নবগীদমক্তা লৈরিবনি। নিংথৌ মশাগী নুংঙাইননবগীদমক্তা নত্তে। প্রকৃতি (প্রজাশিং) অসিগী ঙাক্কনবগীদমক্তা অশাউবা কন্নকপা নাপল থাদোক্তনা প্রজাশিংগী মরক্তা থংন চৈনবা থোক্নকপা মতমদা, বাদী বিবাদী অনীমক্কী তোঙাল তোঙানবা বাদ (রাঙাঙ রাকৎ) শিং অহুবু তোঙাল তোঙানা পুক্নীং চঙনা তাথিগদৌবনি। অনীহুগী হায়দোক্ননক্লিবা রাশিংহু মুন্না তারবা তুংদা, চপচানা, মথুংদা থুগ্‌না লৈরিবা অচুম অরান অহু নাথে শেংনা লাইথায় ভাজ্রি কাওবা নিংথৌনা মশাগী মীরাংমা থংদোকখিরোইদৌবনি। অস্নমা, নিংথৌনা কুপ্না নৈনরকপা মতমসিদা বুদ্ধিমান্ ওইবা অথোইবা মন্ত্রীশিংনা অটীকপদা কুপ্না তান্নহুনা নৈনহনা, লাল্লিবা (অপরাধী ওইবা), অহুগা মাগী মরাল, দেশ, কাল, পাত্র ন্যায় অন্যায় (অচুম-অরান) গী জ্ঞান ফংলবা তুংদা অপরাধী (অরানবা মী) দুগী অপরাধ (মরাল) অহুগী চপ চাবা দণ্ড (দণ্ডি) অহু পীগদবনি। মীচঙ মীথায় নাইদনা থবক তৌবা নিংথৌনা মহাধর্ম চেন্নবা নিপা অমনি। মীৎমক্তা সং সং উরগা, মাননীয় ওইবা মীশিংগী পাউতাক তারগা নত্রগা যুক্তি যুক্ত ওইবা প্রমাণ নত্রগা অনুমাননা, রায়েনব নিংথৌনা মতম পুম্বদা লৈপাক্কী মঙ্গল ওইবা কান্নবা থবক্তা লৈগদবনি। অহুগা কদায়দা করি তৌনরিবগে তাঙনরিবগে মুন্না থঙদোকদবনি। গুপ্তচরশিংবু মায়কৈ মরিমক্তা থারগা, কদায়দা করি অক কন্ন তাঙনরিবগে হায়বহু মুন্না থঙদোক্লগা, রাম কুপ্না বিচার অমুক তৌগদৌবনি। অহুগী তুংদা কত্তবহু কোক্কনবা তৌরগা অকর থবক্তু পুক্কনা পাঙথোকদবনি।

গর্হ্যান্ বিগর্হয়েদেব পূজ্যান্ সম্পূজয়েত্তথা। দণ্ড্যাংশ্চ দণ্ডয়েৎ দেবি নাত্র কার্য্যা বিচারণা ॥
পক্ষাপেক্ষং সদামন্ত্রং কুর্য্যাৎ বুদ্ধির্বৃতৈর্নরৈঃ। কুলবৃত্তশ্রুতো পেতৈ নিত্যং মন্ত্রপরো ভবেৎ।
কামকারেণ বিমূঢ়ৈর্নৈব মন্ত্রমনা ভবেৎ। রাজা রাষ্ট্রং হিতা পেক্ষং সত্যধর্মাণি কারয়েৎ ॥
সর্বোদ্যোগং স্বয়ং কুর্য্যাৎ দুর্গাদিষু সদা নৃপ। দেশবৃদ্ধি করান্ ভৃত্যান্ প্রমাদেন কারয়েৎ ॥

দেশরক্ষয়করান্ সর্বানপ্রিযাংশ্চ বিসর্জয়েৎ।
অহন্যহনি সম্পশ্যেদনু জীবি গণং স্বয়ম্ ॥
সুমুখঃ সুপ্রিয়ো দত্ত্বা সম্যগ্ বৃত্তং সমাচরেৎ।
অধর্ম্যং পরুষং তীক্ষ্ণং বাক্যং বক্তুং নচার্হতি ॥
অবিশ্বাসং হি বচনং বক্তুং স্তম্ভ নচার্হতি।
নরে নরে গুণান্ দোষান্ সম্যগ্ বেদিতুমর্হতি ॥

দেবী! নিন্দা ভৌকম থোকপা মীবু (প্রজাবু) নিন্দা ভৌগদবনি। থাগৎকম থোকপা মীবু থাগৎপিগদবনি পূন্নীং থৌগৎপিগদবনি। পূজা ভৌকম থোকপা মীবু পূজা ভৌগদবনি। দণ্ড (দণ্ডি) পীকম থোকপা মীবু দণ্ডি ভৌগদবনি রায়কদবনি। হায়রিবা রাকমশিংসিদা মথা তানা চিংননীংজায় করিমতা লৈত্রবনি। মীশক মতাগী আবশ্যকতা (দরকার) বু থমদুনা, হায়বদি মন্ত্রী মতাবু ঈথা থাদোক্লদনা, শাগোমহনা থম্নপা শাসনগী থবক্তা কুপ্না লোম্না মন্ত্রনা ভৌগদৌবনি। বুদ্ধিমান্ ওইবা, শাগৈ জাৎ চাউবা, মন্নমচৎ ফজবা, রাজনীতিগী বিজ্ঞান হৈবা খঙবা মীশকশিং অদুগত লোয়ননা রাতানগদবনি। রাজকার্য্যদা, রাজনীতিদা হৈনিংদবা পূন্নীং চঙত্রবা মীশকা করিগুম্বা মতমদা রাষ্ট্রী রাজাই কাওবা শানরোইদৌবনি। লৈপাকী মঙ্গল ওইননবত থন্দুনা, অচুম্বা ধর্মগী মথক্তা ভোংদুনা, মঙ্গল ওইননবগী থবক অদুবু পাঙথোকদৌবনি। কিল্লা (লান্থন), অমদি খুংজু খুংলায় অমদি লালগী খুংলায়গা মরম লৈনবা থবকশিংদু নিংথৌ মথুংমক্লা মমীৎমক্লা হকথেংননা য়েংশিনগদবনি। লৈপাকী চাওথৎপা পাম্বা, লৈপাকী মঙ্গল ওইননবগী রাথস রায় চেন্বা অদুগুম্বা মীশিং অদুবু লৈপাকী থবক পাম্মনগদবনি। লৈপাকী মাঙ তাক্লনবা ভৌবা, লৈপাক অমদি প্রজাশিংগী মক্তা ঈয়াং হৌহনবা পাম্বা মীশিংদা করিগুম্বা মতমদা তিয়রোইদৌবনি। নিংথৌগী মশাইগান্দা লৈদুনা জীবিকা তাঙ্গরিবশিংদু-গীসু নিংথৌনা ভতনা য়েংশিনগদবনি। নিংথৌ হায়বসি মতম অয়াম্বদা মায়থোং মকায়াম্না, খাইমক্তী মকমদা (মীৎয়েংদা) ঈজুংত সুংশিবগী অমদি সুংশিবিবগী মওংদা লৈগদৌবনি। জীবিকাগী উপায় লৈজত্রবশিংদা জীবিকা পীবিদুনা মথোয়গা মরক মরক্তসু সুংশিনা রাগী রাতায় শাবিগদবনি। য়ারিবথৈ কনাগুম্বা মী (প্রজা) অমগী মকমদা থানা শাউরবা তুগৎপা মায়থোং অমদি অয়াকপা রাহৈ উথলোইদৌবনি অদুগা পীজিয়রোইদৌবনি।

যেঙ্গিতং ঋনুনা যৈর্য্যোয় কুর্য্যাৎ কুলস্থবিভম্‌।
পরোক্তিভজ্ঞো লোকেষু তুখা সংসর্গমাচরেৎ॥
মতশ্চ পরতশ্চৈব পরস্পরভয়াদপি।
অমাত্যুষ্বভয়েভ্যশ্চ যাঃ প্রজাঃ পালয়েন্নৃপ॥
লুব্ধাঃ কঠোরাশ্চাপ্যন্ত মানবা দস্যুবৃত্তয়ঃ।
নিগ্রাহ্যা এব তে রাজ্ঞা সংগৃহীত্বা যতস্ততঃ॥
কুমারান্‌ বিনয়েদেব জন্মপ্রভৃতি যোজয়েৎ।
তেষামাত্মগুণোপেতং যৌবরাজ্যেন যোজয়েৎ॥

পণ্ডিত জ্ঞানী ওইবা সৎপুরুষশিংগী মরক্তা, মথোয়না থাজরোইদোবা মা অমতা ঙাংথোইদোবনি। নিংথৌনা, মাগী মনাক্তা লেপ্পরিবা লৈরিবশিং অহুগী মীপুম খুদিংদা মশা মশাদা লৈরিবা গুণ দোষশিং অহু মুম খঙগদবনি *। নিংথৌনা, মহাক্না তৌগে খল্লিবহু পীক পাক হায়দোকলোইদোবনি। য়ারিবমথৈ খঙহন্দনা লোত্তুনা থমখিগদবনি। পূকচেল পীকপগী. মবুদ্ধি থেনবগী মওং অহু থক উৎ-লোইদোবনি। অহুগা পূক্নীংদা পূকচেল পীকপগী য়াথলহন্নু থম্মোইদোবনি। মনাক্তা লৈরিবা মীপুম খুদিংহুগী মাগী মাগী পূক্নীংদা করি তৌগে খল্লিবা অহুনু মুম খঙগদবনি॥ প্রজাশিংগী মশাগী অকিবা, অতোপ্পশিংদগী কংগদবা অকিবা খুদোংথীবা, অমগংগা কিমিন্নবা অহুগা তাইবং মীদগীত নত্তনা, তাইবং মী নত্তবা অতোপ্পা জীবশিংদগী কংগদবা অসিনচিংবা অকিবশিং অসিদগী প্রজাশিংবু নিংথৌনা কনবিগদবনি॥ য়াম্না লোভী ওইবা, মীগী মপোৎ মরল পাম্বা, শাক্ত কানব ভমদবা, লমহেনবা, হুয়ানবা তাকু ওইব প্রজাশিংবু মকম খুদিংদগী থি থিহুনা কৈতমশঙদা কাজিন্নুনা থমহুনা বায়কদবনি॥

---

* টীকা:—নিংথৌগী মনাক্তা লেপ্পরিবা, মালা মানা পাম্ব করিগুম্বা অমমমদং হায়জগে হায়হুনা লাক্লিবশিং অহুগী মনুংদা মীচম কয়া কয়াম্নু য়াওরি। পূং শেল ঈশৈনাচংবা কলাবিদ্যাগী গুণী ওইবা কয়া কয়াম্নু য়াওরি। পণ্ডিত জ্ঞানী ওইবা পূজ্য ওইবা মীশক প্রজা কয়া কয়াম্নু য়াওরি। মথোয়-শিংহু মীংথেং অমতদা তারতম্য থায়দনা য়েংবা উবা য়াদে। হায়রিবা গুণীশিংসিগা করিনু হৈশিংবা প্রজাশিংহুগা চপ মান্নবা উরোইদোবনি। অয়াল অহুইনী বিচায় তৌরকপা মতমদা মীচম মীথাই মাইবা য়াদে। জ্ঞানী পণ্ডিত ওইবগা মরাল লৈরবদি জ্ঞানী গুনীনি হায়দুনা মতোংদা মীচম চঙনদবা নত্তে। মতম মহুদা মচমশিংহুগা চপ চান্নবা উহুনা পক্ষপাতী ওইদনা বিচায় তৌগদবনি। অহুনা নিংথৌনা লৈরিবা কীতম অসি য়াম লুনা লৈবনি॥ (কালাচাঁদ)

অরাজকং ক্ষণমপি রাজ্যন স্থাপ্তি শোভন। অম্বনোৎ সুবিধানাশ্চ যৌবরাজ্যং সদেশ্যতে॥
কুলজানাং চ বৈদ্যানাং শ্রোত্রিয়াণাং তপস্বিনাম্। অংশুবাং বৃত্তিযুক্তানাং বিশেষং কর্তুমর্হতি॥
আত্মানং রাজা রাষ্ট্রার্থে কোশার্থং চ সমাচরেৎ॥
চতুর্থং বিভজেৎ কোশং ধর্মস্থ্যাপ্যকারণাৎ। আপদর্থং চ নীতিজ্ঞো দেশকালবশেন তু॥
অনাথান্ ব্যাধিতান্ বৃদ্ধান্ স্বদেশে পোষয়েন্নৃপঃ॥
সন্ধিং চ বিগ্রহং চৈব তদ্বশেষাং স্তথা পরান্। যথাবৎ সংবিমৃশ্যৈব বুদ্ধিপূর্বং সমাচরেৎ॥
সর্বেষাং সাম্প্রয়ো ভূত্বা মণ্ডলং সততং চরেৎ। শত্রোশ্চাপি চ কার্যেষু ন চৈকান্তং সমাচরেৎ॥
স্বতশ্চ পরতশ্চৈব ব্যসনানি বিমৃশ্য সঃ। পরেণ ধার্মিকান্ যোগান্ নাতীয়াৎ দেবলোকতঃ॥

নিংথৌনা মচা রাজকুমারশিংবু রায় হৈশিংবা, লোমুকপা, থোয়বা নাপল তৌদবা মীশক ওইহনগদবনি। মচাশি মুগী মরক্তগী থাহদগী মতৌকচাবা অমবু থম্মগা যুবরাজ হাপকদবনি *॥ নীংথজগী। পার্বতী। মীকুপ অম কাওবা নিংথৌ (রাজা) অম য়াওদনা রাজ্য (লৈপাক) অমনা, অরাজক ওইনা লৈক্কন থোক্তে। মরম অহুনা, মতুংনা লৈপাক পুহৌনবা মতৌকচাবা যুবরাজ অমা হাম্না লেমহুনা থমগদবনি। মাসি নিংথৌগী মথৌনি॥ শাগৈ জাং চাউবা, বৈদ্য (কবিরাজ) বেদ শাস্ত্র তৈবা পণ্ডিত ব্রাহ্মণ, মুনি ঋষি তপস্বী অহুগা মরল মথুম লৈবা লৈপাকা শগ্য মস্থ ওইবা প্রজা মীশকশিংবু নিংথৌনা সংকার তৌহুনা মতৌকচাবা ব্যবহার তৌহুনা লোয়নগদৌবনি। মশাগী দমক্তা, লৈপাকি কোম্তা অহুগা কোষ সংগ্রহ (প্রজাশিংদগী ধর্ম কায়দনা শেলথুম কৌথৎপা) গীদমক্তা হায়রিবা নিরর্থিংদে শোয়দনা পাঙথোকদবনি॥ রাজনীতি ধর্মনীতি তুননা থওবা মী (নিংথৌ) না মহাক্কী লমদগী লৈরিবা লম্থুম (শেল) অহু, শরুক মরি থোক্না থাদোকদৌবনি। যাগযজ্ঞনচিংবা ধর্ম কর্মগীদমক শরুক অমা, মনাই মশল কমচারীশিংগীদমক শরুক অমা, মহাক্কী লনাইগী মী জন্নবগী শরুক অমা, অরাবা থুংলাংথৌবনচিংবা লাকপা মতমদা শীজিন্নবা শরুক অমা অমুমা মরিথোক্না থাদোক দৌবনি॥ রাজা (লৈপাক) অহুদা লৈরিবা, লায়রবা, চতন্নকম লৈত্রবা, মমা মপা লৈতত্রবা থোক্তকে মীওয়াং পুরমক্তু নিংথৌনা মাগী মথাইগেন্দা থমহুনা য়োকপি থাকশিনদৌবনি। সন্ধি (নিংথৌ অমগা লান্নবা, সন্ধি তৌনবা) গী মতমদা অমদি থংনবা লাম্হেংনবগী মতমদা য়াম কুপ্না যুম্না বিচার তৌহৌগদবনি॥

---

* টীকা:– নিংথৌ মচানি, থাইদগীশু অহংম হায়হুনা নিংথৌনা মচা অহুম্না যুবরাজ হাপাইদবনি (মৈহে মণীং হৈবা, 'মন্নমচং ফজবা', থোয়বা নাপল তৌদবা মচা কহুনা অহল ওইরবসু মথায় ওইরবসু, অতৌবা ওইরবসু মাংওৎপা নিংথৌনা যুবরাজ ওইহনগদবনি। অহংম হায়হনসু হুদোম শান্নরগনা হেক্তৌ হৈরাও কাবা মচাবু নিংথৌনা যুবরাজ ওইহল্লোইদৌবনি॥ (কালাচাঁদ)

বৃক্ষ্যং বৈ প্রজাধর্মং অধর্মস্ত রক্ষণম্। সুনৈশঃ নীতি তাড়নাৎ প্রজাঃ সর্বত্র পালয়েৎ ॥
ব্যসনেভ্যো বলং রক্ষেন্নয়তো ব্যয়তোহ পিবা। আয়শো বর্দ্ধয়েৎ বৃদ্ধং প্রাণ রূপণ কারণাৎ ॥
কারণা দেব যোদ্ধব্য নাত্মনঃ পরদোষতঃ। সুবৃদ্ধে প্রাণমোক্ষণ্চ তস্য ধর্মাব ইষ্যতে ॥
অভিযুক্তো কানবতা দুর্ধ্যাকাপদ্বিধিং নৃপঃ। অনুনীয় তথা সর্বান্ প্রজানাং হিতকারণাৎ ॥

এষ দেবি সমাসেন রাজধর্মঃ প্রকীর্তিতঃ ॥
এবং সংবর্তমানস্ত দণ্ডয়ন্ ভৎর্সয়ন্ প্রজাঃ।
নিত্যমমবাপ্নোতি পদ্মপত্রমিবাম্বিবাম্ভসা ॥

নিংথৌনা, মরক মরক্তা চিংয়া তময়া খুঙং (গ্রাম) খুদিংদা মশামক চত্না, কৈরিবশিং অহুগী অমাং অপাম্ব য়েংশিনুগদবনি। লৈপাক্কী অকবা থবক তৌবশি হাংহুনম্ব মশা মশাস্তনা থোকপা, অমগমগা ভায়দনা থক তৌয়োইদৌবনি। মন্ত্রীশিংগা তানগদৌবনি ॥ নিংথৌ মশাগী অহুগা অতোপ্পশিংগী অমাবা খুদোংথীব লাকদবসু উবা অতমদা অশিংবা জ্ঞানী পণ্ডিত ওইবা প্রজাগা কৃপ তানগদৌবনি। অপাম্বা মিচৌবা পূম্বা থাদোক্লগা ধার্মিক (ধর্ম কৃত্য থঙবা) ওইবা মীশিংগী মরুবু থক থাদোকলোইদৌবনি ॥ প্রজাগী ধর্মদি, নিংথৌনা ভাকপিকম থোকপা, দুংশিংবিকম থে কনবগী গুণ লেনবা, নিংথৌগী ধর্মনা, অহুগুবা ভাকপি কনবিকম থোকপা প্রজাশিংবু ভাকপি য়োকপিবা অসিনি। অহুনা, অতোপ্পা মী অমনা অহুগা কত্রবা নিংথৌ অতোপ্পা অমনা আক্রমন তৌরক্না অমাবা তাযবা প্রজাশিংবু নিংথৌনা মপাঙ্গল থোক্না ভাকথেনগদবনি ॥ লাম্মী (সৈনিক) শিংবু মতম পূম্বা খুদোংথীবগী কয়নবা হোৎনগদৌরনি। কবিগুম্বা নীতি (লোশিং) অমনা নত্রগা শেল ব্যয় (খরচ) তৌহুনা রাজিনমথৈ লালবু কম্বোকবা (তৌদনবা) হোৎনগদবনি। মাসি, সৈনিক (লাম্মী) শিংবু অমসুং প্রজাশিংবু অমাবা তাহরাংদবগী কম্বিংবগী রানি ॥ লাল অহু বখোকপা, যাম্বোইদৌরা, তৌদবা ইবা মপাম্বোইদৌবা লৈরবদি, নপাঙ্গল থোক্না য়েক্কবশিংবা মরোক্লগদবনি, লাম্বোনগদবনি। অহুগুবা মঙৌ (লাল) অহু তৌরিবদো নিংথৌ মাগী মশাগী লোমদনী নত্তে। লাল্দামুক্রিবা মাগী লোমস্থ নত্তে হাকদনি থমগদবনি ॥ দোষ কৈন্দ্রবা (দোষ রাওত্রবা রাওদ্রবা) নীওহরবা লাল্দা থর ম থামোক্লসি ধর্মিগ নিংথৌগী চাউরবা রাজধর্মনি ॥ লাম্বারুপা য়েক্লথমা শক্তমান্ ওইবা মমবা য়েক্কবদি মশা নীথেংকহৌনবা উপায় অসি কৃপ য়েংগদবনি। প্রজাশিংবু কম্বিবগী থাংনা সাম দ ন নীতিনা (হায়কবা কম্বিগুম থর পীথোকপা) য়েক্কবহুনা হায়কবা (অহুনয় বিনয়) কাওবা তৌগদবনি ॥ দেবী ! পার্বতী ! রাজধর্ম অমদি রাজকন মী মরম অসি নংঙোম্দা থম হায়রবনি ॥ এইবা নঙোম্দা হায়রিবা, অমার অহিংগী মথৌ তৌরিবা নিংথৌ (মী) মহাক, অহুদি য়েকথম্ব হাংলবসু ইজেলবম্ব, মাগী মশাগী, থম্মা পক্কা পকপা ঈশিংনা থম্মাবু তোংঙ্কবা ওমদরক্তুগা, মীবু তীবরু হাংপা মুক্তবী লোয় (পাপ) ঙম্ভব্ক ॥

এবং সংবর্তমানস্ত কালধর্মো যদা ভবেৎ।
স্বর্গলোকে তদাত্মা ত্রিদশৈঃ সহ মোদতে॥

শ্রীমহেশ্বর উবাচ

অথবস্তু মহারাজ যুক্তঃ স্যাৎ প্রার্থিবৈর্নরৈঃ॥
ভোগানাং সংবিভাগেন বস্ত্রাভরণ ভূষণৈঃ।
সংহৃত্তে জনসঙ্ঘৈঃ সৎকারৈর্বিবিধৈরপি॥
সংহারকালেসম্প্রাপ্তে সংগ্রামে শাস্ত্রযুক্তয়েৎ॥
হন্যমানেষভিন্ন-স্তু শূরেষু রণসংকটে।
পৃষ্ঠং দত্ত্বা চ যে তত্র নায়কস্তু নরা ধমাঃ॥
অনাহতা নিবর্ত্ত স্তু নায়কে চাপ্যনীশতি।
তে দুষ্কৃতং প্রপদ্যন্তে নায়কস্যাখিলং নরাঃ॥
যচ্চাস্তি সুকৃতং তেষাং যুজ্যতে তেন নায়কঃ॥

অসিগুম্বা মথৌবু পাণ্ডথোক্লম্লগা মথায় থাবা নিংথৌ অদু, স্বর্গলোকতা আনন্দ (নুংঙাইবা) মথল মথল ফংদুনা দেবতাশিংগা লোয়ননা লৈখি॥

[মতাং অসি কাওবদা ঈবিবা শ্লোকাবলীসি দক্ষিণ ভারত দক্ষিনাত্যদা ফংবা মহাভারতকী কোপী থরদা য়াওই। মাদু, অসিরাইদা পোইরে।]

শ্রীমহেশ্বরনা হায়ঃ—নিংথৌনা, মথল মথা অয়াবা অচাথক হন্দুনা, মতীক চানা মাসিক বেতন পীদুনা, চপ মান্নবা ফিজেং (ইউনিফোর্ম) লৈতেং পীদুনা থম্মিবা লাম্মি (সৈনিক) শিং অদুনা, অদুগা নিংগো অদুনা মচাত মচাওম যোক থাকুনা থম্মিবা, মরক মরক্ত মান মান পত্র সম্মান পীদুনা মুংশিনা থম্মিবা লাম্মাশিং অদুগী মথৌদি মথার পাম্মুদনা নিং থৌদুগী রাজ্যবু ঙাক শেন্দুনা থম্বা অদুগা মতমদুগী মদুংইরা নিংথৌদুগীদমক লালফমদা মথায় থাবা অসিনি॥ লৈপাক নিংথৌবু কন্নিংবগীদমক, ধর্মযুদ্ধদা যেক্কবদু খিরো, হাংপা, যেক্কবনা হাংহবা (যেক্কবগী মথুত্তা থরায় থাবা) অসিগুম্বা মতমদা (কয় থেংনরক্কবা মতমাদা) মদুং ওন্দুনা, কিদুনা চেল্লবা, মথাদা কঙিগুম্বা অশোক অপন অমত নংহন্দনা (য়াওদনা), মকোকথোবনিংদুনা থায় কাওবদা চেনখ্রিবা মীকিথৌ লাম্মীশিং অদুদি মকোক থোংবা সেনাপতিশিংদুনা মমাংদা তৌখিবা পাপ পুম্নমক পুদুনা, অদুগা চেল্লিবা মীচেল লাম্মীশিংদুনা মখুমে মদুদা, তৌখিবা ধর্ম কুমগী য়াগবঞ্জানলজিংবগী পুণ্যফলশিং অদু সেনাপতিশিংদুনা কথোক্লম্লগা চেনখিবনি হায়না খঙজু॥

অহিংসা পরমো ধর্ম ইতি যোগিনরা বিদুঃ। সংগ্রামেষু নয়ত্যস্তে ভৃত্যাংশ্চৈবাসুরগতং ॥
নরকং যান্তিতেঘোরং ভর্ত্তুঃ পিণ্ডাপহারিণঃ ॥
যস্তু প্রাণান্ পরিত্যজ্য প্রবিশেদ্বৃতায়ুধঃ। সংগ্রামবহ্নিমতিমং পতঙ্গ ইবনির্ভয়ঃ ॥
স্বর্গমাবিশতে জাত্বা যোধস্তু গতিরীদৃশী। যস্তু স্বং নায়কং রক্ষেদতিঘোরে রণাঙ্গনে।
তাপয়ন্নরিসৈন্যানি সিংহোমৃগগণানিব ॥
আদিত্য ইব মধ্যাহ্নে দুর্নিরীক্ষ্যো রণাজিরে ॥
নির্যোযস্তু সংগ্রামে প্রহরন্নুদ্যতায়ুধঃ। যজতে স তু পুণ্যাত্মা সংগ্রামেণ মহাক্রতুম্ ॥
বর্ম কৃষ্ণাজিনং তস্য দন্তকাষ্ঠং ধনুঃ স্মৃতম্। রথো বেদি ধ্বজ যূপঃ কুশাশ্চ রথরশ্ময় ॥
মানো দর্পস্তথাহঙ্কার স্ত্রয়স্ত্রেতাগ্নয়ঃ স্মৃতাঃ। প্রতোদশ্চ স্রুবস্তস্য উপাধ্যায়ো হি সারথিঃ ॥

"অহিংসা পরমো ধর্মঃ" হায়বা তঙ অসি কাওবা থঙলবনু অহুগা হাংরিবসিবু থম্মোয়দা চেংনা মানিরিবা মীশক ওইরবনু মীশক অহনা নিংথৌগী সেবক ওইহনা নিংথৌ অহুগী মশাইগে ন্দা লৈহনা লাম্মীগী থবক তৌহনা লৈংগা, নিংথৌদুগী চেরব মতমদা, লালকমদগী "জীবদা হিংসা তৌদবতনা ধর্মনি" হায়হনা লালকম থাদোকুনা চেন্নবদি, "অহিংসা পরমো ধর্মঃ" হায়বা তত্ত্বহুমক্তা ধর্ম হুনক্তা মহাকপু নরক তাকনগনি মহাক্তা মহাকী স্বামী (মপু মনিংথৌ) অহুদা বিনাশ ত তৌদবা নিংথৌগা মচাক মরলবু হুহনা নমথাক তৌহনা চাবগী দোষ পাপ অহু মাগী "অহিংসা পরমো ধর্ম" হায়বহুনা কনবা যাদে ॥ হকচাংদা, হকং হন্দা হুমলিবা প্রাণবায়ু (থুশাশোর) অসি ওক্তাক্তগীনি হায়না শিব (মৃত্যু) হায়বশিবু করিসু ওইদনা খন্দাক্তুনা, মৈরানবীনা মৈমুংদা চোংশিন চোশিন্দুনা মথু য থাবগুম, থ ঙ-তা থুংলাংগা লোয়নদা নীহুরদবা লালকমদা (যুদ্ধাগ্নিদা) মশাবু হেংম তৌথারবা মীশিংগী অ ঘাং স্বর্গলোকতা চংথি ॥ ওংংক্তা করবা মীকুপ রাকা রাত্র। লালকমদা, শত্রু শত্তাই সৈপেরোমদা চেংহনবা কৈ লোংশাগী মতৌগুম, যেক্তবা লাম্মী মরক্তা সেনাপতি অমদি মনীংথৌবু কহনবগী দমক্তা চোংশিনবা অহুগ থুমিং মুংবা মতমদা চাক্তবা থুমিংলোমদা যেংথংপা ঙমদবা অহুগুম্না যেক্তবশিনা মক্তোক্লাংদা হুংগংনা যেংবা হাউজিনবা ঙমদবা অহুগুবা লাম্মী। খুংগাংবু খুহুন চেংনা পারতনা লালকমদা তৌরিবা লাল চৌবা থবক্তা চাউরবা যজ্ঞ অমবু অনুষ্ঠান তৌরিবনি মহাযজ্ঞ অমবু লিংখৎলিবনি ॥ মহাকী মথাদা মথবক্তা যেমশিল কুশশিলিবা কবচ (যোংকী লাল ফুরিৎ) অহুনা মহাকী যজ্ঞ করবা লেংলিবা, হৎচাংদা কুপলিবা শক্তী মৃগচর্ম অহুনি। লীক্রনা দন্তকাষ্ঠ (যাথিন পৈয়া) নি, রথনা যজ্ঞ বেদীনি লগোল চুম্নীনা কুশ মনানি মশাগী তৌবা ওয়া উংপা, মন্নায় ক্তাবা (থোংবা), নাপল (অহংকার) অহুম অসিনা যজ্ঞগী মৈ অহুম অহুনি। লগোলগী থৌনবা শাক্তে অহুনা থ মৈনি, মাররিবা উপাধ্যায় (কুল পুরোহিত) নি, লাণগী হেক লৈরিবা লীক্তং লীরি, ভেন্দোং, খুংথাঙ অমিনমিংবশিনা যুক্তী মচাক মথল মথল থাবৈ চেপপনচিংবশিং অহুনি ॥

ক্রোশ্‌তশ্চ চাপি যৎকিঞ্চিৎ যজ্ঞোপকরাণি চ ॥

মেদশ্রবশ্চ গাত্রেভ্যঃ ক্ষৌদ্রং তস্য বর্ণম্বিনঃ। পুরোডাশা নুবীর্যানি রুধিরং চাহুতিঃ স্মৃতা ॥

ভূণ শৈচব চক্রশ্রেয়া বসোর্ধারা বসাঃ স্মৃতাঃ ॥

ক্রব্যাদা ভূতসংঘাশ্চ তস্মিন্ যজ্ঞে স্বজাতয়ঃ। ত্বেবং তত্তায়পানানি হতনৃগজবাজিনঃ ॥

নিহতানাংতু যোধনাং বস্ত্রাভরণ ভূষণম্। হিরণ্যং চ সুবর্ণং চ যদ্বৈ যজ্ঞস্য দক্ষিণা ॥

যস্তত্র হন্যতে দেবি গজস্কন্ধগতো নরঃ। ব্রহ্মলোকমবাপ্নোতি রণেঘত্তিমুখোহতঃ ॥

রথমধ্যগতো বাপি হয়পৃষ্ঠগতোহপিবা। হন্যতে যস্তু সংগ্রামে শক্র লোকে মহীয়তে ॥

স্বর্গে হতাঃ প্রপূজ্যন্তে হত্বা বৈত্রব পূজ্যতে। দ্বাবেতৌ সুখমেধেতে হত্বা যশ্চৈবহন্যতে ॥

তস্মাৎ সংগ্রামমাসাদ্য প্রহর্তব্যমভীতবৎ। নির্ভয়ো যস্তু সংগ্রামে প্রাগয়েদ্ধ্যদতায়ুধঃ ॥

তেন্নোংদা হাম্নিবা তেলশিং অহুনা, যজ্ঞগী মৈমুংদা য়াওশিন্নবা যজ্ঞকাষ্ঠশিং অহুনি ॥ মরিল লৈরবা, থোরবা বীরপুরুষ (লান্মী) শিং অহুগী মশাদা শিন্দুরক্রিবা হুমাং মরীক মরাকশিং অহুনা থোইহৌনি। লালকমগী লৈমায়থক্তা তাররিবা কোক ময়াম অহুনা যজ্ঞদা হোম তৌনববা (থাৎনববা) ভল (তলপাক মচা মচা) শিং অহুনি। শিন্দুরক্রিবা ঈগী থংরা (মরী) শিং অহুনা হোমকৈ (খাবৈ) দগী মৈমুংদা শিন্দুরক্রিবা যী থোইহৌনচিংবগী মরী অহুনি। মরেক মহংও, খোংরি নাউরিশিং অহুনা বসুধারা'ন। যজ্ঞ মণ্ডপ (মন্দির) গী অকোয়বদা ক'স্নবা, যজ্ঞগী চরু প্রশাদ নচিংবা মংগলবগী তাররিবশিংহুনা লালকমগী মকম মকমদা তংহুনা লৈরিবা ঈ নাই, লু তোংশিংহুবু চাগদবগী চেনাশিন্দুরক্রিবা ভূত প্রেত, কাওজা লমহুইনচিংবহুনি। মথে য়গী চীনাক কায়নবু শিন্হুনা তাহুনা লৈরিবা শগোল মামু মীগী হুকচাংশিং অহুনি ॥ লালকমদা মকম মকমদা তাহুনা লৈরিবা নিংথৌ লাংমীশিংগী লীকোল খুজৈ নাচী, সনা লুপাগী লৈথেংশিংহুনা যজ্ঞভূমিদা য়াজ্ঞরশিংদা বংপা দক্ষিণানি ॥ দেবি! পার্বতী! শাম্নথক্তা তোংহুনা গজারোহী লশ্ম অম ওইনা, হেক্রবগী থুংলানা পন্দুন ভৌতিক দেহবু থাদোয়রগা অত্মা (জীবাত্মা) অহু ব্রহ্মলোকতা (ব্রহ্মা অহুম) চিংনা শোগ্রে ॥ রথহক্তা তোংহুনা রথী মহারথী অমা ওইনা খোঙকম লেওদনা হেক্রবগী থুংলায়দনা পান্দুনা মপু য় থাখিবশিংগী জীব (জীবাত্মা) অহুদি ইন্দ্রলোকতা অহুম যৌগ্রে ॥ লালকমদা নীংহবদনা থর র থ খিবশিংনা স্বর্গলোকতা সন্মান পূজা কংলি। শিংহোদহুনা জয় কংবশিংনা ইহলোকতা সম্মান, প্রশংসনীয়তো (থাগৎনীতায় ওইবা) অমগা সম্পত্তি কংলি। অহনা লালকমদা যেক্রদনা হাংদিবা, যেক্রবু হাংপা অনীমক তোঙবা হুংওইবা, কাক্রবা তাকলি ॥ অহুনা কাত্রিয় শিংথৌনা, প্রজা পূময়কপু কমনবগীদমক্তা, মরিল খুংনাকুমা, অকিবা টৈলমা, বীরপুরুষ অম ওইবা লাথেংনগদবনি। মথুক্তা পায়বা খুংলায়বু খুহুম জেক্রমা পাংহুনা যেক্রবগী শাজোংবা [illegible] হাদিবা মহাক অহু মহাধম চেরবা মীশক অমনি ॥

যথানদীসহস্রাণি প্রবিষ্টানি মহোদধিম্। ন স্বর্গে ন স্থলেহপ্যো ধর্ম্মা ধর্ম্ম ভৃতাং বরম্ ॥
ধর্ম এব হতো হন্তি ধর্মো রক্ষতি রক্ষিতঃ। তস্মাৎ ধর্মো ন হন্তব্য পার্থিবেন বিশেষতঃ ॥
প্রজাঃ পালয়তে যত্র ধর্মেণ বসুধাধিপঃ। ষট্‌কর্ম্মনিরতা বিপ্রা পুজ্যন্তোপিতৃদৈবতৈঃ ॥
নৈব তস্মিন্ননাবৃষ্টির্ন রোগ নাপ্যুপদ্রবাঃ। ধর্মশীলাঃ প্রজাঃ সর্বাঃ স্বধর্মনিরতে নৃপে ॥
এষ বঃ সততং দেবি বৃত্তো চারো নরাধিপঃ। ছিদ্রজ্ঞশ্চৈব শত্রুণামপ্রমত্তঃ প্রতাপবান্ ॥
ক্ষুদ্রাঃ পৃথিব্যাং বহবো রাজ্ঞাং বহুবিনাশকাঃ। তস্মাৎ প্রমাদং স্বল্পোণি ন কুর্য্যাৎ পণ্ডিত নৃপঃ ॥
তেষু মিত্রেষু ভ্যক্তেষু তথা মর্ত্যেষু হস্তিষু। বিশ্রব্ধো নোপগন্তব্যঃ স্নানপানেষু নিত্যশঃ ॥

তুরেলশিংনা মায়ৈগ পুরমক্তগী চেলশিন্নরুপা সমুদ্রদা তারবহৌগুমা অকনবশিংগী জীবাত্মাশিংসু, মহাসাগরগী মশক ওইবা ব্রহ্মদা তিনথি ॥ মশানা ঙাক্লিবা ধর্ম হুনা মহাক মশাবু ঙাকনি, কনগনি। মশানা হাত্তোকচরবা মাঙহল্লবা ধর্ম হুনা মহাক মশাবু হাংকনি, মাঙহনগনি। অদুনা মী থুদিংমক নিংথৌ থওঙ্গে, প্রজা থওঙ্গে-ঃমবু থুগাইবা মাঙহনবা চুংদে ॥ হায়রিবা ধর্মনীতি রাজনীতিগী নিয়ম বিধি মখুংইদা চৎপা নিংথৌনা শাসন তৌরিবা রাজ্য (লৈপাক) অদুদা, অদুগা অদুগুম্বা নিংথৌনা ঙাক-শেঙ্লিবা লৈপাক অদুগী, পিতৃ মাতৃ তর্পন, দেবতাশিংগী পূজা তৌরবা, ষট কর্মদা পরায়ণ ওইরিবা, ব্রাহ্মণদা দান পূজানচিংবা প্রজাশিংনা লৈরিবা মফম অদুদা অনাবৃষ্টি (নোং ঈতা তাদবা), চাক তাঙবা, অদুগা রোগ (লায়না) অমত চঙঙকপা শুমদে। নিংথৌনা ধর্ম পরায়ণ ওইরপা প্রজাশিংসু ধর্মপরায়ণ (ধর্মদা পুক্নীং চঙনা) হায়রবসু ওই। অদুনা লৈপাকতা থোক্লিবা নোং তাদবা, চাক তাঙবা, মুহা হাবা, অতিবৃষ্টি-নচিংবা প্রকৃতিগী কোপ (শাউবা) উপদ্রব মগাম আসগী দায়িত্বদি নিংথৌ প্রজান পুগদৌবন ॥ দেবী। পার্বতী। প্রজাশিংনা তৌগদবা আপাদ করিনো হৌরবদা মথেৎবু শাসন তৌননবা নিংথৌসি, ধর্ম য়াম্না চেনবা, মীচঙ মীথা নাইদবা, প্রজাশিংগী যুমথোংদা লোয় চত্তুনা করি কায় ঙাকনরিবা, করি করি অয়াং অপা লৈবা আসনচিংবা য়েংশিন্নবা গুপ্তচর থাদুনা য়েংহনবা অদুগা অয়ানবা মীবু চপ চানা দণ্ডি পীবা, মতীক মথৌনা লৈবা অসিগুম্বা মীশকতনা ওইরা অসিতনি ॥ ঈবেম্মা। পার্বতী। পৃথিবীদা লৈরিবসে, তাইবং মী ওইরবসু য়াম পীকপা তাইক মী লৈবনি। পূকচেল অমদি বুদ্ধিদা ককচেংগী চেন্ন পীকপা তাইবং মীসু লৈবনি। অসিগুম্বা পূকচেল পীক্রবশিংনা নিংথৌবু মীকুপ্পা মাঙনবা শক্তিনা লৈবসু ঙাওবনি। অদুনা নিংথৌনা মাসি মী কচানি, বুদ্ধ লৈতবানি হায়রগনা নীঙঙায়দনা থক লৈথোক-কক থোক্কে (হীরম পুরমক্তা অথৌ অপিশক থায়দনা য়াম চেংকাপিয় লৈপদৌবনি) ॥ ময়াইঙ্গা তম্বরপা কাংবকপবা মরাগনা অমুক লাকপা ঈথোকখিবা কর্মচারী (সেবক) না অমুক হৌরকপা, লাকপা ভুইদ্রেবা (মীথৌ) অসিগুম্বা মীশকশিংবু, মথুখতা খুৎলায় পায়দুনা থৌগল তৌরবশিংবু য়াম থৌশিল্লা থাজরোইদৌবনি। অসিমক বকনা ঈক মরুথকুনবা, লানথৈ লাইহুনবা অমুক হুদিন্দা থৌগাক নাইদনা লোয়নরিবা মীশিং অসু কাওবদা পুরা ওইনা থাজরোইদৌবনি ॥

রাজ্ঞো বলভতামেতি কুলং ভাবয়তে স্বকম। যস্তু রাষ্ট্রহিতার্থায় গোব্রাহ্মণ কৃতে তথা।
বন্দীগ্রহায় মিত্রার্থে প্রাণাংস্ত্যজতি দুস্ত্যজান্॥

সর্ব কামদুঘাং ধেনুং ধর্মীং লোকধারিণীম। সমুদ্রান্তাং বরারোহে সশৈলবন কাননাম্॥
দদ্যাৎ দেবি দ্বিজাতিভ্যো যস্তু পূর্ণাং বসুন্ধরাম্। ন তৎসমং বরারোহে প্রাণত্যাগী বিশিষ্যতে॥
সহস্রমপি যজ্ঞানাং যজতে চ ধনর্দ্ধিমান্। যজ্ঞৈস্তস্য কিমাশ্চর্য্যং প্রাণত্যাগঃ সুদুষ্করঃ॥
তস্মাৎ সর্বেষু যজ্ঞেষু প্রাণযজ্ঞো বিশিষ্যতে। এবং সংগ্রাম যজ্ঞস্তে যথার্থং সমুদাহৃতাঃ॥

শ্রীমহেশ্বর উবাচ

সম্প্রহাসশ্চ ভৃত্যেষু ন কর্ত্তব্যো নরাধিপৈঃ।
লঘুত্বং চৈব প্রাপ্নোতি আজ্ঞাচাস্য নিবর্ত্ততে॥

মরি ৎ চুম্না, লৈপাক নিংথৌগী কাম্ননবা, চাওখৎননবা রাজ হোৎদোকপা মারী শাবা পাম্বা, শল ব্রাহ্মণগী উপকার তৌবা পাম্বা, অকা-অপুনবু থাদোকপিননবগী মা ভাগুবা, মীরুংশি খগুবা মথ্বায় কাওবা পাম্মুদনা মীগী সহায় তৌবা আসগুম্বা মীশক অসি নিংথৌগী চান্নবা মরুপ অমদি কর্মচারী সেবক অমা ওইনা থম্ব য়াই। অদুগুম্বা মী অদুতনা মাগী শাগৈবু অরাংবা থাক্তা কাইল্লি। কামনা পুম্নমকপু পীনকৈবী, নীংব পুম্ব থু হনবী কামধেনুবু, চী মান লৌবুংন থম্নবী পৃথিবী (ভুমি) বু, সনা লুপা মণি মুক্তাগা লোয়ননা ব্রাহ্মণদা দান তৌবগী মহৈ অদুদগীসু লৈপাক প্রজা পুম্নমক্কীদমক্তা, অদুম্বা ধর্ম চেন্নবা নিংথৌগী কম্মনণগীদ লো লালকমদা মথ্বায় থুবাক্ত হাপ্তুনা মমল য়াম্নবা তাইবং মপোকপু কখোকলদ্রশিং অদুনা কংবা মহৈনা আ য়াম্মা হেল্লি। সনা-লুপা মণি মুক্তা লৌরী-ইংখোল পম্বা যজ্ঞগী দক্ষিণা ওইনা কংথোকপনা করি অদুক য়াম্ম থাগৎনীংঙায় ওইবগে? সনা লুপানা লৈবা কংঙরোইদোবা, অমুক হন্না কংখিনি হায়ঙমদ্রবা মীওইবগী মপোকপু থরায়বু মচা মশুগীদমক্তসু নত্তনা লৈপাক নিংথৌগীদমক্তা হায়েবা লৈতনা কংথোকপা হাযবসে অম অমনা পাক ভমগদবা নত্তে। থাইদগী ভককম থোকপা হায়বু অসিনি। হেক শৈরিবা যজ্ঞ জাৎ জাৎ পুম্নমক্কী প্রাণযজ্ঞ হায়বসিনা মহেন্নবনি। অদুনা, দেবী! রণযজ্ঞগী মহিমাগী মরমদা ঐনা শম্না লীববনি।

[দাক্ষিণাত্যদা কংবা মহাভারতগী মচুংদা, হেন্দোক্লা য়াওবা শ্লোকাবলীগী অনুবাদ অদু অসিদা লোইরে।]

শ্রীমহেশ্বরনা হায় :— নিংথৌনা ভৃত্য লৈতনা মনাই মশকশিংগা থোগাক নাইমনা নোক য়েন্নবা, কাপ্পী, লুগাই তৌনরোইদৌবনি। অদুম তৌরবদি নিংথৌ অদুগী লঘুতা (তরাং তয়াংবা মীনা শিন্নকবা) অমা লাকই, মথোয়দা করিগুম্বা পাথোক হীবন্নু থোওইনবা, তৌনিংদবু কাওবা য়ুক্কই।

ক্ষুদ্রানাং সম্প্রকাশেন পার্থিবঃ পরিভূয়তে। অর্থচ্যানি অবক্তব্যং ক্রবীতি চ ॥
পূর্বমপ্যচৈর্নৈতৈঃ পরিভোগ ন যাস্যতে। তস্মাৎ ক্ষুদ্রেষু নৃপঃ সম্প্রহাসং বিবর্জয়েৎ ॥
ন বিশ্বসেদবিশ্বস্তে বিশ্বস্তে ন চ বিশ্বসেৎ। সগোত্রেষু বিশেষেণ সর্বোপায়ৈর্নবিশ্বসেৎ ॥
বিশ্বাসাত্তং সুপন্নং হন্যাৎ বৃক্ষমিবাশনিঃ। প্রমাদহস্ততে পাকাৎ লোভেন চ বশীকৃতঃ ॥

তস্মাৎ প্রমাদং লোভং চ মর্কুর্য্যান্ন বিশ্বসেৎ ॥
ভয়ার্তানাং ভয়াৎ ত্রাতা দীনানুগ্রহকারণাৎ।
কার্য্যাকার্য বিশেষজ্ঞো নিত্যং রাষ্ট্রহিতেরতঃ ॥
সত্যঃ সংধস্থিতা রাজ্যে প্রজাপালন তৎপরঃ।
অলুব্ধো ন্যায়বাদী চ ষড়ভাগমুপজীবতি ॥
কার্য্যাকার্য্য বিশেষজ্ঞঃ সর্বং ধর্মেণ পশ্যতি।
পরাষ্ট্রেষু দয়াং কুর্য্যাদকার্য্যে ন প্রবর্ত্ততে ॥

মনাই মশকশিংগা ভোরোৎ থাদাননা নোক খেরবদি নিংথৌগী মশাদা তিরষ্কার (উশিং থৌওইদনা চৈরা পোংবা) অমু কাওবা লাকই। মতুংদা অমুম উশিংলক্তবদগী অরুবা মমল য়াম্নবা পোচ্চে কাওবা নিরকই, লৌগে হারাজনকই ॥ নিংথৌনা, মহাক্না অমুক্তং থাজখিত্রবা মীদা অমুক হন্না করিগুম্বা মতমদা থাজররোইদৌবনি। অদুগা থাজরবা মীশক্তি হায়গনা লৈরবা মীশক অমু কাওংদনু য়াম্ন হকচিন্ন কা থেন্ন থ জরোইদৌবনি ॥ কা চেন্না থ জরুবদগী পোক্লকপা অকিবা (খুদংথৌব) না ২ম্ন ১ উপাম্বীবু থাম্নবগুব নিথৌবু মন্ন কনা মাডগনি। ভূপ ভৌথিবদগী, গুম্নাংখিবদগী ঈথা থাজদনা নিথৌনা থুনক্ত থরায় থাম্ন। অদুনা নিংথৌনা, য়াম্ন চোকশিন্ন ভুং মাং থেংনা চংকদবনি। গুম্নাংপা অপাম্বনা মশাদা থক লাকহন্নোইদৌবনি। লাক্লিবা মীনৌদুগী মঙ্গুং-মপানদী ওবহু মুন্ন থগুত্রভৈদা বনাগুম্বা অমতবু থক থাজ রাইদৌবনি ॥ অকিবনা থক থক নীক্লবা, থৌকম থওম্রবা মীশিং অমুবু করিগুম্বা উপায়না কনবিগদবনি। মাম্নিরমথৈ রাজ্য অমুবু থাদোক্তনা, রাজ্য অদুগী মতুংদা কৈদুনা প্রজাশিংবু য়োক থাক্তনা কৈগদবনি। অপাম্বা মিহৌবা হাওদনা অচুম্বং মীনমদবা য়াত ভারহনা, প্রজাশিংগী ভাগ্রবা, আয় (কৌথোক চাকথোক) অদুগী শরুক তরুক থোকপগী শরুক অমতংত শুধ (থাজনা) ওইনা লৌবিগদবনি কারক্লিবা আয় অদুদগীসু নিংথৌগী মাগী মশাগী জীবিকাদগী থম্ন থাকচৌরগা অমেম্ব অমু প্রজাশিংগী কাম্নবগী থবকতা শীজিন্নগদবনি ॥ বদায়না হাম্ন ভৌকব থোকপা করিনা ভৌকব থোক্তবা হাম্নংবু মুন্না কুপা মহিশিংগা ভান্নহনা ভৌগদবনি। থবক হীরম পুম্নমক্তা ধর্মনা হৈরোম্নদা করি অকারবা লৈবগে হায়বদি থনগদবনি। লৈপাক্ত লৈম্নবা প্রজাশং অদুগী মথক্তা মীচঙ মীথায় নাইদবা চৎ ম্নায়বা মীংকম (সমৃদ্ধি) থংগদবনি ভৌইদবা মথক্তা পুক্নীং থক চংওইহনবনি ॥

যে চৈবৈনং প্রশংসন্তি যে চ নিন্দন্তি মানবাঃ। শত্রুং চ মিত্রবৎ পশ্যেদপরাধবিবর্জিতম্ ॥
অপরাধানুরূপেণ দুষ্টং দণ্ডেন শাসয়েৎ। ধর্মঃ প্রবর্ত্ততে তত্র যত্র দণ্ডরুচি র্নৃপঃ ॥
নাধর্মো বিদ্যতে তত্র যত্র রাজাক্ষমান্বিতঃ ॥
অশিষ্টশাসনং ধর্মঃ শিষ্টানাং পরিপালনম্। বধ্যাশ্চ ঘাতয়েৎ যস্তু অবধ্যান্ পরিরক্ষতি ॥
অবধ্যা ব্রাহ্মণা গাবো দূতাশ্চৈপিতা তথা। বিদ্যাং গ্রাহয়তি যশ্চ যে চ পূর্বোপকারিণঃ।
স্ত্রিয়শ্চৈব ন হন্তব্যা যশ্চ সর্বাতিথির্নরঃ।
ধরনীং গাং হিরণ্যং চ সিদ্ধান্নং চ তিলান্ঘৃতম্। দদন্নিত্যং দ্বিজাতিভ্যো মুচ্যতে রাজ বিষয়াৎ ॥
এবং চরতি যো নিত্যং রাজা রাজ্যহিতে রত। তস্য রাষ্ট্রং ধনং ধর্মো যশঃ কীর্ত্তিশ্চ বর্দ্ধতে ॥
ন চ পাপৈর্ন চানর্থৈর্যুজ্যতে স নরাধিপঃ ॥
ষড্ভাগমুপযুঞ্জন্ যঃ প্রজা রাজা ন রক্ষতি ॥

নিংথৌগী নিন্দা তৌরিবা অমুগা প্রশংসা (থাগৎপা) তৌরিবা প্রজা মথল অনীসি চাং চপ মান্নবা মীৎয়েংনা অমুম য়েংগদবনি। কাল অমদা য়েক্কবা (শত্রু) ওইথিবমুনা লৈপাক্কী অকবা থবক অমা তৌরবদি মাবু মরূপ (মিত্র) কুম অমুম মউ ॥ মীচা ঈচা থওদনা অরানববু চপ চাবা দণ্ড (দণ্ডি) পীহনা রারকদোবনি। ধর্মনীতি কায়দবা চপ চাবা দণ্ড অমু পীগদবনি ॥ অরানবা মরালবু ওাকপি-হৈবদো নিংথৌগীদি অধর্ম নত্তে। অরানববু দণ্ডি পীবা অচুম্ববু য়োকখৎপা হায়বসি নিংথৌগী চাউপ্রবা ধর্ম (মথৌ) নি ॥ হাৎপদা মতীকচারবা মীবু মথায়[illegible]লোগদবনি। লান্নবস্থ হাৎপমক্কী মতীক চাত্রবদি হাৎলোইদৌবনি। লান্নবস্থ শল, ব্রাহ্মণ, রাজদূত, মপা, বিদ্যা তম্বিখিবা গুরু, মমাইভেদা শিব য়াংদগী কনবিখিবা উপকারক হায়রিবা মথোয় মীশকশিং অাসদা প্রাণদণ্ড (হাৎপা) গী য়াথং থক পীথোকলোই-দৌবনি। রাষ্ট্রগী মুপীশিংগী কান্নবা তৌথিবা অাতিথি সংকার য়ম্ম তৌবা মী প্রাণদণ্ডগী য়াথং থক পীথোকলোইদৌবনি। পৃথিবী (ভূমি লৈপাক), গৌ (শম্বী), স্বুবর্ণ (সনা), সিদ্ধান্ন (চাক) থোয়দিং, ঘী হায়রিবা পোশকশিং অাস ব্রাহ্মণদা তত্তনা দান তৌরিবা, নিংথৌ অদু পাপ পুন্নমক্কী কোকই ॥ হায়প্রিবা নিয়মশিং অসিদু কা দনা ওাক্তনা প্রজাশিংগী কান্নাতা থম্লবা নিংথৌগী লৈপাক, শম্বুম, ধর্ম যশ (মিংচৎ) অসনচিবা নোম নোংমক্কী চাওখৎলকলি। মায়গৈ মশিদা শম্নোমকই ॥ অসিত্তম্বা নিংথৌগী মনাদা লৈরম্বা পাপ অমুগা অরাবা থুদাং ঈসা ফংগদবা পুম্নমু মওত্তি লৈহ্নবোই। প্রজাশিংদগী লাকপা কারকপা শুল্ক থাজনা) অমুবু নীংথৌ চঙ্গাইবা অদু ওইরবস্থ ধর্ম কাংদবা পরাক্রম (মপাঙ্গল) স্বচক্র, মমাগী মন্ত্রী মণ্ডলী, অমুগা পরচক্র (অতোপ্পগী মন্ত্রী মণ্ডলী) গা ভিন্নবা প্রজাগী রক্ষা তৌদবা, অতোপ্পগী ধর্ম কায়বা লৈপাক্তা আক্রমণ তৌগে থম্মমা তম্দুনা নীঙ্গারদনা লৈথোকপা, মতীক মথৌনা লৈতবা নিংথৌমুগী লৈপাকমু য়েরবশিংনা থুংক্তা মাঙহনবনি ॥

স্বচক্রে পরচক্রাভ্যাং ধর্মৈর্বা বিক্রমেণ বা। নিরুদ্যোগো নৃপোযস্তু পররাষ্ট্র বিঘাতনে ॥
স্বরাষ্ট্রং নিষ্প্রতাপস্তু পরচক্রেণ হন্যতে ॥

যৎ পাপং পরচক্রস্ত পররাষ্ট্রাভিঘাতনে। তৎ পাপং সকলং রাজা হতরাষ্ট্রঃ প্রপদ্যতে ॥

মাতুলং ভাগিনেয়ং বা মাতরং শ্বশুরং গুরুম। পিতরং বর্জয়িত্বৈকং নহ্যাৎ ঘাতক মাগতম্ ॥

যস্তু রাষ্ট্রস্য রক্ষার্থং যুধ্যমানস্তু যো হতঃ। সংগ্রামে পরচক্রেণ শ্রূয়তাং তস্য বাগতিঃ ॥

বিমানেস্তু বরারোহে অপ্সরোগণ সেবিতে। শক্রলোকমিতো যাতি সংগ্রামে নিহতো নৃপঃ ॥

যাবন্তো রোমকূপাঃ স্যুস্তস্য গাত্রেষু সুন্দরি। তাবদ্বর্ষসহস্রাণি শক্রলোকে মহীয়তে ॥

যদি মানুষে লোকে কদাচিদুপপদ্যতে। রাজাবা রাজমাত্রোবা ভূয়োভবতি বীর্য্যবান্ ॥

তস্মাৎ যত্নেন কর্তব্যং স্বরাষ্ট্রপরিপালনম্। ব্যবহারশ্চ চাবশ্চ সততং সত্যসংযতা ॥

অপ্রমাদঃ প্রমোদশ্চ ব্যবসায়েৎপ্যচণ্ডতা। ভরণং চৈব ভৃত্যানাং বাহনানাং চ পোষণম্ ॥

অতোপ্পা চক্রগী নিংথৌ অমগীদমক্তা অতোপ্পা অমগী রাষ্ট্রবু মাঙহনবগী পাপ অদু, অসিগুম্বা থৌদোবু তৌরিবা নিংথৌ অদুনা পুই। অদুনা মহাক্কী রাষ্ট্র (লৈপাক) বু মাবু হেন্না কনবা তেঙবা নিংথৌ অমনা অমুক মাঙহল্লি ॥ মমাগী পোকমিল্লবা মাতুল (মামা), মচন মচেনা পোকপা (মক্কাক) মমা, মপা, মকুবোক হায়রিবশিংসি নত্তনা অতে অতোপ্পা প্রজা অমনা মী হাৎলুরনদি অহাৎপা অদুবু হাৎকন থোকই। মাবু হাৎনবগী য়াথং অদু নিংথৌ মশানা পীগদবনি ॥ মশাবু রাজ্যবু অদুগা প্রজাশিংবু কন্নবগীদমক্তা মায়োক্নবা লান্দা নীংহন্নদনা মথান্নায় থাখিবা নিংথৌদুগী জীবাত্মানা কংভুগদবা লোক (ধাম) অদু, ঐ হায়গে তাও ॥ নীংথিজবী। পার্বতী। লৈপাক প্রজাগী কন্নবগী লালকমদা মথান্নায় থাখিবা নিংথৌগী অংকাক্তুনা অতোপ্পা নীংথিজবা শকলোন (হকচাং) অমা পুদুনা বিমানথক্তা অপ্সরাশিংগা নুংঙাইনা ইন্দ্রপুরদা লৈখি ॥ মহাক্কী মশাদা পাল্লিবা ভুগী ভুথোং মশীং অদুপ, চহী মতম কুইনা স্বর্গদা নুংঙাইনা লৈ ॥ অদুগুম্বা আনন্দ ভোগ অদু লোইবগা পৃথিবী (মর্ত্যলোক) অসিদা পোক্লরবদু নংথৌগী পরিবারদা নত্রগা গণ্যমান্য ওইনা লম্বুম শাগৈ-জাৎ চাউবগী পোক্লদুনা নুংঙাইনা মপুনশি লেল্লে। মরম অদুনা, নিংথৌনা মহাক্কী রাষ্ট্রবু (লৈপাকপু) হীরম পুম্নমক্তগী য়াম্না ভাক শেন্দুনা থমগদবনি। নিংথৌনা চৎকদবা হৌনবা লমচৎ ব্যবহার, অয়োনবা লাঞ্জাব কর্মচারী হাপ্পা, মতম পুম্বদা অকব থবক্তা রাশক ভাকপা, হায়খিব হোৎদবা, অতে অতৈ হেদো হেরাওদা পুক্নীং চঙদবা, (ভাওজবা শুমহৎতন্না), মায়থোং মকা রামদুনা, ঈপেন্ত পেন্দুনা লৈবা, তৌরুবা পায়রুবা থবক্তা নীংথংলপা শাউদবা পাথত্তবা, মনাই মশল কর্মচারীশিংবু অদুগা দোলাই বাহনচিংবু পুরিবা, ভাক-শেল্লিবা কর্মচারী (নৌকর) শিংবু হীরম পুম্বদা নীংবা থুংহনবা, লাম্মী (সিপাহী সিকাঈ) শিংবু তরাম তরাম তৌদুনা থম্বা, পায়থংলুবা থবক্তা য়াম্নিবমথৈ মহে য়াম্নবা (সকল ওইনবা) হোৎনবা অসিবচিংবসি নিংথৌগী থাদোকপা য়াজ্রবা মথৌনি (ধর্মনি)।

যোধানাং চৈব সংকার কৃতে কর্মসমোমতা। শ্রেয় এব নরেন্দ্রাণামিহ চৈব পরত্র চ ॥

উমোবাচ

দেবদেব মহাদেব সর্বদেবনমস্কৃত। যানিধর্মরহস্যানি শ্রোতুমিচ্ছা তান্যহম্ ॥

শ্রীমহাদেব উবাচ

অহিংসা পরমো ধর্মো হ্যহিংসা পরমং সুখম্। অহিংসা ধর্মশাস্ত্রেষু সর্বেষু পরমং পদম্ ॥
দেবতা তিথি শুশ্রূষা সততং ধর্মশীলতা। বেদাধ্যয়নযজ্ঞাশ্চ তপোদানং দমস্তথা ॥
আচার্যাগুরু শুশ্রূষা তীর্থাভিগমনং তথা। অহিংসায়া বরোরোহে কলাংনার্হন্তি ষোড়শীম্ ॥
এতৎ তে পরমং গুহ্যমাখ্যাতং পরমাচিতম্ ॥
নিরুপদ্ধীন্দ্রিয়াস্তেব স সুখী স বিচক্ষণঃ ॥
ইন্দ্রিয়াণাং নিরোধেন দানেন চ দমেন চ। নরঃ সর্বমবাপ্নোতি মনসাযৎ যদিচ্ছতি ॥

মথৌ অসিবু অমত রাওনা তৌরবনি নিংথৌ অহু ইহলোক পরলোক অনীমক্তা নুংঙাইবা মঙ্গল ওইবত কংঙি ॥

[মতাং অসি কাওবসি দক্ষিণাত্যদা কʼবা মহাভারতদা হেন্দোক্লা য়াওনা শ্লোকশিংসিগী অহুবাদনি]

উমানা হায়ঃ—দেবতা পুম্নমক্না খুরমনʼংঙাব ওইবা! দেবদেব! ঐ অমুক ধর্মগী সরহস্য ওইবা অকুপ্পা রা থর অমুক তাজনীংলি ॥ শ্রীমহাদেবনা হায়ঃ—শম্মা হায়রবদা অহিংসা (হিংসা তৌদবা) হায়বসিনা খ্বাইদগী হেনবা ধর্মনি। অহিংসা হায়বসিনা খ্বাইদগী হেনবা নুংঙাইবা হায়বত্নি। হেক লৈরিবা ধর্ম শাস্ত্র পুম্নমক্তা অহিংসা কৌবা ধর্মবু খ্বাইদগী হেনবা থাক্তা থম্মি ॥ নীংথিজবী! দেবতা অমদি অতিথিশিংগী সেবা, মুমিৎ চুপ্পা ধর্ম কর্মগী রাখস্ত থনবা, বেদ শাস্ত্রবু, তম্বা নৈনবা, যজ্ঞ, তপ (তপস্যা), দান, দম (ইন্দ্রিয় খুৎম চনবা) গুরু আচার্য্য (ওঝা) শিংগী পূজা, তীর্থগমন (তীর্থদা চত্তুনা দর্শন স্নানমচিংবা তৌবা) হায়রিবশিংসিগী পুম্নপ পুনবা কল (মহৈ) না অহিংসা কৌবা ধর্মবু আচারণ তৌবগী মহৈ (কল) গী শরুক তরাওরুক থোকপগী শরুক অম ফাওবা কংদে। ঐনা শম্মা ধর্মগী রহস্য ওইবা অথুপ্পা রাসি হায়রবনি। শাস্ত্র পুম্নমক্তা অহিংসাবৃত বিশেষ ওইনা থাগৎনবনি ॥ ইন্দ্রিয়শিংবু খুৎম চনবা হায়বসে য়াম্ন নুংঙাইনফম্নি। অহুগুম্বা খুৎম চনবা মীশকুনি সুখী, বিদ্বান (মহৈ হৈবা) হায়বনি। ইন্দ্রিয় খুৎম চনবা দান তপস্যাগী পাম্বৈনা তাইবং মীনা মানা মানা পাম্বদো ফংবনি, নীংবা থুংবনি ॥ লাইবক কবো! পার্বতী! হিংসা তোগে হায়না হেক খল্লকপা, ময়াম কাবা য়ু শা ঙা চাগে হায়না হেক খল্লকপা মতম অহুদা মʼহুদগী হন্দোক্লবা হোৎনবসে হিংসা তৌদবা, অহিংসা হায়বা ধর্মহুগী চাউথরবা লাথবা অমনি। মাহুতদা অহিংসা হায়বা ধর্মদো ওইবা মুথনি ॥

যতোযতো মহাভাগে হিংসা স্যান্নহতীতত:। নিবৃতো মধুমাংসাভ্যাং হিংসা স্বয়ভয়াভবেৎ ॥
নিবৃত্তি: পরমো ধর্মো নিবৃত্তিঃ পরমং সুখম্। মনসা বিনিবৃত্তানাং ধর্মস্য নিচয়োমহান্ ॥
মনঃ পূর্বাগমা ধর্ম অধর্মাশ্চ ন সংশয়ঃ। মনসা বধ্যতে চাপি মুচ্যতে চাপি মানবঃ ॥
নিগৃহীতে ভবেৎ স্বর্গো বিসৃষ্ট নরকো ধ্রুবঃ। জীবাঃ পুণ্যকৃতেনৈব তির্যাগ যোনিসরীসৃপাঃ।

নানা যোনিষু জা স্তে স্বকর্মপরিবেষ্টিতাঃ ॥
জায়মানস্য জীবস্য মৃত্যুঃ পূর্বং প্রজায়তে ॥
সুখংবা যদি দুঃখং যথা পূর্বং কৃতং ভুবা ॥
অপ্রমত্তঃ প্রমত্তেষু বিধিজাগর্ত্তি জন্তুষু।
নহিতস্য প্রিয়ঃ কশ্চিন্নদ্বেষ্যোন চ মধ্যমঃ ॥

নিবৃত্তি ধর্মনা অখোইবা ধর্মনি, নিবৃত্তি ধর্মনা অখোইবা সুখ (নুংঙাইবা) হায়বত্নি। য়ারিবমথৈ সংসারগী বিষয়দগী নিবৃত্ত (হন্দোরকপা) ওইবা হায়বসিনা অখোইবা ধর্মনি ॥ ধর্ম অধর্ম হায়বা অনীসি, ঈহান হায়া, পুক্নীংমক্তদগীম্ন হান্না পোকপ্রবনি। অমরোমদা হায়রগা, পুক্নীংদা ঈহান হায় পোকপসি ধর্ম অধর্ম অনীসিনি। পুক্নীং (মন) হায়বসিতনা তাইবং মীনা মশাবু ফাজিনবনি। পুক্নীংসিতনা মশাবু অমুক কাজিন্বত্নদগী নাম্বোকহনবনি। অসিগুম্বা মন (পুক্নীং) হায়বসিবু খুত্নম চনবা মতমত্নদা স্বর্গ হায়বত্ন মশানা অত্নম লাকচৈ। হায়বদি স্বর্গ কায় অত্নগা পুক্নীং হায়বসিবু, ঈকোম কোম্না লীশাং থাদোকত্নুনা থম্নবদি নরক তাবা হায়বত্ন লীৎখোকপা য়াত্রবনি * ॥ জীব হায়বসি মহাক্না হায় তৌখ্রিবা কর্মত্নগী মহৈনা শা উচেক তীল কাণ্ড ওইনা পোকরিবসিনি। মানা মানা তৌখিবত্নগী মত্নং ইম্না, কর্মত্নমক্না কাজিন্দুনা (পুন্দুনা) মাত্নগী চপ চাবা মওংগী ভৌতিক দেহদা জীবসিবু পুশিন্নকপনি। অত্নুনা তোঙাল তোঙানবা যোনিনা (পোককমদা) পোক্লারবনি ॥ জীবসিনা পোক্লাত্রিঙৈদা মহাক্না মৃত্যুনা হায় পোকপ্রবনি। অত্নুনা "জন্ম" হায়বসিদগীম্ন মৃত্যু হায়বাসিনা পোকপা হান্নি ॥ অত্নুনা অহানবগী জন্মদা তৌখ্রিবা কর্মত্নগী মহৈ চাবা লাকপনি। জীবগী চৌঙাক হায়ববু দেহসিমক্নি ॥ প্রানী (জীব) হায়বসিনা করিগুম্বা গুম্মংখিবা ঙাওখিবদগী জ্ঞান ঈতা তাদনা ত্নুমপ্রবত্ন, মহাক্না নহাক্নুকী মপোক্না কর্ম (প্রারব্ধ কর্ম দৈব) ত্নগী মহৈ তুম্বত্ন য়াওদে। মাদি হৌগত্নুনা জাগরণ তৌত্নুনা অত্নম লৈ ॥ মাত্নগুম্বা কর্মগী মহৈত্নগী মাগী মরূপ চান্নবা লৈতে, য়েক্নবা হায়ব লৈতে অত্নগা য়েক্নবত্ন নত্তবা, মরূপত্ন নত্তবা, মধ্যস্থ হায়বত্নস্ন লৈতে ॥

---

* টীকা :— 'পুক্নীং হায়বসিদি অশিবনিনা তৌরিবসি অকবরা ফত্তবরা থত্নদে। অকবা ওইরগা স্বর্গ, ফত্তবা ওইরগা নরক অসিতনি ॥ (কালাচাঁদ)

সমঃ সর্বেষু ভূতেষু কালঃ কালং নিরীক্ষতে। গতায়ুষো হ্যাক্ষিপতে জীবঃ সর্বস্ত দেহিনঃ ॥

শ্রীমহেশ্বর উবাচ

বিদ্যা বার্ত্তা চ সেবা চ কারুত্বং নাট্যতাতথা। ইত্যেতে জীবনার্থায় মর্ত্ত্যানাং বিহিতাঃ প্রিয়ে ॥
বিদ্যাযোগস্তু সর্বেষাং পূর্বমেব বিধীয়তে। কার্য্যাকার্যং বিজানন্তি বিদ্যয়া দেবি নান্যথা ॥
বিদ্যয়া ক্ষীয়তে জ্ঞানং জ্ঞানাৎ তত্ত্ববিদর্শনম্। দৃষ্টতত্ত্বো বিনীতাত্মা সর্বার্থস্য চ ভাজনম্ ॥
শক্যং বিদ্যাবিনীতেন লোকে সংজীবনং শুভম্ ॥
আত্মানং বিদ্যয়া তস্মাৎ পূর্বং কৃত্বাতু ভাজনম্। বশ্যেন্দ্রিয়ো জিতক্রোধো ভূতাত্মানং তু ভাবয়েৎ ॥

"কাল" (মতম) হায়রিবসি মাবুনি। অদুনা, মৃত্যুকাল হায়বসি প্রাণী খুদিংমক্তা, চাং চপ মান্নবা লৈ। মাগী হায়রবু, মাগী চঙশকপগী মতম (সুবিধা) অদু ভাইহনা লৈবা, অসিতনি। কর্মগী মহৈ চাবা হেক লোইবদা মহাক্না (কালনা) জীবহৌবু সংহার তৌই। (খোমজিল লোইশিন্নুনা পুখি। অসিগুম্বা কাল হায়বসিনা দেহধারী পুম্নমকী জীবন হায়বহৌ ওইরিবনি ॥

[দক্ষিণাত্যদা কংবা মহাভারতদা হেন্না য়াওরম্বা শ্লোকশিংগী অনুবাদসু মখম অসিদা লোইরে]

মহাদেবনা হায়ঃ—চায়খোৎপবী পার্বতী! বিদ্যা (বেদশাস্ত্রগী জ্ঞান), বার্ত্তা (ব্যবসায় লৌউ শিংউবা), সেবা (লোক সমাজ সেবা), শিল্পবিদ্যা (খুৎশা হৈবগী থবক), অভিনয় কলা (সংগীত নাট্যনচিংবা কলাবিদ্যা) বৃত্তি মশা অসি তাইবং মীওইবগী জীবননির্বাহ (পুনশি লেম্নব) গী শেমহনা লৈরবনি ॥ দেবী! হায়রিবা মশা অসিগী মনুংদা মকোক ঈথং থংলিবা বিদ্যা হায়বসিনা খাইগী মরুনি। হায়রিবা মশা অসিগী তৌগৈবা তৌহৈদবগী বিচার বুদ্ধি অসি বিদ্যা হায়বসিতনা মীমাংসা পীগদৌরিবনি ॥ হায়রিব বিদ্যা অসিতনা জ্ঞানবু (বুদ্ধিবু) চাওখৎহনবনি। চাওখৎলক্লবা জ্ঞাননা তত্ত্ববু খিরকপনি। তত্ত্ব, অদুবু খিবা খঙলগা তাইবং মীগী ধর্ম, অর্থ, কাম, মোক্ষ হায়রিবা পুরুষার্থ মরিবু পাওখোকপনি ॥ বিদ্যাসিনা বিনয় (নোল্লুকপা কল্লি লৈবগে থম্বা, নাপল তৌদবা) হায়বহৌ হেক কংবদা মঙলগী মশক ওইবা পুনশি হায়বহৌ কংবনি। বিদ্যাগী পান্নেনা হায়রিবা পুরুষার্থশিং অসি হেক কংবদা, অশাউবা, নাপল পুম্নমক থাদোক্লুনা ঈন্দ্রিয় খুদুম চল্লক্লুনা আত্মা পরমাত্মানা চিন্তন তৌবা হৌরকপনি * ॥

---

* টীকাঃ—হায়রিবা রাসিগা হায়রুরবদি, হৌজিকী মীগী খুৎশেমগী, উপাধি কংলবা অহৈ অশিং-শিংনা মীবু উজ্রিবা অহগ লমন ওয়া গুরু কাওবা উশিন্নবা নাপল্লা লুতোন কারিবশিংনা কংডুরিবা বিদ্যাসি হায়রিবসি বিদ্যা শুকনৎ নত্তে ॥ (কালাচাঁদ)

তাবন্নিষা তদাহ স্থানং পূজনীয়ং সতামপি। কুলাম্নয়যুক্তং বৃত্তংবা পূর্বমাত্মা সমাশ্রয়েৎ ॥
যদি চেৎ বিদ্যয়া চৈব বৃত্তিং কাঙ্ক্ষেদথাত্মনঃ। রাজবিদ্যাং তুবা দেবি লোকবিদ্যামথাপিবা ॥
তীর্থতশ্চাপি গৃহ্নীয়াচ্ছুশ্রূষাদিগুণৈর্যুতঃ। গ্রন্থতশ্চার্থতশ্চৈব দৃঢ়ং কুর্য্যাৎ প্রযত্নতঃ ॥
এবং বিত্তাকলং দেবি প্রাপ্নুয়াম্নান্যথা নর :। ন্যায়াৎ বিত্তাকলানী চ্ছেদ ধর্মং তত্রবর্জয়েৎ ॥
যদিচ্ছেৎ বার্তয়াবৃত্তিং কাঙ্ক্ষেতবিধি পূর্ধকম্। ক্ষেত্রে জলোপপন্নে চ তদ্যোগং কৃষি মাচরেৎ ॥
বানিজ্যংবা যথাকালং কুর্য্যা তদ্দেশ যোগতঃ। মূল্যমর্থং প্রয়াসং চ বিচার্যৈব ব্যয়োদয়ৌ ॥
পশুসং জীবনং চৈব দেশগঃ পোষয়েৎ ধ্রুবম্। বহুপ্রকারা বহবঃ পশবস্তস্য সাধকাঃ ॥

অতোনবা মী কাওবা পরমাত্মাগী চিন্তাবু তৌহুনা তত্তুহু নৈনহুনা লৈরবদি, সৎপুরুষশিংমক্তা মাবু পূজা তৌবনি. খুরুম খাজর্যনি। জীব (জীবাত্মা) অসি অহানবদা, হান্নগী জাতি (কুল বংশ) গী পরম্পরা চৎনরকপা সদাচার (সংব্যবসায়) অহুদা আশ্রয় লৌগনি ॥ অহগা, দেবী ! মহাক্তা থঙলিবা ভম্মুরিবা বিদ্যা অহুনা, জীবিকা ওইগে হায়না খল্লুরবস্থ (পাম্মুরবস্থ) শুশ্রূষা (সেবা দেশসমাজ সেবা) গী গুণনা তিনবা ওইহুনা কনাগুম্বা জ্ঞানীগুরু অমগী মকমদগী রাজবিদ্যা নত্রগা লোকবিদ্যাগী শিক্ষাবু লৌরুগদবনি * মাহুগী তত্ত্ব, ইবা গ্রন্থ (লাইরিক) বু য়াম্না চেকশিন্ন পাগদবনি তমগদবনি ॥ দেবী ! অসুম্না তৌরবতদা তম্মুরিবা বিদ্যা (গ্রন্থাবিদ্যা) অহুগী মহৈ চায়। হায়রিবা তত্ত্বদসি নত্তনা করিগুম্বা অমতনা বিদ্যাহুগী মহৈ চাবা ক শোই বিদ্যাদগী কংবা মহৈহুবুস্থ ন্যায়বিধি কায়দনা ভোগ তৌননবা (চাননবা) হোৎনগদবনি। বিদ্যানা কংবা মহৈনি হায়হুনস্থ বিধি কায়না অন্যায় ওইবা লম্বীদা চংগদবা নত্তে। অধর্মগী লবক অমাদ রাখল অহু পূমথা থাদোকদবনি ॥ ব্যবসায়না (লম্লোল ঈতীক্লা নত্রগা কৃষি কর্মনা) জীবিকা ওইগে হায়না খল্লবস্থ. ব্যবসায় অহুনা য়াম্ন লাভ (তোংবা কায়বা) কংগদবা লমদা, কৃষি কর্ম (ক্ষেতা) তৌগে হায়রবস্থ লৌবুক্তা ঈশিং হৈজিন চিংশিন্নবগী সুবিধা য়াম্না লৈবা মকমদা তৌগদবনি। অহুগা ব্যবসায় (কারবার) তৌগে হায়রবস্থ, তৌরিবা ব্যবসায় অহুগী পোচ্ছেহুগী মতুংইন্না দেশকালপাত্র য়েংহুনা পোৎশিংহুগী মমল, পোৎশিংহু লৌরুবগী ব্যয় (খরচ), অহুদগী হেন্না কংগদবা লাভ, লাভ লৈ হায়হুনা মাহুদা চঙশিনবা মতম পরিশ্রম (হোৎনখিবা) অসিনচিংবা কাওবা কূপ্না নৈনহুনা তৌগদবনি ॥

---

* টীকা : "রাজবিদ্যা" হায়বসি গীতাগী রাজবিদ্যা রাজগুহ্যযোগ হায়বা ব্রহ্মবিদ্যানা পীবা ভক্তি যোগবিদ্যা অহুনি। লোকবিদ্যা হায়বসিনা জীব বিদ্যা (নিষ্কামকর্ম যোগনা জীবন লেন্নবা বিদ্যা) অহুনি। হায়রিবা জীব বিদ্যা অসিগীদমক জ্ঞানীগুরুগী মকমদা, মাসিগী মরমদা নৈনবা ইবা গ্রন্থবু তমগদবনি ॥ (কালাচাঁদ)

যঃ কশ্চিৎ সেবয়া বৃত্তিং কাঙ্ক্ষেত মতিমান্নরঃ। যত্তাত্মা শ্রবনীয়ানাং ভবেদ্বৈ সম্প্রযোজকঃ॥
যথা যথা স তুষ্যেত তথা সন্তোষয়েৎ প্রভুম্। অনুজীবিগুণোপেতঃ কুর্য্যাদাত্মনমাশ্রিতম্॥
বিপ্রিয়ং নাচরেৎ তস্য এষা সেবা সমাসতঃ। বিপ্রযোগাৎ পুরাতেন গতিমন্যাং ন লক্ষয়েৎ॥
কারুকর্ম চ নাট্যং চ প্রায়শো নীচযোনিষু। তয়োরপি যথা যোগ্যং ন্যায়তঃ কর্মবেতনম্।
আর্জবেভ্যোঽপি সর্বেভ্যঃ স্বাজ বাৎ বেতনং হরেৎ। অনার্জবাদাহার তস্তৎ তু পাপায় কল্পতে॥
সর্বেষাং পূর্বমারম্ভাং শিন্তয়েন্নয় পূর্বকম্। আত্মশক্তি মুপায়াংশ্চ দেশকালৌ চ যক্তিতঃ॥
কারণানি প্রবাসং চ প্রক্ষেপং চ ফলোদয়ম্॥
এবমাদীনি সংচিন্ত্য দৃষ্ট্বা দৈবানুকূলতাম্। অতঃ পরং সমারম্ভেৎ যত্রাত্মতনাহি হিতম্॥
বৃত্তিমেবং সমাসাদ্য তাং সদা পরিপালয়েৎ। দৈবমানুষবিঘ্নেভ্যো ন পুনর্ভ্রশ্যতে যথা॥

বিদেশদা চৎলুদনা দেশবাসী অম ওইনা লৈবা মীনা শল ইরোইনচিংবা লোইবা থাকপগী থবকসু তৌগদবনি। শা শল মখল মখল লোইবা থাকপা হায়বসিসু অর্থ প্রাপ্তিগী (শেল ফংননবগী) চাউপ্রবা উপায় অমনি॥ মীগী কর্মচারী ওইদুনা, সেবা তৌদুনা মাদুনা জীবিকা ওইনগে হায়না থম্মবসু, মীদুগী যুমদা নীংথিজবা, অথুম্বা, অতপ্পা র হৈ রাওনবু তত্তনা শীজিন্নগদবনি॥ য়ারিবমথৈ সেবা ওইরিবা সেবা তৌরিবা মীদুগী পেন্ননবা, মুংঙাইননবা হোৎনগদবনি। সেবকনা তৌরিবা সেবা কর্মদা সেবা (স্বামী) অদুনা পেল্লবদা, সেবক অদু সেবক ওইবগী গুণনা তিল্লবনি। হায়রিবা গুণশিং অসিগা লোয়ননা সেবকনা সেবাগী আশ্রয়দা লৈগদবনি। সেবকনা সেবা (স্বামী মপু) অদুগী অপ্রিয় ওইবা (মানা য়ানিংদবা)) অমত তৌরোইদোবনি। স্বামী (মপু) অদুবু থাদোকত্রিযঙদদি অতোপ্পা গতি (আশ্রয়) অমগী রাথস থক তৌরোইদবনি॥ উশূব শখুৎ মশা হৈবগী থবক, পুংশেল জগোইনচিংবগী কারবার অসি হন্নবা জাতিগী মীশিংনা অয়াম্বা তৌনৈ। হায়রিবা থবকশিং অসিগীসু থাগী নক্সা নোংমগী বেতন (অরামল) লোগদবনি॥ পূকচেল তিংনা থবক তৌবশিংনা বেতনবুসু পূকচেল তিংনা লৌকম থোকই। পূকচেল খোয়না বেতন থক লোয়োইদোবনি॥ জীবিকা তাম্নবগী তৌরকপা উপায় (সাধনা) থুদিংদা য়াম্ন কুপ্না মুন্না বিচার তৌহৌগদবনি। লনাইগী শক্তি, উপায়, দেশ কাল (মফম মতম) কারণ (মরম হীরম), লংকৈ চৎপা, লৌশিনবা লৌথোক-লংথোকপা, মাদুদা ফংঙকদবা মহৈ (লম্ম্ম) অসিনচিংবসিগী মরমদা যুক্তি যুক্ত ওইব্রা (মতীক চাব-চাদবা) হায়বদু মুন্না খলহোবা, অসিগা মথক্তা দেবতাগী অনুকূল ওইব্রা ওইদব্রা হায়বদু (রাশিচক্র মায়গৈ শেংবা শেংদবা, গ্রহনচিংবা দেবতাশিংগা পক্লব্রা পক্লদব্রা হায়বদু মুন্না য়েংলগা কান্নবা কান্নদবা (মাঙবা তোংবা) অ সনচিংবগী মীমাংসা অসি ব্যবসায়গী উপায় ওাক্তনি॥ মতৌ অসুম্না জীবিকাগী সাধনাশিং অদুগী মমুংদা কদায়না ফগদগে হায়বদু লেপথোক-থম্দোক্লগা মাদুদগীদি পূক্নীং থবক অদু হনবা লৈতনা শায়থৎপ্রদবনি। অদুম তৌরবদা লাইবকতা জন্মক্কবা হায়বদু অদুগা থবক অদু থাদোক্নীংলকপগী বিঘ্ননচিংবদু লাক্লরোই॥

পালয়ন্ বর্দ্ধয়ন্ ভুঞ্জংস্তাং প্রাপ্য ন বিনাশয়েৎ। ক্ষীয়তে গিরিসংকাশমশ্নতো হ্যনপেক্ষয়॥
আজীবেভ্যো ধনং প্রাপ্য চতুর্ধা বিভজেৎবুধঃ। ধর্মা য়ার্থায় কামায় আপৎপ্রশমনায়চ॥
চতুর্ষ্বাপি বিভাগেষু বিধানং শৃণু ভামিনি॥
যজ্ঞার্থং চান্নদানায় দীনান্থ গ্রহ কারনাৎ। দেব ব্রাহ্মণ পূজার্থং পিতৃ পূজার্থ মেব চ॥
মূলার্থং সংনিবাসার্থং ক্রিয়ানিত্যৈশ্চ ধার্ম্মিকৈঃ। এবমাদিষু চান্যেষ ধর্মার্থং সংত্যজেৎ ধনম্॥
ধর্ম কার্য্যে ধনং দদ্যাৎ দনবেক্ষ্য কলোদয়ম্। ঐশ্বর্য্যস্থানলাভার্থং রাজবাল্লভ্য কারণাৎ॥
বার্ত্তায়াং চ সমারম্ভেৎ মাত্য মিত্র পরিগ্রহে আবাহে চ বিবাহে চ পুর্নানাং বৃত্তি কারণাৎ॥
অর্থোদয় সমাবাপ্তাবনর্থস্ত বিঘাতনে।
এবমাদিষু চান্যেষু অর্থার্থং বিসৃজেৎ ধনম্॥
অনুবন্ধং হেতু যুক্তং দৃষ্ট্বাবিত্তং পরিত্যজেৎ।
অনর্থং বধেতে হ্যর্থো অর্থং চৈব কলান্যত॥

ভুংশিনবা (ভাকশেনবা), চাওখৎলকপা, শীজিন্নবা, হায়রিবা অহুম অসি তৌন তৌনা, তৌরিবা ৰাত্ত (জীবিকা ব্যবসায়) অহু থক মাওহল্লোইদৌবনি। ভাকশেনবা, (ভুংহনবা) চাওখৎহনবগী থবকতা ঈভৌ তৌদনা, চুমগী শীজিন্নবা (চাখোকপা) ভাকশীত ওইহল্লবদি শেন্না সনজীংমুক চাওনা খিনবদো ফুমশিল্লকনি॥ জীবিকাশীদমকতা ভাল্লিবা, কংলিবা লল, অহু, অশিংবা মীনা (অশিংবা মী অম ওইনা) ধর্ম, অর্থ, কাম অমদি রারকপা (খুদোংথীব লাকপা) মতমদা শীজিন্নবা শল্লক মরি থোকপা তোঙাল তোঙাল্লা খায়দোক্লনা থমগদবনি। ঈবেম্মা! পার্বতী! হায়রিবা শরুক মরি অসিবু করি করিদা করম্না শীজিন্নগদগে হায়বহু হায়গে তাও। যাগযজ্ঞ তৌননবা, কৈত লাংরদা অন্ন (চেঙ ঙরাইংচিংবা) পীননবা (কংননবা), দেবী দেবগী পূজা তৌননবা, ব্রাহ্মণ অমদি পিতৃলোককী সেবা পূজাদা শীজিন্নবা, মূলধন (শেল্লেপ) ওইহৌননবা, সৎপুরুষশিংগী অমদি নৈপাকী থবক তৌনিংবশিংগী মতেং পাংননবা, অসিনচিংবগী থন্না (খাকপা) শেল আস ধমার্থগী থন্না শেলশা অহুগী মনুংদনি॥ মতৈকংব কংদবগী য়াথল খাদোক্লনা ধর্মগী থবক্তা শেল শীজিন্নগদবনি। ঐশ্বর্য্য কংগদবা, (দেশ সমাজদা মানমর্য্যাদা কংননবা) শী থবক্তা, নিংথৌনা চাননবগী পেন্নবগী থবক্তা, লম ইংথোই থোকপা, লাল্লোল ঈতীক তৌননবা, মল্লপ মপাং (মন্ত্রী কর্মচারী) খোমজিন্নবগী থবক্তা প্রেঙ্গবিবাহনচিংবা তৈরেমিত্তক কংগী থবক্তা পূর্বপুরুষশিংদা অহুল-লমন্দা পীননবগী থবক্তা অতোপ্পা ধন অমমুক কংননবগী থবক্তা, অহুগা অমাঙবা খুদোংথীবা ভাকথোক্লন-বগী থবক্তা অর্থর্থগী থন্না শনশা অহুদগী শীজিন্নগদবনি॥ মরম চানা শীজিন্নবা য়াত্রবা হেতু (মরম) অম লাকপদা শেল শীজিন্নগদবনি। অনর্থবু ভাকথোক্লনবা লৈরিবা অর্থ (ধন) অসি নীংব পুন্নমকপু থুহেনবনি॥

নাধনাঃ প্রাপ্নুবন্ত্যর্থং নরা যত্নশতৈরপি। তস্মাৎ ধনং রক্ষিতব্যং দাতব্যং চ বিধানতঃ॥
শরীর পোষণার্থায় আহারস্তু বিশেষণে। এবমাদিষু চান্যেষু কামার্থং বিসৃজেৎ ধনম্॥
বিচার্য্য গুণদোষৌ তু ত্রয়াণাং তত্রসংত্যজেৎ। চতুর্থং সংনিদধ্যাচ্চ আপদার্থং শুচিস্মিতে॥
রাজ্যং ভ্রংশবিনাশার্থং দুর্ভিক্ষার্থং চ শোভনে। মহাব্যাধিবিমোক্ষার্থং বার্দ্ধক্যস্তৈবকারণাৎ॥
শত্রূনাং প্রতিকারায় সাহসৈশ্চাপ্যমর্ষণাৎ। প্রস্থানে চান্যদেশার্থ মাপদাং বিপ্রমোক্ষণে॥
এবমাদি সমুদ্দিশ্য সংনিদধ্যাৎ স্বকং ধনম্। সুখমর্থবতাং লোকে কৃচ্ছ্রাণাং বিপ্রমোক্ষণম্॥
ধন্যং যশস্যমায়ুষ্যং স্বর্গ্যং চ পরমং যশঃ। ত্রিবর্গোহিবশে যুক্তঃ সর্বেষাং শংবিধীয়তে॥
তথা সংবর্ত্তমানস্ত লোকযৌহিতমাপ্নুয়ুঃ॥
কাল্যোত্থানং চ শৌচং চ দেবব্রাহ্মণ ভক্তিতঃ। গুরুণামেব শুশ্রূষা ব্রাহ্মনেষ্বভিবাদনম্॥
প্রত্যুত্থানং চ বৃদ্ধানাং দেবস্থানপ্রণামনম্। আভিমুখ্যং পুরস্কৃত্য অতিথীনাং চ পূজনম্॥

ধন লৈতবা মীনা, কনা য়াম্না হোৎনরবস্থ (নোম্নবস্থ) ধনবান্ ওইবা হায়বসে পাক ম্নাদবনি। অদুনা ধনবু য়াম্ন চ্যেকশিন্না ভাক-শেন্দুনা থমগদবনি। মকম মতম চানা দান তৌগদৌবনি॥ কামার্থগী তোঙাম্না খাকপা (থন্বা) শেনশাহুদগী, হকচাংগী নোয় পেন্নবা, ম্নোগ অতৈ লাক্তনবা, চানীংবা চাননবগী শেল অদু কাইথোক্তুনা শীজিন্নগদবনি। গুণ দোষগী বিচার অসি মুম্ন কৃপ্না তৌরগা ধর্ম অর্থ কামগী থবক্তা শেলবু শীজিন্নগদবনি। ঈবেম্মা! নীংথিজবী! পার্বতী! লুরবা খুদোংথীবদা শীজিন্নবগী-দমক্তা শেলগী শরুক অদুমদি য়াম্ন চ্যেকশিন্না, ম্নারিবমথৈ শোকউদনা থমগদবনি। লৈপাক কায়বা থিংননবা, শাথিনা চাক ভাঙলবা মতমদা শীজিন্নবা, লান্না অনৌবা লাকপদা শীজিন্নবা, হয়েং অহল ওইরকপা মতমদা, নোম্ব খোৎপা ওন্মক্রুবা মতমদা শীজিন্নবা, শাথিরবা ম্নেরুবনা আক্রমন তৌশিল্লকপা, অরাপ্পা লমদম অমদা চৎপ ভাবক্রবদা, খঙহৌদনা লাকপা খুদোং থীবদা শীজিন্নবগীদমক, থন্বা শেল অদু ম্নারিবমথৈ শোক্তনা থমজগদবনি। খুদক্তা অরাবা খুদোংথীবদগী কনগদৌরিবসি শেলতনান। অদুনা সংসারদা ঈমুং হুংঙাইনা, করিমত ম্নাবিদনা লৈরিবসি ধনবান্ ওইবা মহাক্তনি। ধন হায়বসি পুনশি, মিংচৎ কংননবগী স্বর্গ কাননবগী যত্নগী মচাক হুনবনি। অসিত নত্তে লোকসমাজগী মিংচৎ কংহনবা পগ্যমাস্ত ওইহল্লিবসি ধনতননি। ত্রিবর্গ হায়রিবসি ধম অর্থ কাম অহুমসিবুতনি। হায়রিবা অহুমসি ধনতনা পাঙথোকদৌরিবনি। অহুম অসিবু মনীং থুংনা পাঙথোকপা ওন্নিবহুবুনি লোকসমাজ অপংতা হুংঙাইনা পাল্লি হায়নরিবসি। হায়রিবা নিয়ম অসিগী মথুং ইন্না ধনবান ওইরিবা মী মহাক অদু ইহলোক পরলোক অনীমক্তা মুংঙাইবা কংভি। অনুক ওত্তাদা হৌগৎপা, শেংলবা ঈশিংনা প্রাতঃ স্নান তৌবা, দেবতা ব্রাহ্মণশিংদা ভক্তি তৌবা, অহন্নমন গুরুজনশিংগী সেবা পূজা তৌবা, অহন্নমন, গুরুজন লাকপদা ফুক হৌগত্নুনা খাগত তৌবা, দেবতাশিংগী মন্দির উরগা কোক নোম্ন খুরুম্বা, অতিথিশিংনা লাকপদা তরাম তরাম ওকপা, লাকলিবশিংদুগী মঙল ওইনা লৈবগী হংনবা থুম্নবা॥

বৃদ্ধোপদেশকরনম শ্রবণং হিতপথ্যয়োঃ। পোষণং ভৃত্যবর্গস্য সান্ত্বদান পরিগ্রহৈঃ ॥
ন্যায়তঃ কর্ম করণ মন্যায্যহিতবর্জিতম। সম্যগবৃত্তং দারেষু দোষাণাং প্রতিষেধনম ॥
পুত্রাণাং বিনয়ং কুর্য্যাৎ তত্তৎ কার্য্যনিয়োজনম। বর্জনং চাশুভার্থানাং শুভানাং জোষণং তথা ॥
কুলোচিকানাং ধর্মাণাং যথাবৎপরিপালনম। কুলসং ধারণং চৈব পৌরুষেণৈব সর্বশঃ ॥
এবমাদি শুভং সর্বং তস্য বৃত্তমিতিস্থিতম্'।
বৃদ্ধ সেবী ভবেন্নিত্যং হিতার্থং জ্ঞানকাঙ্ক্ষয়া। পরার্থং নাহরেৎ দ্রব্যমনামন্ত্র্য ত সর্বদা ॥
ন যাচেত পরান্ ধীরঃ স্ববাহুবল মাশ্রয়েৎ ॥
স্বশরীরং সদা রক্ষেদাহারাচারয়োরপি। হিতং পথ্যং সদাহারং জীর্নং ভুঞ্জীতমাত্রবা ॥
দেবতাতিথি সৎকারং কৃত্বা সর্বং যথাবিধি। শেষং ভুঞ্জেচ্ছু চিভূর্ত্বা ন চভাষেতবিপ্রিয়ম ॥
প্রতি রং চ পানীয়ং বলিং ভিক্ষাং চ সর্বতঃ। গৃহস্থবাসী ব্রতবান্ দদ্যাৎ পাশ্চৈব পোষয়েৎ ॥

মশাইগোন্দা লৈরিবা মনাই মশলশিংগী অরাৎ অপা য়েংহুনা য়োক থাকপা, পীজ পীথকপা, থবক পুম্ব ন্যায় বিধি ধর্ম কায়দনা ভৌবা, চুমদবা কান্নদবা, হৌনদবা, থবক পুম্বা থাদোকপা, মুপী নহাগা শুহাক য়ারী য়াভাই শাহুনা নুংঙাইমিয়বা, মচা মশুশিংদা নোম্বুক্পা, নাপন্নচিংবা তৌদনা লৈননবগী উপদেশ (পাউতাক) পীবা, মখোয়বু মতীকচাবা থবক্ত মায়োনশিলহনবা, কত্তবা কর্ম মখৈ থাদোক্নুনা শুভ কর্মত ভৌবা তৌহনবা য়ুমনাক শাগৈগী চংনরকপা ঈরাৎ পূজানচিংববু জ্ঞান তানা পাঙথোকপা, শাগৈ নাতৈবু য়োক থাকপা অসিনচিংবসি শুভকর্মগী বৃত্তিদা লৈবা কৌই। মুমিৎ খুদিংগী জ্ঞানী ওইবা অহন্নমনগী মনাক কন্বা, মখোয়দগী জ্ঞান লৌথোকপা, অহুগা মথোয়গী সেবা পূজা তৌবা, মপু তাক্তনা কনাগুম্বা অমতদগী করিগুম্বা অমত লৌদবা অসি পুন্নমক্সি শুভকর্ম হায়বহুগী মমুং চনবনি। মশাগী মান-মর্য্যাদা ডাকপা, ধীর (তপ্পা) ওইবা মীনা কনাগুম্বা অমগী মকমদগী করিগুম্বা অমতং য়ান্নিবমখৈ থক নীয়োইদৌবনি। মশাগী মপাম্বোম পাজলতদা আশা তৌহুনা লৈগদবনি। চাব থকপা পুম্বদা হকচাংগী কান্নবা, অকবগাত খল্লুনা লৈগদবনি। দেবতা অমদি অতিথিশিংদা কৎপা পীজবা মতমদা, য়ায়া তৌথিনা পূকচেল শেংনা পীজগদবনি। অথীবা, অরাকপা য়াহৈ অমত শীজিয়োইদৌবনি। গৃহস্থাশ্রমদা লৈবা মীনা, হেক লাকপা অতিথিশিংদা মখোয়গী লৈননবা, তুয় হীপ চাননবা পোথানবা মকম, অচাথক পুম্বা শীন্নাঙহুনা থমগদবনি। শল ঈয়োই য়োক্তনা মখোয়গী সেবা তৌহুনা লৈবা হায়বসি গৃহস্থগী চাউপ্রবা ধর্ম অমনি। করিগুম্ব বিশেষ (থোইদোকপা) কায়ণ অমগীদমক করিগুম্ব থবক অমগীদমক চথোক খোঙ্ভোকপা ঈম্বা হেক য়াই। অহুবু, অহিং নোংয়াইদা অহুগা মুমিৎ চপ য়ুবে মতমদা চংলোইদৌবনি। সংসারগী বিষয়দা হারা লুপ্তুনা পুন্নীং চঙহুনা লৈয়োইদৌবনি। মীগী মপান তাংদনা মশাগী লৈজবা শক্তি অহুগী মনুংদা ধর্মগা মযম লৈনবা কর্ম থয়দি মুমিৎ খুদিং তৌবকৈ।

বহির্নিষ্ক্রমণং চৈব কুর্য্যাৎ কারণতোঽপি বা। মধ্যাহ্নে বার্ধরাত্রেবা গমনং নৈব রোচয়েৎ ॥
বিবস্ত্রান্ নাবগাহেত অশক্ত্য চ তু সমাচরেৎ। যথাঽয়ব্যস্ততা লোকে গৃহস্থানাং প্রপুজিতা ॥
অযশস্কর মর্থঘ্নং কর্ম যৎপরপীড়নম্। ভয়াৎ বা যদি বা লোভাস্ন কুর্বীত কদাচন ॥
বুদ্ধি সমালোক্য দূরতো গুণদোষতঃ। আরভেততদা কর্ম শুভং বা যদি বেতরৎ ॥
আত্মসাক্ষী ভবেন্নিত্যমাত্মনস্ত শুভা শুভে। মনসা কর্মণা বাচা ন স কাঙ্ক্ষেত পাতকম ॥

উমোবাচ

সুরাসুরপতে দেব বরদ প্রীতিবর্দ্ধন। মানুষেষেব যে কেচিদাঢ্যাঃ ক্লেশবিবর্জিতাঃ ॥
ভুঞ্জানাম্ বিবিধান্ দৃশ্যন্তে নিরুপ্রবাঃ। অপরে ক্লেশসং যুক্তা দরিদ্রা ভোগবর্জিতাঃ ॥
কিমর্থং মানুষে লোকে ন সম্বন্ধেন কল্পিতাঃ। এতচ্ছ্রোতুং মহাদেব কৌতূহলমতীব মে ॥

শ্রীমহাদেব উবাচ

যাদৃশং কুরুতে কর্ম তাদৃশং ফলমশ্নুতে। স্বকৃতস্য ফলং ভুঙক্তে নান্যস্তৎ ভোক্তুমর্হতি ॥

মহাক্কী মশাগী লাকচবা আয় অহুগী মনুংদা মহাক্কা ওমজব খরদং লোকসমাজগী উপকার তৌবা হায়বসি লোকসমাজনা য়ায় থাগৎনৈ ॥ মীহৌবদগী, কিবদগী, অপান্নদগী সমাজদা, ম্নিংচৎ মাওননবা অহুগা অতোপ্প অমদা অন্নাবা ওৎননবা থবক অমত তৌরোইদৌবনি ॥ কন্নিগুম্বা কর্ম অমতং তৌরম-দাইদা, তৌগদৌরিবা কর্মহুগী গুণ দোষ অনীমকপু মুস্ন কুপ্ন নৈনরগা পায়থৎকদবনি। কর্মহুগী মহুংদা য়াওরিবা ফবগা (গুণগা) ফত্তবগা (দোষগা) য়েংনবদা অফবগী শরুক্কা হেন্নবদি থবক অহু তৌব য়াই। হেন্নি হায়হুনমু অশুভ (অধর্ম) ওইরবদি তৌরোইদৌবনি ॥ শুভ-অশুভ অনীগী বিচারদা আম্ননা সাক্ষী ওইহনগদবনি। মশানা মশাগী সাক্ষী ওইহুনা বিচারহুদা য়ারেপ তাগদবনি। মী অমনা কৈ হায়রগা হেক ফগদবা নত্তে ॥

[দাক্ষিণাত্যদা ফংবা মহাভারতকী মনুংদা হেন্ন য়াওরম্বা শ্লোক খরহুগী অনুবাদ লোইরে]

উমানা হায়ঃ সুরাসুর পুম্নমক্কী মপু, দেবদেব। জীব পুম্বমু পেনহনবা। বর পীন হৈবা। ভাইবং মী হায়হুনা নৈরিবশিংসিগী মনুংদা থরনা অন্নাবা মরীক অমত ফংদনা মুংভাইনা নৈরি। য়ৈথার থিনগাইবা য়াওদনা মচাক মরম্ন পীক থম্না, চানীংবা শেংনীংবা পুম্নমক রাস্ত পাদনা ভোগ তৌহুনা নৈরি। মীওই-অহুগা থরনা, অন্নাবত ফংহুনা, লায়রবনা চানীংঙায় নৈতহুনা য়ানা মতম লেপ্পি। দেবদেব। মীওই-বশিংবু থাক অমতদা চপ মান্ননা শেম্নমল্লিবসি কন্নিগীনো? অমুক শাথিনা থেম্নহল্লিবসি কন্নিগীনো? মাসিগী মরমসি ঐ ওম্ভোক্না তাজনীংঙে ॥ শ্রীমহাদেবনা হায়ঃ—য়ানা য়ানা তৌথিব কর্মহুগী মহৈ চাবনি। অমনা তৌথিব কর্মগী মহৈলো অতোপ্পা অমনা থক চাবা (ফংবা) য়াদে ॥

অপরে ধর্মকামেভ্যো নিবৃত্তাশ্চ শুভেক্ষণে। কদর্য্যা নিরনুক্রোশাঃ প্রায়েণাত্মপরায়ণাঃ ॥
তাদৃশং মরণং প্রাপ্তাঃ পুনর্জন্মনি শোভনে। দরিদ্রাঃ ক্লেশভূয়িষ্ঠা ভবন্তেবনসংশয়ঃ ॥

উমোবাচ

মানুষেষথ যে কেচিৎ ধনধান্যসমন্বিতাঃ। ভোগহীনাঃ প্রদৃশ্যন্তে সর্বভোগেষু সৎস্বপি॥
ন ভুঞ্জতে কিমর্থং তে তন্মেশংসিতুমর্হতি ॥

শ্রীমহাদেব উবাচ

পরৈঃ সংচোদিতা ধর্মং কুর্বতে ন স্বকামতঃ। ধর্মশ্রদ্ধাং বহিষ্কৃত্য কুর্বন্তি চ রুদন্তি চ ॥
তাদৃশা মরণং প্রাপ্তাঃ পুনর্জন্মনি শোভনে। ফলানি তানি সম্প্রাপ্য ভুঞ্জতে চ কদাচন ॥
রক্ষন্তো বর্ধয়ন্তশ্চ আসতে নিধিপালবৎ।

উমোবাচ

কেচিৎ ধনবিযুক্তাশ্চ ভোগযুক্তা মহেশ্বর। মানুষাঃ সম্প্রদৃশ্যন্তে তন্মে শংসিতুমর্হসি ॥

শ্রীমহাদেব উবাচ

নিত্যং যে দাতুমনসোনরা বিত্তেষসৎস্বপি। কাল ধর্মবশং প্রাপ্তাঃ পুনর্জন্মনি তে নরাঃ ॥
এতে ধনবিহীনাশ্চ ভোগযুক্তা ভবন্ত্যত ॥

নীংখিজবী। নহানমুকী মপোক্তা ধর্ম অর্থ কামগী করিগুম্ব থবক অমত তৌখিদবা, লোভী ওইখিবা, মীনুংশি খঙদবা, মশাগী ওইজবত য়েংহনা থবক তৌখিবশিংহ্ন হুন্দকী মপোক (ইহ জন্ম) অদিদা, চানীংঙায় লৈতনা, অদা অনাত খাওহনা লৈনরিবসিনি। প্রত্যক্ষ প্রমাণনি। মাসিদা করিমত চিংনবা ভোগহ্ন। উমানা হংঙি :—ভগবন্! মহাদেব! মচাক মরম্ম পীকথম্মা লৈরবশিং অহুগী মহুংদহ্ন ভোগ তৌবা ঈকং কংদনা লৈবা য়াওরি। লৈদি য়াম্মা লৈরগা মাহুদগী মম্নীক অমত চাবা (ভোগ তৌবা) কংদনা লৈরিবহনা করিগীনো? মাহুগী মরমহ্ন শেংনা অমুক্ত তাকপিয়ু। শ্রীমহেশ্বরনা হায় :—মীনা ঈথিম্নগা ধর্ম কর্ম তৌবা, মশানা খঙনা তৌবদি নত্তবা, ভক্তি শ্রদ্ধা য়াওদবা মীনা তৌনবা উরগদি মতৌবা, অহুগা কানদি তোথোকপ্রগা মঠৈখতজা নীঙতম্নক্তবা, পাম্মুরকপা মুংতাইরক্তবা, অহুগুম্বা মীশক্তনা হয়েংমুকী মপোক্তা, দান তৌখিবহুগী মহৈনা ঈনাক য়াম্না খুম্নবহ্ন মরল অহুগী করিমত চাবা কংদবা মীশক ওইনা পোকই। নিংথৌগী লনগৈ শঙবা কর্মচারী চৌকীদায় অমগুম লনগৈ অহ্ন শঙহনা লৈতবনি। উমানা হায় :—মহেশ্বর! করিমত লৈতবা মীহ্ন য়াম্ম মুংতাইনা ভোগ কংহনা মপুনশি লেনবা য়াওরি। মাসিনা করিনো? মহাদেবনা হায় :—দেবী! মরল লৈত্রবহ্ন য়াম্ম দান তৌনিংবা, মীঙোম্মা য়াম্ম পীজনীংবা, লৈদি লৈজদবা অহুগুম্বা মীনা মপোক অমদা করি লৈতবা মীশক অম ওইনা পোক্লুরবহ্ন, ঈদুং মুংতাইনা চাবা থকপা য়াত্তনা লৈবনি।

ধর্মদানোপদেশংবা কর্ত্তব্যমিতি নিশ্চয়ঃ। ইতি তে কথিতং দেবি কিং ভূয়ঃ শ্রোতুমিচ্ছসি ॥

উমোবাচ

ভগবন্ দেবদেবেশ ত্রিয়ক্ষ বৃষভধ্বজ। মানুষাস্ত্রিবিধা দেব দৃশ্যন্তে সততং বিভো ॥
আসীনা এব ভুঞ্জন্তে স্থানৈশ্বর্য্য পরিগ্রহৈঃ। অপরে যত্নপূর্বং তু লভন্তে ভোগসংগ্রহম্ ॥
অপরে যতমানশ্চ ন লভন্তে তু কিংচন। কেন কর্ম বিপাকেন তন্মে শংসিতুমর্হসি ॥

শ্রীমহেশ্বর উবাচ

ন্যায় তত্ত্বং মহাভাগে শ্রোতু কামাসিভামিনি ॥
যে লোকে মানুষা দেবি দানধর্ম পরায়ণাঃ। পাত্রাণি বিধিবজ্জ্ঞাত্বা দূরতোহ প্যনুমানতঃ ॥
অভিগম্য স্বয়ং তত্র প্রাহয়ন্তি প্রসাদ্য চ। দানাদি চেচ্ছি তৈরেব তৈরবিজ্ঞাতমেষবা ॥
পুনর্জন্মনি তে দেবি তাদৃশঃ শোভনা নরাঃ। অযত্নতস্তু তান্যেব ফলানি প্রাপ্নুবন্ত্যত ॥

মরম অহুনা হন্দকী মপোকসিদা দানধর্ম য়াম্ব তৌগদৌবনি। মাসি, বিদ্বান্ জ্ঞানীশিংনা লেপ্পপ্রবা রাকমনি। হৌজিক করি অমমুক তানীংলি? উমানা হায়:—ভগবন্! দেবদেব! মিস্রা অহুনা লৈতেংবা! বৃষভধ্বজ! এনা অহুম যেংবদা মীসি মথল অহুম থোক্না লৈরি। খরনা মমুমদা কম্ন-কম্না করিমতা তৌদনদি লৈরগা কেও কমহুনা চাবা ম্নাওরি। কমথোং চাউনা কাহুনা ঐশ্বর্য্য কংহুনা লৈ। খরনা নোমজমল চাহুনা লৈরি। অহুগা অহুমগুবা মথল অমনা, হুবাং কাংবমথৈ নোম্মু খোংলুরবসু চরা হেনবা ম্নাওরি। মাসিগী মরম অসিমগা তাকপিয়ু। শ্রীমহেশ্বরনা হায় :—লাইবক কবী! পার্বতী! ন্যায়তত্ত্ব বিচার কান্নদনা এনা হায়বা তাকপা উপদেশশিং অসি নংনা তানীংলি। অহুনা হায়গে তাও। দেবী! দানধর্মদা য়াম্ব পুক্নীং চঙবা মীনা, দান লৌবদা মতীকচাবা মুযোগ্য ওইবা পাত্রশিংহু কংলগা, নত্রগা মাগী অনুমাননা কংবদা মতীক চারে হায়না খঙলবা পাত্রহুগী মফাক মথামক্না চত্তুনা, মাবু পেলহন্নুনা, মহাক্না কংনীংলিবা পোৎ অহু লৌহন্নুবা অহুগা দান অসি তৌজগদৌরি হায়নদি দানপাত্র অহুদা মাওজৌননদি খঙহনহৌগ্রবা, অহুগুম্না দান মতৌ অহু তৌরিবা দাওা মী মহাক অহু পুনর্জন্মদা মপোক অমদা অথোই অহেনবা দীশক অম ওইনা পোকই। অহুনা করিমু নোম্মু থোংলুদনা মুংভাইনা কেও কমহুনা চাবা মীশক অমা ওইনা পোক্নরিবসিনি। মানা তৌথিবা পুণ্য কর্মহুগী মহৈনা হৌজিক ঈমুং মুংভাইনা চাররিবসিনি। অহুগা খরনা, মীনা হুয় হুয়া হায়জরগা পী (দ:ন তৌই)। হায়জ হায়জরকপা ভাইহুনা দান হেক হেক তৌই। অহুঙম্না মীশক্ত পুনর্জন্মদা ম্নাম্ব কম্না নোম্মুরগা পরিশ্রমগী মহৈ (ফল) অহু চায়। অহুগা খরনা মীনা হুয় হুয়া মীয়ম কাওবদা করি অম পীবে, পীবীয়ে। মাগী থম্মোয় অদো মুংশি হৈতবগা লীকপগা অনীনা মাওথোকলে, মকশিলহল্লে। নিম্নরিবহুগী মরান্ত উত্তুনা পীরোইদৌবগী হোৎনৈ ॥

আসীনা এব ভুঞ্জন্তে ভোগান্ সুকৃত ভাগিনঃ। আগতে যে চদানানি দদন্ত্যেব প্রযাচিতাঃ॥
যদাথিনে দত্বা পুনর্দানং চ যাচিতাঃ। তাবৎ কালং ততো দেবি পুনর্জন্মনিতে নরাঃ।
যত্নতঃ শ্রমসংযুক্তাঃ পুনস্তান্ পাপ্নুবন্তি চ॥
যাচিতা অপি কেচিত্তু ন দদন্ত্যেব কিঞ্চন। অভ্যসূয়াপরা মর্ত্যা লোভোপহতচেতসঃ॥
তে পুনর্জন্মনি শুভে যতন্তো বহুধা নরাঃ। ন প্রাপ্নুবন্তি মনুজা মার্গন্তস্তেৎপি কিঞ্চন॥
নাম্লুপ্তং রোহতে সস্যং তদ্বৎ দান ফলং বিদুঃ। যৎ যৎ দদাতি পুরুষস্তৎতৎ প্রাপ্নোতি কেবলম্॥
ইতি তে কথিতং দেবি ভূয়ঃ শ্রোতুং কিমিচ্ছসি॥

উমা উবাচ

ভগবন্ ভগনেত্রঘ্ন কেচিৎ বার্ধক্যসংযুতাঃ। অভোগ যোগ্য কালেতু ভোগাংশ্চৈব ধনানি চ॥
লভন্তে স্থবিরা ভূত্বা ভোগৈশ্বর্য্যং যতস্ততঃ। কেন কর্মবিপাকেন তন্মে শংসিতুমর্হসি॥

শ্রীমহেশ্বর উবাচ

হন্ত তে কথয়িষ্যামি শৃণু তত্ত্বং সমাহিতা। ধর্মকার্য্যং চিরং কালং বিস্মৃত্য ধনসংযুতাঃ॥
প্রাণান্ত কালে সম্প্রাপ্তে ব্যাধিভিশ্চ নিপীড়িতা। আরভন্তে পুণ্যধর্মান্ দাতুং দানাদি চ নরাঃ॥
তে পুনর্জন্মনি শুভে ভূত্বা দুঃখপরিপ্লুতাঃ। অতীতযৌবন কালে স্থবিরত্বমুপাগতাঃ॥
লভন্তে পূর্বদত্তানাং ফলানি শুভলক্ষণে। এতৎ কর্মফলং দেবি কাল যোগাৎ ভবত্যুত॥

ঈবেম্মা! অসিগুম্বা মীশক অহু, হন্না হন্না হোৎবহুনবু নোমহুনবু লায়রবা চুভৎনবা অমা ওইনা হুনকী মপোক্তা পোন্নরিবসিনি॥ লৌবুক্তা হন্নি হন্নিবা থারি থারিবা মন্নশিং অহুগী গুণদোষগী মতুংইন্না পান্নন্নিবা রান্নন্নিবা মহেশিং অহুগা, নহানমুকী মপোক্তা তৌথিবা দাননচিংবা কর্মগী মহেৎগা চপচানা পান্দমগদবনি। তৌথি তৌথিবা কর্মগী মতুং ইন্না কংলবা মহে (ফল) গী মরমদা এৈনা শুগাইনা হায়রবনি। হৌজিক করি অমুক ভানিংলি? উমানা হায়:—ভগবন্! ভগ কৌবা দেবতাগী মীৎপু মাগুহনবা! ইন্দ্রিয়শিংগী শক্তিনা কন্নিডৈ, চাব থকপা মহাও থওলিডৈদদি কংহৌত্রগা অহল ওইরক্লবা চাব মহাও থওলকত্রবা, ইন্দ্রিয়গী শক্তিনা শোম্বরক্লবা মতমদা লম্ন্ম অচাথক সনা লুপা কংবা রান্ন কংবা মীশকন্নু রাওরি। মথোয়হুনা করি করম্বা কর্ম তৌথিবদগী অহুগা কর্ম অহুদা করি শোন্নখিবদগী অসি-গুম্বা কীবম অসি কংলিবনো তাকপিন্নু॥ মহেশ্বরনা হায়:—এৈ রান্ন হন্নাও হন্নাওনা, নংনা হংলিবসে, খুমগে। পুন্নীং অনী লোওদনা ভত্ত্বগা লোয়ননা ভাও। মরল রান্ন লৈরবম্নু, মত্ত ওইথিহুনা ধর্ম কর্ম তৌগদবনি হায়বসি কাউথোকথিহুনা মতম কুইবা তরগুদা তাহুনা লৈরক্লগা মমৈথওদা, মপুন্নশি লোইরমদাইদা, চাব তারক্লুনা দানধর্ম থরদি তৌবা হৌরকপা, অহুগুম্বা মীশক অহুনা হুনকী মপোক্তা ননো হায়রিবা হংলিবা মওং (দশা) অসি কংলরিবনি। অহুনা, নহালমুকী মপোকতা তৌথিবহুগী মওং অহু ঈকায় কায়দনা অহুম কংলন্নিবসিনি॥

উমোবাচ

ভোগযুক্তা মহাদেব কেচিৎ ব্যাধিপরিপ্লুতাঃ। অসমর্থা তান্ ভোক্তুং ভবন্তি কিন কারণম্॥

শ্রীমহেশ্বর উবাচ

